015,1 A2
22.2.01;4

ওঁ

মণিপুরী মহাভারত

২১শুবা খণ্ড

শান্তিপর্ব্বগী শরুক্ খর

বেদব্যাসকী শ্লোকাবলী মহাভারতকী
পর্ব্ব--অধ্যায়--শ্লোক মথং মনাও কায়দনা
মরক্ মরক্তা ব্যাখ্যা পীদুনা
মৈতৈরোন্দা মমং মথং
ছন্দোক্চরক্পা

পদ্মশ্রী কালাচাঁদ শাস্ত্রী

থোকবা— গ্রন্থকার মশামক্, উরিপোক্, ইম্ফাল।

থোকবা চহী— ১৯৭৬ ইং।

13957

মশীং— ১১০০

মমল— লুপা ১৮.০০

নম্বগা— খোকচোম সামন্তজিৎ সিংহনা কঙ্গোঙ তৌহনা,
জাগরণী কার্যালয়, চূড়াচাঁদ প্রিন্টিং ওয়ার্কস,
শগোলবন্দ, ইম্ফাল, মণিপুরদা ছাপা তৌবা।

সূচী-পত্রম্

—ঃ(ঃ)ঃ—

মতাং	অধ্যায়	লামায়
১। জাজলি ঋষিগা তুলাধারগা ভাওনবা	২৫১—২৫৮	১— ২২
২। জাজলিগী উচেক্‌শিংদা পাউতাক পীবা	২৫৯	২২— ২৭
৩। খো বিচখুন অহিংসা-ধর্মবু থাগৎপা	২৬০	২৭— ২৯
৪। মহর্ষি গৌতম—চিরকারীগী বারী	২৬১	৩০— ৪১
৫। ত্যুমৎসেনগা সত্যবানগা ভাওনবা	২৬২	৪২— ৪৯
৬। স্যুমরশ্মি—কপিল অনীগী সংবাদ	২৬৩	৪৯— ৫৬
৭। প্রবৃত্তি—নিবৃত্তি মার্গ অনীগী তত্ত্ব	২৬৪	৫৭— ৭০
৮। স্যুমরশ্মি—কপিল অনীগী সংবাদ মথা	২৬৫	৭১— ৮৩
৯। তপস্বী ব্রাহ্মণ—কুণ্ডধার অনীগী সংবাদ	২৬৬	৮৩— ৯১
১০। যজ্ঞদা হিংসা—অহিংসা নৈনবা	২৬৭	৯২— ৯৫
১১। ধর্ম—অধর্ম—বৈরাগ্য—মোক্ষগী মরমদা	২৬৮	৯৬—১০০
১২। মোক্ষ-পৃথবা ফংনবগী উপায় তাকপা	২৬৯	১০১—১০৫
১৩। কুণ্ডাংসিদু ত্রৈনি হায়না থন্বগী মরমদা	২৭০	১০৬—১১৪
১৪। মাণ্ডব্যগা—জনকক্কা ভাওনবা	২৭১	১১৫—১১৬
১৫। পুত্রাং অমদি সংসারগী অনিত্যতা	২৭২	১১৭—১২৩
১৬। হারীতনা সন্ন্যাসগী তত্ত্ব তাকপা	২৭৩	১২৪—১২৮
১৭। ব্রহ্ম ফংনবা উপায় তাকপা	২৭৪	১২৮—১৩৩
১৮। সনৎকুমারনা বৃত্রাসুরদা জ্ঞান তাকপা	২৭৫	১৩৪—১৪৮
১৯। ইন্দ্রগা বৃত্রাসুরগা অনীগী লান	২৭৬—২৭৭	১৪৮—১৬১
২০। মহাদেবনা দক্ষযজ্ঞ থুগাইবা, শিবস্তোত্র	২৭৮—২৭৯	১৬১—২০২
২১। অধ্যাত্মজ্ঞানগী মতৈ	২৮০	২০২—২১০
২২। সমঙ্গ—নারদ অনীগী সংবাদ	২৮১	২১১—২১৫
২৩। নারদনা গালবদা জ্ঞান তাকপা	২৮২	২১৬—২২৬
২৪। অরিষ্টনেমিনা সগরদা বৈরাগ্য তাকপা	২৮৩	২২৭—২৩৬
২৫। শুক্রাচার্য্যগী বারী	২৮৪	২৩৬—২৪১
২৬। পরাশর-গীতা	২৮৫—২৯৩	২৪১—২৯২
২৭। হংস-গীতা	২৯৪	২৯২—৩০২

ওঁ

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তপঞ্চাশদধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(জাজলি ঋষিগা বৈশ্য তুলাধারগা ধর্ম্মগী মরমদা ওাওনবা)

চনীগা য়াম্খৈতরেৎশুবা অধ্যায়

——:(ক):——

ভীষ্ম উবাচ।

ইত্যুক্তঃ স তদা তেন তুলাধারেণ ধীমতা। প্রোবাচ বচনং ধীমাঞ্জাজলির্জপতাং বরঃ ॥১॥

জাজলিরুবাচ।

বিক্রীণতঃ সর্ব্বরসান্ সর্ব্বগন্ধাংশ্চ বাণিজ। বনস্পতীনোষধীশ্চ তেষাং মূলফলানি চ ॥২॥

অধ্যগা নৈষ্ঠিকীং বুদ্ধিং কুতস্ত্বামিদমাগতম্। এতদাচক্ষ্ব মে সর্বং নিখিলেন মহামতে ॥৩॥

ভীষ্ম উবাচ।

এবমুক্তস্তুলাধারো ব্রাহ্মণেনো যশস্বিনা। উবাচ ধর্ম্মসূক্ষ্মাণি বৈশ্যোধর্ম্মার্থতত্ত্ববিদ্ ॥৪॥

ভীষ্মনা হায়— নিংথৌ! জ্ঞানী ওইরবা তুলাধারদুগী ঋা তাবদা, তপস্যা, জপ তৌবদা অথোইবা ওইরবা, বুদ্ধিলৈরবা, জাজলি কৌবা ব্রাহ্মণদুনা অহুম্না হায়রকৈ :— ॥১॥ জাজলিনা হায়রকই :— বৈশ্যশাগেদা পোক্লবা! রস মথল্-মথল্গী, গন্ধ মথল মথলগী মরু-মরাং, হীদাক্ লাংতক, উহৈ রাহৈ য়োন্দুনা, লয়োন্দুনা নহাক মকম অসিদা লৈরি ॥২॥ মহাজ্ঞানী! ধর্ম্মগী তত্ত্বদা থমথেংন য়েৌশিনখ্রবী, নহাক্কী বুদ্ধি-জ্ঞান অসি, কদায়গী লাক্পনো? করম্না ফংলুবগে? অদুকলুবা ধর্ম্ম তত্ত্বজ্ঞানবু নহাক্না করম্না কনাদগী ইরায় লায়না খংওুই? মপূং ফানা ঐঙোন্দা অমুক্ত হায়বিয় ॥৩॥ ভীষ্মনা হায় :— নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মিংচৎ চাউরবা তপস্যা কল্লবা, ব্রাহ্মণ জাজলিগী ৱাসি তাবদা, ধর্ম্মগী তত্ত্বপূম্বা মুম খঙলবা তুলাধার বৈশ্যদুনা কুপথ্রবা ধর্ম্মগী তত্ত্ববু মথং মথং হায়বা হৌরকই ॥৪॥ তুলাধারনা হায় :—

তুলাধার উবাচ।

বেদাহং জাজলে ধর্ম্মং রহস্যং সনাতনম্। সর্বভূতহিতং মৈত্রং পুরাণং যং জনা বিদুঃ ॥৫॥
অদ্রোহেণৈব ভূতানামল্পদ্রোহেণ বা পুনঃ। যা বৃত্তিঃ সঃ পরো ধর্ম্মস্তেন জীবামি জাজলে ॥৬॥
পরিচ্ছিন্নৈঃ কাষ্ঠতৃণৈর্ময়েদং শরণং কৃতম্। অলক্তং পদ্মকং তুঙ্গং গন্ধাংশ্চোচ্চাবচাং স্তথা ॥৭॥

জাজলি। অচচক্ত জীবপান্‌বা পুম্নমক্কী ফানবা-কান্নবত তৌরা, জীব খুদিংমক্তা মৈত্রীভাব্ (মরূপওইবগী রাখল) থম্বা, অদুগুম্বা মীহাক অদুবু সনাতন ধর্মমক্কী মওংনি, মূর্তিনি হায়না লৌনৈ। মঙ্গগী অথুং.পা অকুপ্পা রা খিবিক্কুগা লোয়ননা, সনাতন ধর্ম্মগী জ্ঞান অদু, ঐঙোন্দা তক্তনা ঙান্দুনা হায়বদি মকৃশিন্‌বা নাইদনা নৈ ॥১॥ কনাগুম্বা-করিগুম্ব অমগী মফমদা অকায়বা অমদি মীগী শাউনীডায, মুংঙাইতনিংঙা লৈবা, পহ্গ মমিংত ওইনা অমগা মুংঙাইনদবগী ভাব থম্মদং অথোইবা তাদি লৈবা তাখিব, অদুগুম্বা ব্যবসায়-পা পার তনা পুন্‌শিগী অথোইবা বৃত্তি (জীবিকা) নি হায়নৈ। অদুগুম্বা বৃত্তিনা ঐস্থ পুন্‌শি হেঞ্জরি ॥৬॥ *

মীনা যাম্বিকৃপা উরানা, অতোপ্পা মীশিংনা কাল্লকৃপা ই-চরূক্তনা ঐগী লৈননবা য়ুম অসি শাম্বিবনি। ঐনা লাল্লাল্লিবা য়োল্লিবসি অলক্ত (মুপীগী খোঙুদা থাননবা তৈননবা চা), কেশর (চন্দন) পদ্মক কৌবা হীদাক্, তুঙ্গকাষ্ঠ (মনম্ মুংশিবা কাষ্ঠ জাৎ অমা) অসি নত্তবা অগরু চন্দননচিংবা মনম্ মুংশিবা পোৎ

---

* জীবিকা (বৃত্তি) হায়বসি, লৌশিনবা নাইদনা মুমিৎ চুপপা পীথাক্‌পা ঙাক্তনসু ওইহনবা য়াদে। পীথোকৃপা নাইদনা লৌশিনবা ঙাক্লসু ওইহন্‌বা য়াদে। জীবিকা হায়বসি চাব ঙাক্কী হিংবা ঙাক্কী অর্থ নত্তে। শেল তান্নুবা লৌশিল্লুবা হায়বসি পোৎঅম পীথোক্লগা তান্নুখিবনি। তান্নুখিবা হায়বসি লৌ-শিল্লুখিবা শেল অদু পীথোকপ্রগা অচাথক্-শেৎ চানবা অমমুক লৌশিল্লুখিবনি। অসুম্না পীথোক লৌশিন্ তৌনবা মীনা জীবিকা শেম্নখিবনি। অসুম পীথোক্ পীশিন তৌনখিবসি তাইবং মীমশেল ঙাক্তনসু নত্তে। তাইবং মীগী অসিগুম্বা ব্যবসায় অসি শাউচেক-লৈমাল হৈপালনচিংবসু তৌখিবনি। উহৈ পাম্বী মচগী মখোঙদা চাংনাইনা তাইবংমীনা ঈশিং পীথোকই-চাইশিল্লি ঈশিংতুগী মখল্ ওইনা পাম্বী তুনা উহৈ অমদি মহৈ মরোং পী। শলদা শজীক পীথোক্লগা মতোন্দগী শঙ্গোম লৌশিন্নৈ। অসিগুম্বা কারবার অসিদা তাইবংমী মশেলগীদ মুংঙাইনদবসু মরক মরক্তা লাকই। লুপা মঙা পীরকপা পোৎ অমু লুপা মঙাদা অমুক পীথোক্লবদি হায়বদি য়োম্থোক্লবদি লৈবা য়োনবা কৌব কলোন্‌বা কৌবা ব্যবসায় (কারবার) অসি করিদি কান্নরি? পীথোকখিবা পোৎ অদুদগী অহেনবা থোইদোকপা পোৎ অদুনা জীবিকা ওই-নাখিবনি। মঙা পীথোকপ্রগা তরেৎ কংওক্লবদি অনী থোইদোকই। অনিহুননি হৌক্তিক হৌক্তিক জীবিকা ওইনরিবসি। অনী অদু হেন্দোক্লবকৃনব হোৎনবদা অরৈবগা অয়োননগা মরক্তা মুংঙাইনদবা, পেন্নদবা শরণং লৈনবসু য়াওখি। দ্রোহগী শরুক্তা য়াম্ন চঙ্‌দবসি বৈশ্য (বানিক বানিজ-বানিয়া) গী জীবিকা আস-তদনি। অসিনি, তুলাধার অসিনা হায়খিবদি। অদুবু হৌজিক্তি, বানিজ (বানিয়া) শিংনা জীবিকাগী মচাক্ তান্‌বদগী হেম্না, হায়বদি তান্নক তনস্তনা ইনাক্ থুনবা নিপানি হায়না ফাওননবগী ফুবা দলাল শাননবগী শেঠনি, ধনীনি, হায়হনগদবগী কারবার তৌনখ্রে। মাসিদি বৈশ্যগী সাত্ত্বিক ধর্ম্ম, সনাতন ধর্ম্ম নত্তে, তমথিবা ধর্ম্মনি। (কালাচাঁদ)

রসাংশ্চ তাংস্তান্ বিপ্রর্ষে মদ্যবর্জ্জান্ বহূনহম্। ক্রীত্বা বৈ প্রতিবিক্রীণে পরহস্তাদমায়য়া ॥৮॥
সর্ব্বেষাং যঃ সুহৃন্নিত্যং সর্ব্বেষাং চ হিতে রতঃ। কর্ম্মণা মনসা বাচা স ধর্ম্মং বেদ জাজলে ॥৯॥
নানুরুদ্ধ্যে বিরুদ্ধ্যে বা ন দ্বেষ্মি ন চ কাময়ে। সমোঽহং সর্ব্বভূতেষু পশ্য মে জাজলে ব্রতম্ ॥
তুলা মে সর্ব্বভূতেষু সমা তিষ্ঠতি জাজলে ॥১০॥
নাহং পরেষাং কৃত্যানি প্রশংসামি ন গর্হয়ে। আকাশস্যেব বিপেন্দ্র পশ্যল্লোঁকস্য চিত্রতাম্ ॥১১॥
ইতি মাং ত্বং বিজানীহি সর্ব্বলোকস্য জাজলে। সমং মতিমতাং শ্রেষ্ঠ সমলোষ্ট্রাশ্মকাঞ্চনম্ ॥১২॥
যথান্ধবধিরোন্মত্তা উচ্ছ্বাসপরমাঃ সদা। দেবৈরপিহিতদ্বারা সোপমা পশ্যতো মম ॥১৩॥

মচামশু, হীদাক লাংতক চিংবা কান্নবা পোচ্চেশিং অসি অতোপ্প অতৈদগী লৈরম্বগা অমুক য়োন্দোকই ॥৭॥ বিপ্রর্ষি। ঐগীসিদা মহীময়াই কাবা মুনচিংবা থক য়োন্দে। অসিগুম্ব ফজবা পোশকশিং অসি নত্তনা, চাবথক্পদা মতীক চাবরবা পূক্নীং হকচাং নীমক্ত য়াম্না কান্নবা, তোঙাল্ তোঙম পোচ্চেমক্তা য়োঞ্জে। পোংয়োনবা মতমদা মীনম্ব নমথাকনচিংববু থুনা শীংননবগী পান্দে থুংলায় ওইনা থক শীজিন্নদে ॥৮॥ জাজলি! অচচবু জীব পুম্নমকী মরূপ্ ওইরিবা, পুক্নীংনা, মাহৈনা থবক্তা জীবপানব পুম্ন কী কন্নবথ তৌরিবা অদুগুম্ব মীমহাক অদুতমা ধর্ম্মগী তত্ত্ব মুম্ম খঙিও ॥৯॥ ঐগী পোং লৈবিয়ু হায়না মী তোঞ্জ্ অমদা থক্ হায়জদে। ঐগী অক্কবা পোক্কুদি লৈত্রগা মীগী ফত্রবা পোং অদুবু লৈখিবা মীমহাক্ অদুগা মু ডাইনদবা, থংনচৈনবা থক্ তৌদে। ঐ কনা অমত্তা য়েংথিনবা, তাথিনবা তৌজদে। কনাগুম্বা অমগী মকমদগী করিগুম্বা অমতং ফংননবগী আশা অম তৌজদে। জীবপানবা পুম্নমকপু মীৎয়েং চাংচপ্ অমত্তদা চপ্ মান্ননা উই। জাজলি! মাসিনা ঐগী ধর্ম্মনি, মাসিনা ঐগী তপস্যানি। মসিগী মথক্ত মুং অদু মীৎয়েং তাবিয়ু। মসিদা লৈরিবসে পোং ওন্ননবা খন্নি। মসিনা ঈচামীচা খায়দনা, য়েক্কবা মরূপ য়েন্নবা তৌদনা, চপ্ মান্ননা ওন্দুনা পী ॥১০॥

ব্রহ্মাণ অথোইবা। আকাশগী মতৌগুম পোশক অমগা শম্নদনা, জগৎকী তৌরিবা অঙকপা নোংমাইশিং দৃশ্যশিং অসিবু য়েংনা য়েংনা, অতোপ্পশিংগী অক্কব থবকপু থোইন থাগৎলুনা তৌজদে, অতোপ্পশিংগী ফত্তবা থবক্পু উবগা নিন্দা তৌজদে ॥১১॥ জ্ঞানী অথোইবা? জাজলি কৌবা ব্রাহ্মণ। ঐনা লম্নোম্বগী থবক তৌরিবসে মপান্থোংতনি। ঐসি সনা লৈপাক্পু চপ্ মান্ননা উবা মীশকনি হায়না খঙও ॥১২॥ মনাং তাঙবা, মনাপঙবা, অঙাওবনাংবদগী মীংকী, নাকোংগী অমদি বুদ্ধিনচিংবগী খোঙবু ওইননীংদুনা থম্প্রবা অদুগা মুংশাশোর হোনবগী শরক্ত মঙাম্ববা, হক্চাংনুংদা লৈরিবা, য়েংদুনা উদুনা অদুম্মরেবা, মথাঙনা কারিমত তৌদবা, দ্রষ্টাপুরুষ (আত্মা) ঐনা, তুলাধার কৌবা বৈশ্যাসগী হকচাং মুংশিদদু অদুম মনৌনি। (হায়বদি, উনা উনা উদে, তানা তানা তাদে, মরমদি পূক্নীংসি বিষয় য়োমদং থক চঙজদে। করিগুম্বা ঘটনা অমগী সাক্ষীনা উবয়েংবদগী তেম্না কারিমত তৌদবা অদুগুম্বা ঐস দেহমুং অসিদা মুংশাশোর হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবদগী হেন্না অতৈ কারিমত তৌদনা লৈরি।) ॥১৩॥ মশা শোন্নবা, অহল্ ওইরবা

যথা বৃদ্ধাতুরকৃশা নিঃস্পৃহা বিষয়ান্ প্রতি। তথার্থকামভোগেষু মমাপি বিগতা স্পৃহা ॥১৪॥

যদা চায়ং ন বিভেতি যদা চাস্মান্ন বিভ্যতি। যদা নেচ্ছতি ন দ্বেষ্টি ব্রহ্মসম্পদ্যতে তদা ॥১৫॥

যদা ন কুরুতে ভাবং সর্ব্বভূতেষু পাপকম্। কর্ম্মণা মনসা বাচা ব্রহ্মসম্পদ্যতে তদা ॥১৬॥

ন ভূতো ন ভবিষ্যোঽস্তি ন চ ধর্ম্মোঽস্তি কশ্চন। যোঽভয়ঃ সর্ব্বভূতানাং স প্রাপ্নোত্যভয়ং পদম্ ॥১৭॥

তস্মাদুদ্বিজতে লোকঃ সর্ব্বো মৃত্যুমুখাদিব। বাক্‌ক্রূরাদ্দণ্ডপরুষাৎ য প্রাপ্নোতি মহৎ ভয়ম্ ॥১৮॥

ইন্দ্রিয়গী শক্তি লৈরকত্রবা, মশাদা লায়না লৈরবা মীশিংনা বিষয়ভোগানাচিংবদা পাম্মুবা-মিহৌরুবা লৈতু-বহুগুম্বা, ঐগী পূক্লীং কৌবা ইন্দ্রিয়সিদগী বিষয় ভোগশিংহুনা য়াম্ন লাপ্নথোকৃখ্রবনি ॥১৪॥ মহাক্না কনা-অমতবু কিরুত্রবা, মাবুস্ত কনানকিবিদ্রবা হায়বদি মাবু উবদা ফুম্বকদি চৈরকনি হিংসা তৌরকনি হায়বগী চিংনবা অকিবা লৈত্রবা, অতুগা কনাগুম্বা অমদগী কবিগুম্বা অমত পাম্মুবা লৈত্রবা কনাগুম্বগী মকমদা শক্রু ওইরুত্রবা, কনাগুম্ব অমতনস্তু শক্রুতা থম্মদ্রবা মীমহাক অতুদি ব্রহ্মভাবপু অতুম মফংগ্রে ॥১৫॥ *

অচম্মত্ত জীবপানবশিংগী মফমদা পুক্লীংনা, হ্রাইনা অমদি থবক্না কবিগুম্বা ফত্তবা অমত্ত তৌদে মীমহাক অতুতনা ব্রহ্মভাবপু ফংবা ওম্মি ॥১৬॥ মাওদ হৌখ্রবা তুংদা লাক্কদৌরিবা মত্তম অনীগী দমক্ত মী মহাক অতুগী তৌগদবা সিমতং লৈরি হায়বা অমত্ত লৈত্রবা, হায়বদি তৌগদবা থবক অসিমতং লৈরি অতুগা হান্না তৌগ্রবতুগী তৌহৌদবা অসিমতং লৈহৌরি হায়বা থবক্কী শরুক অমত্ত লৈত্রবা অতুগা জীবপানবা পুন্নমক্ত অভয়প্রদান (কিহন্নিবা) তৌরিবা মী মহাক্ অতুদি ব্রহ্মভাবপু লায়না ফংবা ওম্মি ॥১৭॥ অশিবগী থয়াক্ত তারমদাইদা চওভমদাইদা কিব-নীকৃপহুগুম্না মী মহাক্ অতুবু নীঙ্শিঙ্বদা নত্রগা উনরুবদা থম্মোয়দা অকিবা মিপাইবা পোরুকম ওইরবা অতুগা মুমাংচুম্না অমাকৃপা-অকনবা হ্রাইত্ত শীজিন্নবা' থজিক্তং শোয়বদা দণ্ড (দাণ্ড) পীডনবা, অম্লগুম্বা মী মহাক্ অতুদি অকিবা খুদোংথীবা খুদক্ত থম্নায় মাওবায়াবা থৌদোক কয়া কয়া থেংনগনি থেংনগল্লি ॥১৮॥ †

* মশামক্ থঙজত্রবস্তু, দেহন্দা লৈরিবা আত্মানা ব্রহ্মভাবতা অতুম চওগ্রবনিনা, মশানা ব্রহ্মসাধনা, যোগসাধনা, তাপস্যাবনচিংবা কবিমত্ত তৌরুদ্রে। তৌরুবগা হেন্না, ঐ ব্রহ্ম ফংলে, ঐ সিদ্ধ ওইরে হায়না মিথ্যা তান্দা চওঙনবগী মাংনেতুম মচাক ওইরে। আত্মা মহাক্কি মত্তম্ পুন্দা সিদ্ধানি, বুদ্ধনি, তদ্ধনি সিদ্ধ ওইতুনা অতুম লৈজবা আত্মা মহাক্না ঐ সিদ্ধ ওইরে" হায়না হকচাংথুংদগী থক হায়রকদবা নত্তে। হেক হায়রকপদস্তু মা মথন্তনা হায়রকপা নত্রে। আত্মা নত্তমা হকচাংসিগা তিন্নুনা হায়রকপনি। হকচাংসিগা তিন্নরহনা তাজলি কৌবা হকচাং ঐ নত্রগা তাজলি কৌবা হকচাংদা লৈরিবা আত্মা ঐ সিদ্ধ ওইরে হায়রবদি মাতুনা হেন্না অমুক লাল্লে (কালাচাঁদ)

† মহাক্না মীঙোল অমদা পীরুবা অম্নাবা অকিবা খুদোংথীবতুংগী য়াম্ন হেন্না অকিবগী মশক্ ওইবা ঘটনা কয়া মহাক মশামকস্তু ফংগল্লি। মরমদি মীঙোল্দা অকিবা মিপাইবা, অম্নাবা খুংঙাইত্তবা পীবতনা মশিঙ্গাং ওইখিবনা, সমাজগী মীপুন্নমক্কী য়েংথিনবা অতু মহাক্ মশানা অতুম ওইজরকই। মী খ্রাইবু কিহনখিবদি মহাক্ মশা মথন্তননি অতুগা মাগী অত্যাচারদা খুংঙাইখিদবদগী মন্নাম চওহুনা মহাক্ অমত্তগী

যথাবৎ বর্ত্তমানানাং বৃদ্ধানাং পুত্রপৌত্রিণাম্। অনুবর্ত্তামহে বৃত্তমহিংস্রাণাং মহাত্মনাম্ ॥১৯॥
প্রণষ্টঃ শাশ্বতো ধর্ম্মো হ্যনাচারেণ মোহিতঃ। তেন বৈদ্যস্তপস্বী চ বলবান্ বা বিমুহ্যতে ॥২০॥
আচারাজ্জ্ঞানজলে প্রাজ্ঞঃ ক্ষিপ্রং ধর্ম্মমবাপ্নুয়াৎ। এবং যঃ সাধুভির্দান্তশ্চ বেদদ্রোহ চেতসা ॥২২॥
নদ্যাং চেহ যথা কাষ্ঠমুহ্যমানং যদৃচ্ছয়া। যদৃচ্ছয়ৈব কাষ্ঠেন সন্ধিং গচ্ছেত্তকেনচিৎ ॥২৩॥
তত্রাপরাণি দারূণি সংসৃজ্যন্তে পরস্পরম্। তৃণকাষ্ঠকরীষাণি কদাচিন্ন সমীক্ষয়া ॥২৪॥

মচামশু য়াম্না লৈরবা, জ্ঞানদা চহীদ অহল ওইরবা শাস্ত্রগী পাউতাক অতুং ইমা আচারবিচার কায়দনা চৎলিবা, করিগুম্বা জীব অমগী মকমদা হিংসাগী থবক তৌরক্রিবা মহাত্মাশিংতুগী লেপ্লিবা মপুনশি মবেন অতুগী মতৌ তমহুনা লৈজরি। ॥১৯॥ আচার বিচার কায়না চৎপদগী শুমহৎপগা লোয়নপ্রবা সনাতন ধর্ম্ম হায়রবসি মরু ফংনা মাঙতি। হায়রিবা দাব অসিনা তিনবিবদগী বিদ্বান, পণ্ডিত, তপস্বী, কামক্রোধবু ওনবা, ইন্দ্রিয় খুতুম চল্লবা, পুক্নীং হকচাংদা শক্তি লৈরবা মথোয়সু কাওবা শওম হাৎপগী লাংদা থুররিবনি ॥২০॥

জাজলি! ইন্দ্রিয় খুতুম চল্লবা, মাগী থম্মোইদা কনাগুম্বা অনগী কত্তর তৌগে থল্লবা, অতুগুম্বা মীশক্তুনা চৎলিবা আচরন অমদি আচার বিচার অতুবু মশাগী আচরণ ব্যবহারদা পুশিল্লক্রবা অতুগুম্বা অশিংবা বিদ্বান মহাক অতুদি বেদদ হায়রিবা-তাক্লিবা সদাচারশিং অতুবু ভাক্তুনা ধর্ম্মগী রহস্য (মচুংগী অথুম্বা বা) অতুবু খঙব ঙম্মি ॥২১॥ লাইগী নোংদমদগী তুরেলগী ঈচেন্দা তাউথরকপা চৈ (উ) অমনা মতচারুবদগী অতোপ্পা চৈ-উ অমগা অমুক থেংনৈ-শম্নে। অসুম্না তিন্নশিন্নুনা পাক্ খাইদোক্নহুনা চৎনখিবা য়াম্রিবৈঙ চৈরক অতুদা অতোপ্ অতোপ্পা নাপী শীংবী চক্রর হক, চৈক্তেক্ চৈরাং মচামচা অতুগা শম্নি অকংবা মচেৎনচিংবা কয়াকয়ানা লাক্তুনা (তাউথরক্তুনা) তিন্নশিন্নে। মরাক অসিনা তিন্নররিবসে কদাইদগী কদোমদা করিগী লাক্তুনা তিন্নররিবনো হায়বহু ঈখন্ড্ খক্তৌদনা হেক থোকখিবনি। তিন্নকগে-

---

মথক্তা হোচিল্লকপদি মী মপৈ মশৈনি, মহাক লীখোকপা করিমত্তা য়াত্রবনি। করিগুম্বা মওং চাবদগী লীখোকহোররম্ব মাতুদগী হেন্ন তোইনা মমুক মথক্তা আক্রমণ কয়া কয়া লাক থগদৌরিবনি। অচুনা খুদক্ত থরায় মাঙমা য়াবা থোদোক কয়া কয়া থেংনগনি। মরম্ অতুনা মী খুদিংগী মফমদা অত্যা-চার অমদি হিংসাগী থবক্ তৌরক্রিবসি মশা মথন্তগী মথক্তা অত্যাচার তৌরনবা মী মশীং য়াম্ন হেনগৎ-হনবত্তনি। অকল অরিং শীংবদা থোন্দাথৌবদা মমীৎ শুক্তোকপদা হৈনখিবা মীনা মাচুদা অসুম হৈনখিবনা, শাউফম ইথোক্ থেক্তবা মফমদসু ঈফক্জনা হায়কম্ খোকপা মফম অতুদসু, মরম ঈচাচাদনা থোন্দা অতুম থীরুক্ত, মমীৎ অতুম শুকতোকলুই। অতুনা, ছুমিং খুদিংগী পুংজা খুদিংগী মমীৎ শুক্তোকলবনিনা ছুমিং খুদিংগী পুংজা খুদিংগী মশাগী য়েক্রবগী, মাবু লুমহুনা লৈবা মীশিংগী মশীং অসি অতুম হেনগৎচহল্লি। অতুগীদমক্ত গীতানা হায়রি :— মশানা মশাগী মরূপনি, মশানা মশাগী য়েক্রবনি। বিধাতানা, অসিনা নংগী মরূপনি, অসিনা নংগী য়েক্রবনি হায়না অককনা অমত্তা শেমদে। য়েক্রবা মরূপ আত্মা মা মথন্ত-না ওইজবনি। (কালাচাঁদ)

যস্মান্নোদ্বিজতে ভূতং জাতু কিঞ্চিৎ কথঞ্চন। অভয়ং সর্ব্বভূতেভ্যঃ স প্রাপ্নোতি সদা মুনে ॥২৪॥
যস্মাদুদ্বিজতে বিদ্বন্ সর্ব্বলোকো বৃকাদিব। ক্রোশতস্তীরমাসন্ন্য যথা সর্ব্বে জলেচরাঃ ॥২৫॥

কান্নরুগে হায়রবা ঈথঙ্ থঙহৌদনা, কয়া কুইনা তিন্নরুনি হায়রবা ঈথঙ্ খলহৌদনা তিম্মরিবা কায়নরিবা ঙাক্তনি ॥২২-২৬॥ *

মুনি! মঙান্দগী কনাগুম্বা অচচ্চত্তা জীব অমত্তমা অরাবা লাংতক্কবা মিশাইবা পোকখিদ্রিবা পোকতবা মী মহাক অদু কনাগুম্বা করিগুম্বা জীব অমগী মকমদগী অরাবা অকিবা লৈতে ॥২৪॥ মহাজ্ঞানী মুনি! তুরেলগী মপান্দা লাক্লিবা, য়াম্না লাউথোংবা মীয়ামগী ঈনিন্ অদু তাবদা তুরেন্দুদা লৈবা ঙা মখৈনা কিরনা কোয়চেন চেন্নদুনা ঈশ্বংদা লুপথিবগুম্না কৈশাম্নচিংবগী মথোলবু তারগা অমদি মশক উবগা কিগনবশিংনা থক্ থক্ নীত্তুনা চেন্নখিবা লোৎনখিবগুম্না, মহাকপু উবগা মী পূম্নমক্না কিবদগী চেম্নরবদি, মহাকসু জীব পানবা খুদিংমক্তুগী মীকুপ খুদিংগী অকিবা চিংনবা অদুম মথংডি ॥২৫॥

* মচা-মশু মরী মত্তা ঙাইশেলনচিংবা পূম্নমক অসিগী বিস্তার তৌকদ্রম অসি গৃহস্থ শ্রমণা লৈমিন্নবা নিপা-মুপী অনীতদগীনি। অনী আসনা তিন্নখিবা, তিম্মরিবা, তিম্নগদৌরিবা অসিসু মায়কৈ অমদগী তাউথরকপা চৈ (উ) অমগা অতোপ্পা মায়কৈ অমদগী তাউথরকপা চৈ অমগা তিন্নখিবা, তিম্নরিবা, তিম্নগদৌরিবনি। মচা-মশু মরী-মত্তা কয়া বিস্তার তৌরম্মগা (শন্দোরম্নগা) মপোর অনী অমুক কায়নখি, চংনাখি, মকম মতম মান্নদমখৈ শিনখি। হায়রিবা নিপা-মুপী অনীসিনা তিন্নখিবসু মত্তাং চারুবদগীনি, নত্রগা লাইগী নোংদমদগীনি। য়ুম্নাক শাগৈ অমদা পোকপা অমগা, য়ুম্নাক শাগৈ অমদা পোকপা অমগা তিংখিবা হায়বদি মতৈ-মনাও থোকখিবা অসি মত্তা চারুবগা, লাইগী নোংদমগা অনীসিগী মতুংদা অমদগীনি। মুম্না ভক্তরুরবদ "মত্তা চারুবা" হায়ংসিনক "লাইগী নোংদম" (দৈব সংযোগ) হায়বসিগা মশা অমত্তনি। নিপা অদুগী রাশিচক্রগা চুনবা রাশিচক্রদা পোকপী মুপী কয়া কয়া মশীং লাকতবন লৈত্রবনি। অদুবু চুনরিবী মথোয়শিং অদুগী মতুংদগীবু ওইরবসু চুনদবীশিংদুগী মতুংদগীবু ওইরবসু অমগা নিপা অদুগী লোয়নবী ওইখি। মসি লাইগী নোংদমদগীনি হায়রবসু য়াং, মত্তা চারুবদগীনি হায়রবসু যাই। রাশিচক্রগা তিন্নহৈদবা তিম্নবা য়াবা য়াদবী কয়া করানা জগতা থাগরবা, জগৎকী উপকার তৌবা মীশক কয়া কয় পোকখিবা য়াওরি। পোকখিবা অকমা মচাদুগুম্বদু নিপা অমনা মাগা রাশিচক্রনা চুনবী অমগা লোয়নবী ওইনা তিন্নরমলবদি — পোক্লমদবসু যাই। মাসি, মত্তা চারুবা অমাদি লাইগী নোংদম (লাইনা তমখিবা দৈব-সংযোগ) হায়রবা অনীসিগী পুল্লপুগীনি। মসিগু থগুনা, ঙাইবংপানবদা মশা-মচানি, ঙাইশেন্নি হায়না মতম খরদং লাইগী নোংদম ওইরবসু, মত্তা চারুবদগীবু ওইরবসু তিম্নরিবশিং অসিগা পূকচেল থোয়জেল তিম্নবা মতম থবদং শান্তিগা লোয়ননা মপুন্সি লেল্লিবা লেল্লিবশিং অদুত্তনা ধর্ম্মগী তত্ত্ববু, ধর্ম্মগী রহস্যবু থগুলবা হায়বদু ওই। মাসিগী ভাবনি তুলাধারনা জাজলিদা হায়রিবসি। মাসিবু খগুনা, অমুক মুংথিন্দা, ভূপ—হীপ্প চাবদা মপুনশি লেল্লবদি মথোয়দা তপস্যা যোগ সাধনচংবা তৌরবগী ধোইদোক্না কান্নবা লৈতে। জাজলি হান্নবসি তপস্যা য়াম্না কন্বা মীনি। অদুবু "ঐ সিদ্ধ ওইরে" হায়না অহঙ্কারগা লোয়ননা থল্লুংদগী মশাদা শান্তি ফংত্রদুনা কোয়চেন চেন্দুনা তত্ত্ব অমুক্ থিরক্লি। মাসি আকাশবানী তাখিবদগীনি। প্রমাণ অমদা হায়রগা আকাশবানীগী অর্থ থগুদবগী কংসনা শ্রীকৃষ্ণবু কোয়খি থিখি, কোয়তান তান্নখি। (কালাচাঁদ)

সত্ত্বয়ং সর্ব্বভূতেভ্যঃ সম্প্রাপ্নোতি মহামতে। এবমেবাত্মমাচারঃ প্রাদুর্ভূত ইতস্ততঃ ॥
সহায়বান্ দ্রব্যবান্ যঃ সুভগোঽথ পরস্তথা ॥২৬॥
তং তানেব কবয়ঃ শাস্ত্রেষু প্রবদন্ত্যত। কীর্ত্ত্যর্থমল্পহৃল্লেখাঃ পটবঃ কৃৎস্নির্ণয়াঃ ॥২৭॥

হায়রিবা অভয় প্রদান অসি পীনা পীনা উপায় অমনস্ন অমনস্ন পাণ্ডথোকপা য়'বা, পাণ্ডথোকনবমক ওইবা থবক্তু অস্তম তৌহনা লৈগদবনি। অসিগুম্বা আচরণদা লৈরিবা মী মহাক অদুবু সহায় য়াম্না লৈবা, মপোং মচৈ লন-থুম য়াম্না লেইবা, য়াম্না মরায়বক কবা অদুগা খু ইদগী অথেইবনি হায়নস্ন পঙৈ ॥২৬॥ *

অদুনা, অভয়দান তৌরিবশিং অদুতবু শ্রেষ্ঠপুরুষনি হায়না বিদ্বান্ পণ্ডিতশিংনা হায়নৈ। হায়রিবা অভয়দান তৌরিবশিং অসিগী মহুংদস্ন বহির্মুখ ওইবা সাধকশিংনা সংসারগী অনিত্য ওইবা ক্ষণভঙ্গুর— (থুদক্ত কায়গদবা) মিংচং, সম্পত্তি, তৌবঙম্বনচিংবা বিষয়শিংসিবু মিহৌরুবদগী মপাঙ্গোঙনা অভয় প্রদান (কিহন্দবা, হিংসা তৌদবা) গী ব্রত তপস্যানচিংবদি অদুম মতৌই। অদুনা অশিংবা, অন্তর্মুখী ওইবা অভয়দাতাশিংনা পরব্রহ্মবু কংনবগীদমক্তা অভয় দান তৌই ॥২৭॥ †

* মতাং অসিদা খৃষ্টদগী হেম্বা পুনশি-মরেলবু, তুলাধারনা জাজলি মুনিদা অসুম্না হায়বি :— অত্তোপ্পা অমগী মকমদা অকিবা, মিপাইবা, অরাবা পোকহন্দবা, পোকহনবদি লায়হনা অভয়প্রদানহুম তৌন তৌন জীবিকাগী দমক পায়থ লিবা থবক, তাইবং মীগী পুনশিগী সাধ্য মক্তনি। সাধ্য অদুবু পাঙথোকনবগী দমক্ত পায়থংলিবা সাধন (উপায়) শিং অদুস্ন হৌজিক হায়রিবা অকিবা মিপাইবনচিংবা পোকহন্দবা ভাক্ত ওইহনগদৌবনি। অদুম তৌরবদি সাধ্য-সাধন পুম্বা অদুম্ব মক্তনি। সাধক (পাঙথোকে হোৎনরিবা) মহাক অদুস্ন সাত্ত্বিক সাধকনি। মপাঙ্গোংদা যেংবদি সাত্ত্বিক ধর্ম্ম ওইনা উরবস্ন হয়বদি ধ্যান, তপস্যা, ব্রত, উপাসনামক ওইরবস্ন, তৌরিবা থবক অদুবু উবগা অইবশিংগী থম্মোয় পুকাংদা, হংগোইবা, তুক্ক বা অকিবা, মিপাইবা অকাউবা, মুংঙাংতবা পোকরবদি সাত্ত্বিক কর্ম্মনি হায়বগু কারিদি কান্নবি ? ব্রহ্ম মগা কপু কংননবা হোৎনবদা সাধন (উপায়) ওইনা শীক্তিন্নরিবা তপস্যা যোগসাধননচিংবহু উবগা মীগী পুক্নিংদা থম্মোয়দা অকিবা মিপাইবা পোকহল্লিবহু, আত্মাদা পোকহনবা নত্রা ? লাকল অরিং শীহনা, উশাদা মকোকমথৈ ওম্বনা য়ান্দুনা তপস্যানি হায়হনা অহিং অথেঙবদা, মোংক্মচি বদা তপস্যানি হায়হনা তৌবা য়াওব্রি। মাগী মতৌ উবগা অইবশিগী থম্মোয়দা আত্মানা মিপাইবা, অকিবা পোকরি। অদুনদি তৌরিবা থবক অদু, মীভোন্দা অকিব মুংঙাংতবা, অশান্তি পীনবা ওইব ভাবুক্ত। ঈশানা ফংলিবা সুখ শান্তি অদুনা অতো ঐশিংগী থম্মেইদা অশান্তি (খোইরাং-খোয়শাউবা) পোকহল্লমদি, মাতবু শান্তিবা ? মথুবু জগত্তা শান্তিনচিংবা পীনমবগী অমদি কংননবগী উপায়রা ? অদুম্ব তৌবা ওম্বা উত্তুনা, ঈশিং মসুংদা, লৈতুংদা চঙহুনা তপস্যা তৌরিবা সাধক (হঠযোগী) অদুগী পুক্নীংদা অহভাব (অহংসাব) নচিংবা অশান্তিগী মচাশিং অসি থঙহৌদনা পোকই। অদুনাক্তকলি মুনিনা ঈশিং মক্তংদা চীপ্পুনা তপস্যানচিংবদি তৌরগা "ঐ সিদ্ধ ওইরে" হায়না অহং (ঐ কবি তৌরুবগী অমদগী লমদা কোয়চেল চেল্লি। তুলাধার মহাত্মি চনীং তানা তোগদবা মাগী জাত ধর্ম্মগা পুকৗং চঙইনা লৈার। অসিগুম্বা জ্ঞান অসি বৈশ্য তুলাধারনা ব্রাহ্মণ জাজলি মুনিদা পীরি। (কালাচাঁদ)

† কনাকনাগুম্বা জৈন বৌদ্ধসম্প্রদায়নচিংবগী সাধকশিংনা জীবশিংবু ফুবা হাৎপনচিংবতব, হিংসানি হায়বা

তপোভির্যজ্ঞদানৈশ্চ বাক্যৈঃ প্রজ্ঞাশ্রিতৈস্তথা। প্রাপ্নোত্যভয়দানস্য যৎ যৎ ফলমিহাশ্নুতে ॥২৮॥
লোকে যঃ সর্ব্বভূতেভ্যো দদাত্যভয় দক্ষিণাম্। স সর্ব্বযজ্ঞৈরীজানঃ প্রাপ্নোত্যভয় দক্ষিণাম্ ॥২৯॥
ন ভূতানামহিংসায়া জ্যায়ান্ ধর্ম্মোঽস্তি কশ্চন। যস্মান্নোদ্বিজতে ভূতং জাতু কিঞ্চিৎ কথঞ্চন ॥
সোঽভয়ং সর্ব্বভূতেভ্যঃ সম্প্রাপ্নোতি মহামুনে ॥৩০॥
যস্মাদুদ্বিজতে লোকঃ সর্পাদ্বেশ্মগতাদিব। ন স ধর্ম্মমবাপ্নোতি ইহলোকে পরত্র চ ॥৩১॥
সর্ব্বভূতাত্মভূতস্য সর্ব্বভূতানি পশ্যতঃ। দেবাপি মার্গে মুহ্যন্তি অপদস্য পদৈষিণঃ ॥৩২॥

তপস্যা, যজ্ঞ, দান তৌবগী অমদি জ্ঞান ধর্ম্মগী মরম ওইবা উপদেশনচিংবা পীবগী তোঙান তোঙানবা মহৈশিংদু অভয়দান কৌবা ব্রত অসিত্তনমু ফংঙি ॥২৮॥ জগত্তা লৈরিবা অপুম্বত্তা জীব পুম্নমক্তা তৌক তৌরুরিবা অনুষ্ঠান পুম্নক্তা অভয়বু দক্ষিণাওইনা দান তৌরিবা মী মহাক অদুদি, দানা দক্ষিণা মরাং কায়বা তৌরবা যজ্ঞ কয়া কয়া তৌখ্রবগী অম্মানি ॥২৯॥ অহনা, জাজলি! জীবশিংদা অকিবা, মিপাইবা, অরা অনানচিবা পীবগী মশক ওইবা হিংসাদুবু তৌরুদনা, মাদুগনা উপায় ওইদুনা ফংবা সিদ্ধি অদুদগী হেনবা অতৈ অতোপ্পা ধর্ম্ম হায়বা অমা লৈত্তে। অদুগুম্বা সিদ্ধপুরুষ অদুদি মশামক্ হিদ্ধ ওইরে হায়বা খঙজদে। খঙদবদগী "ঐ সিদ্ধ ওইরে" হায়বসি মচীন্দা পন্দে। মহামুনি! মাবু উরগা জীব অমতগী থম্মোয়দা লাওতরুবা, মিপাইবা পোক্তবা মহাক অদুগনা অভয়দানগী মহৈবু ফংঙি ॥৩০॥

ঈমুংদা যুমদা চঙওকপা লিলবু উবদা কিবা মিপাইবগুম্না মাবু উবদা মী পুম্নমক্না কিনরবা থগৎনরবা মী অদুদি ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মপানা তৌখিবা ধর্ম্মগী মরম ওইবা কর্ম্মশিংদুগী অফবা মহৈ অমত্তা ফংবা ঙমদে ॥৩১॥ মহাক মথন্তনা জগৎকী অচচত্ত পুম্নমক্কী আত্মা ওইরক্রবা, হায়বদি মহাকী আত্মাদা জগৎকী অচচত্ত পুম্নমক্কী আত্মা ওইরক্রবা মী মহাক অদুদি তেক্ লেংঙ-পাল্লিবা পোৎ খুদিংমক মতোন্দগী তোঙানখিবা অমত্তা উদে। অদুগীদি ঐগী মাগী হায়বা রাথন্দগী মুক্ত ওইরক্কই। মহেন্দা— মহাকী রাথন্দা "অসিগুম্বা বিশেষ ওইবা পোৎ অমা কতে" হায়বসি লৈতে। মতম অদুদা মহাক মশামক্ ব্রহ্ম স্বরূপ ওইরকই। মানা চংলিবা লম্বী হায়বদি রাথন্গী গতি (লৈক্রম) অদুগী খোঙ্গুল লীগে হায়না হোৎনরকপদা দেবতাশিংনক্তা উপায়ত্ত লাম্বা ফংদে ॥৩॥ *

লোই। পুক্রীংনা, হকচাংনা, রাতৈনা মীঅমগী থম্মোয়দু শোক্তা মুংঙাইতবা অরাবা পীবা' আত্মাদা কাম-ক্রোধনচিংবা পোকহন্দুনা অআত্মাহুবু আনাত্মা তাহনবা নীংবা কায়হনবা, আত্মাদা রৈবা অদুদি মহাহিংসানি হায়বসি খন্দবা য়াঙার। জীবদিহাওগী, রাবসার (লল্লোল্ হাতক্) তৌরিবা জৈন বৌদ্ধ সমম্পদায়গী বৈশ্য (বনিয়া) কয়ানা জীব পুম্নক্তা চাপা ফংদবামখে চাক্ তাঙমা, পোৎকী মমল হেনগৎলকুনা চাবা রানরকপা মঙমদা পানী মপক্তা ফনদুনা লাইনিংবা য়াওরি। অসিগুম্বনমু অয়াম্বা ওাক্তনি। বৈশ্য তুলা-ধারদি মাত্র নত্তে। (কালাচাঁদ)

* তাইবং মী ওইবদি সাধনতনা মশামক ব্রহ্ম স্বরূপ ওইবা ঙমখি। স্বর্গগী দেবতাশিংদি ব্রহ্মামশা-মকনু ব্রহ্ম স্বরূপ ওইখিবগী সাধনা তৌদে, তৌরুগে থন্দে, ঙমমু ঙমদে। মরমদি মশামক্তা ব্রহ্ম স্বরূপ

দানং ভূতাভয়স্তাহুঃ সর্ব্বদানেভ্য উত্তমম্। ব্রবীমি তে সত্যমিদং শ্রদ্ধৎস্ব চ জাজলে ॥৩৩॥
স এব সুভগোভূত্বা পুনর্ভবতি দুর্ভগঃ। ব্যাপত্তিং কর্ম্মণাং দৃষ্ট্বা জুগুপ্সন্তি জনাঃ সদা ॥৩৪॥
অকারণো হি নৈবাস্তি ধর্ম্মঃ সূক্ষ্মো হি জাজলে। ভূতভব্যার্থমেবেহ ধর্ম্মপ্রবচনং কৃতম্ ॥৩৫॥
সূক্ষ্মত্বান্ন স বিজ্ঞাতুং শক্যতে বহুনিহ্নবঃ। উপলভ্যান্তরং চান্যাগচারান্ ববুদ্ধ্যতে ॥৩৬॥

জীবপানবা পুম্নমক্তা অভয়দান তৌবতমা জগদ্ধা খ্বানদগী অহেনবা দাননি হায়না সিদ্ধান্ত লেপ্পপ্রবনি। ময়ম অহুনা ঐনা হায়রিবসিদা বিশ্বাস তৌ ॥৩৩॥ স্বর্গলোক, সূর্য্যলোক, চন্দ্রলোকনচিংবগী কামনা (পাম্জবা) দগী যাগ-যজ্ঞনচিংবা ধর্ম-কর্মগী অনুষ্ঠান বিধি মায়দনা তৌনরি। মাদুগী মহৈনা তাইবং মীনা স্বর্গ কানগ্রি। অদুবু, স্বর্গদা পুণ্যকর্মশিংদুগী মহৈ অদু চাব হেক্ লোইবদা মর্ত্ত্যলোক অসিদা অমুক কুমথ-বকই। অমুকহন্না মর্ত্ত্যলোক অসিদা পোক্লবা মতমদদি, জীব অসিনা শা-শানগী দেহদনি থডদে, অমদনি থডদে পোক্লবে। ঐ স্বর্গদগী লাকপনি কুমথদকপনি হায়বসিমক কাউথোক্লখিদ্রন তাইবং মীনা, মাসিদগী হেন্না কত্তবা মপোক্তা পোকউনবা হিংসা-চিংবা কর্ম বয়া কয়া তৌনরি। মাসি অনুবদা জ্ঞানীশিংনা সকাম কর্ম (কামনা য়াংবা কর্ম) গী নিন্দা তৌই ॥৩৪॥ জজলি! অমা থডদে অমা থডদে ধর্মনিতবু হায়-রবদি ধর্মথুদিংমক কান্নদবা, মহৈ য়ান্দবা অমত্তা য়াওদবনি। ধর্ম অদুগী স্বরূপতি য়াম্না কূপ্না লৈবনি। অদুবু স্বর্গ নত্রগা ব্রহ্মবু ফংনবগীদমক্তা ধর্ম হায়বসি লৈব্রিবনি হায়না কনা কনাগুম্বশিংনা ধর্মগী মরমদা অমদি ধর্মগী প্রয়োজন গী মরমদা ব্যাখ্যা ফায়দনা চাকা তৌনখ্রি তৌনরি ॥৩৫॥ ধর্ম হায়বসিগী তত্ত্ব অমদি স্বরূপ (থাক্লেশংবা মশামক্কী মখল) না য়াম্না কূপ্না পীক্না লৈবা মরম্না, মীপুম থুদিংনা খঙবা ঙমদে। মরমদি ধর্মগী মরমদা ঙাঙবা শকপা ইবদা পীজিন্নরিবা য়াহৈ রবো য়াঙাঙদুমকুম্ন মচীন লোৎ লোৎতুনা

ওইপ্রবদি মহাক্ স্মৃষ্টি তৌররোইদৌবনি। অহুনা ব্রহ্মদগীতোঙান্ন তাহুনা লোথোকপনি। অহুনা ব্রহ্মাগী শক্তিনা অমনি, ব্রহ্মাগী শক্তিনা অমনি। তাইবংমীদি মশাদা লৈরিবা ব্রহ্মশক্তিদা মঙ্গংমপান্ পুম্না লোইনা প্রলয় ওইহনখিহুনা ব্রহ্মামহাক্কী স্মৃষ্টিদগীসু য়াংবা লাম্নচাখি। অদুমক্তনা, ব্রহ্মামকী দুর্লভ ওইবা, ব্রহ্মামক্তা ফংঙমদবা তাইবং মীগী মপোক্ত হায়নরি। অঙকপাদ, মাগী খুশেমদগী থোকখিবা পোশক অহুনা অশাবা-অশেম্বা মতোন্দগীহুম হেন্দোকহ্রে। প্রমাণ অমদা হায়রগা চিত্রকার (লাইথেকপা) মশামক্কী মশক্তগী মহাক্তা য়েক্লিবা মীতুগী মশক্তা হেন্না ফজবা য়াওরি। অদুম্না ব্রহ্মামশামক্তা মতোন্দগী হেন্না কনবা হৈবহুবু মশামক্তা শেম্মি। মানি ব্রহ্মশক্তিনা নত্তে, ব্রহ্মাগী শক্তিনি। শক্তি অহুদি ব্রহ্মনা পীবনি। ব্রহ্ম মহাক অহুদি কনাগুম্বা তাইবং মী সাধকনা ওইবা ঙম্নখ্রি। মাসি ব্রহ্মানা কম্লকই। অসিগুম্বা তাইবংমী সাধককী সরণিবু (লম্বু) লাইশিং মক্তা ইল্লিবা ঙমদে হায়বনি — (কালাচাঁদ)

"অভয়দান" হায়বসিগী মরমদা অকুপ্প বিচার অমা লৈরি। অভয়দানগী মরু ওইবা মচাক্তি অহিং-সানি হায়রি। অশোনবা অমবু অকনবা অমনা হাংকে তৌরি। অশোনবা অহুদা অভয়দান তৌগে হায়বগীদমক, ঐ লৈ, কিগম্নু হায়হুনা. হায়বদি অভয়দান (কিচন্দবদান) তৌগে হায়বগী অভয়দান অদুনা অকনবহু অমুক হাংলবদি, মাহু হিংসা নত্তবরা? অহুনা অভয়দানগী মঙ্গংদা লৈরিব। "অহিংসা" হায়বসি কুপ্ন লৈ।

যে চ ছিন্দন্তি বৃষণান্ যে চ ভিন্দন্তি নষ্টকান্। বহন্তি মহতো ভারান্ বধ্নন্তি দময়ন্তি চ ॥৩৭॥
হত্বা সত্ত্বানি খাদন্তি তান্ কথং ন বিগর্হসে। মানুষা মানুষানেব দাসভাবেন ভুঞ্জতে ॥৩৮॥
বধবন্ধনিরোধেন কারয়ন্তি দিবানিশম্। আত্মনশ্চাপি জানাতি যৎ দুঃখং বধবন্ধনে ॥৩৯॥
পঞ্চেন্দ্রিয়েষু ভূতেষু সর্ব্বং বসতি দৈবতম্। আদিত্যশ্চন্দ্রমা বায়ুর্ব্রহ্মা প্রাণঃ ক্রতুর্যমঃ ॥৪০॥
তানি জীবানি বিক্রীয় কা মৃতেষু বিচারণা। অজোঽগ্নির্বরুণো মেষঃ সূর্য্যোঽশ্বঃ পৃথিবী বিরাট্ ॥৪১॥
ধেনুর্বৎসশ্চ সোমো বৈ বিক্রীয়েত্তন্ন সিধ্যতি। কা তৈলে কা ঘৃতে ব্রহ্মন্ মধুন্যপ্স্বৌষধেষু বা ॥৪২॥
অদংশমশকে দেশে সুখসংবর্দ্ধিতান্ পশূন্। তাংশ্চ মাতুঃ প্রিয়াঞ্জ্ঞানান্নাক্রম্য বহুধা নরাঃ ॥৪৩॥

তর্কবিতর্ক তৌননিঙায় ওইনা দৈবগী মওংদনি। মহাক্না মহাক্না তোঙান তোঙানবা সৎপুরুষশিংগী আচার ব্যবহার আচার বিচারশিং অহুবু উবগা, তাইবং মীনা থাজেংশেংবা ধর্মগী থাজেংশেংবা জ্ঞান ফংবনি ॥৩৬॥ কনা কনাগুম্বশিংনা শন্ লাবশিংবু মন পঙংন্দুনা, মমীথ কাহিন্দুনা, মথোক্তদা য়োংশী থাহিন্দুনা, মশক শেংহনা অহুগী মথক্তা অরাম্বা পোৎয়োম পুহন্দুনা, পুব ভুমথবা মনমগন্দা শাজে থাহিল্লি। কনা কনাগুম্বনা জীব কয়া কয়াবু হাৎলগং জীবিকা ওইহল্লি। মী অমনা মী অমগী মনায় ওইহনা জীবিকা তাল্লি। মথোয়হুবু নহাক্না নিন্দা তৌদ্রিবা কব্রিগীনো ? ॥৩৭—৩৮॥ মীনা হাৎকে হায়দুনা ফুবদা অমদি ফাহিন্-বদা মপাদা অম্রা অনাগী চৈনা কয়া ফংলিবা, মাহুবু মশানা খঙনা খঙনা অত্তোপ্পবু মহাক্ন অমুক কাল্লি, কারি কুরি কাহিল্লি, কৈঙমশঙদা কা পুন্দুনা থম্লগা থবক য়ানা শুহল্লি। অহুগুম্বা মীশিংহু কব্রিগীদমক নহাক্না নিন্দা তৌদবগে ? ॥৩৯॥ ইন্দ্রিয় মঙাগুনা য়াওরিবা—কোইরিবা থরায় পানবা পুম্নমক্কী মশাদা সূর্য্য চন্দ্র, বায়ুদেবতা, ব্রহ্মা, প্রাণ, যজ্ঞদেব যমরাজনচিংবা দেবতা পুম্নমক লৈরিবনি। মথোয়সিবু য়াওহন য়াও-হন্না মশাবু অমদা য়োম্বোক্নুনা সূর্য্য, চন্দ্রনচিংবা কাওববু মীনায় ওইহন্দুনা কনাগুম্বনা জীবিকা তাল্লি। অহুগা কনাগুম্বা মীনস্ত্র মীনায় ওইহল্লি। অহুগা অশিবা জীবগী হকচাংবু কক্নুনা য়োল্লিবশিং অহুগীদি নহাক্না করি হায়নীঙতি ॥৪০॥

হামেংনা মৈ (অগ্নিদেব) গী য়াওনা ঈশিং (বরুণদেব) গী, শগোলনা তুমিং (সূর্য্য) গী, পৃথিবীনা বিরাট্ ভগবানগী শক্তি অমদি শরাঙনা চন্দ্রমা (থা) গী মর্ত্ত্যলোকসিদা লৈবা মীশকনি। মরম অহুনা, হায়রিবা মথোয়সিবু অমদা য়োম্বোকপা হায়বসি অকবা নত্তে ॥৪১॥ অহুবু ব্রহ্মণ ! থুম, থাওই, ঘী, খোইহৌ, মরুমরাং হীদাক লাংতক্নচিংব য়োনবদদি দোষ লৈতে, করি মাঙবা লৈবগে ? কাও হয়িংনচিংব কব্রিমত্ত লৈতবা মফমদা (দেশদা) পোকপা, নীংথি মুংঙাইনা ছুংশিনা য়োকপনিকো হায়বসি খঙনা খঙনা অহুগা মখোয় অসিবু মপামমা মচামশূনচিংবদগী লাপ্না পুথোকপিপ্রভৃতি কায়নবগী মৈচাক কংগবিকো হায়বসি খঙনা খঙনা, কাও হয়িং য়াম্ন লেবা, লৈথোম-লৈনাং শক্তি শরুং লৈবা মকমদা নমহুনা থ্রো-থ্রোচিংহনা হিংসোগা লোয়নবা, য়াম্ন অত্যাচার তৌহনা পুই। পোৎলুম-পোৎয়োম পুবা শা-জীব কয়াবু মমনন্দা য়ারিবমথৈ অরাম্বা মথৈ থোবগৎপিহনা, অহুগীমু মথক্তা ফুটৈহনা তৌহৈত্রবা, হৌনত্রবা মঙলো

বহুদংশাকুলান্ দেশান্ নয়ন্তি বহুকর্দমান্ । বাহস্পীড়িতা ধূর্য্যাঃ সীদন্ত্য বিধিনা পরে ॥৪৪॥
ন মন্যে ভ্রূণহত্যাপি বিশিষ্টা তেন কর্ম্মণা । কৃষিং সাধ্বিতি মন্যন্তে সা চ বৃত্তিঃ সুদারুণা ॥৪৫॥
ভূমিং ভূমিশয়াংশ্চৈব হন্তি কাষ্ঠময়ো মুখম । তথৈবা নডুহো যুক্তান্ সমবেক্ষস্ব জাজলে ॥৪৬॥
অঘ্ন্যা ইতি গবাং নাম ক এতা হন্তুমর্হতি । মহচ্চকারাকুশলং বৃষং গাং বাহলভেৎ তুয়ং ॥৪৭॥
ঋষয়ো যতয়ো হ্যেতন্নহুষে প্রত্য বদয়ন্ । গাং মাতরং চাপ্যবধীর্বৃষভং চ প্রজাপতিম্ ॥৪৮॥

লাক্নরি । ॥৪১-৪৪॥ ঐমা খল্লবদি, ভ্রূণহত্যা (গর্ভদালৈবা জীববু হাৎপা-অঙাং নৈথবা) গী পাপমক্না হায়রিবা হিংসা-অত্যাচারশিং অসিগী মহৈ পাপতগী খোইনা হেন্না চাউবা নত্তে । হায়বদি, মচায়ৈথবা গর্ভফুংদা লৈবা জীববু হাৎপা মাঙহনবগী পাপ অসি ফনা মচাউগ্রবনি । অদুবু, হৌজিক হায়রিবা জীববু ওৎপা নৈবগী পাপ অসিদগীদি খোইনা হেন্না চাউদে । অহোয়নদুম অত্যাচারশিং অসিগী নাপন চাউবা হেল্লি । লৌবুক্তা, ইংখোন্দা মহৈমরোং থাবা হায়বনিনা খ্বাইদগী হেন্নকবা জীবিকা (কারাবর) নি হায়না কনা কনাগুম্বনা হায়নৈ । অদুবু হায়রিবা ব্যবসায় অসিমক ওম্বোকপা শাথিগ্রবা কর্ম ওাক্ত তৌদুনা পাঙথোক্নরি ॥৪৫॥ জাজলে । মচীন্দ খোরবা লোঙথুম হাপ্তুনা-পানশিন্দুনা খোরবা লাঙ্গলনা পৃথী-মাতাবু তৌথায়রি । লৈমুংদা মুংঙাইনা, মচামশু পোক্নুনা, মচীঙাক থিদুনা লৈজবা, মরাল লৈত্রবা জীব-জন্তু কয়া কয়াবু হুক্লৎ হন্দা খোইদুনা হাত্তোক্লি । মাদুগী মথক্তা, থবক অদু পাঙথোক্লবা, লাঙ্গোল অদু চিংবা ওয়কত্রবা শনশিংদুগী মথক্তা শাজেনা অরাবা চৈনা পীদুনা লাক্নরি । তৌরিবা অত্যাচার অমদি জীব-শিংগী দুদ্দশাশিং অসিদা চনীংতানা বিচার তৌনা য়েংশিল্লু ॥৪৬॥ *

বেদদা শনবু হাৎপা (গোহত্যা) অদুগা শনদা হিংসা তৌবা হায়না ময়েক্ লানা হায়রি ইহি । কনামা অদুগুম্বা শনবু হাৎনীঙগদগে ? শম্বী শল্লাববু ওৎপা নৈবা হায়বসি মহাপাপনি । (অদুবু, মাদু খঙনা খঙনা অদুম মত্তৌনরি ॥৪৭॥ মতম অমগী রানি, রারীনি :— নোংমা ঋষিশিং অমদি যতি যোগী-শিংনা নিংথৌ নহুষগী মকমদা অস্তুম্না গায়খি— ' নিংথৌ ! নহাক্না গোমাতাবু অদুগা প্রজাপতি শল্লাববু হাৎখি । নহুষ ! তৌবা হৌনত্রবা শাথিরবা কর্ম অসিবু নহাক্না তৌখি । নহাক্না তৌখিবা কর্মদুনা

* অমরোমদনা হিংসাকর্ম মথল মথলনা থোকহল্লক্লিবা ফৌ-চেং, গেহু, যব মপৈ মপৈ কারকপদু, অহিংসা ধর্মবু চু-কোনবদৌনা পায়ৰিবা জৈন বৌদ্ধ সম্প্রদায়গী বৈশ্য কয়া কয়ানা মথুং থন্দুনা ঙাইরি । মাদুবু হোঙন হোঙনা লৌরগা লৈরগা অমসুং জীব কয়া কয়ানা চাব ফংদবমথৈ রানগদৌবা অকালদু দুর্ভিক্ষ (চাক তাঙবা পোংকী মমল হেঙ্গৎমন্দুনা পোং তাঙবা) গী মতমদু ঙাইদুনা, লাইথুকমদনা লৈরিবা লল্লোনবা তুলাধায়না হায়রিবদি ঐনা লল্লোল্লিবা হিদাক-লাংতক পোংচৈ খোয়াইনচিংবসিদু জীব কয়া কয়াবু হিংসা তৌরগা থোরক-চনবা ঙাক্তনি হায়বসি খঙতি । অদুবু থুখেংননা জীবশিংদু হাৎপা য়াওরুদনা জীবগী উপকার ওইগদবা কারগদবা হিদাক-লাংতক্লচিংববুত য়োন্দুনা মাদুনা তোংকপা শরুশ অদুনা ঐগী জীবিকা ওইদুনা লৈরি অসিনি । হায়রিবসিগী ভাবতি—জগত্তা হিংসা তৌদবা লৈত্তে । তারতমং য়েংদুনা হিংসাশিং থরবু অহিংসা অদুগা হিংসা থরবুনা থাজেংলেংবা হিংসানি হায়নথিবদনি । (কালাচান্দ)

অকার্য্যং নহুষাকার্ষীল্লপ্স্যামস্ত্বংকৃতে ব্যথাম্। শতং চৈকং চ রোগানাং সর্ব্বভূতেষ্ব পাতয়ন্ ॥৪৯॥
ঋষয়স্তে মহাভাগাঃ প্রজ্ঞাস্বেব হি জাজলে। ভ্রূণহং নহুষং হ্যাহুর্নতে হোষ্যামহে হবিঃ ॥৫০॥
ইত্যুক্ত্বা তে মহাত্মনঃ সর্ব্বতত্ত্বার্থদর্শিনঃ। ঋষয়ো যতয়ঃ শান্তাস্তপসা প্রত্যবেদয়ন্ ॥৫১॥
ঈদৃশানশিবান্ ঘোরানাচারানিহ জাজলে। কেবলাচরিতত্বাৎতু নিপুণো নাববুদ্ধ্যসে ॥৫২॥
কারণাদ্ধর্ম্মমন্বিচ্ছের লোকচরিতং চরেৎ। যোঽহন্যাৎ যশ্চ মাং স্তৌতি তত্রাপি শৃণু জাজলে ॥৫৩॥
সমৌ তামপি মে স্যাতাং ন হি মেঽস্তি প্রিয়াপ্রিয়ম্। এতদীদৃশকং ধর্ম্মং প্রশংসন্তি মনীষিণঃ ॥৫৪॥

ঐখোয়গী থাম্মাবদা হায়নীংঙাই লৈতদ্রা চৈনা পীরি। জাজলি! অদুম্না হায়ররবা ঋষিশিং অদুবু নহুষনা লৈশি লৈখোন্দুনা হায়জদুনা মশাগী মরানদু কোক্পিনবা হায়দুনা, থাগংখি। অদুগী ভুংদা পুকচেল চাউ-রবা ঋষিশিং অদুনা নহুষনা তৌখিবা পাপ অদু লায়না (রোগ) চামগা অমা থোক্না লৈবগী মওংদা ওই-হন্খিদুনা জীব পানবা পুম্নমকী মথক্তা থোন্গংখি। ঋষিশিং অদুনা অমুক নিংথৌ নহুষতা অদুম্না হায়খি, "নিংথৌ! নহাক্তি ভ্রূণহত্যা (গর্ভদুংগী জীব হাৎপা) হায়বা কুকর্মদু তৌখ্রে। অদুনা ঐখোয় নহাক্কী যজ্ঞ যজ্ঞ অসিদা হবিষ্যনা আহুতি পীররোই ॥৪৯—৫০॥

অদুম্না হায়রবদা তত্ত্ব পুম্নমক্ খঙলবা ঋষিশিং অদুনা তপস্যাগী শক্তিদুনা, নহুষনা তৌখ্রিবা পাপ-কর্ম অদু অজ্ঞানকৃত (খঙহৌদনা তৌখিব) নি হায়রসি খঙখি। অদুম্না খঙখিবনা মখোয় পুম্নমক্কী অশাউবা মুংঙাইতবদু শান্ত ওইখি—নেমখি ॥৫১॥ জাজলি! ব্রাহ্মণ! অকিদগী নমক ওইরবা পাপ পুননীংঙাই ওইরবা, কর্ম অমদি আচরণ করা করা জগৎ অসিদা উনা রানা থুমদুনা চৎনরি—তৌনরি। তৌনরিবা চৎনবিবশিং অসি অয়াম্বদি মমা তৈওগী চৎন-তৌনরক্ট হায়না রাখল অসিদগী তৌনখিবনা অয়াম্বনি। মীনা ওক্নীংঙাই ওইবা, কিনীংঙাই ওইবা, থাগৎনীংঙাই ওইবা তপস্যা মতৌ অসি মুনি ঋষি যোগী করানা মমাংতৈদগী তৌনরক্লি হায়বগী রাখন্দা ব্রাহ্মণ নহাক্না তপস্যা অসি তৌরি। চৎমরক্রবদু মখোয়সিদা করি করি দোষ লৈবগে হায়বসি নহাক নশানা মহজ্ঞনী অমা ওইরবা কাওবদা থমজিন্ তৌনরিবা অমদি নহাক্না তৌজরিবা তপস্যা, অদুনা করি দোষ লৈখিদনা নশাদা অহঙ্কার লাকখ্রিবনো হায়বসি তপস্যা তৌরিবা তপস্বী নহাক্না নশাদা খন্থদে ॥৫২॥ "ঐনা তৌখিবা কর্ম অসি করি হেতু (কারণ মরম) লগীনো, মসিদগী ওইরকাবা মহৈনা করনো?" অদুম হায়না মুম্না খন্থরবা থবকপু তৌরবদি তৌগদবা লৈরবদি নহাক্না লৌনিংবা চৎনিংবা ধর্ম অমা অমদা দীক্ষা লৌগদবনি। মীনা তৌনৈ হায়দুনা নশামদি তাব ঈতা তাদনা মীতাংবনা শমজিংওগুম থক্ চৎকাক্লবনি। জাজলি! তৌজিক ঐগী মরমদসু ষরা হায়রগ তাও। ঐবু কুরবা চৈরক, অদুগা থাগৎলিবা মীশক অনীমক্ ঐঙোন্দদি খেন্নবা ঈমান্ মাম্না থোকই, খেন্নবা লৈতে। মীশক অনীদুগী মথুংদা ঐগী চাম্নবা মরূপ, অদুগা রেরুবা কনামত্তা য়াওদে। য়াম্না কুপ্না নৈনবা অশিংবশিংনা, অসিগুম্বা ধর্মবু য়াম্না থাগৎনৈ ॥৫৩—৫৪॥ য়াম্না যুক্তিযুক্ত ওইবা রা

উপপত্ত্যা হি সম্পন্নোমতিভিশ্চৈব সেব্যতে। সন্ততং ধর্ম্মশীলৈশ্চ নিপুণেনোপলক্ষিতঃ ॥৫৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি তুলাধারজাজলিসম্বাদে সপ্তপঞ্চাশদধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৫৭॥

——:(‡):——

হায়বনু অসিনি। অসিগুম্বা ধর্ম অসি যতি যোগীশিংনসু সেবন তৌনরিবনি। ধর্মাত্মা ওইবশিনো রাম্মা বিচার তৌরগা অসিগুম্বা ধর্ম অসি অনুষ্ঠান তৌনখ্রিবনি ॥৫৫॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা তুলাধার-জাজলি সংবাদদা চনীয় খিতরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৫৭॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টপঞ্চাশদধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(জাজলিদা তুলাধারনা আত্মযজ্ঞগী মরম তাকপা)

চনীগা য়াঙ্খেনিপালশুবা অধ্যায়

——:(ক):——

জাজলিরুবাচ ॥

অয়ং প্রবর্ত্তিতো ধর্মস্তুলাং ধারয়তা ত্বয়া। স্বর্গদ্বারং চ বৃত্তিং চ ভূতানামবরোৎস্যতে ॥১॥

কৃষ্যান্নং প্রভবতি ততস্ত্বমপি জীবসি। পশুভিশ্চৌষধীভিশ্চ মর্ত্ত্যা জীবন্তি বানিজ ॥২॥

জাজলিনা হায়— মহাশয় বনিক। নহাক্না নখুত্তা থল পায়দুনা থল তম্না তাম্না পোক্নে রাম্না য়োম্না ধর্মগী উপদেশ পীরি। নহাক্না তৌরিবা 'সুম্না তৌরবদি স্বর্গগী খোঙ পুম্নমক থিংখ্রগনি। অতে অতৈ বনিক (লয়েন ঈতৌক তৌবা) শিংগী জীবিকাসু লোইনা কক্থগনি ॥১॥ বৈশ্যগী জাতিদা পোক্লবা লৌ উরবতদা, লাঙ্গোল্লা পৃথিবী তৌথাবরবতদা, অন্ন (ফৌ-চেঙ) থোকই হায়বসি কাওবদি নহাক্না থঙকম থোকই— থঙগদবনক ওই। মাতুমত্তনসু নং হৌজিক কাওবা ঙিংদুনা লৈরিবনি। ফৌ-চেঙ মহৈ-মরোং অমদি শাশিংতনা তাইবং মীওইবগী চাক্লাক্ অমদি জীবিকা ওইনরিবনি ॥২॥ হায়রিবা ফৌ-চেঙ শাশয়চিংবা

ততো যজ্ঞঃ প্রভবতি নাস্তিক্যমপি জল্পান। ন হি বর্ত্তেদয়ং লোকো বার্ত্তামুৎসৃজ্য কেবলম্ ॥৩॥

তুলাধার উবাচ ॥

বক্ষ্যামি জাজলে বৃত্তিং নাস্মি ব্রাহ্মণ নাস্তিকঃ। ন যজ্ঞং চ বিনিন্দামি যজ্ঞবিত্তু সুদুর্লভঃ ॥৪॥

ন বো ব্রাহ্মণ যজ্ঞায় যে চ যজ্ঞবিদো জনাঃ। স্বযজ্ঞং ব্রাহ্মণা ক্ষত্রযজ্ঞমিহস্থিতাঃ ॥৫॥

লুব্ধৈর্বিত্তপরৈর্ব্রহ্মন্ নাস্তিকৈঃ সম্প্রবর্ত্তিম্। বেদবাদানবিজ্ঞায় সাত্যাভাসমিবানৃতম্ ॥৬॥

ইদং দেয়মিদং দেয়মিতি চায়ং প্রশংস্যতে। ততঃ স্তৈন্যং প্রভবতি বিকর্মাণি চ জাজলে ॥ ॥

যদেব সুকৃতং হব্যং তেন তুষ্যন্তি দেবতাঃ। নমস্কারেণ হবিষা স্বাধ্যায়ৈরৌষধৈস্তথা ॥৮॥

পূজা স্যাৎ দেবতানাং হি যথাশাস্ত্র নিদর্শনম্। ইষ্টপূতাদ সাধুনাং বিগুণা জায়তে প্রজা ॥৯॥

অসিতনা যজ্ঞকর্ম পূন্নমক পাওথোক্কদবনি— পাওথোক্করিবনি। তুলাধার! নহাক্কি নাস্তিক ওইবগী য়াওাতন্নু তাওলি। শল ইরোইনচিংবগী অরাবত্থ থন্দুনা, সম্পোৎ থোইত্রবদি, লৌ থোইত্রবদি সংসার পুম্বগী জীবিকাসু মুংপ্রগনি ॥৩॥ তুলাধারনা হায়— জাজলি! হিংসা য়াওদবা জীবিকাশিংতু ঐ হায়জগে ব্রাহ্মণ! ঐ নাস্তিক নত্তে, যজ্ঞগী নিন্দাসু তৌজদে। অদুগা যজ্ঞ তৌবগী থাক্সেংশেংব ত্তত্বতু থওবা মীসু য়াম্না তাওতি ॥৪॥ ব্রাহ্মণ! ব্রাহ্মণশিংগীদমক্ত', হেদবিধান তৌগ্রবা যজ্ঞহৌদি ঐনা হন্না হন্না থুরুমজরি। অদুগুমনা যজ্ঞগী ত্তত্ববু মুন্না থওবিরিবা ব্রাহ্মণশিংদুগী মথোওদা হন্না হন্না মথোও শোক্লা থুরুমজরি। অদুবু অরাবদি মতম অসিগী ব্রাহ্মণশিংনা মশাগী তৌগদবা থবকশিং অদুদি তৌদনা ক্ষত্রিয়যজ্ঞতদা পুক্নিং চঙনরি ॥৫॥ শেল তান্বা অমদি শেল ফংননবগী থবক্কদা পুক্নিং চঙনগ্রবা যাজ্ঞিকব্রাহ্মণশিংনা বৈদিকযজ্ঞশিংগী ত্তত্ব মুন্না থওদবনা, মপানগী কুবক্কদা যজ্ঞগী মওং মান্বা মিথ্যাযজ্ঞ কয়া কয়াগী প্রচার তৌরি ॥৬॥ জাজলি! অসিগুম্বা থবক (অনুষ্ঠান) অসিগীদমক অসিগুম্বা দক্ষিণা অসি তৌফম থোক্কই, অদুগুম্বা থবক অদুগীদমক্লা অদুগুম্বা দক্ষিণা অদু তৌগদবনি··· অসুম্না শ্রুতি স্মৃতিদা হায়রি। অদুগা, অসুম্না তৌরবদি কয়িগুম্বা অমনম্ থাংগৈশেংবা যজ্ঞ অদুম ওইবা য়াই হায়বা মকম অদুগা কনাগুম্বা লোভী যাজ্ঞিক, পুরোহিত ব্রাহ্মণ অমনা য়াম্না লৌগদগী য়াম্না হায়জিন্নবদি যজ্ঞকর্ত্ত ব্রাহ্মণ অদু হুরানবগী দণ্ড (দণ্ডি) অমদি পাপ পুই ॥৭॥ সাত্ত্বিক ওইবা অকবা কর্মগীদমক্তা খোমজিন্ পৈশিনখিবা হবিষ্য অদুনা হোম তৌরবদি দেবতা পূন্নমক্লা পেল্লি। শাস্ত্রনা হায়বগী মতুংইন্না অমা অমা থন্দনা থুরুমজবা, স্বাধ্যায় (লাইরিক তম্বা, নৈনবা), নত্রগা অম্ন (অচাথক্) মথোয়সিতনসু দেবতাশিংগী পূজা অদুম তৌনৈ ॥৮॥ অপাম্বগী মথা পোন্খিদুনা হায়বদি মিংচৎনচিংবা কংনিংবগী মথা পোনখিদুনা যজ্ঞ তৌরিবা, ময়ামগী পুত্রী তৌরিবা, মীয়ামগীনি হায়দুনা হৈকোল লৈকোল শেম্নিবা, গুহা তৌরিবা অদুগুম্বা ধর্মগীনি হায়দুনসু সকাম তোগতা অসাধু ওইবা মীশিংদুগী মচা মশুদি গুণ লৈতব (চন্দবা) হায়বদি নাপল তৌবা থোয়চৎনবা, তাওচৎনবা ওইনা পোকই ॥৯॥ *

---

* দানধর্ম য়াম্না তৌহনসু, বিত্তা য়াম্না হৈদুনসু তৌরিবা দান, তৌরিবা যজ্ঞ, হৈরিবা বিত্তা অদুনা মশাদা

লুব্ধেভ্যো জায়তে লুব্ধঃ সমেভ্যো জায়তে সমঃ। যজমানা যথাঽত্মানমৃত্বিজশ্চ তথা প্রজাঃ ॥১০॥
যজ্ঞাৎ প্রজা প্রভবতি নভেসোঽম্ভ ইবামলম্। অগ্নৌ প্রাস্তাহুতির্ব্রহ্মন্নাদিত্যমুপগচ্ছতি ॥১১॥
আদিত্যাজ্জায়তে বৃষ্টিঃ বৃষ্টেরন্নং ততঃ প্রজাঃ। তস্মাৎ সুনিষ্ঠিতঃ পূর্ব্বে সর্ব্বান্ কামাংশ্চ লেভিরে ॥১২॥
অকৃষ্টপচ্যা পৃথিবী আশীর্ভির্বীরুধেঽভবান্। ন তে যজ্ঞেষ্বাত্মসু ব ফলং পশ্যন্তি কিঞ্চন ॥১৩॥

লোভী ওইবনা লোভী পোকই। সমদর্শী (চপ মান্নবা উওবা মী) না সমদর্শী পোকই। পুরোহিত যজমান্না ওইরিবা কীবম মওং মতুংইন্না পোক্লিবা প্রজা অবদি মহৈশিং অহুসু মওং কীবম অহুম মওই। (বিবাহদা পুরোহিত ঐনা যজ্ঞ তৌরি যজমান (বর) ঐনা যজ্ঞ তৌহল্লি, অসুম্ন খন্নবিবা অনীহুনা পোক্‌-হল্লিবা মচা (প্রজা) অহুসু "ঐ" হায়বা অহঙ্কার অহুগা কোন্নবা অহুম ঃপোক্লকই।) ॥১০॥

অমকুপা অমোৎপা য়াওন্নবা আকাশদগী মকত্রবা ঈশিংদা চুথরকপতুগী মতৌগুম্বা অমোংপা য়াওন্নবা শেংলবা রাখলগ লোয়ননা তৌখিবা যজ্ঞ অমদি ধর্মগী অনুষ্ঠান অমদগী মতীক্ চারবা মচা পোকই। ব্রাহ্মণ। মৈদা শেংনা বিধি কায়দনা তৌখিবা—কৎখিবা আহুতি অহু সূর্য্যমণ্ডল তান্না কা ৎখি। সূর্য্যমণ্ডলহুদগী ঈশিং ওইনা খীকৃথরক্ই। ঈশিংহুদগী অন্ন পোকই। অন্নদগী প্রজা (মচা) পোকই। প্রজাহুদগী শৈল্লাক অমহুনা অমুক্ ওইখি ॥১১॥০॥ মমাংঙৈগী মীশিংনা করিগুম্বা কামনা অমতা থমদনা তৌদবা ব্রাদবা মথৌ অমগুম্বা যজ্ঞ তৌনরম্মি। মতুংদা মশানা অপাম্বা পোংশকৃশিং অহু মখা মশানা অহুম মরাক্‌চৈ। লৌবুক

থোরবা নাপল মী উশিত্তবা অসিনচিংবা পোকহনশিহুনা দাত ওইরিবা, বিদ্যাবান ওইরিবা মশামক নাপল তৌবা, থোরবা, কেজ মোজবা লেমথোকপা, মঙেন্দগী হক্কৈ হায়ন খল্লিবশিং অহুগা কৌননিংলবা মীশক্ ওইরবদি মতাক্ অহু বিগুণ (নির্গুণ হায়বদি গুণ কংমতা লৈতবা মীনি, তোল্লবনি হায়ন শাস্ত্রশাস্ত্র-শিংনা লৌনৈ। মরমদি অহুগুম্বা মীশক্গী হকচাংগুংদা লৈরিব অ'াত্মাহু অশেংবা আত্মা নত্তে, শেংদবা অমোৎ-পনা কুপ্পবা অমম্বদ মায়াদা তাউবা অনাত্মানি। চাউবা পীকপা, নেম্বা রাংবা, হায়বসি আত্মাগী গুণ নত্তে। মরম অহুনা অহুগুম্বা গুণ লৈতবা অনাত্মা অহুসু অনাত্মাহুনা লৈরিবা মপানগী গোপাল, শ্যাম কৌশিল্লিবা হকচাং অহুসু অনীমক নির্গুণ (গুণ লৈতবা অপওবা) তারে। অহুনা জাজলি! নংদি নত্তোন্দা লৈরিবা আত্মাহুগীদি ঈরেং য়েংদে, ঐ সিদ্ধ ওইরে ঐ অচৌবা তৌবগুম্বা, ঈশিংলুংদা লৈগুম্বা, আকাশদা পাইগুম্বা তপস্বী যোগী ওইরে হায়না নংনা নাপল তৌরি। জাজলি কৌবা হকচাং 'নুংদা লৈরিবং আত্মা মহাক্তি লৈপাক ঈশিং লুংশিং আকাশ মৈনচিংবনা শারিবা হকচাংলুংসিদা মতৌশাদগী অহুম মরৈরক্লিবনি। করি অমুক হেন্দোকপা লৈরি? আত্মা মহাক্তি মতৌশাদগী সিদ্ধ ওইহুনা অহুম মরৈরিবনি। হায়রিবসিনা তপস্যা তৌগনু, দান তৌগনু, যজ্ঞ তৌগনু হায়রব নত্তে, য়ান্না তৌগদবনি। সিদ্ধপুরুষ ওইরে, অহৈবা ওইরে জ্ঞানী ওইরে অসুম্না হায়নু হায়রত্তনি। মাত্র হেক্ হায়বদা আত্মাগী মশাদা অহঙ্কার হায়বহু হেক্ লাকনি। অহঙ্কার অহু কোক্ত্রিবথৈ সিদ্ধপুরুষ ওইত্রি, যোগী ওইত্রি, বিদ্বান্ ওইত্রি, সত্য ওইত্রি। অহুগুম্বা মীশক্হুনা জগত্তা শান্তি কংবা ওন্নোই। অহুনা নহাক্না অমদগী অমদা কোয়চেল চেল্লি। নহাকী অহুগুম্বা তপস্যাদি ঐসু মত্তৌরি। ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়নচিংবগী মথৌশিং অহুদা কল্লকপা মিহৌবা তৌকপনা ঐগী জাতি ধর্ম ব্যবসায় অসিদা তপস্যা তৌরি। (কালাচাঁদ)

শঙ্কমানাঃ ফলং যজ্ঞে যে যজেরন্ কথঞ্চন। জায়ন্তেঽসাধবো ধূর্ত্তা লুব্ধা বিত্তপ্রয়োজনাঃ॥১৪॥
স স্ম পাপকৃতাং লোকান্ বেদশুভকর্ম্মণা। প্রমাণমপ্রমাণেন যঃ কুর্য্যাদশুভং নরঃ॥১৫॥
পাপাত্মা সোঽকৃতপ্রজ্ঞঃ সদৈবেহ দ্বিজোত্তম। কর্ত্তব্যমিতি কর্ত্তব্যং বেত্তি বৈ ব্রহ্মণোভয়ম্॥১৬॥
ব্রহ্মৈব বর্ত্ততে লোকে নৈব কর্ত্তব্যতাং পুনঃ। বিগুণং চ পুনঃ কর্ম্মজ্যায় ইত্যনুশুশ্রুম॥১৭॥
সর্ব্বভূতোপঘাতশ্চ ফলভাবে চ সংযমঃ। সত্যযজ্ঞা দমমখা অলুব্ধার্থ তৃপ্তয়ঃ॥ ৮॥

ইংথোম্নচিংবহ্ খোইদোক্তনা— খোইক্ল-লাকউবা তৌদনা, মক লংশিল্লুবগা মতীকচাবা কৌ-চেঙনচিংবা অহুম মপী। জগংকী কান্ননবগীদমক্তা হৈপাল-লৈপাল পুন্নক্না মহৈ ম রাং লৈ-শূনচিংবা মরাঙ কান্না পী। মথোয়দি যজ্ঞ তৌবা মতমদা যজ্ঞ অহুনা পীগদৌরিবা মহৈ অদোমদা থক্ য়েংশিল্লুদে। যজ্ঞ তৌরগা নত্রগা তৌরিবা যজ্ঞসিগুম্বদগী কন্নিগুম্বা মহৈ অমা ফংনখিবা লৈত্রা নত্রগা ফানিলিবা মহৈ অসিবু ফংগত্রা হায়না চিংন চিংননা যজ্ঞ তৌরিবা মী (যজমান—পুরোহিত) অদো মহা ধনলোভীনি, মরৈ-মরা চাউবনি, মবুকচেল কত্তবনি॥১২—১৪॥

ব্রাহ্মণ অখোইব ! জাজলি। বেদগী প্রমাণনু হায়বদি মশানা ঈচুম্ চুম্না জাজবা রাবু, প্রামাণিত নত্তে, পুঙহায় হায়জবনি হায়দুনা কুতর্কনা অরেম্বদা তাংনুগদবগী তোংনরিবা, নাস্তিক মহাক্কী বুদ্ধি অদো মাংলবা—মাঙলবা বুদ্ধিনি। বুদ্ধি অদুদা লৈরিবা পুরীং অদুম্ব পাপকর্ম্মরোমতদা চঙশিল্লি। মাদুগী মহৈনা মহাক অদু তোল্লবা যোনিদা, হায়বদি--তোল্লবা মপোক্তা পোক্লুই॥১৫॥ ॥ অফবা মতীকচাবা কর্মবু মশাগী মথৌনি হায়না খল্লিবা, অদুগা মাদু তৌগদ্রা কন্নি দোষ পাপ লাকনগে হায়না অকিবা মিপাংবা পোক্লিবা, অদুগা মহাক্কী মমীত্তা, হোম তৌরিবা মন্ত্র শোল্লিবা ব্রাহ্মণ, মন্ত্র, যজ্ঞবেদি, মৈ··· পুম্নমক অসি তোঙানদা লৈরবসু নত্রগা পুন্নপ অদুম্ব ব্রহ্ম মাঙগী মশাক্কি হায়না খাল্লবা খঙলিবা মহাক্ অহুতনা অশেংবা ব্রাহ্মণনি॥১৬॥০॥ ব্রাহ্মণ! ঐনা অসিগুম্বা অমসু তায়- তৌরিবা তৌগ্রবা কন্নিগুম্বা অমা রাংপদগী মগুণ লৈতবা কাংত্রমা কর্ম্ম অমা ওইনা তাগ্রবদি অদুগা তাগ্রবসু নিষ্কাম ভাবত— মহৈ পাম্মুদনা অদুম তৌথদুনা লৈগ্রবদি মহামঙ্গলগী মশক ওইবা মঙ্গল পীনহৈবা কর্ম্ম অমা ওইরকই। নিষ্কাম ভাবতা তৌরিবা যজ্ঞনচিংখা কর্ম অদুদা কন্নিগুম্বা, অমাংবনি হায়না খনবা হুই তৌদোংনা শোক্লরবসু মনম্ন-চিংবা নমথ্রবসু পুক্লীংদা চিংনবা খুংগোইতবনচিংবা বাধা অমা লাক্লবসু কর্ম অদুদি থক্ মাঙবা মাংবা লৈতে। অখোইবা কর্ম ওইনদুম্ অদুম মরৈ। অদুনা কর্ম পুন্নক্তা নিষ্কামভাব থমগদবনি॥১৭॥০॥ *

---

* নিষ্কাম-ভাবতা— মহৈ পামদনা তৌরিবা কর্ম অদু সাক্ষাৎ (মীংনা উবা) ব্রহ্মাগী মশক্কি, ব্রহ্মনি। অদুগুম্বা যজ্ঞনচিংবা কর্ম অদুদা বাধা (য়ৈগায়বা) লাকপগী মশক ওইনা, অমাংবনি থম্নব্য শা উটেক্না শোক্লরবসু কর্ম অদুদি থক্ মাঙবা মাংবা অনীমক লৈতে— ওইদে। অমাংবা অশেংবা হায়রবসি সকাম ভাবনাদগী পোকখিবা ওাক্তনি। অহানবদা, সঙ্কল্পদা মহৈ অসি ফংননবগী দমক্তনি, ঐগীনি, মাগীনি হায়না

উৎপন্নত্যাগিনঃ সর্ব্বে জনা আসন্নমৎসরাঃ। ক্ষেত্রক্ষেত্রজ্ঞ তত্ত্বজ্ঞাঃ স্বযজ্ঞ পরিনিষ্ঠিতাঃ ॥১৯॥
ব্রাহ্মং বেদমধীয়ন্ত স্তোষয়ন্তাপরানপি। অখিলং দৈবতং সর্ব্বং ব্রহ্ম ব্রহ্মনি সংশ্রিতম্ ॥২০॥
তৃপ্যন্তি তৃপ্যতো দেবাস্তৃপ্তো তৃপ্তস্য জাজলে। যথা সর্ব্বরসৈস্তৃপ্তো নাভিনন্দতি কিঞ্চন ॥২১॥

য়াম্না কুইরবা মমাংতৈগী মীশিংনা অচুম্বা ভাওবা কৌবা অহুগা ইন্দ্রিয় থুহ্মচনবা কৌবা যজ্ঞ অনীসি লুমিং খুদিংগী অনুষ্ঠান তৌনরম্মী। মীওইবা মহাক্কী থাঙ্গৈশেংবা উদ্দেশ্যদি মুক্তি (অরানবা থুত্নম কংবা) তনি হায়না লেপ্পতুনা মুক্তি হা বসিগী-ত লাক্তী ওইরম্মি। লোকতা চংনরিবা শেল-থুমগী মশক ওইরবা লল্ অসি কংনবগীদমক্ থোইদোক্না থম্লরগদে। হাচরিবা লন থুমগী মায়ৈগে সোমদদি মখোয় লুমিংচুম্না ঈপেন্থ পেন্নহুন. লৈরম্লবনি। কংগুক্ কংগুক্পা মপানগী পোশকৃশিং অহু খুদক্ত থোক্ থোক্ থাদোক্লরম্মি ॥১৮॥ মতম অহুদা মখোয় অয়াম্বা ক্ষেত্র (হকচাং) অহুগা ক্ষেত্রজ্ঞ অম্মা) অনীসিগী তত্ত্ববু যুম্ন খঙজবমক ওইরম্মি। আত্মাগী মরমদা উপনিষদ নচিংবা ধর্ম্মগ্রন্থশিংবু তম্বা নৈনবা তম্বিবা হায়বসিমক্তনা মখোয়গী মখো ওইরম্মি। মাগী মাগী মনাক্তা লৈজরিবা শেল থুমনি থওনারবা পোং অহুতদা পেন্নুনা লৈহুনা অতোপ্পশিংবুসু মাগী মাগী লৈজরিবা অহুতনা পেন্নাহুনা পুনাশ লেম্লনবা লন্দী অমদি পাউতাক পীনরম্মি /১৯॥০॥ ব্রহ্ম হায়বসিনা খোখোপ্পগী মরুনি। লাইশিং পুম্নমক্কী মপৈনা ব্রহ্মাহুগী সাকর মূর্ত্তিনি। হায়রিবা ব্রহ্ম কৌবা দেবতা অসি, ব্রাহ্মণশিংগী দেহহুংদা লেঙদনা লৈ। * মরম অহুনা জাজলি। হায়রিবা ব্রহ্মসিনা তৃপ্ত ওইনা, পূর্ণ ও হুনা লৈরবতদা দেবতা পুম্নমকসু ঈপেন্থ পেন্দুনা লৈ ॥২০॥

চাক চেঙ্গাং মথেল মথল মথলগী মহাও মথল মথা চাহুনা পুক্ থল্লবা, পেল্লবা তুংদা মাহুদগী চেন্না হাওব চেঙ্গাং অমা পুবরুবসু চানীংদবহুগুম্না জ্ঞানগী মশক্ ওইরবা অমৃতবু থকপ চাকংবা মী মহাক্নুনা

থন্দুনা কর্ম অহু তৌগ্রবসু কর্ম অহু তৌগ্রবা মতুংদগীদি ওসাইগী সঙ্কল্প অহু পুনথা থাদোক্লগদবনি। নিষ্কাম কর্ম ওইহনগ্রগদবান। নিষ্কাম ভাবনাদা তৌবা কর্মদি ব্রহ্মগী মশক্লিনা (কর্ম ব্রহ্মোদ্ভবং বিদ্ধি) অহুগা অশেংবা ব্রহ্ম অমাংবা ব্রহ্ম হায়বদি লৈত্তবনিনা, অশেংবা কর্ম মহাক্তি শেংহুনা অহুম্মক্ মরৈগনি। (অরৈবহুদি লৈহুনা চুম্মক মরৈগনি। লৈতবহুদি লৈত্তবা ওইহু। চুম্মক্ লৈগনি।) শোক নম্লরিবহু মপানগী অরানবা কুয়োম উনশাহুনান হুইগী দেহহুংদা লৈরিবা পরমাত্ম - ব্রহ্ম অহুন নত্তে। মহাক্কবু থেংবিশোকশিন্নরবদি হেন্নহুম কবে। অহুবু অশেংবা অচুম্বা ভাবনাদা ওইহনবা য়াবা কর্ম্মসি নিষ্কাম-কর্ম্মতনি। সংসারাসদি অশেংবগা অমাংবগা, জীবগা হকচাংগা, তোঙান্না লৈনরিবা অনী অনী সিগুম্বত্তনা শাথিবনা অমা বতগা লোয়ননা লৈরিমা সাংসারিক-কর্ম মক্তনি। অহুগুম্বা সাংসারিক কর্ম অহুবুনি সকাম-কর্ম হায়রিবসি। অহুনা থবক খুদিংমক নিষ্কাম ভাবতা তৌগদবনি।

* হায়রিবসিগী ভাবতি সিদ্ধি কংননবনি, সিদ্ধি ওইননবনি, মুক্তি কংননবনি, মাগী পেন্ননগীদমক্তনি হায়না অসিনচিংবা রাথনা তৌরিবা কর্মমথৈ, হায়বদি— সঙ্কল্প য়াওবা কর্ম্মমথৈ সকাম কর্ম্মনি। মসিমদি মশানা মাংবনি। মত্তোক্লা অমাংবনি হায়না থল্লিবা পোশক মমনা শোক্লরগা অমুক্ চেঙ্গিপা মাথখিগদবা নত্তে। মপান্দা থেংলবনি হায়না থগুরিবা হকচাং তুংতুদা মপান্দা খিত্তুং থেংলকপদা মাংই হায়না হায়গদমা পোশক্ করা করা লৈরি। অংনা অশেংবা অমাংবা হায়বসি মশানগী রাতনি। সকামকর্মতদা শীঞ্জিনবান। (কালাচাঁদ)

তথা প্রজ্ঞানতৃপ্তস্য নিত্যতৃপ্তিঃ সুখোদয়া। ধর্ম্মাধারা ধর্ম্মসুখাঃ কৃৎস্নস্য ব্যবসিতা তথা ॥২২॥
অস্তি ন স্তব্ধো ভূয় ইতি প্রাজ্ঞস্ত্ববেক্ষতে। জ্ঞানবিজ্ঞানিনঃ কেচিৎ পরং পারং তিতীর্ষবঃ ॥২৩॥
অতীব পুণ্যদং পুণ্যং পুণ্যাভিজনসংহিতম্। যত্র গত্বা ন শোচন্তি ন চ্যবন্তি ব্যথন্তি চ ॥২৪॥
তে তু তং ব্রহ্মণঃ স্থানং প্রাপ্নুবন্তীহ সাত্ত্বিকাঃ। নৈব তে স্বর্গমিচ্ছন্তি ন যজন্তি যশোধনৈঃ ॥২৫॥
সতাং বর্ত্মানুবর্ত্তন্তে যজন্তে চাবিহিংসয়া। বনস্পতীনোষধীশ্চ ফলং মূলং চ তে বিদুঃ ॥২৬॥
ন চৈতানৃত্বিজো লুব্ধা যাজয়ন্তি ফলার্থিনঃ। স্বমেব চার্থং কুর্ব্বাণা যজ্ঞং চক্রুঃ পুনর্দ্বিজাঃ ॥২৭॥

নিত্যসুখ (লেডনা মুক্তাইব) বু ফাঙ্গনিনা, অতোপ্পা অমনা অমুক পেন্নরাংগায় ওইরে। চুমিংচুম্না ঈপেন্ত পেন্দুনা অংম মরৈরে ॥২১॥ হায়ত্তিবা মীওকশিং 'সিঙ্গুরগী মঙ্গলেন্ত, অসিগুম্না মীওকশিং থম্না অমুক্ লৈরি, মখোয় অদুদি ধর্ম্মগী আচরণ তৌবতনা অতুম খপেনবা হায়বত্ত অতুম মওইরে। মখোয় অদুদি পুনশিংগী মনুংদা মপুংফানা তৌগদবা মখোং (কর্ত্তব্য), তৌরোইদবা — তৌবা তৌনদবা (অকর্ত্তব্য) হায়বদু নিশ্চয় তৌদুনা লৈরবনি। অদুবু জাজলি! ব্রাহ্মণ! হায়রিবা কর্ত্তব্য অকর্ত্তব্য অদুগী চেনবা চাত্তরবা সর্ব্বব্যাপক (মকম পুম্নমক্তা শীন্ থুংনা লৈবা) পরংব্রহ্ম পরমাত্মা হায়বা অমা বিরাজমান ওইদুনা লৈরিদো। অসুম্না জ্ঞানীশিংনা খঙনৈদো ॥ ২২॥ তাইবং ঈপাসরু সাত্ত্বিকশিংনা, জ্ঞানী ওইবা মহাত্মা-শিংনা থোইদোক্না লেংলবা পবিত্র ওইরবা, পুণ্য চেল্লবা মীশিংনা চানরবা চানরগা শিনরম্না ফংনখিবা ব্রহ্ম লোক অদুবু ফংনখি। অদুগুম্বা লোক অদুদা যৌরবদা কনিগুম্বা মথলগী অরাব, কনিগুম্বা মথলগী অরাংপা হায়বা অমত্তা মখোয়দা লৈখিদ্রে। মাদুদগী হন্নবা লোক অমদা অমুক্ চুমথাক্ত্রে লাকদ্রে। মখোয়গী পুক্নীংদা কনিগুম্বা অরাবা, চেকথবা, অরাংপা অমত্ত লৈখিদ্রবনি ॥ ৩— ৪॥

অদুগুম্বা সাত্ত্বিক ওইবা মহাপুরুষশিং অদুনা, অদুগুম্বা হায়রিবা ব্রহ্মধাম অদুবু ফংখি। মখোয় অদুগী পুক্নীংদা স্বর্গ ফংননবগী, মিংচৎ লৌচিংবা কনিগুম্ব ইচ্ছা—কামনা (অপাম্বা) অমত্ত লৈখিদ্রবনি। যজ্ঞ পাননচিংবা ধর্ম-কর্মগী অনুষ্ঠাননি হায়দুনসু, শেল ফংননবা, মিংচৎ ফংননগীদমক্ত ওইরবদি অমত্তা তৌখি-দ্রবনি। মপানগী সংসারদা উরিবা—লৈরিবা হৈপাল লৈপাল, উবা পুম্নমক অসিনা মখোয়গীদি হবিষ্য—(যজ্ঞগী মৈদা থাদনবা অহ) হায়বদু অসুম মওইরগনি। লনথুম দান দক্ষিণা ফংলিংবা ঋত্বিক ব্রাহ্মণ পুরো-হিতশিংনা মখোয়গী যজ্ঞ তৌদে, তৌহন্দে। অদুগুম্বা পুরোহিত ব্রাহ্মণশিং অদুগী প্রয়োজন (দরকার) কনিমত্তা লৈতে ॥২৫—২৬॥

ব্রাহ্মণ। জ্ঞানী ব্রাহ্মণশিংনা মশাগী হকচাং থোঙ থুংনচিংবা অদুবু ব্রহ্মযজ্ঞ অদুদা থাদননবা, হোম তৌনবা হবিষ্যনি হায়নহৎ থম্লি। মখোয় অদুনা প্রজাশিংগী কানন নীদমক্তা, হায়রদি— ব্রহ্ম মশোন্দগী পোক্রকপা অচেত্ত জীব-পান্না পুম্নমক অসিগী কন্নবগী দমক্তা চুমিংচুম্না মানসিক (পুক্নীংনা ওইবা) যজ্ঞ অসি তৌদুনা লৈ ॥২৭॥০॥

পরিনিষ্ঠিতকর্ম্মাণঃ প্রজানুগ্রহকাম্যয়া। তস্মাত্তানৃত্বিজো লুব্ধা যাজয়ন্ত্যশুভান্নরান্ ॥২৮॥
প্রাপয়েয়ুঃ প্রজাঃ স্বর্গে স্বধর্ম্মাচরণেন বৈ। ইতি মে বর্ত্ততে বুদ্ধিঃ সমা সর্ব্বত্র জাজলে ॥২৯॥
যানি যজ্ঞাদ্বিহেজ্যন্তি সদা প্রাজ্ঞাদ্বিজর্ষভাঃ। তেন বৈ দেবযানেন পথা যান্তি মহামুনে ॥৩০॥
আবৃত্তিস্তস্য চৈকস্য নাস্ত্যাবৃত্তির্মনীষিণঃ। উভৌ তৌ দেবযানেন গচ্ছতো জাজলে যথা ॥৩১॥
স্বয়ং চৈষামনডুহো যুজ্যন্তি চ বহন্তি চ। স্বয়মস্রাশ্চ দুহ্যন্ত মনঃ সঙ্কল্পসিদ্ধিভিঃ ॥৩২॥
স্বয়ং যূপানুপাদায় যজন্তে স্বাপ্তদক্ষিণৈঃ। যস্তথা ভাবিতাত্মা স্যাৎ স গামালব্ধুমিচ্ছতি ॥৩৩॥
ওষধীভিস্তথা ব্রহ্মন্ যজেরংস্তেন অদৃশাঃ। ইতি ত্যাগং পুরস্কৃত্য তাদৃশং প্রব্রবীমিতে ॥৩৪॥

অনিত্য ওইনা মীহ অদুগা অশুভ (কায়দবা অমঙ্গল) ওইবা কর্ম্ম অমদি মীহ পাম্বা মী (যজমান) শিং অদুগীদমক্তা ধান দক্ষিণা শন-থুম পাম্ব (লোভী ওইবা) ঋত্বিক্‌শিংনতো মথোইগী পুরোহিত ওইদুনা যজ্ঞ তৌরিবনি। অথোইবা জ্ঞানীশিংদি স্বধর্ম্মগী আচরণ তৌনা তৌনা অদৈ অতেংপা প্রজাশিংনসু স্বধর্ম্মগী আচরণ তৌহন্দুনা মথোযনুসু স্বর্গ কাহল্লি। জাজলি! মাসি ঋন্দুনা হায়রিবশিং অসি কাউদনা ঐসু ঐগী স্বধর্ম্মদা পূর্ণীং চঙদুনা লৈরি। অদুনা ঐগী বুদ্ধি অসি মতম পুম্বদা চপ্ মান্নবা অথোই অহেন নাইদনা মশক হোংদনা লৈরি ॥২৮—২৯॥ মহামুনি! জাজলি! জ্ঞানী ব্রহ্মণশিংনা যজ্ঞদা মচাক্ ওইনা শীজিন্নখিবা সামগ্রী (উপচার—পোচৈ—মচাক্) শিং অদুমক পুদুনা মর্ত্ত্যলোক অসিগী পুণ্যলোকতা চৎলক্লি ॥ ৩০॥

জাজলি! কামনাদা আসক্ত ওইরিবা হায়বদি, অপাম্বা হক্‌চিন্না পূর্ণীং চঙলিবা মীশিং অদুদি সংসারদা অমুকহন্না পোক্লে। জ্ঞানী ওইবা মীশিংদি সংসারদা অমুক্‌হন্না পোক্লরে। হায়রিবা মীশক অনী অসি দিব্যমার্গদগী পুণ্যলোক চৎথিদি হায়রবু মানা মানা তৌখিবা সঙ্কল্পশিং অদুনা লেপ্লখিবদগী অমুকহন্না পোক্‌লবা, অমুক্‌হন্না পোক্লবা হায়বদুদি অদুম নৈ ॥৩১॥ জ্ঞানী ওইবশিংনা মীওইকপা মতুংইন্না, পূর্ণীংদা তৌখিবা সঙ্কল্পশিং অদুগী সিদ্ধিগী মতুংইন্না, শল্লবনা মশানক্তা পাঙ্গীবা পানশিনবগা পোল্লবু মরেংদা থোং-গৎতুনা পুই, অদুগা শঙ্গোম থকপী (শঙ্গোম শুম্বী) শম্বীনা মথন্তা শঙ্গোম শুমথজরগা, ঙসাইগী জ্ঞানীশিং অদুগী যোগসিদ্ধিগী মশক ওইনা শঙ্গোম পী ॥৩২॥ যজ্ঞ তৌগে. যজ্ঞ লিক্কৎকে হায়না পূর্ণীংদা সঙ্কল্প তৌরকপা মতমদা, যোগসিদ্ধ ওইবশিংগীনি মথোয়গী মনাক্তা যজ্ঞধ্বজকাষ্ঠ (যজ্ঞদা য়ুংনবা যুপ্তী) শিংনা মথন্ত অদুম মরাক্‌চৈ। মথন্ত লাকচবা মচাক্‌শিং অদুনা মতীক চানা দান দক্ষিণা তৌবা যজ্ঞ কয়া কয়া হৌলায় লায়না পাঙথোকই। যজ্ঞ ফম্লিবা ঋত্বিক্ ব্রাহ্মণশিং অদুগী মনাক্ মনাক্তা মতীক্ চাবরা ক্ষীরোদ মোন্দুম্‌-চিংবা দক্ষিণাদু মথন্ মথন্তা অদুম্ মরাক্‌চৈ। থশ্মোয় অমদি শর্ম অনীমক্তা সিদ্ধ শুদ্ধ ওইরবশিং অদুনা পৃথিবী মপুম্ অসিবু হৈরায় লায়না কংবা, হায়বদি মথোয়গী মথা পোলহনবা ঙম্মি ॥৩৩॥ ব্রহ্মণ! যোগ-সিদ্ধ ওইবশিংনা মথন্ মথন্তনা লাকচবা হৈ হৈদ, হীদাক-লাংতক, ফো চেঙনচিবা মচাকশিংনা যজ্ঞবু থুদক্ থুদক্তা পাঙথোক্‌পা ঙম্মি। অদুগা মথক্তা অহানবা হায়খ্রিবা কামী লোভী ওইবা অপাঙবশিংদুদি অসিগুম্বা

নিরাশিষমনারম্ভং নির্নমস্কারমস্তুতিম্। অক্ষীণং ক্ষীণকর্মাণং তং দেবা ব্রাহ্মণং বিদুঃ ॥৩৫॥
ন শ্রাবয়ন্ ন চ যজন্ ন দদৎ ব্রাহ্মণেষু চ। কাম্যাং বৃত্তিং লিপ্সমানঃ কাং গতিং যাস্তি জাজলে ॥
ইদং তু দৈবতং কৃত্বা যথাযজ্ঞমবাপ্নুয়াৎ ॥৩৬॥

জাজলিরুবাচ।

ন বৈ মুনীনাং শৃণুমঃ স্ম তত্ত্বং পৃচ্ছামি তে বানিজ কষ্টমেতৎ।
পূর্ব্বপূর্ব্বে চাস্য নাবেক্ষমানা নাতঃপরং তমৃষয়ঃ স্থাপয়ন্তি ॥৩৭॥
যস্মিন্নেবাত্মতীর্থে ৮ পশবঃ প্রাপ্নুয়ুর্মখম্। অথ স্ম কর্মণা কেন বানিজ প্রাপ্নুয়াৎ সুখম্ ॥৩৮॥
শংস মে তন্মহাপ্রাজ্ঞ ভৃশং বৈ শ্রদ্দধামি তে।

স্বতঃসিদ্ধ (মশা মশাস্তদা পাঙংশাকপবা) ওইবা যজ্ঞশিং অসি কপ্তিস্বা মতমদা লিজ্জংপা পঙথোকপা ঙমদে। কর্মগী মহৈ পামদবা মহাত্মশিংদ অসিগুম্বা মাহাত্ম্য (শক্তি) অসি লৈ। মরম অদুনা ত্যাগ (থাদোকপা—কবিমতা পামদবা) হায়বদুবু হান্না মাঙজোননা হৌদোক্লগা মা ভাঙবা হৌখিবনি ॥৩৪॥

পূর্কোংদা লৈত্রবা অশাম্বা মিহৌবা, মহৈসি থন্দনা থবক্ তৌঙম্ব।
থাগৎপা চৈবদা হরাওবা শাউদবা, লৈতবা, ঙমদ্রবা কর্ম্মনা কাজিম্বা,
কর্মগী বন্ধননা কোমথরুকলবা, ধর্মনা মরু চেৎল্লিকলবা,
'ছুগুমবা মীবু লাইরৈবাক্ লায়াম্না— হায়নৈ ব্রাহ্মণ অশেংবা ॥৩৫॥

ব্রাহ্মণ— জাজলি! বেদবু নৈনবা, তম্বা, তস্বিবা যজ্ঞ লিজ্জংপা, ব্রাহ্মণদা অঙম্বা দান তৌবা অসিনচিংবা কর্মশিং আসদি তৌদনা, সংসারগী কেনা মৌবনচিংবা বিষয়ভোগতা পুক্নীং লু থ্রবা ব্রাহ্মণ অদুদি—ফত্রবা থীরবা গতি (পেল্লোং) বু ফংখি। নিষ্কামধর্মবু লাইশিংগী মতৌগুম্না আরাধ্যদেবতাপক্তি হায়না থজরবা মী মহাক অদুদি মরানবা থুঙম (মুক্তি পদবী) বু লায়না ফংবা ঙম্মি ॥৩৬॥ জাজলিনা হংখি—মহাজ্ঞানী বৈশ্য! ঙসি নন ঐঙোন্দা হায়ারবা তাংল্লিব হাসে আত্মজ্ঞানী ওইবা আধ্যাত্মিক যজ্ঞ তৌবা মুনিশিং কনাগুম্বগী কমদগী মুক্তা ভখিদ্রে। তৌবগীদি মসি অরুব বিষয় অমা ওইরম্বা য়াই। মরমদি মমাংডগী মহর্ষিশিংনা মসিগী মরমদা অদুক য়াম্না কম্না নৈনরমদ্রে। লোইনা থঙলবসু মখেয়না, নহাক্না হায়রিবা অসিগুম্না কর্মগী বিচারবু জগত্তা থনমদে, শন্দোক্লমদে। অদুনা ঐনা মসি নত্তোনা হংলিবনি ॥৩৭॥

বৈশ্যগী জাতিদা পোক্লবা! অসিগুম্ব আত্মতীর্থনা, হায়বদি— আধ্যাত্মিক ওইবা তীর্থদা লূপক্লুনা জ্ঞানযজ্ঞ অসিবু তৌবা ঙমদবা অদুগুম্বা পশুশিংনা, হায়বদি মখেও মাং পনবা শাগুম্না জ্ঞান লৈতবশিংনা করম কয়ম্বা কর্ম তৌহুনা সু ওইবা ফংগনি? অদুগা মতৌ করম্না সংসার ঈপাক (সংসারার্ণব) অসিবু লান্— লাম্বোকপা ঙমগনি? মাসি ঐঙোন্দা হায়বু। নহাক্না ডাংলিবশিং অসি তবদা ঐগী থম্মোয়দা শ্রদ্ধা অমা পোকপরে, য়াম্না চেৎনা থাজরি ॥৩৮॥ তুলাধারনা হায়,— দাম্ভিক ওইবা, য়াম্না থোয়বা মীশিংনা তৌরিবা যজ্ঞশিং অদুদা অশ্রদ্ধা—থাজদবা ভিংনবনচিংবা। দোষশিং অসি অদুম মরাওপ্রবনিনা, মথোয়না

তুলাধার উবাচ।

উত যজ্ঞা উতাযজ্ঞা মখং নার্হন্তি তে ক্বচিৎ॥৩৯॥

আজ্যেন পয়সা দধ্না পূর্ণাহুত্যা বিশেষতঃ। বালৈঃ শৃঙ্গেন পাদেন সম্ভবত্যেব গৌর্মখম্॥৪০॥

পত্নীং চানেন বিধিনা প্রকরোতি নিয়োজয়ন্। ইষ্টং তু দৈবতং কৃত্বা যথাযজ্ঞমবাপ্নুয়াৎ॥৪১॥

পুরোডাশো হি সর্ব্বেষাং পশূনাং মেধ্য উচ্যতে। সর্ব্বা নদ্যঃ সরস্বত্যঃ সর্ব্বে পুণ্যাঃ শিলোচ্চয়াঃ॥৪২॥

জাজলে তীর্থমাত্মৈব মাস্ম দেশাতিথির্ভব। এতানীদৃশকান্ ধর্মানাচরন্নিহ জাজলে॥৪৩॥

তৌশিবা যজ্ঞশিং অদু যজ্ঞমক্ কৌবা য়াত্রবনি। অদুগুম্বা মখেয়েদি পুক্নীংতনা তৌবা মানসিক-যজ্ঞ থবক পোচ্চং য়াওনা তৌবা যজ্ঞ দ্রব্যযজ্ঞ কাওবা তৌবা য়াবগী অধিকার লৈত্রবনি। য়াম্না শ্রদ্ধা লৈবশিংনা খী শঙ্গোম, শঙ্গোম্ম শান্নচিংবনা যজ্ঞগী পূর্ণাহুতি তৌই। শ্রদ্ধাদি য়াম্না লৈরগা পোচ্চং লাওবা ওমদবশিংনা শনবু অদুগা মচাক্নী মমৈতংসু শোরগা অদুগা শনগী মচি ঈশিংচুদা পুম্নগা াচুগী চুতনা নত্রগা— মশোঙগী উকুপ-সু যজ্ঞগী পূর্ণাহুতি তৌনৈ॥৩৯ ৪০॥ হায়রবা বিধি অসিনা খী-চিবা দ্রব্যশিংবু কৎন-নবগীদমক্তা শ্রদ্ধা হায়না কৌবী অহুমকপু লেয়নবী ওইনা থনগা যজ্ঞ হায়বা দ্রুমকপু দেবতাগুম থমলগা হায়বদি আরাধ্যদেবতাগুম থম্লগা যজ্ঞমূর্ত্তি ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুবু পেলহন্দুনা মাগী চরণবু কংননবা হোৎনগদবনি। ॥৪১॥ যজ্ঞনা বিধান তৌগ্রবা, হায়বদি যজ্ঞগী মন্ত্রনা শেংদোকুনা, যজ্ঞদা শীজিন্নগ্রবা শন হাযেংনচিংবগী মখোমনা হৌবা শেম্বা তজনচিংবা অম্ম অক্ত ওম্হোক্না পবিত্রনি— অশেংবনি হায়নৈ॥৪২॥

জাজলি। আত্মা অসিমক্ মহাতীর্থ অমনি। মাবু হুন্দোকুনা মপানগী অচম্বা তীর্থ তীর্থদা কোয়চেল

---

* হায়রিবা অসিনা তীর্থ ভ্রমণ (তীর্থ চৎপ) বু ৰগুণ তৌবা নত্তে। হায়রিবসগী ভাবতি— আত্মিক-জ্ঞান য়াওদনা চৎপা তীর্থদি অদুগা তীর্থস্নানদি মহে লৈত্তে হায়বতনি। মপানগী পাঞ্চভৌতিক হকচাং অসিগা আত্মাগদি করিসু মরী লৈনদে। তীর্থ ঈশিংনা মপানগী হকচাংশিবু ওহাক্তং চোৎহল্লরগা আত্মা অসিবুদি ঈয়ো থ্রোৎনদনা লাক্নবদি করিদি কান্নরে? মুমিৎ লুম্নিচখা তীর্থগী ঈশিং মতুংদা লুপ্পুনা হীপুনা লৈরুরবসু আত্মাদি য়াওকবা নত্তে। মাসিগী অরায়বা ভাবত্তি— লুপ্পবা, চৎলিবা অসি কনানা কন্নিগী কনায়দা চংলবনো? হকচাংদা ঈশিংদি অদুম সয়াওরি, ঈশিংবু ঈশিংদা লুপ্লুরিবসিনা করিগীনো? "স্নান" হায়বদি শেংদোকপা হায়বনি। কারিনা মাসিবু শেংদোক্লগদৌরিবনো? অত্মবুনি হায়রবসু আত্মাবু মাংত্রা? মাংত্তি হায়রবসু আত্মাবু শেংদোকপদি ঈশিংনা য়াগত্রা? কাম ক্রোধনচিংবনা কুপ্লবা মাংলবা আত্মানি হায়-রবসু কাম ক্রোধবু ঈশিংনা চাম্লগা কোক্নত্রা? কাম ক্রোধনচিংসিবু মপানগী হকচাংদা তৈরিবা অমোৎ-পরা? নত্রগা আত্মাদা তৈরিবরা? হকচাংসিতবু শেংদোক্লগা আত্মাবুসু অদুম শেংদোকপদা য়াওগ্রবরা? ..
অসিনচিংবসি নৈনত্তুনা মুম্না খল্লগা, সিদ্ধান্ত অমদা লেপ্লগা তীর্থফলদি অদুগা তীর্থদা স্নান তৌরবদি— মাহু থাঙ্গেশেংবা তীর্থভ্রমণনি তীর্থস্নাননি। অদুম তৌরবদি ভুবেল খুদিংমক তীর্থ মক্কনি, চীঙ পুম্নমক তীর্থস্থান ওাক্তনি। মাহু ওম্হোইদবা লৈরবদি কান্নদে। ঈশিং মতুংদা চিপ্লগা, মীৎসু উংশিল্লগা চান্দা গায়ত্রীমন্ত্রসু শোল্লগা পুক্নীংনা কাম ক্রোধগী কামনা অমদা অসুম থম্দুনা লৈরবদি কারিদি কান্নরি হায়বনি। (কালাচাঁদ)

কারণৈর্ধর্মমম্বিচ্ছন্ সপোকা সাপ্নুতে শুভান্।

ভীষ্ম উবাচ।

এতানীদৃশকান্ ধর্মস্তুলাধারঃ প্রশংসতি ॥৫৪॥

উপপত্ত্যাভি সম্পন্নান্ নিত্যং সদ্ভির্নিষেবিতান্ ॥৫৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি

তুলাধার-জাজলি-সংবাদে অষ্টপঞ্চাশদধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৫৮॥

—— :(): ——

চেন্দুনম্নু লুপ্পুগম্নু। * ঐনা হায়ব্রিবা, হিংসা মতৌদা অহিংস অহুনা মক ওইনা লৈরিবা ধর্ম অদুগী মতুংইন্না চংলিবা, অদুগা কবিগুম্বা বিশেষ ওইবা মরম আমদগী ধর্মতত্ত্ব নিরক্রিবা মী অদুতনা জগত্তা শান্তি শীবম্নগা পণাচেন্নবা লোকশা চংলি ॥৫৩॥ ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! মংশী অম্মা, হিংসা ত্যাগনবা, য়ামা যুক্তিধুক ওইবা, মহাজ্ঞানী ওইবনিংনা সেবন তৌবা ধর্মদুগী মগুণ বৈশ্য তুলধারনা শকৃথি ॥৫৪—৫৫॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিসিংচামনা শ্রীব্যাসনা তৌবা সংহিতাদা শান্তি পর্ব্বদা মোক্ষধর্ম পর্ব্বদা চনী-য়াঙ্খৈনিপালশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৫৮॥

—— :(): ——

মণিপুরী মহাভারত

একোনষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(জাজলি মুনিদা উচেকশিংগী পাউতাক্ (

চনীয়াঙ্খৈমাপনশুবা অধ্যায়।

—— :(): ——

তুলাধার উবাচ।

সদ্ভির্বা যদি বাসদ্ভিঃ পন্থানমিমমাশ্রিতম্। প্রত্যক্ষং ক্রিয়তাং সাধু ততো জ্ঞাস্যসি তৎ যথা ॥১॥

এতে শকুন্তা বহবঃ সমন্তাৎ বিচরন্তি হ। তবোত্তমাঙ্গে সম্ভূতাঃ শ্যেনাশ্চান্যাশ্চ জাতয়ঃ ॥২॥

তুলাধারনা হায়,— ব্রহ্মণ! ঐনা হায়ব্রিবা ধর্মগী লম্বী অসে, জ্ঞানী ওইবা মীশিংনা চংনরা নত্ত্রগা জ্ঞান তানবা মীশিংনা তাব ঈতা তাদনা চংনরা হায়বসি মুন্না পরীক্ষা তৌদুনা য়েংলগা ঈরায় লায়না খঙবা ঙমগনি। অসিগুম্বা ধর্মগী তত্ত্বজ্ঞান অদুদু মশানা অহুম্মক লাকচগনি ॥১॥ য়েংদু, অমুক্তা নোংথক্তা,

আহূতৈনান্ মহাব্রহ্মন্ বিশমানাং স্বতস্ততঃ। পশ্যেমান্ হস্তপাদৈশ্চ শ্লিষ্টান্ দেহেষু সর্ব্বশঃ ॥৩॥
সম্ভাবয়ন্তি পিতরং ত্বয়া সম্ভাবিতাঃ খগাঃ। অসংশয়ং পিতা বৈ ত্বং পুত্রানাহূয় জাজলে ॥৪॥

ভীষ্ম উবাচ।

ততো জাজলিনা তেন সমাহূতাঃ পতত্রিণঃ। বাচমুচ্চারয়ন্তি স্ম ধর্মস্য বচনাৎ কিল ॥৫॥
অহিংসাদি কৃতং কর্ম্ম ইহ চৈব পরত্র চ। শ্রদ্ধাং বিহন্তি বৈ ব্রহ্মন্ সা হতা হন্তি তং নরম্ ॥৬॥
সমানাং শ্রদ্দধানানাং সংযতানাং সচেতসাম্। কুর্ব্বতাং যজ্ঞ ইত্যেব ন যজ্ঞো জাতু নেষ্যতে ॥৭॥
শ্রদ্ধা বৈবস্বতী সেয়ং সূর্য্যস্য দুহিতা দ্বিজ। সাবিত্রী প্রসাবিত্রী বহির্ব্বাঙ্মনসী ততঃ ॥৮॥
বাগ্‌বৃদ্ধং ত্রায়তে শ্রদ্ধা মনোবৃদ্ধং চ ভারত। শ্রদ্ধাবৃদ্ধং বাঙ্মনসী ন কর্ম্ম ত্রাতুমর্হসি ॥৯॥

থুমুশ্রনেশিংবা উচেক্ জাং কয়া কয়া মাংগৈ মখিদা কাহু শারগ কোয়পাই পাইখি। মখোয়সিগী মরক্তা, ব্রাহ্মণ! নহাক্কী কোংখক্তা জটা লুনদা পাকুনা চাউখ্রগা উচেক্শিংসু য়াওরি ॥২॥ মখোয়সি তিংথোক্ কনোক্লা। মখোয় মথুং মশানচিংবা মশা মশাগী থুংচিন থোমজিনখিনা, মখোয়বু য়োংশি থাকশিখিবা, মপা মমা শরুগা, ব্রাহ্মণ নহাকপু ঈপাই ওইনা খগত তৌরি, থুজমকখি। মখোয়সিবু ননাক্তা কোথবগা অমুক্তা হংউ ॥৩॥ নহাক্কা হায়না জুশিনা য়েংকপীথিবনা মপাদগী মতৌগুম্না নত্তোন্দা ব্যবহার (বেতায়) তৌরি। অদুনা নচাশিং অসিবু কৌশিল্লগা হংউ ॥৪॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ! তুলাধারগী য়া অহু ভাবন জাজলিনা উচেক্শিং অদুবু কৌরকই। ধর্মগী মরম ওইবা য়াহু হাবদা উচেক্শিংদু মায় থাজবা লুংশিবগা লোয়ননা পাইখরকুনা তাহেং মীওইবগী খেন্- থোক্তা অংম্বা হায়রকই ॥৫॥ অহিংসা অমদি দয়া (থৌজাল) নচিংবগী য়াথকা মমুং মথুংদা ইহিল্লকুনা তৌথিবা কর্ম অদুনা ইহলোক পরলোক অনীমক নীংথরব মহৈবু পী। পূক্লীদা লাকপা হিংসাগী য়াথম্মা শ্রদ্ধাবু মরু কংনা মাঙহল্লি। মমু য়েথেক্তবী শ্রদ্ধাদুনা ওন্শিল্লকুনা হিংসাগা লোয়ননা কর্ম তৌখিবা কর্মকর্ত্তা অদুবু সর্ব্বনাশ শানা মাঙহল্লম্মি ॥৬॥ মাঙবা কোংবা অনীবু চপ মান্নবা মশা অমতনি হায়না উবা শ্রদ্ধা লৈবা, পুকচেল শেংবা, ইন্দ্রিয় থুজ্জুন চনবা, তৌক তৌকপা যজ্ঞগী মথক ওইরবা থবক অদুবু ঈথৌনি হায়না থনবগী হেন্না মহৈ কংবা ফংদগী য়াথম অমদি চিন্তা করিমতা তৌদনা যজ্ঞবু তৌখিবা মী অদুগী যজ্ঞ অদ মহৈ মাঙবা লৈতে ॥৭॥ ব্রাহ্মণ। শ্রদ্ধা হায়বীসে সূর্য্যদেবগী মচানুপীনি। অদুনা মাবু বৈবস্বতী, সাবিত্রী, প্রসবিত্রী হায়নসু কৌনৈ। পূক্লীংগা য়াইংগা অতাসিমকসু শ্রদ্ধাগা য়েংনরম্বরদি, মপাম পোৎশক্ তাহনা লৈরোইদৌরনি। হায়রদি— মখোয় অনীসি বহির্মনি, শ্রদ্ধা হায়বীসিনা অন্তর্মনি। ॥৮॥ মন্ত্র উচ্চারণ তৌরকপা মতমদা হঞী (য়াহৈ য়াঙাঙ) পী লোয়দগী উচ্চারণ শেংদনা হায়দোকখিবদগী দোষ লৈরবস্, অদুগা পূক্লীং হায়রসিনা মশানা চেল (অহাক্তা তুমিন্না লৈতব) ওইবনা ইষ্টদেবগী ধ্যানদা অকায়বা অমা পীরক্লবা, অদু ওইরবসু তৌরিবা থবক অদুদা শ্রদ্ধা লৈরবদি শ্রদ্ধাদুমক্তা বাণীগা পূক্লীংগা অমানা তৌবা দোষবু নমহংদুনা তৌরিবা অনুষ্ঠান অদুবু দোষ লৈতনা ভাকুনা থম্মি। শ্রদ্ধা হায়রবী মহাকপু

অত্র গাথাব্রহ্মগীতাঃ কীর্ত্তয়ন্তি পুরাবিদঃ। শুচেরশ্রদ্দধানস্য শ্রদ্দধানস্য চাশুচেঃ ॥১০॥
দেবা বিত্তমমন্যন্ত সদৃশং যজ্ঞকর্ম্মণি। শ্রোত্রিয়স্য কদর্য্যস্য বদান্যস্য চ বার্দ্ধুষেঃ ॥১১॥
মীমাংসিতোভয়ং দেবাঃ সমমন্নমকল্পয়ন্। প্রজাপতিস্তানুবাচ বিষমং কৃতমিত্যুত ॥ ২॥

ময়াওত্রবদি পুক্নীং চওতুনস্থ, মন্ত্রনচিংবা কনা চুম্না দোষ লেতনা থীরবস্থ মথোর অনীসিনা কর্ম (তৌরিবা অনুষ্ঠান) অত্থবু কন্যা ওাকপা ওমদে ॥ ৯॥ *

অসিগুম্বা মতাং লাকপদা, মমাংচৈগী থাদোক রারীনচিংববু মুম্না থওবশিংনা, মমাংওেদা ব্রহ্মানা শক্থিবা শৈরে ('কবিতা) অতুগী মরমদা অস্থম্ন হক হেক লীরে। মাতুদি— অহানবদা লাইশিংনা শ্রদ্ধা য়াওত্রবস্থ রায়দি শেংবা অমাং অশোয় য়াওদনা তৌজব অতুগা অমনা অতুক য়াম্নদি শেংত্রবস্থ হায়বদি— অমাং অশোয়গী থোংনা য়েংত্রবস্থ য়াম্না শ্রদ্ধা লৈনদি তৌজবা মীশক্ অনীসিনা লাথচ্চরিবা যজ্ঞগী পোচ্চেশিং অত্থু চপ্ মান্নবা উই। অতুনা য়াম্না লীকপা, শ্রদ্ধা লৈতবা অতুগা, বেদশাস্ত্রদি য়াম্না খঙবা হৈবা অতুনা পীজবা কপপা অমতুগা, য়াম্না লান তৌবা অতুগ মীচোন্নগী শেন্দোম্নচিংবা লোরমদাইদদি— লিকোল খুজিা মথায় ময়া কাওবা তাদনা লৌশংকনব অতুন পীজনা অমতুগা কবি অমত্তা খেন্নদনা লাইশিংন উই। মাসি লাইশিংনা য়াম্না রাথম বিচার তৌগা লেপথ্রবনি ॥ ০—১১॥

নোংমা প্রজাপতি ব্রহ্মানা, শ্রদ্ধাগী মরমদা তৌনবিবা কীবম্ অসি উবদা লাইয়ামদা অস্থম্না হায়খি— লাইয়াম্না ! নখোয়না তৌরিবসে চুমদে থাজ্ঞশেংবদি পুকচেল চাউবা মীগী অম্নদি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা

* মথক্তা হায়রিবা অসিগী ভাবতি— যজ্ঞ, সেবা, পূজানচিংব, তৌবা মতমদা কর্মকর্তাগী কীওম অসি অনী থোক্না লৈ। ভক্তি শ্রদ্ধা অতুক য়াম্না লৈত্রবস্থ তৌথ্রিবা পূজাতুগী লৈশুনচিংবদ অমাংবগী শরুক অমত্তা রাওহন্দবা, মন্ত্র যন্ত্রনচিংবা চুম্না থীবা শকপা অমা। অতুগা অম্না অশেং অনাং অদোমদা অতুক য়াম্না য়েংত্রবস্থ মন্ত্রনচিংবা থীরিবগী অচুম চুমদবদা অতক য়াম্না য়াংত্রবস্থ ভক্তি শ্রদ্ধানি য়াম্না লৈজবা হায়বদি— য়াম্না থাজবা আকবা মুশিবগ লোয়ননা তৌজবা মীশক্ অমা— অনীসিনি। অনীসিনা তৌরিব' পূজা যজ্ঞনচিংবগী মহৈ অসি চপ্ মান্নবা পীজম্ লোকপ্রা ? নত্রগা খেন্নহনগত্রা ? খেন্নবা তারবদি— কনানা হেন্না ফংভম থোকই ? হায়বসিগী মরমদা যজ্ঞ পূজানচিংবতুগী মহৈ পীবিগদোরিবা ব্রহ্মা বিষ্ণুনচিংবা দেবতাশিংনা থম্নগি—লেপ্পথি। মাতুদা লেপ্পখিবদি— মাগী মাগী ইষ্টদেব অমমম্ ওইরিবা দেবতা ঐথোয়গী ঈকমদা ভক্তি শ্রদ্ধাদি ঈথম্ থমদনা, পোচ্চেশিং অসিত' তক তরুরগা কৈদোনি ? শ্রদ্ধাবু লৈরবদি— খোম্থোক্ লম্না থীরবস্থ ঐখোয়না চুম্না অচম মতাবিগনি। মৈ, ঈশিং, মুংশিংনা শাবা পোচ্চেশিংসিবু মৈ ঈশিংনা অমুক শেংদোকত্তংনা কৈদৌনি ? ভক্তি শ্রদ্ধাবু লৈয়বদি ঐখোয়না অতুম মশেংদোকপিগনি। মাগী মাগী কান্ননবগীদমক্তা মিচং লংগীদমক্তা মন্ত্র চুম্না থীজবনি, পোচ্চেশিংসিবু তক তকনা তৌজবত্তনি। মীনা তাবা, য়েংবদা মুংঙাইনবা, থাগংননবা হায়দুনা শীল্লিবা লাতিঙবা পোচ্চেশিং অংগীতা ময়েংবা, মন্ত্রশিংবু মন্ত্র অক্ষরাবগা লোয়ননা থীনা শকপ অতুমজনা শ্রদ্ধা ভক্তিবু মাঙহন্নরবা মথোর অসিনা পীবা মহৈদগী ভক্তি শ্রদ্ধগা লোয়ননা তৌজব মীশিংদ পীনা ফংহনবা মহৈনা হেনকম থোক্ই— অস্থম্না লাইয়াম্না লেপ্পখি। অতুনা পুক্নীংস্থ বাণীস্থ অনী অসিদি শ্রদ্ধ হায়বীসিগা য়েংনরুবদা বহিরঙ্গনি। শ্রদ্ধানা অনী অসিদগী অমুক মঙুং হুজিনখ্রি, অতুনা অন্তরঙ্গনি। বহিরঙ্গদগী অন্তরঙ্গনা কনবা হেল্লি। (কালাচাঁদ)

শ্রদ্ধাপূতং বদান্যস্য হতমশ্রদ্ধয়েতরৎ। ভোজ্যমন্নং বদান্যস্য কদর্য্যস্য ন বার্ধুষেঃ ॥১৩॥
অশ্রদ্দধান এবৈকো দেবানাং নার্হতে হবিঃ। তস্যৈবান্নং ন ভোক্তব্যমিতি ধর্ম্মবিদো বিদুঃ ॥১৪॥
অশ্রদ্ধা পরমং পাপং শ্রদ্ধা পাপমোচিনী। জহাতি পাপং শ্রদ্ধাবান্ সর্পোজীর্ণামিবত্বচম্ ॥১৫॥
জ্যায়সী যা পবিত্রাণাং নিবৃত্তিঃ শ্রদ্ধয়া সহ। নিবৃত্তশীলদোষো যো শ্রদ্ধাবান্ পূত এব স ॥১৬॥

পীবা কংপদগী ঈশেং শেনো অতুম মরৈ। অরীকপনা কংপা অমনা শ্রদ্ধা য়াওদবনা অমাংবনি, অদুগা মাংবতা নত্তনা মাওজংবনি— কবিমত্তা কাম্নক্নি ॥১২॥০॥ হায়নিবশিং অসিগী মরু ওইবা য়াদি পূক-চেল চাউবশিংনা কংপা— পীবা অমা অদুতা চাংদবনি লৌগদবনি। য়াম্না লীকপা পীনীংদনা পীবা, লৌবিমক য়াম্না পাম্বা, শেন্দোক্ত (শেন্দোক্ত) য়াম্না কাতনীংবা পাম্বা মীনা কংপা পীজবা অমনচিংবা অচা-পোং অংতা লৌরোইদবনি। মানা কংলুপদৌবিবা পীজকপদৌরিবা মী নত্রগা দেবতাদুগী মকমদা শ্রদ্ধা লৈত্রদ্রদ. মতাক্তা দেবতাংগী মকমদা কংনবগী কারিগুম্বা অধিকার অমত্তা লৈত্তে। অদুগুম্বা মীশক অদুদগী অমনচিংবা কাগিগুম্বা অচাপোং অমনচিংব অমত্তা লৌরোইদবনি। মাসি ধর্মগী ওত্নবু মুম্না থত-লবশিনা ওথত্রবা—লেপ্নথবা য়াকম অমান ॥১৩—১৪॥ অশ্রদ্ধা হায়বসি খুইদগী চাউবা পাপ অমনি। অদুগা শ্রদ্ধাতনা পাপ অদুদগী লাক্ষোকবা উপায়নি। লিম্না মকু হদোক্লগা অমুক তক হনা লৈবচু-গুম্না, শ্রদ্ধা লৈবা মীনা পাপপু কন্দোক্লগা, লাপ্না লংথোকখ্রগা, তক তরুনা পূমশেং শেংনা লৈহৌই ॥১৫॥ শ্রদ্ধা লৈবগা লোয়ন লোয়ননা, পাপকী শরুক মখাদা চত্তহন্ত্রবা মহাক অদুতনা— জীব থাইমক্তগী অশোবান।* জাতিগী শৌনবী মশিলনচিংবা তৌকবগী পাপ দোষ পুম্বা শ্রদ্ধাতনা লোইনা লাপথোক-হনখি। অদুনা শ্রদ্ধা লৈব মীদি মতম পুম্বনা ঈশেং শেংদুনা লৈ ॥ ৬॥

---

* মতাক্তী ধর্ম্মদা মথোলা শ্রদ্ধা লৈরিবনি হায়দুনা হুয়ানবা অমনা মাগী মথো হুয়ানবগী থবক্তা য়াম শ্রদ্ধাগা লোয়ননা মবুক্লীং চত্তলি। মাসিবু ধর্মবা হায়না চিংনরবদা কুপাসিনবা য়াদনমা হায়দুনা “পাপকী শরুক য়াওদব” হায়বা য়া অসিমা হেন্দোক্ত হায়রি। পাপকর্মদা থম্বা শ্রদ্ধাদি তামসিক শ্রদ্ধানি। অদু-গুম্বা তামসিক শ্রদ্ধানা শেম্ব— লিথ খিবা ইষ্টগী মূর্ত্তিচুম্ন তামসিক অদুম মওই। মরম অদুনা শ্রদ্ধা য়াওদবা মপান্দদা শেংবা অদুগুম্বা পূজাবু লৌবদগী, শেংত্রবসু শ্রদ্ধাগ লোয়ননা তৌজবা পূজাবু হেম্ন থরায় য়াওনা লৌবিগনি— শ্রদ্ধামথ ওইবা পুরুষ ভগবানুনা। মতৌ অদুগুম্না, ঐ থায়দু শ্রদ্ধা য়াওদবা পীজ-নীংদনা পীজবা অরীকপগী অমনচিংবা থক লৌরোইদৌবনি— চারোইদৌবনি। অদুম তৌরবদি ঐথোয়গী হকচাংমংদা লৈরিবা পুরুষ ভগবন্ অসি শ্রদ্ধাময় ওইবা য়ারবোই। হায়বদি— তামসিক মূর্ত্তি পুথিগনি। মতাক্তবু তামসিক মূর্ত্তি পুত্রবদি ঐথোয়সু তামসিক মূর্ত্তিদা অদুম মরৈ গনি। শ্রদ্ধাগা লোয়ননা তৌবা কর্মনথৈবু শ্রদ্ধা কৌই। লৈশিত্রব শংগীদমক্তা তৌরিবা কর্ম্মনথৈ শ্রদ্ধকর্ম্মনি। “চপম্নুংনা থাজবা থুংশিবং অদুগা “অসি তৌত্রবদি মান. করি হায়থিগদগে” হায়না কিবা” অদুম অসিগ লোয়ননা লৈবী “হৈনিংবা” হায়বীদুবু শ্রদ্ধা কৌবতনি। হায়রিবী শ্রদ্ধা অসিবু য়াওত্রিমথৈ, মপাম্বোংদা থজবা শেংলব পূজাবিধিদুনা করিসু কাম্নবা তৌরোই। (কালাচান্দ)

কিং তস্য তপসা কার্য্যং কিং বৃত্তেন কিমাত্মনা। শ্রদ্ধাময়োঽয়ং পুরুষো যো যচ্ছ্রদ্ধঃ স এব সঃ ॥১৭॥
ইতি ধর্ম সমাখ্যাতঃ সদ্ভি ধর্মার্থদর্শিভিঃ। বয়ং জিজ্ঞাসমানস্তু সম্প্রাপ্তা ধর্মদর্শনাৎ ॥১৮॥
শ্রদ্ধাবান্ শ্রদ্দধানশ্চ ধর্মশ্চৈব হি জাজলে। স্ববর্ত্মনি স্থিতশ্চৈব গরীয়ানেব জাজলে ॥১৯॥

ভীষ্ম উবাচ।

ততোঽচিরেণ কালেন তুলাধারঃ স এব স দিবং গত্বা মহাপ্রাজ্ঞো বিহরেতাং যথা সুখম্ ॥২০॥
স্বং স্বং স্থানমুপাগম্য স্বকর্মফলনির্জিতম্। এবং বহুবিধার্থং চ তুলাধারেণ ভাষিতম্ ॥২১॥
সম্যক্ চৈবমুপালব্ধো ধর্মশ্চোক্তঃ সনাতনঃ। তস্য বিখ্যাতবীর্যস্য শ্রুত্বা বাক্যানি স দ্বিজঃ ॥২২॥
তুলাধারস্য কৌন্তেয় শান্তিমেবান্বপদ্যত। এবং বহুমতার্থং চ তুলাধারেণ ভাষিতম্ ॥
যদৌপম্যোপদেশেন কিং ভূয়ঃ শ্রোতুমিচ্ছসি ॥২৩॥

অসিগুম্বা মীশক অমসগী মকমনা তপস্যান কৈদোনগদৌরিবনো ? মশানগী কিজেং-চাকচা, আচার-ব্যবহার অমদি আধ্যাত্মিক ধ্যাননচিংবনা করি কাংবরি ? হকাংমশিদ লৈরিবা পুরুষ মহাকসু অচুগা পরম পুরুষ মহাকসু শ্রদ্ধাতগী মশক্তি. হায়রদি— শ্রদ্ধা হায়রবসতনা, নিঙ্খংনা, ক্লাগনা মুক্তি অমা-। মী মী মহাক অচুগী লৈরিবী শ্রদ্ধাচুগী মওংগীমতুংইন্না পুরুষ ভগবান্‌গী মূর্ত্তি অচু অচুম্ মরোরি। হায়রবদি— মী মহাক অচুগী শ্রদ্ধা অচুনা সাত্ত্বিকী শ্রদ্ধা ওইরবদি পুরুষতু সাত্ত্বিকরূপ অচুম ময়োই। রাজসিকীশ্রদ্ধা ওইরগা রাজসিকরূপ, তামসিকীশ্রদ্ধা ওইরগা তামসরূপ অচুম মরোই। পুরুষ ভগবান্‌গী সাত্ত্বিক, রাজস, তামস ওইবা রূপ (মশক) অচুম্নি॥ ১৭॥ ধর্মগা অর্থগা অনীগী মশক থাঙ্গৎলনা উরবা অচুগুম্বা সৎ-পুরুষশিংনা ধর্মগী মরমনা অসুম হায়রগা বাখল তৌই। ধর্মদর্শী হায়রবা মুনিশিংগী মফমদা ঐখোয়না হংবা মতমদা মহাক অচুদগী ফংবা ঐখোয়না ফংখিবা জ্ঞাননি ॥১৮॥

মহাজ্ঞানী জাজলি ! ঐনা হাওলিবা—হায়রিবা অসিগুম্বা নহাক শ্রদ্ধা অচুম মথম্ (শুথাজো)। অচুগী মতুংইন্না থবক তৌরগা পুনশিংগী অরোইবা লমথুফম য়োই। শ্রদ্ধা লৈরবা—শ্রদ্ধালু ওইরবা মী মহাক অচুদি থাঙ্গৎলবা ধর্মমক্তা মূর্ত্তিনি। শ্রদ্ধাগা লোয়ননা মশাগী ধর্মদা লেঙলনা লৈরিবা মহাক অচু-ম্বু অখোইবা তাইবংমীনি হায়নৈ ॥১৯॥

ভীষ্মনা হায়,— মিংথৌ। অদুদগী থরা লৈবগা তুলাধারগা ব্রাহ্মণ জাজলিগা মহাজ্ঞানী অনী অসি সংসার থাদোকখিরগিদুনা পুরুষ ভগবান্‌গী অখোইবা ধামদা য়াম্না নুংঙাইনা মানা মানা তৌরম্বা কর্মশিং অচুগী মহৈ চাদুনা লৈখি ॥২০॥ মসৌ অসুম্না তুলাধার অচুনা হায়রগদবা — ভাকদবা বিষয় কয়া কয়াগী উপদেশ পীখি। সনাতনধর্মগী ব্যাখ্যা পীখি। তপস্যা করবা জাজলিনসু "তুলাধার" অসুম হায়না ফাও-রবা, মহাজ্ঞানী ওইরবা শ্রেষ্ঠগী উপদেশগী তোঙান তোঙানবা মপাল থম্মোয়দা কোন্‌শিন্দুনা লৌখি—থমখি ॥২১—২২ কুন্তীনন্দন যুধিষ্ঠির ! তুলাধারনা পীখিবা উপদেশশিং অসি মহাজ্ঞানী পণ্ডিত অরায়বা য়াবা রাকম রাম্না য়াওরি। ধর্ম মরন ওইরবা প্রামাণক ওইবা অর্থনা তিন্নবা পাণ্ডিতাক্ মক্তনি। মাগী

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
তুলাধার-জাজলিসম্বাদে একোনষষ্ট্যাধিকদ্বিশততমোহধ্যায়ঃ ॥২৫৯॥

——:(✿):——

রাশিংদু তাবদা জাজলি মুনিগী থম্মোয়দা শান্তি পোকখি। মতোন্দা যুক্তিযুক্ত প্রমাণ খুদম কয়া পীখি হয়য় হৌজিক করি অমুক্ তানিংতি ? ॥২৩॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চাপনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা তুলাধার-জাজলি সংবাদদা চনীয়াথোমাপনশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৫৯॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

ষষ্ট্যাধিকদ্বিশততমোহধ্যায়ঃ

(নিংথৌ বিচখ্নুনা অহিংসাধর্ম্মবু থাগৎপা)

চনীগী হুমফুশুবা অধ্যায়

——:(+):——

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র প্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। প্রজানামনুকম্পার্থং গীতং রাজ্ঞা বিচখ্নুনা ॥১॥
ছিন্নস্থূণং বৃষং দৃষ্ট্বা বিলাপং চ গবাং ভৃশম্। গোগ্রহে যজ্ঞবাটস্য প্রেক্ষমাণঃ স পার্থিবঃ ॥২॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মমাংদৈদা বিচখ্নু কৌবা নিংথৌ অদুনা জীবপানবা পুন্নমক্কী মকমদা থোজানগে— থোজান্‌হৈবা উংলগে হায়বগীদমক থম্মোয়গী হায়দোকখিব রাকম পুন্নমক মমাংগী তুইরবা ইতিহাসদা হিরি। প্রসঙ্গ অদুদা য়াওরিবা রাশিংদুগী খুদম ওইনা তেক্ তেক্ লীনহক্কই ॥১॥ নোংমা যজ্ঞশালা অমদা শল্লাবা অমা বলিদানগীদমক্তা মতক্ ককুনা লৈবা, অদুগা শম্বী ময়াম্না মপি তত্রং তত্রং চেন্দুনা কপ্‌তুনা লৈবদু, নিংথৌ বিচখ্নু কৌবসিনা উরুরে। যজ্ঞশালা অদুগী মপান্দা মাঙোন মথক্তা শম্বী কয়া কয়ানা তত্তক্ তত্তক্ য়েংদুনা লেপ্লুনা লৈবা অদু উবদা নিংথৌ বিচখ্নু কৌবা অদুনা মথাগী অময়া হায়খি ॥২॥

স্বস্তিগোভ্যোহস্তুলোকেষু ততো নির্ব্বচনং কৃতম্। হিংসায়াং হি প্রবৃত্তায়ামাশীরেষা তু কল্পিতা ॥৩॥
অব্যবস্থিতমর্য্যাদৈ বিমূঢ়ৈর্নাস্তিকৈর্নরৈঃ। সংশয়াত্মভিরব্যক্তৈ হিংসা সমনুবর্ণিতা ॥৪॥
সর্ব্বকর্মস্বহিংসাহি ধর্মাত্মামনুরব্রবীৎ। কামকারাৎ বিহিংসন্তি বহির্বেদ্যাং পশূন্ নরাঃ ॥৫॥
তস্মাৎ প্রমাণতঃ কার্য্যো ধর্মঃ সূক্ষ্মো বিজানতা। অহিংসা সর্ব্বভূতেভ্যো ধর্মেভ্যো জ্যায়সী মতা ॥৬॥
উপোষ্য সংশিতো ভূত্বা হিত্বা বেদকৃতাঃ শ্রুতীঃ। আচারঃ ইত্যনাচারঃ কৃপণাঃ ফলহেতবঃ ॥৭॥
যদি যজ্ঞাংশ্চ বৃক্ষাংশ্চ যূপাংশ্চোদ্দিশ্য মানবা। বৃথা মাংসং ন খাদন্তি নৈষ ধর্মঃ প্রশস্যতে ॥৮॥
সুরা মৎস্যা মধু মাংসমাসবং কৃসরৌদনম্। ধূর্ত্তৈঃ প্রবর্ত্তিতং হ্যেতন্নৈতং বেদেষু কল্পিতম্ ॥৯॥
মানান্মোহাচ্চ লোভাচ্চ লৌল্যমেতৎ প্রকল্পিতম্। বিষ্ণুমেবাভিজানন্তি সর্ব্বযজ্ঞেষু ব্রাহ্মণাঃ ॥১০॥
পায়সৈ সুমনোভিশ্চ তস্যাপি যজনং স্মৃতম্। যজ্ঞিয়াশ্চৈব যেবৃক্ষা বেদেষু পরিকল্পিতা ॥১১॥

সংসারদ লৈরিবা শক পুম্নাক্কী মঙ্গল ওইসনু। যজ্ঞ শরুদা হিংসাগী থৌশ অহৌন লৌশংক্লবদা শক্বী পুম্নমক্কী মঙ্গল ওইনবগী থবক ত্রৌনগে হায়না শন্দুন শাগা হিংসাগী থবক হায়দু লৌগদ হৌরনা খাম্নগা নিংথৌহুনা হায়খি ॥৩॥ ধর্মগী মান মর্য্যাদাবু শুংক্কুন, মগী নিং ঘহুলগা, মীনা তাকুপদম্ম লৌদবা মুর্খ, নাস্তিক (ঈশ্বরবু থাজদবা), অমাগী মংমদা চিংনবা, বিত্যাদা নত্তবগা মতৌম মাগী নমিং হৈকায় লাম্না তাখ্রিব, অহুগুম্বা মীশক্তনা হিংসাবু সমর্থন তৌই ॥৪॥ ধর্মাত্মা ওইবা মনুনা, পম পুম্বক অহিংসাবু ভাকদবনি হায়না হায়রম্মি। তাইবংমীনা জ্ঞান ঈতা তদন, মাগী মানা নীংচৎপা অদুগী নতুইনা নগান্-থোংগী যজ্ঞগী মপান্থোংগী বেদীদা বলিনি হায়দুনা শা-ত হাৎলি ॥৫॥ মরম অদুনা হায়না সুমা চনাং তানা থম্মবা জ্ঞানীশিংনা বৈদিক প্রমাণনা ধম কৃপ্র। তত্ত্ব-মপকপু ক্লেপ্প চবনি। অচক্তর পুম্নমক্কী ধর্মগী বিধান তৌনবকপদা অহিংসাতনা অথোইবনি হায়দুনা হায়খ্রলি ॥৬॥ উপবাস (ব্রত) তৌদুনা নিয়মশিং অদুবু চেৎনা ত্তাকনবনি। বেদগী ফলশ্রুতিগী মতা থাদোক্কদবনি। হায়রবদি কাম্যকর্মবু অদুগা মায়কগী মহৈরুগী অপাম্ববু থাদোক্কনবনি। সকাম কর্ম তৌবা হায়বসি মহ অনাচার (তৌদবা তৌতেবা কর্ম) অমনি হায়না থাদোক্কদবনি। পূর্বচেল পীকৃপা— অরীকপা মীতনা, মতৈবু হায়না মাঙজোনন শামহুনা কর্ম তৌবন ॥৭॥

মত্তাং অসিদা কনাগুম্বনা অসুম্না য়েংপা হায়বা য়াই, মাহুদি— যূপ (যজ্ঞগী যূপী) গী দমক্তা উ হাল্লিবনি। যজ্ঞগীদমক্তা বলিদান তৌরগা মাংস ভক্ষণ তৌনরিবনি। মাসি অরেপ্পা কান্নবা নত্তে। অরেপ্পা ওইবা পাপ পুবদি লায়রহুনা অহোয়নম্ম ধর্মগী অনুষ্ঠান অমা তৌহুনা পুণ্য তানবনি, অসুম্না হায়রিবসি চুমদে। ধর্মগী থবক ওইরবসু, অসিগুম্বা ধর্মগী থবকপু কনানম্ম হৈক হায়দে, থাগৎনদে ॥৮॥ যু, মম্নাই কাবা (হাংলিনচিংবগী) মহী, খোহী, শা ঙা, খোয়দিং, চেঙন তৌবা খিচুরী (খেনি) অসা-অথক পেৎ-চৈশিং অসিবু যজ্ঞবশিংনা যজ্ঞদা শিজিন্নরি। বেদদদি হায়রিবশিং অদে - বেদগী বিধানদা অমত্তা য়াওদে ॥৯॥ কত্তবশিংনা নাপক, অপাম্বা, অশাঙবা শুমহৎপগী মথা পোন্নখিহুনা পোচ্চেশিং অসিবু শীজিন্নখিবনি ॥১০॥ যজ্ঞদা মচাক্ ওইনা চঙগদবা উদি অসি অসিতনি হায়না বেদদা তাক্লিবা অহুমথৈত্তা

যজ্ঞাপি কিঞ্চিৎ কর্ত্তব্যমন্যচ্চোক্ষৈঃ সুসংস্কৃতম্। মহাসত্ত্বৈঃ শুদ্ধভাবৈঃ সর্ব্বং দেবার্হমেবতৎ ॥১২॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

শরীরমাপদশ্চাপি বিবদন্ত্যা বিহিংসতঃ। কথং যাত্রা শরীরস্য নিরারম্ভস্য সেৎস্যতে ॥১৩॥

ভীষ্ম উবাচ।

যথা শরীরং ন গ্লায়েন্নেয়ান্মৃত্যুবশং যথা। তথা কর্ম্মসু বর্ত্তেত সমর্থো ধর্ম্মমাচরেৎ ॥১৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি

বিচখ্নুগীতানুবয়ে ষষ্ট্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬০॥

——:():——

যজ্ঞদা পীজিন্নগদবনি। শেংলবা আচার বিচারদা লৈলা, সত্ত্বগুণ চেনবশিংনা শেংলবা রাখম্না, প্রোক্ষণমন্ত্র-নচিংবনা. যজ্ঞগী পোৎচৈশিং ছিক্কবু শেংদোক্লগা মাত্তগী মসুংদগী কত্রিগুম্বা পোৎশক অমনা হোৎবা— থোংবা নৈবেদ্য নত্রগা তন্দিংবা মত্তু দেবতাশিংনা কম্পনা মতীক্ চারবনি ॥১১—১২॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়— ঈমুধো! হিংস তাহরবসিবু শুক্রা য়াথিদ্রবা, হিংসাকগী পাপ্পা লৈত্রবা অহিংসা তবু তারুবনা লৈত্রবা মীশিং অত্তুগী হকচাংগা, অরাবা থুদোং থীংগা অনীসি অমগা মগা লুমিংচুপ্পা থাইবুং থাংবুং তানৈ— থংনৈ ফুনৈ। অরা অনা, অরাম থৌরাংবনা মপানগী হচাংসিবু চুংশিল্লি—কংশিনহল্লি। অত্তুগা অমরোমদা হকচাংগিন অরা অনাবু কোক্কনবা হায়নরি। অসগুম্বা কুপথ্রবং হিংসা অহিংসাগী বিচার অসিদগী তীঙ্গ-কাণ্ড কয়া কয়া পো থোইরিবা লৌউবশিংনা পো উথিদ্রবদি, অরা-অনা থোকহল্লিবা ধর্মগী সাধন ওইরিবা হকচাং অসিবু করম্ হায়না য়োক্কনি? মাশি তাকপিয়ু ॥১৩॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! হকচাংগী শক্তি হত্থরোইদৌবা, হকচাংদা লায়না লাকওইদবা অত্তুগুম্বা কর্ম্মনা চত্তশিনগদবনি। ধর্ম্মগী বর্মনি, অনুষ্ঠাননি হাংজুনদু হকচাংসিনা থুনক্কা মৃত্যুগী মথা পোনখ্রবদি— ধর্ম কর্ম্ম দান-নচিংবা তৌনবগী খুৎলায় হকচাংসিনা শোয়খ্রবা নত্রগা মাঙখ্রবদি করি কায়রি? হকচাং অসিনা কয়া লৈরবতদা অমুক্ য়াম্বা ধর্ম্মগী কর্ম মতম অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি ॥১৪॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বনা

মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বনা বিচখ্নুগীতা বিষয়গী চনীহুমফুত্তবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬০॥

——:(:——

মণিপুরী মহাভারত

একষষ্ট্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(মহর্ষি গৌতম অদুগা চিরকারী অনিগী ৱারী)

চনীহুমুকুমাথোইশুবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কথং কার্য্যং পরিক্ষেত শীঘ্রং বাথ চিরেণ বা। সর্ব্বথা কার্য্যদুর্গেঽস্মিন্ ভবান্ নঃ পরমো গুরুঃ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। চিরকারেস্তু যৎ পূর্ব্বং বৃত্তমাঙ্গিরসে কুলে ॥২॥

চিরকারিক ভদ্রং তে ভদ্রং তে চিরকারিক। চিরকারী হি মেধাবী নাপরাধ্যতি কর্ম্মসু ॥৩॥

চিরকারী মহাপ্রাজ্ঞো গৌতমস্যাভবৎ সুতঃ। চিরেণ সর্ব্বকার্য্যাণি বিমৃশ্যার্থান্ প্রপদ্যতে ॥৪॥

চিরং স চিন্তয়ন্নর্থাংশ্চিরং জাগ্রৎ চিরং স্বপন্। চিরং কার্য্যাভিপত্তিঞ্চ চিরকারী তথোচ্যতে ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ইবুধৌ! ইবুধৌনি ঐগী অথোইবা গুরুনি। নাস অমুকা তাকৃপিয়ু— খুদম ওইনা হায়রবদা গুরুগী য়াথংবু ঙাকৃপা, লৈপাক্তা তাঙন্দবা হায়রবসি তৌগদবমাকু। গুরুগী য়াথং ঙাক্তবা তৌইদে। অদুগা য়াথং অদুগী মনুংদা হিংসা তৌনরবগী শরাক য়াওরবদি কম্ তৌবা ঙাই? হিংসাসু তৌইদে, গুরুগী য়াথং ঙাক্তবসু তৌইদে গুরুগী য়াথংচুদাদ হিংসা তৌনরবগী য়া য়াওরি। অসিগুম্বা মতাং লাকৃপদা কমদৌবা? অম অমা শন্দন থবক অদু থুনা য়াঙনা পাঙথোক্কদ্রা? নত্রগা ওহাক কুইথনা— বিচার তৌখিগদ্রা? ॥১॥ ভীষ্মনা হায়,— ইবুঙো। মতাং অসিগুম্বা লাকপদা, মমাংঙৈগী কৃৎরবা ইতিহাসগী ৱারী অমা হেক্ হেক্ লীনে। আঙ্গিরস শাগৈদা পোকৃপা চিরকারী গারবদুগী ৱারীনি ॥২॥ নোংমা চিরকারী হায়রবসিগী মপানা মচা চিরকারীদা অসুম্না হায়খি,— চিরকারী মঙ্গল ওইসু। চিরকারী। নংগী মঙ্গল ওইবা চাউখথপা ওইসনু। চিরকারীদি মদৌ পাঙথোকপদা অপরাধ (মরাল—দোষ) অমতা লৈহন্দে, অসুম হায়না মচাবু থাগৎতুনা মপানা হায়খি ॥৩॥ অসুম্না হায়রৈ— মহর্ষি গৌতমগী মচা অমা লৈরম্মি, মহাক্ অসি পোকপৈদগী, মাগী স্বভাব অমা ওইনা, কারিগুম্ব থবক্—মদৌ অমতং পাঙথোক্লমদাইদা য়াম্না কুইনা বিচার তৌরগা হেক্ হেক্ তৌই ॥৪॥ মহাক্ অসি অমুক প্রাখিল থবক্ মচ-মতু কুইনা খল্লরগা হেক্ হেক্ তৌই। তুম্লবদগী হৌগৎপরক্তদনা পাক্ হেক্ হৌগত্তে, কুইনা বিচার তৌরগা হৌগৎলি।

অলসগ্রহণং প্রাপ্তো দুর্মেধাবী তথোচ্যতে। বুদ্ধিলাঘবযুক্তেন জনেনাদীর্ঘদর্শিনা ॥৬॥
ব্যভিচারে তু কস্মিংশ্চিৎ ব্যতিক্রম্যাপরান্ সুতান্। পিত্রোক্তঃ কুপিতেনাথ জহী মাং জননীমিতি ॥৭॥
ইত্যুক্ত্বা স তদা বিপ্রো গৌতমো জপতাং বরঃ। অবিমৃশ্য মহাভাগো বনমেব জগাম সঃ ॥৮॥
স তথেতি চিরেণোক্ত্বা স্বভাবাচ্চিরকারিকঃ। বিমৃশ্য চিরকারিত্বাচ্চিন্তয়ামাস বৈ চিরম্ ॥৯॥
পিতুরাজ্ঞাং ন কুর্য্যাং মাতরং কথম্। কথং ধর্ম্মচ্ছলেনাস্মিন্ নিমজ্জেয়মসাধুবৎ ॥১০॥
পিতুরাজ্ঞা পরোধর্মঃ স্বধর্মো মাতৃরক্ষণম্। অস্বতন্ত্রং চ পুত্রত্বং কিং তু মাং নাত্র পীড়য়েৎ ॥১১॥
স্ত্রিয়ং হত্বা মাতরং চ কো হি জাতু সুখী ভবেৎ। পিতরং চাপ্যবজ্ঞায় কঃ প্রতিষ্ঠামবাপ্নুয়াৎ ॥১২॥
অনবজ্ঞা পিতুর্যুক্তা ধারণং মাতৃরক্ষণম্। যুক্তক্ষমাবুভাবেতৌ নাতিবর্ত্তেত মাং কথম্ ॥১৩॥

মরম অসিদগী মী পুম্নমক্না মহাকপু চিরকারী (থবক্না মতম চঙগনবা) হায়না অহুম কৌনখ্রে ॥৫॥ আ-ক্কাওবা থম্মদবা, মবুদ্ধি চেনবশিংনা মাবুদি অতনব মী— কজল্নি হায়না শম্নহুনা— খওনহুনা লৈরবনি। মওোন্দা মী পুম্নক্কু 'আলসী" (কজল্) হায়বা উপাধি (মিংথোল) অসি পীগ্রবনি ॥৬॥ নোংমগী মরীনি গৌতম ঋষিন, মহাক্কী লোইনবী (ক্কুপী) না ব্যভিচারিণী (ওক্কুবী) অমনা তৌগদবা থবক্তু তৌরকপা উবরুপদা, মরুম্না শাক্তিখিহনা মপা অতৈদা হায়দ্রিউবা চিরকারী কৌবা মচাসিদা—"তৌজিকমক্ নমা অসি লোইথোক্ পুরো— হাংলুরো" হায়না যাথং পী থাকখ্রে ॥৭॥ থোইদোক্লা হুস্তনা থম্বনা যাথং অসি পীথোক্-লম্নগা জপ ধ্যান তৌবগী মহুংদা অথোইবা ব্রহ্মর্ষি গৌতম অসি বনদা চংখ্রা তৌবা চখে কখ্রে ॥৮॥

মপানা যাথং অহু কেক্ পীবদা "য়াম্না ফনি" হায়বা পাউখুম চিরকারীনা কেক্ পীদে। চিরকারী-নিদন, অমুক্ কৰি হায়গনি। অদুগা মহাক্কা পাউখুম পীখ্রেদা গৌতম ঋষিন যাথং পীরম্নগা অহুম চংখ্রবনি। মপাগী পীরম্মিবা যাথং অদুগী মথক্কা মহাক কুপনা বিচার তৌদুনা লৈহৌই ॥৯॥ মহাক্কা অমা অমা অসুম্না খল্লকই,— ইপাগী যাথংসু ঙাক্কুবা, ইমাবুসু হাত্তনবা থবক অনীসি পাংথোক্কবসি করি উপায় লৈ? খুদেংথৌবা মাক্কম অসিনা ধর্ম শাশিন্নদুনা ধর্মগী কিজোল শেংদুনা এৈত্তোন্দা চঙশিল্লকুনি। অসাধু ওইবা জ্ঞান তাদবা অমগুম্না এৈনা মাখল ঈতৌ তৌগনা চোথখিগদ্রা ॥১০॥ মপাগী হাথংবু ঙাকপা হায়বসি অখোইবা ধর্ম অমনি। মমাবু ঙাকপা য়োকপা, অনাবদগী থনব হায়বসিসু মচা হায়বা অদুগী অথোইবা ধর্ম্মনি অমনি। মমা মপা লৈরিবা মচাগী স্বতন্ত্রতা (মনি-মখা তম্বা হায়বা) কয়মত্তা লৈতে। মমা-মপা লৈরিবমখৈ মখোয়গী মখা পোন্না লৈগদবনি। অদুনা নাকল অনীমক্তা অধর্মগী লৈনা কংদনব স এৈনা করি তৌবা বাই? ॥১১॥ কুপীসু ওইবা, অদুগী মথক্তা মমা হায়বদুসু ওইবা, অসিবু হাংলগা করম্না তাইবং মপোক্ অসিদা করম্না ফাওবইবা ফংগনৌরিবনো? মপাবু থোইবা উৎশিল্লবা মচা অদুনসু করমনা চাউথংপো ফংবাইবা ফংগনি? ॥১২॥ মপাবু উৎশিল্লবা— থোইদবা হায়বসি থক্ তৌরোইদৌবনি। অদুগী মথক্তা মা মাবু পোক্পা থাক্পা হায়বসি মবাগী ধর্মনি। অনী অসি মচা হায়বদুগী চম্বা তৌরবা মাত্রবা ধর্মনি। অনীমক অসিবু এৈনা মতৌ করম পাঙথোকনি? ॥১৩॥

পিতা হ্যাত্মানমাধত্তে জায়ায়াং জজ্ঞিবানিতি। শীলচারিত্রগোত্রস্য ধারণার্থং কুলস্য চ ॥১৪॥
সোঽহং মাত্রা স্বয়ং পিত্রা পুত্রত্বে প্রকৃতঃ পুনঃ। বিজ্ঞানং মে কথং ন স্যাৎ দ্বৌ বুদ্ধ্যেচাত্ম সম্ভবম্ ॥১৫॥
জাতকর্মণি যং প্রাহ পিতা যচ্চোপকর্ম্মণি। পর্য্যাপ্তঃ স দৃঢ়ীকারঃ পিতুর্গেহে বিনিশ্চয় ॥১৬॥
গুরুম্বপ্রাঃ পরো ধর্মঃ পোষণাধ্যাপনান্বিতঃ। পিতা সদাহ ধর্মঞ্চ স বেদেষ্বপি সুনিশ্চিতঃ ॥১৭॥
প্রীতিমাত্রং পিতুঃ পুত্রঃ সর্ব্বং পুত্রস্য বৈ পিতা। শরীরাদি দেয়ানি পিতা ত্বেকঃ প্রযচ্ছতি ॥১৮॥

মপা হায়বসিনা মশাগী জাতিগী গোত্রগী সদাচারগী, লমচৎকী মান-মর্য্যাদা পুন্নমক অসিবু মরী ভত্তুনা ভাকে শোগাকে হায়বগীদমক্, মশামকপু মাগী শেয়নবীগী গর্ভতা বীর্য্যগী মশক ওইদুনা থমজখিবনি— লাপ-খিবনি। মতুনি গর্ভাধান হায়রিবসি। পিতা মশামক্তা পুত্র ওইদুনা অমুক্ পোকরকপতনি ॥১৪॥ মরম অদুনা মচা কৌবা ঐ অসি ঈশা ঈমা অনীমক্তা অমত্তা ওইনা পোরকপগী মূর্ত্তিনি। অদুনা মচা ঐগী মূর্ত্তি অসি মখোয় অনীগী অপুনবা মূর্ত্তিনি। "ঐ" হায়বসিবু অউবা মূর্ত্তি পুদুনা থোরকহল্লকপগী অহানবা কারণদি — ঈপা-ঈমা অনীমক্কী অসিগুম্বা ভাব অমদি জ্ঞান অসি পুন্নদা কয়িনী লৈহল্লোইদৌরিবনো ? ॥১৫॥ জাতকর্ম অমদ উপনয়ন (লাইমিং লৌবা, ঙাকক্ খুঙুন জংবা) চিনা সংস্কারগী মতমদা ঈপানা পীরিথবা আশীর্ব্বাদ বরদাননচংবদা, মপা হায়বদুগী গুণ অমদি মান-মর্য্যাদাবু ইংননবগী মতীক চারবা চাউরবা প্রমাণ অমনি ॥১৬॥ পোকাদুনা, যোকপী থাবদোকপা অদুগা 'বক্তা' ওমহনবগী ক দিগুকদি মপা হায়বা অদুগুনা ওইরিবনি। মহাক্কি পরমধর্ম হায়বদুগী মীৎনা ঈদা মূর্ত্তিনি। অদুনা মপা হায়বা অদুনা হেক্ পীরিবা যাথংমথৌ লৈথা তাহন্দবসি অযোইবা ধর্ম অমনি হায়না খন্দুনা ফীগাদ লানা যাগদবনি। ধর্ম হায়ববু যাসিজনি হায়না বেদশুদা হন্নাদনি হাংনবানি ॥১৭॥ বাৎসল্যপ্রেম প্রীতি হায়বসি মশক্ উবা পোৎ নত্তে। অদুবু প্রেম প্রীতি হায়বদুনা পুত্র ওইদুনা অউবা মূর্ত্তি পুদুনা চংথোরকপনি। অদুনা মপা হায়বসি মচগী থম্ থাংজবা, লোইজবা মরক্কি। মপা হায়বসিতন মচাদা থরায়, হকচাং, ইন্দ্রিয় শক্তি-নচিংবা হেক্ পীবা পোংমথৌ পীশোনগরবনি ॥১৮॥ *

* সনা লুপা কিয়োম্মচিবা পোৎচেশিং অসি মরূপ অমনা মরূপ অমদা পীথোক্পা অদুম মতুন্নি। থরায় হকচাং ইন্দ্রিয়শক্তিনচিংবদি কনানশু পীথোক্পা ঙমদে। মশা মথন্তুনা মশাগী বীর্য্য (শক্তি ইন্দ্রিয়) বু পুথোক্তুনা মাঙতন্দুনা ইন্দ্রিয়শক্তি ফাওবা হন্দুনা কান্নলহন্দুনা মপা হায়বসিনা মশাবু মচা ওইহন্দুনা অমুক শেমখিবনি। অদুনা তুম্না শন্নকপনদি মপা হায়বসিনা মচামক্তু ওইনা অমুক পোক্লকনিনা. দুগী হায়বাস খাগী মমানি। মপুরোয়বগীশু অমুকহন্না পোক্লক্কঙু, হায়বদি অপোকপীনি. মচাগীশু অপোক-পীনি। মপাবু থোৎলক্ট উশিন্নবা মচাগু মশানা মশাবু উশিচনবনি। মশা মথন্তুগী হকচাং ইন্দ্রিয়শক্তি ঊ-নাই, শু তোং পুম্বা পীথোক্-লান্নোক্তুনা মশাবু শেম্নিপাবিরবা মপা হায়বসিনা অমুক মচাদা মাগী লৈজবা লন্ থুম লৌরী-ইংখোল পুম্বা ফংননবা অধিকার পীথোক্নি। অদুনা জ্ঞান-বিজ্ঞান অনীমক্কী দৃষ্টিদা মশাবু য়োক্-থাকপদি মশাবু য়োক্চবনি। মচাবু য়োক্ থাকপদি মশাবু য়োক্চবনি। (কালাচাঁদ)

তস্মাৎ পিতৃর্বচঃ কার্য্যং ন বিচার্য্যং কদাচন। পাতকান্যপি পূয়ন্তে পিতুঃ শাসনকারিণঃ ॥১৯॥
ভোগ্যো ভোজ্যো প্রবচনে সর্ব্বলোকনিদর্শনে। ভর্ত্রা চৈব সমাযোগে সীমন্তোন্নয়নে যথা ॥২০॥
পিতা ধর্মঃ পিতা স্বর্গঃ পিতা হি পরমং তপঃ। পিতরি প্রীতিমাপন্নে সর্ব্বাঃ প্রীয়ন্তি দেবতাঃ ॥২১॥
আশিষস্তা ভজন্ত্যেনং পরুষং প্রাহ যৎ পিতা। নিষ্কৃতিঃ সর্ব্বপাপনাং পিতাযচ্চাভিনন্দতি ॥২২॥
মুচ্যন্তে বৃন্তনাৎ পুষ্পং ফলং বৃক্ষাৎ প্রমুচ্যতে। ক্লিশ্যন্নপি স্নুতং স্নেহৈঃ পিতা পুত্রং ন মুঞ্চতি ॥২৩॥
এতৎ বিচিন্তিতং তাবৎ পুত্রস্য পিতৃগৌরবম্। পিতা নাম্নতরং স্থানং চিন্তয়িষ্যামি মাতরম্ ॥২৪॥
যো হ্যয়ং ময়ি সংঘাতো মর্ত্ত্যত্বে পাঞ্চভৌতিকঃ। অস্য মে জননী হেতুঃ পাবকস্য যথারণিঃ ॥২৫॥
মাতাদেহারণিঃ পুংসাং সর্ব্বস্যার্ত্তস্য নির্বৃতিঃ। মাতৃলাভে মনাথত্ব সনাথত্বং বিপর্যয়ে ॥২৬॥

মরম অদুনা মপাগী য়াথংবু ঙাক্পা হায়বসি মচাগী তৌদবা য়াত্রবা মথৌ অমনি। মাসিদা অতৈ অয় অদা লক্লবা য়াত্রবনি। থরনৈতায় লৈত্রবনি। মপাগী য়াথংবু ঙাক্লবদি মশান তৌথিবা পাপ পুম্নমক অরুম কোক্লবনি ॥১৯॥ মচা হায়বসিগী ফিরোল শেংনা-চানহা পুথা লাওবা, বিদ্যা তম্বিবা, তমহনবা, লোক সমাজগী নিয়ম-ব্যবহার, আচার-বিচার পুম্নমক তম্বিবা, অদুদগী হেক্লোক্লুনা গর্ভাধান, পুংসবন (গর্ভাধানগী মতুংদা সংসর্গনচিংবদা তৌগদবা নিয়ম সংস্কার) পোক্লবা মতুংদা তৌগদবা চূড়াকরণ, অন্নপ্রাশন (চউম্বা), কর্ণবেধ, উপনয়ননচিংবা সংস্কার পুম্নমক অসিগী পাওথোক্পদা মপা হায়বসিতনা থাজেংশিংবা মপুনি (মথক্তা অমম্বনা তংবিরবা লৈত্রবনি ॥২০॥

ধর্ম হরবদু মপানি, স্বর্গ হায়রবদু মপানি, মপা হায়বসিনা অথোইবা তপস্যানি। হায়বদি তপস্যা তৌদুনা তারম্বিবা মপা হায়বসিবুতাননি। মপা হায়বসিনা পেল্লবদা লাই পুম্নমক্কা পেল্লি ॥২১॥ মপানা থীরা চৈবা তত্তবদু মচানা অশীর্ব্বাদ পীবগুম লৌনৈ। মপাগী মফমদা পাপকী থবক তৌরবস্ত্র মপা অদুনা নুংশিবা-য়াইহেনা কোন্থি-চুপ্লিবা মতমদা মচাগী পাপ পুম্নমক খুদক্তা কোকই ॥২২॥ লৈনা উশাদগী বেন্দুনা তাথি মহৈনা মশাদগী কেন্দুনা তাথি, অদুবু মচানা নত্তবা কর্ম কয়া তৌরবস্ত্র, মচাগী হাকুচ্ছুগী অরা-অনং কয়া থাওবত্তনি। মপা হায়বসিনা চত্ত্রব মচাত্তুবুতদি থাদোক্পা মতমদ্রে। হায়বদি— মচানা মপা-দগী দ্যোতায়া তাথিবতনি থক মতমদ্রে ॥২৩॥ মচাগী মফমদা মপা হায়বাসিগী মহিম (মতীক্ মগুম্) অসি কয়া য়ায়া চাউবা লৈবগে হায়বসি অদুগা করিগী অমক য়ায়া লৈরিবনো হায়বদুগী বিচার য়াথলদি থরা মতৌরে। তৌরিবা য়াথংশিচর অসিদগী মপা হায়বসি মচাগী তরাহ তগাইবা চত্তজফম (আশ্রয়) মচা অমকক্তা নত্তে হায়বসি ঈমানক্ত খত্তনরে। ঈমাগী মরমদা অমুক কৃপা থম্বফম থোকই ॥২৪॥ ঐ— (আত্মা) না পাঞ্চভৌতিক (পঞ্চভুতনা শাবা) দেহ অমা কংলিবাসগী মুখ্য কারণ (মরু ওইবা মরম) দি ঈমা হায়বসিনি। প্রমাণ অমদা হায়রগা যজ্ঞগী মৈ হৌগৎনবগী— থাগৎনবগী মৈ পুথোক্লনবগী অরণি কাই অমগুম্বনি ॥২৫॥ মনা হায়বসি বী পুম্নমকী মৈগী মশক ওত্তরবা হকচাংনিবু পুথোক্লনবগী যজ্ঞগী মৈ হোগৎনবা শূরলগুম্বনি। সংসারদা অরাবা তাররা, অচঞ্চত জীবপান্বা পুম্নমক্তা নুংঙাইবা অমদি সুখ-

ন চ শোচতি নাপ্যেনং স্থাবির্যমপকর্ষতি । শ্রিয়াহীনোঽপি যো গেহম্বেতি প্রতিপদ্যতে ॥২৭॥

পুত্রপৌত্রোপপন্নোঽপি জননীং যঃ সমাশ্রিতঃ । অপি বর্ষশতস্যান্তে স দ্বিহায়নবচ্চরেৎ ॥২৮॥

সমর্থং বাসমর্থং বা কৃশং বাপ্যকৃশং তথা । রক্ষত্যেব সুতং মাতা নান্যঃ পোষ্টা বিধানতঃ ॥২৯॥

তদা স বৃদ্ধো ভবতি তদা ভবতি দুঃখিতঃ তদা শূন্যং জগৎ তস্য যদা মাত্রা বিযুজ্যতে ॥৩০॥

নাস্তি মাতৃসমা ছায়া নাস্তি মাতৃসমা গতিঃ । নাস্তি মাতৃসমং ত্রাণং নাস্তি মাতৃসমা প্রিয়া ॥৩১॥

কুক্ষি সংধারণাৎ ধাত্রী জননাজ্জননী স্মৃতা । অঙ্গানাং বর্দ্ধনাদম্বা বীরসূত্বেন বীরসূঃ ॥৩২॥

শান্তি পীনহৈবীদি মমা হায়বী 'সিবত্নি। মমা হয়বসিবা হিংহন লৈরিনখ মচা হায়বসিবা মপু পান্‌বা চঙজকম লৈবা অমা ওইনা লৈজে। মমা হেক্ লৈত্তবদা মচা হায়বসি নিংশাশ্রয় (চঙজকম লৈত্রবা— মপু পাস্ত্রবা) ওইনা লৈ ॥২৬॥ মমা হায়বসিনা লৈরিবৈদা মচাগী করিগুম্বা চিন্তা অমত্তা লৈতে। হন্নবকপা অহন্ ওইরকপা হায়বহুনা, মমা লৈরিবা মচা অমবু, মঙোল্লোমদা কন্না চিংশিনবা ঙমদে। মচানা ঈমুংদা চঙকুনা "ঈমা!" হায়না কৌজন্নকপদা অন্নম ওইবী মমানা "করি না ইবুঙো।" হায়না থুম্মকপতদা মচা ওইবগী মংকোংদা ঈমুংহুদা অন্নপূর্ণা কৌবী ফৌওইবী লাইরেম্মনা খুম্বিরকপগুম তায়। মহাক মশামক্তা মমা অহুবু অন্নপূর্ণা কৌবী লক্ষ্মীগী নাক্তা চঙশিন্নবগুম থবে ॥২৭॥ মশামক্তী মচা মশুনা পীকুমন্নবস্থ অহুগা মশামক্ চহী চামদগী হেন্‌বা অহল হন্নবা ওইরবস্থ মমাগী মনাক্তা লৈরবদি চহী অনীত্তা ভায়রিবা অঙাংমচাগুম্না লৈ। মমানস্থ অহল মচাহুবু অহুবৈঙগী চহী অনীতগী অঙাং নাওরাগুম্না উই। অহল ওইরবা মচা অহুনা মমাগী মকমদা নাউথি শাহুনা, ওইনহুনা অহুবৈঙগী অঙাংগুম্না অহুম লৈ ॥২৮॥ মচাহুনা নোয়রবু নোয়রবস্থ কংবু কংলবস্থ, কন্নবস্থ শোন্নবস্থ, মনানা অহুম য়োকপী খাকপিবগী মওং অচৌ মরৈ। মমানা মচাবু অহিং ভুংথিল কুপ্না শেন্নহুনা ভাকপি-শেন্‌বিবহুগুম্না কনা অত্তুনস্থ তৌবা ঙম্মা নত্তে ॥ ২৯॥ ঈমা কায়নথবা মহাক্ অহুদি কনা নহা ওইহুনস্থ অহলগুম্না ঈশোন্ শোহৈ। জগৎ অসিগী মঙ্গদা মাগী কনাস্থ লৈজত্রবগুম্না মতু ঈশোন শোন্না। মাগী মনীত্তা জগৎ অসি ঈহাউ হাউনা উনমুক্ চক্লা লৈ ॥৩০॥ ঈমাগা মান্ননা থমৌওডায় পোৎথনীওডায় মরুম্ অমত্তা লৈতে। ঈমাগী মশাইগোন্দা লৈবদা ফবা— ভুংঙাইবা অহুপ ভুংঙাইবা করিগুম্বা একমদা লৈতে। ঈমাগা মান্নবা সগায় অমত্তা জগত্ত লৈতে। ঈমাগা মান্ননা নুংশি-হৈবা মীশক্ অমত্তা লৈতে। অঙানা পান্না ভুংশিজবদি— মমা নত্তন করিগুম্বা পোংশক্ অমত্তা জগৎ অসিদা লৈতে ॥৩ ॥

পোকপাম্ থাবুম্ ভবাবু নাউয়োমখংদা পুবিরকপনা
ঐগী য়োকচবী—ধাত্রীদি ওইরি পুন্‌শিচুপ্পা ঈমানা।
ঐবু মীৎ-নায় পাঙহন্‌বিরকপনা অপোকপীনি ঐগী ঈমানি।
ঐবু চাউনবা শেম্বিরকপনা লম্‌শেন্-ভুশেম্বী লাইরেম্মনি।
অকনব মচা পোকপিহৈবনা অকন্‌বা পোকপী ঈমানি ॥৩২॥

শিশোঃ শুশ্রূষণাচ্ছুশ্রূর্মাতা দেহমনন্তরম্। চেতনাবান্ নরোঽস্মাৎ যস্য নাস্তুবিরংশিরঃ ॥৩৩॥

দম্পত্যোঃ প্রাণসংশ্লেষে যোঽভিসন্ধিঃ কৃতঃ কিল। তং মাতা চ পিতা চেতি ভূতার্থো মাতরি স্থিতঃ ॥৩৪॥

মাতা জানাতি যদ্গোত্রং মাতা জানাতি যস্য সঃ। মাতুর্ভরণমাত্রে প্রীতিঃ স্নেহঃ পিতুঃ প্রজাঃ ॥৩৫॥

পাণিবন্ধং স্বয়ং কৃত্বা সহধর্ম্মমুপেত্য চ। যদা যাস্যন্তি পুরুষাঃ স্ত্রিয়ো নার্হন্তি বাচ্যতাম্ ॥৩৬॥

ভরণাদ্ধি স্ত্রিয়ো ভর্ত্তা পালনাদ্ধি পতিস্তথা। গুণস্যাস্য নিবৃত্তৌ তু ন ভর্ত্তা ন পুনঃ পতিঃ ॥৩৭॥

এবং স্ত্রী নাপরাধ্নোতি নর এবাপরাধ্যতি। ব্যুচ্চরংশ্চ মহাদোষং নর এবাপরাধ্যতি ॥৩৮॥

অস্তাং ওইহৈদে সেবা তৌবিরকপনা, ঈমানা ঐগী শাগোন্নবীনি।

হকচাং হকচাংগা নপ্পবী ওইবনা, খাইদগী নকুবীদি ঐগী ঈমানি।

খোপ্তা বুদ্ধিগী শরক খিত্তং য়াওরিবা, হুপুম্বা মীশক্লা মমাদা,

হিংস তৌগম থোক্তে তৌহৈদে, তৌববদি মহাক্ মহাপাপীনি ॥৩৩॥

মপা মম অনীনা হেক্ হেক্ ঈনব মতমনা, অকবা মচা পোক্চগে হায়না

ভগবানদা অনী চওতুনা নীৈজ, পাম্জবনি মাসি অনীমক্না।

অহুব পামজবা শরক অহুদি মমাগী থম্মোযদা লৈবনা হেল্লি।

করম জাতি গোত্রগী ঈচানো হায়বহু ঈমাতনা খঙিও খওদে অমনা ;

মপা কনাগী মচানো হায়বদো, মমা মহাকৃতনা মখঙি।

নাউয়োম হুদা হক্মুংদা পুবসি, ঈমা নত্তনা কনানো জগত্তা ? ॥৩৪॥

থোৎন-নীনা মুংশিবিব হায়বহু, মমাগী থম্মোয়তদা লৈবনি।

মপাদি মচাগী মপু ওইবগনি, মনাগুম থোইনা মুংশিবা নত্তে ॥৩৫॥

নি ! হয়বসিনা লুগোব মুমিত্তা মহাক্তী লোয়নবী ওইগদৌরিবী অহুগী মকমদা ধর্ম কায়বা লমচৎ চৎলোই, অধর্মগী থবক তৌবোই হায়না রাশকুই। অহং নিপা অহুনা অতেপ্পা মুপী অমদা চৎলুরবদি নত্রগা অত্যাচার তৌরুবদি মাহু মহাক্তী লোয়নবী অহুগী দোষনা নত্তে ॥৩৬॥

লোয়নবীবু ভরণ-পোষণ তৌই হায়বদগী মপুরোয়বব ভর্ত্তা কৌই। শাসন তৌই হায়বগীদমক পতি কৌই। হায়রিবা অনীসি তৌরবদা নিপাহু মুপীহুগী ভর্ত্তাশু ওইত্রে, পতিসু ওইত্রে ॥৩৭॥ থাংগৈশংবদি মুপী হায়বীসিগী মরান্দি করিমতা লৈতবনি, লাল্লকৃপসি নিপানা হায়া হৌগল্লি। ব্যভিচারগী থবক অসি নিপানা হায়া তৌই। অহুনা মরাল লৈতবসি নিপানি ॥৩৮॥ *

* কনাগুম্বী মমীং য়াম্বী, ওজুবীনা মাব্ লুনা থাক্তরিব নিপা অহুগী মথক্তা বিশ্বাসঘাত তৌহুনা ব্যভিচারিণী ওই। অহুগুম্বা মতওদা, লুতেংবা মুমিত্ত মতৌ-মনাও রাশরুবি হায়হুনসু নিপা মপুরোয়বা অহুনা মহাকপু হায়গুম্বা চেংনা চাম্বা মুংশিনা লোয়নরুপা অহুনা কোমথরকৃপা হায়বসি মরোল্লা ভাবনি। অহুম

স্ত্রিয়াহি পরমো ভর্ত্তা দৈবতং পরমং স্মৃতম্। তস্যাত্মনা তু সদৃশমাত্মানং পরমং দদৌ ॥৩৯॥
নাপরাধোঽস্তি নারীণাং নর এবাপরাধ্যতি। সর্ব্বকার্য্যাপরাধ্যত্বান্নাপরাধ্যন্তি চাঙ্গনাঃ ॥৪০॥
যশ্চ নোক্তোঽথ নির্দ্দেশঃ স্ত্রিয়া মৈথুন তৃপ্তয়ে। তস্য স্মারয়তো ব্যক্তমধর্ম্মো নাস্তি সংশয়ঃ ॥৪১॥
এবং নারীং মাতরং চ গৌরবে চাধিকে স্থিতাম্। অবধ্যাং তু বিজানীয়ুঃ পশবোঽপ্য বিচক্ষণাঃ ॥৪২॥
দেবতানাং সমবায় মেকস্থং পিতরং বিদুঃ। মর্ত্ত্যানাং দেবতানাং চ স্নেহাদভ্যেতি মাতরম্ ॥৪৩॥

মপুরোয়বা হায়বসি মুপীগীদি ওস্লোক্লা ঈকায়-খুম্নকম ঈরাংনফম্নি। মুপী হায়বসিগী মকমদা খ্বাইদগী চাউবা দেবতা খ্বাইদগী হেন্না নীংনফম ইষ্টদেবদি মপুরোয়বা হায়বসিনি। ঐগী ঈমানা মশাগী পীথোক্-উরিবা নিপাদু ঐগী ঈপাগা হকচাংদা, মগুণদা ফিজং-লৈতেংদা চপ্ মান্নে করিনগুম খেন্নদে ॥৩৯॥
অসিগুম্বা মতাংদা মুপীগী দোষ করিংগুম্বা লৈতে, নিপাতগী দোষনি। নিপাতনা লানবনি। মুপী হায়বসি মশানা অবলা হায়বদু ওইবনা অসিগুম্বা ঘটনা লাকপদা মুপীগী মরাল অসি ঙাকখিবা থাকৈ। অদুনা মুপীদি মশানা পরাধীন ওইদুনা অদুম লৈবনিনা, মাগী মপুনশি অসিদা মরাল শূকপৈ লৈত্রবনি হায়বসি হায়বা য়াদে ॥৪০॥ শম্ন-খোংনবগী ওহাক্ শুপাইবদু পাম্মুবগী মুপী অমনা হান্না নিপা অমগী মকমদা ইঙ্গিত ঈতৌ তৌরকনা, মুপী অদুদা নিপা অদুনা খুদক্তা অপাম মুংশি পোক্লনবগী করিগুম্বা কর্ম্ম অমা তৌরকরবা, নত্রগা অত্যাচার তৌরুরবা, অদু ওইরবদি মুপী অদুগী ধর্ম্ম কাংদবা লৈতে। অদুগা নিপা অদুদি অধর্ম্মীনি। মাসিদা করিমত্তা চিংনমীওডায় লৈত্রবনি ॥৪১॥ অদুগা ঈমাদি মুপীনি অদলানি, অদুগী মথক্তা ঐগীদি গুরুনি। পূজা তৌননীওডায়নি, অদুগা ঈপাদগীসু ঈমানা গুরু ওইবা হল্লি। ঈপাগী গৌরবতগী ঈমাগী গৌরবনা হেল্লি। পশুশবা শা ফাওবা মমাবু হাত্লদবনি হায়বসি খভিত্ত। অদুগা ঐনি ওইবং মী অমা ওইরগা অসিগুম্বা হিংসাসি করম্না তৌগনি? ॥৪২॥ ঈপা হায়বসি ব্রহ্মা বিষ্ণু শিবা দেবতা পুম্নমক্কা পুল্লপ্ পুন্না লৈবগী মূর্ত্তি অমনি হায়না জ্ঞানীশিংনা হায়। অদুবু মমা হায়বাসগী হকচাংদুদদি মী, লাই পুম্নমক্কা পুংপ্না তিন্নদুনা লৈরিবনি। অদুমক্তন ঈপাগী গৌরব (হক্পা—লুম্বা) দগীসু, ঈমাগী গৌরবনা হান্না হেল্লি ॥৪৩॥

তৌরবদি রাশকৃথিবদু কায়বগী দোষ লৈতে। মুপী অদুনা অদুগুম্বা অমোংপা লমচৎ অদু চংলবা কাওবদা নিপাদুনা মুপীদুবু অদুম মুংশিনা মতৌবিন্নবদি সমাজগী মীংয়েংদা নিপাগী লমচৎ অদুম অকান্নবা অমা লাকই। অদুনা লুহোংবা মুমিংকী রাশকুবসি, পুক্নে হিতকী মচৌনগী ওইরবসু মুপীবুসু রাশকহনবনা চুম্মি। অদু ওইরবাদ কনানা হান্না অপরাধী ওইরকপগে হায়বদু ময়েক্ লান উ নি। মুপীনা ব্যভি-চারিণী ওইরবা কাওবদা নিপাদি মত্তোন্দা লানবা ইহ্না য়াদে হায়রবদি মন্ত্র যন্ত্র থীদনা যজ্ঞ তৌদুনা লুহোংলুবগীসু খোইনা কান্নবা লৈতে। মুপীদুনা ব্যভিচারিণী ওইত্রিদ্রৈদা তৌখবা রাশক্লি। অদুন ব্যভি-চারিণী ওইবা মতুংদসু রাশক অদুম্মক ঙাক্কদবনি হায়রবদি ইচা বর্ণশঙ্কর পোকপনচিংবগী দোষ অসিগী দায়িত্বদি শাস্ত্রনা পুবা তাল্লি। (কালাচাঁদ)

এবং বিঘ্নশতস্তস্য চিরকারি তয়া বস্তু। দীর্ঘকালো ব্যতিক্রান্তস্ততোঽহমাগমং পিতা ॥৪৪॥
মেধাতিথির্মহাপ্রাজ্ঞো গৌতমস্তপসি স্থিতঃ। বিমৃশ্যাতাকালেন সখ্যাঃ সংস্কারবৃত্তিক্রমঃ ॥৪৫॥
সেঽব্রবীৎ ভৃশসংতপ্তো দুঃখেনাশ্রূণি বর্তয়ন্। শ্রুত ধৈর্য্যপ্রসাদেন পশ্চাত্তাপসমন্বিতঃ ॥৪৬॥
আশ্রমং মম সংপ্রাপ্তস্ত্রিলোকেশঃ পুরন্দরঃ। অতিথিব্রতমাস্থায় ব্রাহ্মণং রূপমাস্থিতঃ ॥৪৭॥
স ময়া সান্ত্বিতো বাগভিঃ স্বাগতেনাভিপূজিতঃ। অর্ঘ্যং পাদ্যং যথান্যায়ং ময়া চ প্রতিপাদিতঃ ॥৪৮॥
এতাবানস্মি চেত্যুক্তঃ প্রণয়িষ্যতি তেন চ। অত্র চাকুশলে জাতেঽস্ত্রিয়া নাস্তি ব্যতিক্রমঃ ॥৪৯॥
এবং ন স্ত্রীন চৈবাহং নাধ্বগা স্ত্রিদশেশ্বরঃ। অপরাধোঽতি ধর্মস্য প্রমাদস্ত্বপরাধ্যতি ॥৫০॥
ঈর্ষ্যাজং ব্যসনং প্রাপ্তস্তেন চৈবোর্দ্ধরেতসঃ। ঈর্ষ্যায়া স্তম্ভমাক্ষিপ্তো মগ্নো দুষ্কৃতসাগরে সাগরে ॥৫১॥

কুন্না মতম চঙনা বিচার তৌগনবা মমিংমকৃত চিরকারী (য়াম্না মতম চঙনা থবক্ তৌগনবা) কৌবা অসিন মতৌ অসুম্না অক কত্ত পুমমক্ মথং হুঁইজনা থম্লুনা লৈরি বিচারদা মগী মতম যাম্না তৌখ্রে। অসুম্না মনুন লৈরিঙৈদা মপ অদু হল্লকই ॥৪৪॥ তপস্যদা পুক চঙলবা, মংজ্ঞানী ওইবা মেধাতিথি— গৌতম অসি মাগী লোয়নবী অহল্যাগী হায়বা তৌনত্রব থাংদু মচানকুদা পীস্বী ঙাক্সন্‌খরা— হুনা নীঙ মদবগী মৈনা থম্মায় চাক্লা চক্লা মমুমদ হল্লরক, অরা মুঙ ইরবা মপী নরী মরীনা মীংলুংগী শিল্লকই। মেধাতিথিগী অমসি শাস্ত্রগী জ্ঞানগী অপাক্লা মগী মগাবু খেমজিল্লরে। দুঃখাইমনখিরগনা অসুম্না মপুক্লীদা মওগ মথল থল্লকই ॥৪৫—৪৬॥ হে, তম্বাকপনি! মরোল অহুনগী নিংথৌ ইন্দ্রনা ব্রাহ্মণ মকুনা ঐগী মংশ্রমদ লাকখি গৃহস্থ শ্রদ্ধা লৈবগী হোৎনবা বিধিগী মতুংইন্না, নীথিজবা বাহৈ— ঙাক্তনা মাঙগইনা মডোন্দা অতিথি সৎকার — অতিথি সেবা তৌখি। অর্ঘ্য, পাদ্য চিংবা পূজাগী সামগ্রী পুরক্লা ঐনা মাগী পূজা তৌখি ॥৪৭—৪৮॥

ঐনা মডোন্দা অসুম্না হায়খি,— ভগবন্! ঐ নংগী নখা পোনবনি। ব্রাহ্মণনা ঐগী মুমদা লোঙ— দাবিরকপসিদা ঐ ওসি অয়াং-অপা লৈতবা মপু পানবা হায়রদু ওইজগবনি। ঐনা মডোন্দা অসুম্না নীঙ— থিবা বাহৈনা তরাম্ তরাম্ ওকুচবহনা মন ঐডোন্দা য়াম্না পেন বরমগনি হায়না খল্লম্মি। অদুবু মহাক ওইরবা কামলোভী ওইরবা মহাক্লা মহাপাপকী থবক অসি তৌরম্নে। মসিদা ঐগী অহল্যাগী দোষ করিমত্তা লৈতখিগবনি ॥৪৯॥ ঐগীসু দোষ লৈতে মাগীসু দায় লৈতে। মাসিগী দোষ অপরাধী পাপী ওরিবদি অতিথি ব্রাহ্মণ শাশিন্নহনা লকপা ইন্দ্র মহাক্তনি মগা তিংসা অমসি মহা থবক ওইবা, মুপী হাৎপা হায়বা পাপ তৌবনব, ঐগী পুক্লীংদা অয়ানবা যথল অমা লোকত্রিবর্গসিগী মথদি পাপী ইন্দ্র মহাক্তি ॥৫০॥ ঊর্দ্ধরেতা ওইরবা মুনিবা, হায়বদি— মথরোমদা কামশরকপনা ঈ (ঈর্ষা) গী শরক্লা মথক্লোমদা হুইগৎ— প্রবা মওঙুবা যৌগীসু করকপা থম্মনবগী অয়াব ঈপাক্লা তাই অচুপুবা করকপগী ঈপাক্লা ঐসু ওসি তাররে ॥৫১॥ ঐগী পুনশিলিমগী লোয়নবীগী মওংদা ঐনা মহাকপু ঐগী মুমদা পুশিন্দুনা থমখি। মহাক অদু মায়কী মতৌরি হায়না খঙহনা মুমগী থবক-থনা পুবা মডোন্দা শিমখি। অহুগা মহাকপু মুখ অসিগী

হত্বা সাধ্বীং চ নারীং চ ব্যসনিত্বাচ্চ বাসিতাম্। ভর্ত্তবাম্বেন ভর্যাং চ কো নু মাং তারয়িষ্যতি ॥৫২॥
অন্তরেণ বয়াজ্ঞপ্তশ্চিরকারীত্ব্যুদারধীঃ। যদ্যদ্য চিরকারীস্যাৎ স মাং ত্রায়েত পাতকাৎ ॥৫৩॥
চিরকারিক ভদ্রং তে ভদ্রং তে চিরকারিক। যদ্যদ্য চিরকারী ত্বং ততোঽসি চিরকারিকঃ ॥৫৪॥
ত্রাহি মাং মাতরং চৈব তপো যচ্চার্জ্জিতং ময়া। আত্মানং পাতকেভ্যশ্চ ভবাদ্য চিরকারিকঃ ॥৫৫॥
সহজং চিরকারিত্বমতি প্রজ্ঞতয়া তব। সফলং তৎ তথা তেঽস্তু ভবাদ্য চিরকারিকঃ ॥৫৬॥
চিরমাশংসিতো মাত্রা চিরং গর্ভেণ ধারিতঃ। সফলং চিরকারিত্বং কুরু ত্বং চিরকারিক ॥৫৭॥
চিরায়তে চ সন্তাপাচ্চিরং স্বপিতি বারিতঃ। আবয়োশ্চিরসন্তাপাদবেক্ষ্য চিরকারিকঃ ॥৫৮॥
এবং স দুঃখিতো রাজন্ মহর্ষি গৌতমস্তদা। চিরকারিং দদর্শাথ স্থিতং পুত্রমথান্তিকে ॥৫৯॥

মবেশ্য লক্ষ্মী ওইতুনা য়ুমগী পোং কৈ পৃয়মকী অধিকারিনী ওইত্রনীনি। অদুগুম্বী সতীবু এনা করিস্ত লৈতবা কল্লংপা থম্মনবা হায়বদুগী মথা পোনখিতুনা হাক্তে কৃহন্‌ত্রে। ঠৌজিক ঐবু মহাপাপ সমুদ্র সিদগী কনানা লন্ধার তৌবনি ॥৫২॥ পুক্‌চেল চাউরব, রাখল চাউরবা ঈচা চিরকারীদা মমাবু লাইথোকউ হায়না য়াম্বং পীত্রবনি। মমিং চিরকারী কৌবগী অর্থ অদু ঈকায় কাযদনা মুম্মা কুইন রাখল তৌরগা থবক তৌবম্নবতদা মহাক্তনা ঐবু পাপ-ঈপক্ অসিদগী লাস্তোকানব ঙমগনি ॥৫৩॥ ঈপাগী চিরকারী। নংগী মঙ্গল ওইসনু, নংনা ভস চিরকারীনিক্ ওইদুনা কুনা থম্বগ, নামগী মতুং য় থক তৌম্নবতদা নামদু মহৈ য়ানগনি ॥৫৪॥ ঈপাগী ঈচুঙে চিরকারী। নংনা থক্তেংশংবা চিরকারী কায়বদু-ক্ ওতুনা নমাবু, অদুগা ঐনা কুন তৌরকপা তপস্যাগী মহৈশিং অদুদু নংনা কনবা ওইসনু। অদুগা নহাকপু মাতৃহত্যাগী মহাপাপকী থবক অদু তৌরমদবা ওইসনু। পাপ অদুদগী নশানা নশাবু কল্লম্বা ওইয়ু ॥৫৫॥ য়াম্মা বুদ্ধি-মান্ ওইবন নশাশনা চেকাঙদগী চিরকারীতাগী গুণ অসা য়াওরকপদা ভসি মহৈ কাল্লম্মা ওইরসনু। নং থাক্লৈশেংবা থবক্তন্নু চিরকারী ওইয়ু ॥৫৬॥ অদুগা নংগী নমানা নংবু নাওবুদুনা থা তরা চুপ্পা মক্তম কুইনা নংবু মচাঙম কংজগদবগী আশা তৌদুনা, নশক উগদবগী মতম কুইনা ভাইদুন লৌখিবনি। মহাক্না মহাকপু মতম কুইনা গর্ভ পুখিবনি। অদুনা মতম কুইনা থম্বগ থবক তৌগনবা। নং ভসি নমাগী মথ্বার কল্লমদুনা থাক্লৈশে বমক চিরকারী হায়বদু ওইরম্বা ওইসনু ॥৫৭॥ ঐগী ঈচ চিরকারী হায়বাসিদি অরাবা থুদোংথীবা তারবা কাওবদা মংগী য়াম্মা কুইন থম্বগা চনীংতানা থবক তৌবগী স্বকাব অদু ঈথা থাদবনি। কুইনা ভুমগনু হয়েনা থিলবা কাওবদা য় থল থম্না থম্মা হীপ্তুনা ভুমদুনা অতুম মরৈ। ভসিদি মমা মপা ওইবা ঐথোয় অনীগী কুনা রাহনা খুংভাইতনা চাকুনা লৈগনবদু উবন মহাক শোয়দনা মতম কুইনা রাখল তৌদুনা, অমসু অমসু কাকদনবা, দোষ পাপ করিমত্তা লৈতমবা তৌরমথিগনি ॥৫৮॥

নিংথৌ যুধিষ্ঠির। মতৌ অসুম্না মহর্ষি গৌতম অসি মপূক্লীংদা মথক্তা শোক শোক্লদুনা খুংভাইত্তবা চিংনবগা লোয়ননা লাতুনা মযুমদা হেক য়ৌরকপদা মবাকদা ক্লদা মচা চিরকারীনা চপ-লেপ্তুনা লৈবদু উই ॥৫৯॥

চিরকারী তু পিতরং দৃষ্ট্বা পরমদুঃখিতঃ। শস্ত্রং ত্যক্ত্বা ততো মূর্ধ্না প্রসাদায়োপচক্রমে ॥৬০॥
গৌতমস্তু ততো দৃষ্ট্বা শিরসা পতিতং ভুবি। পত্নীং চৈব নিরাকারাং পরামভ্যাগমন্মুদম্ ॥৬১॥
ন হি সা তেন সম্ভেদং পত্নী নীতা মহাত্মনা। বিজনে চাশ্রমস্থেন পুত্রশ্চাপি সমাহিতঃ ॥৬২॥
হন্যা ইতি সমাদেশঃ শস্ত্রপাণৌ সুতে স্থিতে। বিনীতে প্রসবত্যর্থে বিবাসে চাত্মকর্মসু ॥৬৩॥
বুদ্ধিশ্চাসীৎ সুতং দৃষ্ট্বা পিতুশ্চরণয়োর্নতম্। শস্ত্রগ্রহণচাপল্যং সংবৃণোতি ভয়াদিতি ॥৬৪॥
ততঃ পিত্রা চিরং স্তুত্বা চিরং চাঘ্রায় মূর্দ্ধনি। চিরং দোর্ভ্যাং পরিষ্বজ্য চিরং জীবেত্যুদাহৃতঃ ॥৬৫॥
এবং স গৌতমঃ পুত্রং প্রীতিহর্ষগুণৈর্যুতঃ। অভিনন্দ্য মহাপ্রাজ্ঞ ইদং বচনমব্রবীৎ ॥৬৬॥
চিরকারিক ভদ্রং তে চিরকারী চিরং ভব। চিরায় যদি তে সৌম্য চিরমস্মি ন দুঃখিতঃ ॥৬৭॥
গাথাশ্চাপ্যব্রবীৎ বিদ্বান্ গৌতমো মুনিসত্তমঃ। চিরকারিষু ধীরেষু গুণোদ্দেশসমাশ্রয়াঃ ॥৬৮॥

মপানা লাকপত্ত উবদা চিরকারী অসি স্তুংঙাইতবা, অকিবগা যাম্নদুনা লৈ। মথুক্তা শস্ত্রবিবা থাঙ অদু লংথোক্লুনা মপা মহর্ষিগী চরণ অনীদা মকোক নাম্লুনা মপানা শাউদনবগী দমক 'ঐ লাক্নে" হায়দুনা হায়জগে হায়বগী মওংদা থুরম্মি ॥৬০॥

চিরুবা বন অহুদা আশ্রম অদুগী মনুংদা লৈরিবা পুকচেল চাউরবা গৌতমনা মাগী লোয়নবী সতী অদুবু অদুগা মচা চিরকারীবু করিমত্তা মকেৎপগী লাপহন্খিদে ॥৬২॥ কবিশুখা তৌদবা য়াদবা কর্ম অমগী দমক নত্রগা জপ ধ্যানগী দমক মহর্ষি গৌতমনা খরা লম্না চংশ্রবদু মচা চিরকারীনা মখুত্তা থৃংলার পায়-দুনা মমাগী মনাক্তা লেপ্লুনা লৈরম্মু মমাবু ঙাক-শেন্নবগী দমক্তা মহাক্ত য়াম্না নেমুক্তা কুইনা রাখল তৌদুনা হেক্ হেক্ লে। মমাবু হাৎননবগীদমক্তা মপানা পীখিবা য়াথং অদু মহাক্তা ঙাকপা ঙমখিদ্রে ॥৬৩॥

মচানা মকোক লোম্লুনা খোঙদা তুম্দুনা লৈবদু উবদা থাঙ পায়বা— থাঙ থাংলংপা ঙমদদুনা হায়বা কিরদুনা লেম্নমান্নে হায়না গৌতম ঋষিনা খন্খি ॥৬॥ মপানা মতম কুইনা মহাকপু থাগৎদুনা, য়ামনা কুইনা মকোক্তা নান্থিদুনা, নমদুনা, মপাগোম অনীনা কোন্খৎদুনা কইনা কোন্থিন্দুনা লমখি। মচাদা আশীর্ব্বাদ তৌরগ — "ইবুঙে! চিরকারী! চিরংজীবী ওইয়ু— মতম কুইনা পুনশিন্নু।" অস্মনা হায়খি ॥৬॥ মতৌ অস্মনা মপুক্নীং মপুক্নীংদা হরাওবা লুংঙাইবা অদুগা মগাবু থুমশিনা অনীসিনা থরুবা খঙ্মোয় শোক্ত মহর্ষি গৌতমনা মচা চিরকারীবু অস্মনা অযুক্ হায়খি ॥৬৬॥ 'ইপাগী ইবুঙো। মঙ্গল ওইয়ু, পুনশিন্নু। চিরকারী ওইবগুম চিরঞ্জীবীসু ওইয়ু। তপথহৈবা! অঙ্গ.বা! তহা তহাদব। নহাক্তা মতম থুইনা রাখল বিচার তৌরগা থবক তৌগন্‌বা ওইনা ওনা, মতম কুইনা পুনশিন্দুনা লৈরিবদু শীমখৈ ঐসু মতম কুইনা অরাবা দুঙাইতবা য়াওদনা হিংদুনা লৈবা হায়বদি— পুনশি লেনবা ওইজগে ॥৬৭॥

অদুগী তুংদা বিদ্বান্ ওইরবা মহর্ষি— মুনি অথোইবা ওইরবা গৌতমনা শেরেং খরদং অস্মনা শকৃখি। মতম চঙনা রাখল বিচার তৌরগা থবক্ তৌগন্‌বা মীশিংগী গুণশিংদুগা মরী লৈনবা, হায়বদি— গুণশিংদুগী মরমদা শক্তাখবদু মওং অসিদনি :— ॥৬৮॥

চিরেণ মিত্রং বধ্নীয়াচ্চিরেণ চ কৃতং ত্যজেৎ। চিরেণ হি কৃতং মিত্রং ধারণমর্হতি ॥৬৯॥
রাগে দর্পে চ মানে চ দ্রোহে পাপে চ কর্ম্মণি। অপ্রিয়ে চৈব কর্ত্তব্যে চিরকারী প্রশস্যতে ॥৭০॥
বন্ধূনাং সুহৃদাং চৈব ভৃত্যানাং স্ত্রীজনস্য চ। অব্যক্তেষ্বপরাধেষু চিরকারী প্রশস্যতে ॥৭১॥
এবং স গৌতমস্তত্র প্রীতঃ পুত্রস্য ভারত। কর্ম্মণা তেন কৌরব্য চিরকারিতয়া তথা ॥৭২॥
এবং সর্ব্বেষু কার্য্যেষু বিমৃশ্য পুরুষস্ততঃ। চিরেণ নিশ্চয়ং কৃত্বা চিরং ন পরিতপ্যতে ॥৭৩॥
চিরং ধারয়তে রোষং চিরং কর্ম্ম নিযচ্ছতি। পশ্চাত্তাপকরং কর্ম্ম ন কিঞ্চিদুপপদ্যতে ॥৭৪॥
চিরং বৃদ্ধানুপাসীত চিরমন্বাস্য পূজয়েৎ। চিরং ধর্ম্মং নিষেবেত কুর্য্যাচ্চান্বেষণং চিরম্ ॥৭৫॥

মতম চঙনা রাখল তৌরগা, কুপ্না চাং য়েংথোক্লগ
পুনশিগী থাওলোয় থিগনি, অশেংবা মরূপ ফংনি।
মরূপতুবু কানেব তাবদ, কুইনা খল্লগা কায়ননি।
কায়নদবা য়াথিত্রবা মতাং ফাওবদা, কুইনা তায়না খন্থিনি।
কুইনা খল্লগা শাম্নখিবা মরূপ্তি, কায়গন্দে কুইনা লৈগনি।
কুইনা খল্লগা থবক তৌগনি, কুইনা খল্লগা থবক থাগনি।
শাওরমদাও নাপল তৌরমদই, পপেকী থবক তৌরমদাই,
অমদা কত্তব তৌরমদাও কুইনা খল্লগা তৌরিবত্তবু থাগথনৈ ৬৯॥

কনাগুম্বা অমগী মকমদা শাওরগে মীবু চৈবগে হায়না খল্লরুপা মতমদা, পাক্ শাউবা কত্রে রাখল তৌদনা হেক্ হক্ চৈবস্ত কত্রে। য়াম্না কুপ্না খল্লরগা শাওকম পোক্লপা শাওগনি, চৈকম থোক্লগদ্র— চৈগনি। তৌগে খল্লিবা থবক অদু পাপকী থবক ওইরবদি য়াম্না য়েন্না অমুক কুইনা কুইনা খল্লরগা তৌগনি। অপুন্না তৌরিবা মী মহাক অদুবু পাপকী থবক তৌনবা কাওবদা মরাম্না থাগৎনগনি। অকবা অকবা থবক তৌরমদালগীস্ত কত্তবা থবক তৌরমদাইদনা য়েন্না কুইদ খল্লরগা তৌগদবনি ॥৭০॥

মরূপশিংগী মনাই-মশাংশিংগী অমুগা খুপী নহাশিংগী লোন্না থুপ্না তৌখিবা মরালবু য়াম্না মশম চঙনা বিচার তৌরগ চুমত্রা চুম্বত্রা হায়বত্ত চনীংত্তাবা খল্লগা হৌনবী থবক মথা তৌবা অশিংবা অত্তব মী পুন্নমক্লা, জ য়েনা থাগংনৈ ॥৭১॥ ভরত শাগেদা পোক্পা! কুরু বংশগী থুওাইনকম ওইবা নিংথৌ; মচা চিরকারীনা য়াম্না মতম চওগম্না চনীং তনা থবক তৌরম্বত্ত উবনা মপা মহর্ষি গৌতম অসি ওন্থোক্লা পেন্নবি হরাওখি ॥৭২॥ থবক পূম্বদা মতৌ অম্মা য়াম্না কুইনা বিচার তৌগা থবক মথা তৌথব অদুগুম্বা মীতনা তুপ্পা মীওওয়ৎহৌদবা হায়বা মৈচাক অদু থক্ কংদে ॥৭৩॥ অশাউববু মতম কুইনা নমথতুন থম্মোয়রুলো-থবা ওম্বা অদুগা শাওনা তৌখিবা থবকপু লোইদনা থিংতুনা মতম কুইনা লৈবা ওম্বা, লৈবা চৈথা মী অদুনা কারিগুম্বা তুপ্পা নীওচম্মকওইদবা থবক অমতা তৌদে ॥৭৪॥ অহল-লমন লাই-গুরুগী সেবা মতম কুইনা তৌদুনা লৈগদবনি। মতম কুইনা লাই গুরুগী সদবু অহপা সেবা পূজাবু তৌদুনা সুম্ লৈগদবনি।

চিরমধ্যাস্য বিদ্বদ্ভিশ্চিরং শিষ্টান্ নিষেব্য চ । চিরং বিনীয় চাত্মানং চিরং যাত্যনবজ্ঞতাম্ ॥৭৬॥

ব্রুবতশ্চ পরস্যাপি বাক্যং ধর্ম্মোপসংহিতম্ । চিরং পৃষ্টোঽপি চ ব্রূয়াচ্চিরং ন পরিতপ্যতে ॥৭৭॥

উপাস্য বহুলাস্তস্মিন্নাশ্রমে সুমহাতপাঃ । সমাঃ স্বর্গং গতো বিপ্রঃ পুত্রেণ সহিতস্তদা ॥৭৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি চিরকারিকোপাখ্যানে একষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬১॥

——:(*):——

মতম কুইনা ধর্মগী সেবন তৌদুনা লৈগদবা অদুগা ধর্মগী তত্ত্ব থিদুনা লৈগদৌবনি ॥৭৫॥ মতম কুইনা জ্ঞানী ওইবা বিদ্বান্ পাণ্ডিতশিংগী সেবান পুক্নীং চঙদুনা লৈগদবনি । মতম জ্ঞানী ওইবশিংগী সেবা তৌনা তৌনা মতম কুইনা পুক্নীং লাক্পশিন্ কাঙ্জিন্দুনা লমগদৌবনি । অদুম তৌরবদি মীনা উশিংপিদবদি লায়বু লাবয়দুনা অহোরনদুম্ ঈকায় খুম্নবদুম্ কংজি ॥৭৬॥

ধর্মগী মরমদা অথ তাক্লিবা, পাউতাক পীরিবা কনাগুম্বা অমগী মকমদা কয়িগুম্বা রাহং অমা লাক্লবদি মাদু পাউতাক্ পীরিবা মী মহাক অদুনা য়াম্না কুইনা বিচার তৌরগা পাউখুম পীগদৌবনি । অদুম তৌরবদি মকুদা নৌংঙমতৌদবগী থুংতাইতবগী মৈচাক্তো অমুক লাক্লবোই ॥৭৭॥

মহা তপস্বী ব্রহ্মর্ষি গৌতম অসি মতম কুইনা পুন্শিদুনা আশ্রম অদুদা লৈরম্লগা, মচা চিরকারীগা লোয়ননা নোঙ্গাখি ॥৭৮॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতকী লাখ অমা লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা চনীচক্কু মাথোইরুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬১॥

——:(*):——

মণিপুরী মহাভারত

দ্বিষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোহধ্যায়ঃ।

(দ্যুমৎসেনগা সত্যবানগা অনীনা ওাওনবা মতাং)

চনীহুমফুনীথোইশুবা অধ্যায়।

———:():———

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কথং রাজা প্রজা রক্ষেন্ন চ কিঞ্চিৎ প্রতাপয়েৎ। পৃচ্ছামি ত্বাং সতাংশ্রেষ্ঠ তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। দ্যুমৎসেনস্য সম্বাদং রাজ্ঞা সত্যবতা সহ ॥২॥

অব্যাহৃতং ব্যাজহার সত্যবানিতি ন শ্রুতম্। বধায়োপনীয়মানেষু পিতুরেবানুশাসনাৎ ॥৩॥

অধর্মতাং যাতি ধর্মো যাত্যধর্মশ্চ ধর্মতাম্। বধো নাম ভবেদ্ ধর্ম নৈতদ্ ভবিতুমর্হতি ॥৪॥

দ্যুমৎসেন উবাচ।

অথ চেদবধো ধর্মাদধর্ম কো জাতু চিৎ ভবেৎ। দস্যবশ্চেন্ন হন্যেরন্ সত্তা ন সংকরো ভবেৎ ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হংখি— নিপা'রক্তগী অথোইবা ঈবুঙো। ঐ 'সিমতং হংজগ নিংথৌ মথন্তন প্রজা মীয়াম্বু করম চায়না শাসন তৌদুনা ওাকদৌরিবনো? করাগুম্বা কবিগুম্ব অমগী মকমদা হিংসাগী শরক করিমত্তা য়াওদনা— লৈহন্দন প্রজাশিংবু ওাকপা, য়োকপা য়ারক য়াতেঙ্গ'স য়ানবা উতাক অম্বু তাক-পিয়ু— পীনবিয়ু ॥১॥ ভীষ্মনা হায়, যুধিষ্ঠির! নহাক্না হংলিবা বিষয়'সিগুম্বদা ইতিহাসকী কুইরবা দ্যুমৎসেন সত্যবানগা শান'খিবা ৱারৈগী মতাং অম্বু থুদম ওইনা তেক্ তেক্ কীনৈ ॥২॥ অত্তুম্বা পীনবসে ঐখোয়গী তায়। মাংদি— নোমা মপাগী য়াথংদা, মরাল লৈরবা মীয়ামগী মরা অমা প্রাণদণ্ড ফংলহুনা তাদনা মথক্তা হীপ্‌রক্তুনা চাংকদবগী পুদুনা চৎপদু সত্যবানা উরে। মা উন্দা সত্যবানন মপা দ্যুমৎসেনগী মনাক্তা চংথদুনা হ খিবা হায়, মমাংতৈদনা অমতুনবু হায়রাখ্রে ॥৩॥ কারি হায়না হায়-রুবগে হায়রবু— পাবুং মহারাজ! মকাক হৈরবা হৈরগী মরবুম ঐদ, অধর্মবু ধর্মবু। অদুগ অধর্ম ওইবা থবক কতগু মরোদা ধর্ম তেক্তা হয় চপ্পবাস চুম্বরা? মাসি চুম্বদু জীবহানবা হাংপা হায়বা অধর্ম অসিনা কারিগুম্বা মতমদা ধর্মগী মশক লৌরকপতাদি মরোত্র। জীব-হিংসা হায়বা অধর্মসিনা করম হায়না ধর্মগী মশক লৌরকদৌ রবনে? মাসি কৈদৌউৈদম্বু ওইথোক্তবানি ॥৪॥ দ্যুমৎসেননা হায়,— ঈবুঙো

যদেদমিতি নাস্ত্যেতৎ প্রবর্ত্তেত কলৌ যুগে। লোকযাত্রা ন চৈব স্যাদথচেৎবেত্থ শংসনঃ ॥৬॥

সত্যবানুবাচ।

সর্ব্ব এতে ত্রয়ো বর্ণাঃ কার্য্যা ব্রাহ্মণ বন্ধনাঃ। ধর্ম্মপাশনিবদ্ধানামন্তোঽন্যেবং চরিষ্যতি ॥৭॥

যো যস্তেষ্বপচরেৎ তমাচক্ষীত বৈ দ্বিজঃ। অয়ং মেন শৃণোতীতি তস্মিন্ রাজা প্রধারয়েৎ ॥৮॥

তত্ত্বভেদেন যচ্ছাস্ত্রং তৎ কার্য্যং নান্যথাবিধম্। অসমীক্ষ্যৈব কর্ম্মাণি নীতিশাস্ত্রং যথাবিধি ॥৯॥

সত্যবান্! মরাল কৈদৌ মীনু চাত্তবনা ধর্ম ওইরবদি অধর্ম্ম হায়বকুদি করায়না লৈ? অদুগা করিনু অধর্ম কৌবা তারে? অদোমনা অধর্ম্ম ওইবা মাওংসুবতা বর্ণসঙ্করমক্ত পোক্কনি। বর্ণশঙ্করতাক মথং মথং শন্দোক্কনি ॥৫॥ * অদুগ জ্ঞানী ওইবা মীনা তৌগদবদি, ধর্মগী কুপ্পবা ওয়বু বেদশাস্ত্রগী প্রমাণনা কুপ্পা নৈনবা পামদি তিবা অাসনি। অচচত্ত জীবপানবা পুম্নমক্কী তোঙান তোঙানবা ধর্মগী বিধান তৌরকপা মতমদা অহিংসা-ওয়বুনা অথোইবা মচাকনি হায়না লৌনৈ। চয়া হেন্দুনা কল্লবা নিয়মবু ভাক-দংনি। বেদগী মঙ্গদা মহৈ (ফল) ফংনবা তাক্লিবা ক্রতিশম পুম্নমকু থাদোক্কদবনি। হায়বদি—মহৈ ফংনবা তৌবা কাম্যকর্ম পুম্না থাদোক্কদবনি। সকামকর্ম কর্মনথৈ অনাচারগী থবক হায়না কল্লোক্কদবনি। অনাচারী ওইবা মীওনা সকাম-কর্ম তৌই। হিংসাগী থবক অমাম্বা সকাম-কর্ম মক্তনি। অদুনা সকাম কর্ম অমাম্বা কুপ্পা নৈনরবাদ হিংসানি। কলিযুগতদি "পোং অসি ঐগীনি" "নংগী নত্তে—" অদুম্না হায়নদুনা থংনি, চৈননি, মুংনি। মতমদুদা শাস্ত্রগা লোয়নবা জীবিকাবু নীংথিনা পাওথোকপদি য়াম্-য়োই। অসিগুম্বা মতমদা করম হায়না থবক পাওথোক্কনগে হায়বদু ঐতোন্দা হায়বু তাকউ ॥৬॥ সত্যবানন হায়,— পিতৃদেব! ক্ষত্রিয়, বৈশ্য শূদ্র অদুম অসি ব্রাহ্মণনা হায়বা ইন্দুনা, ব্রাহ্মণগী য়াথংগী মথা লোন্দুনা লৈনগনবানা। ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্র বর্ণ মাম অসিগী মী পুম্নমক্কা ধর্ম অমতগী বন্ধনদা লৈ বদি অনগানগা য়েংনরো, অমগী মতৌ অমনা তম্নদুনা শুত মাগধ, শূদ্র যাগযজ্ঞ হোম জপ মন্ত্রপাঠ অসিমচিংবক তৌনরক্কদৌরি ॥৭॥ হায়রিবা মথাক্তশিং অাসগী মঙ্গদো ব্রাহ্মণগী য়াথংগী বিরুদ্ধদা ওয়-তৈননা থবক তৌরকপা মতমদা ব্রাহ্মণ অদুনা নিংথৌগী অমদি বিচারপতিগী মাঙ্ক তাম্না চংলগা য়াকং-লুগনি। "ব্রাহ্মণ ঐনা হায়রবু মহাক্না ইন্দো, থৌশাদে" অাসনাচংবা হায়রকদুনা হেক্ য়াকংলরবদি রাজা নিংথৌনা মহাকপু দণ্ডি তৌগদবনি ॥৮॥ হকচাংদা দণ্ডি (দণ্ড) পীবা মরমদা মৈ ঈশিংনচিংবা তত্ত্ব মতাবু

---

* হিংসাবু হিংসা তৌদবা অহিংসা অদুদি— অহিংসা নত্তে— হিংসানি। অহিংসাবু হিংসা তৌবা হিংসা অদুদি— হিংসাধিক্কি। হায়বদি— হিংসা তৌবা মী অদুদা হিংসা তৌত্রবদি অহিংসা কৌবা য়াদে। শত্রু হায়রবনা— হিংসাদা হিংসা, অহিংসাদা অহিংসা তৌগদবনি। মী অমদা হিংসা তৌবা মী অদুনা ঐনা হিংসা তৌত্রবদি— মানা তৌরিবা হিংসা অদুগী থবক অদুদা ঐসু য়াওহনবগা অম্না নি। মরাল, লৈজরবা কনাগুম্বা অমনু অকনবা অমনা যুবনা ফিবদগী ওইরবসু হিংসা তৌনিংদবদগী ওইরবসু — ঐনা অদুম য়েংদুনা লৈরবদি মানা তৌরিবা হিংসাদুদা ঐসু য়াওরবনি। (কালাচান্দ)

দস্যুন্নিহন্তি বৈ রাজা ভূয়সো বাপ্যনাগসঃ। ভার্য্যা মাতা পিতা পুত্রো হন্যন্তে পুরুষেণ তে ॥
পরেণাপকৃতো রাজা তস্মাৎ সম্যক্ প্রধারয়েৎ ॥১০॥
অসাধুশ্চৈব পুরুষো লভতে শীলমেকদা। সাধোশ্চাপি হ্যসাধুভ্যঃ শোভনা জায়তে প্রজাঃ ॥১১॥
ন মূলঘাতঃ কর্ত্তব্যো নৈষ ধর্মঃ সনাতনঃ। অপি স্বল্পবধেনৈব প্রায়শ্চিত্তং বিধীয়তে ॥১২॥
উদ্বেজনেন বন্ধেন বিরূপকরণেন চ। বধদণ্ডেন তে ক্লিশ্যা ন পুরোহিতসংসদি ॥১৩॥

তোঙান তোঙাঙ্খিদনবা হোৎনগদবনি। হায়বদি— প্রাণদণ্ড পীহুনা মরাল লৈবগী মথ্যাম্মাক্ত লৌবি-রোইদোবনি। অহুনা শিদব দণ্ডিত পীগদবনি। হায়বদি— শিগ্রগত্রা হায়বদ্ধ হেনা হেনা শারীরিকদণ্ড (ফকচাংগী দণ্ড) পীগদবনি। নীতিশাস্ত্রগী নিয়মগী মা মপা অতুগা তৌগ্রিবা মরাল অহুদগী পীগ্রিবা দণ্ড অতুগী মাত্রানা হেল্লিন্নগ্রবরা নত্তগা য়াংলিত্রা হায়বসি মুম্ন য়েংবিগদবনি। মচু নত্তহুনা তৌখিবা মরাম্বা অমা, পীরিবা দণ্ডনা অমা ওইরবদি, হায়বদি দণ্ডগী মত্রাদগী হেন্দোকপ্রবদি অহেনবা শক্তক অচু হিংসাগী মসুং চন্গনি। মরালগী ওয়-তৈনবা চৈরাক্ থক্ পীরোইদোবনি ॥০॥ নিংথৌনা মহৈরোবা ভাকুলচিংবদা চৈরাক্ পী, অদুগা মরাল্লৈজত্রবশিংদগী কঞ্চি কঞ্চিগুম্বা মতমদা পীবা য়াগে। অথেগ্রবা মী মহাক অদুগী মমা-মপা, মচীন্-মনাওশিংদু, শিগ্রবহুনা মখোয়গী জীবিক ওইহুনা লৈরম্বা নীশক্ ওইদ্বনা মহাক কায়-নবগী অরাবা ফংঙাইহুবহুনা মখোয়হুস্থ থরায় থাগ্রবদি, চৈরাক্ পীরিবহুস্থ মথক্তা হিংসা তৌবগী পাপ অচু শোয়দনা লাকনি। মরম অহুনা চৈরাক্ পীরমদায়দা নিংথৌনা য়াম্না মুন্না বিচার তৌখগদবনি ॥ ০॥ *

কত্রবা মীস্থ সধুসঙ্গ তৌরবগা— অক অফবা মীশক তিম্নরুদগা অফবা পাঙ্ডাক্ অফবা অচুম্বা মীশক অমা অহুম মওইরকই। কত্রবা মীশিংগী মচা মশু ময়া কম্বানা পণ্ডিত ওইনা পোক্তি, অফবনস্থ ফত্তবা ওইনা পোক্তি। কত্তবনস্থ অফবা কয়া কয়া পোকপা উবি ॥১১॥ মরম অদুনা অফবা মী কয়া কয়াগী পোক্লকন ওইরিব কত্রশিংবু মক্ক কংনা হান্দহন্দবি চুমদে। মাসি সনাতনধর্ম নত্তে। তৌরিব মরাল অতুগা য়েনবদা চাং মান্না য়াম্বিবনৈখে অচুম্বা চৈরাক পীবনা ফৈ। অদুম তৌরবদি অপরাধী ওইরিবা— মরাল্লৈরিবা মহাকী পাপ অচু কোক্নবগী প্রায়শ্চিত্তস্থ ওইগনি ॥১৩॥ মহৈরোবা হুরানবশিংগী মকো-মচৈ মরুকথুম্ অচু মুনবা মংপা য়াই কৈতুমশঙ্গা কাঞ্চিন্দুনা থম্বা য়াই। কব্লগা লেল্লগা শিরোইদোবা ফকচাংগী শক্তক মগাম্ কব্লগা মশক শীহনগবনি। অদুগা মথ্যায় মঙহন্দুনা মাগী পরিবারবু কায়মবগী মৈচাক্ ফংহন্দনা অয়াবদা ফংহনবদি চমদে। অদুগা অপরাধী অহুনা পুরোহিত ব্রাহ্মণ অমগী মনাইগোন্দা

---

* অমরোমদা হায়রগা লাম্নবস্থ প্রজাদি চুম্নবস্থ প্রজান। প্রজাদি নিংথৌগী মচানি অদুগীদমক্তস্থ প্রজা কৌনরিবনি। মমা মপাগী মকমদা মচানা কনা হায় থীন লাম্নবস্থ অদুনুব মচাংগী মথরায়মক্তি লৌনদে। মমা-মপাদুগী পাউতাক বিত্তানচিংবা মতৌকচানা পীবা য়াংপদগীস্থ মমাহুনা ভকুগুম্বা অমা ওই-খিবস্থ য়াই। অসিগুম্বা বিচাবগী মীমাংসাদ ধর্মনীতি রাজনীতি অনীসি পুল্লি। মরম মদুনা প্রাণদণ্ড পীরমদাইদা কৃপা নৈনহোবা তাই। (কালাচাঁদ)

যদা পুরোহিতং বা তে পর্য্যেষুঃ শরবৈষিণঃ। করিষ্যামঃ পুনর্ব্রহ্মন্ ন পাপমিতি বাদিনঃ ॥১৪॥

তদা বিসর্গ মর্হ্যঃপ্রারিতীনং ধাতৃশাসনম্। বিভ্রদ্দণ্ডাজিনং মুণ্ডো ব্রহ্মণোঽর্হতি শাসনং ॥১৫॥

শরীরায়াসো শরীরায়াসসম্বাধে পুনঃ পুনঃ। তদ বিসর্গমর্হন্তি ন যথা প্রথমে তথা ॥১৬॥

দ্যুমৎসেন উবাচ।

যত্র যত্রৈব শক্যেরন্ সংযন্তুং সময়ে প্রজাঃ। সত্যবান্ প্রোচ্যতে ধর্ম্মো যাবন্ন প্রতিলঙ্ঘ্যতে ॥১৭॥

অহন্যমানেষু পুনঃ সর্ব্বমেবমপরাজ্যেবং। পূর্ব্বে পূর্ব্বতরেচৈব সুশাস্যা মৃদুবঞ্চনাঃ ॥১৮॥

চঙহনা লৈগ্রংনি অহুগা ব্রাহ্মণ পণ্ডিত অহুনা মহেন্দ্র অচ্ছয়দান তৌরনা কোক্কিন্দুনা থমগ্রবদি নিংথৌনা মহাকপু ব্রাহ্মণহুদগী হুত্তোক্তুনা, দণ্ড পীবা চুমদে ॥ ১৩॥ ব্রাহ্মণ পুরোহিত অহুগী মফমদা আশ্রয় তৌরগা "গুরুদেব! ব্রাহ্মণ! ঐ অসিগুম্বা শরক অসি মতুংমনাও তৌজরোই" হায়না বাশক্তবদি ব্রাহ্মণহুনস্থ মহাকপু পাংলোকপিব ইন্দোকপিবা চুমদে। হায়রিপসি ব্রাহ্মণ মশামক্তৌ পাইতাক্তি— বাথনি। মহ্ম যেংকুনা, হৈ লক্ষী-মউন শেংহুনা সন্ন্যাসী ওইহনা লৈগ্রবদি, মহক্ত্তু হৈরাক্ কাংকম থোকই ॥১৪ ১৫॥

অমুক পাংলোকগ্রণ অপরাধী অহুনা, হল্লা হল্লা নংবা বর্মহু তৌশিন্নক্রবদি বিসর্গ ত্রিশিনা কুপগ্না থহুহুনা অপরাধীহুনা বায়া কন্না হৈরাক পীগদবনি। অহম্বা মরাংশীরহক ফু-চৈহুন থবা বারক্লগা হায়ক্তন্না পাংলোকথিবদি চুমদে— থাংলোকফম থোক্ ॥ ১৬॥

দ্যুমৎসেননা হায়,— ঈহুংগো সত্যবান! মরাইমরকস্তু প্রজাশিংবু বাদিগদৈ ধর্মনীতিগী মর্য্যাদ ঙাক্ত ধর্মগী পরিকর মরংদগী লাংহ্নাক্তন বারুশ-বাতেমগদবনি। ধর্মগী মর্য্যাদা পরিকর মপাদো হৈহুনা প্রজাশিংগী মফমদা নিংথৌনা হায়রিবা তৌরিবমথৈ ধর্মগী থক্ক কায়না লৌনৈ ধর্মগী সীমাদগী লাংহ্নোকত্রিবমথৈ নিংথৌনা প্রজাগী মফমদ পীনীংবা দণ্ড পীবা য়াই ॥১৭॥ * ধর্মগী সীমাদগী লাংহ্নোক্তে হায়হুনস্থ, হুবান্বা

* মমাংঙৈনস্থ হৈক্লিশস্থু ধর্মনীতিগী মফক্তা রাজনীতিনা নক্তুনা লৈ। শন্না হায়রবন মাগী মাগী ওই-জবা তঙ্করকপাঙ্ক কক্কক্লিহৌ, অশাঙ্গবা অ আশ্বা ঋসিনাংবন থওনা অমগী মপোং-মরুপ মুহুব, হুনবা, কুন-শুনবা লাকপদগী রাজনীতিগী মফমনবা পুনাহ্ত হায়দনস চনরক্তনি। হৈথা তাবক্তবা আত্মাহুবু হায়বদি অনাত্মহুব চুমথোকপনি। শুকনস্থ জ্ঞানগী উপদেশনা শিক্ষানাংশী শমচং অহ্ন চুমথোক্তবা তোৎনবিরি। মম-মপানা মচাবু ফু-চৈহুনা বারক্লি হৈব্নক্ মখল মখল পীরি। মচ-মশুশিংনা অফবা লম্বীদা চংহনবা হায়বসি ধর্মনি। হায়াক্তবা ধর্মনীতি অসগী মফক্তা রাজনীতিগী মথু নব মশুনীতি হায়বসি লাক্-লিবনি। অদুবু মপানি মমানা হাঙ্গুনস্থ মচ মশুব কংঙেম্বা ধর্ম পায়না থাংকপা য়াদে। মক্তবদি মতাং অহুনা রাজনীতিনা মফ ওইনা শাসন তৌরকই। মীগী মপোং হুম্বুই হায়হুনা মপা অমনা মচাগী মপাংথোমহু থাঙনা কক্কবদি রাজনীতিগী পরিকরনা লাক্কনা মপাহু রাজদণ্ড ফংবা তারে। অহুনা রাজনীতিনা চঙ্গলকপাসি ধর্মনীতি হায়বীহুন কাংকেমিক্কপপনি, হায়বদি— মগী পরিকরদগী লাংহ্নোক্তকপগীনি। শন্না হায়রবদা রাজনীতিনা কাংকেমক্লবদা ধর্মনীতিনা শাসন তৌই— হায়কই। অহুনা ধর্মনীতি য়াওদনা অশেংবা রাজনীতি ওইদে। (কালাচাঁদ)

মৃদবঃ সত্যভূয়িষ্ঠা অদ্রোহাহমন্যবঃ। পুরাসীদ্ধিগ দণ্ড এবাসীৎ বাগ্দণ্ড স্তদনন্তরম্ ॥ ১৯॥

আসীদাদানদণ্ডোঽপি বধদণ্ডোঽদ্য বর্ত্ততে। বধেনাপি ন শক্যন্তে নিয়ন্তুমপরে জনাঃ ॥২০॥

নৈব দস্যুর্মনুষ্যাণাং ন দেবানামিতি শ্রুতিঃ। ন গন্ধর্ব্ব পিতৄণাংচ কঃ কস্যেহ ন কশ্চন ॥২১॥

পদ্মং শ্মশানাদাদত্তে পিশাচাচ্চাপি দৈবতম্। তেষু যঃ সময়ং কশ্চিৎ কুর্ব্বীত হতবুদ্ধিষু ॥২২॥

সত্যবানুবাচ।

তান্ ন শক্নোষি চেৎ সাধূন্ পরিত্রাতুমহিংসয়া। কস্যচিৎ ভূতভব্যস্য লাভেনান্তং তথা কুরু ॥২৩॥

রাজানো লোকযাত্রার্থং তপ্যন্তে পরমং তপঃ। তেতপত্রপন্তি তাদৃগ্‌ভ্যো স্তথাবৃত্ত কর্ত্ত চ ॥২৪॥

ডাকুশিংহুনা ধর্মগী সীমা লান্থোক্তুনা ফত্তবা কর্ম্ম তৌরক্লবা ডাকু, হুরানবা লুট তৌবশিংহুবু মথবায় লৌত্র-বদি যাহুনা প্রজা পুম্নক্কী অরাবা খুদোংথীব লাকপা য়াই। মাইকা মমাংদা অয়ানবদা পীবা চৈরাকী মওং আসি ঈম্ চম্মম্মি। মরমদি মতম অমুদা নিংথৌ অমম্তুং বিচাপতিগী থম্মোয় ওসি য়াম্না থোংলম্মি। নিংথৌ প্রজা পুম্নক্কী থম্মোয়দা অচম্বা ভাংবদা। অপেনবা মুথো বা অমদি হৈনীদা পোক্লম্মি। কল্লকপা মিচৌবগী ফুন-চনবা শাস্তিনবা শরিমত্তা লৈরমদে। অপরাধী অমগী মকুংদা ধিক্কার তৌনা, থীনা হায়বা অছুনা চপ্‌চারবা কল্লবা চৈরাকনি হায়না লৌনরম্মি। অদুদগী অমুক অয়ানবা থবক্তু অমুক তৌরক্লবদি চুম্না নিন্দা তৌরম্মগী তেম্না অথীবা অকনবা ৱাহৈগা লোননা অদিবা উৎপা তারে, কিকনবা তারে। মাসি বাগ্‌দণ্ড কৌই। অছুনা মমংদৈদা অপরাধী অচুনা অমুক ফম্ভবা হেজিঙক্লবদি য়াম্না য়াকপা অকনবা ৱাহৈ অমনী তাক্লগা মরাক্লেবক্তুবু থাদোকরম্মি ॥ ৮—১৯॥

অদুগী তুংদা মীরোল থরা চথবগা অর্থদণ্ড হায়বদি—লেন থুমজিবা লৌহুনা, নপোং হুনা (জুর্মনা জরিমানা) তৌহুনা চৈরাক্ পীনরক্লে। অদুদগীদি প্রাণদণ্ড কাওব চানবা তৌথি ॥২০॥

ঐখোয়না অতুম হায়না তায়, মাহুদি— ডাকু হুরানবশিং, দেবতাশিং, গন্ধর্ব্ব অমদি পিতৃলোকতা লৈরিবশিং অসিগী মধুমগী কন অমত্তনা কনাগুম্ব অমগী শাংগে-নাইতে, ডাকু-মেন থোক্তে। অসিত নত্তে, সংসার অসিদম্ব কনানা কনাগী কবি লোক যে? সংসার অসিদ হুরানবা ডাকু হায়বসি কনাগীম্ব ওইদে। মমা-মপা কাওব "ঐগী ইমানি" হায়নীংদে। হায়রিবসি থাক্লেংবমক্তি ॥২১॥

ডাকু হুরানবা হায়বসিনা ওয়দি— মোংকপা ফাহুনা লৈরবা অশিবগী হকচাং কুপ্লিবা ভূত-প্রেতকী অশাবা কুপ্লিবা কিরোল অত্তু ফাকবা, অদুগা মন্দিরদা লাংলিবা দেবতাশিংগী কিক্লেং-লৈতেং কোল-লিক কাওবা হুক্তোক্তুনা লৌথোকপা ওম্মি। মখোয়গীবুদ্ধি জ্ঞান অদুদি কনাগুম্ব অমনা হাত্তোকপিপ্রবগুম্বনি। অদুগুম্বা ডাকু হুরানববু থাজকরিবা মহাক অদুনক মূর্খনি ॥২২॥

সত্যবানুনা হায়,— পিতৃদেব। হুরানবা ডাকুশিংবু হাত্তনা থম্বগা, সাধু মহাত্মাশিংবু মখোয়দগী ঙাকপা ঙম্বিরবদি অদুগা ডাকু হুরানবশিং অদুবু সাধু যোগী মহাত্মা অমদি সন্ন্যাসী শাহন্দুনা মখোয়দা কোইনা হিংসা তৌদনা, হায়বদি— সাধু সন্ন্যাসীদা হিংসা তৌবা হৌনদে অতুম হায়না থম্মুনা মখোয়বুম্ব কবিবা

হিংস্যমানাঃ সুকৃতো ন কাময়ন্তি দুষ্কৃতীন্। সুকৃতে নৈব রাজানো ভূয়িষ্ঠং শাসতে প্রজাঃ ॥২৫॥
শ্রেয়সঃ শ্রেয়সোঽপ্যেবং বৃত্তং লোকোঽনুবর্ত্ততে। সদৈব হি গুরোর্বৃত্তমনুবর্ত্তন্তি মানবাঃ ॥২৬॥
আত্মানম সমাধায় সমাধিৎসতি যঃ পরান্। বিষয়েষ্বিন্দ্রিয়বশং মানবাঃ প্রহসন্তি তম্ ॥২৭॥
যো রাজ্ঞো দম্ভমোহেন কিঞ্চিৎ কুর্য্যাদ সম্প্রশ্রয়ম্। সর্ব্বোপায়ৈর্নিয়ন্তব্যঃ স তথা পাপান্নিবর্ত্তনে ॥২৮॥
আত্মৈবাদৌ নিয়ন্তব্যো দুষ্কৃতং সন্নিয়চ্ছতা। দণ্ডয়েচ্চ মহাদণ্ডৈরপি বন্ধুনন্তরান্ ॥২৯॥

ভমত্রবদি, ভূত ভবিষ্যৎ বর্ত্তমান মতম অমলাক্ত, মদায়বক থীজনা মতত্রবা কর্মবু থাদোকপা ভমত্রবশিং পরমার্থদৃষ্টিদা হায়বদি মরানগী থোমনা থেবিক্রমদা জীবতী হন্নবত্তা য়েৎশিনবিদুনা পরমার্থিক ওইবা উদ্দেশ্যবু মাথক্তৈননা থমগা করিত্তম্বা উপায় অমনা মথোঙগী দস্যুবৃত্তি (হুরানবগী শাজং অমদি ব্যবসায়) অদুবু মরু কানঃ কুত্তোকপিনু। অসিগুম্বা সংস্কারদা, হায়বদি— অহি সাতনা নাকল অনীমক কারননবা (লিলসু শিনবা, চৈস্নু তেক্কনবা) শিল্পকপা মতমদা কনা কনাগুম্বা রাজর্ষিশিংনা প্রজাশিংগী থম্মোয়দা কাম ক্রোধ লোভ মোহনচংবা লোভহন্দনবগী দমক্তা তং ম্বা তৌই। মথোঙগী নৈপাক্তা হুরান্ চৌম্বীবা মী দৈ হায়বসি য়াম্না ঈকাইনীঙ্গাইনি হায়না রাজর্ষিশিং অদুনা লৌনরম্মি। মাদু কোক্কবা নিংথৌশিং অসিনা তপস্যা তৌনা হুনি ॥২৩—২৪॥

"নৈতাক্ কক্তনিকো" হায়বগী অকিবদু লোকফ্লগা প্রজাশিংনা অফবা কর্মতদা পুক্নী চংশিননবা, হায়দুনা দণ্ডগী বিধান দংস তৌকোক্নখিনি। অদুনা নৈয়াক হায়বসিগী উদ্দেশ্য হায়বদু প্রজাশিংবু ধর্ম কায়দনা পুনশি লেলহনবা অসিত্তনি। মিথৌনি হায়দুনা মরম ঈবৈ নৈতনা মনা তম্না কনাগুম্বা প্রজা অমদা অমাবা পীবা য়াদে। অদুনা ধর্ম্মবু মরু ওইনা থম্বা রাজর্ষিশিংনা প্রজাবু মচাত মচাগুম রাজক্-য়াতেমদুনা ভাকপি শেনবিরম্মি ॥২৫॥

প্রজাশিংনা মাখী মতৌ তম্না পুনশি লেজসনু হায়বগীদমক্তা নিংথৌনা কীরম পুমমক্তা ফীদয়মক ওইনা নৈকয় থোক্কই। অহইবংমী হায়বসিমক্তবু মতৌনানা অচৌবা মীগী অমদি নুচিংলিবা মীদুগী মতৌ য়াম্না তমজপন্নি ॥ ৬॥ মশানক্তি বিষয়ভোগদা লুপকুনা ওাকদুনা নৈরগা, অমদি— মশাগী ইন্দ্রিয়শিংবুদি থুদুম চনবা ওয়ত্রগা অতোপ্পশিংদা, হায়বদি— প্রজাশিংদা অফবা লম্বী চংননবগী য়াথং অমদি পাউতাক্ পীবকপদ মথেক মযাদুনা থীক্ থীক্ নাক— করেম্মে ॥২৭॥

কনাগুম্বা প্রজা অমনা মশাদা থোয়বা না ল নৈপাক নিংথৌবু উশিত্তবা মওং অদু লাকপা হেক্ উবদা নিংথৌগী থুনক্ত মতাকপু ন হংক্কদবনি। মথস্ত ভাষায়বৈভবা নমথহৌত্রবদি মাথৌনা অতৈ কয়ানু তৌশিন্নক্কবদি লৈন্নক্ত অকাম্বা কয়া লাকই ॥ ৮॥

পাপকী লম্বীদা চংশিন্নকপ প্রজাশিংবু থিনিবা নিংথৌনং অহানবদা মশামক্ পাপকী কর্মগী হন্-জোরক্কদবনি। ইন্দ্রিয় অমদি পুক্নীংবু থুদুম মশাদা লনশনবনি। অদুগী তুংদা মাগী শাগৈ মাত্তে বন্ধু-বান্ধব-শিংনা লেপা, চাউথোকপা অদুম মত্তবা কর্ম তৌশিন্নক্কবদি মথোয়দা অফন্‌বা দণ্ড পীগদবনি ॥ ৯॥

যত্র বৈ পাপকৃদ্ভ্যো ন মহদ্ভ্যঃ প্রবর্ত্ততি। বর্দ্ধন্তে তত্র পাপানি ধর্মো হ্রসতি চ ধ্রুবম্ ॥৩০॥
ইতি কারুণ্যশীলস্তু বিদ্বান্ বৈ ব্রাহ্মণোঽব্রবীৎ। ইতি চৈবানুশিষ্টোঽস্মি পূর্বৈস্তাতপিতামহৈঃ ॥৩১॥
আশ্বাসয়দ্ভিঃ সুভৃশং নক্তকোপাৎ তথৈব চ। এবং প্রথমকল্পেন রাজা কৃতযুগে জয়েৎ ॥৩২॥
পাদোনেনাপি ধর্ম্মেণ গচ্ছেৎ ত্রেতাযুগে তথা। দ্বাপরে তু দ্বিপাদেন তথৈব যুগে ॥৩৩॥
তথা কলিযুগে প্রাপ্তে রাজ্ঞো দুশ্চরিতেন হ। ভবেৎ কালবিশেষেণ কলা ধর্মস্য ষোড়শী ॥৩৪॥
অথ প্রথমকল্পেন সত্যবন্ সঙ্করো ভবেৎ। আয়ুঃ শক্তিং চ কালং চ নির্দিশ্য তপ আদিশেৎ ॥৩৫॥
সত্যায় হি যথা নেহ জহ্যাৎ ধর্মফলং মহৎ। ভূতানামনুকম্পার্থং মনুঃ স্বায়ম্ভুবোঽব্রবীৎ ॥৩৬॥

পাপকর্ম তৌবা মীনা মাঙ্গী থোইদোকপ দণ্ড কবা তৈত্রব মহাত অমদি মেশ অদুদা পাপকী থবক-শিংগী অদুগা পাপীশিংগী মশীং অসি নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লই। অদুগা মাঙ্গী মওনা ধর্ম্মগী অমদি ধর্মগী আচরণ অসিসু মথং মথং হন্থরকই ॥৩০॥

পিতৃদেব! হাক্লিবা উপদেশশিং অসে নোংমা ঐঙোন্দা জ্ঞানী বিদ্বান্ ব্রাহ্মণ অমনা পীরম্বনি। মতম অদুদা মহাত্মা ঐঙোন্দা অসুমস্তু হায়রম্মি,— 'ঐবুঙো সত্যবান্। ঐগী ঈবুধৌ অমসুং ইমানাশিংনা অসি-গুম্বা পাউতাকশিং অসে ঐঙোন্দা তাকপিরম্মি। ধর্ম হায়রিবা মথাও মরি লৈবা পামম্বা সত্যযুগ হায়না কৌবা যুগ অদুদা খ্বাঙ্গী ঈচান্ চনুবা খুঙ্গদাঙ্গী চনবা অহিংসাগী মশক ওইবা দণ্ড অদুদনা পাঙ্গে ওইহনা বন্ধবিশিংনা প্রজা মরম্মু শাসন তৌরম্মি অদুগুম্বা নহক্না প্রজাশিংবু শাসন তৌরকবনি ॥৩১—৩২॥ ত্রেতাযুগ হায়বা মতমদদি ধর্ম হায়বগী মখোং মরি, হায়বদি— শরুক মরি থোক্লগা শরুক অমা হাৎনা পাম্লি। অদুগা দ্বাপরযুগতদি ধর্মগী মখোঙ অনীতমক্ ঙাক্তৌরবনি ॥৩৩॥ মতৌ অসুম্না কলি কৌবা যুগ অদু লাক্লবা মতুংদা নিংগোলগী লমচৎ ব্যবহারনচিংবা মপুংফানা লৈরক্লবদ অদুগা খুইগা মাম্নবা করবা মতম অদুগী প্রজানা ধর্ম হায়বদুগী শরুক তরাতরুক থোক্লগা শরুক অমতমক্ ঙাক্তৌরবনি ॥৩৪॥

সত্যবান্! কদিগুম্বা ঈচান্ চনুবা মথলগী অহিংসাগী মশক্ ওইবা দণ্ড অদুনা শাসন অদুদ তৌরকপদা ধর্মগা অধর্মগা রেচ্ছিন্দরক্লবনি দণ্ড কংগদোবিবা মীওয়ুগী চহী মতাং, পাঙল অমদি দেশ-কালগী মথুংইদা মুমা বিচার তৌরগা মতীকচাব দণ্ড পীগদবনি ॥৩৫॥

স্বায়ম্ভুব মনুনা জীবশিংবু থৌজানবিদুনা অসিগুম্বা ধর্মনা মরু ওইবা রাজনীতিগী পাউতাকশিং অসি পীরম্মি। মাঙুম তৌবতবা জগৎ অসিদা সত্যতগী মশক্ ওইরব পরমাত্মাবু ফংনবগী হোৎনজবা অদুগা ফংহ্রু ফংনরবশিং অদুনা ফংকম থোকপা মহৈ অদু শোম্বা নৈতবা— শোয়দনা ফংঙি। মাদু য়াননবা তাকপিখিবা ধর্মনীতিনা মুখ্য ওইবা, হায়বদি— ধর্মগী য়াথাং রাতুপ্রকম ওইবা রাজনীতি অসি তাকপিরম্বনি ॥৩৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
দ্যুমৎসেন সত্যবৎ-সংবাদো নাম দ্বিষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬২॥

——:():——

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক কিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম পর্ব্বদা দ্যুমৎসেন সত্যবান্ ওাওনবদা চনী-হুমফুনিথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬২॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

ত্রিষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(স্যুমরশ্মি কপিল অনীগী সংবাদ)

চনীহুমফুহুমদোইশুবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অবিরোধেন ভূতানাং যোগঃ যাড্গুণ্যকারকঃ। যঃ স্যাদুভয়ভাগ্‌ধর্মস্তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

গার্হস্থ্যস্য চ ধর্মস্য যোগধর্মস্য চোভয়োঃ। অদূরসম্প্রস্থিতয়োঃ কিং স্বিচ্ছ্রেয়ঃ পিতামহ ॥২॥

ভীষ্ম উবাচ।

উভৌ ধর্ম্মৌ মহাভাগা বুভৌ পরমদুশ্চরৌ। উভৌ মহাফলৌ তৌ তু সদ্ভিরাচরিতা বুভৌ ॥৩॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— জ্ঞানী সৎপুরুষশিংগী মতুংদা অথোইবা ঈবুধৌ! করিগুম্বা কনাগুম্বা জীব অমগী মফমদা অয়ানবা, অমদি হিংসা ওইনা করিমত্তা থোকহন্দনা তৌবা, তপথবা, ইন্দ্রিয় থুহুম চন্‌বা অসিনচিংবা গুণ তরুকপু ফংহন্‌বা অদুগা ভোগ অমদি মোক্ষ অনীমক্‌পুম্ব মহৈ ওইনা পীডম্বা অদুগুম্বা যোগ অমো, অদুগা ইহলোক পরলোক অনীমক্কী কান্নবা ধর্ম অমো ঐঙোন্দা তাকপিয়ু॥ ॥ ঈবুধৌ! গার্হস্থ্যধর্ম্ম অদুগা যোগধর্ম হায়রিব অনী অসিদি অমনা অমগী থেংনা লাপ্পদ। অদুবু মথোয় অনীনিগী মতুংদগী কনানা হেনবগে অমদি কান্নবগে মদু নশানা তাকপিয়ু॥ ॥ ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ! গার্হস্থ্যধর্ম অদুগা যোগধর্ম তৌবা অনীসে জীবদা থোইনা লাইবক্‌ফবা পীডম্বা অমদ মহানগী মশক্তি। অনীমক্‌পি সাধন তৌবদা য়াম্না অকনবা থবক অমা ওইনা থোকই, অনীমক্কী মহৈস্ব ওয়োক্না চাউবনি। অথোইবা জ্ঞানী-

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি প্রামাণ্যমুভয়োস্তয়োঃ। শৃণুষ্বৈকমনাঃ পার্থচ্ছিন্নধর্মার্থ সংশয়ম্ ॥৪॥
অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। কপিলস্য গোশ্চ সংবাদং তন্নিবোধ যুধিষ্ঠির ॥৫॥
আম্নায়মনুপশ্যন্ হি পুরাণং শাশ্বতং ধ্রুবম্। নহুষঃ পূর্ব্বমালেভে ত্বষ্টুর্গামিতি নঃ শ্রুতম্ ॥৬॥
তাং নিযুক্তামদীনাত্মা সত্ত্বস্থঃ সংযমে রতঃ। জ্ঞানবান্ নিয়তাহারো দদর্শ কপিলস্তদা ॥৭॥
স বুদ্ধিমুত্তমাং প্রাপ্তো নৈষ্ঠিকীমকুতোভয়াম্। সতীমশিথিলাং সত্যাং বেদা ইত্যব্রবীৎ সকৃৎ ॥৮॥
তাং গামৃষিঃ স্যূমরশ্মিঃ প্রবিশ্য যতিমব্রবীৎ। হংহো বেদা যদি মতা ধর্মাঃ কেনাপরে মতাঃ ॥৯॥
তপস্বিনো হি ধৃতিমন্তঃ শ্রুতিবিজ্ঞানচক্ষুষঃ। সর্ব্বমার্ষং হি মন্যন্তে ব্যাহৃতং বিদিতাত্মনঃ ॥১০॥

শিংনা লম্বী অমী অসি ঈচং হেক্ চংলি অদুগা চংনখি ॥৩॥ কুন্তীনন্দন! যোগধর্ম গার্হস্থ্যধর্ম হায়রিবা অনীসিগী চপচাবা প্রামাণিক ওইবা তত্ত্ব অদু ঐ নঙোন্দা হায়গে। ধর্ম অর্থ অনীগী মরমদা নংগী চিংনবা অমা লৈরিবদো ঐ কাকথনগে। পূক্নী চঙনা তাও ॥৪॥ যুধিষ্ঠির! হায়রিবা বিষয়সিদ অখণ্ড-অহিংশিংনা মহর্ষি কপিল অমসুং শম্বীগী চক যংবদা চঙদুনা লৈরম্বা স্যূমরশ্মি কৌবা মখোয় অনীন শাস্ত্র-থিবা ইতিহাসকী কুইরবা য়ারী অদু হেক্ হেক্ লীনৈ। মদু ঐ লীগে তাও ॥৫॥ নমাংহৈদা, নোংমা নিংথৌ নহুষনা বেদগী য়াথং অমদি নিয়ম-বিধিবু সনাতননি হায়রগনা, শকুন্নি হায়না খন্দুনা মহাকী য়ুমদা অতিথি ওইনা লাকপা ত্বষ্টাগী দমক, হায়নদি - ত্বষ্টাগী অতিথি-সেবাগী দমক্ শম্বী অমনা অমঙানা তৌগে হায়না খন্দুনা শম্বী অমা শেম-শাত্নুনা থমখি ॥৬॥ মতম অদুদা সত্ত্বগুণনা তেম্লবা, ইন্দ্রিয় থুংনা চম্লবা, থাজক্ থজিক চাং নাইনা চাগনবা, পুক্চেল চাক্লবা, মহাজ্ঞানী ওইরবা কপিল মুনিনা ত্বষ্টাগীদমক তৌগদৌরিবা অমদানগী শেম-শাত্নুনা লৈরবা শম্বী অদুবু উরে ॥৭॥ অমাগী তুংদা খুদংগী চেৎলবা অকিবা চিংনবা লৈত্রবা, মোং-হাল্লবা, তপ্লবা, অচুম্বা অমদা পূক্নিং লৌগংননবগী মশক্ ওইরবা বুদ্ধি অমদি জ্ঞানবু মপুংফানা ফংলবা, মহর্ষি কপিলনা শম্ অদুবু হেক্ উবদা— "আঃ! ওস্কে কাংনি। হা বেদ! বেদ, নংগী নিয়মনি হায়দুনা নংগী নামাদা তৌনরিবা অনাচার-অত্যাচারগী থবকশিং অসে—" অমুক হায়না মুংঙাই-তবা অরাবগা লোয়নননা হায়দোকখি ॥৮॥

মতমদুমক্তদা স্যূমরশ্মি কৌবা মহাবৈজ্ঞানিক ঋষি অমনা শম্বী অদুগী মশাদা খুই উন্দনা চঙখিদুনা কপিল মুনিদা অসুম্না হায়খি,— "এঃ! বেদগী নিয়ম-বিধিবু অদুগা বেদগী বচনবু প্রমাণ চাদবা ওইনা লৌরবদি, বেদ মঙোন্দগী বিধি কায়দনা পুথোক্লরক্লবা ধর্মশাস্ত্রশিং অমদি ধর্মশাস্ত্রশিংগীদি করম তৌগদৌরি? বেদগী অনুশাসন (য়াথং - পাঙ্ঠাক্) বু প্রমাণ চাদে, চুমদে হায়রবদি— অচুম্বা প্রমাণ-চাবা ধর্ম্মশাস্ত্রদি করা করি লৈহৌরি?" ॥৯॥ তপস্যা কল্লবা তপস্বী, তপঙহৈবা, ত্যাগ-তহানব! বেদ অমদি—বিজ্ঞান অনীগী তত্ত্ববু কুপ্না চর্চ্চা তৌরবা— লৈনরবা ঋষিশিং অমদি মুনিশিংনা বেদবু নিত্যজ্ঞানগী মশক্ ওইরবা পরমাত্মা মহাকী মুংশাশোয় হোন্দোক্পগী মশক্ ওইরবা বাণীনি হায়নৈ ॥১০॥ *

* মতাং অসিদা হায়রিবা "বেদ" হায়বা য়াহৈ অসি অহানবা তাবদনা হৌজিক হৌজিক উরিবা লৈরিবা

তত্রৈবং গতভূকত্ত বিজ্ঞ্যস্ত নিষ্ঠাশিষঃ। কা বিবক্ষান্তি বেদেষু নিরারম্ভস্ত সর্ব্বতঃ ॥১১॥

কপিল উবাচ।

নাহং বেদান্ বিনিন্দামি ন বিবক্ষ্যামি কর্হিচিৎ। পৃথগাশ্রমিণাং কর্ম্মাণ্যেকার্থানীতি নঃ শ্রুতম্ ॥১২॥

গচ্ছত্যেব পরিত্যাগী বানপ্রস্থশ্চ গচ্ছতি। গৃহস্থো ব্রহ্মচারী চ উভৌ তাবপি গচ্ছতঃ ॥১৩॥

দেবযানা হি পন্থানশ্চত্বারঃ শাশ্বতা মতাঃ। এষাং জ্যায়ঃ কনীয়স্ত্বং ফলেযুক্তং বলাবলম্ ॥১৪॥

অরাম-পৌরাংবা লৈত্তবা, পাথংপা-ফিঙ্গংপা লৈতবা, কবিগুম্বা মহৈ অমতা পামদবা, অপাম-অপাম্বা অনৌ অনৌবা থবক পায়থংপা লৈতবা, অসুম ওইবা পরমাত্মা পরমেশ্বরগী হোন্দোরকপা মুংশাশোরদগী থোকখিবা বেদশিংগী বচনবু নহাক্না কবিগী ওন্ন-তৈননা লৌরি? ॥১১॥

কপিলনা হয়,— ঐ কপ্নগুম্বদা বেদগী নিন্দা তৌদে, বেদগী ওন্ন-তৈনবা রাম্ভ ছাণ্ডখিবা লৈত্তে। তোঙান তেঙ্কনবা অশ্রমশিংদা লৈবশিংগী মরমদা বেদদা তাক্লিবা কর্ম্মশিংগী উদ্দেশ্যদি মপা অমত্তনি। মপাম্মোদাদি অমগীদগী অমগী কর্ম্মনা থেংনা ওইনা উদ্ধবগু মম্মুদদি অমত্তনি। অসুম্বা পরম্পরাদগী হায়নখক্ংসি ঐখোয়না তায় ॥১২॥ সন্ন্যাসী অমনা কবিবা পরমপদ (অথোইবা গতি) অদো বানপ্রস্থাশ্রমদা লৈবনসু অসুম ফাব মতৌ। গৃহস্থ অমগা ব্রহ্মচারী অনীনসু মাত্ত ঈরায় লায়না ফংবা ওন্সি ॥১৩॥ অশ্রম মরিমক্ অসিস তম-মার্গনি। মখায় মরি অসি দেবযান কৌবা, সনাতন মার্গ মরিহুনি হায়না য়ানখ্রে। মখোয় মরিসগী মরুপ্দা কনানা ঈচাউ চাউই? কনানা থাইদগী পীকুই? কনানা শোল্লি? কনানা কল্লি—? অসুম হায়না হংনবিসি, সকাম-কর্ম্মী ওইবা, হায়বদি— মহৈ-পাম্বা মীশিংনা ভাণ্ডজবা লাইরিক ওইনা লৈরিবা ঋগ্ সামনচিংবা মমিং থোল্লি। লাইরিকশিং অসুবুনি হায়না হেক্ত লৌনীভিও, লৌম্ন লৌনৈ। অসুম্না লৌনবিবগী নাস্তিকশিং অয়াম্বনা "বেদগী মরা চত্তে" অসুম্না হেক্ হেক্ হায়নবা য়াওই। 'বেদ' হায়বদি লাইরিক হায়বা নত্তে, 'জ্ঞান' হায়বনি। 'জ্ঞান' গী মা লোনে হায়রবদি 'অজ্ঞান' গী মরা লৌবা তারক্তি। অসুনা, 'বেদ' হায়বদি জ্ঞান' বু হায়বনি। জ্ঞান বিজ্ঞান অনী পুল্লগা সংপূর্ণ জ্ঞান হায়বহু ওই। হিন্দিডে মতমদা মুংশাশোর লোল্লিডেন হকচাংলমদা লৈরিবা শিংলিনচিংবনা তৌরিবশিং অহু মুক্না থঙপে হায়না কনাগুম্বা বৈজ্ঞানিক অমনা য়েংবা ভারবদি মাহুদা ককথোক্ ককশিন্ তৌরিবহু অত্যাচার নত্তে হিংসা নত্তে। জীব পুম্নমক্কী উপকারগী দমক্তনি। পুরাণগী রারীগী থুদম প্রমাণদা হায়রগা— কর্ণনা মচাবু হোরায়না থাম্বথিবা, দধীচি মুনিনা, শিবি নিংথৌনা মশাবু ককচাথবা, পুম্নমক অহু হিংসা নত্তে, যজ্ঞনি। অমগী কান্নবগী দমক থাদোকপমথৈ যজ্ঞনি। মপানগী হকচাং অসিদি অম্মনি। শম্বীগী হকচাং অম্মহুবু নহুবনা ভক্তদা দান তৌগ হায়না থন্থি। পবিত্র ওইরবা শলগী হকচাংবু দান তৌনীভিও, য়েন হুইনচিংবগী হকচাংবু অম্মনি হায়হুনসু দান তৌনীডদে। মরম অহুনা নহুবনা শম্বীগী হকচাংবা অম ওইহুনা অতিথিসেবা তৌগে থম্মিবসি হিংসাম্ভিদা নত্তে। (কালাচাঁদ)

এবং বিদিত্বা সর্ব্বার্থানারভেতেতি বৈদিকম্। নারভেতেতি চান্যত্র নৈষ্ঠিকী শ্রূয়তে শ্রুতিঃ ॥ ৫॥

অনালম্ভে হ্যদোষঃ স্যাদালম্ভে দোষ উত্তমঃ। এবং স্থিতা শাস্ত্রস্য দুর্বিজ্ঞেয়ং বলাবলম্ ॥ ৬॥

যদত্র কিঞ্চিৎ প্রত্যক্ষমহিংসায়াঃ পরং মতম্। ঋতে ত্বাগমশাস্ত্রেভ্যো ব্রূহি তদ্ যদি পশ্যসি ॥ ৭॥

স্যূমরশ্মিরুবাচ।

স্বর্গকামো যজেতেতি সততং শ্রূয়তে শ্রুতিঃ। ফলং প্রকল্প্য পূর্ব্বং হি ততো যজ্ঞঃ প্রতায়তে ॥ ৮॥

অজশ্চাশ্বশ্চমেষশ্চ গৌশ্চ পক্ষিগণাশ্চ যে। গ্রামারণ্যাশ্চৌষধয়ঃ প্রাণস্যান্নমিতি শ্রুতিঃ ॥ ৯॥

তথৈবান্নং হ্যহরহঃ সায়ং প্রাতর্নিরূপ্যতে। পশবশ্চাথ ধান্যং চ যজ্ঞস্যাঙ্গমিতি শ্রুতিঃ ॥১০॥

এতানি সহ যজ্ঞেন প্রজাপতিরকল্পয়ৎ। তেন প্রজাপতির্দেবান্ যজ্ঞেনাযজত প্রভুঃ ॥১১॥

তাকনি ॥ ৪॥ * অসুম হায়না থল্লগা অমদি থউনপা আশ্রম থুদিংদা থবক পায়খৎকনবনি। হায়রিবা অসি বৈদিক মততনি। কর্ম অমত্তম্ তৌনরক্কিবসি অমাদা অমমত্ত লৈবগীনি। অপাম্ব অসিনু নৈষ্ঠিক হায়রবদি করিগুম্বা কর্ম অমত্তা পায়খত্তনা লৈতবনি হায়রবসিংক সিদ্ধান্ত পুম্নমক্কী মপান্দ ওইবী শ্রুতিনন্ত আউরি ॥ ৫॥ যজ্ঞনচাবা থবকশিংদা জীবজন্তুদা দায নৈদ হায়রবা নত্তে। যজ্ঞদা জীবজন্তু দোষ থোরদোল্লা কাদে। করিগুম্বা বচনগী মতং। বেদগী বচনশিং শাস্ত্রগী মতুদা কদায়দা কদায়দা শক্তিনুবা হায়বসি থউনবা য়াম্না অক্কবা খুদোংথোকপা মমক্ত লাকই ॥ ৬॥

বেদ অমদি আগমশিংদি নত্তবা, মখোয়গী তাঙুনবা, হিংসাগী থবক্কি চতনা থউনবা, হায়রবদি-হিংসা য়াওনা তৌবা অনুষ্ঠানগী বিধিনু ওাক্পা, হিংসাশাস্ত্রগী মহৈ অক্ত থাক্কংলবা প্রমাণ কনা উৎবা, নত্রগা অনুভবনা করিগুম্বা ঈখি লাকুখিবা, ফাখিবা লৈরবস্ত মাদু ঐঙোন্দা হায়য়ু ॥ ৭॥ স্যূমরশ্মিনা হায়, "স্বর্গ কানীংবা,— স্বর্গগী ভোগপু ফংনীংবা মীনা যজ্ঞ তৌগদৌরনি।" হায়রবদি শ্রুতিনা হায়। মরমদুনা স্বর্গগী মগাক্ ওইরবা মহৈবু হান্না সংকল্প তৌরগা অদুগী তুংদা যজ্ঞগী অনুষ্ঠান তৌনে ॥ ৮॥ হামেং যাও শগোল, শল, উচেক— নগরগী অমা অদুগা ঙক্লগী অন্নমচিংবা পোং পুম্নমক্কী প্রাণ হা ন্দুগী অন্ন ওাক্তনি, অসুম্না শ্রুতিনা হায় ॥৯॥ অমুক নুমিৎ খুদিংমক্তা অনী অন্ন (চাক্চেন্) অদুনা আসনি প্রাণগী মচান্ জাক্কি হায়নৈ। ধান্য (কৌ) গা পশু (শা) গা অনী অসিদি যজ্ঞগী অঙ্গনি. যজ্ঞগী মদুং চেনবা শরীকনি, হায়না শ্রুতিনা হায় ॥১০॥ ভগবান্ প্রজাপতিনা যজ্ঞগা লোয়ননা, হায়রবদি— যজ্ঞ তৌনা তৌনা মখোয় অসিবু শেমখি। যজ্ঞগী সামগ্রী (মচাক্) শিং অসিনা দেবতাশিংগা লোয়ননা যজ্ঞ তৌখি ॥১১॥

---

* বিদ্যা পাম্বনা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমনা হৌরি হায়। মচা-মশু পন-জন পাম্বনা গৃহস্থ আশ্রমনা হৌরি হায়। মচা-মসুশিনা অর-অনা ওাবস্থ উবা য়াওদনা, মনীং তম্না বনদা চৎলা হন্দ খতুনা পুন্না লেম্বা পাম্বশিংনা বানপ্রস্থ আশ্রমনা হৌরি হায়। পুম্নমক থদোকুনা মুক্তি (অরানবা থুংনম ফবা— অমুক হন্না পোক্লত্রবা) পাম্বশিংনা সন্ন্যাস আশ্রমনা হৌরি হায়। মরম অদুনা আশ্রম মরি অসিগী চপ্তনি— অপাম্বদুবু ফংনবা হোৎনবা হায়রবা মহৈ অদুতনা ওইরিবনি। (কালাচান্দ)

অন্যোন্যস্তবরাঃ সর্ব্বে প্রাণিনঃ সপ্ত সপ্তধা। যজ্ঞেষু পাকৃতং বিশ্বং প্রাহুরস্মা সংজ্ঞিতম্ ॥২২॥
এতচ্চৈবাভ্যনুজ্ঞাতং পূর্ব্বৈঃ পূর্ব্বতরৈস্তথা। কো জাতু ন বিচিন্বীত বিদ্বান্ স্বাং শক্তিমাত্মনঃ ॥২৩॥
পশবশ্চ মনুষ্যাশ্চ দ্রুমাশ্চৌষধিভিঃ সহ। স্বর্গমেবাভিকাঙ্ক্ষন্তে ন চ স্বর্গস্ততো মখাৎ ॥২৪॥
ওষধ্যঃ পশবো বৃক্ষা বীরুদাজ্যং পয়োদধিঃ। হবির্ভূমির্দিশঃ শ্রদ্ধা কালশ্চৈবানি দ্বাদশঃ ॥২৫॥

খুদ্মক্তা অমদি উমংদা লৈবা জীব মখল তরেৎ তরেৎ অদুগী মদুংদা লেংনবদ অমনা অমদগী মখং মথং অথোইবা— অহেনবা ওই। মথোয়শিংসিগী মদুংদা "উত্তম" (থাংদগী হেনবা) অদুমা মিংথোল কংদুনা তাইবংমী হায়দুনা লৈরিবা অসি কাওবা যজ্ঞদা শীজিন্নবা ওইনা লৈপ্রবনি হায়না হায়নপ্রবনি ॥২২॥ মমাংঙৈগী অদুগা মান্না থান্না মমাংঙৈগী জ্ঞানী ওইবশিংনা হায়রিব জীব পুম্নমক অসি যজ্ঞগী মচাক্ অমদি যজ্ঞগী অঙ্গ (মশা) মক্তনি হায়না লেপ্লপ্রবনি। মরম অদুনা সংসারদা কয়দা জ্ঞানী অমনা মশাগী শক্তিগী মদুংদা, করি করিগুম্বা মতমদা মশানা পামজবা যজ্ঞ অমত্তু জ্ঞান তানা খল্লোইদোবা লৈবগে ? ॥২৩॥ শা, তাইবংমী, উপান্ন, যেংখাং মাপী, হীদাক লাংতক্, মনা-মশী মথোয় পুম্নমক অসে স্বর্গবু পাম্বনক্তান। * অদুবু যজ্ঞ কৌবা উপায় অসি নত্তনা স্বর্গ ফংবা হায়বসি অঙাংবা শবক নত্তে ॥২৪॥

হীদাক্ লাংতক্ মনা-মশী নাচংবা অমম, শা-উচেক, উ, উনৈ নরী, ঘী, শঙ্গোম শঙ্গোম মখান অতেপ

---

* হৈপাল লৈপাল, শা-উচেক, তাইবংমীনচংবা অচচ্চত্ত জীব পুম্নমক অসি স্বর্গবু পাম্বা মক্তনি। মতাং অসিনা হায়রিবা স্বর্গ হায়বা বহৈ অসি স্বর্গ-মর্ত্য পাতাল অহুম্না হায়নবদা মানরিবা "স্বর্গ" হায়রিবসি ওক্ নাত্তে। লৈদুংদা লৈপ্রবা শীজ (মক) গী মদুংদা শীংক্ শীজ লৈংদবা ময়োল্ (পান্বীচা) অদু মথক্ লোমদা লৈথক্তা হাংগৎনীংলকই। স্বর্গগামী (মনীং মখা তম্না মংক্লোমদ হাইগৎনীংলকপা) মক্ত (ভাক্ত) নি। অচচ্চত্ত জীব পুম্নক্তা পাম্নরিবা স্বর্গ (স্বর্ + গঃ) হায়বসি যজ্ঞ নত্তনদি ফংবা ওইথোক্তবনি। যজ্ঞ হায়বদি খাদাকপা হায়বনি। আত্মানা মতম পৃদ্ধদা মপানগী কুমোম পাঞ্চভৌতিক ওইবা দহসিবু, যজ্ঞ তৌথোক্লমগা স্বর্গত (স্বর্গ কাবা) ওই-নীংতি। হায়বদি— স্বর্গ কানীংদি— অঙা-অপুন লেপ্তনা—মনীংমখা তম্না চংনীংতি। শলগী হকচাংবা, শগোলগী হকচাংদা লৈরিবা আত্মাসিসু অদু মতায়। অদুগৈ প্রজাপতি ব্রহ্মানা হৈপাল-লৈপাল, শা-উচেক্, তাইবংমীনচিংবা পুম্নমক অসিবু যজ্ঞগা লোয়ননা শেমখি। "সহযজ্ঞাঃ প্রজাঃ সৃষ্টা।" লেত্তিত্ত-পাম্নিবা জীব পুম্নমক অসি যজ্ঞগী অমমক্তনি। মপান্থোংগী পোৎশকশিংবু মপান্থোংগী মৈদা, অদুগা মদুংগী পোৎশক হায়বদি— কাম, ক্রোধ লোভ, মোহ-নচিংশিংনা মদুংগী মৈদা, হায়বদি— জ্ঞানাগ্নিদা যজ্ঞ তৌথোক্লদবনি। উরিবা হৈপাল উপান্নীনচিংবা হীদাক্-লাংতক্, মনা-মশী, তাইবংমী, শা-শল্ পুম্নমক অসি যজ্ঞগী শম্ন ক্তনি। তাইবংমী মীগী আত্মানা যোগ-সাধনতনা তাইবং হকচাং অসি থাদোক্লদবগী অমুক কম্না তোংনবসিনদি, শগোলগী হকচাংনা লৈবা আত্মানা কবিগী অমুক্তেম্না থাদোক্লীংতোই ! তাইবং মীগী হকচাংসিবু থাদোক্লীসিবা অত্মাতুনক্তি শগোলগী হকচাংবু থাদোক্লীংতিবদুম্ন। মতৌসিত্তম্না হায়েং, মাও-নচিংবগী লেহমুংদা লৈবা আত্মানসু মপান্থোংগী লেহাসিবু যজ্ঞদা থাদোক্লীংতি। (কালাচাঁদ)

ঋচো যজূংষি সামানি যজমানশ্চ ষোড়শ। অগ্নির্জ্ঞেয়ো গৃহপতিঃ সপ্তদশ উচ্যতে ॥২৬॥
অঙ্গান্যেতানি যজ্ঞস্য যজ্ঞো মূলমিতি শ্রুতিঃ। আজ্যেন পয়সা দধ্না সকৃতামিক্ষয়া ত্বচা ॥২৭॥
বালৈঃ শৃঙ্গে পাদেন সম্ভবত্যেব গৌর্মখম্। এবং প্রত্যেকশঃ সর্ব্বং যৎ সদস্য বিধীয়তে ॥২৮॥
যজ্ঞং বহন্তি সম্ভূয় সহর্ত্বিগ্‌ভিঃ সদক্ষিণৈঃ। সংহত্যৈতানি সর্ব্বাণি যজ্ঞং নির্ব্বর্ত্তয়ন্ত্যুত ॥২৯॥
যজ্ঞার্থানি হি সৃষ্টানি যথার্থং শ্রূয়তে শ্রুতিঃ। এবং পূর্ব্বতরা সর্ব্বে প্রবৃত্তাশ্চৈব মানবাঃ ॥৩০॥

অতোপ্পা হবিস্য, ভূমি (লৈবাক), দেশা (মায়গৈ), শ্রদ্ধা, কাল হায়রিবা তরানীথোঃ অসি যজ্ঞগী অঙ্গ—মশানি ॥২॥ ঋগ্বেদ, যজুর্ব্বেদ, সামবেদ অমুগ যজমান মরি অসি অমুক্ হায়গী তরানীথোই অসিদা হাপচিল্লগা যজ্ঞগী অঙ্গ তরাতরুক্ ওয়ে। অমুগী তুংদা গার্হপত্য অগ্নি য়াওরগা তরাতরেৎ ওয়ে। মতৌ অসুম্না যজ্ঞগী অঙ্গ তরাতরেৎনি হায়রে ॥২৬॥ তরাতরেৎমক্ যজ্ঞগী অঙ্গশিংনি। হায়রিবা যজ্ঞ অসিনা জগৎ পূম্নমক অসিগী মূল কারণনি, অসুম হায়না শ্রুতিনা হায়। ঘী, শঙ্গোম, শঙ্গোম মপান্ শঙ্গোম শীন্‌বা শংথু, শউন্ মতু মচা অমুগা মখোঙ হায়রিবশিং অসিনা মচাক অসি খুৎশায় ওইতুনা যজ্ঞ কৌবা কর্ম অমু পাঙথোক্লিবনি। মতৌ অসুম্না মখোয়শিং অসিগী অমমম্গী তৌকম পোকপমু তানশিনগনবনি ॥২৭—২৮॥ ঋত্বিক্ ব্রাহ্মণ অমুগা দক্ষিণাশিংগা লোয়ননা হায়রিবা অঙ্গ ময়াম অসিনা যজ্ঞ মপূম্ অমা মপু কানা পাঙথোক্লবনি। যজ্ঞগী অমন হায়রিবা মচাক্ (অঙ্গ) ময়াম অসি লোইনা হান্না শেমশাগনা লাকতুনা থম্লগা অমুগী তুংদা যজ্ঞগী অনুষ্ঠান তৌগনবনি ॥২৯॥ তৌজিক হায়রিবশিং অসি প্রজাপতিনা অরেম্বদা শেম্বা অমতা নত্তে, যজ্ঞগী দমক শেমখবনি। * অমসুং সৃষ্টিগী হৌনা তাইবংপান্বা যজ্ঞ অসি ওসি ফাওবা তৌদুনা লাক্লবনি ॥৩০॥

* য়াম্না চাউথোকপা লুবা য়াহং অমা তৌজিক ফাওবা থুম্বা য়াগা লৈরি। মাহুদি—অসুক য়াংবা হৈপাল লৈপাল, শাউ চক্, তাইবংমী, মনামশী, হৈদাক্-লাংক্লিচিবা জাতি মথল মথলগী, মমিং মথল মথলগী, মচু মহাও তোঙান তোঙানবগী শেম্লম্নসিবু কনাগীনো? করি করিদা শীজিন্নবদা? মায়ানি, মীপুং পুংউবনি হায়বসিসু কনাগীদমক পুংউঙ উহল্লবনো? অসিগুম্বা চাউরবা য়াহং অসিগী অমত্তা ওইবা পীকুলবা পাউখুমদি— 'যজ্ঞগী দমক্লি' হায়বা অসিনি। যজ্ঞ হায়বগী অর্থ অসি থাদোকপা হায়বনি। আত্মাসিনা হকচাং অমা থাদোক্লম্লগা হকচাং অমদা চঙলক্লি। অসিদগীসু অমুক হকচাং অসিবু থাদোক্লম্লগা দেহ অমদা চঙখিগদৌরি। তৌজিক লৈরিবসিমকসু থাদোক্ থাদোক্ল অসুম মরৈরি। অমুগা আত্মাসিনা করিমত্তা মরী লৈনদবগুম লৈ। মসিসু থাদোক্পা অমনি। অমুনা আত্মানা তৌরিবা কর্ম্মাদি যজ্ঞতনি, করিসু নত্তে। অমুনা যজ্ঞগী মচাক্ (অঙ্গ) ওননবা লৈরিবসু আত্মা মশা মথন্তগী চিংথোক্চরকপনি। অমুনা আত্মা (পরমাত্মা) না মশাগী যজ্ঞ তৌজগে হায়বগী দমক্ হৈপাল-লৈপাল, মনা-মশিংনচিবা মচাক্ (অঙ্গ) শিং অসি শেমজাখবনি। (কালাচাঁদ)

ন হিনস্তি নারভন্তে নাভিদ্রুহ্যন্তি কিঞ্চন। যজ্ঞো যষ্টব্য ইত্যেবয়ো যজন্ত্য ফলেপ্সবঃ ॥৩১॥
যজ্ঞাঙ্গান্যপি চৈতানি যথোক্তান্যনুপূর্ব্বশঃ। বিধিনা বিধিযুক্তানি ধারয়ন্তি পরম্পরম্ ॥৩২॥
আম্নায়মার্ষং পশ্যামি যস্মিন্ বেদাঃ প্রতিষ্ঠিতাঃ। তং বিদ্বাংসোঽনুপশ্যন্তি ব্রাহ্মণস্যানুদর্শনং ॥৩৩॥
ব্রাহ্মণ প্রভবো যজ্ঞো ব্রাহ্মণার্পণ এব চ। অনুযজ্ঞং জগৎ সর্ব্বং যজ্ঞশ্চানুজগৎ সদা ॥৩৪॥
ওমিতি ব্রহ্মণো যোনির্নমঃ স্বাহা স্বধা বষট্। পঠ্যন্তানি প্রযুজ্যন্তে যথাশক্তি কৃতান্যপি ॥৩৫॥

যজ্ঞ তৌবা ঐগী ঊথোনি হায়রবা অসি খাওবত থন্দুনা মহৈ কংবগী রাথলগী সীনানাদা লাইহুন্দুনা যজ্ঞ তৌরিবা মী মহাক অদুদি হিংসায় তৌদে, কনাগুম্বা করিগুম্বা অমগী মকমদা কল্লকপা মুত্তাইতবয়—তৌরদে, অদুগা মহাক্না তৌরিবা যজ্ঞ অদুদা অহঙ্কারগী শক্তক করিমত্তা য়াওদে ॥৩১॥ *

যজ্ঞশাস্ত্রদা হায়রিবা যজ্ঞগী অঙ্গ ওইরিবা হায়বদি— যজ্ঞগী মতুং চল্লিবা দেংশক অমদি বিষয়শিং অদুদি অমগমগা শোগৎনৈ, হায়বদি— অমনা অমগী দোষ পাপ পুন্নমক কাকহনমল্লে ॥৩২॥ ঋষিশিংনা হায়রম্বা তাক্লম্বা অম্নায় অমাদ ধর্মশাস্ত্রশিং অদু ঐ মুন্ন য়েংলে-পাদে। হায়রবা ধর্মশিং অদুগী মথক্তা বেদ পুম্বা নীংথিনা লেত্তদনা প্রতিষ্ঠিত ওইদুনা লৈরিবনি। ধর্মদ থম্জিনবা অদি ধর্মদা চত্তশিনবগী তত্ত্ব নিয়ম পুম্বা তাক্পা ব্রাহ্মণভাগকী লাই কশিংদা য়াওরিব বাক্যশিং অদুবু মতুং হুল্লিন্না পাক্কগা, অদুগা থস্তরকরগা জ্ঞানী পাণ্ডতশিংন অর্থগ্রন্থশিং অদুবু প্রমাণপাত্র অমদি সিদ্ধান্ত ওইনা লৌনৈ ॥৩৩॥

যজ্ঞতত্ত্বগী থাক্লেংশেংবা বিবরণ পীরিস বেদগী ব্রাহ্মণভাগকদা উই। যজ্ঞগী অধিকার অসি থাক্লেংশেংনা ব্রাহ্মণশিংতদা ওইনা পী। যজ্ঞগী তত্ত্ব পুম্বা মকম অদুদা অস্তুম হায়না তাক্লি, মাদুদি - যজ্ঞগী তুংদা বিশ্ব জগৎ পুম্বা লাকচ থোক্কদরকপনি। অদুগা জগৎকী তুং অদুদস্থ যজ্ঞনা জগৎকী তাক্লো ওইনা শেম্মদুনা চংলি ॥৩৪॥ ওঁ হায়বসিনা বেদ পুম্বগী হায়বদি জ্ঞান পুম্বগী মূলকারণনি - খিন্নম্মি য়ুম্ফম, মরুনি। ওঁ, নমঃ, স্বাহা, স্বধা, বষট্ হায়রিবশিং অসি মথং মনাও কাম্বদনা, মকম চানা চানা শীজিন্নরিবা যজ্ঞ অদু অদ

* অন্নাবা-তুংত্তাইবা চৈনাগী অন্না-অনাগ করিমত্তা মরম লৈনদবা আত্মা মত্তোন্দা হিংসা অহিংসা হায়বা করিমত্তা লৈতে। আত্মাসিনা মথক্তা লৈজবা নত্তনা হ চাংসগা তিম্নগা তেক্ লৈরুবদগী আত্মা মশানা হকচাংসিবু মা-মক্লি হায়না শেবান্নানা থন্থিবদগী অহঙ্কার— 'ঐ" হায়বা তমোগুণগা মশামক্ চত্তকই। মাহুদগীদি তৌরু তৌরুরিবা কর্মগী মহৈ পাম্মকই। অম্নম্না মহৈ পাম্বগী পাংকর মথংদা তৌবা কর্মমখে হিংসাগী মশক্তা ওই। হাংপাথিন্ব তৌবা তাক্কনা হিংসা তৌবা নাত্ত। হাংপাথিন্বা ঈয়াও য়াওদনা যাহৈত্তনস্থ কনাগুম্বা অমগী থম্মোয়দা তাশোন্ন থিন্বগী চৈনাদগী শক্তক লশিং অমা থেম্না চৈনা কাওহনবা চৈনা অদু থাওবা তমদহুনা থাত্তনা থিনবগী চৈনাবু করিগ্র লৈতবা অমা ওইনা থন্দুনা মশা মথস্তবু থাত্তনা থিলহংদুনা মথরায় থাবা য়াওরি। অদুবু সাধারণনা মপাম্বোংগী হকচাংসিদা ফুবা-শিন্বতব হিংসানি হায়না লৌনরি। মহৈ-পাম্বা, অহঙ্কার অমদি অশান্তিবা মথোয়সিবু য়াওদনা যজ্ঞ তৌরবদি যজ্ঞ-বলিদান কাওবা হিংলা মত্তে হায়রবমি। (কালাচাঁদ)

ন তত্র ত্রিষু লোকেষু পরলোকভয়ং বিদুঃ। ইতি বেদা বদন্তীহ সিদ্ধান্ত পরমর্ষয়ঃ ॥৩৬॥
ঋচো যজূংসি সামানি স্তোভাশ্চ বিধিচোদিতাঃ। যস্মিন্নেতানি সর্ব্বাণি ভবন্তীহ স বৈ দ্বিজঃ ॥৩৭॥
অগ্ন্যাধেয়ে যং ভবতি যচ্চ সোমে সুতে দ্বিজ। যচ্চেতরৈর্মহাযজ্ঞৈর্ব্বেদ তং ভগবান্ পুনঃ ॥৩৮॥
তস্মাৎ ব্রহ্মণ যজেচ্চৈব যাজয়েচ্চাবিচারয়ন্। যজতঃ স্বর্গবিধিনা প্রেত্য স্বর্গফলং মহৎ ॥৩৯॥
নায়ং লোকোহস্ত্যযজ্ঞানং পরশ্চেতি বিনিশ্চয়ঃ। বেদবাদবিদশ্চৈব প্রমাণমুভয়ং তদা ॥৪০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
গো-কপিলীয়ে ত্রিষষ্ট্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৩॥

——:(ঞ):——

পূম্নমক্ মরাঙ কায়না রাজন তৌরবা পাঙথোক্লবনি হায়না লৌনৈ ॥৩৫॥ অসুম্না যজ্ঞ তৌরবা মী মহাক অদুগীদি লোক অহুম অসিদা কারিগুম্বা ৱিনিংঙাই—চানিনিংঙাই অমতা লৈতে। মাসে বেদ পূম্নমক্কা ঋষি পূম্নমক্কা লাউহুবা— হায়হুনা লৈরবনি ॥৩৬॥ ঋগ্ বেদ যজুর্ব্বেদ, সামবেদ অদুগা সামবেদসিগী স্তোভ অসিনচিংবগী জ্ঞাননা মাগী মশাদা লৈরবা মহাক * অদুডনা জগৎ অসিদা দ্বিজ ওইবগী অধিকার ফংলবনি। অদু নত্রবদি দ্বিজ কৌবা যাদে ॥৩৭॥ ব্রহ্মণ! অগ্ন্যাধান হায়রবদ অগ্নিহোত্র (যজ্ঞ) অমদি সোমযাগ তৌবগী ফংবা মহৈশিং অদু অদুগা অতোপ অতোপ্পা মহাযজ্ঞশিং তৌবগী ফংবা মহৈ অমদি মহিমা অদু নহাক্কা তেম্না থজবিরিবনি ॥ ৩৮॥ অদুনা ব্রাহ্মণ! ব্রাহ্মণ (দ্বিজ) থুদিংমক্কা তৌগদবদি মহৈ ফংবা ফংদবগী চিংনবা অকিব অমদি হিংসা অহিংসা খেদজ্ঞন পুম্বা থাদোক্তুনা যজ্ঞগীদমক্কা যজ্ঞ তৌগদবনি, যজমানশিংঅহুবুসু তৌহনগদবনি। স্বর্গ ফংহন্নবগী বিধি নিয়ম অদু কায়দুনা যজ্ঞ তৌরবা তৌহল্লবা মী মহাক্ অদুদি শিরবা তুংদা স্বর্গ লোয়দনা ফংই ॥৩৯॥ অসিগুম্বা যজ্ঞবু তৌদ্রবা মী অদুগীদি ইহলোকতসু লুংঙাইবা লৈতে। পরলোকতসু স্বর্গ লৈতে। ইহলোক পরলোক অনীমক্ত ঐকান্ কায়দে। বেদগী বিষয়শিং অসিবু মুন্না খঙবশিং অদুদি প্রবৃত্তি (কর্মদা চঙশিন্বা), নিবৃত্তি (কর্মদগী হন্দোরকপা) অনীমক্পু ভাইবং মপোক্কা সিদ্ধি ফংননবগী প্রমাণ (সাক্ষী) ওইনা লৌই ॥৪০॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা স্যুমরশ্মি-কাপিল-সংবাদগী চনীহুম্ফু হুমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৩॥

——:(:——

* সামবেদগী গায়ন (ঐশৈ) গী শরক্কা মমৈ মমৈদা ময়েক্কী অমদি পাদগী অরাংপা মেনখৎপা শরক ওইনা "হাইহৈয়ি" "ঠহইবু" আসংচিংবা খোম্হোক্ কয়া গাপচিল্লি। হাপচিল্লিবা শরক অসি সামবেদদা স্তোভ হায়না কৌই। ঋচাগী গানদা অসিগুম্বা স্তোভ হায়বা অসি হাপচিল্লগা অর্থদা মপূফাবা হায়বদু লাকই। (কালাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

চতুঃষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(প্রবৃত্তি নিবৃত্তি মার্গ অনীগী মরমদা স্যূমরশ্মি কপিল অনীগী সংবাদ)

চনীহুমফুমরিশুবা অধ্যায়।

——:():——

কপিল উবাচ।

এতাবদন্তপশ্যন্তি যতয়ো যান্তি মার্গগাঃ। নৈষাং সর্ব্বেষু লোকেষু কশ্চিদস্তি ব্যতিক্রমঃ ॥১॥

নির্দ্বন্দ্বা নির্নমস্কারা নিরাশীর্বন্ধনা বুধাঃ। বিমুক্তা সর্ব্বপাপেভ্যশ্চরন্তি শুচয়োঽমলাঃ ॥২॥

অপবর্গেঽথ সংত্যাগে বুদ্ধৌ চ কৃতনিশ্চয়াঃ। ব্রহ্মিষ্ঠা ব্রহ্মভূতাশ্চ ব্রহ্মণ্যেব কৃতালয়াঃ ॥৩॥

বিশোকা নষ্টরজসস্তেষাং লোকাঃ সনাতনাঃ। তেষাং গতিং পরাং প্রাপ্য গার্হস্থ্যে কিং প্রয়োজনম্ ॥৪॥

কপিলন হায়,— যম নিয়ম আসন প্রাণায়ামগী বিধিসু চোকশিন্না পালন তৌরিবা— ভাক্না চংলিবা সন্যাসীনা জ্ঞানমার্গগী আশ্রয় লৌহনা পরব্রহ্ম পরমাত্মাবু ফংই। অদুগুম্বা মখোয়হনা সংসারগী লেভিঙ-পাম্লিবা প্যোংশক বিষয় পুম্বসি মীকুপ্তা কায়রগদৌবা ভাকনি হায়না খঙিঙ। মখোয়গী গতিদি লোকপুম্বদা কয়িগুম্বা মকম মতমদা অপন্বা অথিংবা লৈতে ॥১॥ অঙৈং-অশা, অরা-মুংডাই অসিনচিংবা অনী থোকপগী রাখল—দ্বন্দ্বভাবনা মখোয়গী পুক্নীং হকচাংদ্ লেঙহনবা ঙিপাইহনবা ঙমদে। মখোয়দি কনাগুম্বা অমগী মফমদা আশীর্ব্বাদ পীকবা, বর পীক্লবা হায়বা লৈতে। অমুক করি হায়গনি— হায়রিবা জ্ঞানীশিং অসিদি সংসারসিগী করিগুম্বা অপাম্বা মিহৌবনচিংবগী বন্ধন অমনা কাজিনবা লৈতে। পাপ পুম্নমক্কগী লাম্হোকখি-হনা, মমুং-মপান পুমপেং শেংবা, অক অপুন্ রাওহন্দনা মকম মতম পুম্বদা মনীংতম্না চংতুনা লৈ ॥২॥ মখোয় অহুনা সংসার বিষয়দগী অরান্ খৃত্তম্ ফংথিনি হায়বগী অহুগা ঐগীনি হায়হনা লৈরিবা সম্পত্তি-মখৈ থাদোকখিগদবনি হায়বগী আশা অমদি রাখরা পুক্নীংদা চপ্চানা লেপ্তুনা থমগ্রবনি। মখোয় অতুদি হুমিৎচুপ্না ব্রহ্মগী ধ্যানদা মশামক্ ব্রহ্মমকী মশক ওইহনা লৈগ্রবনি ॥৩॥ মখোয় অতুদি, অরাবগী মরীক্ অমত্তা লৈত্রবা অদুগা রজোগুণদগী পোকপা কাম ক্রোধগী মনম ফাওবা তাত্রবা অদুগুম্বা সনাতন ওইরবা লোকতা চংখি— লৈখি। অদুগুম্বা অথোইবা গতিবু ফংগ্রবা মখোয় অদুদা – গার্হস্থ্য আশ্রমদা লৈহনা আত্মমহুগী ধর্মশিংদু ভাকলুবগী থোইনা কায়রবা, অদুগা মাদুবু ভাকবগী অপাম্বা করিনগুম্বমতা লৈরবোই। লৈকদবা থোকপ্রে ॥৪॥

ত্র্যম্বকমূনিরুবাচ।

যত্তেষা পরমা কাষ্ঠা যত্তেষা পরমা গতিঃ। গৃহস্থানব্যপাশ্রিত্য নাশ্রমোঽন্যঃ প্রবর্ত্ততে ॥৫॥

যথা মাতরমাশ্রিত্য সর্ব্বে জীবন্তি জন্তবঃ। এবং গার্হস্থ্যমাশ্রিত্য বর্ত্তন্ত ইতরাশ্রমাঃ ॥৬॥

গৃহস্থ এব জায়তে গৃহস্থস্তপ্যতে তপঃ। গার্হস্থ্যমস্য ধর্মস্য মূলং যৎকিঞ্চিদেজতে ॥৭॥

স্যমরশ্মিনা হায়,-- জ্ঞানবু ফংলগা— জ্ঞানী ওইরগা পরংব্রহ্মগী জ্ঞান (মওং) বু ফংবতনা পুরুষার্থ ওইরবদি -- মাহুমক্কা মীওইনা পোকপগী উদ্দেশ্য ওইরবদি মাহুমক্কা অথোইবা গতিনি হায়রবদি, গৃহস্থ-ধর্ম্মগী মহিমা অমদি মাহাত্ম্য অদুগী মগুণনদুম হেন্না চাউথংপা, অহেনবা ওইরে। মরমদি হায়রিবা— ওইরিবা কীর্ত্তন পুম্নমক অসি গৃহস্থ ওইবশিংগী আশ্রয় অমদি সহায়তা নত্তনা থকু ওইব য়াবা নত্তে। অদুদগী নত্তনা হায়রিবা গৃহস্থ শ্রম অসি য়াওদনা, মথক্কা হায়রিবা জ্ঞাননিষ্ঠ বু হায়বনি থাঙ্গৎশংবা অরেপ্পা জ্ঞানমা লেপ্পুনা লৈবা হায়বদুবু ওইহনবা হায়বসিমকত্থু ওইথে ক্কবানি ॥৫॥ *

মচাশিংগী আশ্রয় অমদি চঙজফমদি মমাগী মথ অমদি তম্পাক্কা ওইবদুগুম্না আশ্রম অতেগী আশ্রয়দি গৃহস্থাশ্রমতনা ওইরিবনি। অতৈ আশ্রম অহুম্মক গৃহস্থাশ্রমতদ তুংদুনা লৈরিবনি ॥৬॥ তাইবং মীওইবনা যজ্ঞ তৌনরিবা, দানধর্ম্ম তৌনরিবা, ধ্যান তপস্যা তৌনরবা করিগুম্বা শুভকর্ম্ম অমতং তৌনবস গৃহস্থ আশ্রম লৈরম্বননি ॥৭॥

* আশ্রম মরিগী মনুংদা গৃহস্থ শ্রম হায়বসিনা খ্বাইদগী অথোইবা ওইবত নত্তন মমাং মতুং আশ্রমশিংগী কেন্দ্রনি— মুখ্যনি। আশ্রম অসি লৈরমত্রবদি আশ্রম অতোদি অমত লৈবা য়াররোদবনি। পোকপদগী ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা নত্রগা সন্ন্যাসাশ্রমদা লৈত্রবাশং অদুদি আশ্রম অসিবু মুখ কে গোৎনবনি। দানযজ্ঞ কয়া কয়াবু, অতিথিসেবা, সমাজসেবা, দেশসেবা অসিনচিংববু মুথ কে হো নবনি। মরম অদুনা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রম, সন্ন্যাসাশ্রমগী মহিমাগী গুণ শক্তিবসি, অমরোমদ হাংরবদি গৃহস্থ শ্রমগী মগুণ থাগৎপনি। গৃহস্থ আশ্রমবু চাউথংহনগে হায়না হাৎনবনি। অদুকপা অমনা অতৈ আশ্রম অহুম অদুদি গৃহস্থ শ্রমদা লৈবা মীনা পাংথোকপা ঙম্মি। সন্ন্যাসাশ্রমদি গৃহস্থাশ্রমগী বিধ পাঙথোকপা য়াদে। গৃহস্থ শ্রমীশিংদি নিষ্কাম-কর্ম্ম তৌদুনা চুম্নগী সন্ন্যাসী অমদগী হেন্না অচৌবা খুত্তম ফাংথিবা— তাঙ্গথিবা য়াই। দেশকী সমাজগী উপকারী ওইবা, ধর্ম প্রচারক ওইবা মীশকপু পোকহল্লিবসি গৃহস্থ শ্রমনি। গুরুশিষ্যগী সম্বন্ধ পিতৃমাতৃপ্রেম, পিতৃঋণ, মাতৃঋণ, দেবঋণ, ঋষি তর্পণ অসিনচিংবসি গৃহস্থ শ্রমতনা পাঙথোকহল্লনি। স্মৃতি শাস্ত্রকার, দার্শনিক কয়া কয়াবু গৃহস্থ শ্রমীশিংনা পোকহল্ল। ভগবাননা অমুগুক্ত সংসারদা তাইবং মীশক তৌদুনা অবতার তৌবিরম্বিবসি গৃহস্থ শ্রমদা লৈবা মীশিংগী পাঙবাদ্দতানি। মরম অসিন হায়রিবা আশ্রম অসিদগী তত্ত্ব থউনা লৈরবদি মনুগী বানপ্রস্থ অমদি সন্ন্যাস লৌবা অনীদুদা অমুক্ত ওন্থুরবস্থ য়ারে। অসিগুম্বা গৃহস্থাশ্রম অসিগী মহিমাবু স্যমরশ্মিনা হন্না হন্না ব্যাখ্যান তৌরি। (কালাচান্দ)

প্রজনাত্ততিনির্বৃত্তাঃ সর্ব্বে প্রাণভৃতো জনাঃ । প্রজনং চাপ্যুতাতত্র ন কথঞ্চন বিদ্যতে ॥৮॥
বাহ্যস্ত্বর্বহিরোষধ্যো বহিরণ্যাস্তথাদ্বিজাঃ । ওষধিভ্যো বহির্যস্মাৎ প্রাণান্ কশ্চিন্নদৃশ্যতে ॥৯॥
কস্তেষাং বাগ্‌ভবেৎ সত্যা মোক্ষো নাস্তি গৃহাদিতি । অশ্রদ্দধানৈরপ্রাজ্ঞৈঃ সূক্ষ্মদর্শনবর্জ্জিতৈঃ ॥১০॥
নিরাশৈরলসৈঃ শ্রান্তৈস্তপ্যমানৈঃ স্বকর্ম্মভিঃ । শমস্তোপরমঃ দৃষ্টঃ প্রব্রজ্যায়াম প্ডিতৈঃ ॥১১॥
ত্রৈলোক্যস্যৈব হেতুর্হি মর্য্যাদা শাশ্বতী ধ্রুবা । ব্রাহ্মণো নাম ভগবান্ জন্মপ্রভৃতি পূজ্যতে ॥১২॥
প্রাগ্‌গর্ভাধানান্মন্ত্রা হি প্রবর্ত্তন্তে দ্বিজাতিষু । অবিশ্রাস্তেষু বর্ত্তন্তে বিশ্রাস্তেষ্বপ্য সংশ্রয়ম্ ॥১৩॥
দাহে পুনঃ সংশ্রয়ণে সংশ্রিতে পাত্রভোজনে । দানে গবাং পশূনাঞ্চ পিণ্ডানামপ্সু মজ্জনে ॥১৪॥

মা-মশূগী মখক উবগা হুংজোইজবা ফংনবিৱসি গৃহস্থাশ্রমদনি। গার্হস্থাশ্রম নত্তনা মচা-মশুবু উজবসি করিগুম্বা অতৈ আশ্রমদা ওইথোক্নবনি ॥৮॥ ই, শীংমাং কুপ, তুম্নৌ, কৌ, গেহু, যগ, মন-মশীং, হীদাক্ লাংতক্, নগর মখান্দা উমংদা ঙৌৱবা হীদাক্ মনা-মশীং, উহৈ-রাহৈ, অগা অথক্, চীংথক্তা হোরিবা মমল য়াম্নবা উরী-রারী, চাবা য়াবা য়েঙ্খাংনগী পুম্নমক অসগী অধিকারণদি গৃহস্থাশ্রম হায়বসিনা ওংবি-বনি। মৱমদি— গৃহস্থাশ্রমদা লৈবা গৃহস্থশিংনা যজমান ওইদুনা যজ্ঞ তৌৱগ লোমদেস্থুগা ইংথিবা মৈথু অহুন নেং পল্লগা নো অহুংগী ঈশিং ওইনা তাংকুনা হায়রিবা লৈপাক্তুগী তৌব পানৌ পুম্ন কাসি পোকপ্রবনি। হায়রিব অচা মশক্ য়ঙ্খাংনাপীশিং অসাদ থরায়গী মথকুনি। মথে লশিং অসিদগী— তোড়ানবা পোৎশক মমত লৈবা উদে ॥৯॥

"গৃহস্থাশ্রমগী ধর্ম ঙাকপা তারবাদ – মোক্ষ— মুক্তি-পদবী— অৱান্বা খুজন হায়বদুদি ফাউরোই" আসগুম্বা ৱাড়াও আসদি মশাদা শ্রদ্ধাভক্তি কায়মতা য়াওদবা, পঙলবা, গৃহস্থধর্মগী তত্ত্বদু মুক্তা কুপনা য়েংশিন্নবা ঙমদ্রবা অহুগুম্বা মীওয়াশিংগীনি ॥১০॥

ঙাপথবা লৈত্রবা, অমনুঙা, সংসারগী বিষয়কর্ম তৌরকপতনা চোকথরবা, মশান্নক্কী তৌজরকপা কর্মগী মহৈহুনা য়ারবা, অজ্ঞানী ওইরব মীশিংদুনা সন্ন্যাসাশ্রমদা আশ্রয় লৌদুনা লৈথিবা গৃহস্থ আশ্রমদা শান্তিগী শরুক ঈবৈ লৈতবগুম উই ॥১১॥ বৈদিককর্মশিংগী সনাতন ওইনা লৈরক্লিবা মান-মর্য্যাদা-তনা লোক অহুমগী কান্নবা উপায় ওইরি। কান্নবা ওইবতা নত্তনা কেতুমনা চত্তব হায়রবা উপায় ওইরি। ব্রাহ্মণ হায়বসি মকম মতম পূজদা পূজানীয় ওইদুনা লৈরিবনি। হেক্ পোকপনা হৌনা আশ্রম খুদিংগী মী পুম্নমক্না পূজা তৌননীংগী মশক ওইদুনা লাক্ লাক্লি ॥১২॥ ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অহুম অসি গর্ভাধানগী মমাংদগী বেদগী মন্ত্রশিংবু থীনরি। প্রবৃত্তি নিবৃত্তিগী কর্ম পুম্ব ইহলোক পরলোক অনীমক্কী কর্ম পুম্বদা বেদশিংগী মন্ত্রশিং অসিগী প্রবৃত্তি ওইরক্লি ॥১৩॥

জীবনা হকচাং থাদোক্লুনা চংপ্রবা, অহুগ অশিবা হকচাংদুগী মৈদা সংস্কার তৌবতনা জীবনা অমুক অতেংপা হকচাংদা চঙথিবনা অশোমদা শিহৌখ্রিবা মহাক্কী শ্রাদ্ধ তর্পণনচিংবা তৌননবগী থবক্তা বৈতরণীগী দমক্তা শলনচিংবা অতৈ জীব জন্তুগী দান তৌবগী থবক্তা শ্রাদ্ধকর্ম লোইরগা পিণ্ডনচিংবদু ঈশিংদা বিসর্জন

অর্চিষ্মন্তো বর্হিষদঃ কব্যাদাঃ পিতরস্তথা। মৃতস্থাপ্য ন মন্যন্তে মন্ত্রান্ মন্ত্রাশ্চ কারণম্ ॥১৫॥
এবং ক্রোশৎসু বেদেষু কুতো মোক্ষোঽস্তি কস্য চেৎ। ঋণবন্তো যদা মর্ত্যাঃ পিতৃদেব দ্বিজাতিষু ॥১৬॥
শ্রিয়া বিহীনৈরলসৈঃ পণ্ডিতৈঃ সম্প্রবর্ত্তিতম্। বেদবাদাপবিজ্ঞানং সত্যাভাসমিবানৃতম্ ॥১৭॥

(খাদবা—তাউথহনবা) গী থবক্তা বেদগী মন্ত্রশিং অসি থীনরিবনি— শরুরিবনি। পুন্নমক অসিগী মরুদি বেদমন্ত্র হায়বসিনা ওইরিবনি ॥১৪॥

অর্চিষ্মান্, বর্হিষদ্, কব্যবাহ কৌবা পিতৃলোকশিং অমনা কাওবা শিথিরবশিং অমুগী সুখ-শান্তি অমদি শেন্নবগী দমক্তা বেদমন্ত্রবু পাঠ তৌবা (থীবা) হায়বশিবু সমর্থন তৌরিবনি (তৌ হায়রিবনি) বেদমন্ত্রতনা ধর্ম-কর্ম পুন্নমক্কী মূল— মরুনি ॥১৫॥ *

বেদগী মন্ত্রনা হায়বদি— জ্ঞানতগী মশক ওইবা পরমাত্মাগী মন্ত্রনা অসুম হায়না হন্না হন্না লাউরি, মান্নুদি— তাইবং মীওইবা ! নংথায় পুন্নমক নোংমদোল্লক্কী লাইয়ামনী, পিতৃলোকশিংগী, ঋষিশিংগী লমন তোন্নরবল। অসুম হায়না লাউরকপা মংমসিদা, হায়বদি অসুম হায়না বেদন লাউরবাস তরবা থল্ল অমুগুম্বা মী অমনা হায়রবাশমনশিং অসি বেদদা লাউরিবমুগী মতুংইন্না পিদোক্কে হায়রবদি অমুগা লমন অসিংগী মুক্তি (লাম্নোকপা— লমন কোক্) হায়বজু ওইরগে হায়রদি লমন ময়াম অসি গৃহস্থ আশ্রমদ লৈতনদি শিংদোকপা থক্ য়ারোই ওইদু ওইথারবনি। মরমদি— গৃহস্থ আশ্রমদা লৈজনা করম্না পিতৃ-মাতৃ-তর্পণ ঋষি-তর্পণনচিবাস তৌগদৌরিবনো ? ॥১৬॥

দান যজ্ঞনচিবা তৌনবা শ্রী (সম্পত্তি) লৈজদব, অংনবা, থবক শূন্যংদবা অংতিশিংনা "কর্মত্যাগ তৌবতনা অপানুবা খুদম ষং মবগী উপায়নি" হায়না হায়জনবশিনি। অসিগুম্ব কর্মত্যাগ তৌবা মত

* নোংমদোল্লক্তা কাপ্রবা পিতৃলোক অসি অহুম থোক্না লৈ। মতাপতদা মতাপগী মশক ওইনা লৈবা কাওবু অমা, লৈচিন-নোংকাইনাচ থবী মশক ওইনা লৈবা কাওবু অমা, অংগা তাইবং মীওন্না পিওনচিংবা চাহনা লৈবা কাওবু অমা। ব্রহ্মণশিংনা লাউরিবা— শক্তিবা, পচ্চপ তৌরিবসি হেত্তবা চাউবা কৌবা বেদ পাঠ— উদগাতাশিং অমনা নত্তে। বেদমন্ত্রশিংমক্ক ব্রহ্মণশিংগুগী হকচাং খম্নোয়মুদা চঙনা লাউরকপনি হায়না তৌগদবনি। আকাশদা লৈবা শব্দনা মশামক্তা শব্দায়মান ওংবা য়াদে— থোক্নোকহনবা য়াদে। অমুম্নজন থায়না মরেক শেনা শব্দনা শব্দায়মান্ ওইরকপনি ব্রহ্মণশিংগী দেহসুংদগীনি। শব্দ থোক্নবা ইন্দ্রিয়াদ ব্রাহ্মণনি। অমনা বেদগী চীন্দি ব্রাহ্মণনি। 'ব্রহ্মণোঽস্য মুখমাসীৎ'' হায়রিবমুনি। বেদগী চীন (মুখ) ওইবা ওমদবা ব্রহ্মণ অমুদি ঈশিং মক্কব— ঈশিং চেন্দ্রব পুত্রী মুরেলবু অসুম— চেন-কৌনাথিবা, ভুংেল, পুত্রী অমুগুম্বনি। ঈশিং লৈত্রবা পুত্রীত্বব 'পুত্রী' হায়বা সজ্ঞা অসি পীরুবগী থোইদোকপা মহৈ লৈত্রবদি— সংজ্ঞা অমু পীরুবগী করিদি ফাম্নে ? মহৈ পীনাওতায় লৈজবমথৈ সজ্ঞা পীরদে, মাস্থমনা পাণিনি মুনিনা হায়। (কালাচান্দ)

ন বৈ পাপৈর্হ্রিয়তে কৃষ্যতে বা যো ব্রাহ্মণো যজতে বেদশাস্ত্রৈঃ।
ঊর্দ্ধং যজ্ঞৈঃ পশুভিঃ সার্দ্ধমেতি সংতর্পিতস্তর্পয়তে চ কামৈঃ ॥১৮॥

ন বেদানাং পরিভবান্ন শাঠ্যেন ন মায়য়া। মহৎ প্রাপ্নোতি পুরুষো ব্রহ্মণি ব্রহ্ম বিন্দতি ॥১৯॥

কপিল উবাচ।

দর্শঞ্চ পৌর্ণমাসঞ্চ অগ্নিহোত্রঞ্চ ধীমতঃ। চাতুর্মাস্যানি চৈবাসংস্তেষু ধর্ম্মঃ সনাতনঃ ॥২০॥

অনারম্ভাঃ ধৃতয়ঃ শুচয়ো ব্রহ্মসংজ্ঞিতাঃ। ব্রহ্মণৈব স্মতেদেবাং স্তর্পয়ন্ত্যমৃতৈষিণঃ॥২১॥

সর্ব্বভূতাত্মভূতস্য সর্ব্বভূতানি পশ্যতঃ। দেবাঽপি মার্গে মুহ্যন্তি অপদস্য পদৈষিণঃ ॥২২॥

(লম্বী মাগী) অসি অতনুবা মখোয়তনা হৌদো হুনি— নিঙ্খংলহনি। তায়রিবা কর্মত্যাগ হায়বা সংসারগী বিষয় পুম্নমক থাদোকপা হায়বা অসিদি হায়দোকপদা অতুগা অহানবা হেক তাবতদা ওন্থোক্না কজবা পুক্তাইবা অনায়বা লম্বী অমা ওইনা তায়। অতুবু মুন্না খন্নরবদি মাসি মীনম্বা নমথাক তৌবা যাকম অমা ওইনা লৌবই। হায়দবা মতু অসিদা কৈদৌবা চঙ্জিবা মখাক অতুদি— মখোয় মখোয়গী মমংদা বেদগী— জ্ঞান-গী মখক অমত্তা খাঙবা যাংত্রে হায়বা মশানা তক্চবনি। বেদগী সিদ্ধান্তগী মরমদা উদগী তাবমক্ পঙ্-লবনি হায়না হায়জবত্তনি ॥ ১৭॥ বেদগী হায়রিবা বিধি অসিগী মতুংইন্না কর্ম তৌরিবা তৌগল্লিবা ব্রাহ্মণ অতুদি কৱিগুম্বা পাপ অমতনা মাগী মখক্তা অক্রোংনা তৌরকপা ঙমদে। অতুগা পাপশিংদুনা পুল্লগ হৌ-দুনা ব্রাহ্মণ মহাক অতুবু মখোয়রোমদা চিংশনবা ঙমদে। মহাক অতুদি মশানা তৌরখিবা যজ্ঞ তপস্যা অতুগী মহেগা লোয়ননা মপোক্ আসনগী হন্না পুংজনবা মলোক (লোক) অমদা চংখি। তোগ মথল মখল হুনা অতুগা অতোপ্পা মশিং বুদ্ধি পীজদুনা পেনহল্লি ॥ ১৮॥

বেদনা হাউদিবা হায়রিবসিবু মশানা তুদা হাপচবা মী অতুদি, অদুগা নমথাক লৌনমতনা মানা থোকপা তৌরবা মী মহাক অতুদ কাদগুম্বা মতমদা পরব্রহ্ম পরমাত্মাবু ফংবা ঙমদে। হায়বদি— পরম আত্মা মহাকপু জ্ঞানগী মীত্তনা উজবগী মতুংইন্তু ফংবা ঙমদে। বেদদা হায়রিবদুগী মতুংইন্না কর্ম তৌরব-তদা পরংব্রহ্ম পরমাত্মাবু ফংবা ঙম্মিবনি ॥ ১৯॥

কপিলনা হায়,— বুদ্ধিমান্ ওইব অশিংবশিংগী দমক্তি— দর্শ, পৌর্ণমাস, অগ্নিহোত্র, অমদি চাতুর্মাস্য ব্রত অসিনচিংবসি শোয়দনা ঙাককম তৌকম থোকই। সনাতন-ধর্ম লাম্নরিবসি মখোয় অসিদা অথাম্বা লৈ ॥ সন্ন সধর্মবু লৌরা লন থুম মচা-মশু কংনবগী, স্বর্গনচিংবা কংনবগী কৱিগুম্বা যাগ-যজ্ঞনচিবা কর্ম্মশুম্বা তৌদনা পুক্নী হকচাং তপোং তশোং চনীং তানা তথা, ব্রহ্মগী ধ্যানতদা লুপতুনা পৈশ্রবা মখোয়শিংদুদি অমাং-অতা লৈত্রবা ব্রহ্মজ্ঞান পুতনা মাতৃলোক পিতৃলোক অমদি দেবতাশিংবু পেনহল্লি হায়বদি জ্ঞান-তনা মচাক ওইদুনা দেবতাশিংদুগী তর্পণ তৌ ॥২০—২১॥ মশা মথন্তনা জীব পানবা পুম্নমক্কী আত্মা ওইদুনা লৈরবা, জীব পানবা পুম্নমলপু মশামককুম চপ নাম্ননা উরবা, মশগী পদ (পদবী) হৈথম থমদনা অতোপ্পগী পদবী (লৌরম) বু কুথা নৈনদুনা লেংশিল্লিবা মখোয় অদুগী লম্বীদি হায়বদি— মখোয়বুগী

চক্ষুর্দ্বারং পুরুষং চতুর্মুখং চতুর্ধা চৈনমুপযাতি বাচা।
বাহুভ্যাং বাচঃ উদরাদুপস্থাত্তেষাং দ্বারং দ্বারপালো বুভূষেৎ ॥২৩॥
নাক্ষৈর্দীব্যেন্নাদদীতান্যবিত্তং ন বাযোনীয়স্য শৃতং প্রগৃহ্ণাৎ।
ক্রুদ্ধো ন চৈব প্রহরেত ধীমাং স্তথাস্য তৎপাণিপাদং সুগুপ্তম্ ॥২৪॥
নাক্রোশমৃচ্ছেন্ন মৃষা বদেচ্চ ন পৈশুনং জনবাদং চ কুর্য্যাৎ।
সত্যব্রতো মিতভাষোঽপ্রমত্তস্তথাস্য বাগ্দ্বারমথো সুগুপ্তম্ ॥২৫॥
নানাশনঃ স্যান্ন মহাশনঃ স্যাদলোলুপঃ সাধুভিরাগতঃ স্যাৎ।
যাত্রার্থমাহারমিহাদদীত তথাস্য স্যাজ্জঠরী দ্বারগুপ্তিঃ ॥২৬॥
ন বীরপত্নীং বিহরেত নারীং ন চাপি নারীমনৃতাবহ্বয়ীত।
ভার্য্যাব্রতং হ্যাত্মনি ধারয়ীত তথাস্যোপস্থদ্বারগুপ্তির্ভবেৎ ॥২৭॥

সরুশিবু থিবদি দেবতাশিংমক্ক লৈদা কম্মুক্কে ॥২২॥ ... মীওইবগী হকচাংদা থোঙ খুং, চীল, পুক্, লিঙ্গ মরি অসি থং রিনা হাররিবা থেঙ মরি অসিগী পাওহঙবা ওইগনবনি। হায়বদি— মরি অসিবু শেম্নদুনা মথোয়দা কনামত্ত চতত্রক্কন লমজনবনি। শাস্ত্রগী নিয়ম বিধি মক্কুইমা মরি অসিবু খুত্তম চল্লগা ফংগদৌরবা, ঋক যজু সাম অথর্ব্ব বেদ মরিনা মাগী চীল (মায়খোঙ) ওইরিবা, মতম অমত্তদা মথন্তনা মায়গৈ মরি শাল্লবা ভগবান্ পরমপুরুষ ওবা মহাকপু ভক্তিযোগনা নত্রগা কর্মযোগনা নত্রগা প্রাণায়াম অসিনচিবা অষ্টাঙ্গযোগনা কাংঙ ফংননবা তোংবৈ ॥২৩॥ অশিংবু মীনা পোম্বা তৌন-দুনা থক্ শায়রোইদৌবনি হায়বদি জুরা (জুবার) নচিবা শায়রোইদবনি। অশেং-অমাং থক্তদবা— অতেনুবা মীনা থোংবা থাক্পা অন-অথক্ থক্ চারোইদৌবনি। শাউদুনা, অকল-অরীং শী দুনা মী (জীব) অমবু থক্ ফরোহ হাংলোইদৌবনি। অদুম তৌরবতনা খেং থুং কৌবা খোঙ অসিবু ঙাক্-শেন্দুনা থম্বা হায়বদু অদুম মওইরে ॥ ২৪॥ কনাগুম্বু অতিগুম্বা অমগী মফমদা চৈবা থাংবনচিংবা নিন্দা তৌবগী ৱাঙাঙ অসি থক্ তৌরাঙদবনি। অরেম্বা কায়নবা, মশাদসু মীঙোন্দসু কায়রোইদৌবা ৱা রম থক্ ঙাঙলোই-দৌবনি। মীগী মতুংদা থীনা ঙাংব, চীরোয়চিংবা থক্ তৌরোইদৌবনি। য়াম্বিবমখৈ ৱা য়াম্মা ঙাঙ-লোংইদৌবনি, অর্থ য়াম্মা লৈবা ৱাহৈ অমনীদং শীঞ্জিনবগা লোইরে। অচুম্বা থাঙ্গেশোংবা ৱা-ত ঙাঙগনবনি হায়দোকদগনি। ঙাঙলিবদুগী মতংদা ওইদবা মীনম্বা ৱাহৈ য়াওখিনবা য়াম্মা কম্ম হোংনগদবনি চেক্শিন্নু গদবনি। অসুম তৌরবতদ চীল কৌব ইন্দ্রিয় (খোঙ) অসিবু ঙাক-শেন্দুনা শঙ্গনা লৈবা হায়বদু অদুম মওইরে ॥২৫॥ কায়দবদা নরা থক্ হল্লোইদৌবনি। মাত্রা য়াম্মা হেন্নসু থক্ চারোইদৌবনি। চীলহাউ খিরোইদবনি। লাম্মদুনা মীঙোন্দা হায়জ-থাচ্চদুনা কোয়থি খিরোইদবনি। সজ্জন ওইবা মী-ত জিন্নগ-দবনি। হিংনবা— পুক অসুব ফাওবগীতা চাগদবনি। অসুম তৌবদুনা পুক্ খোঙ অসিবু চেক্শিন্না শঙ্গদুনা লৈবা হায়বদুনি ॥২৬॥ যুধিষ্ঠির। নহাক্কী ধর্মপত্নী (লোয়নবী) অদুদুগা শায়মিন্নগদবনি— তিরু-

দ্বারাণি যস্য সর্ব্বাণি সুগুপ্তানি মনীষিণঃ। উপস্থমুদরং বাহু বাক্ চতুর্থী চ বৈ দ্বিজঃ ॥২৮॥
মোঘান্যগুপ্তদ্বারস্য সর্ব্বাণ্যেব ভবন্ত্যুত। কিং তস্য তপসা কার্য্যং কিং যজ্ঞেন কিমাত্মনা ॥২৯॥
অনুত্তরীয় বসনমনুপস্তীর্ণ শায়িনম্। বাহূপধানং যং দেবা ব্রাহ্মণং বিদুঃ ॥৩০॥
দ্বন্দ্বারামেষু সর্ব্বেষু য একো রমতে মুনিঃ। পরেষামননুধ্যায়ং স্তং দেবা ব্রাহ্মণং বিদুঃ ॥৩১॥
যেন সর্ব্বমিদং বুদ্ধং প্রকৃতির্বিকৃতিশ্চ যা। গতিজ্ঞঃ সর্ব্বভূতানাং তং দেবা ব্রাহ্মণং বিদুঃ ॥৩২॥
অভয়ং সর্ব্বভূতেভ্যঃ সর্ব্বেষামভয়ং যতঃ। সর্ব্বভূতাত্মভূতো যস্তং দেবা ব্রাহ্মণং বিদুঃ ॥৩৩॥
নান্তরেণানুজানন্তি দানযজ্ঞক্রিয়াফলম্। অবিজ্ঞায় চ তৎ সর্বমন্তং রোচয়তে ফলম্ ॥৩৪॥
স্বকর্ম্মভিঃ সংশ্রিতানাং তপো ঘোরত্বমাগতম্। তং সদাচারমাশ্রিত্য পুরাণং শাশ্বতং ধ্রুবম্ ॥৩৫॥

খো নগদবনি। অতেপ্পী ওপী নহাশিংগা থক্ তিন্ন থানরোইটা ঐবনি। নহাক্কী ওপী কাওবা থাতুম্না তৌগ্রিমখৈ নমাক্ত কৌনি ল্লা দৌবনি, যম হুইদৌবনি। একং ত্রিব্রত কৌব ব্রত অদু পুক্কীদা কাওবা থাবা তৌগদবনি অদুন তৌবগন লিঙ্গদ্বার পাঙসবু শেন্নদুনা থম্বা— ওাকৃপা হায়বদুনি ॥২৭॥

হায়রিবা থাও, থুং চীল লিঙ্গ মরি অসিবু মথক্তা হায়রব ব্রত অসি তৌদুনা কেম্নরিবা—প্রকৃশিল্লা শওলিবা— ঝক্লিব অশিংব মহাকুক্তু থাঙ্গেংবা ব্রহ্মণ হায়বদুনি ॥ ৮॥ হায়রিবা বিধি অসিদা থোও মরি অসিবু নীংথনা শওদ ওমদবা মী মহাক অদুগী থান তপস্যা না হবা শুভকর্ম্ম পূজা অরেম্ব ওাক্ত ওই। মহাকী থান তপস্য ব্রত উপবাস, আধ্যাত্মিক বিচার অমদি জ্ঞান অদুনা মতোন্দা কৈদৌরিবনো? ॥২৯॥ মহাকী কি হায়বদু মথ্ ওদা শেংলিব লংগোটী অকুতমক ওফব, হন্ বা ইন্নফি মচেৎ যদা কাওব যাওগ্রবা হীপ-তুম্নবা থক্ মচেং অম ফাংবা হৈত্রবা, মখোম মথুত্তা মোন্থাংব্রব, অদুম তৌবগা কাওবদা ইদুং হুংডাইনা লৈথোক্লবা মহাক অদুবু দেবতাশিংনা ব্রহ্মণ কৌই ॥৩০॥

অঙ্গীংবা অশাবা, অরাবা নুংঙাইব, কায়ন ভিন্নবা অসিনচিংবা অনী থোকপগী রাথলশিং অসি মশাদি অনী থোক্তবা চনীংতোন লেপদুনা লৈরিবা, অতেপ্পা নিযম্ অমগী থোংনা থনুংনা লৈরিবা মুনি মহাক অদুবু দেবতাশিংনা ব্রহ্মণনি হায়নৈ ॥৩১॥ বিশ্ব জগৎ অসিদা লৈরিবা অসচ্চত্তা থুনিংমক অনিত্য হায়না উরিবা থওলিবা প্রকৃতিগী অদুগা মগী বিকারশিং অসিগী তত্ত্ববু মুন্ন থওলিবা মহক্কুবু দেবতাশিংমক্ত ব্রহ্মজ্ঞানী ব্রাহ্মণনি হায়না থগৈ ॥৩২॥ কম্বিগুম্বা কনাগুম্বা অমগী মকমদা অকিবা-চিংনবা লৈত্রধা মী মহাক অদুবু দেবতাশিংনা ব্রহ্মজ্ঞানী ব্রহ্মণনি হায়না থগৈ ॥৩৩॥

অপওবশিংনা দান যজ্ঞনচিংবগী মতৈংবুতা মপাম্পি। যোগ অভ্যাস তৌবা, তৎজ্ঞানচিংবগী কম্মিমতা থওদে, অগোয়নকুম— নোংক্লে - করেম্নে, নিন্দা তাক্ত খুংক্তা যনিতা ওইব মহে পীবা দান যজ্ঞ অদু নত্তবা মখেয়না কম্মিনত্ত থন্দে— থওদে। অদুনা। খুওদ (মুক্তি পদবী) পীরিব সাধনশং অদুগী ওব থওদবন ইহলোক পরলোক অমদি স্বর্গনচিংবগী সুখ সম্পত্ত ফংবা অদুগা মপাম্ম ॥৩৪॥ অদুগা কুইরবা মকমদগী চৎনরক্লবা, অরেম্বা লেওত্রবা ওইবা যোগপা মরম লৈনবা সদাচারগী অশ্রয় লোদুনা, মপাগী

অশক্যং বক্তুমন্তরিতুং কিঞ্চিৎ ধর্মেষু সূত্রিতম্। নিয়মার্থং আচারো হ্যপ্রসাদোঽপরাত্মবঃ ॥৩৬॥
ফলবন্তি চ কর্মাণি ব্যুষ্টিমন্তি ধ্রুবাণি চ। বিগুণানি চ পশ্যন্তি তথা নৈকান্তিকানি চ ॥৩৭॥
গুণাশ্চাত্র সুদুর্জ্ঞেয়া জ্ঞাতাশ্চাত্র সুদুষ্করাঃ। অনুষ্ঠিতাশ্চান্তবন্ত ইতি স্বমনুপশ্যতি ॥৩৮॥

স্যুমরশ্মিরুবাচ।

যদা চ বেদপ্রামাণ্যং ত্যাগশ্চ সফলো যথা। তং পন্থানাবুভৌ ব্যক্তৌ ভগবংস্তং বদস্ব মে ॥৩৯॥

মখোদা পূর্কীং চঙলিবা জ্ঞানীশিং অদুনা তৌদা তপস্যাদি মথং মথং সুম্ কন্‌শিল্লকই ॥৩৫॥ প্রবৃত্তিমার্গদা লৈবা মীদি যোগশাস্ত্রদা হায়রিবা যম নিয়ম আসন প্রাণায়ামনচিংব অনুষ্ঠান ময়াম অদু নীওথিনা পাঙ-থোকপা ঙমদে। অদুগা যোগগী মরম লৈদনবা অনুষ্ঠান অসিদি মাগী আপত্তি চঙবা মাংখ্রবা কাম ক্রোধ-নশিংবদগী মারদৌবা ঙংগ্রবনি ॥৩৬॥ যোগশাস্ত্রনা হায়রিবা তাক্লিবা ধর্মশিং অসিদি অথোইবা মহৈব্ পীন-হৈ নি। তাইবং মী সাধক অদুগী পুনশিদা চাউখংপব্ পীনহৈবনি। যোগসাধনদুমকন্দ অদুগা মহাকনা পীব মহৈদুম্ব অনীমক্ষ স্থারীনি। হোংদোক্ হোংজিন তৌনা যাত্রবা অরেপ্পনি। অসি যৌনা মগুণ লেবা অনুষ্ঠান অসিবু প্রবৃত্তিমার্গদা লৈবা মীনদি হায়বদি— সংসার বিষয় কর্মশিং অসিদা পূর্কীং চঙবশিংনদি অরেম্বা ঊকন্ কায়দবা ওইনা খল্লি ॥৩৭॥ সংসারগী পদার্থগী গুণশিং অসিনা থবক্কী মশক্ ওইদুনা থোক্-লক্লবা যাগ-যজ্ঞশিং অসিগী তত্ত্ব মুম খঙবা হায়বসি— যাম্না অক্সবা পোং অননি। তত্ত্ব খঙলগা— মাদুগী মতুংইন্না থবক ওইনা তোকন্‌বা হায়বসিনা অমুক লেম্না লুই। থবক থোক্লা অনুষ্ঠান তৌরবদা, মাদুদগী কংওকপা মহৈ অদু নাশবন্— মাঙ থগদবা ওক্ত ওইরিবনি। হায়রিবা মাশিংসে নহাকন্দু খঙলি তুরিবদুনি ॥৩৮॥

স্যুমরশ্মিনা হায়,— ভগবন্। "কর্ম তৌ" "কর্ম থাদোকউ" হায়বা অনী অসিদি হায়বদি—প্রবৃত্তি নিবৃত্তি হায়রিবা অনী অসিদি অমগা অমগা বিরোধী ওইরি। মার্গ অনীসিবু প্রতিপাদন তৌরিবা হায়বদি মার্গ অনীসিমক্ চংদু হায়না তাক্লিবা বেদ অসিদা যদি প্রামাণিকতা লৈবগে করম হায়না থাজকম থোক্-পগে? ত্যাগ (থাদোকপা) হায়রবমক্তদা মহাক্কী মহৈ যানবা হায়বসিনা অমুক করি হায়রিবনে? মাসি শেংনা অমুক্তা তাকপিয় ॥৩৯॥ *

* হেৎনরিবসি প্রবৃত্তি নিবৃত্তি মার্গ অনীগী মরক্তনি। প্রবৃত্তিমার্গী স্যুমরশ্মিনা হায়রিবনা— কর্ম পূর্ব-মক করিগী থাদোকইগদগে? থাদোকপস্থু হাবোই। যাগ যজ্ঞনচিংবা কর্মশিং অসিদি অস্থমক তৌকম থোক্ই। প্রত্যক্ষ থংবা মহৈদ্ম ফংডি, অসিনি। নিবৃত্তিমার্গী কপিলনা হায়রিবনা— যাগ-যজ্ঞ-দাননচিংব কর্ম পুম্নমকগী নিবৃত্ত ওইদুনা হন্দোরকুনা যোগসাধনদা, ধ্যান তপস্যাদি পূর্কীং চঙদুনা লৈগদবনি। অমাঙ অতা লৈত্রবা মহৈ ফংডি অসিনি। মাসিদা স্যুমরশ্মি হায়বসিনা হেংলবনা— ত্যাগ তৌরবা থাদোক্রবমক্তদা মহৈ কপা হায়বদি করি হায়রিবনো— অসিনি। হেংলিবসিগী তাবতি— ত্যাগ-তি হায়রবা মহৈগী ত্যাগতি

কপিল উবাচ।

প্রত্যক্ষমিহ পশ্যন্তি ভবন্তঃ সৎপথে স্থিতাঃ। প্রত্যক্ষং তু কিমত্রাস্তি যদ্ ভবন্ত উপাসতে ॥৪০॥

স্যূমরশ্মিরুবাচ।

স্যূমরশ্মিরহং ব্রহ্মন্ জিজ্ঞাসার্থমিহাগতঃ। শ্রেয়স্কামঃ প্রত্যবোচমার্জ্জবান্ন বিবক্ষয়া ॥৪১॥

ইমং চ সংশয়ং ঘোরং ভগবান্ প্রব্রবীতু মে। প্রত্যক্ষমিহ পশ্যন্তো ভবন্তঃ সৎপথে স্থিতাঃ ॥

কিমত্র প্রত্যক্ষতমং ভবন্তো যদুপাসতে ॥৪২॥

অনুত্র তর্কশাস্ত্রজ্ঞা আগমার্থং যথাক্রমম্। আগমো বেদবাদাস্তু তর্কশাস্ত্রাণি চাগমঃ ॥৪৩॥

কপিলনা হায়,— যোগগী চপচাবা অচুম্বা মার্গদা লৈরবদি, মাহুগী প্রত্যক্ষ ওইবা মীংনা শংশংনা উবা মতৈদো খঙবি উবিগনি। অদুগা কর্মমার্গদা লৈ হায়বিরিবা যাগ-যজ্ঞনি হায়দুনা তৌবিরিবা কর্মশিং অদুগী মতৈদি প্রত্যক্ষ ওইবা করিদি ফংবিরে? ॥৪০॥

স্যূমরশ্মিনা হায়,— ব্রহ্মণ! ঐগী মিং স্যূমরশ্মি কৌই। ঐ জ্ঞান খরদং ফংজগে হায়দুনা মফমসিদা লাকচবনি। মপোকসিনগী রঙ্গগী দমক্তা চুমগী ঈচম্ চম্না— লৌথুপ-লৌকোই লৈতনা ব্রাহ্মণ নত্তোন্দা হংজবনি তর্ক তৌনগে — মরৈ য়েংনপে হায়বগী দমক হংজবা নত্তে ॥৪১॥ ঐগী পুক্নীং অসিদা ওন্থোক্না চাউরবা অকিবগী মশক ফংলবা চিংনবা অমা লৈরে। মাসে ব্রহ্মণ নহাক্না কোকহন্বা ওঙ্গিগনি। অচুম্বা লম্বীদা চৎদুনা সদাচারী ওইনা লৈরগা যোগমার্গগী মতৈ অদু প্রত্যক্ষ ওইনা উবা ফংগনি হায়না তাক-পিরি। ঐনা সিমতং হংজনীঙিঙ— অদুগুম্বা ইষ্টদেব অদুগীদমক্তা ধ্যান যোগ সাধন তৌদুনা উপাসনা তৌবিরি। হৌজিক তৌজিকী মপোক— ইহলোক অসিদা মাহুগী প্রত্যক্ষ ওইবা মতৈ করি ফংবিরগে? ফংবিরবদি মতৈ অদুদি কদায়দনো করিনো? তর্ক-বিতর্ক ন্যায়গী নিয়ম অমদি য়াঙাও য়াওদনা তাকপিয়ু। আগম নিগমগী তত্ত্ব লায়না খঙবা য়াবা মওংদা তাকপিয়ু। বেদগী মত অমদি অর্থ তত্ত্ব কায়দনা লাক্লিবা শাস্ত্র অদুনি আগম হায়বনু। তর্কশাস্ত্রসু বেদগী মত কায়দনা লাক্লিবমখৈ আগমনি ॥৪৩॥ *

কৈদৌম্না তৌবা ওমগবগে? মতৈহুঙ্গিবু ওইরবদি প্রবৃত্তিমার্গ অসিদি মশানা মতৈগীদমক্তা অহুম মরৈরবনি। অদুগা প্রবৃত্তিমার্গনা পীবা মতৈগা নিবৃত্তিমার্গনা পীবা মতৈগা করি থেংরবগে? মতৈ হায়বসিভু মওইরবদি বিনাশী অনিত্য অস্থায়ী (কুইনা লৈতব) হায়বদো অহুম মওইরবনি। অদুনা প্রবৃত্তিমার্গদগী নিবৃত্তিমার্গনা হেল্লিবসি কদায়দনো?— অসিনি। অদুম্না স্যূমরশ্মিনা য়েংলি। কালাচাঁদ)

* "আগম-নিগম" হায়বা বাহৈ অসিসি ব্যাকরণগী মতুংইন্না হায়রবদি বেদনগী মপোল ঈকায় কায়দনা অর্থ মচেং অমতা চিংনদনা লাকপ —ধারকপা হায়বনি। বেদগী অর্থতত্ত্ব য়েংনীঙ্ঙাই পুখোকে মীমাংসা পীগে হায়বগীদমক মীমাংসা তর্কশাস্ত্রনচিংহসি লৈরিবনি। পূর্ব্বমীমাংসা, উত্তরমীমাংসা, কর্ম্মকাণ্ড, বেদান্ত পুম্নমক আগমনি। (কালাচাঁদ)

যথাশ্রমমুপাসীত আগমস্তত্র সিধ্যতি। সিদ্ধিঃ প্রত্যক্ষরূপা চ দৃশ্যত্যাগমনিশ্চয়াৎ ॥৪৪॥
নৌর্নাবীব নিবদ্ধা হি স্রোতসাসা নিবন্ধনা। হ্রিয়মাণা কথং বিপ্র কুবুদ্ধিস্তারয়িষ্যতি ॥
এতৎ ব্রবীতু ভগবানুপপন্নোঽস্ম্যধীহি ভোঃ ॥৪৫॥
নৈব ত্যাগী ন সন্তুষ্টো নাশোকো ন নিরাময়ঃ। নানির্বিবিৎসোনাবৃত্তো নাপবৃত্তোঽস্তি কশ্চন ॥৪৬॥
ভবন্তোঽপি চ হৃষ্যন্তি শোচন্তি যথা বয়ম্। ইন্দ্রিয়ার্থশ্চ ভবতাং সমানাঃ সর্বজন্তুষু ॥৪৭॥
এবং চতুর্ণাং বর্ণানাং সাশ্রমাণাং প্রবৃত্তিষু। একমালম্বমানানাং নির্ণয়ে কিং নিরাময়ম্ ॥৪৮॥

কপিল উবাচ।

যদ্ যদা চরতে শাস্ত্রমর্থ্যং সর্বপ্রবৃত্তিষু। যস্য যত্র অনুষ্ঠানং তত্র তত্র নিরাময়ম্ ॥৪৯॥

আশ্রম-আশ্রম অসুগী শাস্ত্রনা বিধান তৌরিবা অর্ম অদু শোয়দনাপাঙথোকদৌবনি। আশ্রম-আশ্রমগী ধর্ম অদু পুক্নীং চঙনা পালন তৌগদবনি। মকম-মফম অসুগী ধর্ম অদু ওাক্লচ'নরবত্তদ মফম-মফম অসুগী, হায়বদি আশ্রম-আশ্রম অসুগী ধর্মগী বিধান তৌরিবা আগম-নিগম মহৈ য়াম্লি'নি। শাস্ত্রদা লেপ্ল-খিবা অসুবু কায়দনা চৎলবদি সিদ্ধিগী মহৈ (ফল) অদু প্রত্যক্ষ ওইনা উবাফংলি। ॥৪৪॥

মায়কৈ-অকন অমদা চৎকদৌরিবা হি অদু অতোপ্পা মায়কৈ-মফম অমদা চৎলিবা নত্রগা চৎকদৌরিবা অতোপ্পা হি অমদা কাজিন-কিশিল্লবদি ঈচেল্লা থিংহুনা নাকল অমরোমদা পুথোকখিহুনা, মাল্লা তোংলিবা মী অদু মানা য়োগে চৎকে থল্লিবা মফম অদুদা য়োব-চৎপা ঙমদে। মতৌ অদুঙ্গা ঐথোয়গী নহালহুকী মপোক্কী কর্মগী বন্ধন অদুনা কাজিনখ্রবী কর্মগী মশক ওইরবী হি অসিদা তোংথৎলগা করম হায়না ঐথোয়বু সংসার-ঈপাকপু লাম্লোকহনগদৌরিবনো ? ॥৪৫॥

থাকৈশেংনা হায়রবদি সংসার অসিদা অমত লৈতে, মপুংফানা পেঞ্জরবা অমত লৈতে। অরা অনা নংদবা, মুংঙাইবগী শক্তক ওইবা অমত লৈতে। মশাদা লায়না লৈতবা অমত লৈতে। কর্ম অমত তৌনিংবা লৈত্রবা মী হায়বা মীশক অমত লৈতে। করিগুম্বা বিষয় মমদা আসক্তি অমত্তা থমজবা মীনি হায়বা লৈতে। মপুং কর্মত্যাগী ওইরবা মীশক অমতসু লৈতবনি। ॥৪৬॥

মহাজ্ঞানী নিবৃত্তিমার্গী ওইবিরবা ব্রহ্মার নহাকসু মীচম ঐখোয়না তৌগুম্ব য়ারি-হুংঙইরি, কপ্পি-নোক্লি, লৌশিল্লি পীথোক্লি। অতৈ-অতৈ অতোপ্প জীবপ নবশিংনা তৌবগুম্বা রূপরসগন্ধ স্পর্শ শব্দ বিষয়া মত্তা অসি ব্রাহ্মণ নহ'কসু সেবন অদুম মতৌবি'র ॥৪৭॥

অদুনা, মুপ্পা থম্বরবদি ব্রহ্মচর্য-গার্হস্থ্য বানপ্রস্থ সন্ন্যাস—হায়রিবা আশ্রম মরি অসিদা লৈরিবা মী খুদিংমক প্রবৃত্তি মার্গতদা লৈ হায়বা য়াই। প্রবৃত্তি মার্গদা লৈহুনা হুংঙাইনকম্ ওইবা আরাবা লৈতবা মফম্ অদুনত প্রকৃত ওইহুনা লৈ। অদুনা আশ্রম খুদিংদা লৈরিবা অমাও অতা লৈতবা হুংঙাইবা অসি করিনো—মাদু তাকপিয়ু ॥৪৮॥ কপিলনা হায়:— শাস্ত্র খুদিংমক্ত তাক্লি তাক্লিবা বিধানশিংদু প্রবৃত্তি মার্গতদা মহৈ য়াম্লিবনি। করিগুম্বা সাধন অমগীদমক্ করিগুম্বা মফমদা

জ্ঞানং প্রাপ্যতে সর্ব্বং যো জ্ঞানং হ্যনুবর্ত্ততে। জ্ঞানাদপেতা যা বৃত্তিঃ সা বিনাশয়তি প্রজাঃ ॥৫০॥

ভবন্তো জ্ঞানিনো ব্যক্তং সর্ব্বতশ্চ নিরাময়াঃ। ঐকাত্ম্যং নাম কাশ্চিদ্ধি কদাচিদুপপদ্যতে ॥৫১॥

শাস্ত্রং হ্যবুদ্ধ্বা তত্ত্বেন কেচিদ্ বাদবলাজ্জনাঃ। কামদ্বেষাভিভূতত্বাদহংকারবশং গতাঃ ॥৫২॥

তৌরিবা অনুষ্ঠান অদুনা মতম অদুতনা অমাঙ অতা লৈত্রবা মহৈ অদু পী। ॥৪৯॥

জ্ঞানগী মচুংইন্না কর্ম তৌরিবা মহাক অদুগী বিষয়বন্ধন পন্নমক জ্ঞান অদুনা লোইনা মাংহল্লি। কর্মদা প্রবৃত্ত ওইরবনি হায়দুনসু জ্ঞানগা লোয়নত্রবী প্রবৃত্তি অদুদি মশামখত্তবু ত নত্তনা প্রজা (মচামশু-পরিবার) বু পোকপশিবগী লাংনা থাদে ॥৫০॥

মন্নাম লৈরিবিরিবশিংসে জ্ঞানী পণ্ডিত ভাক্ত ওইনা লৈরিবি। পোৎ খুদিংমকী কুপ্পবা তত্ত্ব চনীংডানা খঙবিরবনি। পুক্কিং অমদি হকচাং অনীমক্তা কবিগুম্বা বিষয়গী রোগ অমত লৈবিত্রবনি। অদুবু, জ্ঞানী ওইরিবিরিবশিং অসিগী মপুংদা কনাগুম্বা অমতনা 'একাত্মতা" বু ফংবা য়াওবিত্রবব্রা ? ॥৫১॥ *

শাস্ত্রদা হায়রিবদুবু থাঙ্গেশেংনা খঙদবদগী অমগমগা মরৈ শাংদাম্নদুনা, বাদ-বিবাদ তৌনদুনা, খণ্ডন মণ্ডন তৌনদুনা, অমনা খুম্বা ওম্‌গত্রেইনোবগী হোৎনরি। অমনা য়েংশিনদু চুম্মি হায়না খঙন খঙনা মাদুবু ককনবগী হোৎনরি। জ্ঞানীনি পণ্ডিতনিদি হায়রগা অদুম্বু ককনবগী হোৎনরি। অহংকারদা তাইত্রবা মনা মখেল নিচং নিংথোল ফংগনবগী হোৎনরি। অমনা ওনথ্রগা কল্লকপা মিহৌবা অশাউবগী লাংদা তারি। অদুবা শাস্ত্র তত্ত্বগী, হৈবগী, জ্ঞানী ওইবগী মহৈদে ? ॥৫২॥

* জ্ঞানী নি, দার্শনিক নি, হায়দুনা লৈরিবা, খুমিং চুপ্পা জাবগী ব্রহ্মগী তত্ত্বু খিদুনা থৎনদুনা লৈরিবা অদুগা মনায়বা অজ্ঞানী পণ্ডিত অমবু শাস্ত্রথ (য়েংনবা) দা ওমদুনা নিংথৌগী মনামখেল-নিংথোয়চিংব ফংলবশিং অদুগী মপুংদা কনা অমতনা একাত্মতা বু ফংব হায়বসিতদি মরৈরখিদ্রে। মপান্থোংদা, চীথান্দা, আত্মা হায়বসিদি অমতনি, ব্রহ্ম হায়বসিসু অমতনি, ব্রহ্মসু অমতনি অসিনচিংব হায়নবদদি অদুগা চুম্মি হায়না মীমাংদা পীনবদদি মহাপণ্ডিত জ্ঞানী মক্ত ওইনরি। অদুবু থাঙ্গেশেংনা, মপান্থোংদা, থবক্তা, একাত্মতাগী ভাব অদুবুদি ফংনবা মরৈরখিদ্রে। আত্মা হায়বসি অমতনিদি হায়রগা, মশানা মশাবু করুথৎকদবগী হোৎনরি। মহাক্না কল্লি ঐনা চৎলি, মহাক শিরে ঐদি হিংলি অসিনচিংবসি জ্ঞানী পণ্ডিত ওইন ওইনা অদুম মহায়নরি। আত্মা হায়বসি অমতনি, চৎলিবা কন্নিবশিং অসিগী আত্মাশিং অমি মশা অমতনি অসিনচিংবদি হায়রগা অমতা চৎশা মতমদা মাদি অদুম মঙল্লি। অমনা শিবা মতমদা মাদি অদুম হিংলি, শিত্রি হায়রি। মপান্থোংগী অশিবা হকচাংসিনা কবিগুম্বা থবক অমত তৌদেসু মহায়রি। আত্মা মশা অমতা ওইরবদি অমনা শিবা মতমদা লোইনা শিরগদবনি। অদু ওইরবদি একাত্মতা হায়বসি সার্থক ওই। মাহৈতদা মহায়বা, থবক্তদি ওইদবা অদুত তাদুনা লৌকিক কাওবা লাক্লি। মাসি করিনো ? অদুমা শ্যামশিমদা হংবনী (কালাচাঁদ)

যথাতথ্যমবিজ্ঞায় শাস্ত্রাণাং শাস্ত্রদস্যবঃ। ব্রহ্ম স্তেনা নিরারম্ভা দম্ভমোহবশানুগাঃ ॥৫৩॥
নৈর্গুণ্যমেব পশ্যন্তি ন গুণাননুযুঞ্জতে। তেষাং তমঃ শরীরাণাং তম এব পরায়ণম্ ॥৫৪॥
যো যথা প্রকৃতির্জন্তুঃ প্রকৃতেঃ স্যাদবশানুগাঃ। তচ্চ দ্বেষশ্চ কামশ্চ ক্রোধো দম্ভোঽনৃতং মদঃ ॥
নিত্যমেবাভিবর্ত্তন্তে গুণাঃ প্রকৃতিসম্ভবাঃ ॥৫৫॥
এবং ধ্যাত্বানুপশ্যন্তঃ সংত্যজেযুঃ শুভাশুভম্। পরাং গতিং সমীপ্সন্তো যতয়ঃ সংযতেন্দ্রিয়াঃ ॥৫৬॥

স্যূমরশ্মিরুবাচ।

সর্ব্বমেতন্ময়া ব্রহ্মন্ শাস্ত্রতঃ পরিকীর্ত্তিতম্। ন হ্যবিজ্ঞায় শাস্ত্রার্থং প্রবর্ত্তন্তে প্রবৃত্তয়ঃ ॥৫৭॥
যঃ কশ্চিন্ন্যায্য আচারঃ সর্ব্বশাস্ত্রমিতি শ্রুতিঃ। যদন্যায্যমশাস্ত্রং তদিত্যেষা শ্রূয়তে শ্রুতিঃ ॥৫৮॥

মাসি, শাস্ত্রগী অর্থ অচুবু কুপ খুঙখিত্তনবদগীনি। শাস্ত্রগী অর্থবু হৈদোক্লনা, অমত্তোমদা থেক্নুনা পুগদবগী হোৎনরিবসিবু শাস্ত্রদস্যু (শাস্ত্র হুরানবা) কৌই। ব্রহ্ম (মতম মতম পুম্নমক মপক কাদম হৈবা) বু মচেৎ মচেৎ ফকারগনা পুগদবগী হোৎনরিবা, পুনর্বিনবং পসি ব্রহ্মস্তেন (ব্রহ্ম হুরানবা-ব্রহ্ম মাঙহনবা) মকুনি। মনামথেল কংদপা নাথল কারিবা কাহরিবতু হুমাইহুগী মহেনি। ইন্দ্রিয় খুত্থম চননবগী অগত্তা শান্তি পীননবগীদি কনাবত্তনা হোৎনদে। পণ্ডিত জ্ঞানী মাওঙ নাপল থোক্নব মীওইশিঙবা হায়না কৌবা তমখিরবা লাং অচুম্বা ত্তাপদবগী হোৎনরি. তাস্থু তুরি ॥৫৩॥ অচুনা 'শম-দম' (শান্তি-ইন্দ্রিয় খুত্থম চনবা) নচি খসি ফংননবগী সাধন অসি মতম ওইনা মান্নদনা অচুম মহৈরি। জ্ঞানী পণ্ডিতশিংনা তৌবা সাধন (হোৎনবা) সু, সাধারণনা তৌবা সাধনসু. মতম ঈশ্বরনা য়ান্নদ্রে। খ হৈদোক্নবা জ্ঞান, ঈশ্বরগী শক্তি, মদ গুণশিং অচুম্ব ফংননবগি কনা হৈনত্তনা হোৎনদে। অমত্তা হাৎবাদা তমোগুণদা অপক্তবা-অশিংবা পুম্নমক চপ মান্নবা তাঙিরি। মাসি তমোগুণ ওইনা শরীরগী খাঙহনবা মশানবগী হকচাং অসিতদা আত্মা সিনা মহাকমশামগি হাৎনা হৈদোক্খিবদগীনি ॥৫৪॥

জীব পানবা খুদিংমক মাগী মাগী প্রকৃতি (স্বভাব) গী মথক্তা লৈরক্তুনি। প্রকৃতিদগী পোকপা কল্লঙনা, অশাঙবা, অপাম্বা, মিক্তৌবা, নাপল মসমচ খসি জীবনবা খুদিংমা হৈনাবরত্তাকুনি ॥৫৫॥ অথোইবা গতি (ধর্ম) বু কানিংবগিনা, পুম্নমক অসি কুপ্না হৈনহনা ইন্দ্রিয় খুত্থম চপ্নুনা, মপাম্বোংগী, অকবনি-কত্তবনি হাৎনরিবা থবক পুম্বা থাদোক্লরি ॥৫৬॥

স্যূমরশ্মিনা হায়:— ব্রহ্মন্! ঐনা খরনং হায়জরিবসে শাস্ত্রগী রিকচ্ছ নত্তে। ঐনা হায়জরিবা খরসে, শাস্ত্রদগী অচুম মতম্বরিবনি। করিনমো হায়বদু—রাবু ও তরুবদু, রাবু হংলবসু. খুমু পুমবগু—করিগুম্বা থাক মাদা প্রবৃত্তি ওইবা হায়বসি শাস্ত্রগী অর্থবু মুম্না খঙদনা, থক্ তৌনদে, হায়বদি শাস্ত্রগী বচাগী বিশ্বদনা থক্ তৌনদে ॥৫৭॥ ন্যায় (উচিত-হোনব) ওইবা, যুক্তিযুক্ত ওইবা আচার-ব্যবহার পুম্নমক শাস্ত্রনি। অমুম হায়না শ্রুতি (বেদ) না হায়রি অন্যায় ওইবা, চুমদবা, হোৎনদবা,

ন প্রবৃত্তিং ব্রতে শাস্ত্রাৎ কাঞ্চিদস্তীতি নিশ্চয়ঃ। যদন্যৎ বেদবাদেভ্য স্তদশাস্ত্রমিতি শ্রুতিঃ ॥৫৯॥
শাস্ত্রাদপেতং পশ্যন্তি বহবো ব্যক্তমানিনঃ। শাস্ত্র দোষান্ ন পশ্যন্তি শোচন্তি যথাবয়ম্ ॥
ইন্দ্রিয়ার্থাশ্চ ভবতাং সমানাঃ সর্ব্বজন্তুষু ॥৬০॥
এবং চতুর্ণাং বর্ণানামাশ্রমাণাং প্রবৃত্তিষু। একমালম্বমানানাং নির্ণয়ে সর্ব্বতো দিশম্ ॥৬১॥

আচার ব্যবহার মথৈ শাস্ত্রবিরুদ্ধনি। শ্রুতিনা অমুম্না হায়বসি থেংনৈ ॥৫৮॥ *

শাস্ত্র য়াওদনা, হায়বদি শাস্ত্রনা ভাকপা নিয়মবু বৌশাদহুনা করিগুম্বা বিষয় অমদা প্রবৃত্তি (চত্তবা, খোঙহাংশিবা) থক্ তৌনদে, তৌস্ত্র তৌনরোইদৌবনি। মাসি বিদ্বান্ জ্ঞানীশিংনা লেপ্পপ্রবা রাকম অমনি। বেদগী বচনগী বিরুদ্ধদা তৌবা থবকমথৈ অদুগা হায়বা য়া মথৈ অশাস্ত্রীয়নি শাস্ত্রদায়াও-দবনি। হায়রিবা য়া অসিমক শ্রুতিগী বচন নি, বেদনা হায়রিবনি ॥৫৯॥ মী অয়াম্বা প্রত্যক্ষ ওইবা বিষয় অমদি থবকপুত থাজনৈ অদুগা অচুম্বা প্রমাণ-খুদম ওইনা লৌনৈ। অদুগুম্বা মীশকশিংনা প্রত্যক্ষ ওইনা উ'রিবা ইহলোককী বিষয় থোদোক পুম্নমক অসি শাস্ত্রগী তোঙাম লৈবা অমা ওইনা লৌনৈ। শাস্ত্রদা ইরিবা, শাস্ত্রদা হায়রিবা শাস্ত্রনা ভাক্লিবা দোষ অপরাধ, প্রতীকারশিংবু মখোয়না খোইদোক্না খৌশাদে। শাস্ত্রবু মানিরিবা ঐখোয়না অয়াবদা কারিবসিঙম', শাস্ত্রবু মানিদবা মখোয়সু অয়াবদা অদুম মতাই। জ্ঞানীনি, পণ্ডিতনি হায়রিবা ব্রহ্মন মখোয়সু, কম্বিসু থঙজদবা মীচমশিংনা তৌবগুম্না ইন্দ্রিয়শিং অসিনা বিষয়শিংবু অনুভব অদুম মতৌবিরি। খোইনা খেম্নবা উদে ॥৬০॥ †

মতৌ অমুম্না ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়নচিংবা বর্ণ মরিগী মী পুম্নমকী প্রবৃত্তি পুম্বা অদুগা প্রবৃত্তিশিং অসিদা

* "শাস্ত্র" হায়বদি শাসন তৌননবা য়াহৈগী মশক ওইব খুৎলায় হায়বনি। শাস্ত্র হায়বগা থাঙ-তানচিংবা শাসন তৌননবা খুৎলায়সু থঙনৈ। শাস্ত্রসু শাসন তৌননবা খুৎলায়মক্তনি। মী অমনা চৎলিবা লমচৎ, হায়দোক্লিবা য়াওঙ অদুনা সংসারগী করবা বিষয়শিংবু শাসন তৌননবগী খুৎলায় ওইরবদি, করবশিংগী থম্মোয় চকচাং শেংদোক্লবা, কিদমকম্ ওইরবদি, মাদু শাস্ত্রনি। অদুগুম্বা শাস্ত্রশিংগী মপৈ ওঙা ইদুনা লাইরিকী মঙংদা লৈবদগী লাইরিকশিং অদুবু শাস্ত্র হায়না মথঙনপ্রে (কালাচাঁদ)

† জ্ঞানী ওইবশিংগা সাধারণ ওইবা মীচমগা খেন্নবসি ময়েক্কীদি ইন্দ্রিয়শিংগী রূপরসনচিংবা বিষয়শিংগী অনুভব (হ[illegible] ম[illegible]বা) অসিদা লৈকম মথাকই। মাসিগবু খেন্নহৌরবদি করম্বা বিষয়দা খেন্নিঙাই লৈরি। পণ্ডিতশিংনা মাদি অচোবনি অপীকপনি, খজবনি অখীবনি, অয়াকপনি অশীনবনি হায়না মখোয়গী ইন্দ্রিয়শিংদা কাওবদুগুম্না জ্ঞানী পণ্ডিত নত্তবা অচম্বা মীশিংনসু চপমান্নবা অদুম মফাওরি। শাস্ত্রগী অকুপ্পা বিচারদা খেন্নবদুনা য়া অমনি। কুপ্পা বিচার তৌসমথৈ তৌবগা তৌখোয়রকপদদি মীচমদগী ঈহেন হেন্দবগুম্না অদুম মঙৈরি। অদু ওইরবদি ধ্যানতপস্যা অমমুক তৌশিল্লুবগা, ইত্তৌ তৌদব অমগা চপ মান্নবা অদুম মরৈরি। (কালাচান্দ)

আমন্ত্র্যং বদমানেন শক্যেনা বর্জিতাত্মনা। অবিজ্ঞাসহস্তপ্রজ্ঞা হীনপ্রজ্ঞাস্তমো বৃতাঃ ॥৬২॥
শক্যং হ্যেকেন যুক্তেন কৃতকৃত্যেন সর্ব্বশঃ। শিশুমাত্রং ব্যপাশ্রিত্য চরিতুং বিজিতাত্মনা ॥৬৩॥
বেদবাদং ব্যপাশ্রিত্য মোক্ষোঽস্তীতি প্রভাষিতুম্। অপেতন্যায়শাস্ত্রেন সর্ব্বলোকবিগর্হিণা ॥৬৪॥
ইদং তু দুষ্করং কর্ম কুটুম্বমভিসংশ্রিতম্। দানমধ্যয়নং যজ্ঞঃ প্রজাসংতানমার্জবম্ ॥৬৫॥
যদ্যেতদেবং কৃত্বাপি ন বিমোক্ষোঽস্তি কস্য চি। ধিক্ কর্ত্তারং চ কার্য্যং চ শ্রমশ্চায়ং নিরর্থকঃ ॥৬৬॥
নাস্তিক্যমন্যথা চ স্যাৎ বেদানাং পৃষ্ঠতঃ ক্রিয়া। এতস্যানন্ত্যমিচ্ছামি ভগবঞ্ছ্রোতুমঞ্জসা ॥৬৭॥
তত্ত্বং বদস্ব মে ব্রহ্মন্নুপসন্নোঽস্ম্যধীহি ভোঃ। যথা তে বিদিতো মোক্ষস্তথেচ্ছাম্যুপাশিক্ষিতুম্ ॥৬৮॥

পূর্ক্লোং চঙলিবা মখোয় পূম্বসি মুংঙাইবগী অগুতব তৌবদা অ'শ্রয় লৌবা ঙাক্ক ওইনা লৈরি। অনিত্য ওইবা আনন্দ অতুত্ত কংগদবগী হোৎনরি। মখোয়তুস্ন ভমোগুননা কুপ্পু না লৈরিবা পওলবা মীচম ঐখোয়গুন্না হতবুদ্ধি (জ্ঞান মাঙলবা) ঙাক্ক ওইনা লৈরি। মাসিগী গুণদোষ অসিবু মচা খাযনা ভাকপা ওন্নবা ব্রাহ্মন নহাক্রি। মরম অতুনা জগংকী মী পুম্নমক্কী সিদ্ধান্তগী মওংনা অবানবা খুক্কমগী চাংক্লোইনাইত্রবা তত্ববু তাকপিত্নো ব্রাহ্মণ নহাক্না ঐখোয়গী পূর্ক্লোংদা শান্তিগী লম্বীবু উৎপিবি ॥৬১ ৬২॥

ব্রাহ্মণ নহাক্কুদা, মথন্তদা মুংঙাইজরব', যোগগী তত্ত্ব পূম্বনা তিল্লবা, পোকপগী মহৈ যাল্লবা তৌগদবা মখোঁ পূম্বা পাঙথোক্লবা, পূর্ক্লোংবু জয় তৌরবা, হৃৎচাং অসিবুত্ত ভাকশেন্দুনা লৈননবগীদমক্তা ভিক্ষা পাত্র পায়হনা মকম্ মতম্ পূম্বদা কোয়চৎ চত্তু না লৈরবা, সংসারগী হীরম পুম্বা থাদোক্লুনা; বিষয় পুম্বা কায়ত্রবনি হায়না খঙগ্রবা অতুগুম্ব মী মহাক অতুতনা বেদগী বাক্যদা "মোক্ষ" অসুম্না হায়রিবা পোশক অতুবু মহাক্কী অধিকারদা হায়বদি খুত্তম মথাদা থম্ব ঙম্বনি ॥৬৩-৬৪॥

গৃহস্থাশ্রমগী নিয়মবিধি অমদি ধর্মগী মতুং ইন্না পরিবারগী য়োকথাক্লনবগী ম.মদা লৈরিব তৌগদবা থবক পূম্বা অতুগা যজ্ঞ যাগদানহীবা, বেদতম্বা তম্বিবা নৈনবা মচা মশু পোকপা অতুপা মখোয়গা থোৎম মেঙম্না, নীংথিবা অখোপ ব্যবহারনা লোয়নবা অসিগুম্ব কর্মশিং অসিদি য়াম্ন লুবা পোৎ অমনি ॥৬৫॥ অসিগুম্বা অরুবা কর্মশিং অসিবু তৌরকাওবদা মোক্ষ (অরাম্বা খুত্তম) হায়বহুবু মক'ত্ররদি সাধক কর্ত্তা অতুমক্ নিন্দা তৌননীঙায়নি। অতুগুম্বা মানা তৌরুরিবা থবকশিং অতুবুস্ব ধিক্কার তৌরি। অতুগা হায়রিবা লুত্রবা থবকৃশিং অতুদা নোম্মরিবা, তৌকরিবা পরিশ্রম পুম্বা ইংতা খী হৈবনি কায়ত্রবনি ॥৬৬॥

অতুগা কায়ত্রবনি হায়না, কর্মকাণ্ডগী থবকশিং অসিবু তৌরুত্রবস্থ নাস্তিক ওইবা তারি, বেদগী উপাদেশবু খোঙইদবা অমুক তাগদোয়ি। অতুনা ভগবন্! ব্রাহ্মন! গৃহস্থাশ্রমগী লৈরিবা কর্মকাণ্ড অসিনা মতৌ করম্না, অরাম্বা মওংগা মোক্ষ ফংননবগী উপায় ওইগদগে? ॥৬৭॥ ব্রাহ্মন্! মসিগী মহুংদা লৈরিবা তত্ত্ব অসে অমুক্ত তাকপিয়ু। ঐ, ব্রহ্মণ মহাক্কী নকমদা থওজত্রবা শিষ্য অমওন্না চঙজরি। গুরুদেব! নমাই ঐত্তোন্দা তত্বগা লোয়ননা উপদেশ পীনবিয়ু। গুরুদেবদা লৈবিরিবা মোক্ষগী তত্ত্বজ্ঞান পুম্নমক অদো ফংজনীতি ॥৬৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি গো-কপিল-সংবাদো নাম চতুঃষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৪॥

—:():—

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তি-পর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা গো কপিল ভাওনবদা চনী-হুমফুমরিগুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৪॥

—:():—

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(স্যুমরশ্মিগা কপিলগা ভাংনবা মতাং মথং)

চনীহুমফুমঙাশুবা অধ্যায়।

—:(:—

কপিল উবাচ।

বেদাঃ প্রমাণং লোকানাং ন বেদাঃ পৃষ্ঠতঃ কৃতাঃ। দ্বে ব্রহ্মণী বেদিতব্যে শব্দব্রহ্ম পরং চ যৎ ॥১॥

কপিলনা হায়ঃ— স্যুমরশ্মি! জগৎপুম্বাসিদা করিগুম্ব হাকম অমগী চিংনরকপদা বেদনা প্রমাণ সাক্ষী ওইনা অহুম্বহু লেপ্লরি। ব্রহ্মগী মওং অসি অনী থোক্লা লৈ। অমনা শব্দব্রহ্ম, অহুগা অমনা পরব্রহ্ম অনী অসিনি শব্দব্রহ্ম হায়বসিনা বেদ হায়না খঙনরিবসিনি। পরব্রহ্ম হায়বসিনা সৎ-চিৎ-আনন্দ (সচ্চিদানন্দ) অহুম অসিগী পূরণ ওইনা লৈবগী মওংনি হায়না খঙনরিবসিনি ॥ ১ * অহানবগী শব্দব্রহ্ম

* ঈহান হানবা শব্দ দ ওঁ (ওম) হায়বা খোস্লোক আসনি। ওঁ হায়বসিগী জ্ঞানগী মচাক ওইরিবা তোঙান তোঙাবা শব্দশিং অসিনা স্বরব্যঞ্জন মরেক থায়না, অনেম অয়াং, অতেন 'অশাং থায়না তোঙাল তোঙাবা অর্থনা পুহন্দুনা থোরকই, শন্দোবকই। মরেকশিং অহুনা য়াহৈ (শব্দ), য়াহৈশিং অহুনা বাক্য অস্তুয়া ওইখিহুনা তাইবং জীবশিংদা জ্ঞান তাকই। সৃষ্টিগী মতমদগী বেদ (জ্ঞান) শিং মথং মথং তানরকপ (শ্রুতি ওইরকপা) অহুগা মথং মথং নীঙশিংনরকপা (স্মৃতি ওইরকপা) অহুদগী টমনবা মরেক হৌদোনরকপা মতুংদগীদি মীয়োলগী য়োলগী ঋষিশিংনা লাইরিকী মওংদা ইশিন্দুনা থম্লরকখি। অহুনা, হৌজিকী মতমদা বেদনি হায়কনা উনরিবা লাইরিক মশামক অসি নত্তে বেদ হায়বদি। লাইরিক অসিদা হায়রিবা অহ

শব্দব্রহ্মাণি নিষ্ণাতঃ পরংব্রহ্মাধিগচ্ছতি। শরীরমেতৎ কুরুতে যৎ বেদে কুরুতে তনুম্ ॥২॥
কৃতশুদ্ধশরীরো হি পাত্রং ভবতি ব্রাহ্মণঃ। আনন্ত্যমথ বুদ্ধ্যেদং কর্মণাং তৎ ব্রবীমি তে ॥৩॥
অনাগমনমনৈতিহ্যং প্রত্যক্ষং লোকসাক্ষিকম্। ধর্ম ইত্যেব যে যজ্ঞান্ বিতন্বন্তি নিরাশিষঃ ॥৪॥

অনিদ হায়রবদি বেদকী ভবনা, হায়রবদি বেদদা হায়রিবা কর্ম জ্ঞান ভাক্তিগী তবদা মপুংফানা জ্ঞানী ওইপ্রবা অদুগুম্বা মীদুনা অনীগুবদা হায়রিবা পরব্রহ্মদা সচ্চিদানন্দস্বরূপ ওইবা ব্রহ্ম মগোন্দা অদুম তিল্লি। শব্দব্রহ্ম দা হায়রিবা আত্মা অমতনা মতম মওং তোঙান তোঙাবগী মমা মপা হায়রনা অনীথোক্লা লৈগল্লগা. মাদুদগী গর্ভাধান (বীর্য্যাধান) হায়বা কর্ম অদু বিধি কায়দনা ওইখিনবা, বিবাহ, যজ্ঞ, দান, প্রসব (অর্থাৎ পোকপা), জাতকর্ম, মচা শাগুনা লাক্লিবা আত্মাদুনা শু-দ্রাম ওইনা লোয়নরক্লিবা হকচাং অসিগী মথংমনাও নাইনা লাকপা সংস্কার মরাম অসিবু মমামপা ওইরিবনা তৌই অদুগা পুরোহিতদা তৌহল্লি। অদুনা, বেদবিধি কায়দনা চৎপশিংনা সংস্কার তৌবিক্লবা—হকচাংদুনা লৈরিবা মচা ওইরিবা আত্মাদুনা শব্দব্রহ্ম জ্ঞানী ওইদুনা মথুংদা সচ্চিদানন্দ স্বরূপ ওইবা পরব্রহ্ম হায়বদুবু ফংখি। হায়রবদি, শব্দব্রহ্ম জ্ঞানী ওইবতনা পরব্রহ্মগা তিনখি। ঐনা হৌজিক হায়রগদৌরিবদি হায়রিবা বৈদিক কর্মশিং অসিনা মত্তো করমনা মোক্ষপদবীবু ফংহল্লিবগে হায়রবদুগী মরমদনি ॥২-৩॥

বেদনা হায়রিবা সংস্কার কর্মশিং অসি অমমরা যজ্ঞপক্তনি। বৈদিক যজ্ঞশিং অসিবু, কন্নিগুম্বা অপাম্বা মহৈ অমগীদমক ইথন থন্দনা বৈদিক কর্ম তৌবা হায়রবসি ঈশ্বোসি ধর্মনি অমুন হায়রনা নিষ্ক্ষা মবুদ্ধিদা তৌরিবা মী মহাক অদুনা ফংখিবা মহৈদি বেদ পুরাণ ইতিহাসনচিংবমক্কা থগুবা হায়রবা গুমদে। * অদুগা হায়রিবা মহৈহমক্তি প্রত্যক্ষনি, শংশংনা উবা ফংনরি ॥৪॥ "নিষ্কাম ওইনা তৌখিবা কর্মগী মহৈহবু নিষ্কাম

মুন থম্বগা থগুলগা মাদুদগী পোক্লকপা ব্রহ্মজ্ঞান (শব্দব্রহ্মজ্ঞান) অদুবুনি বেদ হায়রবদি। অদুগুম্বা জ্ঞান মচেপ অদুদি থৈথেন্দা হুকানদা য়োনবা য়াবা, লৈবা য়াবা পোৎ নত্তে। য়োয়রিবা-লৈনরিবাসদি লাইরিক কৌবা পোত্তুনি। বেদনিন্দা তৌবা অপগুবা নাস্তিকশিংনা বেদগী লাইরিকশিং অদুবু হায়বদি চে মপুন অদুবু ঈশিং দা থাদৈ, মৈদা লংশিল্লি। মাদুদি হিম্মানরবু লেওহমৈংবা মীশিংনা ঈশিংদা ভাবা হিমালয়গী মথি অদুবু ঈশিংদা লৈখুন হুদুনা লেওহবগুবনি। অদুমকত্তু মথি অদু লেওব নত্তে, লেওবোই নীংজবগুনি। জ্ঞানবু ঈশিংদা থাদরগা লুপখিনি মাওখিনি হায়রনা থল্লিবা অজ্ঞান অদুবু লোইরিবা অজ্ঞান। অপঙবশিংনা মশাগী অজ্ঞানবু ঈশিংদা থাদরবনি হায়রনা থন্বোকপিবদুম য়াই। (কালাচাঁদ)

* মৈ ঈশিং মুংশিং আকাশ-লৈপাকনা শাবা (ওইবিবা) হকচাংদুং অসিনা আত্মানা কন্নিগুম্বা যজ্ঞ হায়রবদি কর্ম অমত্তং তৌরমক্তাইদা মৈ ঈশিংনচিংবা প্রকৃতিশিং অসিগী মথুংদা শক্তি অমমম্ পুদুন লৈরিব অধিষ্ঠাত্রী দেবতাশিং অদুবু লৈশিংলেখোনবা য়াহৈনা আবাহন তৌই কৌথে। দেবতাশিং অদুগী মথক্তা মথুংদা আত্মা (জীবাত্মা) লিনা লৈনিংতি। মপানগী মৈ ঈশিংগী পাঞ্চভৌতিক দেহদুংসিদা লৈদুনা যজ্ঞ তৌনিংবে

উৎপন্নত্যাগিনোঽলুব্ধাঃ কৃপাসূয়াবিবর্জ্জিতাঃ। ধনানামেষ বৈ পন্থাস্তীর্থেষু প্রতিপাদনম্ ॥৫॥
অনাশ্রিতাঃ পাপকর্ম কদাচিৎ কর্ম্মযোগিনঃ। মনঃ সংকল্পসংসিদ্ধা বিশুদ্ধজ্ঞাননিশ্চয়াঃ ॥৬॥
অক্রুধ্যন্তোঽনসূয়ন্তো নিরহঙ্কারমৎসরাঃ। জ্ঞাননিষ্ঠাস্ত্রিশুক্লাশ্চ সর্ব্বভূতহিতে রতাঃ ॥৭॥
আসন্ গৃহস্থা ভূয়িষ্ঠা অব্যুৎক্রান্তাঃ স্বকর্ম্মসু। রাজানশ্চ তথাযুক্তা ব্রাহ্মণাশ্চ যথাবিধি ॥৮॥
সমা হ্যার্জ্জবসম্পন্নাঃ সন্তুষ্টা জ্ঞাননিশ্চয়াঃ। প্রত্যক্ষধর্ম্মাঃ শুচয়ঃ শ্রদ্দধানাঃ পরাপরে ॥৯॥

ওইরা অমুক থাদোকপা অতুগা থাদোকপা মতমদা অরীকপা-মীভোন্দা লেম্নবগী রাথলগী শরুক যাওহল্লনা—মাসিত্তনা সম্পত্তিবু চংচানা শীঙ্জিন্নবগী লম্বীনি” অসুম হায়না খল্লুনা, সম্পত্তি অদুবু দান লৌবদা মতীকচাবা সৎ পাত্রদা দান তৌথোকপা অদুগা হায়রিবা নিষ্কামকর্মযোগ অসিগী সাধনদা মতম পুম্নমক পুক্নীং চঙলিবা মী মথাক অদুগী সংকল্পনি হায়দুনা তৌরি তৌরিবা কর্মশিংগী উদ্দেশ্যনি বিশুদ্ধজ্ঞানগী মশক ওইরবা হায়বদি লেংলনা, অনকপা, অতোপ্পা অমগা যাঙ্ক্রিন্নরবা জ্ঞানগী মশক ওইরিবা পরংব্রহ্ম পরমাত্মাদুবু কংননবগী দমক্ত মশানা অসুম ওইরম্মি ॥৫-৬॥

হায়রিবা বৈদিক কর্মযোগীশিং অসিদি, মী অমনা নিন্দা তৌররব ফাওবদা মশাদা অশাউবা ফাওদে, কনা অমগী মফম দা লৈগে হেক্তু উদে, মীগী দোষ থিদে, মীগী দোষ থিবগী মহুত্তা মাগী থি। মীগী দোষ থিরিবত্থু থিনিংলিবত্থু মশাগী দোষ অগনি হানলা থভৈ। নাপল, থোয়বা কৌবদগী লাপ লৈ। পরংব্রহ্মগী জ্ঞান ভানবতনা মশাগী মথৌনি হায়না খল্লি অদুগুম্বা মীশকশিং অদুগী জন্ম, কর্ম, বিদ্যা—অদুম্বকসি মশানা অসুম বিশুদ্ধ (কোমলেং) হায়রম্ত ওইরিবনি। মখোয় অদুদি জীবপানবা খুদিংমক্কী অকব কান্নবত খল্লি। ॥৭॥

মমাংগৈদা, গৃহস্থ আশ্রমদা লৈরম্লে লৈনবা গৃহস্থ শ্রদ্ধা লৈবগী বিধি কায়দনা কর্ম পুন্নমক তৌদুনা মপুনশি লেনখিবা নিংথৌ, ব্রাহ্মণ কয়া কয়া পোকখ্রবনি ॥৮॥

মখোয় অদো, জীবপানবা পুম্নমক্পু মীংথেং অমতদা চপ মান্নবা উখিবা ঙাক্কনি। মখোয় অরাম্বনা

অদুগীদনক্তা “অগ্নিমীড়ে পুরোহিতম্” অসিনচিংবা বৈদিকমন্ত্রনা অগ্নিদেবতাবু কৌই। মন্ত্র অসিনা চুম্ন কৌববদি উরিবা-চাকৃৎলিমা মৈ অদুগী মপুংদা অগ্নি কৌবা লাই অমা হায়বদি মৈ কৌবা লাই অমা মশক উহল্লনা লাকুনা লৈ। মৈ কৌবা মাগী লৈকম ওইখিবনা মপান্দা চাক্লিবা পোশকসিবুসু ঐথোয়না মৈ (অগ্নি) হায়না অসুম কৌনখিবতনি। হকচাং মপুম অসিগী আত্মা অমা লৈবহৌগুম্না মৈ ঈশিংনাচিংবশিংগীসু মাগী মাগী আত্ম অমমম লৈরে। মহাক লৈবতনা মৈ ঈশিংনচিংবা মপাঙ্গোংগী পোশকশিং অসি লৈবা য়ারিবনি। আত্মশিং অদু শক্তি অমমমনি। মৈদা লৈরগা দাহিকা শক্তি কৌই। দাহিকাশক্তি কৌবী আত্মাদু হেক লৈতবদা মৈ অসি লৈবা য়াদে। তাইবংমী বৈজ্ঞানিক অমনা শেংনা শাবা ওবা শক্তি নত্তে। অদুগুম্বী শক্তিশিং অদুবু আবাহন তৌবগী অর্থ ভত্তবু যুম্না খঙবা অনার্য্যাশিংনা মৈগী পূজা নচিংবা কর্মবু তৌরিবা আর্য্যাশিংবু ওনথক্লুনা অনার্য্যনি হায়না লৌগনি। মসুংগী বৈজ্ঞানিক তত্ত্বমকপু ভাব ভানবা মৈ ঈশিংনচিংবা লাংলি হায়না লৌগনরিবা মখোয় মশামক অনার্য্যমক্তনি (কালাচাঁদ)

পুরস্তাৎ ভাবিতাত্মানো যথাবচ্চরিতব্রতাঃ। চরন্তি ধর্মং কৃচ্ছ্রেঽপি দুর্গে চৈবাপি সংহতাঃ॥১০॥
সংহত্য ধর্মং চরতাং পুরাসীদ্‌ সুখমেব তৎ। তেষাং নাসীৎ বিধাতব্যং প্রায়শ্চিত্তং কথঞ্চন॥১১॥
সত্যং হি ধর্মমাস্থায় দুরাধর্ষতমা মতা। ন মাত্রামনুরুধ্যন্তে ন ধর্মচ্ছলমন্ততঃ॥১২॥

মবুকচেল ঊচমচন্না, অরৈব-অকংব থরদ ঈপেন্তপেঞ্জবা, অত্তব পোশক খুদিংগী তত্ব থঙনবা হোৎনবদা হৈনবা-পূক্লীং চঙবা, মীৎনা শংশংনা ঊবা মতৈ পীঙম্না ধর্ম কর্মবু লিংথৎপদা পূক্লীং চঙবা থম্মোয়দা অমকণগী শরক য়াওব্রবা অত্থগা শব্দব্রহ্ম পরব্রহ্ম অনীমক্তা শ্রদ্ধা (য়োঁশন্না থাজবা) লৈবা ঙাক্ত ওইরম্মি ॥৯॥ মথোয়গী নিয়মবিধি কায়দনা করিগুম্বা কর্ম অমতং তৌদ্রিবৈদা, তৌবমদাইদা থম্মোয়বু অহানবদা শেংলোক্লম্মী। * অরাবা খুদোংথীবা ভারবা মতমদগী মথোয় পুম্বা অমত্ত ওইনা ধর্ম কায়দনা খুদোংথীবত্থগী নাম্মোক্লবা হোৎনমিন্নরম্মি ॥১০॥

কাঙলুপ অম ওইনা পুল্লপ কাম্মত্থনা সেবা পূজা আম্বাদননিংবা ধর্মগীথবক তৌমিন্নবশিং অত্থগী থম্মোয়দা, মাত্থম তৌনা ধর্মগী অনুষ্ঠান তৌরগা নুংঙাইবত্থ ফংনরম্মি ফাওনরম্মী। মথোয়দা করিগুম্বা তৌহৈদবা কর্ম অম তৌরুবগী প্রায়শ্চিত্ত প্রতাকার তৌবগী প্রয়োজন (দরকার) লৈরমদে ॥১১॥ ধর্মগীদমক্তা তৌঙমদবা থবক অত্থক্তা মতীক তৌরগা তৌব ঙম্না, লাকঙম কাঙমদবা মীশক্‌ ওইনা লৌন

* অমত্তোমদা হায়রবদি দান যজ্ঞ সেবা পূজা, তীর্থ ভ্রমণ নচিবা ধর্মগী অনুষ্ঠান তৌহনি লাহবু লায়রি। মপান্দা হায়বদি মপানগী হকচাংদা, অক্লবা ঊশিংনা চামথোক যোক্তেক্লবা তুংলা ফজবা অশেংবা কি য়োন থোমজিল্লগা, ভক্ত, মাসানচিবা হুকচিল্লগা সেবা পূজানচিবত্থ তৌনবগীদমক, যমজবদি য়াম্ন লায়বা য়ানি। মপান্দতা লাংহনবা অতৈগী মথু দ হৈয়ো য়োদনা কেঙঙবা পাত্রদা কাপ্প ঊনিং শাঙ্গ মচিংথু অশেংবা পোশক ওইশত্রা কায়বসি চিংনফম্নি। মপান্দত লুবগা — মত্থংদদি হায়বদি— থম্মোয়দদি নাপল থোয়বা অশাঙবনচিংবনা মকে থালবা অত্থ ওইরবদি ভক্তি শ্রদ্ধানচিবদি থম্মোয়গী হাপকদবা পোশক্লিনা, অমোংপা মকে থংবা থম্মোয়দা হাপলিবা ভক্ত শ্রদ্ধানচিবত্থ মত্থংদদি মকে থাংলবা, মপান্দত উৎনীংব পোশক ওই। মাঙ্গৈ শেংনা থম্নরবদি পূজাগী সামগ্রী (মচাক) দি থম্মোয়গী পাংক্তেগা ঊশেংশেংব তুপ অত্থনা ওইগদৌরিবনি, ওইকমগী থোকপনি। হায়রিবসিনা, থম্মোয় অত্থ শেংলগা মপানগী হকচাংদি শেংদোকত্রবগী মায়র পায়বা নত্তে। মত্থং মপান অনীমক শেংগদবনি, শেংদোক থগনবান হায়বত্তনি। অনী মমপু শেংদোকপা মতমদ মপানবু হায় শেংদোক্লগা মথং কোয় শেংদোকপগী য়াই। মত্থংবু হায় শেংদোক্লগা মপানবু কোয় শেংদোকপগী য়াই। মত্থংবু হায়বদি থম্মোয়বু শেংদোকপা মপানগী হকচাংবু হায় তত্ত তক্লনা থম্বনি অরায়বা উপায় অমদি ওই। মাত্থনা পূজাবিধি ক্রম অত্থগী কায়দে। মপানগী অচৌবা মাংসপিণ্ডসিবু শেংদোকপদি ঊশিং য়াম্ন চঙিত। মত্থংগী হৃৎপিণ্ডবু শেংদোকপদি ঊশিং মবীক মঙাত য়াই। অত্থগীদমক্ত আচমন তৌনরিবসিনি। ঊরুজত্রিংওদা, ফিশেং শেত্রিংদা আচমন হায় তৌনদে। (কালাচাঁদ)

স এব প্রথমঃ কল্প স্তমেবাভ্যাচরন্ সহ। তেষাং নাসীৎ বিধাতব্যং প্রায়শ্চিত্তং কদাচন ॥১৩॥
অস্মিন্বিধৌ স্থিতানাং হি প্রায়শ্চিত্তং ন বিদ্যতে। দুর্ব্বলাত্মন উৎপন্নং প্রায়শ্চিত্তমিতি শ্রুতিঃ ॥১৪॥
এবং বহুবিধা বিপ্রাঃ পুরাণা যজ্ঞবাহনাঃ। ত্রৈবিদ্যাবৃদ্ধাঃ শুচয়ো বৃত্তবন্তো যশস্বিনঃ ॥১৫॥
যজন্তেঽহরহর্যজ্ঞৈর্নিরাশীর্ব্বন্ধনা বুধাঃ। তেষাং যজ্ঞাশ্চ বেদাশ্চ কর্ম্মাণি চ যথাগমম্ ॥১৬॥
আগমাশ্চ যথাকালে সঙ্কল্পশ্চ যথাক্রমম্। অপেতকামক্রোধানাং দুশ্চরাচর কর্ম্মণাম্ ॥১৭॥
স্বকর্মভিঃ শংসিতানাং প্রকৃত্যা শংসিতাত্মনাম্। ঋজূনাং সমনিত্যানাং স্বেষু কর্ম্মসু বর্ত্ততাম্ ॥১৮॥
সর্ব্বমানন্ত্যমেবাসীদিতি নঃ শাশ্বতী শ্রুতিঃ। তেষামদীনসত্ত্বানাং দুশ্চরাচারকর্ম্মণাম্ ॥১৯॥

খঙনরম্মী। পাপকী শরুকী চঙবা থবক মরীক অমকাওবা হোনরমদে। মথরায় থাবরাবগী মতম লাক্লকাওবদা, মথরায় হিংননবগীদমক্তা মীনম থবক মরীক অমকাওবা তৌনরমদে ॥১২॥

অহানবা মথলগী ধর্মনি হায়না খঙনবত্থগী কাঙলুপতা মথোর পুম্নমক অমত ওইনা লৈমিন্নদুনা ধর্ম অদুবু মখোয়না বিধি কায়দনা ঙাক্লম্মি। অদুনা মখোয়দা করিগুম্বা অশোয়বা অরাবা অমগী কোক্লনবা তৌনরীভায় প্রায়শ্চত্ত প্রতীকার অমত্ত লৈরমদে ॥১৩॥ হায়রিবা, অহানবা মথলগী ধর্মসম্প্রদায় অসিদা লৈবশিং অহুদ মশানা মতম পুনদা থম্মোয় হকচাং অনীমক ঈশোংত শোংদুনা লৈবনিনা মখোয়দা প্রায়শ্চিত্ত তৌননীভায় করিমত্ত লৈতে। থম্মোয়শোনবা, থম্মোয়মোংশশিং অদুনি মশানা পাপচেনবা হায়বদু অদুম মশুইরবনিনা মখোয়গী প্রায়শ্চিত্ত তৌননবগী বিধি-নিয়ম লৈরিবনি। অদুম হায়না ঐখোয়না পরম্পরাদগী তানরকই ॥১৪॥

মতৌ অসুম্না মমাঙৈদা ব্রাহ্মণ অয়াম্বা যজ্ঞগী বিধি নিয়ম অসি য়াম্ন চোকশিন্ন ঙাক্লরম্মি। মখোর অত বেদবিদ্যাদা বৈদিক জ্ঞানকর্মগী থাক্ত য়াম্ন রাংনা লৈখ্রবা, থম্মোর হকচাং ঈশংত শোংদুদা লৈখ্রবা জ্ঞান কর্মদা মিচংচাউরবা ঙাক্ত ওতনা লৈরম্মী ॥১৫॥ হায়রিবা জ্ঞানীব্রাহ্মণশিং অসি করিগুম্বা পোশক অমদা অপাম্বা মিগৌবা খম্মুদনা যজ্ঞতনা ভগবান্গী পেম্নবা তৌরম্মি। থম্মোয়না তৌরিবা যজ্ঞশিং অদুদ কর্মকাণ্ডগী বিধি কায়দনা কর্মতনা অদুগা বেদপাঠ অমদি বেদগী মন্ত্রগী অর্থ নৈনবতনা মপুং ওইরম্মি ॥১৬॥ মখোয়গী মশাদা অশাউবা অপাম্বগী মরীক অমত্ত য়াওরমদে। মখোয়না তৌরিবা অচারবিচার দুদি অতৈ অমনা মতৌতম্বদা, মতুংইনবদা য়ানা থোক্লগদবা ঙাক্তনি। মখোয়গী থম্মোয়দা মতম পুম্বদা শাস্ত্রজ্ঞাননা মথং মথং হেনগংলকপগী অদুগা সংকর্মগী মুংঙাংবগী ইপোমনা তত্তনা হৌরম্মি ॥১৭॥

মখোয়না তৌরিব কর্মশিংদু মিংচংকী অমদি মীনা থাগংমনবগীদমক্ত নত্রবসু তৌথোরক্লিব কর্ম অদুনা মখোয়গী মগুণ অমদি মিংচংপু মায়পৈপুম্বদা লাপ্ন লাপ্ন শন্দোকলম্মী। মখোয়গী পুকচেল অদু মুমিংচুম্না ঈতগু তম্না, ঈচম চম্বা, লৌথুপ-লৌকোই লৈতনা হায়রদু ওইরম্মী। শান্তিগা লোয়ননা পুনশি লেনবত্ত পামজবা অদুগা মান মানা তৌরিবা চংলিবা ধর্ম অদুতদা য়াম্নহনা নপুনা লৈবা মীশকমক্ত ওইরম্মি ॥১৮॥ মখোর পুম্বা পুকচেল চাউবা মখোয়গী আচার ব্যবহারদু মীনা তমজনীভায় ওইরবা অদুগা তম্বদসু য়ানা

স্বকর্মভিঃ সন্তপ্তানাং তপো ঘোরত্বমাগতম্। তং সদাচারমাশ্চর্য্যং পুরাণং শাশ্বতং ধ্রুবম্ ॥২০॥
অশক্নুবদ্ভিশ্চরিতুং কিঞ্চিদ্ধর্ম্মেষু সূক্ষ্মতাম্। নিরাপদ্ধর্ম্ম আচারো হ্যপ্রমাদোঽপরাভবঃ ॥২১॥
সর্ব্ববর্ণেষু যত্তেষু নাস্তিকশ্চিৎ ব্যতিক্রমঃ। যস্তমেকং চতুর্ধা হি ব্রাহ্মণা আশ্রমং বিদুঃ ॥২২॥
তং সন্তোবিধিবং প্রাপ্য গচ্ছন্তি পরমাং গতিম্। গৃহেভ্য এবনিষ্ক্রম্য বনমন্যে সমাশ্রিতাঃ ॥২৩॥
গৃহমেবাভিসংশ্রিত্য ততোঽন্যে ব্রহ্মচারিণঃ। ত এতে দিবি দৃশ্যন্তে জ্যোতির্ভূতা দ্বিজাতয়ঃ ॥২৪॥

থোক্লবা ঙাক্তনি। মথোয়না তৌথোরকপা থবক খুদিংমক অয়ানব খুত্তম (মুক্তি-মোক্ষ) বু পীননীঙায় মক্তনি। হায়বিবসে ঐখোয়না পরম্পরাদগী ঙানবকপা ঙাক্তনি ॥১৯॥

মথোয়দু মাগী মাগী কর্মদুক্তনা অয়াংপ অনলৈত্রবা, হুমিচূয় ঈথত্ত খন্নুন লৈব হায়বদু ওইরম্মি। মথোয়-মথোয় খুদিংনা অহানবদা তৌনখিবা তপস্যাশিং অদু মহা অক্ৎকিবগী মশক লেংলব মক্ত ওইনগ্রবনি। মথোয়না চংলিবা শাজং, চাকচা কিজেং ঙাওখোক শকাগাকলিব পুরা উং তারবা ওক্নীওয়নি। মথোয়না তৌরিবশিং অদুগী মহৈ হায়বদু, অনাদি অনন্ত (অহৌবা অরোইবা লৈত্রবা) ওইরবা, অমাঙ অতা লৈত্রবা পরংব্রহ্ম মহাকপু ফংবগী-উবগী চাংলো নাওগ্রবা চুংডুইবদু ঈপাক্তা লুপখিবা— অসিতনি ॥২০॥

ধর্মশিং অসিগী মঙুংদা কুপ্পবা তত্ত্ব অমা লৈরি। তত্ত্ব অদুগী মচু ঈদা চাপসি মী অয়াম্বনা ঙমদে। থাঙ্গৈশেংবদি বেদদা হায়রিবা ধর্মশিংগী তত্ত্ব অদুদি, মাসি মশাগী কাংগুম্বা তর্ক অমদি ওয়দে। থাঙ্গৈশেংবদি বেদদা হায়রিবা ধর্মশিংগী তত্ত্ব অদুদি, মাসী মশাগী কাংগুম্বা তর্ক অমদি আপত্তি অমা চত্তবা য়াদে, ঙমদে। মাদুগী মঙুংদা অয়ানবা অমদি মায়পাকপা ফংনিংঙাই অমতা লৈতে ॥২১॥

মমাঙৈদা মাগী মাগী মথো অমদি গুণগী মতুং ইন্না বর্ণ অমদি জাতিগী ভেদ (খন্নব) লাক্লবা তুংদা আশ্রমশিং ভেদ অসি থোকইনা লৈরমদে। অমগম্মা কক্তিমক্ত খন্নদে। অমত ওইনা লৈরম্বা আশ্রম অদু, মতম থবগী মতুংদদি মরিথোক্ল কায়খি। তোঙান তোঙানবা লৌবা লৈখি। মাসি ব্রাহ্মণ খুদিংমক্না কাউরোইদৌবনি ॥২২॥ জ্ঞানী ওইবা অথোইব মীশিংনা মানা মানা লৈক্ত লৈকরিবা আশ্রম অদুদা, আশ্রম অদুগী তৌগদবা কর্ম অদু বিধি কায়দনা পাঙথোক্লগা, খ্বাইগী ওইনা লৈবা, অমত ওইবা, অথোইবা গতি (পরমগতি—পরমধাম) অদু ফংমিন্নরম্মি। মাসি মশা পাম্বা মতুং ইন্না থবনা ময়ুম লৈক্লবু থাদোক্লনদুনা সন্ন্যাসী ওইদুনা চংখি। থবনা মাগী মাগী লোৎনবীশিং বনদা প্রস্থান (যাত্রা) তৌখি। অদুনা মথোয় অদু বানপ্রস্থ কায়দুনা অদুম থঙনগ্রে। থবনা ময়ুম পাল্লগা য়ুম অদুম অদুম পুনশিনুম্না লৈদুনা মচামশু পোক্লদুনা দান ধর্মনচিংবা তৌদুনা লৈখি। মথোয় অদু গৃহস্থ (গৃহ—য়ুম, স্থ—লৈবা) হায়না অদুম মথঙনখি। থবনা হাৎনগী অমত ওইনা লোরম্বগী মঙংদা হায়বদি পোৎ খুদিংমকপু ত্যাগপা লোয়ননা য়ুম থঙনিংদুনা বেদ শাস্ত্র নৈনদুনা লৈবগী মওংদা অদুম লৈখিবা য়াওই।

নক্ষত্রাণোব ধিষ্ণ্যেষু বহবস্তারকাগণাঃ। আনন্ত্যমুপসংপ্রাপ্তাঃ সংখ্যোঘাদিতি বৈদিকম্ ॥২৫॥
যস্তাগচ্ছন্তি সংসারং পূর্ণযোনিষু তাদৃশাঃ। ন লিপ্যন্তে পাপকৃত্যৈঃ কদাচিৎ কর্মযোনিতঃ ॥
এবমেব ব্রহ্মচারী শুশ্রূষুর্যোগনিশ্চয়ঃ। এবং যুক্তো ব্রাহ্মণঃ স্যাদন্যো ব্রাহ্মণকো ভবেৎ ॥২৭॥
কর্মৈবং পুরুষস্যাহ শুভং বা যদি বা শুভম্। এবং পক্ককষায়াণামানন্ত্যেন শ্রুতেন চ ॥২৮॥

মখোয় অদু, ব্রহ্মচারী (ব্রহ্ম—জ্ঞান পুম্নমক্কী হৌরককম তূনকম, চারী—আচরণ তৌবা-মতুং ইন্নাচংপা) চায়না অদুম খণ্ডনবে। অমুম হায়না, মানা মানা লৈনীংব মওং অমদি কাওলুপ্তা বিধি কায়দনা লৈরম্বা বিজশিং অসিনা মর্ত্ত্য লোক অসি থাদোক্লম্লহুনা মোংমদোল্প জ্যোতি (মঙাল) তগী মশক ওইহুনা, জ্যোতির্ময় ওইহুনা লৈহুনা লেনখি হৌজিকমক নোংমদোম্বক্কী ভগুণভবেংনা উরিবা থবানমিচাক্‌শিং অসি মখোয়হুনা মতীক মগুণগী মঙাল উহনা লৈরিবনি হায়বসি বৈদিকসিদ্ধান্তনি ॥২৩-২৫॥ *

পুণ্যাত্মা ওইরবা (পুণ্য চেল্লবা) শিংসিনা সংসারদিগী কর্মগী মথাক্ লৈহৌবনা, লৈহৌরিবা মথাক্ অদুগী অধিকার (কর্ম অদু লে ইথোকপগী শক্তি) কংহুনা ভাইবং মীগী মপোক্কা অমুক্ পোক্‌পা তারবদু, পোক্লরিবা মকমদুগী মরী লৈনবা পাপকর্মগী অরাবা খুদোংথীবা মচৈশিং অহুনা, হায়বদি— পাপকর্মশিং অহুনা, পুণ্যাত্মাশিং অদুদা করিমত্তা চঙবা ঙমদে ॥২৬॥

মতৌ অমুম্না গুরুগী সেবা পূজাদা পুক্কীং চঙহনা লৈরিবা ব্রহ্মচর্য্যাবু চোকশিল্লা ভাক্লিমা, অকবা থবক্তগী নীঙইরদনা থবকুদ থুবম্ চেংনা লৈরিবা মখোয় অদুতনা চপচাবা খুাইদগী অখোইবা ব্রাহ্মণ ওইবা ঙম্মিবনি। ব্রাহ্মণনিদি হায়রগা হায়রিবা গুণ কর্মাশং অসিনা তিন্নবদি, মখোয় অদু খুাইদগী হন্থবা মথলগী মমিংতা ভাররবা ব্রাহ্মণনি। ব্রাহ্মণ কৌবা কাওবা মায়কৃত্রবনি ॥২৭॥ মতৌ অমুম্না অকবা গুণ কর্মশিং অদুতনা, হায়বদি— তৌথোয়ক্লিবা কর্মশিং অদুগী মতুংইন্ন ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়নচিংবা মিংশিং অসি থোয়খিবনি।

* খঙদ্রিবসিনা অমম্বনি, খঙলিবহুনা মঙাল্লি। খঙলম্লগা কাউত্রিবদু ভাল্লখা থাউমৈনা মুৎথিবগুম্বনি। অমম্বগী মমুংদা মঙাল লৈ। অমুক নীঙশিংলক্লিবদু অমম্বদগী মঙাল অদু অমুক চোংথোরকপনি। অহুনা খঙবা (জ্ঞান) হায়বসি সত্যনি, হায়বদি লৈহুনা ভাক লৈ। সত্য হায়বদি ঈঙংতত্তনা লৈবা হায়বনি। হায়বদি, ইত্তত্তনা ভাল্লুনা লৈবা হায়বনি। মীৎ পাঙলগা চাউই-পিকই খঙলিবসি মীৎকী মীৎলুদা মঙাল অমা ম্বাওম্বি অহুনন্নি। জ্ঞানীশিংগী থম্মোয়দা লৈরিবা জ্ঞানশিং অদু অমম্বুম্না মঙাল অমমমনি। মপানগী জগতা_মৈ কম্ন কয়, থাউমৈ কয়া কয়া চাক্লম্মী-ভাল্লম্মী। মখোয়দ্ অনিত্য জ্ঞানগুম্বা ভাকনি। পৃথ্বীদা লৈবা মৈ থাউমৈনচিংবদি অনিত্যজ্ঞানগী প্রতীকনি। নোংমদোম্বক্কা, সৃষ্টিগী মতমদগী হৌজিক কাওবা ভানুম্বা লৈরিবশিংসি নিত্যজ্ঞানগী প্রতীক ভাকনি। জ্ঞানীদি মশক উই, জ্ঞানদি মশক্ উদে। অহুনা মশক উরিবা মঙাল অমমম্ অসি মর্ত্ত্যলোকতা মশক উরম্বা জ্ঞানী অমমম্গী অউবা মূর্ত্তি অমমম্নি। শুক্র, বৃহস্পতি, বুধনচিংবা মহাজ্ঞানী অমমম্ ওইনা লৈরম্বা ভাক্কি। নিত্যজ্ঞানবু ৷পুরিবা মখোয় মশামক নিত্যজ্ঞানীনি।

সর্ব্বমানন্ত্যমাসীৎ বৈ এবং নঃ শাশ্বতী শ্রুতিঃ। তেষামপেতভৃষ্ণাণাং নির্ণিক্তানাং শুভাত্মনাং ॥২৯॥
চতুর্থোপনিষদ্ধর্ম্মঃ সাধারণ ইতি স্মৃতিঃ। সংসিদ্ধৈ সাধ্যতে নিত্যং ব্রাহ্মণৈর্নিয়তাত্মভিঃ ॥৩০॥
সন্তোষমূলস্ত্যাগাত্মা জ্ঞানাধিষ্ঠানমুচ্যতে। অপবর্গমতির্নিত্যো যতিধর্ম্মঃ সনাতনঃ ॥৩১॥
সাধারণঃ কেবলো বা যথাবলমুপাস্যতে। গচ্ছতাং গচ্ছতাং ক্ষেমং দুর্ব্বলোঽত্রাবসীদতি।
ব্রাহ্মণঃ পদমন্বিচ্ছন্ সংসারান্মুচ্যতে শুচিঃ ॥৩২॥

অশাউবা, কলঙ্ক,মিহৌবা করিমত্তা য়াওদ্রবা, মপোগ্ন অহুনী পূক্নীং থম্মায়দগী অপাম্বা মিহৌবা খৌরাংবনা-চিংবা মথং মথং মপাঙ্গোকপ্রবা, মমুং-মপান্দা পূমশেং শেংপ্রবা, মথোয়গী বুদ্ধি অমদি জ্ঞান অহু জগৎকী মঙ্গল ওইবা থবক্লোমত্তদা মমায় ওক্লিনপ্রবা অতুগুম্বা তত্ত্বজ্ঞানী ওইবা মহাপুরুষশিং অতুগী মীংয়েংদদি উক্ত উরুবা পোৎ থুদিংমক ব্রহ্মজ্ঞানতনা উশিন্থিবনা ব্রহ্মগী মশকমক্তা ওইখি। অতুম ওইবা পুণ্যাত্মা ওইরব-শিং অতুদি অমময়া ব্রহ্মস্বরূপনি। হায়রিবা রাকস অসি এখোয়না আ মমাংঙৈদগী অসুম তানয়রুবনি ॥২৮—২৯॥ দেহপুংদা জীবাত্মা কৌহুনা লৈরিবা ব্রহ্ম, অচ্চত্তনা থল্লবা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসিনা মহাকী আকার (অউবা মওং) ওইহুনা, হায়বদি— সাকার ওইহুনা লৈরিবা ব্রহ্ম, অমগা হায়রিবশিং অসিগী রাংমদা মরি গুবা থাক্তা লৈরিবা ব্রহ্ম অতুগা মরীশম লেৱবা উপনিষদ-বিদ্যা, অতুগা বিদ্যা অসিবু ফংহনবা শম (তপ্ থবা), দম (ইন্দ্রিয় থুতুম চনবা), সংসারগী বিষয়শিংসিদগী ভক্লিবমথৈ লাপ্পা হন্দোকপা, অরাবা খাওবা, থাজবা মুংশিবা, হৈনিংবগা লোয়ননা ভৌরিবা ভক্তি, হায়রিবা মচাকশিং অতুনা পূক্নীংদা চপচাবা লেপ্প-প্রবা অতুগুম্বা সমাধানগী মশক ওইবা ধর্ম অতুদি আশ্রম মরিমক্তা লৈরিবশিংগী সাধারণ ধর্মনি, হায়বদি— খ্বাইমক্কী ওইনা লৈবা ধর্মনি। স্মৃতিশাস্ত্রনসু মকম পুম্বদা হায়রিবনি। অতুবু খ্বাইমক্কীনিদি হায়রগা থম্মোয় হকচাং অমীবু লাকশিন-ফাজিন্দুনা লৈপ্রবা, তপস্যাতনা সিদ্ধপুরুষ ওইহুনা লৈপ্রবা, ব্রহ্মতত্ত্বতদা লুপহুনা লৈপ্রবা সিদ্ধযোগীশিং অহুতনা হায়রিবা ধর্ম্ম অসিবু আচরণ তৌবা— চৎপা-ওম্মি ॥৩০॥

মাগী মুংওাইবগী মরুনা 'পেঙ্গবা'' কৌবহুতনা ওইরিব, মাগী থাঙ্গেশেংবা মশক্লা— "থাদোকপা" হায়বহুতনা ওইরিবা, জ্ঞানগী ফুংফম চত্তফম হায়বহু মহাক্কুনি হায়নরিবা অয়ানবা থুক্তম পীনবী বুদ্ধিনা, ব্রহ্মগী স্বরূপপু থাক্লৈশেংনা উননবা লম্বীনা মহাকী থানবা মাত্রবা মচাক্ ওইরিবা অতুগুম্বা সন্ন্যাসাশ্রম কৌবা ধর্ম অহুতনা সনাতনধর্ম হায়বহু ওইরিবনি ॥৩১॥

অতৈ অতোপ্পা আশ্রমশিংহুপা তিনবু তিন্নফয়বহু নত্রগা মথক্তা তোওায় স্বতন্ত্র ওইনা লৈরবস্থু নত্রগা মশা মশাগী বৈরাগ্যগী শক্তিনবু ওইররসু হায়রিবা যতিধর্ম্ম অসিদা আশ্রয় লৌরবা মথোয় অহুদি পুনশি অসিদা হীরম পুম্বদা মঙ্গল-ত ওইহুনা লৈ। হায়রিবা লম্বী অসোমদা লাক্লিবমথৈ কায়বা ওইজবত

অহুনা শুক্র, বৃহস্পতি, জনকচিংবা জ্ঞানী কয়া কয়ানা মতাম অমমম্ ওইনা— নক্ষত্র, তারা, গ্রহ ওইনা নিত্যমূর্ত্তি পুহুনা নোংমদোক্তা লৈরি। পোৎ পুম্নমক থুদিংমক আকাশদা মশক উরমগনি, আকাশদা মাঙ-খিনি। জ্ঞানময় ব্রহ্মবু জ্যোতির্ময় হায়নরি। (কালাচাঁদ)

স্যূমরশ্মিরুবাচ ।

যে ভুঞ্জতে যে দদতে যজন্তেঽধীয়তে চ যে । মাত্রাভির্লব্ধাভির্বা ত্যাগং ধর্মাশ্রিতাঃ ॥৩৩॥

এতেষাং প্রেত্যভাবে তু কতমঃ স্বর্গজিত্তমঃ । এতদাচক্ষ্ব মে ব্রহ্মন যথাতথ্যেন পৃচ্ছতঃ ॥৩৪॥

কপিল উবাচ ।

পরিগ্রহাঃ শুভাঃ সর্ব্বে গুণতোঽভ্যুদয়াশ্চ যে । ন তু ত্যাগসুখং প্রাপ্তা এতত্ত্বমপি পশ্যসি ॥৩৫॥

স্যূমরশ্মিরুবাচ ।

ভবন্তো জ্ঞাননিষ্ঠা বৈ গৃহস্থাঃ কর্ম্মনিশ্চয়াঃ । আশ্রমাণাং সর্ব্বেষাং নিষ্ঠায়ামৈক্যমুচ্যতে ॥৩৬॥

একত্বেন পৃথক্ত্বেন বিশেষো নাত্র দৃশ্যতে । তং যথাবৎ যথোক্তায়ং ভগবান্ প্রব্রবীতু মে ॥৩৭॥

ফংঙি । হায়রিবা লম্বী অসোমদা লাকপা ভমদবা শোল্লবা, পুক্নীংবু অহুগা ইন্দ্রিয়শিংবু থুত্তম-চনবা ভমত্রবশিং অহুদি মথুং-মপা প্রোক্ প্রোক্ থেক্কুনা ভুমিন্না লৈ । হায়রিবা যতিধর্ম অসিদা লৈদুনা— চংদুনা মহুং মপান্ পুম্নমং শেংত্রবা— শুদ্ধত্মা ওইরবা মথোয় শং অহুদি— ব্রহ্ম-পদবী-তদ্ থিদুনা— খন্দুনা লৈবনা সংসারগী অকা-অপুন্নবদগী লায়না লান্থোকপা ভম্মি ॥৩২॥ স্যূমরশ্মিনা হংঙি—ব্রাহ্মণ । মশানা তাঙ্গব অহুত্তবু ভোগ তৌরিবা, তাঙ্গ-তাল্লগা দান তৌথোকপা, তাল্লিবা শেল অহু যাগ যজ্ঞমচিংবা ধর্মগী অনুষ্ঠানদা শীজিন্নরিবা, অতৈ কন্নিমত পামদনা স্বাধ্যায়দা পুক্নীং চঙলিবা হায়বদি বেদশাস্ত্র ধর্মগ্রন্থনচিংব পাবা; ভম্বা নৈনবদা পুক্নীং চঙলিবা—হায়রিবা তোঙান তোঙানবা মীশক মরি অসিগী মনুংদা কয়রুনা মর্ত্যলোক অসি থাদোক্লগা স্বর্গগী নুংঙাইবা ভোগ অহুবু ফংখিবগে ? মাসিগী থঙজনীংদুনা হংজরি । থাজৈ-শেংনা, নাখৈশেংনা অমুক্ত তাকপিয়ু ॥৩৩-৩৪॥

কপিলনা হায়খি—সাত্ত্বিকগুণনা মাগী থম্বোয়দা ভাল্লবা অদুগুম্বা মগাক অদুনা তৌরিব থবক মখৈ মঙ্গলগী মশাক্নি । অদুগা নুংঙাইবা মথন্ত মথন্ত ফংখি । অদুনু, নুংঙাইবশিং অদুগী মনুংদা করিগুম্বা নুংঙাইবা অমত্তনা, ত্যাগী (সংসারগী বিষয়বু থাদোক্লবা মী) অমগী নুংঙাইবদুবু ভানবা ফংদে । মাসি নহাক নশামক্তুম্ উরি ॥৩৫॥ স্যূমরশ্মিনা হায় :— ভগবন । ব্রাহ্মণ ! নহাক্না জ্ঞাননিষ্ঠ (জ্ঞান নামদুনা হায়না জ্ঞান তদ লেপ্পবা) নি, অদুগা গৃহস্থশিংনা কর্ম্মনিষ্ঠনি, কর্মতৌবতনা অহেনবনি অথোইবনি হায়না লেপ্পবনি । অদুগা অদুকন্তু ব্রাহ্মণ নহাক্না আশ্রম পুম্নমক অসি অমত্তনি, চপ মান্নে হায়নস্তু তাকপিরি । অমুকন্তু চপ মান্নে, অমত্তনি হায়না তাকপিবা, অমুকন্তু হেনব ফাংপগী মওংদা ওইনস্তু তাকহনবিয়ু । * মাসি লৌকম থঙজে, চনৈনরে । অদুনা চনীংতানা নাথৈশেংনা অমুক্ত তাকপিয়ু । ॥৩৬-৩৭॥

* জ্ঞান মার্গগা কর্ম মার্গগা মশা অমত্তনি থেন্নবা লৈতে হায়নস্তু কপিলনা তাকপিরি । অদুগা মুম্ব খজিন্নুবদি কর্মমার্গদগী জ্ঞান মার্গনা হেনবগী ভাবস্তু কপিলন হায়রি । কর্মমার্গনা কর্মযোগীশিংগী লম্বীনি, জ্ঞানমার্গনা জ্ঞানযোগী হায়বদি ত্যাগী সন্ন্যাসীশিংগী লম্বীনি হায়রি । কপিলনা অস্তুম্না তাকপা মত্তাং

কপিল উবাচ।

শরীরপক্তিঃ কর্মাণি জ্ঞানং তু পরমা গতিঃ। কষায়ে কর্মভিঃ পক্বে রসজ্ঞানে চ তিষ্ঠতি ॥৩৮॥

কপিলনা হায় :— কর্মদি চুমগী মপান অচৌবা হকচাং (স্থুল শরীর) অদুগা অকুপ্প-অপীকপ। হকচাং (সূক্ষ্ম শরীর—লিঙ্গ শরীর) অনীসিবুক শুদ্ধ তৌননবা, হায়বদি, শেংদোক্নবগীদমক লৈজবনি। পরমগতিদি নত্তে, হায়বদি, মাসিমক্না তাইহংমীওইবগী মপোক্কী উদ্দেশ্য-বিধেয়দি নত্তে। কল মহৈ) গী আশা থাদোক্তুনা তৌবা কর্মচুগী পাম্বনা (ঈশিংনা) হকচাংসিবু হেক শেংদোক্নবহুতদা, চায়বদি, খম্মোয়দা থুপ্তুনা লৈরিহা কন্নকপা, মিতৌবা, অপাম্বা, অহঙ্কারনচিংবহু চাদথোকখ্রবহুতদা তাইবংমীনা রস (মহাও) গী মশক ওইরবা রসজ্ঞান অদুগী পন্নিবায় মন্নুংদা চঙলকই —মাহুনি পরমগতি হায়রিবসি কর্ম কৌবা মহৈ মহৈ (উহৈ) অদুনা মুন্নগা জ্ঞান কৌবা রস (মহাউ) অদু লাক্লিবনি। মাহুনি রসজ্ঞান হায়রিবসি ॥৩৮॥ *

অসিদা স্যমন্তশিমনা িংনরিবদি জ্ঞানগা কর্মগা মণা অমতনি হায়রগা কর্মদগী জ্ঞান হেন্নগী মওং অমুক হায়রক্লিবনো অসিনি অকুপ্পা বিচায়দনা—ত্যাগ তৌরিবা ত্যাগীবু অদুগা সন্ন্যাস (থাদোকপা) তৌরিবা সন্ন্যাসীবুদি জ্ঞানযোগগী মন্নুংদা লৈহন্নপা, জ্ঞনতানা কর্ম তৌরিবা গৃহস্থ ওইরিবা কর্মযোগী মহাকপুদি কন্নিগীদমক অজ্ঞানগী মন্নুং তাহনগদৌরিবনো ?—অসিনি। (কালাচাঁদ)

* মতাং অসি সাংখ্যযোগগা কর্মযোগগ অনী অসিগী মম কুপ্নংখংনরকপা খংনয়কপা মতাংনি। ভগবদ্গীতা মকী স্থূলশরীর (মপানগী হকচাং) না লাল তৌহনব, (কর্ম তৌহবা) অসিনি। অদুগা—মন্নুংগী লিঙ্গশরীর, সূক্ষ্মশরীর (মন্নুংগী অকুপ্পা হকচাং) না জ্ঞান তানা কর্ম অদু তৌননবগী জ্ঞনতাকপা—অসিনি। কনানা কনাবু, হাংলিবনো, কনানা করিবু পোক্লিবনো—পোকহন্নিবনো অসিনচিংববু কুপ্প (সূক্ষ্ম ওইনা) নৈনরগা (নৈরগা) মাহুদগী থোয়কপা রসজ্ঞানগী অমৃত অদু থকহন্নবা হোৎনবদা ভগবদ্গীতাগী সূক্ষ্মশরীরনি অনী অসিনা ভগবদ্গীতা উপানবদ কী মূর্তি ওই। জীবাত্মাগী মূর্তিদি সূক্ষ্মশরীর স্থূলশরীর অনীসিনা ওই। স্থূলশরীরনা কর্মনি সূক্ষ্মশরীরনা জ্ঞাননি। জ্ঞান কর্ম অনীনা ভগবৎগীতাগী মূর্তি ওই। তাহবং মপোকত মূর্তি শুনা পোকপা হায়বদি স্থূল-সূক্ষ্মশরীর অনীসি শুনা পোকপা হায়বনি। হায়বদি, জ্ঞানশক্তি কর্মশক্তি অনীসি শুনা পোকপা হায়বনি। মপানগী মৈ ঈশিংনচিংবনা ওইজখিবা হকচাং অসিদা থোওখুং শোয়দনা মশীংবাশুনা পোকপা তাকনা মূর্তিশুনা পোকপা হায়বহু নত্তে। জ্ঞানতাদনা কর্ম তৌরিবমথৈ পুনশিচুম্না মূর্তি শুদনা পোকপা মপোক্তা হকচাংদ) জীবসি লৈরিবনি। মপাম্বোংগী থোওখুং কজনগা মশীং হাত্তনা পাম্নপা কৈদৌননি ? মপাম্বোংগী অহল ওইবা, নহা ওইবা, হকচাংসিগী কামদবা মায়াদা মুগ্ধ (শুমহৎপা) ওইদ ওইমা লাল তৌরম্বা, লালথাদোকে নীংলকপ হায়বদি সন্ন্যাসী ওইগে থন্নকপা অর্জুনদা ভগবান্না জ্ঞান তাকপনি। গীরবা গীতান রাম শন্না, রাম কোইনা, রাম লাইনা তাকপা অদুগ চাউরবা (থগ,

আনৃশংস্যং ক্ষমা শান্তিরহিংসা সত্যমার্জবম্। অদ্রোহোঽনভিমানশ্চ হ্রীস্তিতিক্ষা শমস্তথা ॥৩৯॥
পন্থানো ব্রহ্মণস্ত্বেতে এতৈঃ প্রাপ্নোতি যৎ পরম্। তদ্ বিদ্বাননুবুধ্যেত মনসা কর্মনিশ্চয়ম্ ॥৪০॥
যাং বিপ্রাঃ সর্ব্বতঃ শান্তা বিশুদ্ধা জ্ঞাননিশ্চয়াঃ। গতিং গচ্ছন্তি সন্তুষ্টাস্তামাহুঃ পরমাং গতিম্ ॥৪১॥
বেদাংশ্চ বেদিতব্যং চ বিদিত্বা চ যথাস্থিতিম্। এবং বেদবিদিত্যাহুরতোঽন্যো বাতরেচকঃ ॥৪২॥
সর্ব্বং বিদুর্ব্বেদবিদো বেদে সর্ব্বং প্রতিষ্ঠিতম্। বেদে হি নিষ্ঠা সর্ব্বস্য যদ্ যদস্তি চ নাস্তি চ ॥৪৩॥
এষৈব নিষ্ঠা সর্ব্বত্র যৎ তদস্তি চ নাস্তি চ। এতদন্তং চ মধ্যং চ সচ্চাসচ্চ বিজানতঃ ॥৪৪॥

অচ্ছেত্ত জীবপানবা থৃদিংমক্তা চপ্ মান্নবা থৌজালগী মীংয়েংনা য়েংবা, মীগী অৱানবা ভাকপিবা, চুমিংচুপ্প তপথনা-চীংনা লৈবা, হিংসা তৌদবা, অচুম্বা ত্তাঙবা, চীচব চহা:— লৌগুপ কৌকোই লৈতবা, কক্লক-য়েংথিরূদবা, থোয়দবা, চীকাইবথবা. অৱাব থাওখ্রা, ইন্দ্রিয় থুচুমচনবা—মখোয় অসি পরব্রহ্ম থয়মাত্মাবু ফংনবগী লম্বীনি। হায়রিবশিংসিগী পাম্বেনা পরমাত্মা পরমানন্দ মহাকপু ফংনৈ। মতৌ অসুম্না বিদ্বান-জ্ঞানী ওইবা মীনা পুন্নীংগী পাম্বেনা থাজৈ শেংবা কর্ম হায়বচুগী পোলোইবু ওলীংত্তানা লেপ্পচুনা থরৈ—অচুগা থমগদবমল্লি ॥৩৯-৪০॥

চীয়ম পুন্নমক্ত শান্তিফংলবা, চুমিংচুপ্প চীপেত্ত পেঙচুনা লৈবা, থম্মোয়দা কন্নিওয়া অমকপগী শক্লক অমত্তা লৈক্রবা, জ্ঞানমার্গতদা চঙ্না লৈন্নিবা, অচুওম্বা ব্রাহ্মণ অচুনা ফংগ্রিবা গতি অদুনি পরমাগতি হায়রিবসি ॥৪১॥ বেদশিংবু, অচুগা বেদগী জ্ঞানশিংচুমা পাম্বে ওইচুনা ফংব য়াবা অচুগা হায়রিবা পাম্বেসিংতনত্ত ফংগদ ওইবা পরব্রহ্মাচুগী তত্ত্ববু থওবা মচাক অচুতবু বেদবিৎ (বেদ থওবা) হায়না কৌই। হায়রিবা বেদবেত্তা অসিনত্তবা মথেনা বেদবু, বেদগী তত্ত্ববু, পরমাত্মাগী তত্ত্ববু থওবা ওমদে। মৈচুম উত্তোংদগী চুংশিং কামথোয়কপচুগুম্না মতীন্দগী বেদ উচ্চারণচুগী চুংশাশোয়না চুংশিং কাযথোকচয়কপদনি ॥৪২॥

বেদ থওবা মীদি শোইনা থত্তিও, ময়মদি পুন্নমক বেদদা ফুওচুনা লৈ। লৈন্নি লৈন্নিবা অচুগা লৈত্রি লৈত্রিবা পোংথুদিংগী অবস্থা অচুগা লৈন্নিবা মরৈ, লৈত্রিব মরৈত্ত পুন্নমক অসি বেদদা নীওথিনা ব্যাখ্যা তৌচুনা ভাকলি ॥৪৩॥ শাস্ত্র পুন্নমক্লা চপ মান্নবা লেপ্লিবা সিদ্ধান্ততি করিনো হায়বদা—বিশ্বজগৎ

যজু: সাম, অথর্ব) বেদনা তাক্কে। অত্তে উপনিষৎকী য়াদি করি অমুক হায়রূগনি। অংবা যুক্তি ওনা পোকপদি বেদদগীসু গীতানা হেন্নি। অংনা বেদবু ব্রহ্মবিত্তানি হায়নদে। গীতাবুদি ব্রহ্মবিত্তানি হায়রৈ। 'গীতা গঙ্গা চ গায়ত্রী, সীতা সত্যা সরস্বতী। ব্রহ্মবিদ্যা ব্রহ্মবল্লী ত্রিসন্ধ্যা মুক্তিদায়িনী। × ×" অসিনচিংবসি গীতাদা হায়বগুম্না বেদদা হায়নদে। অচুগুম্বী গীতানসু বস জ্ঞানামৃতবু চুপ্প চাবা অচুক্তনা জীবাত্মাসিগী পরমগতি (পরমোদ্দেশ্য) নি। অথোইবা উদ্দেশ্যনি হায়রি। মত্তাং অসি সাংখ্যযোগগী সৃষ্টিকর্ত্তা ভগবান্ কপিলনা স্যূমরশ্মিদা তাক্লি। (কালাচাঁদ)

সমাপ্তং জ্ঞান ইত্যেব সর্ববেদেষু নিষ্ঠিতম্। সত্যোম ইত্যনুগতমপবর্গে প্রতিষ্ঠিতম্ ॥৪৫।
ঋতং সত্যং বিদিতং বেদিতব্যং সর্বস্যাত্মা স্থাবরং জঙ্গমং।
সর্বং সুখং যচ্ছিবমুত্তমং চ ব্রহ্মাব্যক্তং প্রভবশ্চাব্যয়ং চ ॥৪৬॥

অমিদ লৈরিবা হায়বদি লৈ হায়না উরিবা পোৎ খুদিংমক অসি, লৈ হায়নাউরিবসি লৈ হায়না থাজরিবা মতম অদু কাওবতমি লৈরিবা। অদুবু পরমার্থদৃষ্টিনা অমদি জ্ঞান দৃষ্টিদা য়েংশিল্লকপদদি লৈরিবা মরে অদুনা বাধাবিঘ্ন য়াম্ না পীবা মরমনা লৈ হায়রিবা মথোর অদু মতম অদুদা শূকলৈ লৈখিদে। অদুনা জ্ঞানী পুরুষশিংগী মীত্তা অউবা উদবা পোৎ খুদিংমকী অদুগা অঁরবা-লৈতবা পোৎখুদিংমকী অহোবা মরক-অরোইবা অদুমক অসি ব্রহ্মস্বরূপনি। হায়বদি ব্রহ্মতনা পোৎ খুদিংমকী অহোবা-মরক-অরোইবা শরুক অদুমক ওইরিবনি ॥৪৪॥

পুরমক থাদোক্লবা তুংদা ব্রহ্ম কংলিবনি হায়বদি ব্রহ্মজ্ঞান লাক্লিবনি ব্রহ্মজ্ঞান অমদি ব্রহ্মজ্ঞানী মশামক ব্রহ্মস্বরূপনি। মাসি, বেদ পুমথক্না য়ানথবা-লেপনথবা বিষয় অমনি। হায়রিবা ব্রহ্মজ্ঞান অদি মশানা আনন্দস্বরূপ ওইবনা ধর্ম পুম্নমকী অদুগতনি হায়বদি করিগুম্ব ধর্ম অমগী বিরুদ্ধ ওইদে। মহাক অসিত্তনা অরানবা খুত্তম হায়বদু পীরিবনি ॥৪৫॥ *

মরম অদুনা ব্রহ্ম হায়বসি খ্বাইদগী চুম্বা, থত্তুনা লোইথবা, থত্তগদব মকপু ওইবা, অচচন্ত খুদিংমকী আত্মা ওইবা, অচচন্ত পোৎ খুদিংমকী অমগমগা চপ মান্নবা মশক ওইবা, মপু কানা ফুংঙাইবা হায়বদুমক ওইবা খ্বাইমকী মঙ্গল ওইবা, খ্বাইমক্কী অংহনবা-অফবা ওইবা, পোৎ খুদিংমকী মশক ওইবনা অরেম্বা

* সংসারদা হেক লৈরিবা, চংনরিবা ধর্ম সম্প্রদায় অমত্তনা ধর্ম হায়বসি অরাবা কংমনবগীদমক্তনি হায়বসি হায়রম্মরোইদৌবনি। আনন্দ (নুংঙাইবা) হায়বদু কংমনবগীদমক্তা ধর্ম হায়বসি লৈরিবনি; হায়বসিদা করিগুম্বা ধর্ম সম্প্রদায় অমত্তনা য়েংলরোইদৌবনি। ধর্মগী সম্প্রদায় অমমত্তা লৈরিবসি তাই-বংমীবু অরাবা তাহনগে হায়বগীদবক্তা নত্তে। অদুগা কংনগদৌরিবা, কংহনগদৌরিবা আনন্দ অদুসু অনিত্য নত্তে, ওহাকী নুংঙাইবা অদু নত্তে। ওহাকী নুংঙাইবা অদুকাওবা তাইবংমীনা তাররিবনি। অদুনদি নিত্য ওইনা মাঙবা লৈতনা অদুক নুংঙাইথবা হায়বদুবুদি করিগী পাম্মোই,—করিগী তাম্রোই? অদুগুম্বা নিত্য ওইবা অনন্ত ওইবা অরোইবা লৈতবা আনন্দ অদুবুনি ব্রহ্মানন্দ হায়রিবসি। ধর্ম পুম্নমক্তা লীঙ্‌নো লৈবদুবুনি ব্রহ্ম হায়রিবসি। "ঐদি ব্রহ্মবাদী নত্তে" হায়রিবদু ঐগী ধর্মদি ওহাকগী নুংঙাই-হনবা ধর্মনি হায়গুবনি। অদুম্না হায়রিবা নাস্তিক মশামক থরকুইথনা পুনশিন্নুনা থর কূইনা নুংঙাইথবসি অদুম মপাম্মি। নিত্য ওইবা আনন্দবু পাম্মোইদৌবদি কনানু লৈতে। মুম্না থদুকখবিদি মী খুদিংমকী উম্নেক্তদি ব্রহ্মানন্দবু ফংনবা হোৎনবা অসিত্তনি। অদুগুম্বা ব্রহ্মানন্দ হায়বদি ব্রহ্মজ্ঞান অদুত্তনা তাইবং মীবু অরাবা খুদিংমক্কগী মুক্ত ওইহনগদৌরিবনি। (কালাচান্দ)

তেজঃ ক্ষমাশান্তিমনাময়ং শুভং যথাবিধং ব্যোম সনাতনং ধ্রুবম্।
এতৈঃ সর্ব্বৈর্গম্যতে বুদ্ধিনেত্রৈ তস্মৈ নমো ব্রহ্মণে ব্রাহ্মণানাম্ ॥৪৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
গো-কপিলীয়ে পঞ্চষষ্ট্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৫॥

——:(✦):——

অকন্নবা মশক লৈতবা, পোং খুদিংমক্কী হোয়রককম মকম্ ওইবা অদুগা * থিগুবা মকম মতমদা অমাত্তত্তা লৈরোইদৌবনি ॥৪৬॥

অদুগুম্বা, আকাশগী মতৌগুম্বা, কন্নিগুবা পোং অমত্তগী শরুক অমত্তবা মত্তোন্দা নপশিলহন্দবা-থোংহন্দবা, মকম মতম পুম্নমক্তা অমাত্তবা লৈরোইদৌবা ব্রহ্ম মহাকপু তত্ত্বজ্ঞানী ওইবা মীশিংতনা জ্ঞানগী তেজ, থাওবা কনবা ওাকপিহৈব(অদুগা শান্তিমচিংবগী পাম্বৈতনা ফংবা ঙম্মি। অউবা পোত্তা হায়রগা, ব্রহ্ম খঙলিবা-ব্রহ্মতত্ত্ব মুম্ন খঙলিবা সাধক অদুমক মাগী অউবা মশা ওইনা লৈহনবা অদুগুম্বা ব্রহ্মদু হুম্না হুম্না খুরুমজৈ ॥৪৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা গো কপিল-ওাঙনবদা চনী-হুম্‌ফুমঙাত্তবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৫॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

ষট্ষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(তপস্বী ব্রাহ্মণ অমগা কুণ্ডধার কৌবা মেঘ অনীগী সংবাদ)

চনীহুম্‌ফুতরুক্তবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

ধর্ম্মমর্থং চ কামং চ বেদাঃ শংসন্তি ভারত। কস্য লাভো বিশিষ্টোঽত্র তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

নিংথৌ যুধিষ্ঠিরনা হংজি :— ভরতশাগেগী মংঙাইনকমগী মশক ওইরবা কৈবুথৌ? বেদনদি ধর্ম অর্থ কাম অহুম অসিগী মগুণ মকম অরাম্বদা বর্ণন তৌরি। অদুগা মথোয় অসিগী মনুংদা কনানা খ্বাইদগী

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি ইতিহাসং পুরাতনম্। কুণ্ডধারেণ যৎ প্রীত্যা ভক্তায়োপকৃতং পুরা ॥২॥

অধনো ব্রাহ্মণঃ কশ্চিৎ কামাৎ ধর্মমবৈক্ষত। যজ্ঞার্থং সততোঽর্থার্থী তপোঽতপ্যত দারুণম্ ॥৩॥

স নিশ্চয়মথোকৃত্বা পূজয়ামাস দেবতাঃ। ভক্ত্যা ন চৈবাধ্যগচ্ছৎ ধনং সম্পূজ্য দেবতাঃ ॥৪॥

ততশ্চিন্তামনুপ্রাপ্তঃ কতমদ্দৈবতং তু তৎ। যন্মে দ্রুতং প্রসীদেত মানুষৈরজড়ীকৃতম্ ॥৫॥

সোঽথ সৌম্যেন মনসা দেবানুচরমন্তিকে। প্রত্যপশ্যজ্জলধরং কুণ্ডধারমবস্থিতম্ ॥৬॥

হেনবগে হায়রবহুদি থাজৈ শেংনা ফোঙদোকপিদে। অহুনা, ঈবুংঙোনা মখোয় অহুম অসিগী মনুংদা করম্বা খ্বাইদগী হেনবগে হায়রবহু তাকপিয় ॥১॥ *

ভীষ্মনা হায়:— নিংথৌ? নহাক্কা হংলিবা বিষয় অসিগী মরমদা কুইরবা ইতিহাসগী ৱারী অমা তাকনগে। মমাংঙৈদ কুণ্ডধার কৌবা মেঘদেবতা (মো·) অমুনা পেন্থিংনা মহাকী মফমদা ভক্তি য়াম্না তৌজবা ভক্ত অমগী উপকার য়াম্না তৌবিখি ॥২॥ করিগুম্বা মতম অমদা মুম্না লায়রবা ব্রাহ্মণ অমনা লনলৈননব সকাম কর্ম অমত্তং তৌগে হায়না মপূক্কীংদা লেপখি। মসিগী মরমদা চাউরবা যজ্ঞ অমত্তং পাঙথোক্নবগী দমক্তা মহাক মতীকচাবা লেল থম্না পাম্খির্মি। মাংলীদমক্ত অকনবা তপস্যা তৌরম্মি ॥৩॥ লাইরেবাকী লাইনিংথৌশিং, দেবী দেবা অয়াম্বা আবাহন তৌদুনা পূজা তৌরম্মি। অদুবু, তৌরিবা মাগী সেবা পূজা অমুনা মত্তোম্দা করিমত্ত ফাম্রক্রে। করিগুম্বা লল মচেং অমা ফংবা উমথিক্রে ॥৪॥

অদুগীদি খুদক্ক পেনহিবা হৈরবা, থৌজাল হৈবা দেবতাসি কনা ওইরিব্গে অমুগা তাইবংমীনা পূজা ইতৌতৌদ্রিবা লাই লিনা কনা ওইরিব্গে হায়না কুপ্প বিচার তৌনকই ॥৫॥ অদুগী মতুং তাইহাক

---

* ধর্মনা পাম্বে ওইদুনা ফংঙকপা পোৎ অদু অর্থ (সম্পত্তি) নি। অর্থ অমুনা পাম্বে ওইদুনা ফংনিংবা অপাম্বদু কনৈ অপাম্বা অমুনি কাম হায়রিবসিনা। ধর্মনা ফংবা পোৎ অদুতবু অর্থ কৌই। অধর্মনা ফংবদুনি মমল য়াম্লসু অর্থ নত্তে, মদু অনর্থ নি। অনর্থ (অর্থ নত্তবা-অচুম্বা সম্পত্তি নত্তবা) না অপাম্ব (কাম) বু নিত্য ঙম্না পীবা ঙমদে। যুধিষ্ঠিরনা চিংনম্নিবদি ধর্ম হান্দনা অর্থ ফংবা ঙমদে, অর্থমুনা অমুক দানযজ্ঞন চাবা ধর্মগী অনুষ্ঠান ময়াম অসি তৌগদৌরিবনি। কাম (অপাম্বা) অদুবু পীবা ঙমদ্রবদি অর্থনি হায়রিবদু থাজৈথোক্বা অর্থ নত্তে। অদুগনি, মখোয় অহুম অসিগী মনুংগী খ্বাইদগী অথোইবা অমত্তংতবু তানগে, হায়রবদি ধর্মতবু তানগনা, অর্থ অপেংবদুদবু তানগদবা মত্রগা অপাম্বা (কাম) অদুদবু তাক্লগা অমদি ফংলগা ধর্মগী অনুষ্ঠান অমুক তৌদ্রবম্ব য়ারবরা ?—অসিনি। মহাক পাম্বা অমদি ফংলবা মনুংদা অতৈ অতোপ্পা পাম্নীঙায় অমা লৈত্রবা মহাক অদুদগী মোক্ষ (অরানবা থুকম) হায়বা অমম্না লৈরি (কালাচাঁদ)

দৃষ্ট্বৈব তং মহাবাহুং তস্য ভক্তিরজায়ত। অয়ং মে দাস্যতি শ্রেয়ো বপুরেতদ্ধি অদ্ভুতম্ ॥৭॥
সংনিকৃষ্টশ্চ দেবস্য ন চান্তৈর্মানুষৈর্বৃতঃ। এষ মে দাস্যতি ধনং প্রভূতং শীঘ্রমেব চ ॥৮॥
ততো ধূপৈশ্চ গন্ধৈশ্চ মাল্যৈরুচ্চাবচৈরপি। বলিভির্বিবিধাভিশ্চ পূজয়ামাস তং দ্বিজঃ ॥৯॥
ততস্ত্বল্পেন কালেন তুষ্টো জলধর স্তদা। তস্যোপকারনিয়তামিমাং বাচমুবাচ হ ॥১০॥
ব্রহ্মঘ্নে চ সুরাপে চ চৌরে ভগ্নব্রতে তথা। নিষ্কৃতির্বিহিতা সদ্ভিঃ কৃতঘ্নে নাস্তি নিষ্কৃতিঃ ॥১১॥
আশায়াস্তনয়োঽধর্মঃ ক্রোধোঽসূয়াসুতঃ স্মৃতঃ। লোভঃ পুত্রো নিকৃত্যাস্তু কৃতঘ্নো নার্হতি প্রজাম্ ॥১২॥
ততঃ স ব্রাহ্মণঃ স্বপ্নে কুণ্ডধারস্য তেজসা। অপশ্যৎ সর্ব্বভূতানি কুশেষু শয়িতস্তদা ॥১৩॥

লৈরপা দেবতা পুন্নমকী ঈ-পাউ পুন্না লৈরিবা কুণ্ডধার কৌবা মেঘ (মোং) অদুবু ব্রাহ্মণ অদুনা মথাঙ-দা লেপ্লুনা লৈবদু উই ॥৬॥

অকনবা কুণ্ডধার কৌবা মেঘ অদুবু হেক উবদা, মহাকী মক্নদা থত্তহৌদনা ব্রাহ্মণ অদুগী থম্মোয়-দা ভক্তিগী ঈচেল অমা পোকখি। মাসিনা শোয়দনা ঐগী নীংবসি থুংহনব ঙমগনি হায়না ব্রাহ্মণ অদুনা খনখি। মীগী নীংবা থুংহনব মীগী থবক্ত মকল ওইহন্নবগী থুদম পুবদু মাগী মশাদা যাওরি —অসুম হায়নসু ব্রাহ্মণ অদুনা খনখি ॥৭॥

অমুকসু মহাক অসুম হায়না খনখি:— মহাক অসি, স্বর্গগী দেবতাশিংগী মনাক য়াম্ন নক্কবা দেবতা অম ওইনসু উই। মহাকসিগী মনাক্ত অকোয়বদা তাইবংমী অতৈ অতৈমা ঈকোয়-কোয়শিন্না লৈবসু নৗ্রে। অদুনা দেবতাসিনা ঐঙোন্দা শোয়দনা লল থকদি মপীরগনি ॥৮॥ অদুনগীদি, ব্রাহ্মণ অদুদা মাগী লৈজবা ধূপ, দীপ, মনমমুংশিংবা হৈ হৈ থরনা কুণ্ডধার কৌবা মেঘ অদুগী পূজা তৌখি ॥৯॥ কুণ্ডধার কৌবা মেঘ অসি মহাকী পূজা অদুনা থোইনা পেনখ্রে। অদুগী তুংদা ব্রাহ্মণ অদুগী কারনবগী-দমক্তা নিয়ম নাইনা কর্ম্ম তৌনবগী পাউত্তাক পীখি ॥১০॥

ব্রাহ্মণ। ব্রহ্মহত্যা (ব্রাহ্মণদা হিংসা তৌবা, ময়াইকাবা মহী থক্পা, চুয়ানবা, মশাগী ব্রত-নিয়ম থুগাইজবা, অসিগুম্বা মহাপাপ অসি কারুনবা প্রায়শ্চিত্ত-প্রতিকারদি লৈগনি। অদুগা বিশ্বাসঘাত কৌবা তৌবিমল থগুদবগীদি প্রায়শ্চিত্ত লৈত্রে ॥১১॥ অধর্ম হায়বসি আশা কৌবীদুগী মচানি। অশাউবা (ক্রোধ) হায়বদুনা কলক-মিংহৌবা হায়বদুগী মচানি। লোভ (অপাম্বা) হায়বাসনা মরৈমবা চাউবা পূকচেল শেংদব হায়বদুগী মচানি। অদুগা তৌবিমল থগুদবা হায়বদুগীদি মচা লৈত্রে। হায়বদি মতৌন্দগী অমুক মথাত্তানিংঙাই লৈত্রে ॥১২॥

অদুগীতুংদা ব্রাহ্মণ অদু কুণ্ডধার কৌবা মেঘদুগী তেজনা য়ৈবদগী কুশগী আসনথক অদুদা তুম-খি। অদুগা মমঙদা জীবগানবা অচচ্চত্ত পুন্নমকপু উবা ফংখি ॥১৩॥

শমেন তপসা চৈব ভক্ত্যা চ নিরুপস্কৃতঃ। শুদ্ধাত্মা ব্রাহ্মণো রাত্রৌ নিদর্শনমপশ্যত ॥১৪॥
মণিভদ্রং স তত্রস্থং দেবতানাং মহাদ্যুতিম্। অপশ্যত মহাত্মানং ব্যাদিশন্তং যুধিষ্ঠির ॥ ৫॥
তত্র দেবাঃ প্রযচ্ছন্তি রাজ্যানি চ ধনানি চ। শুভৈঃ কর্মভিরারব্ধাঃ প্রচ্ছিন্দন্ত্য শুভেষু চ ॥১৬॥
পশ্যতামথ যক্ষাণাং কুণ্ডধারো মহাদ্যুতিঃ। নিপত্য পতিতো ভূমৌ কুণ্ডধার কিমিষ্যতে ॥১৭॥
ততস্তু দেববচনান্মণিভদ্রো মহামনাঃ। উবাচ পতিতং ভূমৌ দেবানাং তদ্বর্ত্ত ॥.৮॥

কুণ্ডধার উবাচ।

যদি প্রসন্না দেবা মে ভক্তোঽয়ং ব্রাহ্মণো মম। অস্যানুগ্রহমিচ্ছামি কৃতং কিঞ্চিৎ সুখোদয়ম্ ॥১৯॥
ততস্তং মণিভদ্রস্তু পুনর্বচনমব্রবীৎ। দেবানামেব বচনাৎ কুণ্ডধারং মহাদ্যুতিম্ ॥২০॥

মণিভদ্র উবাচ।

উত্তিষ্ঠোত্তিষ্ঠ ভদ্রং তে কৃতকৃত্যঃ সুখী ভব। ধনার্থী যদি বিপ্রোঽয়ং ধনমস্মৈ প্রদীয়তাম্ ॥২১॥
যাবৎ ধনং প্রার্থয়তে ব্রাহ্মণোঽয়ং সখা তব। দেবানাং শাসনাৎ তাবদসংখ্যেয়ং দদাম্যহম্ ॥২২॥

মহাক অসি ইন্দ্রিয় থুংনমচল্লবা, তপস্যাকনবা, ভক্তিভাবনা ভনা থম্মোয় হকচাং শুমথল্ থল্লবা, সংসারগী বিষয় ভোগগী রাথল য়াওল্লবা, পুকচেল শেংলবা মী অমনি। মাগী মওদা মহাক্না উথিবশিং অঙ্গমল্লা কুণ্ডধারগী মঙ্গমদা মহাক্না লৈরিবা ভক্তিহুগী অয়েবী পরিচয় অমদি প্রমাণ অহুম মওইয়ে ॥১৪॥ যুধিষ্ঠির! যক্ষপুন্নমক্কী নিংথৌ পুকচেল চাউরবা মনিভদ্র হায়বহু লৈবহু ব্রাহ্মণ অদুনা উথি। অদুগা মহাক্না করিউবগে হায়বরু, লাইয়ামশিংগী মমাঙদা অতিথি ভিক্ষারীনচিংনশিংবু, মণিভদ্রনা মাগী মনাক্ত কৌশিন্দুনা কমহল্লি ॥১৫॥

হায়রিবা মফম অসিদা লেদতাশিং অদুগী যাচকভিক্ষারীশিং অদুদা মানা মানা ভৌরকপা অকবা কর্ম অদুগী মতুংইন্না মথোয়না সনা লুপা মণিভদ্র লৈপাক (রাজ্য) দান তৌরি। অদুগা মমাঙদা অমুক লৌথিবশিং অদুনা কত্তবা কর্ম তৌরবদি মথোয়দগী ধন-রাজ্যনচিংবহু অমুক মংলি, লৌশিল্লী ॥১৬॥ ভরত-শাগেগী অথোইবা! মফম অদুদা, যক্ষশিং অদুগী মমাঙ মফমদা কুণ্ডধারনা লাক্লিবা লাইয়ামশিং অদুদা চত্তশিন্দুনা মকোক লৈমায় শোক্না থুরম্মি ॥১৭॥

শিংলবা, পুকচেল চালরবা মণিভদ্রনা লাইয়ামদুগী ইঙ্গিত মতুংইন্না—“কুণ্ডধার। মহাক করি পাম্মি হায়” অমুনা কুণ্ডধারদা হংগি ॥১৮॥ কুণ্ডধারনা হায়:— ব্রাহ্মণ অসি ঐগী ভক্তনি লাইয়ামনা ঐবু ঙাংশিবিরবদি—চানবিরবদি, ব্রাহ্মণ অসিনা মাগী মতুংগী পুনশিদা সুখশান্তি ফংজকৌনবা উপায় অসি ঐনা মঙোন্দা পীনীত্তিও ॥১৯॥ মাদু তাবদা মণিভদ্রনা, লাইয়ামশিংদুগী য়াথং মতুং তেঙবৈরবা কুণ্ডধারদা অমুক অমুনা হংজকই—॥২০॥

মণিভদ্রনা হায়:— হৌগৎলু, হৌগৎলু, কুণ্ডধার। নং ঙুংঙাইরো, হরাওরো। পোকপগী মহৈয়াৎনবনি, নাংবগুংলবনি হায়না থজো। করিগুম্বা, ব্রাহ্মণ অসিনা লল পাম্লবদু মঙোন্দা লল পীরনি ॥২১॥ নহাক্না

বিচার্য্য কুণ্ডধারস্তু মানুষ্যং চলমধ্রুবম্। তপসে মতিমাধত্ত ব্রাহ্মণস্য যুধিষ্ঠির ॥২৩॥

কুণ্ডধার উবাচ।

নাহং ধনানি যাচামি ব্রাহ্মণায় ধনপ্রদ। অন্যমেবাহমিচ্ছামি ভক্তায়ানুগ্রহং কৃতম্ ॥২৪॥

পৃথিবীং রত্নপূর্ণাং বা মহৎ বা রত্নসঞ্চয়ম্। ভক্তায় নাহমিচ্ছামি ভবেদেষ তু ধার্ম্মিকঃ ॥২৫॥

ধর্মেঽস্য রমতাং বুদ্ধির্ধর্মং চৈবোপজীবতু। ধর্মপ্রধানো ভবতু মমৈষোঽনুগ্রহো মতঃ ॥২৬॥

মণিভদ্র উবাচ।

সদা ধর্মফলং রাজ্যং সুখানি বিবিধানি চ। ফলান্যেবায়মশ্নাতু কায়ক্লেশবিবর্জিতঃ ॥২৭॥

ভীষ্ম উবাচ।

ততস্তদেব বহুশঃ কুণ্ডধারো মহাযশাঃ। অভ্যাসমকরোদ্ধর্ম ততস্তুষ্টাস্তু দেবতাঃ ॥২৮॥

ভক্ত অমদি মরূপ ব্রহ্মাণ অসিনা ঐনা লাইহ্নামনিং অসিনগী য়াথং লৌরগা মহাক্না হেক পাম্বা শেল অদু দনীং লাকতুমদনা পীগনি ॥২২॥

যুধিষ্ঠির! অদুক করবা বর অদু কংবদ ণুংঙাইগেদি হায়রবনা কুণ্ডধারনা অমরোমদ কহি হায়না ররকপগে হায়রবু —তাইবং মীগী পুনশিদি থঞ্জিক্কনি, তাইবা মী হায়রবসি য়াম্ন চক্তশনি, ভহাক্ক চনীং তাদবনি। দম্মুম সনালুপা অসি হায়রবা অনিত্যনি, ভতাকীদনি। অদুনা কাম্নদে, ব্রাহ্মণ অসিগী তপস্যাগী শক্তি হেনগৎহনবা অদুগা ধর্ম্মগী মায়গেদা নাংবু নোংমগী মাগী বুদ্ধি অসি চঙ্‌শিনহনথিবনা ফৈ ॥২৩॥

কুণ্ডধারনা হায় :— হে লম্মুম পীনবৈবা, দেবতা! ঐ ব্রাহ্মণ অসিগী দমক লম্মুম নিজগে, পামজদে, ঐগী ভক্ত অমদি মরূপ ওইরবা ব্রহ্মাণ অসিগী মথক্তা কৃপা তৌনজনিংবদি মথং অমদনি। ব্রাহ্মণ অসিগী দমক্তা, ঐ সনালুপা মণিমুক্তানা থল্লবী পৃথ্বী অদুগা মণিমুক্ত মথল কয়া কয়ানা থল্লবা পৃথিবী অদুগা মমল য়াম্ন হীরাই কয়া কয়ানা থল্লবা ঈপাক অনীসিনক অমত্ত পামজদে। ঐনা ঐগী মরূপ ভক্ত অসিবু মনি-মুক্তানচিংবা য়াম্ন থিবিক্ক থল্লবী পৃথিবী পুম্বসিগী অদুগা হীরাইনা থল্লবা লনগৈ পুংগ কয়াগীমপু ওইহনবদু পামদে। ঐনা পামজবদি ধর্ম্মাত্মা ওইরিবসিদগী অমুকদু হেন্না ধর্মাত্মা ওইশিল্লকপা, হৌজিক তৌরিবা তপস্যাসিদগী অমুকদু হেন্না তপস্যা তৌশিল্লকুনা মহাতপস্বী অমা ওইরকপা অদুগা মহাকী বুদ্ধি অসিদা হুমিং চুম্না ধর্মগী মায়গৈতদা মনায় ওইশিনবা অদুগা ধর্ম অমদি পুণ্য কর্মগী বুদ্ধিতনা মপুনশি লেনবা— অসিতনি। মহাকী পুনশিদা অমনি পুনশিগী উদ্দেশ্যদি ধর্মতনা মক ওইবা শরাক ওইহনগদবনি। মীশক সিগুম্বগী মকমদদি অসিগুম্বা বরদানতনা থুইদগী অথোইবা ওইগনি ॥২৪-২৬॥

মণিভদ্রনা হায়ঃ – ধর্মগী মতৈদি চাওথৎলবা রাজ্য (সিংহাসন) অদুগা সুখ সম্পত্তি—অসিতনি। অদুবা ব্রাহ্মণ অসি নোংমগী হকচাংদা কংবা অরাবক লেশমাত্র অমত্ত খাঙদনা হায়রিব মাইহনিং কংজনদু ॥২৭॥ ভীষ্মনা হায় :— যুধিষ্ঠির! মণিভদ্রনা অদুম্না হায়রকাওবদা … হায়খিবদুদগী ইহোং হোং-

মণিভদ্র উবাচ।

প্রীতাস্তে সর্ব্বদেবতাঃ সর্ব্বাশ্চ ঋষয়স্তথৈব চ। ভবিষ্যত্যেষ ধর্ম্মাত্মা ধর্মসাধারস্তে মতিঃ॥২৯॥

ততঃ প্রীতো জলধরঃ কৃতকার্য্যো যুধিষ্ঠির। ঈপ্সিতং মনসোলব্ধং বরমন্যৈঃ সুদুর্লভম্॥৩০॥

ততোঽপশ্যত চীরাণি সূক্ষ্মাণি দ্বিজসত্তমঃ। পার্শ্বতো ন্যাসতো ভক্তমথ নির্ব্বেদমাগতঃ॥৩১॥

ব্রাহ্মণ উবাচ।

অয়ং ন সুকৃতং বেত্তি কোঽন্যো বেৎস্যতে কৃতম্। গচ্ছামি বনমেবাহং বরং ধর্ম্মেণ জীবিতুম্॥৩২॥

ভীষ্ম উবাচ।

নির্ব্বেদাদ্দেবতানাঞ্চ প্রসাদাৎ স দ্বিজোত্তমঃ। বনং প্রবিশ্য সুমহৎ তপ আরব্ধবাংস্তদা॥৩৩॥

দেবতাতিথিশেষেণ ফলমূলাশনো দ্বিজঃ। ধর্ম্মে চাস্য মহারাজ দৃঢ়া বুদ্ধিরজায়ত॥৩৪॥

ত্যক্ত্বা মূলফলং সর্ব্বং পর্ণাহারোঽভবৎ দ্বিজঃ। পর্ণং ত্যক্ত্বা জলাহারঃ পুনরাসীৎ দ্বিজস্তদা॥৩৫॥

দনা হায় হায়খিবা অদুত হয়া হয়া চায়তুনা লৈখি। "ধর্মতদা মাগী বুদ্ধিনি। অদুবস্থম চৎশিন্দুনা লৈব ওই-সনু।" অসিটবু হয়া হয়া চায়তুনক লৈখি। মাতু তাবদা পাইরামখিবীক্কা পুমপেন পনখ্রে ॥২৮॥

মণিভদ্রনা হায়রকই :— কুণ্ডধার! নহাকী অমদি নহাকী মরূপ ভক্ত অসিগী মকমদা লাইরাম-শিংনা যাম পেনখ্রে। ব্রাহ্মণ অসে মহা পুণ্যবান ধর্মাত্মা অম ওইরগনি অদুগা পনম্বিচম্ব মহাকী বুদ্ধি অমদি যাথলনা ধর্মবোমতক চৎশিনবা হায়বঃ ওইরগনি ॥২৯॥ যুধিষ্ঠির! মচৌ অম মা অনা পাক্-কংবদ যারপদবা, তাঙবা, কংওদ্রবা বরদান মনি ফংবা কুণ্ডধার অসি মীবা পুম্বা থুম্বদুনা থোই-দোক্না পেঙখি ॥৩০॥

অদুগী তুংদা অথোইবা ব্রাহ্মণ তপস্বী অদুনা মাগী মনাক্ত নাংদ্রেংপোম ওইবোমদ কুপ্পবা লানা শাবা, পাবরা থোংলবা কি অদুগা উগীগনি কয় তাদুনা লৈবত্তি উই। মাতু উবদা মাগী পুক্লীংদা অমাবা হৈনিংদবা, বৈরাগ্যভাবপোকখি ॥৩১॥

ব্রাহ্মণসিনা হায়রকই (মপুক্লীংদা অসুম খল্লকই :— অইগী পুণ্যচেন্নবা তপস্যা অসিগী উদ্দেশ্যবু কুণ্ড-ধার মশামক থওবা ওবখিদে ; অদুনদি মীচম অমনদি কয়ম হায়না থওবা ওমগনি। ফয়ে, ঐ হৌজিক বন লোমদ চৎখ্রগে। ধর্মতগী মশক ওইরবা পুনশি লেনখিবনা হেন্ন ফয়নি ॥৩ ॥ ভীষ্মনা হায়ঃ—নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মশাদা লাকপা বৈরাগ্যভাবনা অদুগা দেবতাশিংগী কৃপাদুগনা অমুকুলেন্না কয়া তপস্যা তৌশিন্খিবগী শক্তি অমদি হৈনিংবদু পোকখি ॥৩ ॥

নোংমগী কংজবকুগী মদুদগী অতিথিশিংগী অদুগা দেবতাশিংগী মচীক্ থানা শরুক তংগথা লেমচৌবা শরুক্ অদু জীবিকাগী মতক্তা চেক্ চেক্ চায়। নিংথৌ! ধর্মগী মাংগৈগেয়োমতক্তা মহাকী বুদ্ধি অদু নীত-হুমলনা মরু চেংবা চৎশিন্দুনা লৈখ্রে ॥৩৪॥ চহী মতম থরা উইহে-বাহৈত চাদুনা তপস্যা তৌরবগী তুংদা উইহে

বায়ুভক্ষস্ততঃ পশ্চাৎ বহুবর্ষগণানভূৎ । ন চাস্য ক্ষীয়তে প্রাণস্তদদ্ভুতমিবাভবৎ ॥৩৬॥
ধর্ম্মে শ্রদ্দধানস্য তপস্যুগ্রে চ বর্ত্ততঃ । কালেন মহতা তস্য দিব্যাদৃষ্টিরজায়ত ॥৩৭॥
তস্য বুদ্ধিঃ প্রাদুরাসীৎ যদি দদাম্যহং ধনম্ । তুষ্টঃ কস্যচিদেবেহ মিথ্যা বাঙ্ন ভবেন্মম ॥৩৮॥
ততঃ প্রহৃষ্টবদনো ভূয় আরব্ধবাং তপঃ । ভূয়শ্চিন্তয়ং সিদ্ধো যৎ পরং সোঽভিমন্যতে ॥৩৯॥
যদি দদ্যামহং রাজ্য তুষ্টো বৈ যস্য কস্যচিৎ । স ভবেদচিরাদ্রাজা ন মিথ্যা বাগ্ ভবেন্মম ॥৪০॥
তস্য সাক্ষাৎ কুণ্ডধারো দর্শয়ামাস ভারত । ব্রাহ্মণস্য তপোযোগাৎ সৌহৃদেনাভিচোদিতঃ ॥৪১॥
সমাগম্য চ তেনাথ পূজাং চক্রে যথাবিধি । ব্রাহ্মণঃ কুণ্ডধারস্য বিস্মিতশ্চাভবন্নৃপ ॥৪২॥
ততোঽব্রবীৎ কুণ্ডধারো দিব্যং তে চক্ষুরুত্তমম্ । পশ্য রাজ্ঞাং গতিং বিপ্রলোকাংশ্চৈব চ চক্ষুষা ॥৪৩॥

মাহে অহুম থাদোকখিহুনা ঊনা অকংবত্ত শায়হুনা মতম লেনখি । থর লৈরগা ঊনা শায়বহুস্ত থাদোক-খিহুনা ঈশিংত্ত থকুবা মতম লেনখি । অমুক অসুম্না মতম থরদং লৈরবতুংদা ইশিং অহুম থাদোকুনা নুংশিংত্ত চাহুনা চাহবদি সুংশাশোরত হোন্দোক হোজিন তৌহুনা মতম লেনখি । অহু মৌয়ফাওবদা মাগী প্রাণশক্তি অহুদি থক হুনবা, হুহুবা লৈতে । মাহুম অঙকপা অমনি ॥৩৫-৩৬॥

ধর্ম্মদা থমথোনা থমখিবা শ্রদ্ধা কৌবা থাজবহুমক্তা পাম্বে ওইহুনা মহাতপস্বী অহুগী মশাদা দিব্য-দৃষ্টিগী শক্তি লাকখি ॥৩৭॥ মতম অসিদা মাগী পুক্নীংদ অসি অমুভব (থাখল) অম লাকখি । মতম অহুদা মহাক্না অসুম্না খল্লকই :— ঐনা পেল্লকপা-নুংঙাইবব মতমদা জগৎ অসিদা কনাগুম্বা লায়রবা-মী অমগী মকমদা লন্থুম মপৈ দান তৌরম্নবদি ঐগী বচনদা মীনম্বা হায়বহু মরীক অমত লৈর-ম্মোইদৌবনি ॥৩৮॥

বিচার অসি মাগী পুক্নীংদা হেকসাকপনা মাগী মারখোং অহু ওহাক্ত মকা র'ম্মিম্মি । অহুদগী মহাক হায়দগী হেন্না কন্না তপস্যা অমুক তৌখখি । সিদ্ধি ফংলবা তুংদা, মহাক্না মপুক্নীং ভৌখিবা সংকল্প অহু কব হায় চাউবা ওইখোক্নবা ওইরবম্ন খুদক্ত মনাক্ত হেক্ত পৈখি থুংখি । মাহু উবদা ব্রাহ্মণনা অসুম্না খনখি ॥৩৯॥

ঐনা হায় পেনখিহুবা কনাগুম্বা অমগী মকমদা রাজ্য (লৈপাক) পী:থারম্লবদি মহাক নিংথৌ ওই-রম্নগদবনি । অহুপা পীগনি হায়না হায়খিবা ঐগী বাহুম মীনম্বা হায়জিনবা হায়বহু থক ওইরম্মোই-দৌবনি ॥৪০॥ ভারতশাগৈগী নুঙাইনবগী মশক ওইবা ! ব্রাহ্মণ তপস্বী অহুগী তপস্যাগী শক্তিহু-মক্তনা, অসুম্না থম্লিংউহুমক্তদা কুণ্ডধার কৌবা মেঘ (নোং) অহু মফমহুমক্তদা হেক লাকই । ব্রাহ্মণ অহুম কুণ্ডধারবু উবদা হায় ওকখি ॥৪১-৪২॥

ওহাক লৈরগা কুণ্ডধারনা ব্রাহ্মণ অহুদা অসুম্না হায়রক-ই : — ব্রাহ্মণ অখোইবা ! নহাক অখোইবা দিব্যদৃষ্টি ফংলবনি । অহুনা নহাক হৌজিক দিব্যদৃষ্টি (উদব কৌবা লৈত্রব) অহুনা পাম্বে ওইহুনা অচৌ অচৌবা নিংথৌকম্না করাগী ওইরিবা দশাসি য়েংউ । মখোয়শিংসিনা মহাক মহাক তৌজরুবা কর্মহুগী মহৈনা চংখ্রি চংখ্রিবা লোকশিং অহুম মরেকলামা য়েংউ ॥৪৩॥

ততো রাজসহস্রাণি মগ্নানি নিরয়ে তদা। দদর্শ পশ্চাৎ বিপ্রঃ স দিব্যযুক্তে চক্ষুষা ॥৪৪॥

কুণ্ডধার উবাচ।

মাং পূজয়িত্বা ভাবেন যদি ত্বং দুঃখমাপ্নুয়াৎ কৃতং ময়া ভবেৎ কিং তে কশ্চতেঽনুগ্রহো ভবেৎ ॥৪৫॥
পশ্য পশ্য চ ভূয়স্ত্বং কামানিচ্ছেৎ কথং নরঃ। স্বর্গদ্বারং হি সংরুদ্ধং মানুষেষু বিশেষতঃ ॥৪৬॥

ভীষ্ম উবাচ।

ততোঽপশ্যৎ স কামং চ ক্রোধং লোভং ভয়ং মদম্। নিদ্রাং তন্দ্রীং তথালস্যমাবৃত্য পুরুষান্ স্থিতান্ ॥৪৭॥

কুণ্ডধার উবাচ।

এতৈর্লোকাঃ সুসংরুদ্ধা দেবানাং মানুষাৎ ভয়ম্। তথৈব দেববচনাৎ বিঘ্নং কুর্ব্বন্তি সর্ব্বশঃ ॥৪৮॥
ন দেবৈরননুজ্ঞাতঃ কশ্চিৎ ভবতি ধার্মিকঃ। এষ শক্তোঽসি তপসা দাতুং রাজ্যং ধনানি চ ॥৪৯॥

মাতু তাবদা ব্রাহ্মণ অদুনা দিব্যদৃষ্টিনা পাৰৈ ওইদুনা মঙকত লুপ্তুনা নরককী অরাবা কয়া রানা থাওদুনা লৈরিবা নিংথৌশিংদু মরেক লানা উথি ॥৪৪॥ কুণ্ডধারনা হায়রকই :— নহাক্না ঐগী পূজাবু ভক্তিগা লোয়নবা তৌখি। নত্তোক্কা লল য়াম্ন পীরেবদি লল অদুনা নহাক্না অরাবগী মশক ওইবা অনিত্য ওইবা বিষয়শিং অদু কংলম্নবদি ঐনা নংগীদমক করি উপকার তৌগে। অদুগা নহাকী মফমদা ঐনা করম্বা থৌজাল হৈবগী থুদম উৎগে ॥৪৫॥

রাজ্য কয়া কয়াগী মপু ওইরম্বা নিংথৌশিংসিনা তাৰিবা দশাসি অমুক্ত মীৎ থীৎনা য়েংউ। মথোরগী দশাসিবু উবগা তাইবং মী করম্বনা বিষয় ভোগকী আশা তৌগদগে? বিষয় ভোগতদা পুক্নীং চঙলবা মীশিং অদুগীদি স্বর্গগী থোঙ অসে মতম পুম্বদা থিদুনা লৈরবনি ॥৪৬॥ ভীষ্মনা হায়ৱ:— নিংথৌ! অদুগী তুংদা ব্রাহ্মণ অদুনা, সংসারগী বিষয়দা আসক্তি থমগবা মথোরগী অকোইবনা অপাম্বা, অশাউবা কলকপা, মিহৌবা ক্ৌবা কত্রব যেরুবশিং অদুনা লেপ লেপ্পুনা লৈরদু, উবি ॥৪৭॥

কুণ্ডধারনা হায়রকই :— য়েংউ ব্রাহ্মণ! মথোরসিবু য়েরুবগী মশক ওইরবা কামক্রোধনচিংবা লোবশিং অসিনা মায়গৈ মরিদা কোরশিল্লুনা লৈরি। স্বর্গগী দেবতাশিংনা তপস্যা কলবা তাইবংমীশিংবু য়াম্ন কি। অদুনা সত্য.লাককী ধ্যান তপস্যানচিংবা তৌরিবা তাইবংমীগী ধ্যান তপস্যানচিংবদু থুগাইহন্নবগীদমক্ত দেবতাশিংগী য়াথং মতুংইন্ন কামক্রোধনচিংমশিংসিনা তাইবংমীগী যাগযজ্ঞনচিংবা পুম্ব কর্মবু, অদুগা তপ-স্যা যোগসাধননচিংববু থুগাইগদবগী যৈথাম্নবা কয়া পীরি ॥৪৮॥

দেবতাশিংসিগী অনুমতি-য়াথং নচিংবা ফংদনা তাইবং কনামতনা শুভকর্মবু যৈথাম্নবা-অপনবা লৈহন্দনা পাঙথোকপা ঙম্মাদ। অদুবু ব্রাহ্মণ! নহাক্তি দেবতাশিং অনুমতি-য়াথং ফংগ্রবনি। অদুমক্তনা হৌজিক্তি নহাক তপস্যাগী শক্তিনা নহাকীদি লাম্নরদনা অতোপ্পশিংদা লৈপাক সিংহাসন কয়া কয়া পীথোক-পা ঙম্মে ॥৪৯॥

ভীষ্ম উবাচ

ততঃ পপাত শিরসা ব্রাহ্মণস্তু তুলাধারিণে। উবাচ চৈনং ধর্ম্মাত্মা মহান্ মেঽনুগ্রহঃ কৃতঃ ॥৫০॥
কামলোভানুবন্ধেন পুরা তে যদসূয়িতম্। ময়া স্নেহমবিজ্ঞায় তত্র মে ক্ষন্তুমর্হসি ॥৫১॥
তান্তমেব মহেত্যুক্তা কুণ্ডধারো দ্বিজর্ষভম্। সম্পরিষজ্য বাহুভ্যাং তত্রৈবান্তরধীয়ত ॥৫২॥
ততঃ সর্ব্বাং স্তদা লোকান্ ব্রাহ্মণোঽনুচচার হ। কুণ্ডধারপ্রসাদেন তপসা সিদ্ধিমাগতঃ ॥৫৩॥
বিহায়সা চ গমনং তথা সংকল্পিতার্থতা। ধর্ম্মাচ্ছক্ত্যা তথা যোগাৎ যা চৈব পরমা গতিঃ ॥৫৪॥
দেবতা ব্রাহ্মণাঃ সন্তো যক্ষা মানুষ চারণাঃ। ধর্ম্মিকান্ পূজয়ন্তীহ ন ধনাঢ্যান্ ন কামিনঃ ॥৫৫॥
সুপ্রসন্না হি দেবা যস্তে ধর্মে রতা মতিঃ। ধনে সুখকলা কাচিৎ ধর্ম্মে তু পরমং সুখম্ ॥৫৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
কুণ্ডধারোপাখ্যানে ষট্‌ষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৬॥

——:(॰):——

ভীষ্মনা হায়:— নিংথৌ! মতম অতুদা ধর্মচেল্লবা ব্রাহ্মণ তপস্বী অদুনা দণ্ডবৎ শানা কুণ্ডধারদা থোক শোক্না খুরুমদুনা অসুম্না হায়খি:— প্রভু! নহাক্না ঐবু য়াম চানখিরে। কাম ক্রোধগী মথা পোল্লমদুনা ঐনা অহাননা নহাক্তী নকমদা অয়ানবা যাথল থমখিবদুগী ঈয়াল ঙাকশিনু ॥৫০-৫১॥

কুণ্ডধারনা হায়— ব্রাহ্মণ! ঐদি অহানবদগী নহাক্তী নয়াল ঙাকপিদুনা শাক্লিখনি। অসি হায়না হায়না কুণ্ডধারনা মপাগোম অনীনা থম্মোয়দা চেৎনা কোনবিয়ল্লগা মকম অদুদগী থত্তহৌদনা মাঙখি ॥৫২॥ অদুগী তুংদা কুণ্ডধারগী কৃপাদগী তপস্বী ব্রাহ্মণ অদু সিদ্ধপুরুষ অমা ওইদুনা মনীং মথা তম্না লোক পুম্নমক্তা কোয়রৎ চংদুনা লৈখি ॥৫৩॥ নোংমদোম্থক্তা গুল্লুংদা চংপা, নীংবতদা ফংনীংবা পোৎশক ফংবা, অদুগা— ধর্ম অমদি যোগগী শক্তিনা ফংনগদবা ওইবা পরমগতি অসি পুম্নমক ব্রাহ্মণ অদুনা ফংখি ॥৫৪॥ দেবতা, ব্রাহ্মণ, সাধু-সন্ত, যক্ষ-মনুষ্য, চারণ, অদুগা মী পুম্নমক অসিনা পুজা তৌনরিবসি ধর্মাত্মা ওইবশিংবুতনি। বিষয়-ভোগ তৌরিবা, ইনাক-কৈরাক থুম্লিবশিং অসিবু নত্তে ॥৫৫॥ নিংথৌ! নহাক্তী নকমদসু দেবতাশিংনা কৃপা তৌবিরি। অদুমক্তনা নহাক্কী থুমিংচন্না ধর্মগী মায়পোক্তদা মায় ওনশিন্নি। অথোইবা সুখ-শান্তি হায়বসে লন-থুমদা লৈবা নত্তে। পরমসুখদি ধর্ম হায়বা অদুতদা লৈবনি ॥৫৬॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা কুণ্ডধারোপাখ্যানগী চনীহুমফু তরুকতুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৬॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(যজ্ঞদা তৌবা হিংসাগী নিন্দা অমদি অহিংসাগী প্রশংসা)

চনীহুময়্কুতরেৎশুবা অধ্যায়।

——:(:——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

বহুনাং যজ্ঞতপসামেকার্থানাং পিতামহ। ধর্ম্মার্থং ন সুখার্থার্থং কথং যজ্ঞসমাহিতঃ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি নারদেনানুকীর্ত্তিতম্। উঞ্ছবৃত্তেঃ পুরাবৃত্তং যজ্ঞার্থে ব্রাহ্মণস্য চ ॥২॥

নারদ উবাচ।

রাষ্ট্রে ধর্ম্মোত্তরে শ্রেষ্ঠে বিদর্ভেষ্ব ভূদ্বিজঃ। উঞ্ছবৃত্তিরৃষিঃ কশ্চিৎ যজ্ঞং যষ্টুং সমাদধে ॥৩॥

শ্যামাকমশনং তত্র সূর্য্যাপর্ণী সুবর্চলা। তিক্তং চ বিরসং শাকং তপসা স্বাদুতাং গতা ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হংডি,— ঈপুধো! যজ্ঞ তপস্যা নাচংবাস মথল মথল য়াম্না লৈখ্রে। মথোয়সিগী মমুংদা অয়াম্বগী উদ্দেশ্যদি ভগবান্গী পেয়নবগী দমক্তা ওই। ভগবানবু কংনবগী দমক্তম্ব ওই। মাসি নত্তবা— স্বর্গগী সুংডাইবা ঐশ্বর্য্য বৈভবনাচিংবা ফংনবগী দমকম্ব নত্তবা চুম্নগী ধর্ম্মগীদবক্তা ওইব, অদুগুম্বা যজ্ঞ অমদি তপস্যা অদু মতৌ করম্ন পাঙ্থোকদগে? ॥১॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! মমাংঙৈদা, উঞ্ছবৃত্তিনা * মপুনশি লেনখিবা ব্রাহ্মণ অমগী রাম্নী অমা নারদ মুনিনা নোংমা ঐঙোন্দা লীথি। মাহুগী রাম্নী অদু ঐ নঙোন্দা লীগে ॥২॥

নারদনা হায়,— থবক চীরম পুম্বদা ধর্ম্মতনা মরু ওইবা তৌবা, থোইদোক্লা পুণ্য চেন্নবা বিদর্ভ কৌবা লৈবাক অদুদা কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ ঋষি অমম্ব যাও ম্মি। মহাক অসি লৌবুক্তা অদুগা লৌবুক মম্নাদা লৈবা কৌবৈশিংগী মনাক্তা তাবা কৌচেঙ মরুশিং অদু খুঁজপুম্না মাদুনা মাগী জীবিকা ওইদুনা, পুক্লীংদা তচা তহাবা করিমতা লৈতনা মহাশান্তিগা লোয়ননা অম্নম্ লৈ ॥৩॥ মহাক্না লৈবা মকমদা মহাকী

---

* লৌবুক-লমহাংদা তাহোংগা ত্রাদা শা-উচেক চাথিবগী লেমহৌবা তাহোদা চেঙ হরাই-মরু খুন্দুনা— জীবিকা ওইহ্রিবা অদুগুম্বা মীশিংবু "উঞ্ছবৃত্তিনা লৈম্রিবা" হায়না খঙনগদবনি। অসিগুম্বা বৃত্তিদা হিংসা, ক্রোধ অমদি পাপকী শরুক্ লেশমাত্র য়াওদ্রবনি।

উপগম্য বনে সিদ্ধিং সর্ব্বভূতাবিহিংসয়া। অপি মূলফলৈরিষ্টো যজ্ঞঃ স্বর্গ্যঃ পরন্তপ ॥৫॥
তস্য ভার্য্যা ব্রতকৃশা শুচিঃ পুষ্করধারিণী। যজ্ঞপত্নী সমানীতা সত্যেনানুবিধীয়তে ॥৬॥
সা তু শাপপরিত্রস্তা তৎস্বভাবানুবর্ত্তিনী। মায়ূরজীর্ণপর্ণানাং বস্ত্রং তস্যাশ্চ বর্ণিতম্ ॥৭॥
অকাময়া কৃতস্তস্য যজ্ঞো হোত্রনুশাসনাৎ। শুক্রস্য পুনরাজাতিঃ পর্ণাদো নাম ধর্ম্মবিৎ ॥৮॥
তস্মিন্ বনে সমীপস্থো মৃগোঽভূৎ সহবাসিকঃ। বচোভিরব্রবীৎ সত্যং ত্বয়েদং দুষ্কৃতং কৃতম্ ॥৯॥
যদি মন্ত্রাঙ্গহীনোঽয়ং যজ্ঞো ভবতি বৈ কৃতঃ। মাং ভোঃ প্রক্ষিপ হোত্রে ত্বং গচ্ছ স্বর্গমনিন্দিতঃ ॥১০॥

তপস্যাগী শক্তিনা চেঙ কৌ ফংদবা চেঙ কোগী মচুত্তা নাপীশীংবী চুঙ্গেন্দ্র বাইচু চয়ানচিংবা চানব মফমদা খোয়নু হাউরবা চেঙকোনচিংবা হেক্ত ওয়ি। য়েঙ্গাংমাপী হোদবা, খায়বা উয়ী বায়ীনা য়েঙ্গাং ওইনা ...ক্তিয়বা মফমদসু মহাক লৈরবদি মখোয়সু ওত্তোক্লা হাউরবা থুম্নবা য়েছনাং নাপী হেক্ত ওয়ি। মহাও ...রিয়ত য়াওয়বা খায়বা পোচ্চেশিং অসু মহাক লৈবদা, মহাকী তপস্যাগী শক্তিন্ হাউরবা থুম্নবা পোশং ...য়ি ॥৪॥

য়েক্লবা নৈহংওয়া! যুধিষ্ঠির! ব্রাহ্মণ অসিনা কনদা তৌখিবা অনবা তপস্যাগী শক্তিনা অচচ্চর ...রিওয়া জীবপানবা অমগী মফমদা অমদি, মশাদা হিংসা তৌদনা উক বারু উহে মনা মশী তনস্থ স্বর্গগী ...ওইবা পীনহৈবা যজ্ঞমকপু নীংখিনা পাওথোকখি ॥৫॥ হায়রিবা ব্রাহ্মণ অসিগী লোয়নবী ব্রাহ্মণী অম লৈ, মমিং পুষ্করধারিণী কৌই। মুপী অসিগী আচার-বিচার পুন্নমক য়ায় না থিজৈ। মহাক অসি ব্রত ...পবাস তৌব তৌবমক্তনা মশাচু য়ায় শোম্বখি। অদুগা মাপী মপুরোয়বা ব্রাহ্মণ অসিনা সত্য কৌই ...নত্য কৌবা ব্রাহ্মণ অসিনা বলিদাননচিংবা হিংসাগী থবক্লা মপুং ওইবা যজ্ঞ তৌননবগী হায়বা অমদি ...হাৎনবকপ মতমদা, মাচু মাগী লোয়নবী পুষ্করধারিণী কৌবী সিনা য়াদে-য়ানিংদে। অদুম ওইনমক সত্য হায়বা ব্রাহ্মণ অসিনা মাগী লোয়নবী অসিবু, যজ্ঞগী মনাক্ত কৌশিন্দুনা যজ্ঞপত্নীগী আসনদা ...ফমহল্লি ॥৬॥

ব্রাহ্মণী অসি মপুক্লীংদা য়ানিংদ্রবসু— পাত্রবসু মপুরোইবগী শাপ কিবনা মপুরোয়বনা হায়বচু অদুম মইখি। অদুম হায়না হায়নৈ—মহাক অসি য়াহোংশিংগী মশামথত্তা কেক্সরকপা মতুশিং অচু খুনগত্তুনা মশাদা কুপশিল্লি—হায় ॥৭॥ হোমজৈ পায়নুনা হোম তৌহিদা হোতা অদুগী হায়বা মতুং ইন্না ব্রাহ্মণগী লোয়নবী অসিনা যজ্ঞগী হৌনবী থবক থবক পুম্বচু অদুম পাওথোকই। হোতা ওইরিবা ব্রাহ্মণ অসিনা পর্ণাদ হায়না মৌবা ঋষি অদুনি। ঋষি অসি শুক্রাচার্য্যগী বংশদা পোকপনি ॥৮॥

বন অদুদা, ব্রাহ্মণ অদুগা থানব লৈতনা তিন্নব-লোয়নবা শজী অম লৈরম্মি। শজী অচু মাগা ...খা থাজোক্লদে। নোংমদি শজী অদুনা ভাইকং মীওইবগী মরোল্দা ব্রাহ্মন অদুদা অদুম্না হায়রকই:— 'ব্রাহ্মণ! নহাক্না যজ্ঞগী মমিংদা, হায়রবদি যজ্ঞনি, ধর্ম্মনি হায়রদুনা হিংসাগী থবক তৌখি' ॥৯॥

তৌরিবা যজ্ঞ অদুদা অঙ্গ ওনা য়াওত্রবা, অদুগা মন্ত্র নীংখিদনা য়াওদ্রবা অমদি শোয়দ্রবা, অদু

ততস্তু যজ্ঞে সাবিত্রী সাক্ষাৎ তং সংন্যমন্ত্রয়ৎ। নিমন্ত্রয়ন্তী প্রত্যুক্তা ন যষ্টাং সহবাসিনম্ ॥১১॥

এবমুক্তা নিবৃত্তা সা প্রবিষ্টা যজ্ঞপাবকম্। কিন্তু দুশ্চরিতং যজ্ঞে দিদৃক্ষু সা রসাতলম্ ॥১২॥

স তু বদ্ধাঞ্জলিং সত্যময়াচম্বরিণঃ পুনঃ। সত্যেন স পরিষজ্য সংদিষ্টে গম্যতামিতি ॥১৩॥

ততঃ স হরিণো গত্বা পদাষ্টৌ ত্বনুবর্ত্তত। সাধু হিংসয় মাং সত্য হতো যাস্যামি যৎ গতিম্ ॥১৪॥

পশ্য হ্যপ্সরসো দিব্যা ময়া দত্তেন চক্ষুষা। বিমানানি বিচিত্রাণি গন্ধর্ব্বাণাং মহাত্মনাম্ ॥১৫॥

ততঃ স সুচিরং দৃষ্ট্বা স্পৃহালগ্নেন চক্ষুষা। মৃগমালোক্য হি সায়াং স্বর্গবাসং সমর্থয়ং ॥১৬॥

ওইয়বদি, যজ্ঞ অতু যজমানগী মকমদা মহা তৌহৈনবা দুষ্কর্ম অমা ওইহিবনি। অদুনা, ব্রাহ্মণ! নহাক ঐবু হোতা অসিগী মখুত্ত শীন্নরম্নগা নশাদা নিন্দা অমদি দোষ য়াওদনা স্বর্গ কাখো ॥১০॥

অদুগী তুংদা যজ্ঞ মকম অদুদা, সাবিত্রী দেবী মশামক সাক্ষাৎ লেম্বলকুনা শজী অদুমক হোম তৌরো হায়না ব্রাহ্মণ অদুদা য়াথং পীখি। মতম অদুদা ব্রাহ্মণ অদুন— ঐগা মতম পুন্না খানদনা তিন্নরা লৈমিন্নরিবা শজীমহাক অসিবু হাকুনা হোম তৌবা ওমজরাই হায়না সাবিত্রীদা খুমখি ॥১১॥

ব্রাহ্মণ অদুন ঋরায় লায়না অদুম খুমককপদু সাবিত্রী দেবী মখা তাম্নমনা মকম অদুদগী চংখি। অদুগা যজ্ঞগী মৈয়ুং অদুদা চংখি। সাবিত্রীনা যজ্ঞ মহমুদু ? লায়থদি যজ্ঞ হায়বাসদা করম্বা অরাংপা, করম্বা দোষ অম লৈবগে হায়বতুগীনি। মাদু খংগে হেংগে হায়দুনীদমকান। অদুগী তুংদা সাবিত্রী অসি রসাতলদা চংখি ॥১২॥

সত্য হায়বা ব্রাহ্মণ অসিনা সাবিত্রীবোমদা ওনশিন্দুনা মখুৎ হনী লোয়না লেপ্পুনা লৈখি। মতম অদুদা শজী মশামক্তা ব্রাহ্মণ অদুদা মহাকপু যজ্ঞদা হোম তৌথোকপিয়ু হায়না হায়খি। সত্য হায়বা ব্রাহ্মণ অসিনা শজী অদুবু চেক্লেং কোল্লি। নং মকম অসিদগী খুনা চংথো হায়না শজী অদুদা হায়রম্মি ॥১৩॥

মাদু তাবদা শজী অসি খোঙ্গাপ নীপাল চথোকখুরগা অমুক হঙ্গিন্নকই। ব্রাহ্মণ! নহাক ঐবু হাত্তুনা যজ্ঞদা হোম তৌবিয়ু হায়না হায়জখি। যজ্ঞগীদমক্তা যজ্ঞগী অগ্নিকুণ্ডসিদা খরায় থাব হায়বতু ফংজয়গা অথোইবা গতি (ধাম) বু ফংজখগে ॥১৪॥ ঐনা নত্তোন্দা দিব্য দৃষ্টি পীরি। য়েংলু! নোংমদোম্বক অসিদা নীওথিজরবী অপসরাশিংনা লেপ্পুনা লৈরি। মহাত্মা ওইরবা গন্ধর্ব্বাশিংগী ফজরবা বিমানশিং অসিসু মরেক লান-লানা ঊবা ফংলি ॥১৫॥

সত্য হায়বা ব্রাহ্মণ অসিনা নোংমদোম্বক্তা ওনথত্তুনা মমীৎ কুপ্পুনা য়েংদুনা লৈ। নীংথিজরবা দৃশ্যশিংদু য়েংলগা মনাক্তা লৈরিবা শজী অদুদা য়েংলগা—"হিংসা অসি তৌরগা ঐ স্বর্গতি ফংবা ওমপদি" অদুম হায়না মপুন্নীংদা হম হন্না খনখি ॥১৬॥

স তু ধর্ম্মো মৃগভূত্বা বহুবর্ষোষিতো বনে। তস্য নিষ্কৃতিমাধত্ত ন হ্যসৌ যজ্ঞসংবিধিঃ ॥১৭॥
তস্য তেনানুভাবেন মৃগহিংসাত্মন স্তদা। তপো মহৎ সমুচ্ছিন্নং তস্মাদ্ধিংসা ন যজ্ঞিয়া ॥১৮॥
ততস্তং ভগবান্ ধর্ম্মো যজ্ঞং যাজয়তঃ স্বয়ম্। সমাধানং চ ভার্য্যায়া লেভে স তপসা পরম্ ॥১৯॥
অহিংসা সকলোধর্মো হিংসাধর্ম্মস্তথাহিতঃ। সত্যং তেঽহং প্রবক্ষ্যামি যো ধর্ম সত্যবাদিনাম ॥২০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
যজ্ঞনিন্দা নাম সপ্তষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৭॥

——:():——

থাঙ্গৈশেংবমক্তি ধর্ম হায়বতুমক্না শজীগী মশক লৌতুনা লৈরিবনি। শজীগী মশক লৌহুনা, হায়বদি, শজীগী হকচাং মঙুদা ধর্ম হায়বতুনা চঙ্কুনা চহী কয়া বনদা কোয়চং চৎকুনা লৈরক্লিবনি। পশুহিংসা—শা হাৎপা হায়বসি যজ্ঞ তৌবা বিধিদুগী ওয়্যাটনবা, বিরুদ্ধগী লৈবা কর্ম অমনি। শজীগী হকচাংদুদা লৈরিবা ভগবান্ ধর্মনা ব্রাহ্মণ অদুবু উদ্ধার তৌবিরগে খল্লম্মি ॥১৭॥ ঐ শা অসিবু বলি তৌহুনা যজ্ঞগী অগ্নিদেব অসিদা কৎলগা যজ্ঞগী মতৈ ওইনা স্বর্গবু ফংননবা তৌরগো অসুম্না খল্লম্বা ব্রাহ্মণ অদুগী মতম কুইনা তৌরকপা তপস্যাগী মহৈ পূম্না খুদক্তা মাংখি। মরম অদুনা যজ্ঞগীদমক্তা বলিদান তৌরিবা, পশুহিংসা তৌরিবসি লাম্লবনি—ঐকান্ কান্নদ্রবনি ॥১৮॥ অদুগী তুংদা ভগবান্ ধর্ম্মনা সত্য— অদুবগী যজ্ঞ অদু ব্রাহ্মণবু তৌহনখি। অদুগী তুংদা সত্য কৌবদুনস্ন অকনবা তপস্যা তৌহুনা মহাক্কী লোয়নবী পুষ্করধারিণী হায়বীদুগী ওইরিবা ফীবমদুগী মতুংইন্না থোইদোক্না নীংথিবা রাখলগী পোলোকবু ফংখি। হায়বদি— অদোম্বা রাখল অমা ফংখি, মাদুদি— হিংসাদগী অমাংবা অমদি খুদোংথীবা পোকই। অহিংসাগী পাৎনা ওইহুনা থোইদোক্না কাম্বা অমদি মঙ্গল ওইবদু ফংনি ॥১৯॥ মপুংফাবা ধর্ম হায়বদু অহিংসাহনা ওই। হিংসা হায়বসি মহা অধর্ম অমনি। নিংথৌ! তৌঙ্গিক ঐ নঙোন্দা সত্য—অচুম্বা হায়বদুগী মওং অমদি মহাত্মা লোগে। সত্যবাদী ওইবশিংগী ধর্ম হায়ববু সত্য – অচুম্বা – অচুম্বা ওঙবা হায়বদুতনা ওইরিবনি ॥২০॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চমনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা যজ্ঞনিন্দাগী চনীতুমফুতরেংশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৭॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(ধর্ম্ম-অধর্ম্ম, বৈরাগ্য-মোক্ষগী মরমদা যুধিষ্ঠিরনা হংবা)

চনীগা হুমফুনিপানশুবা অধ্যায়

——:(ক):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কথং ভবতি পাপাত্মা কথং ধর্ম্মং করোতি বা। কেন নির্ব্বেদমাদত্তে মোক্ষং বা কেন গচ্ছতি ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

বিদিতাঃ সর্ব্বধর্ম্মাস্তে স্থিত্যর্থে ত্বং তু পৃচ্ছসি। শৃণু মোক্ষং সনির্ব্বেদং পাপং ধর্ম্মং চ মূলতঃ ॥২॥

বিজ্ঞানার্থং হি পঞ্চানামিচ্ছাপূর্ব্বং প্রবর্ত্ততে। প্রাপ্যৈকং জায়তে কামো দ্বেষো বা ভরতর্ষভ ॥৩॥

ততস্তদর্থং যততে কর্ম চারভতে মহৎ। ইষ্টানাং রূপগন্ধানামভ্যাসং চ চিকীর্ষতি ॥৪॥

ততো রাগঃ প্রভবতি দ্বেষশ্চ তদনন্তরম্। ততো লোভঃ প্রভবতি মোহশ্চ তদনন্তরম্ ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হংতি—ঈবুংগো। তাইবংমীনা পাপকী থবক্তদা চঙশিল্লিবসি করিগীনো। পাপাত্মা ওই-রবশিংনা ধর্মগী মরম ওইবা থবকসি করম তৌগে? অদুগ তাইবংমীদা বৈরাগ্য ভাব অসি করম লাকপগে অদুগা করম্বা সাধনানা মোক্ষ (অয়ানবা খুদম) বু ফংবগে ॥১॥ ভীষ্মনা হায়ঃ— যুধিষ্ঠির! ধর্ম পুরুষকী জ্ঞান নত্তোন্দা লৈরবনি। অদুবু লোকত চংনবী ব্যবহার ওাকে হায়বগীদমক অদু নবুধো ঐগী ওাপবু হেনগৎহনগে হায়বগীদমক নহাক্না অসিগুম্বা রাহং অসি ঐত্তোন্দা হংবনি। করে, মোক্ষ, বৈরাগ্য, পাপ, অমদি ধর্ম হায়বসিগী মরু অসি করিনো হায়বদু নহাক অমূক তারো ॥২॥

ভরতশাগেগী অথোইবা! তাইবংমীনা ঈশান হেক হানবদা লৌনীংবা পাম্ব হৌবসি ইন্দ্রিয় মঙাগী বিষয় ওইরিবা, রূপ (মশক), রস (মহাও), গন্ধ (মনম), স্পর্শ (শোকপ), শব্দ (খোঞ্জেল) মঙা অসিগী অমদগী হেক হৌথি। মঙাঅসিগী মনুংদা অহানবা অমত্তং হেক ফংবদা, মাদুগী মথক্তা কনক মিহৌবা হায়বদো হেক মপোকত্রে ॥৩॥

রাগ (মিহৌবগা লোয়ননা পাম্বা) হায়বদু পোক্লব তুংদদি পাম্মুরিবা পোৎ অদু ফংনবা হোৎনরকই। মাদু ফংনব অচৌ-অচৌবা থবক আৎ আৎ পায়খৎলকই। পোৎ অদু ফংলগনু মাদু হয়া হয়া, মথীং হেনগৎ হেনগৎনা ফংনিংলকই, ফংনবা হোৎনরকই। মশক, মহাও, মনম শোকপা, খোঞ্জেল মথোয়সিবু হয়া রেংব, চাবা, মঙা, শোকপা, তাবা অসি পাম্মকই, মাদু ওমনবা হোৎনরকই ॥৪॥ অদুগী তুংদদি, পোৎ

লোভমোহাভিভূতস্য রাগদ্বেষান্বিতস্য চ। ন ধর্মে জায়তে বুদ্ধির্ব্যাজাদ্ধর্মং করোতি চ ॥৬॥
ব্যাজেন চরতে ধর্মমর্থং ব্যাজেন রোচতে। ব্যাজেন সিদ্ধ্যমানেষু ধনেষু কুরুনন্দন ॥৭॥
তত্রৈব কুরুতে বুদ্ধিং ততঃ পাপং চিকীর্ষতি। সুহৃদ্ভির্বার্য্যমাণোঽপি পণ্ডিতৈশ্চাপি ভারত ॥৮॥

অদুগী মকখদা থাওখদবা, থাগোকপা ভম্মরোইদোবা ওইনা পামদিঙ্গুকপচু পোক্লকই। মাহুদা রৈখায়বা, পোং অদু কংখদা অপনবা পীবা পোংশিং অদুদা তাখিবা অশাউবা পোকলকই। অদুগা পাম্নিবা পোং অদুগী কংনমবগী লম্বীদ কামবা ওইপদবা সহায়া উপায় ওইগনবা পোংমথৈদা মুংশিবা অশাম্বা অমুক পোক্লকই * অদুদগীদি ওয়হৎপা (মোহ) হায়বদু অদুম পোকখি ॥৫॥

অশাম-ওয়হৎপনা পায়শিনগ্রবা অশাউবা মিতৌবগী মথাপোনগ্রবা মথোয় অদু ধর্ম কর্মগী মায়পৈবা মমায় ওনহিনলকত্রে। ধর্ম কর্মগী থবক্তি হায়না তৌরবদু, মপান্থোংনীত ওইনা তৌননবা অদুগা ধর্মগী থবক তৌরি হায়বদুত উংননব তৌই। অতথা করিগুম্বা উপায় অমনা ধর্ম তৌরি, ধর্মগী তৌরি হায় বদুগু উংনীংতি, উংননবা তোংনৈ ॥৬॥

কুরুনন্দন যুধিষ্ঠির। অসিগুম্বা মীশিং অসিনা করিগুম্বা অম হায়ত্তিল্লগা ধর্মগী থবক্তি হায়দুনা তৌশিন্নৈ। মীনমদুনা শেল তাঙ্খিন্নবা তোংনৈ † মীনমদুনা শেল তানবদা মতৈংপাংবদি, মীনম্বগী থবক মশিংদু অদুকদা অদুম পামশিনবা পুক্নী চংবা তৌথি। অসিগুম্বা থকত য়ৌগ্রবদু, মী মহাক অদু অতৈ অশিং মরুপ মপাংগী কাম্বা বা অমত মনাকোংদা হাপত্রে। মহাকী পাপকী থবক কত্তুতদা পুক্নীং চঙ-দুনা লৈ। মীনা থিংলম্বস্ত য়েংলম্বস্ত, মীনা ককপা তাদ্দনম্বা, হায়দু যুক্তিযুক্ত ওইবা প্রমাণ চায়বা,

* সংসারগী অন্নাবা, ঙুংঙাইবা, অশাম্বা, অশাওবন চংবসি মথং মথং ওদু মথম মথন্ত পাকথোক চাওরকচরকই। হায়বদি:— অন্নাবনা অন্নাবা মথল মথল, ঙুংঙাইবা অমনা মাহু নত্তবা ঙুংঙাইবা মথল মথল, অশাম্বনা অশাম্বা মথল মথল অমত ওয়ম্বা অশাউবনা অশাউবা মথল মথল পোকহন্নকই। অদুম তৌদুনা রূপ রসনচিংবসিনা থিত্তাব তৌদুনা (শন্দোয়দুনা), মখোয়দুনা লাং ওইনা থাকচনুনা ভাইবং মীনা মশানা মশাবু কাক্লেন্নৈ। মাহুদগী লাম্থোক্লবা অমুক, সাপন তৌনবকপা য়াওই। লাম্থোক্লবা হোংনবশিংদগী হোংনদবনা মশীং য়ায় হেল্লি। হোংনবিবশিং অদুগী মকুদগীদু মহৈয়ানখিবা, লাম্থোকখিবদি মী অমনীদনি। মাহুদি লায়রদনা, লাংদা ফাভিগুবিবতুমক পেক্কদদুনা হুয় হুয় কয় ফাভিজ্ঞাবি হাংবসিমত মবুবনা, থডংগৌদনা লাক্কাগদবা মৃত্যু (শিবা) হায়বদুবুদু থল্লুংবে। অদুম তৌদুনা, তাঙবং মীনা, পোক্লক-পগী মরম উদ্দেশ্যবু থলহোদে, শিংথবগী (কাংগবগী) লম্বীদু থংহৌদে। তিং ঙাঙ তঙ থংসিদা তৌনরম্ব হায়বদু জগত্ত অশান্তি পীননবা, অশান্তিগী থিত্তাব তৌননবগী মচাক তানছিংগম্বা—অসিগনি। (কালাচাঁদ)

† মী অমনা তৌরিবদু অচুম্বনি হায়না থাজনিংনবা থওলম্বা ফাওবা, মাহুনা জাত্তি হায়না প্রমাণ তৌদুনা তৈ হেক্ য়ানবদা শেলথুম মিচেং হায়া ফংগদবা লৈরবদি, মহাক মশামক্তা অচুম্বনি, থম্মোয় শোক্লা থওলবদু

উত্তরং ন্যায়সম্বদ্ধং ব্রবীতি বিধিচোদিতম্। অধর্মস্ত্রিবিধস্তস্য বর্দ্ধতে রাগমোহজঃ ॥৯॥
পাপং চিন্তয়তে চৈব প্রব্রবীতি করোতি চ। তস্যাধর্মপ্রবৃত্তস্য দোষান্ পশ্যন্তি সাধবঃ ॥১০॥
একশীলাশ্চ মিত্রত্বং ভজন্তে পাপকর্ম্মিণঃ। স নেহ সুখমাপ্নোতি কুত এব পরত্র বৈ ॥১১॥
এবং ভবতি পাপাত্মা ধর্ম্মাত্মানং তু মে শৃণু। যথা কুশলধর্মা স কুশলং প্রতিপদ্যতে ॥১২॥
কুশলেনৈব ধর্মেণ গতিমিষ্টাং প্রপদ্যতে। য এতান্ প্রাজ্ঞয়া দোষান্ পূর্ব্বমেবানুপশ্যতি ॥১৩॥

ন্যায়শাস্ত্রগী ধর্মশাস্ত্রগী প্রমাণনচিংবা অন্নুগা মহাক মশানদি মাতুমক তৌদবা ভাক্তনা য়েংলিবত্থু মায়থীব শীননবা তোংনৈ, পীবস্থু ভন্মি ॥৭-৮॥

অপায়গা ভুক্ক পগা অনী অসিনগী পোকপা অধর্ম অসি মঙং অহুম থোক্কা লৈ। হায়বদি অধম হায়বদি মঙং অহুমদা শংদোক্কই। অহুম অসিনা মগী থম্মোয়গী, পুক্রপ লৈমিন্নরুবা মী মহাক অন্নুদি লুমিংচুম্মা প্পাপকী থবকতা তৌবতনা পুক্নীং চঙহনবা লৈ। তৌথোক্কপা, ভাঙথোক্কপদা পাপকী পাপমঙ ওই। ॥৯॥ অথোইবা, মহাত্মা ওইবা মীশিংনা, পাপকী থবকতা পুক্নীং চঙহনবা মীশিংথুনী মশাদা কৈরিব দোষ অমু ভপেংনা উবা ফংজি ॥১০॥

অসিগুম্বা পাপী সগা মান্নবা পাপীশিংথুনা পাপী মরুপদা লৈমিন্ননীংঙ্ তিংগীঙ্ভিঙ। মথোয় মশেক মরূপ শাগনীতিঙ। অসিগুম্ব পাপীশিংগি চন্দক্কী মপোক অসিগী মালেংবা চাউরবা মাংথোকহনবা হয়েংমুকী মপোক্কদি করি করম্মা ফংকুরগনি ॥১ ॥

মতৌ অসুম্বা তাইবং মীনা পাপাত্মা (পাপী) ওইগনি। যুধিষ্ঠির! ধর্মাত্মা ওইবশিংগী মা অমুক তাবো। মীগী কানবরা তৌবা, মীগী মঙল ওইহনবা থবক অসুগুম্ব মীদি মঙালনা ফংগনী, কানবা অমদি জগংকী মঙলগী মাংহন্ত ওই। মপায়কত্থু কানবা, মঙল পাইবক মরম্ভ। অসিগুম্ব ধর্মগী লম্বীতনা চংপা মীশিং অদুতনা মশীনী ভজবা অপাম্বা অমু ফংবা ভন্মি ॥১১-১২॥

মশাগী বুদ্ধিতনা অপাম্বা অশাইবনচিংবগী কোয়শিংদু মশানা থম্ভজরগা মী মহাক অমুদি অরা-লুপ্তাইবগী

অবানবনি — চুমদবনি হায়না মীনম্ব, অতুগা মীশিংদি মাক ককপা উম্ভাথাইদোগে থাগাওনা অচুম্বমুদু অবাম্বনি হায়না ভাও-মকপা মচিন্নাং ওইবগ মগোয় থাগে চুমদিং। মাগু মিংচং ওনুগা, লেগাওনবা নাত্তে - পাপ ভানবনি। অরুপশীদি— অবানবদু অচুম্বনি হায়নদি তায়ীনবা মানি পোনবচনা মাতুবা নামপদি ভমজদবা চুথানম্বা চীম্ববা অরা অরা লাজুনা ভুমগী প্রমাণ তৌনা নাতত্তু লৈবা, তাই বিতর্ক চিংবা — বগী (মা ভাওবনা মশিন্ন ওইবা) শিং অদুগী মমুমনা - "ত্রৈধী ধর্ম্মানুগলি অচুবনি হায়না অমুক্তা প্রমাণ শীবিক" হায়না মপৈ মপৈ তিক্কে। অতুগুম্বা মাডুভাইবশিংগী শিংবগা চুমবা খোল পাননা "আবুদি ঐনা তাম্ম" হায়রশীনদুমা অখেক চুম্মগা মতাওনা মিংচং লল্ ভানুবা হাওরি। মাদু মিংচং নত্তে লল্ নত্তে — মহ-পাপনি। তর্কশাস্ত্রমু, ন্যায় ব্যাকরণ শাস্ত্রমু পাপ তাম্মনবগী থুংলায় ওইনা শীজিন্নরি। (কালাচাঁদ)

কুশলঃ সুখদুঃখানাং সাধূংশ্চাপ্যথ সেবতে। তস্য সাধুসমাচারাদভ্যাসাচ্চৈব বর্দ্ধতে ॥১৪॥
প্রজ্ঞা ধর্ম্মে চ রমতে ধর্ম্মং চৈবোপজীবতি। সোঽথ ধর্ম্মাদবাপ্তেষু ধনেষু কুরুতে মনঃ ॥১৫॥
তস্যৈব সিঞ্চতে মূলং গুণান্ পশ্যতি তত্র বৈ। ধর্ম্মাত্মা ভবতি হ্যেবং মিত্রং চ লভতে শুভম্ ॥১৬॥
সমিত্রধনলাভাত্তু প্রেত্য চেহ চ নন্দতি। শব্দে স্পর্শে রসে রূপে তথা গন্ধে চ ভারত ॥১৭॥
প্রভুত্বং লভতে জন্তুর্ধর্ম্মস্যৈতৎফলং বিদুঃ। স তু ধর্ম্মফলং লব্ধ্বা ন তৃপ্যতি যুধিষ্ঠির ॥১৮॥
অতৃপ্যমাণো নির্ব্বেদমাদত্তে জ্ঞানচক্ষুষা। প্রজ্ঞাচক্ষুর্যদা কামে রসে গন্ধে ন রজ্যতে ॥১৯॥
শব্দে স্পর্শে তথা রূপে ন চ ভাবয়তে মনঃ। বিমুচ্যতে তদা কামান্ন চ ধর্ম্মং বিমুঞ্চতি ॥২০॥

তত্বম্ মুম খঙবা ওন্নি। মাদু খঙলবা মীদা অমবা সাধু মহাত্মানচিংবা পুকচেল চাইবমীশিংগী সৎসঙ্গ তৌই। মতম ওইবশিংগী সেবা অমদি সৎ সঙ্গগী মপাগী বুদ্ধিমু অমবা উম্বী অমদি বিবরদা চঙ-শিলহল্লকই ॥১৩-১৪॥

অদুগুম্বা বুদ্ধি অদুদি ধর্মগী অমদি অচুংগী থবক তৌবদা নুংঙাইবা কাওজে। অদুগা থবক খুদিংমক্তা ধর্মগী অমদি অচুম্বগী সম্বন্ধতা (মতেং) লৌই। অদুগুম মী মহাক অদুদি ধর্মগী পাম্বৈতনা ফংলকপা সম্পত্তিদা অদুগা কান্নবা ঙম্নদা পুক্নিং চঙ্গি ॥১৫॥

গুণ লৈবা লৈবা পোৎ খুদিংমা গুণ অদুগী মরুম্ মহাক চিংথোক্না ঙৌংদবগী হোৎনৈ। অসি-গুম্বা থবক্তা অভ্যাস অদুম তৌশিন্নবগী মহাক মতম থবগীদমক্তদি ধর্মাত্মা ওইবা মীশক অদু ওই-রকই। অমদুদগীদি লাম্নবা অমদি মরূপ পীনবৈবা মীশকত মরূপ ওইন ফংই ॥১৬॥ ভরতশাগেদা গোকপা। অদুগুম্বা মরূপ অমদি সম্পদ অদু ফংঙদুনা নহক্না মতৈথবদা নুংঙাইবা ফাংলিবসিনি। অদুগুম্বা ধর্মাত্মা ওইবা মীশিং অদুদি পোত্তোল শব্দ খোৎপাকনবনচিংব (স্পর্শ), মশক মওং (রূপ), মহাও (রস অদুগা গন্ধ (মনম)---বিষয় মক্তা অসিমু মহাকী খুদুম মখাদা থবা ওন্নি। ঙাম্নব অদুনি ধর্মগী মহৈ হায়বনি *। অদুগা অদুগুম্বা মহৈ অদু ফংলুবত্তু মহৈ ফংবগী নাপল চাউথোকপনচিংবো মপাদা লাক্কে ॥১৭-১৮॥

ধর্মতনা পাম্বৈ ওইদুনা শংখা লম্মুম অদু কাওবনা নুংঙাইহনবা ওমদবত্তু উবদা ধর্মাত্মা ওইরবা মহাকী মপাদা বৈরাগ্যভাব অদুম মহাক্তদে। বুদ্ধিগী মশক ওইরবা মীৎ অদু ঈপাও ত পাত্তুনা লৈথবদুনা, অপামম্বুংশিংগী থবক, মহাও-মনমগী বিষয়শিংদা থোইনা পুক্নিং চঙ্গকদ্রে। মশক মওং, থোঞ্জেল অদুগা অকল অথোংকী শোক্ন শন্নবা, মনম অসিমচিংবা বিষয়শিংদা মহাকী থম্মোয় অমদি পুক্নিং অদু

* ধর্মগী পাম্বৈনা ফংলকপা লন-থুমনা ধর্মগী মহৈ নত্তে। ফংলিবা লনথুমগী পোক্পা কাম ক্রোধ-অসিনচিংবনু নমহৎপা শক্তি অদুনি— ধর্ম-কর্ম তৌবগী মহৈ হায়বনু। ধর্মগী পাম্বৈনা ফংলকপা লন্নি হায়-দুনমু মাদুনা নাপল থোয়বনলিংবা দোষশিং অসি অমুক্ পীরবদি মাদু মহৈ হায়রবা ধর্ম কর্মনি। (কালাচান্দ)

সর্ব্বত্যাগে চ যততে দৃষ্ট্বা লোকক্ষয়াত্মকম্। ততো মোক্ষায় যততে নানুপায়াদুপায়তঃ ॥২১॥
শনৈর্নির্ব্বেদমাদত্তে পাপং কর্ম্ম জহাতি চ। ধর্ম্মাত্মা চৈব ভবতি মোক্ষং চ লভতে পরম্ ॥২২॥
এতত্তে কথিতং তাত যন্মাং ত্বং পরিপৃচ্ছসি। পাপং ধর্ম্মস্তথা মোক্ষো নির্ব্বেদশ্চৈব ভারত ॥২৩॥
তস্মাৎ ধর্ম্মে প্রবর্ত্তেথা সর্ব্বাবস্থং যুধিষ্ঠির। ধর্ম্মে স্থিতানাং কৌন্তেয় সিদ্ধির্ভবতি শাশ্বতী ॥২৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
চতুঃপ্রাশ্নিকো নাম অষ্টষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৮॥

——:+:——

থোইনা চঙশিল্লে। মতম অদুদা মহাক অদু কামনা পূর্ণমক্তগী নাহোরকই। অদুবু, মহাক ধর্মগী অভ্যাস অদুবুদি মহাক্না থক থাদোক্তে ॥১৯-২০॥

অচচ্চত্তন থল্লবা লোক পূম্বক অসি মাঙখিগদবা ওত্তুমি চায়না উবক থওলক্লবা মতমদুদা ধর্মাত্মা অদুনা মত কৌনি হায়না ধল্লুগা ধর্মগী লম্বুদ পূম্বক অদুদু অমুক থাদোক্কদৌবগী কন্না হোৎনরকই। অদুগী তুংদা মহাক্না নত্তীক চাব, নীংদদা পাপ্পেনা থোক (অরনবা থুঙবা) দু হংমনবগীদমক্ত কম হোৎনরকই। অদুমা মথাদা বৈরাগ্যগী ভাবনা মথাদা মথং মথং লাক্লবদা পাপকী কর্ম পূম্বক মথানা অদুম থাদোক চরকই। অদুগীদি মহাক মথানত ধর্মগী মুত্তি ওইদুনা ধর্মাত্মা অদুন মওহক্তুথে। মতুংদা মথা ভানিংঙাই লৈত্রব, অথোংবা থুঙবু লায়না কয়ি ॥২১-২২॥

ঈবুঙো! ভরতনন্দন! যুধিষ্ঠির! নহাক্না ঐগী ঙাঙখমক্না পাপ, ধর্ম বৈরাগ্য অদুগা মোক্ষপদবীগী মরমদা হংখবক্ত মথাক্তীংনা তাকপাইনা হায়দরব্সিনি ॥২৩॥

অদুনা কুন্তীনন্দন! নিংথৌ! নথাকস্তু হায়রিবা ধর্ম অসিগী পরিণদা লৈরুম কায়দনা চৎলু। মরমদি ধর্মগী থাক্তুগা ঙথী লমিদা লৈরুম কায়দনা চৎপশিং অদুতনা কয়ারবা খুঙবগী মশক ওইরবা সিদ্ধিবু ফাঙলা কয়া ফংগি ॥ ২৪॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্বদা
মোক্ষধর্মপর্বদা চতুঃপ্রাশ্নিকো কৌবা চনীহুমফুমপানুভবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৮॥

——:+:——

মণিপুরী মহাভারত

একোণসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(মোক্ষ পদবী ফংননবা উপায় তাকপা)

চনীহুমফুমাপনশুবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

মোক্ষঃ পিতামহেনোক্ত উপায়ান্নানুপায়তঃ। তমুপায়ং যথান্যায়ং শ্রোতুমিচ্ছামি ভারত॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

ত্বয্যেবৈতন্মহাপ্রাজ্ঞ যুক্তং নিপুণদর্শনম্। যেনোপায়েন সর্ব্বার্থং নিত্যং মৃগয়সেঽনঘ॥২॥

করণে ঘটস্য যা বুদ্ধি ঘটোৎপত্তৌ ন সা মতা। এবং ধর্মাভ্যুপায়েষু নান্যধর্মেষু কারণম্॥৩॥

পূর্ব্বে সমুদ্রে য পন্থাঃ স ন গচ্ছতি পশ্চিমম্। একঃ পন্থা হি মোক্ষস্য তন্মে বিস্তরশঃ শৃণু॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হঙি— ইবুধো। মতৌক চাবা উপায়না মোক্ষপদবীবু ফংননবগী মরম তাকপীরে। মতৌক চাদবা উপায়না মোক্ষ পদবীবু ফংবা য়াদে হায়রবসিহ্ন ইবুধোনা তাকপিরে। ঐগী ঐগী শক্তিগী মথুং ইরা মতৌক চাবা উপায়শিংহ্ ইবুধোগী নকমদগী তাজপে॥১॥

ভীষ্মনা হায়:— পাপ য়াওদ্রবা, শিংলবা মিংথো। মহাক্তি অচুম্বা মতৌক চাবা উপায়তনা ধর্মবু অচুগা ধর্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ মরি অসিগী লম্বী অমদি তম্ববু য়াম চোকশিন্না থিহুনত লৈরিবনি। নংনা তাগ্রিবা, খওলবা বিষয়শিংহুগী পরীক্ষা তৌননবগী দমক্তা শিংলবা থৌরবা কূপ্লবা দৃষ্টি (মীৎয়েং) অমদি মকোন্দা লৈকম থোকই॥২॥

চকুশাবা মতমদা শীজিন্নখিবী বুদ্ধি অহু শাবা লোইরবদা অমুক শীজিন্নদ্রে। থম্মোয়বু লোংদোক্ননবগী উপায় ওইনা শীজিন্নখিবা দান-যজ্ঞনচিংব খবক উপায়শিং অহ্, ধর্মনচিংবা উদ্দেশ্যশিং অহ্ পাওথোক্লবা তুংদা অমুক হন্না শীজিন্নদ্রে। মোক্ষ ফংলবগী তুংদা মাহ্ ফংননবগী শীজিন্নখিবা উপায়শিং অমুক কান্নবা লৈদ্রে॥৩॥

মেংচ্। লম্বীগী লম্বী অঙ্কানিদি হায়ববু নোংপোক ত'ম চৎপদা শীজিন্নববা হায়বদি চৎলম্বা লম্বী অহু নোংচুপ সমুদ্র তাম চৎপদা শীজিন্নদ্রে। মতৌ অহুত্তম্বা অতৈ অতৈ বিষয়দা শীজিন্নবা লম্বী শিং অহুদগী তোতোপ্পা লম্বী অমা মোক্ষ ফংননবগী লৈরি; মাহ্ হায়গে যুম তাও॥৪॥

ক্ষময়া ক্রোধমচ্ছিন্দ্যাৎ কামং সঙ্কল্প বর্জ্জনাৎ। সত্ত্ব সংসেবনাৎ ধীরো নিদ্রাং চচ্ছেত্তুমর্হতি ॥৫॥
অপ্রমাদাৎ ভয়ং রক্ষেচ্ছ্বাসং ক্ষেত্রজ্ঞশীলনাৎ। ইচ্ছাং দ্বেষং চ কামং চ ধৈর্য্যেণ বিনিবর্ত্তয়েৎ ॥৬॥
ভ্রমং সম্মোহমাবর্ত্তমভ্যাসাৎ বিনিবর্ত্তয়েৎ। নিদ্রাং চ প্রতিভাং চৈব জ্ঞানাভ্যাসেন তত্ত্ববিৎ ॥৭॥
উপদ্রবাং স্তথা যোগান্ হিতজীর্ণমিতাশনাৎ। মোহং লোভং চ সন্তোষং বিষয়াস্তত্ত্বদর্শনাৎ ॥৮॥
অনুক্রোশাদধর্মং চ জয়েদ্ধর্ম উপেক্ষয়া। আয়ত্যা চ জয়েদাশামর্থং সঙ্গবিবর্জনাৎ ॥৯॥

মুক্তি (মোক্ষ অরাম্ব' খুঙম) বু ফংনিংবশিংনা তৌগদবা হায়ববু—খাঙহৈবা-তাকশিবা গুণনা অশাউ-ববু, লংবম্ম থাদোকপদা কামনা (অপাম্বা) শিংবু মরুফংন ফুক্তোকপবনি। মুক্তি ফংনিংবা জ্ঞানীশিংনা জ্ঞানধ্যানমচিংবা সাত্ত্বিক কর্ম্মশিংগী পাম্বৈনা নিদ্রা তন্দ্রা উইনিংশানিংবা অমম) বু মাঙহনপদবনি ॥৫॥

ভঙ্গুতবা-ভক্কবগী পাম্বৈনা অকিববু, আত্মাগী চিন্তন (মুম্ন খল্লবা রাখপ) গী পাম্বৈনা হায়বদি লম্বীনা লুংশাশোরবু হাম্ববদি, প্রাণায়ামবু সাধন তৌগদবনি। তপখবগী পাম্বৈনা ইচ্ছা (নীংবা বু কল্লক য়েংথি-ববু অমুপা অশাম্ববু থাদোকপবনি ॥৬॥ তত্ত্ব খল্লবা মীনা শাস্ত্র অভ্যাসগী পাম্বৈনা অতুপা ভমকংপা, (কাউবা, চিনবা, অকনবা , অতোপ অতেপ্পা বিবম্বনা চঙখিগদৌরিবী বুদ্ধি—হায়বিদা দোষ অনীসিবু জ্ঞান-অভ্যাসগী পাম্বৈনা থাদোকপবনি ॥৭॥

হকচাংগী উপদ্রব অমদি লাইনাশিংবু, ফুমগদবা চীম্লাক অতুপা কায়বা চীনাকী পাম্বৈনা, অপাম্বা মিহৌববু খরলৈজবদা ভেজবা হায়বদুগী পাম্বৈনা অতুপা সংসারগী বিষয়গী আক্রমণবু তত্ত্বদৃষ্টিগী পাম্বৈনা ভাকথোককদবনি ॥৮॥ *

ফুংশিহৈবা-থৌজাল হৈবগী পাম্বৈন অধর্মবু, বিচারতৌনা নিয়ম মা চংপা অমদি ভাকপগী পাম্বৈনা

* সংসারগী পোৎ খুদিংদা লৈরিবা মশক, মহাও, মনম, খোঞ্জেল অমদি শোকপা—হায়রিবা বিষয় মতা অসিনা তাইবংমীগী খম্মোয় অমদি পুক্নীংদা তৌশিল্লকপা আক্রমণ অসিবু ভাকথোক্কপা পাম্বৈ অসি থিব ফনা লুই। লৈতে হায়ব কাওবা য়াই। তত্ত্বদৃষ্টিগী পাম্বৈনত্তনা ভাকথোকপা উপায় অমত্ত লৈতে। মাওদা উরিবা চক্ষু অসিবু ঐনা পাম্মুরিবসি 'চক্ষু' হায়বা মমিং অসিবুরা, মকং অসিবুর, মতোন্দা লৈরিবা মনম অসিবুরা, মতোন্দা লৈরিব, খোঞ্জেল অসিবুরা মত্রগা মহাওবুরা মাগী ফনবা থোৎপনচিংবা গুণ অসি-বুরা অতুগা হায়রিবা মনম মহাওনচিংবসিমক্তি কনাগীনো লৈপাকীরা, লৈপাক্ত লৈবদি মনমতনি, মওং মহাওদি লৈতে, অহুনদি করিবুনো ঐনা পাম্মুরিবসি অতুগা করিগীনো হায়ব অসিনচিংবসিবু মুমা য়েংশিন-ববু তত্ত্বদৃষ্টি কৌই। তত্ত্বদৃষ্টী অসিগী পাম্বৈকনা বিষয়শিং অসিনা তৌশিল্লকপা আক্রমণ অমদি লৌচিং অসি খর কোমথোকহনবা, মপাঙল হম্বহনবা য়াগনি। সংসারদা অশান্তি পোকহল্লিবসি মখোয় মতা অসিননি। মখোয় মতা অসিগী আক্রমণবু অতুপকী মতীক মাত্রা হম্বহল্লগা অতুপকী মতীক শান্তি ফংগনি। অসিগুম্বা তত্ত্বশিং অসি মুম্ন খঙজিনগে হৈজিনগে হায়বগীদমক তাইবংমীনা মুনিশিংগী ন্যায়শাস্ত্র বেদান্তনচিং-বা তম্লরিবনি। (কালাচাঁদ)

অনিত্যত্বেন চ স্নেহং ক্ষুধাং যোগেন পণ্ডিতঃ। কারুণ্যেনাত্মনো মানং তৃষ্ণাং চ পরিতোষতঃ ॥১০॥
উত্থানেন জয়েৎ তন্দ্রীং বিতর্কং নিশ্চয়াজ্জয়েৎ। মৌনেন বহুভাষ্যং চ শৌর্যেণ চ ভয়ং ত্যজেৎ ॥১১॥
যচ্ছেৎ বাঙ্মনসী বুদ্ধ্যা তাং যচ্ছেজ্জ্ঞানচক্ষুষা। জ্ঞানমাত্মাববোধেন যচ্ছেদাত্মানমাত্মনা ॥১২॥

ধর্মবু ঙমগদবনি। অশাবু তুংদা থোকনবু মুন্ন থায়তৌবগী পাম্বৈনা, আসক্তি থাদোকপগী পাম্বৈনা লম্ভূম কংনিংবগী আক্রমণবু ঙাকথোকপদবনি ॥৯॥

অপাম মুংশিবু সংসারগী পোং পুম্নমক অনিত্য ওইরকনি হায়না খবগী পাম্বৈনা, অরাম খৌরাংবু যোগাভ্যাসগী পাম্বৈনা মুংশিন্নৎওনবগী পাম্বৈনা খোয়বা-নাপলবু, খৌরাংবদু পেঞ্জবগী পাম্বৈনা অশিংবশিংনা ঙাকথোকপদবনি ॥১০॥

অনৌবা অকণ্না খঙ্কদা তোংনরকপগী পাম্বৈনা অতনুবব, নিয়মবিধি কায়না কংযেং য়েংপা মরে—বিতর্ক শাস্ত্রনা মকচেংনা থাজবা কায়হনগী পাম্বৈনা নমহংকপদবনি— ঙমগদবনি। * য়াফেয়ায়াম ঙাওনীতববু— মৌনব্রতগী পাম্বৈনা অহুগা ময়াল ফুদকপা থৌনা ফবগী পাম্বৈনা অকিববু জয় তৌগদবনি ॥১১॥

পুক্লীংবু অহুপা চীন্দগী হায়দোকপা য়াবু হায়বদি পুক্লীংগা লোয়ননা ইন্দ্রিয় পুম্নমপু বুদ্ধিগী পাম্বৈনা থুতুম মখাদা থমগদবনি, হায়বদি— থুংম চংগদবনি। বুদ্ধি মতাকমকপুসু তুং মাংগী য়াথম্না হায়বদি— অক কন্তগী য়াথলগী পাম্বৈনা লাকশিনগদবনি। আত্মজ্ঞানবু হায়বদি আত্মাবু পরমাত্মাগী জ্ঞানদা, হায়বদি পরমাত্মাতদা লুপহনগদবনি। মতৌ অসুম্না মশানগী আচার-বিচারদসু তশেংনা তক তকনা লৈহনা মুক্তিসাধক জ্ঞানীশিংনা তৌজক হায়রিব মরোল (থক্) শিং আসনগী মথং মথং হাইদোরকুনা অতৈ বিষয়শিংদগী মায় লৈথোরকুনা চনীংতাবা, তদা তহাদনা পরমাত্মাগী সাক্ষাৎকার তৌগদবনি, হায়বদি— আত্মা অসিমা মশাবু পরমাত্মাদা তিন্নহনখিগদবনি ॥১২॥ †

* কাল্লগুম্বা বিষয় অমগী মরুমদা মরৈ য়েংনবা মতমদা কনা কনাগুম্বনা শাস্ত্র নিয়ম প্রমাণ য়াওদনা, বৈজ্ঞানিক ওইনবা যুক্তিনা ঙমগদবগী কয়া ওহাংবৈ। অতম্ তান্দুনা, মশাগী প্রমাণ যুক্তিবু মশামক্না কক্থচরে হায়বা ফাওবা থবদনা কংয়েং য়েংতুনা থাডিত। অদুগুম্বা মীশক অদুবু, বেদশাস্ত্রগী ন্যায়বেদান্তগী নিয়ম অমদি মককাব্যশিংদ, মক চেংনা বিশ্বাস থাতুনা ফিংগৎ-পাখতুনা তপ্পা তপ্পা মতৌদা জ্ঞান তাক্তুনা মশানা লাক্লে হায়বা য়াকনগদবনি। বাগ্বিতণ্ডা কুতর্কবু— বাগ্বিতণ্ডা কুতর্ক-বিতর্কনা করদবা নত্তে। অদুম তৌরবদি মরৈথ দা কুনতুনবনা লোই শিনথখিগনি। অদুম তৌরবদি অমনগু ঙমজে— অমনসু ঙমজে। বাদী-বিবাদী— পূর্ব্বপক্ষ উত্তরপক্ষ অনীমকপু কাম ক্রোধ হিংসানা থুদুম চনথ্রে। অদুম্না শীজিন্নবা শাস্ত্রনা অহোদনদুম অশান্তি পীগনি। (কালাচান্দ)

† ঈশ্বরে লৈতবা, মতম ভিক্তগীদমক লৈহৌবা, মওংগা মমিংগা অনীসিত্তনা লৈ হায়না হায়বা হৈনব্রবা মায়াদা তাওরবা নাস্তিকশিংনা পরমাত্মা— ঈশ্বরবু লৈতে হায়রিবসি, ঈশ্বরে লৈতববু লৈ হায়না উবা হৈন-

তদেতদুপশান্তেন বোদ্ধব্যং শুচিকর্মণা। যোগদোষান্ সমুচ্ছিদ্য পঞ্চ যান্ কবয়ো বিদুঃ ॥১৩॥
কামং ক্রোধং চ লোভং চ ভয়ং স্বপ্নং চ পঞ্চমম্। পরিত্যজ্য নিষেবেত যতবাগ্ যোগসাধনান্ ॥১৪॥
ধ্যানমধ্যয়নং দানং সত্যং হ্রীরার্জবং ক্ষমা। শৌচমাহারতঃ শুদ্ধিরিন্দ্রিয়াণাং চ সংযমঃ ॥১৫॥

অপাম্বা, অশাউবা, মিহৌবা, অকিবা, তুমগনবা-তুনবা মচা অসি যোগসাধনগী মকমদা হৈথাম্বা শীবা, কত্রবা দোষ ওাক্তনি। মাখায় অসি মক ফানা কুক্তোকদবনি। মথোয়সিবু থাদোকপগা হায়দোক-পদা কায়দবা, তোংজদবা ওাওগনবা ওাচনীংবা পুম্নমকপু খিত্না যোগসাধন তৌগদবনি ॥১৩-১৪॥ ধ্যান (তুমিম্ন খনবা), অধ্যয়ন (তম্বা নৈম্নবা), দান, সত্য (অচুম্বা ওাংবা), লজ্জা (ইকাইবা খজহ), সরলতা (ইচম চমবা, ভুমম্নীংবা), ক্ষমা (মীগী মরলবু ওাকপিংহৈবা), মখুং-মশান পুমশেং শেংবা, অশাংবা অচাথক থিবদগীনি। ইশিং ইনৎ নত্তবা কংকাল—লৈকংবু ইশিংওম উহনবা, ঐন্দ্রজালিক— মিত্রংহৈবশিংগী মায়ানা তমহৎহনখ্রবশিংনা অরৈবা কংকালদুবু থক উদে, লৈতবা ইশিংছুতবু উগনি। লৈতবদু লৈ হায়না হৈন-খিবনা অবেবা মহাকপু লৈতে হায়না হায়খিবতনি। লৈতে হায়রিবসি লৈতবা হকচাংশিবু মামক্তি হায়না হায়বদা হৈনগ্রবা অনাত্মা (থাজৈশেংবা আত্মা নত্তবা) মা মক্তনি। লৈবু হায়রবস্তু লৈত্তবু হায়রবস্তু— কম্নি তৃম্নি চৎলিবু হায়রবস্তু, হায়রিবা ওাওলিবাসি আত্মা মা-মক্তি। মহাক হেক লৈতবগা মপানগী উতূপ তাওম তাহৌম্নবা হকচাং কৌবা লৈতূম অসিনা লৈ লৈত্তে, হিংলি শিম্নমচিংবা থক হায়রক্লরোই। হকচাং ইন্দ্রিয় পুক্লীং খিবিক অসিনা পাটৈ খুংলাই ওইহনা আত্মাসনা লৈ লৈত্তে হায়রিবনি। হকচাংসি ঐ নি, আত্মা (ঐ) মক্তি হায়না থবগী মতুংদা হকচা সিদি আত্মা ঐগী খুংলাই (সাধন) ওইনা লৈজবতনি অমু খহনা, হকচাংসিদগী লাহোবক্তনা মুক্ত ওইরকুনা, হকচাংসিদা করিগুম্না, হকচাংসিদা করিগুম্বা, হক-চাংসিদা কাম্নিগুম্বা মতমদা চংথোক চংশিন তোদনা ইচোপ তোম্না অমতওইনা লৈরিবা পরমাত্মা মতোপ্পা হেক তিনথিহনা মপা অমত ওইরবা মতমতুংদা আত্মাসিনা পরমাত্মা মহাকপু সাক্ষাৎকার তৌগনি। হায়বদি, মপানা মপাগী থাজৈশেংবা মুক্তিবু উদ্রগনি। অতু শক্ত্রমমতৈ মপানা মপাবু হকচাংসিনি হায়না লাম্না খল্লিবসিদগী থক লাহোরকপা মুক্তি ফংলকপা ওাস্মোই। অসিকাওবা উশিনগ্রবা নাস্তিকশিংগী অখোনা মপামক্তা হকচাংসিদগী লাহোরক্তুনা ঈশ্বর (পরমাত্মা) হায়বা অতোপ্প অম লৈরমদ্রে আত্মা ঐমক্তা ওইজবনি-ওইজরকপনি মসুম্না হায়রক্লবহু মাঙদি আস্তিকশিংগীদি চুষ্টাপত্তিনি; হায়বদি, মাইমক্তি আস্তিক-শিংবা হায়গদ্রিংলিবস্তু। লৈরিবা আত্মাসিদগী আতোপ্প পরমাত্মা হায়বা, ঈশ্বর হায়বা অলমমুক লৈদ্রে হায়রিবুবহু আত্মাসিদি লৈ, মাতনি লৈরিবা অতৈ হকচাংনচিংবা করিমত লৈত্তে হায়রিবতনি অহুমা, মুম্ন থম্নবা নাস্তিকতি আস্তিক মক্তি। অস্তি (লৈ) হায়রিবস্থু আত্মা মানি, নাস্তি (লৈত্তে) হায়রিংসিদু অবৈ-খাং আত্মা মানকা হায়রিবনি। হায়রিবা ভাবনা অসিদ্ধী মতুংইন্না শঙ্করাচার্য্যনা "জীবো ব্রহ্মৈব কেবলং" হায়-বদি আত্মা পরমাত্মৈব কেবলম" হায়রবনি। (কালাচাঁদ)

এতৈর্বিবর্দ্ধতে তেজঃপাপ্মানমুপহন্তি চ। সিধ্যন্তি চাস্য সঙ্কল্পা বিজ্ঞানং চ প্রবর্ত্ততে ॥১৬॥
ধূতপাপঃ স তেজস্বী লঘ্বাহারো জিতেন্দ্রিয়ঃ। কামক্রোধৌ বশেকৃত্বা নিনীষেৎ ব্রহ্মণঃ পদম্ ॥১৭॥
অমূঢ়ত্বমসংদিগ্ধং কামক্রোধ বিবর্জনম্। অদৈন্যমনুদীর্ণত্বমনুদ্বেগো ব্যবস্থিতিঃ ॥১৮॥
এষোমার্গো হি মোক্ষস্য প্রসন্নো বিমলঃ শুচিঃ। তথা বাক্কায়মনসাং নিয়মঃ কামতোঽন্যথা ॥ ৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
একোণসপ্তত্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৯॥

——:():——

চাবা থকপা, ঐ ইন্দ্রিয়শিংবু থুহ্মচনবা—মথোয় অসি যোগসাধনগী পাম্বৈনি খুংলায়নি। মথোয় অসিগী পাম্বৈতনা যোগসাধন তৌরিবা সাধক অহুগী মশেকমঙালবু কলংলি, তেজ কলহল্লি। মথোয়সিনা সাধক অহুগী মনুং মপালগী পাপ পুন্নমক মাঙহল্লি। মহাক্না তৌখিবা সংকল্প পুন্নমক মহৈ য়াহললি। মাগী থম্মোয়দা বিজ্ঞানগী আবির্ভাব ওইরকই ॥১৫-১৬॥

অহুম্না পাপ পুন্নমক কোয়বা তুংদা সাধক অদু তেজ লৈবা, তেজ কনবা, চাংমাইনা খিন্তং চারগা পেনজবা ইন্দ্রিয় থুহ্মদনবা মীপক অম ওইরকই। মতম অদুদা লাকওম কাওমদবা কাম.ক্রোধহুবু অমর তৌহনা মশামকপু ব্রহ্মধামদা থাংগৎখিবা ওম্মি ॥১৭॥

পওথবা অমদি বিষয়বু কা হেন্না পাম্শিনবা অনী অসি শূক্লে লৈহন্দবা, অপাম্বা অশাঊববু পুমথা থাদোক্পা, মশাবু য়ান্না তোল্লবনি—কনিস্ন লৈত্রবনি হায়না মপুক্লীং য়ৈথজবা তৌদনা, "ঐনা হায়রিবদবু কনানা কৈদৌবনি?" হায়না মকোক হাইগৎপা তৌদবা, ঐপা পাখংপা নিংদোল চোংবা তৌদবা, থম্মোয়বু ঈংনা থম্বা, কনিগুম্বা মহৈ অমা পামদনা পুক্লীং য়াহৈ য়াঙাওবু অহুগা ইন্দ্রিয়শিংবু কা হেনহন্দনা কাজিন্‌-হুনা থম্বা,—হায়রিবশিং অসি মোক্ষ— মুক্তিগী লংলবা লম্বী (উপায়) মক্তনি ॥১৮—১৯॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা চনীহুম্‌মুকুমাপন্‌গুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৯॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(হকচাংসিবু ঐনি হায়না খল্লিবা জীবাত্মাগী মরমদা নারদ-দেবল অনীনা ভাওনবা)

চনীহুম্ফুতরাগুবা অধ্যায়।

——:(*):——

ভীষ্ম উবাচ।

অত্রৈবোদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। নারদস্য চ সংবাদং দেবলস্য সিতস্য চ ॥১॥

আসীনং দেবলং বৃদ্ধং বুদ্ধ্বা বুদ্ধিমতাং বরম্। নারদঃ পরিপপ্রচ্ছ ভূতানাং প্রভবাপ্যয়ম্ ॥২॥

নারদ উবাচ।

কুতঃ সৃষ্টমিদং বিশ্বং ব্রহ্মন্ স্থাবর জঙ্গমম্। প্রলয়ে চ কমভ্যেতি তং ভবান্ প্রব্রবীতু মে ॥৩॥

অসিত উবাচ।

যেভ্যঃ সৃজতি ভূতানি কালে ভাবপ্রচোদিতঃ। মহাভূতানি পঞ্চেতি তান্যাহুর্ভূতচিন্তকাঃ ॥৪॥

তেভ্যঃ সৃজতি ভূতানি কাল আত্মপ্রচোদিতঃ। এতেভ্যো যঃ পরং ব্রূয়াদসদ্ ব্রূয়াদ সংশয়ম্ ॥৫॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! মহাক্না হংলিবা বিষয় অসিদা দেবর্ষি নারদগা ব্রহ্মর্ষি অসিত দেবলগা ভাওনখিবা ইতিহাসকী কুইরবা মতাং অমা খুদম ওইনা হেক হেক লৌনৈ ॥১॥ নোংমা অহল ওইরবা, য়াম্না জ্ঞানী ওইরবা মহর্ষি অসিতদেবলনা ফমদুনা লৈবক উবদা নারদনা অচচ্চক জীবপানবা পুরুমক্কী পোক্লকপা, থুপখিবা— লোইশিনখিবগী মরমদা হাংদুনা হংখি ॥ ॥

নারদনা অসুম্না হংজি,— ব্রহ্মন্! অচচ্চত্ত জগৎ অসি কনায়দগী কন্না থোকখ্রি— ওইখ্রিবনো? অদুগা কনাদা নত্রগা কমদা লোইশিন্— থুপচিনখ্রিবনো? মাসি ঐঙোন্দা শংনা তাকপিয়ু ॥৩॥ অসিত দেবলনা হায়,— দেবর্ষি! সৃষ্টিগী মতমদা, অচচ্চত্ত জীবপানবা পুরুমক্কী থাদোকপা য়াদনা হৈনখিবা বাসনা কামনাশিং অদুনা থোজিল্লকপদগী অদুগুম্বা অমগামগা য়ানশিন্নব. মচাক্ তত্ত্বশিং অদুনা অচচ্চত্তনা থরবা বিশ্ব জগৎ অসিবু শেমখি শাখিবা অদুগুম্বা মচাকশিং অদুবু ভৌতিক বিজ্ঞানবাদীশিংনা পঞ্চমহাভূত হায়না কৌনৈ ॥৪॥ পরমাত্মানা ঈনশিল্লকপদগী কাল হায়বদুনা অচৌবা তত্ত্ব মঙা অসিবু শেমখি। হায়রিবা তত্ত্ব মঙা অসিদগী তোঙান্বা অমনা নত্রগা তোঙানবা অমা য়ানশিনখিবা মথোয় মঙানা জগৎ অসিবু শেমখিবনি হায়বসি থাঙ্গৎশেংবা ওইদব. মীনম্বা য়ানি ॥৫॥

বিদ্ধি নারদ পঞ্চৈতান্ শাশ্বতানচলান্ ধ্রুবান্। মহতস্তেজসো রাশীন্ কালষষ্ঠান্ স্বভাবতঃ ॥৬॥
আপশ্চৈবান্তরিক্ষং চ পৃথিবী বায়ু পাবকৌ। নাসীদ্ধি পরমং তেভ্যো ভূতেভ্যো মুক্তসংশয়ম্ ॥৭॥
নোপপত্ত্যা ন বা যুক্ত্যা ত্বসৎ ব্রূয়াদ সংশয়ম্। বেত্থৈতানভিনির্বৃত্তান্ ষড়েতে যস্য রাশয়ঃ ॥৮॥
পঞ্চৈব তানি কালশ্চ ভাবাভাবৌ চ কেবলৌ। অষ্টৌ ভূতানি ভূতানাং শাশ্বতানি ভবাত্যয়ৌ ॥৯॥

নারদ ! হায়রিবা পঞ্চভূত— তত্ত্ব মঙা অসিগা কাল হায়বা তত্ত্ব অহুগা তরুক অসি অনাদিকাল-দগী চেম্বরক্লবা ঈচেল তরুক্তি হায়বসি নহাক্না চিংনবা তৌদনা থঙও্। অহুগা মখোয় তরুক অসি লেঙ-দনা অসুম চেম্বহুনা লৈরক্লবা লৈরিবা লৈগদৌরিবা মখোয় অসি তেজগী মশক ওইরবা মহত্তত্ত্বগী মহৌ-শাগী কলা মক্তনি ॥৬॥

ঈশিং, আকাশ (অহাঙবা)- পৃথিবী (লৈপাক), মুংশিং, মৈ হায়রিবা তত্ত্ব নঙ অসিদগী তোঙান্বা তত্ত্ব অমমুক লৈরমদ্রবনি হায়বাসদা চিংননীঙ'য় কৰিনতা লৈত্রবনি ॥৭॥ কৰিগুম্বা যুক্তি প্রমাণ অমনা— মখোয় তরুক অসি নত্তবা অতৈ অমা লৈরি হায়বাস কনামতনা ভস্মরোইদৌবনি। মাসিবু ওয়নবা ভাঙলিবা তৌরিবা তর্ক-বিতর্কশিং অদো চৈন্‌ক্কেং ফবা মীনম্বা মক্তনি। সংসারগী থবক পূম্নমক্কা,— থবক খুদিংমক্কা ইমরক্লিবা— য়াঙরিবা মখোয় তরুক অসি নহাকসু থঙলিবনি, অহুগা মাহুগী মরমসু থঙলিবনি ॥৮॥

হায়খ্রিবা মৈ ঈশিংনচিংবা তত্ত্ব মঙা, কাল, অশেং অশেংনা লৈবা (বিশুদ্ধভাব) অহুগা লৈতবা— আত্মভাব চঙথোক্ চঙশিন্ তৌনবগী মশক মওং ঙত্তনা হোংবা মহত্তত্ত্ব হায়রিবা নিপাল অসি নিত্যনি।*
মখোয় নিপাল অসি উরিবা জগৎ পূম্বসি অংগা পোৎ খুদিংমকী পোক্‌ফম— লোইকম্নি ॥৯॥

* মাসি সংসারগী হেক লৌরিবা, লৈংক্কদৌরিবা আধিভৌতিক বৈজ্ঞানিক, আধ্যাত্মিক-বৈজ্ঞানিক, নৈয়া-য়িক, দার্শনিক পুম্নমক্না নাকল অমদা লেপ্পুনা য়েংলবসু ককপা য়াররোহদৌবা য়ানি। সংসারদা 'লৈবা-লৈতবা হায়বা অনী অসি শেংনা লৈবা লৈতবা অহংগা শেংদনা হাংবা তিন্নহুনা— য়াম্থাইনহুনা লৈবা— লৈতবা অস্নুম্না অনী থোক্না লৈ। বৈজ্ঞানিকশিংনা মচাক নিপাল অসি মতম চঙনা— য়ানা শারিবা পোৎ অহুনা মতম থরদং লৈরম্মগা কায়খ্রিবা—লৈথিদ্রিবহু শেংদবা লৈরম্বা পোৎ ভাক্কনা মচাক্ ওইহুনা শাথি-বননি। লৈথিদ্রিবা মাঙখ্রিবা অহস্থ পোৎশিং অহুনা "শেংদনা—লৈতবা" (অশুদ্ধ—অভাব) হায়বহুগী মমুংদা লৌখিবননি। মচাক ওইরিবা য়োৎ নুংনচিংবহু লৈপাক কোবা তত্ত্ব অহুদি ওইরবসু "শেংদনা লৈবা" হায়বহুদা লৈরম্নিবনি। অহুনা "শেংদনা লৈতবা" গী মওংদা চঙথিবনি। হায়বদি— "তৌশিন্নবা লৈতবা" গী মমুংদা লৈথিবনি। অহুনা মচাকশিং অহু থোমজিল্লবা অতোম্না অমমুক শাগৎলিবা শাগৎপা য়ারিবা অহুনি। অসিগুম্বা অশুদ্ধভাব— অভাব (শেংদনা লৈবা লৈতবা) অনীগী মমুংদা মথক্কা হায়রিবা তত্ত্বশিং অসিনা ওম্থোক্ ওন্‌শিন্ তৌহুনা লৈ। অস্নুম্না পরিবর্ত্তনশীল ওইহুনা লৈরিবা মৈ ঈশিংনচিংবা তত্ত্বশিং অসি মহত্তত্ত্ব কৌই। হায়রিবা পঞ্চ মহত্তত্ত্ব হায়বদি— পঞ্চ মহাভূত অসি পঞ্চতন্মাত্রাগী মশক্ মওং

অন্তাবং যান্তি তেম্বেভ তেভ্যশ্চ প্রভবন্ত্যপি। বিনষ্টোঽপ্যস্থু তাশ্যেব জন্তুর্ভবতি পঞ্চধা ॥১০॥
তস্ত ভূমিময়ো দেহঃ শ্রোত্রমাকাশ সম্ভবম্। সূর্য্যাচ্চক্ষুর্বসুর্ব্বায়োরন্তাস্ত খলু শোণিতম্ ॥১১॥
চক্ষুসী নাসিকাকর্ণৌত্বগ্ জিহ্বেতি পঞ্চমী। ইন্দ্রিয়ানীন্দ্রিয়ার্থানাং জ্ঞানানি কবয়ো বিদুঃ ॥১২॥
দর্শনং শ্রবণং ঘ্রাণং স্পর্শনং রসনং তথা। উপপত্ত্যা গুণান্ বিদ্ধি পঞ্চ পঞ্চসুপঞ্চধা ॥১৩॥
রূপং গন্ধো রসঃ স্পর্শঃ শব্দশ্চৈবাথ তদ্‌গুনাঃ। ইন্দ্রিয়ৈরুপলভ্যন্তে পঞ্চধা পঞ্চপঞ্চভিঃ ॥১৪॥
রূপং গন্ধং রসং স্পর্শং শব্দং চৈবাথ তদ্ গুণান্। ইন্দ্রিয়াণি ন বুধ্যন্তে ক্ষেত্রজ্ঞস্তেস্তু বুধ্যতে ॥১৫॥
চিত্তমিন্দ্রিয়সংঘাতাৎ পরং তস্মাৎ পরং মনঃ। মনসস্তু পরাবুদ্ধিঃ ক্ষেত্রজ্ঞো বুদ্ধিতঃ পরঃ ॥১৬॥

অচচ্চন্ত থরায় পানবা পুম্নমকী মপান্‌গী কূয়োম হকচাং অসি লৈপাকী বিকারনি। নাকোং কৌবা ইন্দ্রিয়না আকাশদগী ওইজরকপনি। মীৎ কৌবা ইন্দ্রিয়না নুমিৎ (মৈ) দগী, প্রাণবায়ুনা মহাবায়ুদগী অমুগা ঈনা ঈশিংদগী পোকপনি, হায়বদি— ঈশিংগী বিকার ওইজবতমি ॥১১॥ মীৎ, নাকোং, নাতোল, উনসা, লৈ, জ্ঞানেন্দ্রিয় ওইবা মখোয় মঙা অসি রূপ রসনচিংবা বিষয়শিং অসিবু তম্বনা লৌশিনবা ইন্দ্রিয় মক্তনি হায়না বিদ্বান্-- অহে-অশিংশিংনা হায়নৈ ॥১২॥

মপান্‌গী পোৎশকশিংবু য়েংবা, তাবা, নম্বা, শোক্‌পা, মহাও লৌবা হায়রিবা মঙা অসি মথংশীংনা মীৎ, নাকোং, নাতোল, উনসা, লৈ— হায়রিবা ইন্দ্রিয়শিং অসিগী মথৌ (থবক) নি। মখোয় অসিবু লৌননবগী দমক্তা লৈবা ইন্দ্রিয়শিংসিগী গুণ শক্তিনি হায়না নহাক্লা খঙউ। ইন্দ্রিয় মঙাসি বিষয় মঙাদা মঙং মঙা মঙা থোক্লা লৈরিবনি ॥১৪॥ মীৎনচিংবা ইন্দ্রিয় মঙাগী পাম্বেনা মশক, মনম, মহাও, শোক্‌পা, শব্দ মঙা অসিবু উবা; নম্বা, অসিনাচংবা থবক্ মঙংনা উই, নম্মি, চাই, শোক্ই, তাডিও ॥১৪॥

মশক, মনম, মহাও, শোকপা, খোঞ্জেল মঙা অসিনা মাগী মাগী লৈরিবা, হায়বদি— মাবু মাবু লৌ-রিবা ইন্দ্রিয়শিং অমুগী লৈবি লৈরিবা, পুরি পুরিবা গুণ তম্ববু করিমতা খঙদে। ক্ষেত্রজ্ঞ (জীবাত্মা) তদা ইন্দ্রিয়শিং অমুগী পাম্বেনা অনুভব তৌই ॥১৫॥

ইন্দ্রিয়শিংগী মপৈ অমুগা হকচাং মপুম অসিদগী থম্মোয় (চিত্ত) না হেল্লি। থম্মোয়সিদগীসু পুক্নীং অসিনা অমুক হেল্লি। পুক্নীংদগী বুদ্ধিনা হেল্লি। বুদ্ধিদগীসু ক্ষেত্রজ্ঞনা অথোইবনি ॥১৬॥

নাইশিন্নবা বিস্তার মক্তনি। মরম অমুনা জীবগী দেহ (কূয়োম) ওইমুনা লৈরম্বমুনা মাঙথিবা উথিত্রিবসি মহত্তত্ত্বমুনা মঙা থোক্লা তোঙান্ তোঙান্ তাথিমুনা মাগী মাগী তন্মাত্রা মঙাহুনা মখোয়দা হঞ্জিন্নখিবনি। পঞ্চ-তন্মাত্রাশিং অমুনা মশক উদনা লৈবা ওইবনা মশক উরম্বা মহত্তত্ত্বশিং অমুসু মশক উথিদবনি। হায়বদি, লৈদি লৈরগা মশক উদনা লৈবা হায়বমুগী মমুংদা লৈনখিবনি। অমু নত্রবদি দেহ অমতং মুংথিবা মাঙ-থিবদা সংসারগী অচচ্চন্তগী দেহ পুম্নমক মতম অমতদা মাঙমিন্নরমগদবনি। বৈজ্ঞানিকশিংনা কারথিবা পোৎশকশিং অমুগা মাম্নবা অমমুক শাবা মায়মরোইদৌহনি। (কালাচান্দ)

পূর্ব্বং চেতয়তেজন্তুরিন্দ্রিয়ৈর্বিষয়ান্ পৃথক্। বিচার্য্য মনসা পশ্চাদথবুদ্ধ্যা ব্যবস্যতি ॥১৭॥
চিত্তমিন্দ্রিয়সংঘাতং মনোবুদ্ধিস্তথাষ্টমী। অষ্টৌ জ্ঞানেন্দ্রিয়াণ্যাহুরেতান্যাধ্যাত্মচিন্তকাঃ ॥১৮॥
পাণিপাদং পায়ুশ্চ মেহনং পঞ্চমং মুখম্। ইতি সংশব্দ্যমানানি শৃণু কর্ম্মেন্দ্রিয়াণ্যপি ॥১৯॥
জল্পনাভ্যবহারার্থং মুখমিন্দ্রিয়মুচ্যতে। গমনেন্দ্রিয়ং তথা পাদৌ কর্ম্মণঃ করণে করৌ ॥২০॥
পায়ূপস্থং বিসর্গার্থমিন্দ্রিয়ে তুল্যকর্ম্মণী। বিসর্গস্য পুরীষস্য বিসর্গে চাপি কামিকে ॥২১॥
বলং ষষ্ঠং ষড়েতানি বাচা সম্যগ্ যথা মম। জ্ঞানচেষ্টেন্দ্রিয়গুণাঃ সর্ব্বেষাং শব্দিতা ময়া ॥২২॥
ইন্দ্রিয়াণাং স্বকর্ম্মেভ্যঃ শ্রমাদুপরমো যদা। ভবতীন্দ্রিয়সংযোগাদথ স্বপিতি বৈ নরঃ ॥২৩॥
ইন্দ্রিয়াণাং ব্যুপরমে মনোঽব্যুপরতং যদি। সেবতে বিষয়ানেব তং বিদ্যাৎ স্বপ্নদর্শনম্ ॥২৪॥

ঈগান্ হান্‌দা জীবাত্মানা ইন্দ্রিয়শিংনা খুৎলায় ওইদুনা রূপ রসনচিংবা বিষয়শিংবু তোঙান্ তোঙান্ খায়দোক্কই। বুদ্ধিনা খুৎলায় ওইদুনা পুক্নীংগা রা তান্নদুনা জীবাত্মাসিনা বিষয়শিং অদুগী মখোৌ মওং মচা খায়না লেপ্পি। মতৌ অসুম্না বুদ্ধিগা তিন্নরা জীব অসিনা, ইন্দ্রিয়শিংনা খুৎলায় ওইদুনা হিষয়শিংবু তোঙান্ তোঙান্না অমুভব তৌই ॥১৭॥

অধ্যাত্ম তত্ত্ব মুন্ন নৈনরিবা বিদ্বন্‌শিংনা মীৎ নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয় মঙা, খশ্নোয়, পুক্নীং, বুদ্ধি— নিপাল অসিবু জ্ঞানেন্দ্রিয়নি হায়নি ॥১৮॥ খুৎ, খোঙ, অমাংবগী থোঙ, লিঙ্গ অদুগা চীল মখোয়শিংসিনা কর্ম্মেন্দ্রিয় হায়বনি। মরোয়সিগী মরম অসি নহাক্না মুন্না শুনাইনা তারে ॥১৯॥

চীলগী মথৌ অদুগা ঋজিন্নফমদি চাবগা ওাঙবগা অনীসিনি। খোঙনা চৎনবগী দমক্তনি, খুৎনা থবক তৌননবগী দমক্তনি। হায়বদি— খোঙ খুৎ অনীসি চৎননা, থবক তৌনবগী ইন্দ্রিয়নি ॥২০॥

গুহ্যদ্বার (অমাংথোঙ) অদুগা ঈশিংখোঙ অনীসিনা অমাংবা (খী) অদুগা ঈশিং (যু) অনীসিবু মথংশীংনা মপান্দা থাদোরকফম্মি। অনী অসিগী থাদোরকপগী থবক অসি মওং অমতনি। অনীসিগী থবক্ত খেন্নবা হায়ববু অমাংথোঙনা অমাংবতবু থাদোক্নফায়, অদুগা ঈশিং থোঙনা হক্নী ঈশিংবুসু অদুগা সম্ভোগ লোইবগী মতমদা বীর্য্যবুসু মপান্দা থাদোরকই— চীথোকৃহল্লকই ॥২১॥

মখোয়সি নত্তবা তরুকৃশুবা কর্ম্মেন্দ্রিয়না পাঙ্গল হায়বদি— প্রাণবায়ু মঙানি। ঐনা ঐগী ঈচীলনা নহাক্নী নফমদা ইন্দ্রিয়শিংগী অদুগা মখোয়গী জ্ঞান, কর্ম্ম, গুণ অদুমগী রাসু তাহল্লবনি ॥২২॥

ইন্দ্রিয়শিং অসিনা মাগী মাগী থবক্তগী পোথাদুনা লৈগ্রবসু পুক্নীং কৌবা মহাক্তদি মথৌদগী পোথা-দনা— লেপ্তনা রূপ রসনচিংবা বিষয়শিং অসি সেবন তৌদুনা অদুম্ লৈ। অতৈ ইন্দ্রিয়শিংনা পোথা-গ্রবসু পুক্নীং কৌবা ইন্দ্রিয় অসিনা মথন্তনা তৌজন্নিবা অবস্থা অদু স্বপ্নাবস্থা— মঙগী অৎস্থানি, হায়না খঙগদবনি ॥২৪॥ *

---

* ইন্দ্রিয় মঙানা পোথাগ্রবসু অদুগা পোথাদনা লৈবরসু, পুক্নীং ইন্দ্রিয় অসিনা মঙ মঙবগী অবস্থাদা লৈরবসু লৈত্রবসু মাগী মথৌ তন্তনা তৌদুনা লৈবা হায়ববু প্রাণবায়ু অসিতনি। মহাক অসিনা থবক্তগী

সাত্ত্বিকাশ্চৈব যে ভাবা স্তথা তামসরাজসাঃ। কর্ম্মযুক্তান্ প্রশংসন্তি সাত্ত্বিকানিতরাং স্তথা ॥২৫॥
আনন্দঃ কর্ম্মণাং সিদ্ধিঃ প্রতিপত্তিঃ পরা গতিঃ। সাত্ত্বিকস্য নিমিত্তানি ভাবান্ সংশ্রয়তে স্মৃতিঃ ॥২৬॥

সাত্ত্বিক রাজসিক তামসিক ভাব অহুম অসিনা ভোগ অনুভব তৌবগী কর্ম্মগী শক্তিগা তিল্লনা লৈরিবৈ অদুদা তাইবংমীনা ভাব অদুমসিবু প্রশংসা তৌই ॥২৭॥ * নুংঙাইবা, হরাওবা, থবক পাঙথোক্লনবগী

হেক লেপখিবদা ইন্দ্রিয়শিং অসিনীদি অমুক কত্রি হায়গনি—জীবাত্মা মহাকমকন্থ রূপ রসনচিংবা উপভোগ অনুভব তৌবদু লেপ্পি। অদুম্না লেপতিদুনা লৈথিবদু শিবা—মৃত্যু হায়না খঙনৈ। হীরম অসোমদা মুন্ন থদুয়বদি জীব অসিগী মথোংদু প্রাণবায়ুগী রক্ষাদুনা ও হুনা লৈ। প্রাণবায়ুনা মাগী মথোদগী লেপাওবসিদি তৌবা তৌদবা মওং অমদা তৌথিবা ভম্বা (কর্ত্তুমকর্ত্তুমন্যথাকর্ত্তুম সমর্থ) ঈশ্বরগী য়াথংদগীনি। ঈশ্বর লৈতবা কাওবুনা মতাং অসিদা করি হায়গদৌরি?

* জীব অসিনা সাত্ত্বিক অবস্থা লৈরিবৈদা অতোপ্পা অমগী সাত্ত্বিককর্ম্মবু অক্তিবা ইদনা মথংদা লৈরবু উর-থঙদগা মাদুগী প্রশংসা তৌই। উরিবা ক্রন্থা জীব অসিন রাজসিক অবস্থা লৈরকপা মতমদা অতোপ্পা অমগী রাজসিককর্ম্মবু উরগা থাগংলি—য়ানিংঙি। রাজসিক অবস্থা লৈরবা মী অমগী নক্রগা লৈপাক অমগী আধিভৌতিক উন্নতিগী খুদম ওইবা কুপ্না চন্নাহল লৈরী থোং উরগা রাজসিক অবস্থাদা লৈবা মী অমনা মাদুবু থাগংলি—শান্মি। অদুম্না উবরিবা মতম অমগী সাত্ত্বিক ওইবা প্রাকৃতিক ওইবা পোৎশিংবু থক্ থাগংলোই, করিগুম্বা থবকমৈদি হায়রগনি। আধিভৌতিক ওইবা মীগী দুখশেমদগী থেক্-খিবা রাজসিক পদার্থবু উরগা অকরনি হায়না লৌনিদা মী অদুনবু হক্তেংপদা লৈরা মীনি। তমোগুণ দগী খিত্তং রাজৎপা থাক্ত লৈরবতনি। অদুগুম্বা রাজসিক সিংথেদা লৈরবা মী অদুমক্তা শান্ত পুরকপা মীশক থক্ ওইরোই। লৈদুংদা ভক্তুনা শান্ত, লৈমায়থক্তা দুঃখ-তাবদুনা শান্ত, মীতৌন লেন্নগে, তৌবাঙবা উংকে হায়দুনা মপান্গী নৈ ঈশিং দুংশিংনা শাবা, বৈজ্ঞানিক ওইনা, মতম থবগী মতুংদা কায়থিগদবা—অনিত্য ওইবা পোৎ অদুবু অণ্ডকপানি থাগংমীতঙ য়নি হায়দুনা লৌরিবা মী অদুনা সাত্ত্বিক ওইবা অবস্থাদা কাখৎলকপাদি য়ানা থোকই। অদুগুম্বা মথোয় অদুনা সাত্ত্বিক ওইবা অদুগা আধ্যাত্মিক ওইবা অবস্থা অমদি য়াখন্দা পুনশি লেজরিবশিংদু উরগা অহোয়মদুম নোক্নগনি—নিন্দা তৌগনি। মপান্থোংগী নুংঙাই-য়াইকবা ওইবা পোশকুণবু উবগা মাদুগুম্বা পোশক্ত শাননবা পাম্নবগী দমক্তা মীওইব সমাজদা পাত্ত-তাক পীগনি। মুন্না খাঙ্গল্লুবদি মপানগী জগন্তা মসিনা মক্ষতে, মণ্ডকলে, মাসিনা মচুপ্ন হায়বা অরেপ্পা অমত্তা লৈতে। লৈমায়থক্তা খিল্লিবা তাজমহল কৌবা ফুরা অমা পৃথিবীগী অঙকপা পামনি হায়না লৌনৈ। থা য়ৌনা কাননবা বিনানশিং অসি থোরকপদগীদ তাজমহল অসি অচুক য়ান্না ওক্লক্রে, কজবগী শক্লক মঙায়রে। অসিগুম্বা রাজসিকবুদ্ধিবা কা হেন্না চঙহুদনা, সাত্ত্বিকমার্গদা লৈদুনা জগৎকী শান্তিম্পবু—তাইবংমী ঐখোয়না থোল্লমগদবনি—শেম্মগদবনি। (কালাচাঁদ)

জন্মসেকত্রমেবৈবং ভাবা যে বিধিনাস্থিতাঃ। তাবয়োরীপ্সিতং নিত্যং প্রত্যক্ষং গমনং তয়োঃ ॥২৭॥
ইন্দ্রিয়াণি চ ভাবাশ্চ গুণাঃ সপ্তদশ স্মৃতাঃ। তেষামষ্টাদশো দেহী যঃ শরীরে চ শাশ্বতঃ ॥২৮॥
অথবা সশরীরাস্তে গুণাঃ সর্ব্বে শরীরিণাম্। সংশ্রিতাস্তং বিযোগে হি সশরীরা ন সন্তি তে ॥২৯॥

অহুগা পাওথোকখিবগী মরম্ব থৌবা ওবগী শক্তি, অথোইবা অফবা পোলোই—মরি অসি সাত্ত্বিকভাবনি, সাত্ত্বিক ওইবা মীগী স্মৃতিজ্ঞান অসি হায়রিবা ভাব মরি অসিগী আশ্রয় লৌই। হায়বদি— সাত্ত্বিক ওইবা মীদি জাগ্রত অবস্থাদা লৈবগী মতৌ গুম্না স্বপ্ন অবস্থাদম্ব হায়বদি— মঙ মত্তিওবৈদম্ব মুংঙাইবা, হরাওবগী অনুভূতি (ফাওবা—থৌবা) অহু অহুম মফংডি ॥২৬॥

হায়রিবসিদগী তোঙাম্না লৈরিবা রাজসিকভাবতা লৈনা থরায় পানবশিংগী মমুংদা করিগুম্বা মীশক্নী মওংগী লৈরি লৈরিবা মওং অহুদি বিধিনা লৈ হায়বদি কর্মগতিগী আশ্রয়দা চৎজহুনা লৈ। অহুগুম্বা মী শিং অহুগী স্মৃতিজ্ঞান অহুনা ফাংশিং অহুবু অহুম মরোই। হায়রিবসিগী ভাবতি— তূমদনা য়াহৌহুনা লৈবা— জাগ্রত অবস্থাদা, অহুগা তূমহুনা মঙ মঙহুনা লৈবা অবস্থাদম্ব মানা মানা লৈরিবা—রাজসিক তামসিক ওইবা মওংদা উংম্না পোৎ অহু অহুম মউই ॥২৭॥ *

কর্ম-ইন্দ্রিয় মঙা, জ্ঞান-ইন্দ্রিয় মঙা, থম্মোয়, বুদ্ধি, পুক্নীং, প্রাণবায়ু সাত্ত্বিকনচিংবা ভাব অহুম— মথোয় অসি পুম্না গুণ তরাতারেৎনি হায়না— লৌনা থওনখ্রে। মথোয় অসিগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা ওইহুনা লৈরিবা জীবাত্মা অসিনা তরানীপাললুবা ওইনা হকচাংদুং অসিদা লৈ। মহাক্তদি সনাতননি হায়না লৌনৈ। হায়বদি— অহুদি অকেন্না লৌখিবা মতম থবগী মমুংনা মঙ হেংখিদবা ভাক্তনি। জীবসিদি অনাদি কালদগী অনন্তকালস ফাওবা লৈরক্কবনি, লৈরিবনি, লৈগ্রগদবনি। হকচাং অসিগা য়াওনা গুণ পুম্নমক দেহ ধারী জীবাত্মা অসিগী আশ্রয় লৌনা লৈরিবনি। জীবসিগা লেক্ কায়নবদা হায়রিবা গুণশিং অসি— নিরাশ্রয় ওইহুনা অহুম মথং মথং মাংডুখি ॥২৮—২৯॥

---

* রজোগুণগী অবস্থাদা লৈরিবৈদবা উরিবা— ফংলিবা রাজসিক ওইবা পোৎ অহু তূমদ্রিবৈ মতমদম্ব রাজসিক পদার্থ ওইনা অহুম মফংডি। মঙ মঙলব মতমদম্ব অহুম মউই— অহুম মফংডি। মঙগা রাজসিক ওইবা পোৎ অমা উবিরহু তূমদ্রিবৈদা মী অহুনা রাজসিক অবস্থাদা লৈরিবৈদা উথিবা, ফংখিবা, পামখিবা, ফংনিংখিবা পোৎ অহুনি। তমোগুণদা লৈবশিংশীম্ব অহুনি। তামসিক ওইবা মীশিংনা মঙ্ ফাওবদা সাত্ত্বিক ওইবা পোৎশক পওনা উবা ফংলোই— ওয়্নোই। খুদম ওইনা হায়রবদা, ফজরবা হুরাম্বা মীগী মাওন-তারবতা তৌবনা মশীজং ওইরবা তামসিক ওইবা মীনা মমতদা ফাওবা মীগী কায়নবা তৌবা দান তৌবা, মীতোন্দা উপকারগী পীথোক্পা মীশক অমা থক্ ওইরম্মোই। তাইবংদা মীতোন্দা দান তৌবা ওমহৌদবগী মুংথাই মুংঙাইতন তূমখিবা মী অহু মাগী মমঙদা মাগী মরম মৈ চাকপা উরগা— মাংগ্রেম-হাগ্রেমহুনা কল্লক্কুনা মুংঙাইনা নোক্কপা অহু থক্ -তৌরোই। মরম অহুনা মঙ তাইবং অনীমক্

অথবা সন্নিপাতোঽয়ং শরীরং পাঞ্চভৌতিকম্। একশ্চ দশ চাষ্টৌ চ গুণাঃ সহ শরীরিণা ॥৩০॥
উষ্মণা সহ বিংশো বা সংঘাতঃ পাঞ্চভৌতিকঃ। মহান্ সন্ধারয়ত্যেত চ্ছরীরং বায়ুনা সহ ॥৩১॥
তস্য প্রভাবযুক্তস্য নিমিত্তং দেহভেদনে। যথোৎপদ্যতে কিঞ্চিৎ পঞ্চত্বং গচ্ছতে তথা ॥৩২॥

গুণ পূর্ণমক অসিগী মপৈ পাঞ্চভৌতিক শরীরনি। হায়রবদি - পঞ্চভূতনা শাথিবা — ওইথিবা কায় শরীর (মপৈ— চবুন্) নি। মহত্তত্ত্ব অদুগা জীবগা থানা মথোয় তয়ানীপাল অসিস্থ মপৈ অসিগী মন্থং চনবরি ॥৩ ॥

চাক্থাওদা চাক্লিবা মৈ অসি য়াওনা পায়রগা মথক্তা হায়খ্রিবা তত্ত্বশিং অসিগী মশাং অসি চপ্ চানা থীয়বদি পাঞ্চভৌতিক ওইবা দেহ কৌবা মপৈ অসি তত্ত্ব কুনগী মপৈ— মত্মনি। মহত্তত্ত্বশিংনা প্রাণ-বায়ুগা লোয়নবা হকচাং অসিবু পুরি। * হকচাংমুংদা লৈখিবা মুংশিং অসিদি হকচাং অসিবু থিনগাই-হুনা থোক্থিবগী থবক্তা মতম খরদংগী থুংলায় ওইহুনা লৈজরিবতনি। অদুনা প্রভাব চাউরবা মহাবায়ু কৌবা মহত্তত্বগী মগাক্ অমগী থুংলাইগী মতোগুম লৈরি ॥৩, ॥

প্রমাণ অমদা হায়রগা— উরিবা চক্ষু কিনচিংবা পোৎশিং অসিনা ওহাক ওহাক্ মশক্ উহন্লমগা— মাওথিনা তুমখিবগুরা অহানবগী হায়বদি – মমাংগী মপোক্কী কর্মশিংদুগী মহৈনা ফংলিবা পাপ-পুণ্যনচিংবা অসিনা মাওথ্রবদা— তুমথ্রবদা হকচাং অসি, পঞ্চতত্ত্বগা মরী লৈননা উরম্বদগী পঞ্চভূতকা মরী লৈনথি, মাসিবু হকচাংসিনা পঞ্চতত্ত্বগী অবস্থাদা চংথিবা কৌই। হায়া তৌখ্রিবা বর্মশিং অদুনা পৈশিল্লম্বা পাপ-পুণ্য অদুনা ঈনছিল্লকুনা জীব অসি ঈনশিল্লখিবা মকম মতম অদুমক্তদা— তাইবংমী, শা-শল, উচেক্-

অসিবু অমতা ওইনা তিন্নহল্লনি। সাত্ত্বিক রাজসিক তামসিক ভাব অদুম অসিত্তনা ওই। মরমদি সাত্ত্বিক রাজসিক তামসিক ওইবা রংথলগী অমদি সৃষ্টি— নীওশিংবগী ইচেলদি জাগ্রত স্বপ্নাহস্থ অনীমক্তা মওং অমতদা কায়দনা অদুম চেম্বহুনা লৈ।

* শীরবা হকচাংমুংসিদা ওমথৈ নাইবা শীরবা গত্তি পুরিবা প্রাণবায়ু অসিবু মপান্দা লৈরবা ওমথৈ নাইদবা মহাবায়ু অসিনা পুরি। অসুম্না পঞ্চভূতপু পুরিবা পঞ্চমহাভূত লৈরিবনি। মথোয় অদু মহাবায়ু মহাতেজ, মহাকাশ অসিনচিংবা য়াহৈনা কৌনৈ। শীরবা মৈ ঈশিং মুংশিংনচিংবগী মপৈনা ওইজখিবা, ওমথৈ— সীমা নাইবা হকচাংসিগী মঙ্গংদা ওমথৈ নাইদবা আত্মা—জীবাত্মা হায়রবহুনা লৈরবদি— ওমথৈ নাইদবা মহাবায়ু মহাতেজ মহাকাশনচিংবনা মপৈ ওইনা শাগৎখিবা ওমথৈ নাইদবা বিশ্ব জগৎ অসিদা ওমথৈ নাইদবা আত্মা মহাত্মা কন্না শীক্কুনা লৈরোই? শীনথুংনা লৈরিবহু পরমাত্মানি। অদুনা কুপ্ন লৈনমবদি আত্মা পরমাত্মা— জীব ব্রহ্ম অনীমক্ হকচাং অসিদা লৈরে। দেহ অমত্তদা পুল্লবসু জীব ব্রহ্ম অনীদি তোঙাল তোঙান্ অদুম্ মরৈরি। তোঙাল তোঙান্দে জীব ব্রহ্ম অমতনি, হকচাংসিদি মপান্দা লৈরগুম উরবনি, মায়ানি অসুম্না হায়রবা শঙ্করাচার্য্যনচিংবগী মতম্ লৈরি। (কালাচাঁদ)

পুণ্যপাপবিনাশান্তে পুণ্যপাপসমীরিতঃ। দেহং বিশতি কালেন ততোঽয়ং কর্মসম্ভবম্ ॥৩৩॥
হিত্বা হিত্বা হ্যয়ং প্রৈতি দেহাদ্দেহং কৃতাশ্রয়ঃ। কালসংচোদিতঃ ক্ষেত্রী বিশীর্ণাদ্বা গৃহাদ্ গৃহম্ ॥৩৪॥
তত্র নৈবানুতপ্যন্তে প্রাজ্ঞা নিশ্চিতনিশ্চয়াঃ। কৃপণাস্ত্বনুতপ্যন্তে জনাঃ সম্বন্ধদর্শিনঃ ॥৩৫॥
ন হ্যয়ং কস্যচিৎ কশ্চিন্নাস্য কশ্চন বিদ্যতে। ভবত্যেকো হ্যয়ং নিত্যং শরীরে সুখদুঃখভাক্ ॥৩৬॥
নৈব সঞ্জায়তে জন্তুর্ন চ জাতু বিপদ্যতে। যাতি দেহময়ং মুক্ত্বা কদাচিৎ পরমাং গতিম্ ॥৩৭॥
পুণ্যপাপময়ং দেহং ক্ষপয়ন্ কর্মসঞ্চয়াৎ। ক্ষীণদেহঃ পুনর্দেহী ব্রহ্মত্বমুপগচ্ছতি ॥ ৮॥

মায়ানচিংবগী হকচাংদা শমুক চংশিনখি ॥৩১—৩৩॥ যুমদা লৈবা য়ুম্বুরেন্ অতুন য়ুম অতুনা কৌন্থরবা, তেকথ্রবদা অনৌবা যুমদা, অনৌবতুনা অমুক তেকথ্রবদা অতুমখুবা যুমদ হোংচিন্‌খিদ্রুগুম্না কাল কৌবা মহাক্কী য়াথংদগী মহাক্ক শীল্লকন্দগী লরি লৈরিবা মঙংগী যুমগী মশক ওইরবা হকচাং আসনা তুথখ্রবদা, তুথহৌরব হকচাংশিং অদুবু মথং মথং থাদোক্লমতুনা অনৌ অনৌব হকচাংশিংদা জীব অসিনা চঙ্গি ॥৩৪॥

বিদ্বান্ জ্ঞানী পণ্ডিতশিংনা চিংনবা লৈতনা অসুম্না খঙজি মাতুদি— জীবাত্মা অসিদি হৌরম পুম্বদা হকচাংসিগা কয়িগুম্বা মরী অমত্তা থমদে। * কয়িগুম্বা বিষয়দা আসক্তি থমদে। মরম পুম্বদা অমাঙ-অতা লৈতে। মহাক্তি হকচাং অসিগা কায়নরবস্তু কয়িমত্তা য়াবিদে, কাপ্পদে। অপঙবশিংগী হকচাংদুংদা লৈবা জীবাত্মা মশামক্তা মশাবু হকচাংসিবু মাগনি থখ্রহুনা, হকচাংমক্তি হায়না থনখিহুনা হকচাং অসিগা কায়নরবনি হায়না খন্দুনা কায়, মুংশাথী, কপ্পি, লাউই ॥৩৫॥

থাঙ্গৎপেংবদি জীব অসি কনামত্তগী কয়িস্থ নত্তে। অদুগা কয়িগুম্বা পেৎ অমত্তনস্থ মাগী ওইদে, সংসারগী কয়িগুম্বা পোৎশক অমগা মগা মরী লৈনদে। অতুনা মহাক্তি মাগীনি হায়বা কনিমত্তা লৈতবনা মাগী কয়িনত্ত লৈজনবনা মথন্তা মডর। অদুগী মহাক্তা দেহদুদা তেক্ লৈকবদগী অমগা অমগা মরী থম্মরিবা হকচাংসমকপু মশামক্তি হায়না খন্থহুনা থবা তুডাংগী ঈমাক্তা তাউরি ॥ ৬॥

জীব অসিদি পোকপস্থ য়াওদে শিবস্থ য়াওদে। জীব অসিগী তত্ত্বজ্ঞনবু মুল্লা ফংলবা মী মহাক অদুদি হকচাংসিবু মশামক্তি হায়না খল্লম্বা অহংকার অদু থাদোক্লুনা অথোইবা থুভবু ফংডি ॥৩৭॥

হকচাং অসিদি পাপপুণ্য অনীগী মশাক্ত। জীবসিনা অহানবগী দেহদুনা লৈরম্বা মতমদা তৌরম্বা অদুগী মহৈনা, হায়বদি— নহানমুক্তা মপোক্তা তৌরকপা কর্মদুগী মহেগী মশক ওইনা কর্মশিং অদুনা অসুম

---

* মফম অসিদা লরিবা আধ্যাত্মিক অমসুং বৈজ্ঞানিক বিচারদি— দেহদুংদা শীংলবা প্রাণবায়ুসিমকস্থ দৈহসিগা মরী কয়িমত্তা থমদে। মগান্দা শীংলবা মহাব খুদা, হায়বদি— মহাবায়ু কেশা শুদ্ধভূত অসি মরী থম্বনি। মতৌ অমা সূক্ষ্ম তত্ত্ব অসনা মা নাদী মক্ত্বংব অমগা মরী থম্বনি। এরোয়না নীংবনা হকচাংগী মশক লৈরবা লৈরাবসগা চংশাপোল প্রাণ। সিগা অধ্যর মখোইক্ত লৈবা লৈন-খোই নীংঙ। মাঙু চফু মখুংদা লৈবা আকাশ অমদি খুংশিংকা মফুদুগা মরী লৈনবোঃ নীংবগুম্বনি। (কাংচাদ)

পুণ্যপাপক্ষয়ার্থং হি সাংখ্যজ্ঞানং বিধীয়তে। তৎক্ষয়ে হ্যস্য পশ্যন্তি ব্রহ্মভাবে পরাং গতিম্ ॥৩৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি

সপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭০॥

——:(+):——

অসুম কংশিল্লকই— শোম্বরকই। মাসিবু খওনা খওনা সংসারকর্ম তৌরম্বা মী মহাক অহুগী জীহুনা হকচাং অসিদগী লাম্নোকপ্রবা তুংদা ব্রহ্মাববু হায়বদি – ব্রহ্মস্বরূপবু ফংগি ॥৩৮॥

পাপ-পুণ্য অনীসিগী মাঙহনবগীদমক্তা জ্ঞানযোগ হায়বা সধনা অসি লৈত্রিবনি। জ্ঞানযোগমার্গদা চংপশিংগী জীবনা হকচাং সদগী মপান্ থোকপ্রগা ব্রহ্মভাবপু ফংগি। অদুঙুম্বা জ্ঞানী জ্ঞানযোগীশিংহুনা পরমগতিবু হায়বদি অথোইবা গতিবু ফংগি ॥৩৯॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেখবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা

মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা চনীহুমফুতরাশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭০॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

একসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(অরায়্-থোরাঙববু থাদোক্লনবগী মতাংদা মাণ্ডব্য মুনিগা জনক নিংথৌগা ওাওনবা)

চনীগা হুম্ফুতরামাথোইশুবা অধ্যায়

——:(+):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

আত্মরঃ পিতরঃ পৌত্রা ভ্রাতরঃ সুহৃদঃ সুতাঃ। অর্থহেতোর্হতাঃ ক্রূরৈরস্মাভিঃ পাপকর্মভিঃ ॥১॥

যেয়মর্থোদ্ভবা তৃষ্ণা কথমেতাং পিতামহ। নিবর্ত্তয়েম পাপানি তৃষ্ণয়া কারিতা বয়ম্ ॥২॥

যুধিষ্ঠিরনা হংগি,— ঈবুধো। ঐখোয়দি মহাপাপী, তমথীরবা, মীশক ডাক্ত ওইরে। লৈপাক, সিংহাসন, লৌরী-ইথোল, সনা লুপা থরগীদমক্তা ঈচৌন ঈনাও, ঈপ ঈপল, ঈমা ঈপু, শাগৈ-নাইৌ, তাই-থেল, ময়াম-মপাং কয়া কয়া হাৎলে। পাপ অসি লম পাম্বা, লৌরী-ইথোলবু থোয়াংবা হায়বমুলদী পোকখিবনি। অসিগুম্বা থোয়াংবসি কোক্লনবা অদুম্বা তৌত্রিবা পাপ অসি কোক্লনবা করি উপায় অদি

ভীষ্ম উবাচ।

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। গীতং বিদেহরাজেন মাণ্ডব্যায়ানুপৃচ্ছতে ॥৩॥
সুসুখং বত জীবামি যস্য মে নাস্তি কিঞ্চন। মিথিলায়াং প্রদীপ্তায়াং ন মে দহ্যতি কিঞ্চন ॥৪॥
অর্থাঃ খলু সমৃদ্ধা হি বাঢ়ং দুঃখং বিজানতাম্। অসমৃদ্ধাস্ত্বপি সদা মোহয়ন্ত্যবিচক্ষণং ॥৫॥
যচ্চ কামসুখং লোকে যচ্চ দিব্যং মহৎ সুখম্। তৃষ্ণাক্ষয়সুখস্যৈতে নার্হত ষোড়শীং কলাম্ ॥৬॥
যথৈব শৃঙ্গং গোঃ কালে বর্দ্ধমানস্য বর্দ্ধতে। তথৈব তৃষ্ণা বিত্তেন বর্দ্ধমানেন বর্দ্ধতে ॥৭॥
ন কামাননুরুধ্যেত দুঃখং কামেষু বৈ রতিঃ। প্রাপ্যার্থমুপযুঞ্জীত ধর্ম্মং কামান্ বিসর্জ্জয়েৎ ॥৮॥
কিঞ্চিদেব মমত্বেন যদা ভবতি কল্পিতম্। তদেব পরিতাপায় নাশে সম্পদ্যতে পুনঃ ॥৯॥

প্রায়শ্চিত্ত লৈবগে ? ॥১—২॥ ভীষ্মনা হায়— মমাঙৈদা মাণ্ডব্য ঋষিনা বিদেহগী নিংথৌ জনককী ফমদা আসঙুম্ব ৱাকম শুসি হন্না হঙ্গা হায়খি। মাসিগী পাউখুম্ব জনক নিংথৌনা মাণ্ডব্য ঋষিদা পীখি। মাংচৈগী বিদ্বান্ পণ্ডিতশিংনা মাহুৎ নহাক্কী অসিগুম্বা ৱাহংসিদা খুদম পাউখুম ওইনা পীনৈ ॥৩॥

অসিগুম্বা ৱাহং অসিগী পাউখুম ওইনা নিংথৌ জনকনা মাণ্ডব্যদা অসুম হায়না খুমখি— মাণ্ডব্য! ই ঋষি! নুংঙাইনা লৈরি, অরাংপা কঙিমতা লৈতে। মরমদি— ঐগী অসিদা লৈরিবা উরিবশিং অসিদা ঐগী পোৎ অমত্তা য়াওদে, পোৎ অমতা ঐগী নত্তে। অহুনা ঐ করিগুম্বা পোৎ অমতা মিহৌদে। মিথিলা লৈবাক মিনা পুনচাক চাকথরবসু মাহুনা ঐগী পোৎ অমতা চাক্তে ॥৪॥

ৱাখল লৈবা অশিংবগী মমীত্তা মমল য়ম্লবা বিষয় সম্পত্তি পুম্বা অরাবগী মশক্তা ওই। বিষয় সম্পত্তিশিংসিনা অপঙবশিংবু অরাবা খুদোংথীবদা থাদৈ। অপাম্বা মিহৌবদগী তাম্লুবা পোৎশক্তা পীব নুংঙাইব হুগা, লাইরেবাকী পোৎশক্তা পীবা নুংঙাইবা অনীসিনা পুম্নপনা, অপাম্বা থৌরাংবা মাংথবা মী অমগী ঙাইবহুগী শরুক তরাসুক্কী শরুক অমা ফাওবা ফদে ॥৫—৬॥

শমাউগী মচিনা শমাউদুনা অসুমসুম হবচাংদা অহুগা চহীদা চাউথৎলকপদা চাউথৎলকপা অদুগুম্না বিষয়সম্পত্তি অসুমসুম চাউথৎ য়ামথৎলক্লগা থৌরাংবদুসু অসুমসুম মথোই কারকই ॥৭॥

অমা থওদে, অমা থওদে, সংসারগী করিগুম্বা পোৎ অমদা ঐগীনি হায়বা ৱাখল অসিমা থবা হৌরকদি পোৎ অদুদা অনৌ অনৌবা থোমজিন্নরুবহুদসু ঐগীনি হায়বা ৱাখল অহুসু অদুম মথোমজিন্নুই। থোমজিন্নুরিবহু ৱাননবা মচাক্ অমদম্ থোমজিন্নুরিবনি ॥৮॥

অদুনা সুখ শান্তি পাম্বশিংনা অরাবা হেম্নবা, অশান্তি পীননবা মচাক থক্ থোমজিনবা হৌমদে। বিষয় সম্পত্তিদা থম্মুরিবা আসক্তি অদু অরাবা হায়বহুগী শক্তোন্নি। বিষয় সম্পত্তিদুবু কংগুরগা মাদু ধর্ম্মদা শীজিন্নথোকহবনি। অপাম্বা মিহৌববু অদুগা মাদুনা কংঙকপা পোৎপুম— হায়রিবা অমীমক্তসি দাকহবনি ॥৯॥

বিদ্বান্ সর্ব্বেষু ভূতেষু আত্মনা সোপমো ভবেৎ। কৃতকৃত্যো বিশুদ্ধাত্মা সর্ব্বং ত্যজতি চৈব হ ॥১০॥
উভে সত্যানৃতে ত্যক্ত্বা শোকানন্দৌ প্রিয়াপ্রিয়ে। ভয়াভয়ং চ সংত্যজ্য সম্প্রশান্তো নিরাময়ঃ ॥১১॥
যা দুস্ত্যজা দুর্ম্মতিভির্যা ন জীর্য্যতে জীর্য্যতঃ। যোঽসৌ প্রাণান্তিকো রোগস্তাং তৃষ্ণাং ত্যজতঃ সুখম্ ॥১২॥
চরিত্রমাত্মনঃ পশ্যঞ্চন্দ্রশুদ্ধমনাময়ম্। ধর্ম্মাত্মা লভতে কীর্ত্তিং প্রেত্য চেহ যথাসুখম্ ॥১৩॥
রাজ্ঞস্তদ্বচনং শ্রুত্বা প্রীতিমানভবদ্দ্বিজঃ। পূজয়িত্বা চ তদ্বাক্যং মাণ্ডব্যো মোক্ষমাশ্রিতঃ ॥১৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি মাণ্ডব্য জনক-সংবাদে একসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭১॥

——:০:——

জ্ঞানী বিদ্বানশিংনা অচচত্ত জীবপান্বা থুদিংমকপু মশা মশাগা চপ্‌মান্‌না উই. অদুগা উপমবমক-সুনি। মতুম্ তৌরবতদা মীওইবা মপোক্কী মথৌ পুম্বা পাংথোক্লবা অদুগ পুকচেল শেংলবা মীশক হায়-বদু ওইদুনা মহাক অদু সংসারগী দোষ পুম্নমক্কী মুক্ত ওই লাক্লিবনি ॥১০॥

অদুগুম্বা মহাক অদুদি অচুম্বা-চুমদবা, অরাবা-ফাওইবা, নুংশিবা-নুংশিদবা, অপাম্বা-পামদবা, অকিব কিদবা অসিনচিংবা অমী থোকপা রাথশিং অসিবু পুম্নমক থাদোক্লুনা মশা শান্ত ওইদুনা মশানগী করিগুম্বা পোৎশক অমত্তুনা মহাক্কী থম্মোয়গী পাক্কা ইপোম লৈহন্দনা লৈ ॥১১॥

মবুদ্ধি থেল্লবা মীশিংনা থাদোকপা ঙমদবা থোকপা, হকচাংসনা কাপশিল্লববদু মাতদি ইনৌ নৌনা অদুম মরৈবা, হদোং অসুবাক্কা ফাওবদা মতম্লা লাংনা থমা ওইনা অদুম মরৈবা অদুগুম্বা "থৌরাংবা—পেন্দবা" কৌবা অদুবু থাদোক্লবা অদুগুম্বা মী মহাক অদুতনা পরম সুখ থাবদু হায়বদি শান্তিগী মশক ওইরবা সু ফাওই-রবা থুগাইবা ফংবা ঙম্মি ॥১২॥

মশাগী আচার বিচার অমদি ব্যবহার অদু থাগী ইচেলগী মচেলগুম উজরবা মহাক অদুতনা ইহলোক পরলোক অনীমক্কী শান্তিবু ফাই ॥১৩॥

নিংথৌ জনকনা হায়বা অসি তাবগা মহর্ষি মাণ্ডব্য অসি ওঙ্ক্রক পেনখ্রে। মহাক্কী ৱাডাও অদু তাবদা মাণ্ডব্য ঋষি অসিগী মুক্তি ফংননবগী লমকোয়দা চত্তুনা চৎখি ॥ ১৪॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতগী শ্লোক লিশিং চাওনা শ্রীব্যাসনা হাইবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা মাণ্ডব্য-জনক-সংবাদদা চনী হুমফুত্তরমাথোইগী অধ্যায় লোইরে ॥২৭১॥

——:০:——

মণিপুরী মহাভারত

দ্বিসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(হকচাংগী অমদি সংসারসিংগী অনিত্যতাগী মরমদা ৱাঙনবা)

চনীহুমফুতরানীথোইশুবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অতিক্রামতি কালেঽস্মিন্ সর্ব্বভূত ক্ষয়াবহে। কিং শ্রেয়ঃ প্রতিপদ্যেত তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র প্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। পিতুঃ পুত্রেণ সংবাদং তং নিবোধ যুধিষ্ঠির ॥২॥

দ্বিজাতেঃ কস্যচিৎ পার্থ স্বাধ্যায় নিরতস্য বৈ। পুত্রো বভূব মেধাবী নাম নামতঃ ॥৩॥

সোঽব্রবীৎ পিতরং পুত্রঃ স্বাধ্যায়করণে রতম্। মোক্ষধর্ম্মেষ্ব কুশলো মোক্ষধর্মবিচক্ষণঃ ॥৪॥

পুত্র উবাচ।

ধীরঃ কিং স্বিৎ তাত কুর্য্যাৎ প্রজানন্ ক্ষিপ্রং হ্যায়ুর্ভ্রশ্যতে মানবানাম্।

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুংথৌ! জীব পাননবা পুম্নমকপু কিহনবা কাল (মতম) কৌবা লাই অসি নোংম নোংমগী মীকুপ থুদিংগী তৌথি। লৈরিবা অহৌত্ত জীবপানবশিং অসিনা লৈরিবসি কনানা কয়া কুইনা লৈখিগবা হায়বা অমতা থওদে। অসিগুম্বা দশা অসিদা ঙাইবং মীনা মপোক অসিগী মঙ্গুংদা মঙ্গল পীনহৈবা করম্বা থবক তৌরমগদগে হায়বহ ত্তাকপিয়ু ॥ ॥

ভীষ্মনা হায়,— নহাক্না হংলিবা অসিগুম্বা বিষয় অসিদা মমাংঙৈগী কুইরবা ৱারী অমা হেক্ হেক্ লীনৈ। মাহু লীগে তাও ॥১॥

কুন্তী-নন্দন! মমাংঙৈদা লাইরিক লাইশু-তা তৌহুনা লৈবা, ধর্ম-কর্মদা য়াম্না পুক্নীং চঙবা ব্রাহ্মণ অমা লৈরম্মি। মাগী মচা য়াম্না মেধা (জ্ঞান) লৈবা, মমিং-সু মেধাবী কৌবা অমা লৈরম্মি ॥৩॥

মাগী মপা ব্রাহ্মণ অসি কুমিংচুম্না বেদশাস্ত্র তম্বা তম্বিবা অমদি ঔবাইবতদা পুক্নীং চঙিঙ। অদুগা মোক্ষধর্মদা মুক্তি ফংননবগী মরমদদি অতক য়াম্না হৈত্তে— থওদে। অদুগা মাগী মচা মেধাবী হায়বসিদি মোক্ষধর্মগী তত্ত্ব য়াম্না য়ুম্না থত্তিঙ। নোংমা মপাদা হংখি ॥৪॥

পিতৃদেব! ঙাইবং মীগী পুনশিংগী ঈচেল অসি অতৎ-অথম লৈত্তনা শাক্ কয়া চেত্থরি। মাসিবু

পিতস্তথাচক্ষ্যাহি যথার্থযোগম্ মমানুপূর্ব্ব্যা যেন ধর্ম্মং চরেয়ম্ ॥৫॥

পিতোবাচ।

অধীত্যবেদান্ ব্রহ্মচর্য্যেষু পুত্র পুত্রানিচ্ছেৎ পাবনায় পিতৄণাম্।
অগ্নীনাধায় বিধিবচ্চেষ্টযজ্ঞো বনং প্রবিশ্যাথ মুনির্বুভূষেৎ ॥৬॥

পুত্র উবাচ।

এবমভ্যাহতে লোকে সর্ব্বতঃ পরিবারিতে। অমোঘাসু পতন্তিষু কিং ধীর ইব ভাষসে ॥৭॥

পিতোবাচ।

কথমভ্যাহতো লোকঃ কেন বা পরিবারিতঃ। অমোঘাঃ কাঃ পতন্তীহ কিং নু ভীষয়সীব মাম্ ॥৮॥

পুত্র উবাচ।

মৃত্যুনাভ্যাহতো লোকো জরয়া পরিবারিতঃ। অহোরাত্রাঃ পতন্তীমে তচ্চ কস্মাৎ ন বুদ্ধ্যসে ॥৯॥

উরবা অমদি খুঙগাব মী মহাক অদুনা চেকনব ধর্ম্মসি করিনো ? পিতৃদেব। মসি পুন্নক অসি মথং মনাও নাইনা অমুক্ত ভাকপিয়ু। এক্কপিন্দুনী মতুংগ ঐ থুনা য়াক্না ধন অদু তৌগদৌগে ॥৫॥

মপানা হায়,— ঈবুঙো। ব্রহ্মণনা তৌদনদি অহানবা ব্রহ্মচারী ওইদুনা ব্রহ্মচর্য্যাশ্রমদা বিদ্যা তম্বা, বেদশাস্ত্র তম্বা তম্বিবা, অদুগী পিতৃঋণ্ণনাচংবনা মনা মপু পুন্নমকপু পোকহল্লব গৃহস্থধর্মদা চংবা, অদুগা আশ্রমসিদ লৈরিঙৈদা বিধি কায়দনা যাগ যজ্ঞ দান নাচংবা তৌবোবা, অদুনগী বানপ্রস্থাশ্রমদা চংবা, অদুনগী ঈকোন্ কোনবদা মুনি ওইদুনা সন্ন্যাসাশ্রমদা লৈবা অসিনি ॥৬॥

মচানা হায়,— পিতাজী ! তৌক্তিক হৌজিকমক লৈরিবা লোক (মলোক) অসিদি করিগুম্বা কনাগুম্বা অমনা অরুম অস্থুম কম্না পুক্তিল্লক্লি। অমনা মথৈগী পুন্না কোয়ক্লক্লি। লেঙহনবা য়ারবোইদৌবা. অরেমদা মাঙহনবা য়াবরে ঈলৌবাশং অসিনা ঐখোঙ তম্না লাকনি লোংনবী খোঙকাপ কম্না হোৎচিল্লক্লি— কুঙিল্লক্লি। অসিগুম্বা কীবমদা পিতাজীনা য়াম্না তপথনা লাক্রনা পুম্না মথং মনাও নাইনা চথননবগী পাউতাক্ পীবিরিবসি করিনো ? ॥৭॥

মপানা হায়,— ঈবুঙো। নংনা মপাবু কিম্মনবগী হোৎনরিবসি করিনীনো ? ফমে, হায়রু হায়রু, লোক অসিবু অচচন্ত জীবপানবশি অসিবু কন কানা যুরিবা, কনা কনানা চখোক্পা য়াদবমথৈ কোয়শিন্দুনা থম্লিবা ? ঐখোয়গা আক্রমণ তৌশিল্লক্লিবশিং অসিগী মযুমদা কঙ্খাক-পাকথোকপা য়াবরোইদৌবনা কনা— কয়রবনো ? ॥৮॥

মচানা হায়,— পিতৃদেব ! মেংবিবু কহল ওইরকপা হায়রবসিনা অচচন্ত পুন্নক্কী মথক্তা আক্রমণ

* হায়রিবসিগী ভাবত্তি— মথং মনাওগী থবক অসি মথং মনাও নাইনা পাওথে ক্রুবগী হোৎনরিঙৈদা— মথক্তা হায়রিবা য়েরুবশিংসিনা কোয়শিল্লকুনা হাংখ্রবদি কমদৌনে ? থবকশিংসি মথং মনাও নাইনা পাওথোকক্রিঙৈদা নত্রগা পাওথোক পাওথেক্কা লৈরিঙৈদা থুনা য়াঙনা হোৎনহোগদবা— চংহৌগদবা ধর্ম অসি করিনো— হায়বনি। (কালাচাঁদ)

যদাহমেব জানামি ন মৃত্যুস্তিষ্ঠতীতি হ। সোঽহং প্রতীক্ষিষ্যে জ্ঞানেনাপিহিতশ্চরন্ ॥১০॥
রাত্র্যাং রাত্র্যাং ব্যতীতায়ামায়ুরল্পতরং যদা। গাধোদকে মৎস্য ইব সুখং বিন্দেত কস্তদা ॥১১॥
পুষ্পাণীব বিচিন্বন্তমন্যত্র গতমানসম্। অনবাপ্তেষু কামেষু মৃত্যুরভ্যেতি মানবম্ ॥১২॥

তৌরক্লি, তৌরক্লি অতুগা তৌথখিগদৌরিবনি। মসিবু কৈদৌনা থনবিক্লিবনো? অতুগা থঙবিক্লিবনো? ॥৯॥

মহাক অসি ঐনা হায়জবদা করিমত্তা তাররোইদৌবনি। অতুগা ঐস্থ জ্ঞানগী মথক ওইরবা লাল-কুবিংনা ঈশা পুম্নমক কুপশিন্নুনা মচংলিবনি। অদুবু কুমিং থুদিং মীকুপ খুদিং ঐগী জ্ঞানগী মথক ওই-রবা লালফুবিং অসি হাইগাই হোৎপাদুনা কুম্লক্লি হায়বসি খঙলক্লবা, ঐগী ঈশাগী মঙলগী দমকনি, হায়দুনা ধর্ম্মকর্ম্মগী থবক অতুগা যাগযজ্ঞগী থবক তৌদনা, মহাকপু মীকুপ অমগীদমক ওইরবস্ত ভাইদুনা লৈগনবসি কনানো? ॥১০॥ *

অহিং অমমম্ লেপ্লব তুংদা পুনশি অসি থর থর পীকশিল্লম্মি। ঈশিংনা অসুমসুম কাংশিল্লকপগা মাদুদা লৈরিব ঙানা সুংভাইদৌরিবসি কনানো ॥১১॥

লৈকোন্দা লৈ মথং মথং অসুম হেক্রিতৈদা অকিবগী মথক কংলবা শা অমনা আক্রমণ তৌরকপা অদুগুম্বা ত ইবং মীনা ঈচাউ ভাউনা নাকল অমদা লৈথেক্লুনা করিগুম্বা বিষয় অমদা পুক্নীং চঙলিতৈদা মৃত্যু হায়বদুনা তুলোমদগী কো চরক্লুনা মহাকপু লাকথুত্না চৎদুনা পুখি ॥১২॥

---

* মাসিদা হায়রিবসনী ছান্দকি,— ঐখোয় তাইব জীবশিং অসিনা থঙ্গরিবনা— ঐখোয় জ্ঞান তাল্লি, পোকপাশিবদগী লাম্হোক্লবা ধর্ম্মকর্ম্ম তৌরি, বেদ পুরাণ পোক্ত তম্লি নৈনবি, সধনা তৌরি অসিনি। মৈনবিতৈ তম্নৈ নৈনবগী মপু মাপিতৈ অসিক মহাক্স মীকুপ অমতা ভাংবিদনা— ধ্যান তপস্যা তৌরিতৈ মম্ব শোল্লিতৈসিমক্লদা ঐখোয়বু অসুমসুম কোয়শিল্লক্লুনা ঈশাক্ নকশিল্লক্লি। নকশিল্লক্লিতৈ অসিমক্তদম্ মহাক (অহল ওইরকপা (হায়বসিনা ঐখোয়গী ঈশাসিমক্ মপুফানা শোকতিতৈদম্ মৃত্যু হায়বদুনা ঐ-খোয়গী মরক্তগী অংবু থঙাহৌনা পুক্নাত্থক্ মচংখি। মাসিদা ঐ থ য়না মহাকপু মীকুপ অমতং ভাই-ভনা লৈকম খোকপ্রা? হায়বদি — ঐখোয়না তৌরিবসি যাগযজ্ঞ ধর্ম্ম কর্ম্ম তৌন তৌনা, জ্ঞান তাম্ব তাম্বা মহাকপু ভাইনা ভাইনা তৌরিবনি হায়না খনদুনা ফীশিব্রা? নত্ত্রগা মহাকপু ভাগথেক্লবরা? নত্রগা— মাবু ভাকথেক্লবা তৌত্ব তৌরবা থবক কাংস মপু ফাক্তিভস্নু, ঈনক্ যৌরক্লে হায়বগু নীংশিংভুদবনা— মতৌদ্রিব্রা? নত্রগা— শিব, কুমিক্লা শিবা হায়বদুনি হায়দুনা ঈতাউ ভাইন খন্দকুনা মত্তম লেপ্পনবা মাবু ভাকবা ওইন, অসুন মতৌশিন্নবনি হায়ন খন্দুবা তৌরিব্রা? খুহুনগী হেত্ন ছকফম খোকপা— পঙথবা, তমহংপ হাঙবনা কাংনো হায়বদা, মঙ্গো হায়রিবশিং অসি অমতা শুকংন্ থম্লুনা শিরোই-না-যোইদৌবগুম, অহল ওইরকপা— শিবা হায়বদুদি— হ.য়ঃ কোম্না লকদবান হায়না খঙদুনা ভাইবং জীবনা থবক তৌনরিবনি। (কালাচান্দ)

শ্বঃ কার্য্যমদ্য কুর্বীত পূর্ব্বাহ্ণে চাপরাহ্নিকম্। ন হি প্রতীক্ষতে মৃত্যুঃ কৃতং চাস্য ন বা কৃতম্ ॥১৩॥
অদ্যৈব কুরু যচ্ছ্রেয়ো মা ত্বাং কালোঽত্যগাদয়ম্। কো হি জানাতি কস্যাদ্য মৃত্যুকালো ভবিষ্যতি ॥১৪॥
অকৃতেষ্বেব কার্য্যেষু মৃত্যুর্বৈ সম্প্রকর্ষতি। যুবৈব ধর্মশীলঃ স্যাদনিমিত্তং হি জীবিতম্ ॥১৫॥
কৃতে ধর্মে ভবেৎ প্রীতিরিহ প্রেত্য চ শাশ্বতী। মোহেন হি সমাবিষ্টঃ পুত্রদারার্থমুদ্যতঃ ॥১৬॥
কৃত্বা কার্য্যমকার্য্যং বা পুষ্টিমেষাং প্রযচ্ছতি। তং পুত্রপশুসম্পন্নং ব্যাসক্তমনসং নরম্ ॥১৭॥
সুপ্তং ব্যাঘ্রং মহৌঘো বা মৃত্যুরাদায় গচ্ছতি। সঞ্চিন্বানকমেবৈনং কামানামবিতৃপ্তকম্ ॥১৮॥
বৃকীবোরণমাসাদ্য মৃত্যুরাদায় গচ্ছতি। ইদং কৃতমিদং কার্য্যমিদমন্যৎ কৃতাকৃতম্ ॥১৯॥

অহুনা হয়েং তৌগদবা থবক অহু ঙসি তৌথোকতৌগনি। ঙমিংঙুংদা মতুংদা তৌগে থন্বা থবক্ ঙসি ঙমিংঙু ত্রিঙৈদা তৌথোকতৌগদবনি। মরমদি— থবক আস তৌরব্রা তৌদ্রিব্রা হায়বহু অহুংগা লোই-দ্রিব্রা? লোইব্রা হায়বহু মৃত্যু হায়বহুনা ঙাইবিদে ॥১৩॥

কানবা মঙ্গল ওইবা থবক অহুদি হৌজিকমক তৌথোকদবনি। মরমদি— বাং চাউরবা মতম (মৃত্যু) হায়বহুনা নহাকপু কান্নুনা থক্ চংখিরোই। অহুংগুম্বা অকে বাং চাউথরবা মৃত্যু হায়বহুনা লাকপদা কনা অমতনা থঙহৌদে— উংগৌদে ॥১৪॥

থবক থুনিংমক মপুং ফাদনা লৈতৌবা ঙাকনি। থবক তৌরিবা মী মহাক অহুবু, থবক অহুনা লোইদ্রিবদা মৃত্যু হায়বহুনা চিংনা পুথিবা ঙাকনি, হৌজিংমকতু অহুনি। অহুনা, নহা ওইরিঙৈ পাখং মচা ওইরিঙৈদগী হৌনা তাইবংমীনা ধর্ম তাদগৌগদবনি। করিগুম্বা থঙগনি, মৃত্যু হায়বহুদি হৌজিকমকতু লাকপা যাই। মাগী লাক্নবগী মতম অংগ্লা লৈতে ॥১৫॥

ধর্মগী থবক অহু থুনা য়াংনা তৌরোইদবদি মৃত্যু লাক্নবসু মৃত্যুগী মতুংদা— পরলোকতা ঙাংঙাইবা কংলুই। মাসিবু কাংলহুনা করিগুম্বা বিষয় অমদা শুনহৌখহুনা মহুদা থরং হকচাং হেকমক লুপপ্রবদি— বিষয়হুমক্তা নিপা মুপীবু ওস্লোক ওস্লোকপা থবকী মথা-মরেংনা ফজিন্ পুন্শিন্দুনা থম্মি। তৌবা হৌনবা তৌহৈদবা, থবক কয়া কয়ানা মীহৌহন্দুনা তাইবং মীবু মৃত্যু মহাক্না মহাক লাক্লে হায়বা কাউগল্লি। তৌরি তৌরিবা থবকুনা ওহাক্ ওহাক পেলহল্লে। লন থুম শা শম্না অহুংগা মচা-মশূপিংনা পিক্ থলহন্দুনা তাইবং মীনা মাহুংনা কা হেন্না আসক্ত থমখিহুনা মৃত্যু মহাকপু মীকুপ খুদিং কাউহুনা লৈরি। ফুরেলগী কন্নবা ঈশিং ঈহেল ঈরৈন, তুংহন্দুগী মপান্দা মীঙতহৈনা তুংহুন লৈরিবা কেহুবু চেন্থহনা পুথিবা অহুংগুম্না— মায়া মোহগী লাদা থুহনা লোইরইদনা মৃত্যুন নারাই লাকুনা তাইবং মীবু নমহুনা পুরি ॥১৬—১৭॥

বিষয় ঙাগ চাংরৈদা, অহুংগা চাবা লোই অরৈদে— লোদ্রি ওদা মী মহাক অহুবু মৃত্যু হায়বা অহুনা লাকুনা থেঙ তুনা পুথি। কে অমাম্না মাউমাবু উংহুনা পুথং অহুংগুবনি ॥১৮॥

থবক আসনদি তৌরে, থবক অসিনা লৈরি তৌগদবা, মথাক্ অসিমদি হায়রেল লোইথোকে হায়না

এবমীহাসমাযুক্তং মৃত্যুরাদায় গচ্ছতি। কৃতানাং ফলমপ্রাপ্তং কার্য্যাণাং কর্ম্মসঙ্গিনাম্ ॥২০॥
ক্ষেত্রাপণগৃহাসক্তং মৃত্যুরাদায় গচ্ছতি। দুর্ব্বলং বলবন্তং চ প্রাজ্ঞং শূরং জড়ং কবিম্ ॥২১॥
অপ্রাপ্ত সর্ব্বকামার্থং মৃত্যুরাদায় গচ্ছতি। মৃত্যুর্জরা চ ব্যাধিশ্চ দুঃখঃ চানেককারণম্ ॥২২॥
অসংত্যাজ্যং যদা মর্ত্ত্যৈঃ কিং স্বস্থ ইব তিষ্ঠসি। জাতমেবান্তকোঽন্তায় জরা চান্বেতি দেহিনম্ ॥২৩॥
অনুষক্তা দ্বয়েনৈতে ভাবাঃ স্থাবরজঙ্গমাঃ। ন মৃত্যুসেনামায়ান্তীং জাতু কশ্চিৎ প্রবাধতে ॥২৪॥
বলাৎ সত্যমৃতে হ্যেকং সত্যেহ্যমৃতমাশ্রিতম। মৃত্যোর্ব্বা গৃহমেতদ্বৈ যা গ্রামে বসতো রতিঃ ॥২৫॥
দৈবানামেষ বৈ গোষ্ঠো যদরণ্যমিতি শ্রুতিঃ। নিবন্ধনী রজ্জুরেষা যা গ্রামে বসতোঽরতি ॥২৬॥
ছিত্ত্বৈনাং সুকৃতো যান্তি নৈনাং ছিন্দন্তি দুষ্কৃতঃ। যো ন হিংসতি সত্ত্বানি মনোবাক্কর্ম্মহেতুভিঃ ॥২৭॥

থম্লিদৈ মক্তদা মহাকপু মৃত্যু হায়বহনা কোয়শিন্দুনা পুখি ॥১৯॥ লৌবুক ইথোলগী, যুম-কৈগী, কুবা-দলাগ শাবগী নৈনরিদৈ কাতু-কাবল চেল্লিদৈদা অহুগা মাদুবু পাঙ্গোকক্ত্রিদৈ কংজ্রিদৈগী মমাঙদা মৃত্যুনা মী অহুবু অাম লম্দগী কাতুনা সংসার (ইহলোক) কী বামদা পুখি ॥২০॥

শোন্গে শোনসনু, কন্গে কন্সনু, পঙগে পঙসনু, শিংগে শিংসনু, অজানী ওইগে ওইসনু মূর্খ ওইগে ওইসনু— মাগী মগী লৌডশিনহু থুদ্রিদনা মহাক অদুবু মৃত্যু হায়বহনা অতম্বক পুদনা চংখি ॥২১॥

শিজাজী ! দুকচাং অসিদা মৃত্যু (শিবা), জরা (অহল ওইবা), ব্যাধি লায়না) অসগা মরম কয়া কনাগী ওন্শিনা অবাবা মথন মসন্না, পবেং শানা, পাকী নাইনা লঙগনবগী লাঞ্জা লক্লুনা লৈপ্রবনি। ডাইবং মীনা মথা সিবগী কনিনতা নাস্থাকপা মদনা লৈরিবনি। অদুন্না নৈদিব অবস্থ সিদা লৌডগায়দনা লৈথোকলিব্রিব কবিগীনে ? ॥২২॥

হেক পোকপা মুহিত্তগী অন্তক (যমরাজ) না ডাইবং জীববু অত্ত ওইহনগদবগী— লৌশিনগদবগী কোয়িন্ ইমহুনা লৈরিবনি। অদুগা লোয়ন লোয়ননা জরা হায়বহুপু অদুম চৎশিল্লক্লিবুনি। অচচ্ছত্ত পুম্ব অনীসিনা পুন্দুনা থম্লিবনি ॥২৩॥

সত্য (অদুম্বা) হায়বা মহাক অদু নত্তনা ডাইবমীওইবনা মমাঙদা মতুংদা মাবু শঙলক্লিবা মৃত্যু হায়বহুবু করিগুম্বা উপায় (থুংলায়) অমনা ঈশ্বোকপা— থুদেকপা ঙমদে। অদুনা মৃত্যু মাবু শমগে হায়রবদি— অসত্যব থাদোক্তুনা সত্যগী আশ্রয় লৌদবনি। সত্যদনা মৃত্যুবু জয় তৌবা ঙম্মি। মরমদি— সত্যতা ব্রহ্ম লৈ ॥২৪॥

থুলগী অমদি নগর (সহর) দা লৈদুনা মুপীগদা থম্মুব্রিব আসক্তি (কা হেন্না পামশিনবা) অদো মৃত্যু (অশিবগী) যুমনি। "যদরণ্যম্" না হৌবা শ্রুতি অদুগী মতুংইন্না বানপ্রস্থ হায়বা আশ্রম অদু লৈ-প্লিবনি। বানপ্রস্থ হায়বা আশ্রম অসি দেবতাশিংগী স্বর্গগী গোশালাগা চপ মান্নবনি ॥২৫॥ গ্রাম (খুল) দা লৈরগা মুপী-নহাদা কা হেন্না থম্মুব্রিবা আসক্তি অদু শঙ্গোন্দা শলশিং কাজিন্নবা থৌরাঙনি। পুণ্য হেন্নবা মী থবতদা থৌরী অহুবু ককথৎপা ঙম্মনি, পাপী ওইবা মীনদি মাহু থদৎপা ঙমদে॥ ৬॥ পূর্ব্বোক্ত

জীবিতার্থাপনয়নৈঃ প্রাণিভির্ন স বধ্যতে। তস্মাৎ সত্যব্রতাচারঃ সত্যব্রতপরায়ণঃ ॥২৮॥

সত্যকামঃ সমো দান্তঃ সত্যেনৈবান্তকং জয়েৎ। অমৃতঞ্চৈব মৃত্যুশ্চ দ্বয়ং দেহে প্রতিষ্ঠিতম্ ॥২৯॥

মৃত্যুরাপদ্যতে মোহাৎ সত্যেনাপদ্যতেঽমৃতম্। সোঽহং সত্যমহিংসার্থী কামক্রোধবহিষ্কৃতঃ ॥৩০॥

সমাশ্রিত্য সুখং ক্ষেমী মৃত্যুং হাস্যাম্যমৃত্যুবৎ। শান্তিযজ্ঞরতো দান্তো ব্রহ্মযজ্ঞে স্থিতো মুনিঃ ॥৩১॥

বাঙ্মনঃকর্মযজ্ঞশ্চ ভবিষ্যাম্যুদগায়নে। পশুযজ্ঞৈঃ কথং হিংস্রৈর্মাদৃশো যষ্টুমর্হতি ॥৩২॥

অন্তবদ্ভিরিব প্রাজ্ঞঃ ক্ষত্রযজ্ঞৈঃ পিশাচবৎ। আত্মন্যেবাত্মনা জাত আত্মনিষ্ঠোঽপ্রজঃ পিতঃ ॥৩৩॥

আত্মযজ্ঞো ভবিষ্যামি ন মাং তারয়তি প্রজা। যস্য বাঙ্মনসী স্যাতাং সম্যক্প্রণিহিতে সদা ॥৩৪

নত্রগা বাহৈনা নত্রগা থবক্তা কনাগুম্বা করিগুম্বা অমগী মকমদা হিংসা তৌকত্রবা মী অহুবু করিগুম্বা বিবম্বী থৌগী অমনা মহাকপ্ ফাবা-পুনবা ভমদে ॥২৮॥

মরম অদুনা তাইবংমীনা মতম পুম্বদা মীকুপ খুদিংদা সদাচার অমদি সত্যব্রততা তৌনা লৈগদবনি। অচুম্বা থবক তৌবা অচুম্বা রাথদা থনবা, অচুম্বা বা ঙাংবা, অচুম্বা মা (শক্ত) তনু তাবা হায়বা ব্রতনু হায়বদি— সত্যব্রততনু ওকপদা পুক্নীং চঙগনবনি। অচুম্বা সত্য তৌবা ব্রত অমতা অমাম্বগা লোয়-নলা ওক্লদবনি অচচকি জীব-পাবা খুদিংমক্তা চম্মাহনবা নীংদে থমগদবনি। ইন্দ্রিয় খুদিং চন্দুনা সত্য-ব্রততুবু ওক্তা চঙলিবা মী অহাক অদুতনা মৃত্যু জয় তৌবা ঙম্মি ॥২৯॥

মৃত্যু অমৃত্যু - অমৃত অমসুং স্বর্গ নরক পাপ লৈথিব নত্তে অচচ্চদা শরীরদা হায়রিনি। কাম-ক্রোধবিরগী অহংগী লমদো তাবগা মৃত্যু অদুগা সত্যগী আশ্রয়দা লৈবগা অমৃত্যু (অমৃত) ফঙি ॥ ৩০॥

অদুনা ঐ তৌজিক কাম ক্রোধ অমীবু থাদোক্লগা অহিংসা ব্রত তৌগে। সমগী আশ্রয় তৌ-দুনা মঙ্গল ওইবগী অস্মাতক লৈরগদবনি। অমরম ওইদুনা মৃত্যুবু জয় তৌগনি ॥৩১॥

সূর্যদেবনা উত্তরায়ণদা চত্তুকপদা, শান্তি লাগনবা যজ্ঞ তৌদুনা ইন্দ্রিয় থুনা থম্দুনা, মন্ত্র অমা ব্রহ্ম যজ্ঞ ওইহল্লুনা মাতুদ থরায় হকচাং অমতা ওইনা পাওথক্লুনা, জপগী মখল ওইবা বাক্যজ্ঞ তৌরগা অহুনী তুংদা মনোযজ্ঞ — পুক্নীংদা তৌব যজ্ঞ তৌরগা নিক মন্ত্রব কর্মযজ্ঞ তৌগনি ॥৩২॥

অমম মতং ভুজিন্না খণ্ডমবা ঐগুম্বা কনানা মাওঙা হাংদনা মচাক ওইবা হিংস কর্মগী মথক ওইবা পশুযজ্ঞসিগুম্বসি তৌগনি? হিচা মাইহৈবগুম্বা, ভুরশি-খণ্ডত্রবা ক্ষত্রিয় কনাগা অসিগুম্বা অমথীরবা যজ্ঞগী অনুষ্ঠান অসি তৌগদগে? ॥৩৩॥

পিতাজী। আত্মা অসে পিতাজীগী আত্মহৃদগী অদুম থোকচরকপনি। মশা মশাদা অদুম মরৈ-রবনি। অদুনা হকচাংসিদা লৈরিবা আত্মা ঐসে কনাগীসু মচা নত্তে, কনাগীসু মপা নত্তে। আত্মযজ্ঞগী পুরোহিত যজমান অমীক আত্মা ঐ ঈশামা অদুম মওইজগনি। আত্মাগা কনাগুম্বা অমদি করিগুম্বা অমতগা মচী-মতা থোক্তে ॥৩৩॥ অসিগুম্বা আধ্যাত্মিক ওইবা রাথদা মীকুপ খুদিংদা থরাম হকচাং ইন্দ্রিয়

তপস্ত্যাগশ্চ যোগশ্চ স তৈঃ সর্ব্বমবাপ্নুয়াৎ। নাস্তি বিদ্যাসমং চক্ষুর্নাস্তি বিদ্যাসমং ফলম্ ॥৩৫॥
নাস্তি রাগসমং দুঃখং নাস্তি ত্যাগসমং সুখম্ ॥৩৬॥

নৈতাদৃশং ব্রাহ্মণস্যাস্তি বিত্তং যথৈকতা সমতা সত্যতা।
শীলে স্থিতির্দণ্ডনিধানমার্জবম্ ততস্ততশ্চোপরমঃ ক্রিয়াভ্যঃ ॥৩৭
কিং তে ধনৈর্ব্বান্ধবৈর্ব্বাপি কিং তে কিং তে দারৈর্ব্রাহ্মণ যো মরিষ্যসি।
আত্মানমন্বিচ্ছ গুহাং প্রবিষ্টং পিতামহাস্তে ক্ব গতাঃ পিতা চ ॥৩৮॥

ভীষ্ম উবাচ।

পুত্রস্যৈতদ্বচঃ শ্রুত্বা তথাকার্ষীৎ পিতা নৃপ। তথা ত্বমপি বর্ত্তস্ব সত্যধর্মপরায়ণঃ ॥৩৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি পিতা-পুত্র-সংবাদে দ্বিসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭২॥

——:():——

পূম্নমক অমগামগা চোইথোকহন্দনা মচিন অমত্তা লেপ্তনা থম্বা আধ্যাত্মিকযোগী মহাত্মনা ফংজোইদোবা পোৎ, য়োংবা ভম্মোহন্দোবা মফম (পদম) অমতা লৈতে ॥৩৪॥

সংসারসিদ ব্রহ্মবিদ্যাগুম্বা মীৎ অমতা লৈতে। ব্রহ্মবিদ্যাগী অতোপ্পা হংগদবা, কংফম থোকপা মহৈ (ফল) অমতা লৈতে। রাগগা মান্নবা অরাবা অমতা লৈতে, ত্যাগ (যজ্ঞ— থাদোকপা) গা মান্নবা নুংঙাইবা অমত্তা সংসারসিদা লৈতে ॥৩৫—৩৬॥

ব্রাহ্মণগী ধর্ম হায়বদু ব্রহ্মগা অমতা ওইনা রাথানিনা চত্থিনখিবা, অচুম্বতনা লেপ্পুনা লেপ্তনা লৈবা আচার বিচারদা তংঙাইনা তংঙাইনা লৈবা,— হিংসা থাদোকপা, য়াম্মিমথৈ সকামকর্মগী হন্দোরকপা— অসি নত্তবা কয়মত্তা লৈতে ॥৩৭॥ অদুনা পিতৃদেব! হে ব্রাহ্মণ! নুমিৎ খুদিংগী মীকুপ অমমমদা মৃত্যু হায়রবদুনা ঐখোয়বু লাক্কদবগী ভাইহুনা লৈরিবা পুন্সি অসিদা লায়থুং ধন সম্পত্তিশিং অমিগী মশী, লৈনগৎ-হল্লবগীদমক মিকনকগী কড়ি কান্নবা লৈরি? মপানগী গিরি গুহাগিদো চংতুনা ধ্যান তৌরুগী মহুত্তা থমোয় গুহা নুংদা লৈরিবা মম পিপু সধবা তৌহুনা মথক উত্রি ক্ষাওবা ধ্যান তৌবিয়ু। খন্নিয়ু ঐ-খোয়গী মমাঙদা মীকুপ অমমমগীত ঈপা ঈপু, ঈচৌন-ঈনাও, মরূপ-মপাং, শাগৈ-নাইজ শাহুনা লৈমিন্নরম্বা মখোয়শিং কদায় কদায়দা চংখ্রে? ॥৩৮॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মচাগী বাশিংসি তাবদ মপা ব্রাহ্মণ অদুনা কূপ্প মুম বিচার তৌরগা মচাহুনা হায়বা মতুংইন্না থবক পূম্নমক তৌবা কৌখি। অদুনা নহাকসু অচুম্বা— সত্যধর্ম অসিদা পূক্নীং চঙনা চত্থনা পন্থং লেপ্লু ॥৩৯॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা মপা মচা-ভাঙনবদা চনীতুমফুতরানীথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭২

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

ত্রিসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(হারীত মুনিনা সন্ন্যাসগী তত্ত্ব তাকপা)

চনীহুম্‌ফুতরাহুম্‌দোইশুবা অধ্যায়।

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কিং শীলঃ কিং সমাচারঃ কিং বিদ্যঃ কিং পরায়ণঃ। প্রাপ্নোতি ব্রহ্মণঃ স্থানং যৎ পরং প্রকৃতের্ধ্রুবম্ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

মোক্ষধর্ম্মেষু নিরতো লঘ্বাহারো জিতেন্দ্রিয়ঃ। প্রাপ্নোতি পরমং স্থানং যৎ পরং প্রকৃতের্ধ্রুবম্ ॥২॥

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। হারীতেন পুরা গীতম্ তং নিবোধ যুধিষ্ঠির ॥

স্বগৃহাদভিনিস্মৃত্য লাভালাভে সমো মুনিঃ। সমুপোঢ়েষু কামেষু নিরপেক্ষঃ পরিব্রজেৎ ॥৩॥

ন চক্ষুষা ন মনসা ন বাচা দূষয়েদপি। ন প্রত্যক্ষং পরোক্ষং বা দূষণং ব্যাহরেৎ ক্বচিৎ ॥৪॥

ন হিংস্যাৎ সর্ব্বভূতানি মৈত্রায়ণগতিশ্চরেৎ। নেদং জীবিতমাসাদ্য বৈরং কুর্ব্বীত কেনচিৎ ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হংই,— ঈবুধা! প্রকৃতিসিদগী রাংমদা লৈবা পরব্রহ্ম মগী ধর্মসি অমাঙ অতা লৈতবনি। অদুগুম্বা ধাম অদুবু করম্বা ভাবনা, করি আচরণ ব্যবহারনা, করম্বা বিদ্যানা, করম্বা কর্মনা তাইবং মীওইবা ঐখোয়না ফংগনগে ? ॥১॥

ভীষ্মনা হায়,— মোক্ষধর্মদ, মোক্ষধর্মগী তত্ত্ব খিবদা পুক্নীং চঙবা, চাক নাইনা অকবা থম্বা চাহুনা ইন্দ্রিয় থুহুমলম্বা লৈবা মী অদুতনা পরব্রহ্মবু ফংই ॥ ॥

যুধিষ্ঠির ! মমাংঙৈদা হারীত মুনিনা তাকখিবা সন্ন্যাসগী জ্ঞান অদু উদাহরণ ওইনা অসিগুম্বা বিষয়দা মথং মথং লীনরকই। মাহু নহাক অমুক ঐ.ভান্দগী মথং শীংনা তাবো। পোকপা শিবগী লাংদগী নাম্বোকনীংবা, হায়বদি— অরনখুহুম ফংলীংবশিংনা, ফংবা-ফংদবা মাংবা তোংবা, অরাবা হুংঙাইদা অসি চিবা— অনী অসী থোক্লিবসিবু মশা অমতনি চপ মান্নবনি হায়না খন্দোকখিহুনা মুখিবুতুবা, হায়বদি— তুমিন্নবা ভাংদনা সংসারগী বিষয় পুম্নমক থাদোক্লমগা সন্ন্যাসী ওই ॥৩॥

অদুগুম্বা সন্ন্যাসী মহাক্না মীৎনা পুক্নীংনা অমদি রাইনা কনাগুম্বা অমগী দোষবু উকদে, য়েংলুদে, খল্লুদে অদুগা ভাঙলুদে। মাঙদা তুংদা কনামতগী দোষ হায়দোকলুদে ॥৪॥ অদুগুম্বা সন্ন্যাসী অদুদি—

অতিবাদাং স্তিতিক্ষেত নাভিমন্যেত কংচন। ক্রোধ্যমানঃ প্রিয়ং ব্রূয়াদাক্রুষ্টঃ কুশলং বদেৎ ॥৬॥
প্রদক্ষিণং চ সব্যং চ গ্রামমধ্যে চ নাচরেৎ। ভৈক্ষচর্য্যমনাপন্নো ন গচ্ছেৎ পূর্ব্বকেতিতঃ ॥৭॥
অবকীর্ণঃ সুগুপ্তশ্চ ন বাচা হ্যপ্রিয়ং বদেৎ। মৃদুঃ স্যাদপ্রতিক্রূরো বিস্রব্ধঃ স্যাদকত্থনঃ ॥৮॥
বিধূমে সন্নমুসলে ব্যঙ্গারে ভুক্তবজ্জনে। অতীতপাত্রসঞ্চারে ভিক্ষাং লিপ্সেত বৈ মুনিঃ ॥৯॥
প্রাণযাত্রিক মাত্রঃ স্যান্মাত্রালাভেষ্বনাদৃতঃ। অলাভে ন বিহন্যেত লাভশ্চৈনং ন হর্ষয়েৎ ॥১০॥
লাভং সাধারণং নেচ্ছেন্ন ভুঞ্জীতাভিপূজিতঃ। অভিপূজিতলাভং হি জুগুপ্সেতৈব তাদৃশঃ ॥১১॥

কনাগুম্বা কহিগুম্বা অমগী মকমদা হিংসাগী থবক তৌরুদে। কনাগুম্বা অমগী মফমদা অরা-অনাগী চৈনা শীরুদে। খুদিং পুম্নমক্কী মকমদা মিত্রভাগী ভাব থম্মি, হায়বদি— খুদিং পুম্নমকপু মরূপনি হায়না থম্মি। মীকুপ্পা মাওঙগদবা ফকচাং অসি পুথুনা কনাগুম্বা অমগী মফমদা বৈরিভাব থম্মুরোইদৌবনি ॥৫॥

কনাগুম্বা অমনা নিন্দা তৌব চৈবগী বা ঙাঙলবদি মথু থাওচৈবগা লোয়ননা ভুমিন তাদুনা অদুম মরৈগদবনি। কনাগুম্বা কহিগুম্বা অমগী মফমদা নাপল অমদি লোয়নগী বা ঙাংদা ঙাদুরোইদৌবনি। কনা-গুম্বা অমনা শাউবরবসু মতোন্দ অপোংবা অচম্ম বাহৈ শীজিন্নদবনি। কনাগুম্ব অমনা শাউরবা, চৈরবসু মাগী থম্মোয়দা লোক্লিনা কাম ক্রূরবহু ওইবা অথংবা বাহৈনা লৌথোকপিগদবনি ॥৬॥

গ্রাবদা বনদা মীওক্ত লবা মচমসু মতুগাদগা থক তৌরোইদৌবনি। অমগী মচ অমুক ওই, অমগী অমুক ওইদুনা কাতু-থাংস চৎবফম্ব থক য়ংরুরোইদৌবনি। ভিক্ষ তৌদুনা নিতুন চৎবদগী চেন্না নিংত্রণ কৎব-ফবদা কনাগী ঈ সব মেন্নাব য়াওন্নরোইদৌবনি ॥৭॥

কনাগুম্বনা মীত্তা উবুল চাইশিল্লরবা খুম্নিংনা ঙাংথোক্তন ঈশনা ঈশবু অদুম বল্লাগদবনি। মীনা অদুব তৌবৈ হথুনসু নহাক নগদি থক তৌরোইদৌবনি। চৌন্দগী কহিগুম্বা অননুবা বাহৈনা হায়লোক কাওথাক্লোইদৌবনি। মামং চুপ্প ঈংগু প্ল লগদবনি। মীতোন্দা অকল অরীত শীংবা বাহৈ মাত্তা থক শীজিন্নরোইদৌবনি। কহিগুম্বা অমগী ‘চম্বাদ’ লুপ্পুনা চৈরোইদৌবনি, রায়ম ও তোইদৌবনি ॥৮॥

চাকথোং-শঙগী মৈখুনা তাকথবা, মরূ মরাং শিংমা ইডং শুবগী তক্গী মথোল লেপথবা, চাকথুমগী মৈ মুংথবা মুথংপা, চারম্বা থরুম্বা মী পুম্নমক হন্দোকথবা পাব-থকপা লোইথবা পুথম তেঙ্গোং লা মুনে-চিংবগী লাম্থোক লাখিন লোইথবা অদুগুম্বা মতম অদুদি ভিক্ষার্থী-সন্ন্যাসীনা ঈমুং অদুদ চঙদুনা ভিক্ষা নীক্কবা য়াই ॥৯॥ অদুম্ব মগী নেংমগী চরা অমা চাবা ওরুমবগী-ত নীকগদবনি। পুক্ থন্না শিক্ থন্না ওবমথৈ চাগোগে হায়বগী বাবস অদি থক্ পম্মোইদৌবনি। ভিক্ষ ফংথবসু পুক্নীংদা নুংঙাইতবা থক্ তৌরোইদৌবনি, ফংলবসু থোইনা হরাওরোইদৌবনি ॥১০॥

পেচৈচ্চে লৌথোক্ লৌশিনগী অদুগা পোৎ অসি ফংলে ফদেগী সাধারণগী শীজিন্নরিবা বাবল অসি থক্ তৌরোইদৌবনি। মান্না তরাম্ব তরান্না তৌখিনা তৌবা, কা হেন্না ব্যবহার তৌশিন্নকপা, অদুগুম্বা

ন চাস্য দোষান্ নিন্দেত ন গুণানভিপূজয়েৎ। শয্যাসনে বিবিক্তে চ নিত্যমেবাভিপূজয়েৎ ॥১২॥
শূন্যাগারং বৃক্ষমূলমরণ্যমথবা গুহাম্। অজ্ঞাতচর্য্যাং গত্বান্যাং ততোঽন্যত্রৈব সংবিশেৎ ॥১৩॥
অনুরোধবিরোধাভ্যাং সমঃ স্যাদচলো ধ্রুবঃ। সুকৃতং দুষ্কৃতং চোভে নানুরুধ্যেত কর্ম্মণা ॥১৪॥
নিত্যতৃপ্তঃ সুসন্তুষ্টঃ প্রসন্নবদনেন্দ্রিয়ঃ। বিভীর্জপ্যপরো মৌনী বৈরাগ্যং সমুপাশ্রিতঃ ॥১৫॥
অভ্যস্তং ভৌতিকং পশ্যন্ ভূতানামাগতিং গতিম্। নিঃস্পৃহঃ সমদর্শী চ পক্বাপক্বেন বর্ত্তয়ন্ ॥
আত্মনা যঃ প্রশান্তাত্মা লঘ্বাহারো জিতেন্দ্রিয়ঃ ॥১৬॥
বাচোবেগং মনসঃ ক্রোধবেগং এতান্ বেগান্ বিষহেদ্বৈ তপস্বী। নিন্দা চাস্য হৃদয়ং নোপহন্যাৎ ॥১৭॥

মকমদা থক্ চানা থক্নুরোড়দৌবনি। সংসারগী অমাংবা খুদম ফংনবশিনা মীনা য়ম্না লুনা তৌশিল্লকপা য়াম্না ঈকায়খুম্নশিল্লক ি, হায়বদি— প্রশংসা নিন্দনচিবা তৌশিল্লক্লিংহুদগী লাপথোক্তদৌবনি ॥১॥

ভিক্ষানা কলকপা পেং অদুদি ফত্রবস্তু নিন্দা তৌরোইদৌবনি। য়াম্না ফবা পোৎ অমাং-অথুং ওইরবস্ত প্রশংসা তৌরোইদৌবনি। অদু হায়না মতমগী চীংনা মকমদতা কমাংরবনি ঈপক বনি ॥ ২॥

অমাংবা য়ুম, উনী মরু ঊখা, অশেংবা মফম, চিংউ লেনুং অমদি অচাংবা চৈথেং অসি-শুম্বা মফমদতা য়্যান লৈগদবনি ॥৩॥

অঙকনা হায়জবা, যেরবা থৌরং হৌইন্নবা লাকপা চপ মান্নদবনি মহুদা পুক্নী হকচাং অনীমখ্য লুদুনা ওহা নাংনা থমগদবনি। মনম্বী খত খুংনচবা কর্মইন্দ্রিয়শিংবু কাতুকায়না তৌরনা শীংতুরুন পুণানম্ন নাম্বদা মত্রা লাদনবা চাদবা লক থক্ তৌদোইদৌবনি ॥৪॥

মুমিংচম ঈপেম লেহুনা লৈগনবনি। মপুং খনার ইন্দ্রিয়শিংবু মকায়াম্ম থমগদবনি। অফি অথং মিপাবংচিংবুনা মক্ত চৎপা লৌদনি। মুনিংচুমা বৈরাগ্য ভবগী লৈহনা প্রণব জপ তৌদুনা চুমিন্ন মতম লেনগদবনি ॥ ৫॥

পঞ্চভূতকী লৈরিব দেহ হকচাং অসি, অদুগা ইন্দ্রিয়শিং অসি ওইহৌরক্লা জায়রে মাংখিগদৌবা জীব পানুবশিং অসিগী জীবন্দ দেহ অমগী লেহ মশা চক্থক্ ভশিনু (লোকপা শাবা) তৌনা অস্তম মরৈ-হৌরগদবনি। অসি পুবমক্ অসিবু য়াম্না কুমন মংশন্নুনা, অমাঙ-তাঙতগী মরাদা, চক্-চাকচিংবগী মরমদ থোংনা খল্লুরম উহৈ বাহনচবা লৌমী অফাব থামদা অচৎ পানুশি লেপ্পনা, মাম্না (অম্ম্বা) বু ফংননবগী মরক্তা শান্তা। লৌননা মপুন্নি জেল্লিরা মী মহক্ অচুম্বা সন্ন্যাসী লৌবনি ॥ ৬॥

সন্ন্যাসী ওইবা তপস্বীনা চীন, পুক্নী, অমাউব, কিস পুক্ (চকুখাউ— পানস্থলী), অদুগা লিঙ্গ শরীর (সুক্ষ্মশরীর) মথোয় অসিনা শীংগায়কপা শাফুবু ময়াম হাইগৎচন্দনা — মকা লামহন্দনা নমথন্দুনা খুদম মথাদা থমগদবনি। নিন্দা (তাবীবা) গী অদুগা প্রশংসা (থাগৎপা) গী য়াহৈন থম্মোয়দা মথুম মরাক্ত হৌহন্দোইদৌবনি ॥১৭॥

মধ্যস্থ এব তিষ্ঠেত প্রশংসানিন্দয়োঃ সমঃ। এতৎ পরমং পবিত্রং পরিব্রাজক আশ্রমে ॥১৮॥

মহাত্মা সর্ব্বতো দান্তঃ সর্ব্বত্রৈবানপাশ্রিতঃ। অপূর্ব্বচারকঃ সৌম্যো অনিকেতঃ সমাহিতঃ ॥১৯॥

বানপ্রস্থগৃহস্থাভ্যাং ন সংসৃজ্যেত কর্হিচিৎ। অজ্ঞাতলিপ্সাং লিপ্সেত ন চৈনং হর্ষ আবিশেৎ ॥২০॥

বিজানতাং মোক্ষ এষ শ্রমঃ স্যাদবিজানতাম্। মোক্ষযানমিদং কৃৎস্নং বিদুষাং হারিতোঽব্রবীৎ ॥২১॥

অভয়ং সর্ব্বভূতেভ্যো দত্ত্বা যঃ প্রব্রজেদ্ গৃহাৎ। লোকাস্তেজোময়াস্তস্য তথানন্ত্যায় কল্পতে ॥২২॥

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
হারীতগীতায়াং ত্রিসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ ৭৩॥

——:(✿:——

নিন্দা প্রশংসা অনীমক্তগী উদাসী ওইনা, হায়রিবা— তানীদবা ওইনা হন্দোক্কনবনি। অসিগুম্বা অ'চরণ ব্যবহার অসি সন্যাসআশ্রমগী লেংদোক্কনবগী মোক্ষবা পুংফাওনি ॥১৮॥

সন্ন্যাসী হায়বসি মতম পুন্নমক্তা যম্না রাজা নৈবা অশিব, মপুংফানা ইন্দ্রিয় খুদুম চনবা, করিগুম্বা বিষয়দা অসক্তি থদবা, মীনম-লোনিবা— লৌনম লৌবা অদুগা পুক্নী লোঙদনা ধ্যানমগ্ন ওইদুনা লৈগদবনি। হান্নগী মাদা লৈরম্ব পূর্ব্ব শ্রমগী মহা মপু শাটো ঐগী এরনবা করিগুম্বা অমত খম্ব যাদে ॥১৯॥

অদুগুম্বা সন্যাসীনা মাগী পুক্নী শ্রমগী হায়বদি— গৃহস্থ শ্রম অমসুং বানপ্রস্থ শ্রমগী মরম করিগুম্বা অমত্তা খল্লুবা যাদে। মাসি ঐগী মপাম্দগী হায়না শল্লুবা করিগুম্বা অক্ষরা লোং মদো অপেনবনা লোঙনমা লোগদবনি। অদুগা ফাংনবা লো অদুন মাগী মাংজা এমা শান্ত্রবমু মতুদা ক লেন্না খাসক্ত খমদুনা না হায়া হাবা ক্লুংকাইদুনে ক্লোইদৌরনি ॥ ॥

হায়রিবা অসিগুম্ব সন্ন্যাস লৌবা আশ্রমসিদি জ্ঞানীশিংগী মফমবা মোক্ষধাম (অমানবা খুভম) মক্কী মশক্তি। অজ্ঞানীশিংগী মতাম্দা অমদি মফমদদি এহা অমারানী মশক ওইবা অদুগা চঙভঙমম্রবা অশ্রমনি। হারীত মুনিনা অসিগুম্বা আশ্রম অসিবু জ্ঞানী ওইবশিংগী মফমদ হর্ম পুন্নমক্কী মুক্তিগী বিমান (রথ অপাইবী) নি হায়রম্মি ॥২১॥ অসিগুম্বা আশ্রমগী ওজবু তক্লুনা তাইবদী পুন্নমক্তা অভয়দান তৌরিবা মহাক তেজময়গী (মঙাক্তগী মশক ওইরমা লোক অদুবু যথা ডংমি। চাংবৌ নাদ্রবা পরমানন্দ (খ্বাইদগী নুং-ঙাইরবা) ধাম— মকম্বু কংভি ॥২২॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতনা শ্লোক লিংচামনা শ্রীগাসনা লোংবা সহিত্যনা শান্তিপর্ব্বনা
মোক্ষধর্মপর্ব্বনা হারীতগীতাগী চনীকুমক্তরাহুমদোংচুবা অধ্যায় লো য়ে ॥২৭৩॥

——:(✿:—— —

মণিপুরী মহাভারত

চতুঃসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(ব্রহ্ম ফংননবগী উপায় তাকপা)

চনীহুমফুতরামরিশুবা অধ্যায়।

যুধিষ্ঠির উবাচ।

ধন্যা ধন্যা ইতি জনাঃ সর্বেঽস্মান্ প্রবদন্ত্যুত। ন দুঃখিততরঃ কশ্চিৎ পুমানস্মাভিরস্তি হ ॥১॥

লোকসম্ভাবিতৈর্দুঃখং যৎপ্রাপ্তং কুরুসত্তম। প্রাপ্য জাতিং মনুষ্যেষু দেবৈরপি পিতামহ ॥২॥

কদা বয়ং করিষ্যামঃ সন্ন্যাসং দুঃখভেষজম্। দুঃখমেতচ্ছরীরাণাং ধারণং কুরুসত্তম ॥৩॥

বিমুক্তাঃ সপ্তদশভির্হেতুভূতৈশ্চ পঞ্চভিঃ। ইন্দ্রিয়ার্থৈর্গুণৈশ্চৈব অষ্টাভিশ্চ পিতামহ ॥৪॥

ন গচ্ছন্তি পুনর্ভাবং মুনয়ঃ সংশিতব্রতাঃ। কদা বয়ং গমিষ্যামো রাজ্যং হিত্বা পরন্তপ ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হাঙ্গি — ঈবুধো! মী পুম্নমক্না ঐখোয়বু ঙসি চুপ্পা ঐখোয়বু যাইফেনা, লাইবক ফৈনা, পুণ্য চল্লদা অপুন্না হায়রি। অদুগা থাক্লেংবদ ঐখোয়গা মান্ননা লাইবক নীবা, অরানবা নংঙ্গা পাপ চনবদি অতৈ অমা লৈতে ॥ ॥

স্বর্গগী দেবতাশিংনসু পাইখ্রেনা মর্ত্যলোক অসিদা ঙাইবা মীওইবা ওইনা পোক্লবদি, অদুগা লোক সমাজদা ঈকায়খুম্নবিরবসু পাপকী থবক তৌবা অদু। অরাবগী মরুক মওইবা মীশক্তি ঐখোয়না ফাঙ্গদ্রবা ওইহুনা লৈরি ॥ ॥

ঈবুধো। জ্ঞানেন্দ্রিয় মঙা, কর্মেন্দ্রিয় মঙা, প্রাণবায়ু মঙা, প্রকৃতি, বুদ্ধি মখোয় তরাতরেৎসিগী মথক্তা অপাম্বা, অশাউবা, মিতৌবা, অকিবা হায়বা সংসারদা হন্না হন্না অরাবা নংহননবগী হেতু (মরম) মঙা লৈরি। মশক্, মচাও, মমু, খোঙ্জেল, স্পর্শ (শাকপা) চায়বা মীৎ নাকোং চিংবগী বিষয় মঙা লৈরি। মপোন্নগী মক্তা সত্ত্ব রজ, তম হায়বা কৌবা গুণ অহুম অমমুক লৈরি। মৈ, ঈশিং নুংশিৎনা চিংবা পঞ্চভূত অসিগা লোয়নননা, অবিদ্যা অহঙ্কার কর্ম কৌবা তত্ত্ব নীপাল অসি য়াওনা পারগা খেংগেৎ পনা তত্ত্ব কুন্থরানীপাল থুরে। হায়রিবা তত্ত্ব কুন্থরানীপাল অসিদগী লাপ্তোকপ্রবা ব্রত কন্নবা তপস্বীশিংনা সংসারসিদা অমুক হন্না পোকপ্রে হায়রি। অদুদি ঐখোয়সু রাজ্য সিংহাসন অসি থাদোক্লগদুনা, হৌজিক হায়রিবা মুক্তি (অরানবা থুডম হায়রিবসি কদায়দা মতমদা ফংগদগে? ॥১—৫॥

ভীষ্ম উবাচ।

মাত্ত্যনন্ত' মহারাজ সর্ব্বঃ স'''ানপে'চয়ঃ। পুনর্ভাবেঽপি বিখ্যাতো নাস্তি কিঞ্চিদিহাচলম্ ॥৬॥

ন চাপি মন্যসে রাজন্নেষ দোষঃ প্রসঙ্গতঃ। উদ্যোগাদেব ধর্মজ্ঞা কালেনৈব গমিষ্যথ ॥৭॥

নেশোঽহং সততং দেহী নৃপতে পুণ্যপাপয়োঃ। তত এব সমুত্থন তমস কবাঽপি ॥৮॥

যথাঞ্জনময়ো বায়ুঃ পুনর্মাঃ শিলং রজঃ। অনুপ্রবিশ্য তদ্বর্ণং দৃশ্যতে রঞ্জয়ন্ দিশঃ ॥৯॥

তথাকর্মকৃতৈর্দেহী রঞ্জিতস্তমসাবৃতঃ। বিবর্ণো বর্ণমাশ্রিত্য দেহেষু পরিবর্ত্ততে ॥১০॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ! অরব হায়বসে ভবগী নাইদনা হায়বা পাংলুনক্ক নত্তে। জগৎতা লৈরিবা পোৎ পুম্নমক অসি ভবগী লৈতনা— মশী অকৃতমদনা লৈনদুরু নত্র। অমুকহন্না পোকপা— পনর্জন্ম কৌবত্রু থাক্তা অডুনদনা আনাংবা চাউরবা থুদম অমা দনা লৈবর। হায়রিবসি তাৎপর্য্যসিগী অমম্বা য়াদি সসারদা হক লৈরবা পোৎকপাসিগী মখুৎদা লেপচন লৈ দবা পোৎশক অমত্তা লৈতে ॥৬॥

ঐশ্বর্য্য ধন সম্পত্তি হায়বা মাদে যা মসিং, অমুক সসারগী মখুৎতা থাক্কিনবা থাকপা লাংনি। অরাবরা থুঙবা— মুক্তি ফাংবগী অদুগী তিন্থনা, অমনগী হায়বা নত্তাক্ত হায়বদো লাম্ল। নথোরমি ধর্মতত্ত্ব খঙলবা ভদি, লৈতিব নিংথু সম্পত্তি হায়নিংদা পীক্রে অসক্ত অদিব লৌবনবা— সাধনা তৌসনা, ইন্দ্রিয় খুদা চনবা মতম্ক্ক না অমুদা নদবা চংবা— অরাপনা থুঙবা— মুক্তিপদবী হায়-বদো ঈশ্বর লাম্বদা অদুম মরাবচংনি ॥৭॥

নিংথৌ! মহা কান হক্তা নুংদা লৈনবা জীবাত্মা মাস কাংজুন্দাই মাথব তোংবা শংবগী হীরমদা মনীং তম্ব চনমে— স্বতন্ত্র মহবা হংদে। * জীবক তৌংকপা পাপকর্ম পুণকর্মশং অদুগী সংস্কারগী মশক ওইরবা অমম্বা কৃমাম (মপ্রম্) অমুনা মহাখু নুংদা থম্ম নিংদা।

অমম্বগী মপা মশক নকইশ মশাগী মচ লৈক্তদুবা মংনিংথ হক্তু নী মসিংকী মশেক্ক, ওঁতুঁন নম্ববা চৌতথা তমাগী পীক্ক পীক্রন লৈফম লৈসৈল মং নিংথদা মমাং। মুবা মচ মসকদ্রত্নম্না, মশাগী মচ লৈক্তদুবা জীবাত্মা অসিদু অমম্বী মমক নামা অমম্বা পক হক কুমখিদনা তৌরক তৌরকপা কর্মতুগী মৈরৈশিংদুনা কোংলা তাংদনবা হৌনা লেক লক মচংগামম্ লেং। হমবদি— লৈরম লৈরম্বা দেহশিংগী তেংবা তা ন মনু লৈ। মংমু ন মা থবাগ মানবা পুম্ন কী তোঙ্গাল তোঙ্গানবা মচশিংদা অমম্বী মরম কোংদোক হক্তু নম মা।

* মীওইবগী হকচাংদুংদা লৈক তাংক্তুনমু মনীংথ কম্না লৈবা মমা নাক। হাংগা বা কংথে, অমাবা নংগে হাংক্তুনা মহাক মশানা শীনবা ওয়ন। মাংক্ত মশক জীবাত্মা মমাক অমিসি তো হায়না শীম্ববা অমা লৈরি। মকম পৃম্বদা শীনথুংগা লৈবা মকাংনা মচু চক্ষু) মদা মতাংশ কৌদুনা লৈনা লৈনা মহাকাশনু অদুম মকৌইনুগে হায়বা য়াদে। অদুগা পরমার্থদৃষ্টিংদি মকাংশ ওইদুনা চক্ষু মদুংদা অদুম্

জ্ঞানেন হি যথা জন্তুরজ্ঞানপ্রভবং তমঃ। ব্যপোহতি তথা ব্রহ্ম প্রকাশয়তি সনাতনম্ ॥ ১১॥

অযত্নসাধ্যং মুনয়োবদন্তি যে চাপি মুক্তাস্ত উপাসিতব্যাঃ।
ত্বয়া চ লোকেন চ সামরেণ তস্মান্ন যস্তাসি মহর্ষিসংঘান্ ॥ ১২॥

অস্মিন্নর্থে পুরাগীতং শৃণুষ্বৈকমনা নৃপ। যথা দৈত্যেন বৃত্রেণ ভ্রষ্টৈশ্বর্য্যেণ চেষ্টিতম্ ॥ ১৩॥
নির্জ্জিতেনা সহায়েন হৃতরাজ্যেন ভারত। অশোচতা শত্রুমধ্যে বুদ্ধিমাস্থায় কেবলম ॥ ১৪॥

তত্ত্বজ্ঞানবু ফংলবদি জীব পূম্নমক মাহুগী পাইগনা অজ্ঞান (পঙথবা) দগী পোকপা, অমম্বগী মশক ওইরবা গুমহৎপক্কুব্ তাদ্রোকপা— কোক্‌নুংগী ভম্মি। মতম অদুদা মাগী থমোয়দা সনাতন ওইরবা ব্রহ্মগী মঙাল অহু লাকই ॥ ১১॥

মুনি ঋবিশিংনা হায়রি,— ব্রহ্মাবু ব্রহ্মগী মঙালবু ফংবা হায়বসি কন্না হাংনবা, সাধনা তৌব তাক্লা ওইবা নত্তে। অস্নুম হায়না তাকপিরম্বসিগী মরুক্না শাকরুবদি জগৎ পূম্নমক্না দেবতা পম্মক্ক অম্বগা নথোর ঐথোয় পূম্নমক্না হত্ত্বদিব তাকি রগা জীবমুক্ত ওইরবা ঋষি মুনিশিং অংগী উ াসনা তৌকম থোকই। ঐন অহুগুম্বা ঋষিশিং অহুবু হন্না হন্না থুগাজরি ॥ ১২॥

অসিগুম্বা বিষয় অসিগী মতাংদা, মমাংগী ইতিহাসগী কুইবরা বাৰী অমা লাগে তাও। ভরত-শাগেগী অথোইবা! বৃত্রাসুর হায়বহু মমাংগী অমুক মায়গীবা কতুগা রাজ্যভ্রষ্ট ওইদুনা নিংথৗ মফম তাদুনা লৈখি। মাগী মতেং পাংবিনবা কনা অমত্তা লৈরমদে। স্বর্গগী লাইরম্মা মাগী লৈবাক পূম্নমক মুন্দুনা লৌখিখি। অহুগুম্বা অবস্থাদা তাবা বৃত্রাসুরনা কদ্রি কয়ম্না হোৎনখিবগে হায়বহু ইতিহাসগী মতাং অহুদা অস্নুম্না হ। অহুগুম্বা লৈখা তাবা ফংলবা ফাওবদা অসুর অহুনা আসক্তি পূম্নমক থাদোক্নুনা ঈগুং ফুংজাইনা লৈখি ॥ ১৩—১৪॥

মবৈরিবনি। হায়রিবসিগী ভাবত্তি— জীবাত্মা মহাক মশামক ব্রহ্ম ওইদুনা লৈরবসু চকুগী মশক ওইবা দেহমুংসিদা লৈরবদি ঐ ব্রহ্মনি. তৌনিংবা থবক তৌগনি হায়বা যাদ্রে – ভমদ্রে হায়বনি। লাং অমনা কুপশ্রবদি লাংদা পুক্‌না লৈরিবা জীবদুনা কবিমত্তা তৌবা ওমদবদুগুম্ন দেহসিনা পরিকর ওইনা থাজিন্নবা জীব — জীবাত্মানা মনীং কবিনত্তা তৌব ভমদ্রে। অহুগা জীবসিনা ঐ মুক্তি ফংলগে, ফংলরোই হায়ব ভমদে। মাসি কবিগীনা হায়না ফংলবদি— মহাক্তি মশাগী রাংবা, চাউবা, নেম্বা রাংবনচিংবা মওং ঈবৈ লৈজদনা, ডৌবা মুবনচিংবা মহু ঈবৈ লৈজনা মাগী কুণ্ডম— দেহনিগী মচু মওংবু মাগীনি হায়না থনুবত নত্তুনা — দেহসিমক ঐমক্তি হায়ন থদোক্নুনা লৈগ্রে, মশা মতত্তুনা থাকসবা লাংদা থুগ্রে, অহুগনি। লৈরিবা হায়রিবা অয়ানবা রাথল অসিবগী লাদ্রোকপিহুনা মাহুগী মতুংইন্না কর্ম হেক্মক্ মতৌরবদি মহাক মশানা অয়ংযুক্ত হায়বহু অহুম মওইরে। (কালাচাঁদ)

ভ্রষ্টৈশ্বর্য্যং পুরা বৃত্রমুশনা বাক্যমব্রবীৎ। কচ্চিৎ পরাজিতস্যাদ্য ন ব্যথা তেঽস্তি দানব ॥১৫॥

বৃত্র উবাচ।

সত্যেন তপসা চৈব বিদিত্বা সংক্ষয়ং হ্যহম্। ন শোচামি ন হৃষ্যামি ভূতানামাগতিং গতিম্ ॥১৬॥

কালসঞ্চোদিতা জীবা মজ্জন্তি নরকেঽবশাঃ। পরিতুষ্টানি সর্ব্বাণি দিব্যান্যাহুর্মনীষিণঃ ॥১৭॥

ক্ষপয়িত্বা তু তং কালং গণিতং কালচোদিতাঃ। সাবশেষেণ কালেন সম্ভবন্তি পুনঃ পুনঃ ॥১৮॥

তির্য্যগ্যোনিসহস্রাণি গত্বা নরকমেব চ। নির্গচ্ছন্ত্যবশাঃ জীবাঃ কামবন্ধনবন্ধনাঃ ॥১৯॥

এবং সংসরমাণানি জীবান্যহমদৃষ্টবান্। যথা কর্ম্ম তথা লাভ ইতি শাস্ত্রনিদর্শনম্ ॥২০॥

তির্য্যগ্গচ্ছন্তি নরকং মানুষং দৈবমেব চ। সুখদুঃখে প্রিয়ে দ্বেষ্যে চরিত্বা পূর্ব্বমেব হ ॥২১॥

মমাংঙৈগী বৃত্রাসুরনা নিংথৌ-মকম-তাদুনা লৈরুদু উবদা নোংমা শুক্রাচার্য্যনা মঙোন্দা অসুম হায়রম্বা হংখি,— দেবতাশিংনা নহাক্পু 'নিংথৌ মফম তাক্লবনা অসিগুম্বা তোক্লবা— দুঃখবা অবস্থা' অসি য়ৌরবা মাংবদা নহাক্না করিমত্তা য়াবিদ্রবা, করিমত্তা চিন্তা তৌদনা লৈরিবা অসি করিনো? কমদৌনা লৈবা ওইরিবনো? ॥ ৫॥

মাদু তাবদুনা বৃত্রাসুরনা অসুম্না হায়রকই,— ব্রহ্মণ! ঐনা সত্য অমদি তপস্যাগী পান্থৌনা জীবশিং অসিনা দৌ দৌ কুদ্দুনা ঙমদনা লাকখাক লাকখিবা থেংনিবসীগী মরম অসি খঙনা থবক্সন। মবুমদুনা মহুৎশী অমুক্প্লা পোক্পা কাইদনা খুদুক্কৈদনা কাঙ্গিমদ্রা ॥ ৬॥

মতম (কাল) হায়বনা থাজুদনা অঙকপা ঙমদবা মহাক্কী তৌরক্লকপা পাপকর্মগী মহৈগী মতুংইন্না নরকতা লাই অমা মাননা তৌরক্লকপা পুণ্যকর্মগী মতুংইন্না স্বর্গগী সুখ তাইবদু ভোগ তৌরকই। অসুম্না অশিবশিংনা লাইরি ॥ ৭॥

মতৌ অসুম্না স্বর্গ অমদি নরকতা লৈরুবগী অমরুক মতম অসি লেক্ লেক্ লৌবদা জীব অদু অমুক মর্ত্যলোক অসিদা থাক্কুনা লৈরক্লে। অদুগা পোক্লবসিদসু তৌরক তৌরকপদুগী মতুংইন্না মওং মতৌ পোক্ফম, লৈফম অমত্তা মায়দে ॥১৮॥

তেঙাল তেঙানবা কামনা (নৈঙরবা— পামজবা) শিং অদুগী মতুংইন্না জীব পিশিং লিশিংনা শা, ঙা, তৌল-কাঙগী মেতশিংদা চংদুবদা মায়কনী অমুক্ নাম্নেরকই ॥১৯॥

মতৌ অসুম্না ঐনা জীব কয়া কয়না মেৎ লমদগী মেহ অমদা চোংথোক চোংশিন তৌবগী চক্রদা, হায়বদি— পোকপা-শিবগী চক্রদা তাদিংসে ঊবা মনা শং লরে উবি। তৌরক তৌরকপা অদুগী মতুংইন্না মহৈ লেক্ লেক্ ফংজি, হায়বাসি শাস্ত্র পুম্নমক্কী সিদ্ধান্ত নি ॥২০॥

পরায় পাননবা পুংমক অপাদ্বা পাননবা, অপ্রিয়বা-নুংঙাইহৈব, হায়রবা তিন্নবগী বিষয় কয়া কয়াদা— কোয়চং চংনা তৌরু তৌরুবা কর্মশিংদুগী মহৈগী মতুংইন্না নরকতা তৌল কাঙগী মপোক্তা, শা উচেককী মপোক্তা অমদুবা তাইবংমীগী মপোক্তা, দেবতাশিংগী মপোক কাওবনা পোক্লুরি ॥২১॥

কৃতান্তবিধিসংযুক্তঃ সর্ব্বো লোকঃ প্রপশ্যতে। গতিং গচ্ছন্তি চাধ্বানং সর্ব্বভূতানি সর্ব্বদা ॥২২॥
কালসংখ্যানসংখ্যাতং সৃষ্টিস্থিতিপরায়ণম্। তং ভাষমানং ভগবানুশনাঃ প্রত্যভাষত ॥
ধীমান্ দুষ্টপ্রলাপাংস্ত্বং তাত কস্মাৎ প্রভাষসে ॥২৩॥

বৃত্র উবাচ।

প্রত্যক্ষমেতদ্ ভবতস্তথান্যেষাং মনীষিণাম্। ময়া যজ্জয়লুব্ধেন পুরা তপ্তং মহত্তপঃ ॥২৪॥
গন্ধানাদায় ভূতানাং রসাংশ্চ বিবিধানপি। অবর্দ্ধং ত্রীন্ সমাক্রম্য লোকান্বৈ স্বেন তেজসা ॥২৫॥
জ্বালামালাপরিক্ষিপ্তো বৈহায়সচরস্তথা। অজেয়ঃ সর্ব্বভূতানামাসং নিত্যমপেতভীঃ ॥২৬॥
ঐশ্বর্য্যং তপসাপ্রাপ্তং ভ্রষ্টং তচ্চ স্বকর্মভিঃ। ধৃতিমাস্থায় ভগবন্ ন শোচামি তত সহম্ ॥২৭॥
যুযুৎসুনা মহেন্দ্রেণ পুংসা সার্দ্ধং মহাত্মনা। ততো মে ভগবান্ দৃষ্টো হরির্নারায়ণঃ প্রভুঃ ॥২৮॥

জগৎ পুম্বগী শেম্বিবা মপু, বিধাতাগী নিয়ম যাথং মতু ইম্বা সৃষ্টিগী মতমদগী ওসি কাওবদা অমা-মুংতাইগী তেঙাল ভোইম্বা লম্বীদা চং ফাওবা জীবশিং চৎসিনা লৈ। ২২॥

সৃষ্টি অমদি প্রলয়গী মাশ্রয় ওইদুনা লৈরিবা কাল হায়না থজনবিবা পরমাত্মা মহাক্কী যাথং মতু ইম্বা থোকলিবা কর্মগী গতিনা, অসুর মাওংসিং বৃত্রাসুরগী মফমদা লৈরম্মি। অসুর হায়না হায়খি,— ঈবুঙো! বৃত্র! নহাক্কি অম্ম বুদ্ধি লৈতবা ঋষিনি। অহবু মহাক্কী স্বভাবকী ওইনতেনব ৱাহংসি কবিগী হায়রিবনো — চাওলিবনো? ॥ ২৩॥

মাহাক্না বৃত্রনা অসুর শুক্রাচার্য্যদা হায়রকই, অশিংবা অমা তপস্বীশিংনা ঐনা তৌখি তৌখিবা থবক পুম্নমক অহু মীওইশিংনা উৎপ্রবনি। দেবতাশিংবু ঙমগে হায়বগী মখোয়গী সম্পত্তি পুম্নমক মুনপে হায়বগী দমক ঐনা তৌখিবা কন্নবা তপস্যাশিংদু মখোয়না প্রত্যক্ষ উনগ্রবনি ॥২৪॥

ঐগী হকচাংগী পাঙ্গল অসি নোংমা নোংমগী কা তেঙ্গ চাইথোরকই, কনবা হেনগৎলকই। অহুমগী ঐনা ঐগী হকচাংগী পাঙ্গল অহুগী পাইবা লোক অহুম্মকপু আক্রমণ তৌদুনা লৈবন লৈরম্বশিং অহুমগী সম্পত্তি পুম্নমক মুন্দুনা লৌখি ॥২৫॥

ঐগী হকচাং অসি তেজগীনা পুথাপল ভানখিদুনা মৈবুঙ্গ অমগী মচৌগুম্বা অতিয়াগুলদা কোয়পাই পাইদুনা লৈখি। জগৎ অসিগী কনাগুম্বা অমত্তনা শনফম থোক্তনা মীওক অমা ওইপ্রবনি ॥২৬॥

অদুবু ভগবন্! কন্নবা তপস্যাগী শক্তিনা ফংখিবা অদুগুম্বা সম্পত্তি অদু অমুক ঐনা তৌরকবা কর্মগী মতৌনা লৌতারে মদু খাংসিল্লি। অদুবু ঐ চেকসিন্দুনা থাওইবা হায়রবদুগী পাউবা কল্লম্লা নিঙ্গশিনবা, নীণাদনা লৈরি ॥ ২৭॥

দেবরাজ ইন্দ্রনা ঐগা লোয়ননা শোক্লগদবগী লাকপা মতমদুদা মাগী সহায়তা— মতেংগী দমক মাপা লোয়ননা লাকপা ভগবান্ শ্রীহরি নারায়ণবী দর্শনবু ঐনা ফংজখি ॥২৮॥

বৈকুণ্ঠঃ পুরুষোঽনন্তঃ শুক্লো বিষ্ণুঃ সনাতনঃ। মুঞ্জকেশো হরিশ্মশ্রুঃ সর্ব্বভূত পিতামহঃ ॥২৯॥
নূনং তু তস্য তপসঃ সাবশেষমিহাস্তি বৈ। যদহং প্রষ্টুমিচ্ছামি ভগবন্ কর্ম্মণঃ ফলম্ ॥৩০॥
ঐশ্বর্য্যং বৈ মহৎ ব্রহ্ম বর্ণে কস্মিন্ প্রতিষ্ঠিতম্। নিবর্ত্ততে চাপি পুনঃ কথমৈশ্বর্য্যমুত্তমম্ ॥৩১॥
কস্মাৎ ভূতানি জীবন্তি প্রবর্ত্তন্তে তথা পুনঃ। কিম্বা ফলং পরং প্রাপ্যজীবস্তিষ্ঠতি শাশ্বতঃ ॥৩২॥
কেন বা কর্ম্মণা শক্যমথ জ্ঞানেন কেন বা। তদবাপ্তুং ফলং বিপ্র তন্মে ব্যাখ্যাতুমর্হসি ॥৩৩॥

ইতীদমুক্তঃ স মুনিস্তদানীং প্রত্যাহ যৎ তচ্ছৃণু রাজসিংহ।
ময়োচ্যমানং পুরুষর্ষভ ত্বমনন্যচিত্ত সহ সোদরীয়ৈঃ ॥৩৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
বৃত্রগীতাসু চতুঃসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭৪॥

——:():——

ভগবান্ মহাক্তি বৈকুণ্ঠ পরমপুরুষ, সনৌবা অরেইবা লৈতন জগৎকী হর্তা কর্ত্তানি ॥২৯॥

ভগবন্! তৌজিকস্থ ঐদা তৌজখিবা তপস্যাচুদী মহৈ শরাক মচে — মথাক্ লৈতৌরি। অচুনা তাইবং জীবনা তৌরি। কর্ম ফলগী মরমদা ঐনা হংনাবা রা থনা দবি। মতু হায়া হংজনীজরি ॥৩০॥

ভগবন্! ঐদা তৌজখিবা তপস্যাগী মহৈ অমুক্তি লৈতৌরি হায়না নীজই। অতুনা লৈতৌরিবা কর্মফল অদুগী মরমদা রা খরনা হংজনীজরি। অদিনা গনী মীহুৎ ঐশ্বর্যশিং অসি অতুগা ব্রহ্ম অমদি ব্রহ্মতত্ব হায়বা অনীসি কয়দা বর্ণদা লৈবগে? অতুগা অদুগী নীঙথৌ বা ঐশ্বর্যাশিং অসু কদম হায়না কারি দোষদগী মূ খ্রিবনো? ॥৩১॥ পরায় পন্নবং অসিনা হিংজনা লৈরিবা অতুগা হিংজনা লৈনিংলিবা অসিগী মরম অমদি উদ্দেশ্য অসি করিনো অতুনা শত্রুগীনো? করি কেতুলগী জীবপনবা হায়বা হায়রিসিনা করিগুম্বা কর্ম অমা ত্রুগা অমদি তৌদুনা মহৈরে। মসি করিগীনো? খুইদগী লেনবা করম্বা অথোইবা মহৈহৎ ফংলগা অমাও অতা লৈতনা লেতরবা ধার অদুবু ফংজবা য়াগদগে ॥৩২॥

ব্রহ্মন অথোইবা! করম্বা জ্ঞান অমদি কর্মনা কর্মগী মহৈহবু লেংজনা ফাবা ওমগনগে? ॥৩৩॥

নিংথৌ অথোইব যুধিষ্ঠির! বৃত্রাসুরনা অদুম্না হংলদা শুক্রচর্য্যনা অদুম্না হায়রকই.— কৈ, ঐ হায়রগে, নহাক নহাক্কী নন তাশিংগা লোয়ননা পূর্ণ চংনা তাবিয়ু ॥৩৪॥

মখম অসিদা শ্রীমহাভারতনা শ্লোক লিংচাংদন শ্রী ব্যাসনা লৌনা সংহিতানা শান্তিপর্ব্বনা
মোক্ষধর্ম পর্ব্বগী বৃত্রগীতাগী চনীহুমশতরাশরিশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭৪॥

——:৩:——

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(সনৎকুমারনা বৃত্রাসুরদা অধ্যাত্মজ্ঞান তাকৃপা)

চনীহুমফুতরামঙাশুবা অধ্যায়।

—:(*):—

উশনোবাচ।

নমস্তস্মৈ ভগবতে দেবায় প্রভবিষ্ণবে। যস্য পৃথ্বীতলং তাত সাকাশং বাহুগোচরম্ ॥১॥
মূর্দ্ধা যস্য ত্বনন্তং চ স্থানং দানবসত্তম। তস্যাহং তে প্রবক্ষ্যামি বিষ্ণোর্মাহাত্ম্যমুত্তমম্ ॥২॥
তয়োঃ সংবদতোরেবমাজগাম মহামুনিঃ। সনৎকুমারো ধর্মাত্মা সংশয়চ্ছেদনায় বৈ ॥৩॥
স পূজিতোঽসুরেন্দ্রেণ মুনিনোশনসা তথা। নিষসাদাসনে রাজন্ মহার্হে মুনিপুঙ্গবঃ ॥৪॥
তমাসীনং মহাপ্রজ্ঞমুশনা বাক্যমব্রবীৎ। ব্রূহ্যস্মৈ দানবেন্দ্রায় বিষ্ণোর্মাহাত্ম্যমুত্তমম্ ॥৫॥
সনৎকুমারস্তু ততঃ শ্রুত্বা প্রাহ বচোঽর্থবৎ। বিষ্ণোর্মাহাত্ম্যসংযুক্তং দানবেন্দ্রায় ধীমতে ॥৬॥

শুক্রাচার্য্যনা হায়রে,— ঈপুত বৃত্র! আকাশগা বিশ্ব জগৎ অসিগী মতেংন্দা নম্নুনা লৈরিবা, মাগী পাম্বোমগী পাঙ্গন্দা আশ্রয় লৌহুনা লৈরিবা, অদুগুম্বা শ্রীভগবান্ বিষ্ণুবু ঐনা হন্না হন্না খুরুমজরি ॥১॥

দানব অথোইবা! মহাকী কোক্ অমদি লৈফমনা ওমথৈ নাইদনা লৈরিবা বিষ্ণু মহাকী মাহাত্ম্য— তৌবা ওম্বা মতীক্ মগুণ অদু ঐ হায়গে তো ॥২॥

শুক্রাচার্য্যগা বৃত্রাসুরগা অহুম্না ওাওনরিবেদা, মথোয়গী চিনবহু কোকহনগে হায়বগীদমক্তা ধর্মচেত্নবা সনৎকুমার অসি মফম অদুদা লাকই ॥৩॥

নিংথৌ! সনৎকুমারনা লেংওনকুশহনা বৃত্রাসুরগা শুক্রাচার্য্যগা অনীসিনা তরাম্ তরাম্না স্বাগত তৌই, পূজা তৌগ নিঙথিজরবা আসন থাই। আসন মথক্তা সনৎকুমারদু ফম্থৈ ॥৪॥

মহামুনি সনৎকুমারনা আসন মথক অদুদা চনী তানা ফম্থখি। মতমদুদা শুক্রাচার্য্যনা সনৎকুমারদা অহুম্না হায়খি,— ভগবন্! লৈরিব দানবরাজ অসিগী মফমদা শ্রীবিষ্ণুগী মাহাত্ম্য— মতীক্-মগুণ তাক্-পিয়ু— তাইনবিয়ু ॥৫॥ বা অসি তাবদা মহাজ্ঞানী সনৎকুমারনা মবুদ্ধি লৈরবা দানবনিংথৌ বৃত্রাসুরগী মফমদা শ্রীবিষ্ণুগী মাহাত্ম্য লীহুনা তাক্নখি ॥৬॥

শৃণু সর্ব্বমিদং দৈত্য বিষ্ণোর্মাহাত্ম্যমুত্তমম্। বিষ্ণৌ স্থিতং জগৎ সর্ব্বমিতি বিদ্ধি পরন্তপ ॥৭॥
সৃজত্যেব মহাবাহো ভূতগ্রামং চরাচরম্। এষ চাক্ষিপতে কালে কালে বিসৃজতে পুনঃ ॥৮॥
অস্মিন্ গচ্ছন্তি বিলয়মস্মাচ্চ প্রভবন্ত্যুত। নৈষ জ্ঞানবতা শক্যস্তপসা নৈব চেজ্যয়া ॥
সম্প্রাপ্তুমিন্দ্রিয়াণাং তু সংযমেনৈব শক্যতে ॥৯॥
বাহ্যে চাভ্যন্তরে চৈব কর্ম্মণো মনসি স্থিতঃ। নির্ম্মলীকুরুতে বুদ্ধ্যা সোঽমুত্রানন্ত্যমশ্নুতে ॥১০॥
যথা হিরণ্যকর্ত্তা বৈ রূপ্যমগ্নৌ বিশোধয়েৎ। বহুশোঽতিপ্রযত্নেন মহতাত্মকৃতেন চ ॥১১॥
তদ্বজ্জাতিশতৈর্জীবঃ শুদ্ধ্যতেঽল্পেন কর্ম্মণা। যত্নেন মহতা চৈবাপ্যেকজাতৌ বিশুদ্ধ্যতে ॥১ ॥
লীলয়াল্পং যথা গাত্রাৎ প্রমৃজ্যাদাত্মনো রজঃ। বহুযত্নেন মহতা দোষনির্হরণং তথা ॥১৩॥

সনৎকুমারনা হায়খি,— য়েক্লবশিংদা অরাবা অকিবা পীতপ্পা দৈত্যনিংথৌ ! ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী মাহাত্ম্য অসি পুক্নীং চঙনা তাও। অচৌবা উরবা বিশ্ব জগৎ পুম্বসে ঈবুঙো মতোন্দা লোইনা তুংচুনা লৈরিবনি ॥৭॥
পাংজবা নিংথৌ ! থ্বৈংদা বদি বিশ্ব জগৎ অসিদা লৈরিবা অচচেন্ত্র পুম্বসি বিষ্ণু মহাক মথন্তনা শেম্বনি— থেক্নবনি। মাগী মাগী মতমগী মতুংগী মতেংদা তিপ্নহনবনি— লৌশিন্থবনি, অদুগা— অমুক্ সৃষ্টি তৌবনি ॥৮॥
জীব পান্বা পুম্নমক অসি মতোন্দা জীন ওইথরিবনি, হায়বদি— থুপ্নরিবনি। অতুংগী অমুক মতোন্দগী শন্দোকখিবনি। শাস্ত্রগী জ্ঞাননা, তপস্যানা অমগা যজ্ঞগী পান্বৈনা মাবু ফংবা ঙমদে। ইন্দ্রিয় থুম্বন চনবা, কর্ম তৌবতনা মহাকপু ফংবা ঙম্মি ॥৯॥
মপান্গী যজ্ঞনা অমগা মনুংগী যজ্ঞনা, হায়বদি— কামক্রোধনচিংবু যজ্ঞ তৌথোকপনা, পুক্নীবু লেংদনা থম্মগা পুক্নীং অসিবু অমুক জ্ঞানগী মৈশুংদা থাদদুনা মৈ ঈকুনা শেংদোক্লবা মী মহাক অদুতনা বিষ্ণুগী পরমধামবু উবা— য়োবা ঙম্মি ॥১০॥ *
সোনারী (সনাশাবা মী) না সনাবু অমদি মৈদা হন্না হন্না ঈকুনা ফুদোংদুনা শেংদোকপদুগুম্না— জীব হায়বসিনা মশীং লাকতরবা মপোক কয়াদা মন (পুক্নীং) কৌবা ইন্দ্রিয়সিবু শেংদোকই। অদুগা যাগ যজ্ঞ দান ধর্মনচিংবগী মনুংদা সৎকর্ম অমতংবু তৌশেংনা ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা হেক্ মতৌরবদি মপোক্ অমতনমক থবক অদু অমুক্ পাংথোকপ ময়াই ॥১১—১২॥
হকচাংদা শকপা নাপীবু অদুগা উফলবু ঈরায লায়না কাম্থোকুনা লৌথোকপদুগুম্না অশিংবা মীনা

* মনুংগী জ্ঞানগী মৈশুংদা কল্লকপা, অশাউবা, অপাম্বা, মিতৌধনচিংবশিং অসিবু যজ্ঞকাষ্ঠগুম্না হোম তৌদুনা চাকথেকপহন্নমথৈ মপান্গী যজ্ঞগী অগ্নিকুণ্ডদা চেঙ থেংবদোং, ঘী, শঙ্গোমনচিংবু লাথবা ওাক্তনা মত্য ওইবা অচুম্বা মহাকপু থক্ ফংবা ঙম্মোই। শ্রীবিষ্ণু মহাক্কি— সত্য— অচুম্বনি + নারায়ণনি = সত্যনারায়ণনি। (কালাচান্দ)

যথা চাম্পেন মাল্যেন বাসিতং তিলসর্ষপম্। ন মুঞ্চতি স্বকং গন্ধং তদ্বৎ সূক্ষ্মস্য দর্শনম্ ॥১৪॥

তদেব বহুভির্মাল্যৈর্ব্বাস্যমানং পুনঃ পুনঃ। বিমুঞ্চতি স্বকং গন্ধং মাল্যগন্ধে চ তিষ্ঠতি ॥১৫॥

এবং জাতিশতৈর্যুক্তো গুণৈরেব প্রসঙ্গিষু। বুদ্ধ্যা নিবর্ত্ততে দোষো যত্নেনাভ্যাসজেন ॥১৬॥

কর্ম্মণা স্বনুরক্তানি বিরক্তানি চ দানব। যথা কর্ম্মবিশেষাংশ্চ প্রাপ্নুবন্তি তথা শৃণু ॥১৭॥

যথাবৎ সম্প্রবর্ত্তন্তে যস্মিং স্তিষ্ঠন্তি বা বিভো। তং তেঽনুপূর্ব্ব্যা চাখ্যাস্যে তদিহৈকমনা শৃণু ॥১৮॥

অনাদি নিধনঃ শ্রীমান্ হরির্নারায়ণঃ প্রভুঃ। দেবঃ সৃজতি ভূতানি স্থাবরাণি চরাণি চ ॥১৯॥

স বৈ সর্ব্বেষু ভূতেষু ক্ষরশ্চাক্ষর এব চ। একাদশবিকারাত্মা জগৎ পিবতি রশ্মিভিঃ ॥২০॥

পাদৌ তস্য মহীং বিদ্ধি মূর্দ্ধানং দিবমদ্ভুত। বাহবস্তু দিশো দৈত্য শ্রোত্রমাকাশমেব চ ॥২১॥

সাধনতনা মরম ওইদুনা কন্নকপা অশাউবনচিংমা পূক্নিংগী অমকশবু কন্থোক-খত্তোকপা উম্মি ॥১৩॥

মৈ অমদি মৈপরেংগী পাম্বনা মনম মুংশিনহল্লবা থোংদোক থাউ অদুগা হগাম থাউনা মাগী হাম্না লোয়নবকপা মনম্বু পাক্ থাদোক্তনদুগুম্না থ জক্তং হোংনহনদি দোষবু কোকহনবা য়াদে, অদুগা— কুপ্লবা অন্নগী লম্বীবু অমদি মশকপু শিবা থক্তবা য়াদে ॥ ৪॥

থোয়দাংগী অদুগা হঙ্গামগী থাউ হায়বসি মনম মুংশিরবা মৈনা তোয়ন তোয়না মৈদুনা য়াম্মনপ্রবদি মাগী হান্নগী মনম অদু কোকই। মতৌ অদুংগুম্না মপোক চাম চাংগী মচাশিংগা মুপী-নহাশিং তিন্নকপদা পোক্থিবা, ওইখিবা সত্ত্ব রজ তম হায়রিবা গুণ অদুন অসিনা চঙদুবগী দোষশিং অদু হন্না হন্না কন্না কন্না নৈনবা অহুগুমী বুদ্ধি অদুগী পাম্বনা লাংথোকানবা কোক্সনবা য়াই ॥ ৫—১৬॥

দানবশাগৈদা পোকপা। কর্ম্মদা পূক্নী চঙবা কর্ম্মদগী হন্দোকপা জীবশিংনা অশাউবা, মৈনিংদবনচিংবগী পোক্লকম ওইবা কর্ম্মশিং অদুগী মরম অদু ঐ হায়গে তাও ॥ ৭॥

দানব পুন্নমক্তী মপু। মতৌ করমনা কর্ম্মদা চঙশিনবগে অদুগা মতৌ করম্না কর্ম্মদগী হন্দোক্লবগে হান্নবদুগী মরমদা ঐ হায়গে তাও ॥১৮॥

শ্রীভগবান্ নারায়ণ হরিগী অহৌবা অরোইবা লৈতবনি। অদুগা মহাক্তনা অচচ্চত্ত জীব পুন্নমক অসিবু শেম্মিবনি ॥১৯॥

মহাক অসি অচচ্চত্ত জীব পানবা থুংনিংমক্তা মাংতোংবদবা (অক্ষয়) অদুগ্রা মাঙশিনদবা মওং অনী পুন্না লৈ। ইন্দ্রিয় তরামাথোইগী মশক্ লোইন্না থুংশেনবগী মশক্ লেক্ হেক্ তোংশিনসিনু মহাকমক্তী স্বরূপনি, হায়বদি— মামক্তী হকচাংনি। জ্ঞানতগী মশক্ ওইরবা মশেক্ মতাম্বা বিশ্বজগৎ অসি কুপ্তুনা লৌরিবনি ॥২০॥ হে দৈত্যাধিপতি! পৃথিবী অসিবু শ্রীভগবান্গী চরণ অনীনি হায়না খঙও। স্বর্গলোকপুন্না মাগী কোকনি হায়না খঙও। মায়ৈগে মরিনা বিষ্ণু ভগবান্ মহাক্তী পাম্বোম মরিনি খঙও। আকাশনা মাগী নাকোংনি। তেজ কন্নবা মুমিংনা মহাক্তী মীৎ ওইরিবনি। চন্দ্র (থা) না মাগী পুক্নীং কৌবা ইন্দ্রিয়নি।

তস্য তেজোময়ঃ সূর্য্যো মনশ্চন্দ্রমসি স্থিতম্। বুদ্ধির্জ্ঞানগতা নিত্যং বলস্তৃপ্ প্রতিষ্ঠিতঃ ॥২২॥
ভ্রুবোরন্তরাস্তস্য গ্রহা দানবসত্তম। নক্ষত্রচক্রং নেত্রাভ্যাং পাদয়োর্ভূশ্চ দানব ॥২৩॥
তং বিদ্ধি ভূতং বিশ্বাদিং পরমং বিদ্ধিং চেশ্বরম্। রজস্তমশ্চসত্ত্বঞ্চ বিদ্ধি নারায়ণমাত্মকম্ ॥
সোঽশ্রমাণাং ফলং তাত কর্ম্মণস্তৎফলং বিদুঃ ॥২৪॥
অকর্ম্মণঃ ফলঞ্চৈব স এব পরমব্যয়ঃ। ছন্দাংসি যস্য রোমাণি হ্যক্ষরং চ সরস্বতী ॥২৫॥
বহ্বাশ্রয়ো বহুমুখো ধর্ম্মো হৃদি সমাশ্রিতঃ। স ব্রহ্ম পরমো ধর্মস্তপশ্চ সদসচ্চ সঃ ॥২৬॥
শ্রুতিশাস্ত্রগ্রহোপেত ষোড়শার্ত্বিক্ ক্রতুশ্চ সঃ। পিতামহশ্চ বিষ্ণুশ্চ সোঽশ্বিনৌ স পুরন্দরঃ ॥
মিত্রোঽথ বরুণশ্চৈব স যমোঽথ ধনদস্তথা ॥২৭॥
তে পৃথগ্দর্শনাস্তস্য সংবিদন্তি তথৈকতাম্। একস্য বিদ্ধি দেবস্য সর্ব্বং জগদিদং বশে ॥২৮॥

বুদ্ধিনা ঈবুঙো মহাক্কী নিত্যজ্ঞানগী মশক্কি হায়না পু। উরিবা জগৎকী ঈশিং পুম্নমক মহাক্কী লৈ কোৌবা ইন্দ্রিয়নি হায়না খঙউ ॥২১—২২॥

দানব পুম্নমক্কী নিংথৌরেল। ইন্দ্র! গ্রহ পুম্নমক মহাক্কী পীশুম অনীগী কারক্কা লৈরিবনি। থরান মিচাকশিং অসে মহাক্কী মীত্তগী চোংথোকখিবা— থোকখিবা মক্তনি। দনুনন্দন — দানব। পৃথিবী অসে বিষ্ণু ভগবান্ মহাক্কী চরণদা মপুংনা লৈজরিবনি ॥২৩॥

অদুগুম্বা বিষ্ণু মহাক অহুবু মহাক্কা অচচ্চন্ত জীব পুম্নমক্কী অদুগা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসিগী পোক্লকম ঈহান হানবা অমদি কারণমি হায়বা খঙউ। সত্ত্ব রজ তম হায়রিবা গুণ অহুম অসিমক নারায়ণ বিষ্ণু মহাক্কগী মশক্কি। ঈবুঙো! ব্রহ্মচর্য্যনচিংবা আশ্রম পুম্নমক্কা চঙউবগী মহৈ অদো মহাক্কনা অহুম মওই-বনি ॥২৪। কর্ম অমদি কর্মগী ফলবু থাদোক্কুনা সন্ন্যাসী ওইবা ফংলিবা অমাঙ অতা লৈত্রবা মকম — থুক্তম অদুমক্তসু ভগবান্ বিষ্ণুগী মশক্কি। বেদগী মন্ত্র খুদিংমক অমমম্না বিষ্ণুগী হু অদুগা হুথোং অমমম্নি, ওঁ কারগী মশক প্রণব হায়বক্কনা মহাক্কী বানী (শব্দ — থোঞ্জেল) নি ॥২৫॥

ব্রাহ্মণ চিংবা বর্ণ পুম্নমক অদুগা ব্রহ্মচর্যানচিংবা আশ্রম পুম্নমক্ক মহাক্কী লৈকমনি। মহাক্কী কোক অদুগা মায়থোংদি লিশিং লিশিংনি মশী লাকউমদে। থম্মোয়দা আশ্রয় লৌহনা লৈরিবা ধর্ম হায়রবসু— মহাক্কী মশকনি। সাকার ব্রহ্ম হায়রিবসু বিষ্ণু ভগবান্ মশামক্কি। মহাকসিত্তনা আত্মাবু মশক উনবা থঙনবা অশেংবা ধর্ম হায়রবদুগী মশক্কি। তপস্যা অমদি অচুম্বা চুম্নবা, অরৈবা লৈত্তবা— সৎ অসৎ হায়-রবসু বিষ্ণু মহাক্কী মশক্কি ॥২৬॥

শ্রুতি (বেদ) অদুগা শাস্ত্র, সোমরসগী পাত্রগা লোয়ননা ঋত্বিক্ তরাতরুক, অদুগা ঋত্বিক্ তরা-তরুক্কা তিন্নবা যজ্ঞ অদুমক বিষ্ণু ভগবান্গী মশকমক্কি। ব্রহ্মা, রুদ্র, অশ্বিনীকুমার, ইন্দ্র, মিত্র, বরুণ যম অদুগা কুবের হায়রিবা দেবতাশিং অসি মহাকমক্কি, মশা মথক্তগী বিস্তারনি ॥২৭॥

মথেং অসিবু মাগী তোঙান্ তোঙাবা মশক ওইনা পুম্নবসু মহাক্কদি মশাগী একতা (মপুম অমত্তা

নানাভূতস্য দৈত্যেন্দ্র তস্যৈকত্বং বদত্যয়ম্। অন্তঃ *শ্রুতি বিজ্ঞানাৎ ততো ব্রহ্ম প্রকাশতে ॥২৯॥
সংহারবিক্ষেপসহস্রকোটীস্তিষ্ঠন্তি প্রভবন্তি চান্যে। প্রজাবিসর্গস্য চ পারিমাণং বাপি সহস্রাণি বহূনি দৈত্য ॥৩০॥

বাপ্যঃ পুনর্যোজনবিস্তৃতাস্তাঃ ক্রোশং চ গম্ভীরতয়াবগাঢ়াঃ।
আয়ামত পঞ্চশতাশ্চ সর্ব্বাঃ প্রত্যেকশো যোজনতঃ প্রবৃদ্ধাঃ ॥৩১॥

বাপ্যা জলং ক্ষিপ্যতি বালকোট্যা ত্বহ্ন্যা সকৃচ্চাপ্যহান দ্বিতীয়ম্।
তাসাং ক্ষয়ে বিদ্ধি পরন্বিসর্গং সংহারমেবঞ্চ তথা প্রজানাম্ ॥৩২॥

ষড্জীববর্ণাঃ পরমং প্রমাণং কৃষ্ণো ধূম্রো নীলমথাস্য মধ্যম্।
রক্তং পুনঃ সহ্যতরং সুখং তু হারিদ্রবর্ণং সুসুখঞ্চ শুক্লম্ ॥৩৩॥

ওইবা) গী মওংবু থক্ খাদোক্লে। নহাক্স জগৎ পূন্নমক্কী অমত্তা ওইবা হৌরককম ভুংনকম অমদি থরককম অসি মহাক মথন্তননি হায়বসি থক্তু ॥২৮॥

দৈত্য পূন্নমক্কী তোঙান্ তোঙান্না মশক (রূপ) কয়া কয়াদা মহুং চত্ত চত্তুনা লোত্তদোক্লিবা পরম আত্মা মহাক্কী একতা (অমত্তা ওইবা মওং)বু বেদনা প্রমাণগা লোয়ননা হায়রি। জীবাত্মাসিনা দেহমুংদা লৈহুনা বিজ্ঞানগী শক্তিনা পরমাত্মাগী মশক ওইবা ব্রহ্ম মহাকপু উহুনা অমত্তা ওইগিরিবি। অদুগুম্বা মত্তমদা দেহমুংদা লৈবা বুদ্ধিনা ব্রহ্মগী তেজ - মঙাল অদু মশানা অহুম্মক কোঙদোকচরকই ॥২৯॥

জীব কয়া কয়ানা মক্কম অমত্তদা লেত্তদনা লৈগা লৈপল লৈপাগগী দেহমুংদা লেত্তদনা লৈরি। চা কয় কয়া কয়াগী মমাংগী ওসি কাংবা জীব কোটি কোটিনা লেত্তদনা লৈরক্লি। অদুগা, কোক্চং চংপা জীব কোটি কোটিনা অমদগী অমদা কোয়চং চংতুনা লৈরক্লি। দৈত্য অথেইবা। প্রজাশিং অসিগী শেম্বা— সৃষ্টিগী চাং মশীং অসিদি পুখ্রী লাংখোং শিংশিং শিংশিংগী মশী গা কাম্মানি ॥৩০॥

হায়রিবা পুখ্রী পূন্নমক অসি য়ুথক চা মঙা পাকই, য়ুথক্ চা মঙা শাংই। ক্রোশ অমমম্ লুই, লুপ্পদা কনা অমত্তনা লৈথা কংগলবা মত্তে। হায়রিবসিগী অশংবা রাদি— পুখ্রী খুদিংমক অম্মুপক্কী মতীক পাক চাউখ্রে অদুগা লুখ্রে, মথদি— কনাগুম্বা অমনা থাক্ মথং মথঃ কুমথক্কনা শবুম্ মত্তোম্ অমত্তদা ঈশিং মরীক্ অমত্তত্তংবু চিক্খংতুনা মথক্ কাওব্য শোক্তুনা পুথংলক্লবস্থ নোংমা পুরা চত্তখিবলা অমুক হন্না শোক্লুবা ওমত্রে। লুম্মনখিবমা লুমদনবা হায়রতুনা ঈশিং মরীক্ অমত্তং লৌথংলুরবস্থ অমুক হন্না অদুগুম্বা মরীক অমা শোক্লুবগী মতম লৈত্তে। অস্মা কাখৎ কুমথ তৌতুনা ঈশিং মরীক্ অমমমদা নোংমা চত্তন শোক্কংলক্তুনা পুখ্রী ময়াম অদদা লৈরিবা ঈশিং অদু লোইনা তেংনা শোকপদা চত্তখিবা মতম অদুগুম্বগী মহুংদা জীবশিং অসিগী সৃষ্টি অমসুং প্রলয় ওই। হায়বদি— সৃষ্টি অমগা প্রলয় অমগা অনীগী মরক্তা অদুক্ স্নাম্বা চহী মতম অত্ত হাওত্তুনা লৈ। পুখ্রীশিং অদুগী ঈশিং মশাম অত্ত লোইনা শোক্কোক্ শিত্তোক্পা অদু ওইখোক্তবনি ॥৩১—৩২॥ জীবপান্বা পূন্নক্কী মচু অসি মখল তরাক্লি। অমুবা, মৈখুমচু মান্বা,

পরং তু শুক্লং বিমলং বিশোকং গতক্লমং সিধ্যতি দানবেন্দ্র।
গত্বা তু যোনিপ্রভবানি দৈত্য সহস্রশঃ সিদ্ধিমুপৈতি জীবঃ ॥৩৪॥
গতিং চ যাং দর্শনমাহ দেবো গত্বা শুভং দর্শনমেব চাপি।
গতিঃ পুনঃ বর্ণকৃতা প্রজানাং বর্ণস্তথা কালকৃতোঽসুরেন্দ্র ॥৩৫॥
শতং সহস্রাণি চতুর্দশেহ পরা গতির্জীবগণস্য দৈত্য।
আরোহণং তৎ কৃতমেব বিদ্ধি স্থানং তথা নিঃসরণং চ তেষাম্ ॥৩৬॥

অশংবা, অঙাংবা, নাপু মচু মান্‌বা অহুগা অঙৌবা মখোয় অসিনি। মখোয়সিগী মফংদা অমুবগা উৎ মাবগা অশংবগা মচু অহুম অসিগী জীবনা শীবা হুংঙাইবসি মরক্তা ওইনা তৌই। অঙাংবা মচুগীনা থাওবদা মতীক চায়। নাপু মচু মান্‌বনা হুংঙাইবা শী, অঙৌবা মচুশীনা খ্বাইদগী হুংঙাইবা শী ॥৩৪॥ *

দানব নিংথৌ! অঙৌবা মচুদি অমকপা য়াওদে। অরাবা লৈতে, পরিশ্রম (নোম্বা— হোৎনবা) গী শরুক য়াম্না য়াৎনা লৈবমা মচু অসি সিদ্ধিবু শীনহৈমনি। দিতিশাগেগী হুংঙাইননবগী মশক ওইবা! জীব হায়বসিনা যোনি (পোক্‌কম) লিশিং লিশিংদা হঙৎ-হন্দা পোকলুরবা তুংদা তাইবং মীওইবগী দেহদা চত্তক্লুনা করিগুম্বদা পোকপগী মৃহে য়াদে ॥৩৪॥

অসুরশিংগী নিংথৌ! দেবরাজ ইন্দ্রনা মঙলগী মশক ওইরবা তত্বজ্ঞান কংলবা তুংদা ঐগী ঈকয়দা বর্ণন তৌখিবা অহুগুম্বা গতি অহুগা দর্শনশাস্ত্র অহু জীবপান্‌ব পূরমক্কী মচুদগী পোকখিবা গতিগী রানি। হায়বদি— হায়রিবা সিদ্ধি অসি অঙৌবা মচুগী মীশিংঙনা কংবা ওদ্মি। মচু অসিদি কাল (মতম) হায়-বতুনা শেহনি ॥৩৫॥

দৈত্য অথোইবা! জগৎ অসিদা অচচত্ত জীব পূরমক্কী অরোইবা গতি (পন্‌থুংকম) অসি লখা তরামরিনি হায়না লেপ্পনি। (কর্ম ইন্দ্রিয় মঙা, জ্ঞান-ইন্দ্রিয় মঙা, পূক্নীং, বুদ্ধি খল্লোয়, অহঙ্কার মখোয়

* হায়রিবসিগী ভাবতি— তমোগুণনা হেন্‌না, সত্বগুণনা য়াৎপা হন্থবা, অহুগা রজোগুণনা মরক্তা লৈবা অহুগুম্ব জীবগী মচুনা মুই। হায়রিবা মচু অসি স্থাবর ওইবা, হায়মদি— লেঙদনা লৈবা জীবশিংগী মচুনি হায়না লৌনৈ। তমোগুণনা য়াম্না হেনগৎবা, রজোগুণনা য়াম্না হন্থবা অহুগা সত্বগুণনা মরক্তা লৈবা অহুগুম্বা জীবনা মৈথু মচু মাল্লি— য়াওথাংনৈ। মখোয় অসি শা উচেক্কী মপোক্কা পোকপা জীবশিংগী মচুনি হায়নৈ। রজোগুণনা য়াম্না হেনগৎবা, সত্বগুণনা য়াথবা অহুগা তমোগুণনা মরক্তা লৈবা অহুগুম্বা জীবগী মচুনা শঙ্গিও। মাসি তাইবংমীগী অরেপ্পা মচুনি হায়নৈ। মাসিগী ভাবতি— পৃথিবীদা লৈরিবা জীব পূরমক্কী মাগী মাগী সাধারণ ওইবা মচু পূম্নমকসি পূল্লগা মাহুনা তাবা মচুনি হায়বনি। সত্বগুণনা ময়াম ওইবা থাক্তা লৈবা, তমোগুণনা থবা মন্থনা লৈবা মী অহুগী মচুনা মরক্কী হায়বদি— তাওলৈনবা মচুগী ওই। মাসিবু অনুগ্রহ সৃষ্টি হায়না থওনৈ। সত্বগুণনা হেন্‌বা অহুগা রজোগুণনা হন্থবা, অহুগা

কৃষ্ণস্য বর্ণস্য গতির্নিকৃষ্টা স সজ্জতে নরকে পচ্যমানঃ।
স্থানং তথা দুর্গতিভিস্তু তস্য প্রজাবিসর্গান্ স বহূন্ বদন্তি ॥৩৭॥
শতং সহস্রাণি ততশ্চরিত্বা প্রাপ্নোতি বর্ণং হরিতং তু পশ্চাৎ।
স চৈব অস্মিন্ নিবসত্যনীশো যুগক্ষয়ে তপসা সংবৃতাত্মা ॥৩৮॥
স বৈ যদা সত্ত্বগুণেন যুক্তস্তমো ব্যপোহন্ ঘটতে স্ববুদ্ধ্যা।
স লোহিতবর্ণমুপৈতি নীলান্ মনুষ্যলোকে পরিবর্ত্ততে ॥৩৯॥

অসিনা তরামরিনি। করণ— খুংলায়রনি। মখোয়গী তেদ অসিদগী গতি তরামরি ওইখি। গতিশিংসিগী তেদগী বৃত্তিতরশিং লৈখিবনা, হায়রবদি— তেদ মথল লৈথখিবনা তেদ লথা তরামরি লৈখিবনি।) জীব অসি মথকৃথংবা লোকতা মথং মথং চংখি। মাতুংসু হৌজিক হায়রিবা করণ— খুংলায়শিং অসিনা খোকুহনখিবনি। তোঙাল তোঙাবা মকমদা থর থর লেতদনা লৈরবা অতুংগু, অতুগা মাতুংদগী অমুক লৈথা তাথখিবা অতুংসু হায়রিবা কারণশিংসিগা মরী লৈনবনি। মাসি যায় চনীঙ তানা থঙই। (মরম অতুনা হায়রিবা করণ তরানরি অসিবু সাত্ত্বিকমার্গরোমতদা মমায় ওনশিনহনখিগনবনি।) ॥৩৬॥

অমুবা মতুগী গতিদি য়াম্না হন্থবা মওংদা লৈ। মচু অসিগী জীবদি নরক ফংহনবা ওইবা তৌহৈনবা কর্মদা য়াম্না আসক্ত ওই। অতুনা মখোয়বু নরকক্কী মৈদা খোজংকুনা মুলহল্লি। মহাক অগুদি ফত্রবা কর্মদা চঙশিনখিত্রুনা হৌজিক হায়খ্রিবা করণ— খুংলায় মরমশিংত্রুনা মরম ওইত্রুনা পাপকী থবক অতু তৌখিবনা চহী কয়া কয়া নরক্কী লৈ। অমুম্বা মুনি ঋষিশিংনা হায় ॥৩৭॥

অতুগী তুংদা জীব অতু লথা লথারক হন্না, হায়বদি— চহী লথা লথা চুপ্না নরকতা লৈরক চংলুরগা মৈথু মচুগী দেহদা— শাউচেকশিংগী যোনিদা চঙখি। হায়রিবা মপোক অসি— মহাক লাম্বোক্লনবা উপায় লৈতত্রুনা য়াম্না রানা পুম্শ লেল্লি। যুগনা অমুকমুক লোইরকপদা আ মমাংদৈগী পুণ্যকর্মতুগী অতুগা অকবা রাথলশিংতুগী সংস্কারনা ওঙ্কো ওইত্রুনা অরাবা খুদোংথীরবা মফম অতুদগী লাম্বোরকই ॥৩৮॥

জীব অসিনা সত্ত্বগুণনা শিন্না মতমদা মশাগী বুদ্ধিতনা তমোগুণগী প্রবৃত্তিবু হায়বদি— চঙশিন্নীংবু তাম্বোক্লুনা মশাগী মঙল ওইননবগী দমক্তা হোৎনবা হৌরকই। মতম অতুদা সত্ত্বগুণনা অসুমসুম হেন-

---

তমোগুণনা মরক্কী অবস্থাদা লৈবা অতু ওইরবদি মী মহাক্কী মচু অতু নাপুমচু হাইকেং মাল্লি। মাসি— দেবতাশিংগীসু সাধারণ ওইবা মচুনি। অতুনা মাসিবু দেবসর্গ, দেবসৃষ্টি কৌই। হায়রিবসিগী মনুংদা রজঃগুণনা মরক্কী ওইনা লৈমা, তমোগুণনা হন্থবা অতু ওইরবদি মচু অতু তৌই। মাসিবু কৌমারসৃষ্টি হায়না থঙনৈ। মনুংগী ভাবতি— হকচাংগী মপান্থী তোঙান্ তোঙানবা মচুগী উন্নানা আত্মাসিবু কুপ্পা মতে। সত্ত, রজ, তম গুণ অহুম অসিনা হেন্দোক্ হেজিন্ তৌনা কুপ্পতনি। মাহুমকন্থ লৈচিন্না নোংমা তুম্মিংথাবু কুপ্পত্তবনি। (কালাচাঁদ)

স তত্র সংহারবিসর্গমেকং স্বধর্মযুক্তৈর্বহুভিঃ ক্লিশ্যমানঃ।
ততঃ স হারিদ্রমুপৈতি বর্ণং সংহারবিক্ষেপশতে ব্যতীতে ॥৪০॥
হারিদ্রবর্ণস্তু প্রজাবিসর্গাৎ সহস্রশস্তিষ্ঠতি সঞ্চরন্ বৈ।
অবিপ্রমুক্তো নিরয়ে চ দৈত্য, ততঃ সহস্রাণি দশাপরাণি ॥৪১॥
গতীঃ সহস্রাণি পঞ্চ তস্য চত্বারি সংবর্ত্তকৃতানি চৈব।
বিমুক্তমেনং নিরয়াচ্চ বিদ্ধি সর্ব্বেষু চান্যেষু চ সম্ভবেষু ॥৪২॥
স দেবলোকে বিহরত্যভীক্ষ্ণং ততশ্চ্যুতো মানুষতামুপৈতি।
সংহারবিক্ষেপ শতানি চাষ্টৌ মর্ত্ত্যেষু তিষ্ঠন্নমৃতত্বমেতি ॥৪৩॥

গৎলকপা মহাক অদু অঙাঙবা মচুগী দেহব্ফংঙি। (মাসিদু অনুগ্রহ সর্গ — সৃষ্টি হায়না থঙনৈ। থম্মোয়গী তোঙান্ তোঙাম্বা হেনগৎলকপা মওংদা চঙহল্লকপগী, চঙনীংহনবগী প্রাণস শীংবা অনুগ্রহ তৌবিবা বিশেষ ওইবী দেবতা অদুগী তোপ তোপ্পা মমিংবু অনুগ্রহ থোঙ্গাংবিব হয়না কৌই। তৌজিক হায়রিব মওং অসিদা লৈবা জীবনা সত্ত্বগুণদগী থিজ্বং হন্দ্রকপ মওংদা শংবাক্ত মচুগী দেহ ফংঙি। অদুদগী তাইবং মীওইবগী দেহদা— মনুষ্যলোকত হজ্বং-হন্দা চঙংরে ॥৫৯॥

অদুদগী মহাক— জীব অসি মনুষ্যলোকতা চহী ক্লপ শতা চুপ্পা নংগী কেওআ যাত্রবা ধর্ম্মনা ফাজিন্ থিহনা জরা মৃত্যুনংিবগী অরাবা থুদোংথীবা কয়া কয়া থাজহনা তপ্পা তপ্পা মপাগী তপস্যাবু হেনগৎহন্দুনা য়াইঙং মচু মানবা তেজ পুবা দেবতাগী ভাব— মওং দা চঙহকই। মক্তম অদুদস্তু চহী চা কয়া লৈরুদগা, মহাকী পুণ্যকর্মগী মইহ চাবা লোমলয়না, য়ায়বা— পুণ্যকর্মগুণ মুখরক্লবদ মনুষ্যলোক— তাইবং মীওই-বগী মপোক্তা হল্লরকই। মত্তৌ অসুম্না দেবলোকতগী মনুষ্যলোকতা, মনুষ্যলোকতগী দেবলোকতা অক্ষা-অকুম তৌহনা লৈ ॥৪০॥

দৈত্য নিংথৌ। চহী কয়া লিশিং কয় চহনা লৈবক্ষংবদা জীব হাংবসিনা সাংসারগী বিষয়ভোগ অসিদগী থক লাপ্তোক্তে। চহী কয়া খুনিংমা লৌথি তৌনিংবা কুর্ম্ম লৈহুই লৈহ্ন চাহনা জীবসিনা তোঙান্ তোঙাবব গতি লিশিং তরামানবু ফংঙি। তাইবং মীওইবগী মপোক নহুনা লা উচেক্কচিংবগী ম পাক্ দি অমাবা ফংঙাইবসি থক ওয়না অকুম মকঙি মখোইদি অমানব পুভা— মুক্ত ফংনবগী তাঙ্গ অদু থক ফংদে। মা অসি নহাক য়াম্না মুম্না খঙগদবনি ॥৪১ ৪২॥

জীব অসি অতৌ অথম লৈতনা দেবলোকতা ফুংঙাইবা ফংহন লৈ। অদুগা মাহুদগী অমুক্তা মপুঙ-ফকুনা তাইবামীগী মপোক্তা চঙহকই। অসুম্না জীব অসি তাইবামীগী মপোক্তা হল্লা হল্লা লোকলৈ লিরে। অদুগী তুংদা অকবা থবক অদু তৌরগা অমুক দেবলোক— দেবলোকতী মপোক অদু ফংঙি। অসি-গুম্বা অবাগমন— হজ্বং হন্দ লপগী চক্র অসিদা অস্তাপি ওসি ফাওবা তাহুন লৈরিবসি জীবসিগী আথোইবা আধ্যাত্মিকজ্ঞান— ব্রহ্মজ্ঞান নত্রগা ঐকান্তিক-ভক্তিজ্ঞান ফংবা হায়বদু থক্ ওইবা য়াদে। অদু-

সোঽস্মাদথ ভ্রশ্যতি কালযোগাৎ কৃষ্ণে তলে তিষ্ঠতি সর্ব্বকষ্টে।
যথা ত্বয়ং সিদ্ধ্যতি জীবলোকস্তত্তেঽভিধাস্যাম্যসুরপ্রবীর ॥৪৪॥
দৈবানি স ব্যূহশতানি সপ্ত রক্তোঽহরিদ্রোঽথ তথৈব শুক্লঃ।
সংশ্রিত্য সংধাবতি শুক্লমেতমষ্টাবরানর্চ্যতমান্ স লোকান্ ॥৪৫॥
অষ্টৌ চ ষষ্টিং চ শতানি চৈব মনোনিরুদ্ধানি মহাদ্যুতীনাম্।
শুক্লস্য বর্ণস্য পরাগতির্যা ত্রীণ্যেব রুদ্ধানি মহানুভাব ॥৪৬॥
সংসারবিক্ষেপমনিষ্টমেকং চত্বারি চান্যানি বসত্যনীশঃ।
ষষ্ঠস্য বর্ণস্য পরাগতির্যা সিদ্ধাবসিদ্ধস্য গতক্লমস্য ॥৪৭॥

শুং। ঐকান্তিক ভক্তিজ্ঞান অদু ফংলবতদা জীব অসিনা পরমমুক্তিবু মতৌপা পরমাত্মা ওইবা হায়বনু ফংবা ওন্নি ॥৪৩॥

অসুরশিংগী অথোইবা নিংথৌ! জীব অসিনা মতমগী মচুংইনা ফত্তবা কর্ম তৌরম্লনা করি করিগুম্বদা মর্ত্ত্যলোক অসিদগীদু অমুক অা হন্দবা মপোক্ত চঙ্খি। মথা ঈথং থংবা থাকী লমদমদা অমুবা মচুদা— স্থাবরযোনিদা— উ বাগী মপোক্তা অদুম মপোকখ্রে। (মাদু য়োংবদি তাইবংমৌগী মপোক্তা কারকপা হায়বসি ওইথোক্তবা ওইনা লোকই।) মতৌ অসুমনা কাবা কুম্বা হায়বসিগী চক্রদা তাদুনা লৈনা লৈনা চক্র অসিদগী লাম্বোকপা— মুক্তি হায়বদু ফরনা কাবগে হায়বসি ঐনা নঙোন্দা হৌজিক হায়রি ॥৪৪॥

অমাংবা, নাপু, অত্তোবা মচুশিংসিগী দেহদা মথংমীংনা চঙক্তুনা জীবশিং অসিনা শিক্লি শিক্লি দিব্য শরীর— লাইগী মপোক্তী হকচাংদা য়োংখৎলক্তুনা ভূ, ভুবর্নাচিংবা লোক তরেত্তা হন্দং-হন্দা চংতুনা হায়া তৌরম তৌরম্বা পুণ্যকর্ম্মগী প্রভাবনা শাফু কমা ব্রহ্মলোকতা চংথি ॥৪৫॥

পূকচেল চাউরবা বৃত্রাসুর কৌব! প্রকৃতি, মহত্তত্ত্ব, অহঙ্কার অদুগা বৈ, ঈশিং, মুংশিংনচিংবসিগী তন্মাত্র মঙা, মথোর নিপাল অসি অদুগা অত্তোম্মা তত্ত্ব হুমফু * অদুগা মথেংমগী লৈকম অমদি মঙং চাম চাম অদু যোগীশিংনা পূক্কীং ইন্দ্রিয়গী পাম্বৈতনা থিদুনা থমখিবা মফংদা লৈ। অদুগা মথোরনা সত্ত্ব রজ তম গুণ অহুম অসিবুদু থিরি। মরম অদুনা অত্তোবা মচুগী সনকনচিংবা দিব্যপুরুষশিংনা ফংনখিবা অথোইবা গতি-অদু যোগীশিংনা ফংই ॥৪৬॥

অথোইবা মচুগী— অত্তোবা মচুগী সাধকশিংনা ফংনখ্রিবা পতি অদু ফংননবগী অধিকার অদু মাঙপ্রবা অদুগা থবক্তি মহৈ য়ান্থিদ্রবা প্যাপ পুন্নমক্তি মাঙপ্রবা অতুগুম্বা যোগী অদুম মাগী যোগগী শক্তিদগী

---

* জ্ঞান-ইন্দ্রিয় মঙা, কর্ম ইন্দ্রিয় মঙা মথোয় ইন্দ্রিয় তরা অসি মথোয়গী সাত্ত্বিক, রাজসিক, তামসিকাবস্থা শিংচুগী জাগ্রৎ, স্বপ্ন, সুষুপ্তি অহুমসিগী অমুক লৈরিবা তেনশিংচুগী অমমমদা মথল তরক তরক লৈ। মরম্ অদুনা তরাগা তরুমা পুরিরগা হুমফু ওই। (কালাচাঁদ)

সপ্তোত্তরং তত্র বসত্যনীশঃ সংসারবিক্ষেপশতং সশেষম্।
তস্মাদুপাবৃত্য মনুষ্যলোকে ততো মহান্ মানুষতামুপৈতি ॥৪৮॥
তস্মাদুপাবৃত্য ততঃ ক্রমেণ সোঽগ্রেণ সংতিষ্ঠতি ভূতসর্গম্।
স সপ্তকৃত্বশ্চ পরৈতি লোকান্ সংসারবিক্ষেপকৃত প্রভাবঃ ॥৪৯॥
সপ্তৈব সংহারমুপপ্লবানি সম্ভাব্য তিষ্ঠতি জীবলোকে।
ততোঽব্যয়ং স্থানমনন্তমেতি দেবস্য বিষ্ণোরথ ব্রাহ্মণশ্চ ॥
শেষস্য চৈবাথ নরস্য চৈব দেবস্য বিষ্ণোঃ পরমস্য চৈব ॥৫০॥

পোক্লকপা ঐশ্বর্য্য অদুগী মুংওাইবা কংলিবা অমুবু থাদোক্পা তমত্রবদি মশানা পামত্রবা কাওবদা চহী কয় অমা চুপ্পা মহাক্কী সাধনাগী মহৈ ওইনা মহলোক, জনলোক, তপলোক, সত্যলোক মরি অসিদা মথং মথং লৈরম্লগা মমৈথওদা মুক্তিবু ফংতি ॥৪৭॥

যোগসাধন অদু মপূংফানা পাঙথোক্পা তমথিত্রবা— যোগ কায়ত্রবা যোগী মহাক অতুদি চহী কয় অমা চুপ্পা মথক্কী লোক তরেৎ অতুদা লৈ। অতুগা লৈগৌরিবা কর্ম্ম সংস্কারশিংদুগা লোয়ননা লোক তরেৎ অদুদগী অমুক হল্লকুনা তাইবং মীওইবসিগী মপোক্তা, হায়মীতুদগী হেন্না ফবা মপোক্তা, বিশেষ ওইবা শক্তি পুম্নমক্কা ভিন্দুনা পোক্লে ॥৪৮॥

অদুদগী অমুক মীওইবা মপোক্কগী লাম্লোকখিদুনা মথং মথং অমুক হেন্না ফগৎলিবা দেবতানচিংবগী পোক্লধমগী মাঽগৈদা চঙশিন্খি, অদুগা ময়া প্রলয় লৈবা মীশক অমা ওইদুনা লোক তরেৎ অদুগা হঙ্গৎ হন্দা চখোক্-চঙ্খিন্ তৌদুনা লৈ ॥৪৯॥

অদুদগী যোগী অদু ভূ, ভুব, স্বঃ মহ, জন, তপ, সত্য লোক তরেৎ অসি, মতম থরগীদমক লৈবনি কায়খিগদবনি হায়না থঙদুনা অমুক্কক্ হন্না নীঙশিং জ্ঞানগা লোয়ননা, সংসারগী মায়া মোহনা কল্লিমত্তা চঙতমদনা তাইবং মীওইবগী মপোক্তা থঙনা থঙনা লৈরে। অদুদগী মপান্গী হকচাং অসিনা ভুমথবদা— তেক্-কায়ত্রবদা মহাক অয়োইবা লৈত্রবা, মশক হাংবা মাঙবা লৈত্রবা অথোইবা ধাম— পরব্রহ্ম পদবীবু ফংতি। হায়রিবা ধাম অসি মশক তৌবা ধামদা হায়রগা— কনা কনাগুম্বগী মতদা মহাদেবগী কৈলাসধাম, কনা কনাগুম্বগী মতদা বিষ্ণুগী বৈকুণ্ঠধাম, কনা কনাগুম্বগী মতদা ব্রহ্মাগী সত্যলোক, অদুগা কনা কনাগুম্বগী মতদা শেষনাগগী অনন্তধামবুনি হায়রে। অদুগা কনা কনাগুম্বনমু জীবসিগী অথোইবা ব্রহ্মধামদুবুনি হায়। কনা কনাগুম্বনা মফম পুম্বনা শীন্থুনা লৈবা, থম্মোয়দগী থোরকপা মতাম্গী মশক ওইরবা পরব্রহ্মগী ধাম অদুনি হায় ॥৫০॥ *

---

* মাগী মাগী জাতি, সম্প্রদায়, সমূহ, দর্শনশাস্ত্র, শাস্ত্রগী মতুংইন্না, অয়োইবা ধাম অদুগী মমিংদি— মাগী মাগী লোল্, অদুগী মতুংইন্না খোল্লিংবতা থেন্নমু। অদুগুম্বা ধাম অদু য়োন্নবা হোৎনবকপদা

সংহারকালে পরিদগ্ধকায়া ব্রহ্মাণমায়ান্তি সদা প্রজা হি।
চেষ্টাত্মনো দেবগণাশ্চ সর্ব্বে যে ব্রহ্মলোকে অপরাঃ স্ম তেঽপি ॥২১॥
প্রজাবিসর্গং তু স শেষকালে স্থানানি স্বান্যেব সরন্তি জীবাঃ।
নিঃশেষতস্তৎপদং যান্তি চান্তে সর্ব্বে দেবা যে সদৃশা মনুষ্যাঃ ॥২২॥
যে তু চ্যুতাঃ সিদ্ধলোকাৎ ক্রমেণ তেষাং গতিং যান্তি তথাঽনুপূর্ব্ব্যা।
জীবাঃ পরে তদ্বলতুল্যরূপাঃ স্বং স্বং বিধিং যন্তি বিপর্য্যয়েণ ॥২৩॥
স যাবদেবাস্তি স শেষভুক্ তে প্রজাশ্চ দেব্যৌ চ তথৈব শুক্লে।
তাবৎ তদাঙ্গেষু বিশুদ্ধভাবঃ সংযম্য পঞ্চেন্দ্রিয়রূপমেতৎ ॥২৪॥

জ্ঞানগী বৈনা মাগী সূক্ষ্ম শরীর, কারণ শরীর, স্থূল শরীর হকচাং মথল অহুম অসিবু চাকথ্রবা ওইরবা অহুগুম্বা জীব মহাক অহুদি প্রলয়গী মতমদা হায়বদি— হকচাং মথল অহুম অসিনা থুপথ্রবা ফুদো পরব্রহ্ম— পরমাত্মাবু কাওি। ব্রহ্মলোকতগী মথাগী লোকশিংদা কুমথরক্লবা জ্ঞানী ওইরবা মথোয় অহুম হায়রিবা জ্ঞানসিগী পথৈনা প্রলয়গী মতুংদা পরব্রহ্ম পরমাত্মা মহাকপু ফংবা ঙম্ম ॥২১॥

প্রলয়গী মতমদা— অন্তকালদা দেহতাগী তারপু ফাথ্রবা অহুগা মশাগী তৌথ্রিবা কর্ম্মশিংহুগী মহৈবু চাবা লোইত্রিঙগী মমাংদা প্রলয় ওইথ্রবা হায়বদি শিথ্রবদি কল্প অমগী মতুংদা অতোপ্পা প্রজাশিংগী সৃষ্টি ওইরবদা মাগী হান্নগী চাবা লোইতৌদবা কর্মগী মহৈশিং অহুবু চাকপে হায়বগী দমক মাগী হান্নগী মকম মওং অমদা চংচুক্ত— ফংচুক্ত। অহুগা অতোপ্পা মমাংগী কল্প অমদা মাগী কর্ম্মফলবু চাবা লোইথ্রবা মহাক অহুদি স্বর্গলোক অমগী মাংথ্রদ, ফুংবু অতোপ্পা কল্প অমদ, হায়রদি জগৎকী অতোপ্পা থুংশেম অমদা, মহাক্না ঈশ্বন্ থাম্না তৌথ্রিবা কর্মহুগা মান্নবা— কর্মহুগা মপাচাবা তাইবংমীগী মপোক্ত। অতোপ অতোপ্পা জীবশানবশিনা পোক্লকুম পৈক্লি ॥২২॥

সিদ্ধলোকতগী কবিগুম্বা মরম অমদগী মর্ত্যলোকতা তারক্লবা যোগী অহুদি অহুগা মাগুম্বা অতোপ্পা বিবমদা যোগীগা চপ্ মান্নবা কর্ম তৌমন্না যোগী মহাক অহুম লোক অমদগী লোক অমদা অহুম মথং কাথ খিদ্‌না অহুম ওইরো সিদ্ধপুরুষশিংগী গতি— থুঙম অহু ঙংদি। অমস্না তৌবা ভনদবশিং অহুদি— ওম্ন-তৈনবা মওংদা তোঙান্ তোঙান্বা গতিবু শংশ ॥২৩॥

ঈশেং শেংবা মওং-না সিদ্ধ ওইথ্রবা অহুগুম্বা সিদ্ধপুরুষ মহাক অহুদি কর্ম পুম্নমক্কী কারণগী মশক ওইদুনা লৈরিবা ইন্দ্রিয় মঙা অসিবু লাকশিন্দুনা— থুঙম চন্দুনা নহানমুক্কী কর্মগী মহৈবু চাদুনা লৈরিবা হায়ঙ্গিব চঙথ্রিবা মচাক, থাকু, থুংলায়, ইন্দ্রিয় বিষয়শিংগী মশীং থীনথ্রিবা অহুগা উথ্রিবা মওং থোরমপুম্বা অহুদি তাইবংমী পুম্নমক্কী লেপ্তুবা যাম্রবা সিদ্ধাত্মনি। মাসিগী মওং মশী লৈরিবা বৃত্তিশিং অসি আ কদায় কাওবা অমম নৈনমকপদা মৌবা শুম্মকত্রব কালদ। ঈশ্বর লৈতে হায়বা নাস্তিকশিংগী মত মতুংইন্না নাস্তিক

তস্মাৎ গতিং তাং পরমাং পরৈতি শুদ্ধেন নিত্যং মনসা বিচিন্বন্।
ততোঽব্যয়ং স্থানমুপৈতি ব্রহ্ম দুষ্প্রাপ্যমভ্যেতি স শাশ্বতং বৈ ॥৫৫॥
ইত্যেতদা খ্যাতমহীনসত্ত্ব নারায়ণস্যেহবলং ময়া তে ॥৫৬॥

বৃত্র উবাচ।

এবং গতে যেন বিষাদোঽস্তি কশ্চিৎ সম্যক্ স পশ্যামি বচস্তথৈ তৎ।
শ্রুত্বা তু তে বাচমহীনসত্ত্ব বিকল্মষোঽস্ম্যদ্য তথা বিপাপ্মা ॥৫৭॥
প্রবৃত্তমেতৎ ভগবন্ মহর্ষে মহাদ্যুতেশ্চক্রমনন্তবীর্য্যম্।
বিষ্ণোরনন্তস্য সনাতনং তৎ স্থানং সর্গা যত্র সর্ব্বে প্রবৃত্তাঃ।
স বৈ মহাত্মা পুরুষোত্তমো বৈ তস্মিন্ জগৎ সর্ব্বমিদং প্রতিষ্ঠিতম্ ॥৫৮॥

অদুকী মথৈ মহাকী হকচাংদা প্রজা পুন্নমকী হায়রবদি— ইন্দ্রিয়শিং অসিবু পুন্নিবা অধিষ্ঠাত্রী দেবতাশিংদুগী অদুগা মাগী পন্না অপন্না বিত্তা অদুগী চপচাবা লৈফমদা লৈ ॥৫৪॥

য়ান্না পুকচেল শেংনা অসিতথা পরমগতিবু থিদুনা লৈন্নিবা— থিন্নিবা যোগী সাধক মহাক অদুদি— মহাক্না থিন্নিবা পরমগতি অদুবুত মফংডি। অদু ফংলবা তুংদা মশক মওং হোংবা লৈত্রবা, অমাও অতা লৈত্রবা ব্রহ্মগী পদবীবু ফংথিদুনা মকম অদুমক্তদা লেপ্তদনা লৈথি ॥৫৫॥

থোইদোক্না পাঙ্গল্লবা লৈত্যানিংথৌ! মতাং অসিদা ঐনা অনুম্না ভগবান্ নারায়ণগী মতীক মথৌনা অমদি মপাঙ্গলগী মরমদা লোইনা হায়রবনি ॥৫৬॥

বৃত্রাসুরনা হায়,— পুকচেল চাউরব মহাজ্ঞানী সনৎকুমারজী! হায়বিন্নিবা তাক্‌পিন্নিবশিং অসিনা অদুম্বমক্তা ওইরবদি সনা-লুপা, মণি-মুক্তা, হাজা-সিংহাসন মিংচৎনচিংবা মাওথিবগী অরাবা মুংওাইতবা— নীওমদবা কন্নিমতা লৈজত্রে। মহাজ্ঞানীনা তাক্‌পিন্নিবা পাউতাক্‌শিং অসি লোইনা তাজরে, লৌ'নু লৌজরে। তাক্‌পিন্নিবশিং অসি তাজবদা ঐনা তৌথিবা পাপকর্ম্ম পুন্নমক্তা দোষসু লোইনা চাম্‌থোক্‌খ্রে হায়রনা নিশাদা কাওরে ॥৫৭॥ ভগবন্! হে মহর্ষি! তেজ কল্লব', ওঙ্গথৈ নাইত্রবা, মকম পুন্নমক্তা শীন্-থুনো

মত হায়বা অমা লৈত্রিবসিনি। উন্নিবা তান্নিবা পোৎ থুদিংমকী মফুংদা মপান্দা উদবা, তাবা কংদবা, শোকপা য়াদবা পোৎ অমমম্ লৈরি। মথোয়মক্ত লৈবনা উবা য়াবা, তাবা য়াবা পোৎ অসিসু লৈবা য়ান্নি-বনি। মশক উদবা কাংথোল, চৌকিনচিংবসু মাগী মফুংদা লৈবনা উপাম্বী অসি উবা য়াবা পোৎশক্ অমা ওইনা লৈবা য়ান্নিবনি। হৌজিক লৈত্রিবা, উত্রিবা পোৎশিং অদুবু লৈহনুগে লৈহন্নোই হায়বদুদি— উ পান্নিবা— শুন্নিবা মাগী জ্ঞানশক্তিগী মতুংইন্না লৈগ্রে। লৈহনগদবা মানা লৈতে হায়রগা লৈহনবা ওন্নিবা লৈহন্নিবা মীদুগী মীদুগী মকমদদি লৈতবা থক্ য়ারোই। লৈ লৈতে হায়ন্নিবসি মা মাগী জ্ঞানগী সীমাগী মতুংইন্না হায়জবতনি। অদুনা শিবধাম, বৈকুণ্ঠধাম, ব্রহ্মধাম অসিনচিংববু মাগী জ্ঞানগী শক্তিনা উন্নিবদুগী মকমদা উদবা অমনা 'লৈতে' থক্ হায়রুবা য়ারোই। (কালাচাঁদ)

ভীষ্ম উবাচ।

এবমুক্ত্বা স কৌন্তেয় বৃত্রঃ প্রাণানবাসৃজৎ। যোজয়িত্বা তথাঽঽত্মানং পরং স্থানমবাপ্তবান্ ॥৫৯॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অয়ং স ভগবন্ দেবঃ পিতামহ জনার্দ্দনঃ। সনৎকুমারো বৃত্রায় যত্তৎখ্যাতবান্ পুরা ॥৬০॥

ভীষ্ম উবাচ।

মূলস্থায়ী মহাদেবো ভগবান্ স্বেন তেজসা। তৎস্থঃ সৃজতি তান্ ভাবান্ নানারূপান্ মহামনাঃ ॥৬১॥

তুরীয়াংশেন তস্যেমং বিদ্ধি কেশবমচ্যুতম্। তুরীয়ার্দ্ধেন লোকাংস্ত্রীন্ ভাবয়ত্যেব বুদ্ধিমান্ ॥৬২॥

অর্ব্বাক্ স্থিতস্তু যঃ স্থায়ী কল্পান্তে পরিবর্ত্ততে। স শেতে ভগবানপ্সু যোঽসাবতিবলঃ প্রভুঃ।

তান্ বিধাতা প্রসন্নাত্মা লোকাংশ্চরতি শাশ্বতান্ ॥৬৩॥

সর্ব্বাণ্যশূন্যানি করোত্যনন্তঃ সনাতনঃ সঞ্চরতে চ লোকান্।

লৈরিবা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী শক্তি কল্লবা সংসারচক্র অসিনা মাগী থুনোম্বীগী অতং-অথম লৈতনা তত্তনা লৈছুনা লৈরি। ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী সনাতন ওইবা লেপ্পত্রবা মকমক্তগী সৃষ্টি পুম্নমকসি শম্নোকত্রিবনি। মহাত্মা ওইরবা পুরুষোত্তম মাগী মথক্তা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসি খিন্দুনা লৈরিবনি ॥৫৮॥

ভীষ্মনা হায়,— কুন্তীগী মচা যুধিষ্ঠির! অসুমা হায়রদুনা বৃত্রাসুরনা মশাগী লেকখুংদা লৈরিবা— আত্মাবু পরমাত্মাদা তিলহনখিদুনা, পরমাত্মা মহাকপু ধ্যান তৌন তৌনা মথরায় থাম্মি, অদুগা পরমেশ্বর পরমাত্মাগী থামবু ফংখি ॥৫৯॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুংঙো। মমাংঙৈদ মহাত্মা সনৎকুমারনা বৃত্রাসুরগী মফমদা লৌখিবা— ভগবান্ শ্রীবিষ্ণু হায়রিবসি ঐখোয়গী চৌক্তিক লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণ অসিমক নত্রবো ঈবুংঙো? ॥৬ ॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! খুৎইগী মরু ওইনা লৈরিবা দেবতা পুম্নমক্কী অখোইবা খুইদগী শিংবা লৈবা মহাক্তি শ্রীভগবান্ নারায়ণনি। থম্মোয়তগী মশক ওইবা মওংদা লৈদুনা মহাক্না অচচ্ছত্তনা থরবা বিশ্বজগৎ অসি শেম্মি ॥৬১॥

মশাগী মতীক মগুণদগী করিমতা হন্থবা, মতীক মগুণদুম্ব থদোক্লবা শ্রীভগবান্ শ্রীকৃষ্ণসি শ্রীবিষ্ণু (নারায়ণ) গী শরুক মরিগী শরুক অমনি হায়না খঙউ। বিষ্ণুগী শক্তিগী শরুক মরিগী শরুক অমদুনা শ্রীকৃষ্ণনা মরোল অহুম অসিগী সৃষ্টি তৌরিবনি ॥৬২॥

মকম মতম পুম্বদা লেপ্তদনা লৈরবা নারায়ণ (বিষ্ণু) মহাক্তি প্রলয়গী মতুংদগু অহুম্মক লৈতৌই। অহুম ওইবা খোইনা মতীক মগুণ চাউরবা নারায়ণ বিষ্ণু মহাক্তি ঈশ্ব অমমমগী মতুংদা ঈ াকথক্তা শয্যা শেমদুনা হেক্ হেক্ চম্মি। ঈশ্মিংচুম্বা ঈংেক্ত পেপ্তদুনা লৈবগী মূর্ত্তি অমদি মায়থোং পুরবা মহাক্তি পুম্নমক্কী অশেম্বা মপু ওইদুনা লোক পুম্বা মতম অমতদা ঈখৌ যৌনা কোয়চৎ চৎদুনা লৈ ॥৬৩॥ মতম পুম্বদা

স চানিরুদ্ধঃ সজতে মহাত্মা তৎস্থং জগৎ সর্ব্বমিদং বিচিত্রম্ ॥৬৪॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

বৃত্রেণ পরমার্থজ্ঞ দৃষ্টা মনোঽত্মনো গতিঃ। শুভা তস্মাৎ স সুখিতো ন শোচতি পিতামহ ॥৬৫॥

শুক্লঃ শুক্লাভিজাতীয়ঃ সাধ্যো নাবর্ত্ততেঽনঘ। তির্য্যগ্‌গতেশ্চানমুক্তো নিরয়াচ্চ পিতামহ ॥৬৬॥

হারিদ্রবর্ণে রক্তে বা বর্ত্তমানস্তু পার্থিব। তির্য্যগেবানুপশ্যেত কর্ম্মভিস্তমসৈর্বৃতঃ ॥৬৭॥

বয়ং তু ভৃশমাপন্নারক্তা দুঃখসুখেঽসুখে। কাং গতিং প্রতিপৎস্যামো নীলাং কৃষ্ণাধমামথ ॥৬৮॥

ভীষ্ম উবাচ।

শুদ্ধাভিজনসম্পন্নঃ পাণ্ডবাঃ সংশ্রিতব্রতাঃ। বিহৃত্য দেবলোকেষু পুনর্মানুষমেষ্যথ ॥৬৯॥

পুন্নমক্তা মাওবা লৈতনা লৈবা, অরোইবা ওনখৈ লৈত্রবা, শ্রীহরি মহাক্তি কারণ ওইরিবা পোৎ পুন্নমক্তা সত্তা (লৈবা) অমদি শক্তি অনী অসি পীতুনা লীলাগী মশক ওইবা হকচাং অসি পুন্থনা লোক পুন্নমক্তা কোয়ো য়োহনা লৈ। মহাক্কী গতি (খোঙচং) বু কনাগুম্বা করিগুম্বা অমতনা থিংবা অমদি শলহন্‌বা ওমদে। বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড শীন্‌থুংনা লৈরিবা মহাক্তনা জগৎ অসিবু শেম্বিখিবনি ॥৬৪॥

পোৎ খুদিংগী অরোইবা তত্ত্ববু মুন্না খঙলবা ঈবুধো। বৃত্রাসুরনা আত্মাগী থাঙ্গেশেংবা তত্ত্ববু মুন্না উন-খঙলহনা ঈভুংত লুপ্তাইদনা লৈখিবনি। অদুনা করিগুম্বা বিষয় অমগী অরাবা মুংঙাইতবা অসি মশানা লৈখিদবনি হায়না খল্লে ॥৬৫॥

পাপকী শরক য়াওদ্রবা ঈবুধো! শেংলবা অসুরবংশদা পোক্লবা মসমচং ব্যবহারদা শঙ্গোক্লা শেংথবা বৃত্রাসুরনি। ঐনা অস্তুম থন্‌বদা মহাক অসি সাধ্য কৌবা দেবতাদু ওইরম্বা তাই। মরম অদুনা মহাক সংসারদা অমুক হল্লকখিদ্রে। মহাক অদু শা উচেক্কী মপোক্তা অমুক পোক্লুগদবদগীসু লাম্বাকুনা চংথ্রবনি ॥৬৬॥

পৃথিবী পুম্বগী মপু! ঈবুধো। নাপু মচুগী দেবতাগী সৃষ্টিদা অঙাঙবা মচুগী অস্তুগ্রত কৌবা সৃষ্টিদা লৈরিবা জীবপান্‌বশিংনা করি করিগুম্বা মতমদা তমোগুণনা কুপখিহনা তির্য্যগ্‌যোনিদা, হান্নবদি — শা উচেক্কী মপোক্তা পোকউবা য়াই ॥৬৭॥

ঐখোয়দি অস্তুক্ অরাবা খুদোংথীবা কন্নানা ঈকোয় কোয়শিন্দুনা লৈরি। অরা মুংঙাইবনা য়ানুখায় নবগী অবস্থাদা নত্রগা অরাবা পীনীঙঙায়তগী মশক অমদি মরম ওইবা বিষয়দা পুক্নীং চঙহনা লৈরি। অসিগুম্বা অবস্থা অসিদা লৈরিবা ঐখোয়সিনা ওইরুগদবা মওং অসি খল্লুবদা অকিবা চিংনবা পোক্নি। করি ওইরুগদগে খঙদ্রে। হন্দকী মপোক্সিদগী শংবান্নমা অমুবা মচুগী তাইবংমীগী মপোক্তা পোকলুগদৌরিব্রা নত্রগা মুবুবা মচুগী উ বাগী স্থাবর কৌবা যোনিদা পোক্লুগদৌরিব্রা? অরাবা খুদোংথীরবা তীল-কাঙগী মপোক্তা চঙগদৌরিব্রা খঙদ্রে ॥৬৮॥ ভীষ্মনা হায় যুধিষ্ঠির! নখোয়সে শেংলবা বংশদা পাণ্ডুগী বংশদা পোক্লবনি।

প্রজাবিসর্গং চ সুখেন কালে প্রত্যেত্য দেবেষু সুখানি ভুক্ত্বা।
সুখেন সংযম্যাথ সিদ্ধসংখ্যাং মাবোত্তয়ং ভুং বিমলাঃ স্থ সর্ব্বে ॥৭০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
বৃত্রগীতাসু পঞ্চসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭৫॥

——:():——

ব্রত উপাসনা মথল মথল্লা তিল্লবা ইমুংদা পোক্লল্লবা ডাক্কনি। অদুনা দেবতাশিংগী মুংঙাইনা পোকলুরপা অমুকহল্লা ডাইবং মীওইবগী মপোক্পা পোক্লরগদবনি ॥৬৯॥

নখোয় পুন্নমক নিয়ম-বিধি কায়দনা, য়াম্লা মুংঙাইরবা অবস্থাদা লৈদুনা মর্ত্ত্যলোকসিদা নচা মশু থান্না থম্মরগা দেবতাশিংগী মপোক্পা পোক্লুরগদবা ডাক্কনি। অমাবা খুদোংথীবা কংগনি হায়বগী চিংনবা অমদি অকিবা থক্ তৌরোইদোবনি। মরমদি— নখোয় নচাম্নাও পুন্নমক পুকচৈল শেংলবা, মকুত্রবা মীশক্ মতম্নি ॥৭০॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোকলিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা বৃত্রগীতাগী চনীছমফুত্তয়ানঙাঙবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭৫॥

——:(❀):——

মণিপুরী মহাভারত

ষট্‌সপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(ইন্দ্রগা বৃত্রাসুরগা অনীগী লান)

চনীছমফুতরাঅরুকশুবা অধ্যায়।

——:(❀):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অহো ধর্ম্মিষ্ঠতা তাত বৃত্রস্যামিত তেজসঃ। যস্য বিজ্ঞানমতুলং বিষ্ণোর্ভক্তিশ্চ তাদৃশী ॥১॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুংথো! চাংলম্ব ওত্তার লৈত্রবা তেজনা মাগী ওইরবা, বৃত্রাসুর হায়বদুগী ধর্মদা পুক্নীং চত্তবহুসু অঙকপনি। মহাক্কী বিজ্ঞান বিত্ত সু অমগীগা চাংদম্নীওত্তায় লৈখিত্রবনি। অদুগা ভগবান্ বিষ্ণুদা লৈবা— থবা মাগী ভক্তি শ্রদ্ধাসু খাংদগী অমাংবা থাক্পা লৈত্রিবনি ॥১॥

দুর্বিজ্ঞেয়ং পদং তাত বিষ্ণোরমিততেজসঃ। কথং বা রাজশার্দূল পদং তু জ্ঞাতবানসৌ ॥২॥

ভবতা কথিতং হ্যেতচ্ছ্রদ্দধে চাহমচ্যুত। ভূয়স্তু মে সমুৎপন্না বুদ্ধিরব্যক্তদর্শনাৎ ॥৩॥

কথং বিনিহতো বৃত্রঃ শক্রেণ পুরুষর্ষভ। ধার্ম্মিকো বিষ্ণুভক্তশ্চ তত্ত্বজ্ঞানশ্চ পদান্বয়ে ॥৪॥

এতন্মে সংশয়ং ব্রূহি পৃচ্ছতে ভরতর্ষভ। বৃত্রস্তু রাজশার্দূল যথা শক্রেণ নির্জ্জিতঃ ॥৫॥

যথা চৈবাভবৎ যুদ্ধং তচ্চাচক্ষ্ব পিতামহ। বিস্তরেণ মহাবাহো পরং কৌতূহলং হি মে ॥৬॥

ভীষ্ম উবাচ।

রথেনেন্দ্রঃ প্রয়াতো বৈ সার্দ্ধং দেবগণৈঃ পুরা। দদর্শাথাগতো বৃত্রং স্থিতিং পর্ব্বতোপমম্ ॥৭॥

যোজনানাং শতান্যূর্দ্ধং পঞ্চোচ্ছ্রিতমরিন্দম। শতানি বিস্তরেণাথ ত্রীণ্যেবাভ্যধিকানি বৈ ॥৮॥

তৎ প্রেক্ষ্য তাদৃশং রূপং ত্রৈলোক্যেনাপি দুর্দ্ধরম্। বৃত্রস্য দেবাঃ সন্ত্রস্তা ন শান্তিমুপলেভিরে ॥৯॥

শক্রস্য তু তদা রাজন্নূরুস্তম্ভো ব্যজায়ত। ভয়াৎ বৃত্রস্য সহসা দৃষ্ট্বা তদ্রূপমুত্তমম্ ॥১০॥

ঈবুধৌ। ভমথৈ লৈত্রব ঙেক্ত পুরক শ্রীবিষ্ণুগী স্বরূপকী ভত্তবু লৌইনা খঙবস্থ ওইথোক্তবনি। নিংথৌ অথোইবা ঈবুধৌ! বৃত্রাসুরনা শ্রীবিষ্ণুগী অতুম ওইরা অথোইবা পদ— খুভম্ কয়ম হায়না খঙ-খিবা— কাখিবা? মাসি য়াম্না অঙকপা অমা ওইনা থোক্‌ই ॥২॥

ষটবাসিগী মরমদা ঈবুধৌনসু অমুক মরীবিথ্রে। মাতু এনা য়াম্না থাজরে। ঈবুধৌদি অতুম্বা হায়বা অতুম্বা থবক ত্তৌবদগী থুবৈ নাম ত হাইদোক্পিদবনি। অতুগা এনা ঙৌজিক হংজবিবসিগী মরমদদি এ মাথৈশেংনা তাজ-খঙজরি। অতুনা অমুক হংজনীংবগী রাখল অদো খঙকৌদনা পোকথ্রে ॥৩॥

মিপা অথোইবা ঈবুধৌ! ধর্মাত্মা ওইরবা, ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগীসু ভক্ত ওইরবা, বেদ বেদান্ত পুম্নমক্কী তত্ত্ব মরেক্ খুদিংগী খঙলবা অতুগুম্বা বৃত্র কৌবা মহাকপু ইন্দ্রনা কয়ম হায়না মাথৈবা পীখিবগে ॥৪॥

ভরত-শাগৈগী লৈঙেং। নিংথৌ অথোইবা। ঈবুধৌ! এ মাসি য়াম্না পুক্নীং শেংনা হংজরিবনি। এগী চিংনজরিবসি অনুক্তা কোকহন্‌বিয়ু। ইন্দ্রনা কয়ম হায়না বৃত্রাসুরবু মাথৈবা পীখি? ॥৫॥

কয়বা ঈবুধৌ! কয়ম হায়না ইন্দ্রগা বৃত্রাসুরগা অনীগী মরক্তা লান্না থোকখিবা? মাসি সন্-দোক্না অবুক লীখবিয়ু। মাসিগী মরমদা এ ওস্থোক্না তাজনীংথ্রে ॥৬॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ! য়াম্না কুইথবা রানি, নোংমা ইন্দ্র অসি রথদা তোংদুনা লাইরান থিবিক্না লোয়নবা বৃত্রাসুরগা থেনগে হায়না চংখি। অতুম্না চংখবদা চীংজাও অমগী মতোংগুম্না মবামেক্তনা— লেপ্তুনা লৈবা বৃত্রাসুরবু ইন্দ্রনা উখি ॥৭॥

রেঞ্জবা ওথা নিংথৌ! যুধিষ্ঠির! মহাক্কী ৱাংবসি যুথক চামঙানি। যুথক চহুম্লোয়না মাগী নোয়রবা হুকচাংগী মকোয়ন ॥৮॥

মাগী শাওং-শাদা অতু মরোল অতুম্না ভঙ্কন্নবা মওং অমা পুই। মাতু ত্রেক্ উবদা লাই পুম্নমক্কু পুম্নক্ ওকথে - কিরে। দেবতা খুদিংমক্কুগী থম্মোয়দা অকবা দিপাংবা পোকখি। কনা অমত্তগী থম্মোয়দা অকঁবা— শান্তি লৈখিদে ॥৯॥ নিংথৌ! বৃত্রাসুরগী য়াং চাউরবা মওং মতৌ মথক্ অতু উবদা

ততো নাদঃ সমভবৎ বাদিত্রাণাং চ নিঃস্বনঃ। দেবাসুরাণাং সর্ব্বেষাং তস্মিন্ যুদ্ধে হ্যুপস্থিতে ॥১১॥
অথ বৃত্রস্য কৌরব্য দৃষ্ট্বা শক্রমবস্থিতম্। ন সম্ভ্রমো ন ভীঃ কাচিদাস্থায় বা সমজায়ত ॥১২॥
ততঃ সমভবৎ যুদ্ধং ত্রৈলোক্যস্য ভয়ঙ্করম্। শক্রস্য চ সুরেন্দ্রস্য বৃত্রস্য চ মহাত্মনঃ ॥১৩॥
অসিভিঃ পট্টিশৈঃ শূলৈঃ শক্তিতোমরমুদ্গরৈঃ। শিলাভির্বিবিধাভিশ্চ কার্ম্মুকৈশ্চ মহাস্বনৈঃ ॥১৪॥
শস্ত্রৈশ্চ বিবিধৈর্দিব্যৈঃ পাবকোল্কাভিরেব চ। দেবাসুরৈস্ততঃ সৈন্যৈঃ সর্ব্বমাসীৎ সমাকুলম্ ॥১৫॥
পিতামহ পুরোগাশ্চ সর্ব্বে দেবগণাস্তথা। ঋষয়শ্চ মহাভাগাস্তদ্ যুদ্ধং দ্রষ্টুমাগমন্ ॥১৬॥
বিমানাগ্র্যৈর্মহারাজ সিদ্ধাশ্চ ভরতর্ষভ। গন্ধর্ব্বাশ্চ বিমানাগ্র্যৈরপ্সরোভিঃ সমাগমন্ ॥১৭॥
ততোঽন্তরিক্ষমাবৃত্য বৃত্রো ধর্মভৃতাং বরঃ। অশ্মবর্ষেণ দেবেন্দ্রং সমাকিরদতিক্রতম্ ॥১৮॥
ততো দেবগণাঃ ক্রুদ্ধাঃ সর্বতঃ শস্ত্রবৃষ্টিভিঃ। অশ্মবর্ষমপোহন্ত বৃত্রপ্রেরিতমাহবে ॥১৯॥
বৃত্রস্তু কুরুশার্দূল মহামায়ো মহাবলঃ। মোহয়ামাস দেবেন্দ্রং মায়াযুদ্ধেন সর্ব্বশঃ ॥২০॥

কিবনা দেবেন্দ্র — ইন্দ্রগী মশোঙ মথুং লোপ্না চিংশিন্ন্রে — ফকচিন্ন্রে ॥১০॥ অকিবগী মশক কংলবা লাঙ্লাও অছুনা হেক চৌগংলকপদা লাই হিংচাবা মায়টৈ অনীগী লাসগী পুং-শল যম্নশিংগী মখোল্বা অকিবা কংনা পুম্নোল নিন্ন্রে ॥১১॥

কুরু-নন্দন ! ইন্দ্রনা ঈচাউ চাউনা লেপ্পুনা লৈবতু উবদা বৃত্রগী থম্মোয়দা অকিবা মিপাইবা থুক্পা কয়িমত্তা পোকখিদে। ইন্দ্রগা মুখামুখি ওইনা থেংনবগী রাথলদু শুক্কো তৌনদে থাশাদনাহুম লৈথোক্লম্মি ॥১২॥

অছুদগী ওহাক্ লৈরবা তুংদা অনীসিনা মমায় মমায় ওন্শিন্নহুনা থেংনরকপা মকমদা মরোল অছুমদা লৈরিবা জীবশিংগী থম্মোয়দা পুক্নীংদা অকিব, মিপাইব, তুক্তুংবা পোকখি ॥১৩॥

থাঙথাং, থাঙপাক্, ত্রিশূল, তা তোমর (লোংটৈ অতেন্বঙ্গ্বা খুংলায়), য়োচ্ছুক্, হুম্নবা—লানেনবা মথল মথলগী মঙ মত্তো পুবা য়োংতুম নুংহু অকিবা মখোলগা লোয়ননা লীয়ী খিলকপগী খোঙ্গেলগা লোয়নরবা লীকং মপৈ, লাইরেপাক্কী খুংলায় মথল মথলনা থল্লবা লাই হিংচাবশিংগী লাম্মী মপৈ মপৈনা অতিয়া মকোয় অসি পুম্নকুপ কুপখ্রে ॥১৫॥

ভরত-শাগেগী লৈতেংগী মশক ওইরবা নিংথৌ ! ব্রহ্মানচিংবা দেবতাশিং, ঋষি মুনিশিং, সিদ্ধ সাধ্য অপ্সরা গন্ধর্ব্বশিং পুম্নক অসি মাগী মাগী বিমানথক্তা তোংখৎনহুনা লাঙ্লাও অছু য়েংবা থোক্লরক্লে ॥১৬॥

মতম অছুদা ধর্মাত্মাশিংগী অথোইবা বৃত্রাসুরনা অাকাশগী মকম পুম্বদা পুম্নয়ো য়োনা যাম্না হাথু হাথুনা ইন্দ্রগী কোকথক্তা নুংতগী নোং মরী মরী হৈথরক্লে ॥১৮॥

মাছু উবদা স্বর্গগী লাইরাম অসি য়াম্না শাউনরক্লে। মখোয়না কাপশিল্লকপা থৌর থৌরবা তেলগী মপৈ মপৈনা বৃত্রাসুরগী নুংনাংগী মরীশিং অছু লোইনা কক্কুনা থুগাইহুনা থাদখি ॥১৯॥

কুরু-শাগেগী অথোইবা ! মহামায়া হৈরবা, মহা ওইনা কল্লবা বৃত্রাসুরনা মায়াগে পুম্বদগী মায়াগী-লাল হৌদোক্লকুনা ইন্দ্রবু তুম্নং-লাংদা থাদখি ॥২০॥

তত বৃত্রার্দ্দিতস্যাথ মোহ আসীচ্ছতক্রতোঃ। রথন্তরেণ তং তত্র বশিষ্ঠঃ সমবোধয়ৎ ॥২১॥

বশিষ্ঠ উবাচ।

দেবশ্রেষ্ঠোঽসি দেবেন্দ্র দৈত্যাসুর নিবর্হণ। ত্রৈলোক্যবলসংযুক্তঃ কস্মাচ্ছক্র বিষীদসি ॥২২॥

এষ ব্রহ্মা চ বিষ্ণু চ শিবশ্চৈব জগৎপতি। সোমশ্চ ভগবান্ দেবঃ সর্ব্বে চ পরমর্ষয়ঃ ॥২৩॥

সমুদ্বিগ্নং সমীক্ষ্য ত্বাং স্বস্তীত্যুচ্চর্যায় তে। কা কার্যঃ কশ্মলংশক্র কশ্চিদ্দেবেতরো যথা ॥২৪॥

এষ লোকগুরুস্ত্র্যক্ষঃ সর্ব্বলোক নমস্কৃতঃ। নিরীক্ষতে ত্বাং ভগবাং স্ত্যজমোহং সুরাধিপ ॥২৫॥

এতে ব্রহ্মর্ষয়শ্চৈব বৃহস্পতি পুরোগমাঃ। স্তবেণ শক্র দিব্যেন স্তুবন্তি ত্বাং জয়ায় বৈ ॥২৬॥

ভীষ্ম উবাচ।

এবং সম্বোধ্যমানস্ত বশিষ্ঠেন মহাত্মনা। অতীব বাসবস্যাসীৎ বলমুত্তমতেজসঃ ॥২৭॥

ততে বুদ্ধিমুপাগম্য ভগবান্ পাকশাসনঃ। যোগেন মহতাযুক্তস্তাং মায়াং ব্যপকর্ষত ॥২৮॥

ততোঽঙ্গিরঃ সুতঃ শ্রীমাংস্তে চৈব মহর্ষয়ঃ। দৃষ্ট্বা বৃত্রস্য বিক্রমমুপগম্য মহেশ্বরম্ ॥ ৯॥

বৃত্রাসুরগী মায়াজালগী অত্যাচারনা ইন্দ্র অসি ঈশম্ শুস্মাংথ্রে— তৌকম খঙ্গ্রে। মতম অদুদা— বশিষ্ঠনা রথন্তরগী সামগাননা মন্ত্রগী মতৌগুম্না লাউথকুনা ইন্দ্রবু জ্ঞান পাহনখি ॥২১॥

বশিষ্ঠনা অসুম্না হায়খি — দেবতা পুম্নমক্কী নিংথৌ। নহাক্তি নোংমদোম্বক্কী লাইয়ামগী লুচিংবনি— নিংথৌনি। দৈত্য দানব পুম্নমকপু নৈহৎতবা অকনবা! মরোল অহুমগী পাঙ্গম্না নঙোন্দা পুল্লপ তিল্লি- বনি। করিগী তুকক্ তুকাই চন্না তৌকম খঙদনা লৈরিবগে? ॥২২॥

জগৎকী ঈশ্বর ওইরবা ব্রহ্মা, বিষ্ণু, শিব, ভগবান্ সোমদেব, মহর্ষি পুম্নমক্না তৌকম খঙদনা লৈরবা নবু উবদা নহাক্কী জয় অমদি মঙ্গল ওইননবগী দমক্তা স্বস্তিবাচন তৌরনা লৈরি ॥২৩॥

ইন্দ্র! তাইবং মচম্গী মতৌগুম পাঙদবা মতৌ উৎতুনা লৈথোক্কম্ব। লাই পুম্নমক্কী নিংথৌ! চনীঙ তানা নীংথিবী বুদ্ধিদা আশ্রয় লৌরমা যেক্লবসিন্ন ভম্নবা তোংনৌ ॥২৪॥

দেবরাজ! লোক পুম্নমক্কী গুরু, মযন অহুম লোঙবা মহাদেবনা নহাক্কী দমক্তা, নহাক্কী মঙ্গল ওই- নবা নঙোন্দা নঙোন্দা মীৎ কুপ্তুনা হেংতুনা লৈরি। শুস্মাংপদো তৌবম্ব ॥ ২৫॥

ইন্দ্র! বৃহস্পতিনচিংবা মহর্ষিশিংনা নহাক্কী মঙ্গলগী দমক্তা স্বস্তিবাচন তৌতুনা লৈরি ॥২৬॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মহাত্মা বশিষ্ঠনা মতৌ অসুম্না মপূক্কীং থৌগৎপিরক্লবদা ইন্দ্রগী মপাঙ্গল অসি হায়দগী হেনগৎলক্লে ॥২৭॥

ভগবান্ পাকশাসন ইন্দ্রনা মহীন তম্নবী বুদ্ধি অমগী আশ্রয় লৌরনা, হায়বদি— তাঙ্গাদুদা বুদ্ধি অমা লাক্লদুনা যোগসাধন তৌদুবা বৃত্রগী মায়াস্ত্র থুনক্না মাঙহনখ্রি ॥২৮॥

অদুগী তুংদা অঙ্গিরাগী মচা বৃহস্পতিনা অদুগা অতৌ অতৌবা মহর্ষিশিংনা বৃত্রাসুরগী মপাঙ্গল মথৌনা

ঊচুর্বৃত্রবিনাশার্থং লোকানাং হিতকাম্যয়া। ততো ভগবতস্তেজো জ্বরো ভূত্বা জগৎপতে ॥৩০॥
সমাবিশত্তদা রৌদ্রো বৃত্রং লোকপতিং তদা। বিষ্ণুশ্চ ভগবান্ দেবঃ সর্ব্বলোকাভিপূজিতঃ ॥৩১॥
ঐন্দ্রং সমাবিশৎ বজ্রং লোকসংরক্ষণে রতঃ। ততো বৃহস্পতির্ধীমানুপাগম্য শতক্রতুম্ ॥
বশিষ্ঠশ্চ মহাতেজাঃ সর্ব্বে চ পরমর্ষয়ঃ ॥৩২॥
তে সমাসাদ্য বরদং বাসবং লোকপূজিতম্। ঊচুরেকাগ্রমনসো জহি বৃত্রমিতি প্রভো ॥৩৩॥

মহেশ্বর উবাচ।

এষ বৃত্রো মহাঞ্শক্র বলেন মহতা বৃতঃ। বিশ্বাত্মা সর্বগশ্চৈব বহুমায়শ্চ বিশ্রুতঃ ॥৩৪॥
তদেনমসুরশ্রেষ্ঠং ত্রৈলোক্যেনাপি দুর্জয়ম্। জহি ত্বং যোগমাস্থায় মাবমংস্থাঃ সুরেশ্বর ॥৩৫॥
অনেন হি তপস্তপ্তং বলার্থমমরাধিপ। ষষ্টিঃ বর্ষসহস্রাণি ব্রহ্মা চাস্মৈ বরং দদৌ ॥৩৬॥
মহত্ত্বং যোগিনাঞ্চৈব মহামায়াত্বমেব চ। মহাবলত্বং চ তথা তেজশ্চাগ্র্যং সুরেশ্বর ॥৩৭॥

অদু উবদা মহাদেবগী নাক্তা চংথিদুনা লোক পুম্নমক্কী কান্নবগী দমক্তা বৃত্রাসুরবু মাওহনবিয়ু— হাৎপিয় হায়না হায়জখি ॥২৯॥

মতম অদুদা ভগবান্ সদাশিবনা জ্বর (হকচাং নীকৃহন্‌বা লায়না) গী মশক লৌদুনা বৃত্রাসুরগী হকচাং-সুংদা চঙখি ॥৩০॥

মতম অদুদা ভগবান্ শিবগী তেজনা রৌদ্রজ্বর ওইদুনা দৈত্যনিংথৌ বৃত্রগী হকচাংসুংদা চঙব্রে। অদু-দগী লোক পুম্নমকপু ঙাকশিনবা শ্রীবিষ্ণুনসু ইন্দ্রগী বজ্রসুংদা চঙশিন্‌খি ॥৩১॥

অদুগী তুংদা বুদ্ধি লৈরবা বৃহস্পতি, মহাতেজ কল্লবা বশিষ্ঠ, বর পীন হৈবা মহর্ষি পুম্নমক্কা, লোক পুম্নমক্কা পূজা তৌনীঙঙাই ওইরবা ইন্দ্রগী নাক্ত চঙদুনা থবায় হকচাং অমত্তা ওইনা যাম্না পুক্নীং চঙনা চোকৃশিন্না অসুম্না হায়খি,— দেবরাজ! হৌজিকমক্ বৃত্রাসুরবু লোইথোক্‌পিয়ো ॥৩২—৩৩॥

মহেশ্বরনা হায়খি,— মতীক্ মগুণ চাউরবা, রাং-চাউরমা, বৃত্রাসুর অসে মাগী লান্মীশিংনা ঈকোয় কোয়শিন্দুনা নমাংমক্তদা লেপ্পুনা লৈরে। মহাক অসে হৌজিক জ্ঞাননিষ্ঠ ওইদুনা জ্ঞানী যোগী ওইদুনা সাধনা তৌদুনা লৈরিবনা জগৎ পুম্নমক্কী আত্মাদু মশা মথন্তনা ওইদুনা লৈরি। মহাক অসি মফম পুম্ন-মক্তা য়োঙবগী শক্তি পুরিবনি। মহাক অসি মায়াদিগী মথল মথল হৈবগী অংঙাম মমিং চৎলিবনি ॥৩৪॥

দেবরাজ! বৃত্র হায়রিবা অসুর অসে মরোল অহুমদা কনা অমত্তনা মায়থীবা পীবা ঙমদনা লৈরিবা নিপা অমনি। অদুনা দেবরাজ! যোগগী আশ্রয় লৌদুনা মহাক অসিবু হাৎননবা তৌরো। চোকৃশিন্নু, মাবু উশিৎ-থোওইদবা তৌরুগনু ॥৩৫॥

লাই পুম্নমক্কী নিংথৌ! অসুর অসিনা চাংদম্নীঙঙাই লৈরবা হকচাংগী পাঙ্গল ফংননবগীদমক চহী লিশিং হুমফু চুপ্পা অকিবা কংনা তপস্যা তৌখিবনি। মহাক্না পাম্বা বর অদো ব্রহ্মানা পীখিবনি ॥৩৬॥

লাই পুম্নমক্কী নিংথৌ ইন্দ্র! ব্রহ্মানা মতোংদা যোগীশিংগী মতীক্-মগুণ পুম্নমক, থাইদগী হেন্‌বা

এতদ্বাং মামকং তেজঃ সমাবিশতি বাসব। ব্যগ্রমেনং ত্বমপ্যেনং বজ্রেণ জহি দানবম্ ॥৩৮॥

শক্র উবাচ।

ভগবং ত্বৎপ্রসাদেন দিতিজং সুদুরাসদম্। বজ্রেণ নিহনিষ্যামি পশ্যতস্তে সুরর্ষভ ॥৩৯॥

ভীষ্ম উবাচ।

আবিশ্যমানে দৈত্যে তু জ্বরেনাথ মহাসুরে। দেবতানামৃষীণাঞ্চ হর্ষান্নাদো মহানভূৎ ॥৪০॥

ততো দুন্দুভয়শ্চৈব শঙ্খাশ্চ সুমহাস্বনাঃ। মুরজা দিণ্ডিমাশ্চৈব প্রাবাদ্যন্ত সহস্রশঃ ॥৪১॥

অসুরাণাং তু সর্ব্বেষাং স্মৃতিলোপো মহানভূৎ। মায়ানাশশ্চ বলবান্ ক্ষণেন সমপদ্যত ॥৪২॥

তথাবিষ্টমথো জ্ঞাত্বা ঋষয়ো দেবতাস্তথা। স্তুবন্তঃ শক্রমীশানং তথা প্রাচোদয়ন্নপি ॥৪৩॥

রথস্থস্য হি শক্রস্য যুদ্ধকালে মহাত্মনঃ। ঋষিভিঃ স্তূয়মানস্য রূপমাসীৎ সুদুর্দ্দৃশম্ ॥৪৪॥

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি

বৃত্রবধে ষট্সপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭৬॥

——:(*):——

মায়াগী শক্তি, চাংদমীগুবায় লৈতবা হকচাংগী পাজল. খাইদগী হেন্বা তেজ পীগ্রবনি ॥৩৭॥ অদুনা ইন্দ্র। সে, লৌ, ঐগী তেজসে নত্তোন্দা চত্তগনি। হৌজিক, বৃত্র অসি মশাদা জ্বর চত্তগ্রবনা ঈথক্-থকংনা, ঈপা-পাথংনা লৈরবনি। অসুম তৌরিঙৈদা মহাকপু হাংলো ॥৩৮॥

ইন্দ্রনা হায়,— ভগবন্! দেবতা পুম্নমক্কী অথোইবা। মহাক্কী থৌজান্দগী লাকৃঙম কাত্তমত্তবা দৈত্য অসিবু নমাংমক্তা হাৎচিরগনি ॥৩৯॥ ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ যুধিষ্ঠির। মহাদৈত্য বৃত্রগী মশাদা জ্বর চত্তখিবা মতম অদুমক্তদা দেবতাশিংনা কুংঙাইখিদুনা লাউনখিবনি ॥৪০॥ অদুদগী দুন্দুভি মরাম রৈনখি। মোইবুং ঢোল, নগরানচিংবা, পুং পেনচিংবা বাদ্যযন্ত্র করা করা রৈনখি থোংনখি ॥৪১॥ অসুর পুম্নমক্কী নীঙশিংবগী শক্তি পুম্নমক্ মাস্তখিবনা মায়ামন্ত্র পুম্নমক্ পুম্কাউ কাউরকলে, অদুনা মায়াবিদ্যা পুম্নমক্ মথোরগী পুক্নীংদগী মৃংখ্রে ॥৪২॥ মতৌ অসুম্না বৃত্রাসুর মশাদা মহাদেবগী জ্বরনা চত্তখ্রে হায়বদু খঙলদুনা দেবতা অমদি ঋষি পুম্নমক্না ইন্দ্রগী স্তুতি তৌদুনা পুক্নীং থৌগৎলকই। বৃত্রাসুরবু হাংলো হাংলো হায়না ঈহিল্লকই ॥৪৩॥ লালগী মতমদা ঋষিশিংগী মচীন্দগী মহাক্কী স্তুতিগান্ তাবদ পুক্চেল চাউরবা ইন্দ্রগী অমনা মমীৎ ওন্থংদুনা য়েংবা ঙমদ্রবা মশেক্ নঙাল অদু লাকৃপি ॥৪৪॥

মথম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা

মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা বৃত্রবধদা চনীতুক্ষুতরাতরুকুত্তবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭৬॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(বৃত্রাসুর হাৎপগী মতাং— মথং)

চনীছমফুতরাতরেৎশুবা অধ্যায়।

— — :(): — —

ভীষ্ম উবাচ।

বৃত্রস্য তু মহারাজ জ্বরাবিষ্টস্য সর্বশঃ। অভবন্ যানি লিঙ্গানি শরীরে তানি মে শৃণু ॥১॥
জ্বলিতাস্যোঽভবৎ ঘোরো বৈবর্ণ্যং চাগমৎ পরম্। গাত্রকম্পশ্চ সুমহাঞ্শ্বাসশ্চাপ্যভবন্মহান্ ॥২॥
রোমহর্ষশ্চ তীব্রোঽভূন্নিঃশ্বাসশ্চ মহান্ নৃপ। শিবা চাশিবসংকাশা তস্য বক্ত্রাৎ সুদারুণা ॥৩॥
নিষ্পপাত মহাঘোরা স্মৃতিঃ সা তস্য ভারত। উল্কাশ্চ জ্বলিতাস্তস্য দীপ্তাঃ পার্শ্বে প্রপেদিরে ॥৪॥
গৃধ্রাঃ কঙ্কা বলাকাশ্চ বাচোঽমুঞ্চন্ সুদারুণাঃ। বৃত্রস্যোপরি সংহৃষ্টাশ্চক্রবৎ পরিবভ্রমুঃ ॥৫॥
ততস্তং রথমাস্থায় দেবাপ্যায়িত আহবে। বজ্রোদ্যতকরঃ শক্রস্তং দৈত্যং সমবৈক্ষত ॥৬॥
অমানুষমথো নাদং স মুমোচ মহাসুরঃ। ব্যজৃম্ভচ্চৈব রাজেন্দ্র তীব্রজ্বরসমন্বিতঃ ॥৭॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ যুধিষ্ঠির ! জ্বর (অকম্ লায়না) না মশাদা চঙশ্রবা বৃত্রগী হকচাংদা ওইরকপা খুদম মওং অদু ঐ হায়রকে তাও ॥১॥ মমায়দা মচীন্দা চাকপা হৌরক্লে। মশাগী কুচু অদু মকশিন্নক্লে। মশা অদু কম্না কম্না থক্ থক্ নীক্লকই। সুংশাশোর মপী হন্না হন্না হোল্লকই ॥২॥

নিংথৌ। মশা পুম্না শীনথুংনা মত্থু চুংঙকই। সুংশাশোর শাংনা শান্না হোল্লকই। ভরত-নন্দন, যুধিষ্ঠির! বৃত্রাসুরগী মরাদগী থোইদোক্ক অকিবগী মশক ওইরবা, অমঙ্গলগী মশক ওইরবা থোল্লাও পীরবা লাওবাগী মশক লৌহনা স্মৃতিশক্তি হায়বদি— লৈংশিংবগী পাক্কল কৌবীহনা চেংথেকৃথি। অহনা মহাক মায়ামন্ত্র পুম্না পুম্কাই কাউথোক্রে— লৈঙশিংবগী শক্তি লৈরক্রে ॥৩॥ মাগী নাকল এংলোম ওইরোমদা লংলবা চাক্লবা শঙাইশেল শাংশিন্নকই। লাওবা, কাক, উরোক্লচিংবা অকিবা ফংলবা উচেকশিংনা অয়াকপা মথোলগা লোয়নন্না মত্তোল্লোমদা লাক্লা-লাক্ল খোংজিন্নকই। উচেকশিং অসি মথোর মশেল অমগী মথক্তা পাইশিন্নরক্লুনা বৃত্রাসুরগী কোকৃথক্তা ঈকোর কোয়না চক্রগী মত্তৌশুম্না পাইশিন্নকই ॥৪—৫॥

অহুগা মহাদেবগী তেজনা মশাদা চঙথিহনা, অহুঙবা তেজনা থল্লবা ইন্দ্র পারথংলুনা রথ মথক্তা তোংনা তোংনা ইন্দ্রনা বৃত্রাসুররোমদা মমীৎ থানা অমদি কৃপ্তনা য়েংশিন্নকই ॥৬॥ নিংথৌ। কলবা অকন্না

অথাসা জ্বৃম্ভতঃ শক্রস্ততো বজ্রমবাসৃজৎ। স বজ্রঃ সুমহাতেজাঃ কালাগ্নিসদৃশোপমঃ ॥৮॥
ক্ষিপ্রমেব মহাকায়ং বৃত্রং দৈত্যমপাতয়ৎ। ততো নাদঃ সমভবৎ পুনরেব সমন্ততঃ ॥৯॥
বৃত্রং বিনিহতং দৃষ্ট্বা দেবানাং ভরতর্ষভ। বৃত্রং তু হত্বা মঘবান্দানবারির্মহাযশাঃ ॥১০॥
বজ্রেণ বিষ্ণুযুক্তেন দিবমিব সমাবিশৎ। অথ বৃত্রস্য কৌরব্য শরীরাদভিনিঃসৃতা ॥১১॥
ব্রহ্মবধ্যা মহাঘোরা রৌদ্রালোক ভয়াবহা। করালদশনা ভীমা বিকৃতা কৃষ্ণপিঙ্গলা ॥১২॥
প্রকীর্ণমূর্দ্ধজা চৈব ঘোরনেত্রা চ ভারত। কঙ্কালমালিনী চৈব কৃত্যেব ভরতর্ষভ ॥১৩॥
রুধিরার্দ্রা চ ধর্মজ্ঞ চিরবল্কলবাসিনী। সাভিনিষ্ক্রম্য রাজেন্দ্র তাদৃগরূপ ভয়াবহা ॥১৪॥
বজ্রিণং মৃগয়ামাস তদা ভরতসত্তম। কস্যচিৎ ত্বথ কালস্য বৃত্রহা কুরুনন্দন ॥১৫॥

মশা পুন্নমক থক্ থক্ নীঙ্বা বৃত্রাসুরনা তাইবংমীগী খোল্লাউ নত্তবা হৌরবা খোঞ্জেলনা হন্না হন্না লাউ-রকই, মন্না লাওনা কাখোক্তুনা হন্না হন্না হাকাম্ চল্লকই ॥৭॥

মহাক্না অদুম্না হাকাম চল্লিত্তৈদা ইন্দ্রনা মঙোল্লোমদা বজ্রদু কন্না কন্না লংশিল্লকই। প্রলয়গী মৈবুল অমগী মশক লৌদুনা বজ্র অদু বৃত্র তন্না পাইশিল্লকই ॥৮॥

মতৌ অদু উবদা শিংলবা বৃত্রনা মাগী অরোইবা মতমদু লাক্লে হায়বা খঙনদুনা আত্মাবু পরমাত্মাদা তিন্নাখনবা যোগসাধন তৌরকই। ভাগ্নাড়ুদা বজ্রনা পাইশিল্লকুনা মহাকপু লৈমায়থক্তা তুথহনখি। বৃত্রা-সুর মথবায় থাগ্রে হায়বদু উবদা মায়গৈ পুম্বদগী নোংমদোম্বকী লাইয়াম্না হংাউ-খোঞ্জেলনা হৌনা হৌনা লাউশিল্লকই ॥৯॥

দৈত্য দানবকী য়েক্লবা মিংচং চ উরবা ইন্দ্রনা বৃত্রাসুরবু লৈমায়থক্তা মথবায় য়াওদনা তুহল্লগা স্বধাম স্বর্গলোকতা চৎখি ॥১০॥

কুরু-নন্দন। অদুগী তুংদা বৃত্রাসুরগী মশাহুদগী জগৎ পুন্নমকী মিপাইনকম ওইরবী, অকিবগী মশক কংলবী, তমথীরবী ব্রহ্মহত্যা কৌবী অদু চোংথোরকই। মহাকী য়াথক্ য়াখাগী মনাশিং অদু য়াম্না অকিবগী মশক কংনা চোই, লভিত্ত, তুম্ম, থোই। মাগী কুচুদি মুশিল মুই, অদুগা ভৌরুনৈ। য়েংবদা মহা অকি-বগী মশক্ন ॥১১—১২॥

ভরত-নন্দন! হিংচাবী ব্রহ্মহত্যা কৌবীসিগী মশম্ মনা অদু ঈফ ফই, মায়গৈ পুম্বদা ঈচাই চাই-থোকই, পাঙথোক্লিবা মমীৎ অনী অদু য়েংবদা মহা অকিবগী মশক্লি। মঙকশমদা চাউর চাউরবা মী-মকোকী পরেং শি। ভরত শাগেগী অখোইবা নিংথৌ! মহাক অদু য়েংবদা কৃত্যা কৌবী কপালিনী মহাভৈরবীগী মশক্লি ॥১৩॥ ধর্ম খঙলবা নিংথৌ! মহাকী মশা পুম্বা ঈ-নাইনা পুম্লৈ তৈ। কি-শেগারবা অমরি উকু-য়াকুনা মহাকী ফীজোল ওই। অসিগুম্বী তমথীরবী অকিবগী মশক কংলবী ব্রহ্মহত্যা কৌবীসি বৃত্রা-সুরগী অশিবা মশাদগী চোংথোরকুনা বজ্র পায়বা ইন্দ্রবু কোয়থি থিরকই ॥১৪॥

কুরু-শাগেগী হুংডাইনবগী মশক্ ওইরবা। লোক পুন্নমকী কাননবগী দমক্তা বৃত্রাসুরবু হাৎলবা

স্বর্গায়াভিমুখঃ প্রায়াল্লোকানাং হিতকাম্যয়া। সা বিনিঃসরমাণং তু দৃষ্ট্বা শক্রমহৌজসম্ ॥১৬॥
জগ্রাহ বধ্যা দেবেন্দ্রং সুলগ্না চাভবৎ তদা। ন হি তস্মিন্ সমুৎপন্নে ব্রহ্মবধ্যাকৃতে ভয়ে ॥১৭॥
নলিন্যাবিসমধ্যস্থ উবাসাব্দগণান্ বহূন্। অনুসৃত্য চ যত্নাৎ স তথা বৈ ব্রহ্মহত্যয়া ॥১৮॥
তদা গৃহীতঃ কৌরব্য নিস্তেজাঃ সমপদ্যত। তস্যা ব্যপোহনে শক্রঃ পরং যত্নং চকার হ ॥১৯॥
ন চাশকৎ তাং দেবেন্দ্রো ব্রহ্মহত্যাং ব্যপোহিতুম্। গৃহীত এব তু তয়া দেবেন্দ্রো ভরতর্ষভ ॥২০॥
পিতামহমুপাগম্য শিরসা প্রত্যপূজয়ৎ। জ্ঞাত্বা গৃহীতং শক্রঞ্চ স দ্বিজপ্রবরবধ্যয়া ॥২১॥
ব্রহ্মা স চিন্তয়ামাস তদা ভরতসত্তম। তামুবাচ মহাবাহো ব্রহ্মবধ্যাং পিতামহঃ ॥২২॥
স্বরেণ মধুরেণাথ সান্ত্বয়ন্নিব ভারত। মুচ্যতাং ত্রিদশেন্দ্রোঽয়ং মৎ প্রিয়ং কুরু ভামিনি ॥২৩॥
ব্রূহি কিং তে করোম্যদ্য কামং কিং ত্বমিহেচ্ছসি ॥২৪॥

ব্রহ্মবধ্যোবাচ।

ত্রিলোকপূজিতে দেবে ত্রিলোক্যকর্ত্তরি। কৃতমেব হি মন্যামি নিবাসং তু বিধৎস্ব মে ॥২৫॥

ইন্দ্রনা স্বর্গগী লম্বীদা চৎলিন্তুহৌরক্লদা ব্রহ্মহত্যা হায়রীসি মগাকী মনাক হেক্ থুদৈ ॥১৫—১৬॥

ব্রহ্মহত্যা হায়রীসিনা ইন্দ্রবু ফারে। ইন্দ্রগী মপাদা কোম্লুনা ভপ নপশিনরে। ইন্দ্রনা য়াম্না কয়া হোৎনরুনা মাবু কস্টেক্লহুনা কয়া চেনখিন্দুনা থম্বাল মথোক্কী মচুংদা লৈরিবা পীক্রবা থুরবা মরীল অহোবা অহুনা চঙহুনা লোৎকদবগী চেন্‌শিনখি। মাহুগী মচুংদা পিশক পীক্রবা থোমগী পাইবনা চহী কয়ামক্কম লোৎহুনা লৈখি ॥১৭॥

অহুবু ব্রহ্মহত্যানা মকম অহু তাম্না লাক্নুনা ইন্দ্রবু অমুক্ ফারে। কুরুনন্দন। ব্রহ্মহত্যানা অমুক্ ফারবা অদুদদি ইন্দ্র অসি মতীক্-ময়াই চমে়্রে— মায়থোং লাংশিন্‌রে ॥১৮॥

ইন্দ্রনা মতোন্দগী নাম্থোক্লবসি য়াম্না কয়া হোৎনরম্মি, অদুবু কবিমতা কায়রবা লৈখিদে ॥১৯॥ ভরত-শাগেগী লৈতেংগী মশক ওইরব। ব্রহ্মহত্যানা ইন্দ্রবু মাগী থুক্কুম মথাদা থমরে— বন্দী থমরে। ব্রহ্ম হত্যাগী দোষ কংলব ইন্দ্র অসি মথরাগ ঈপুং ফুংতোকুনা ব্রহ্মাগী নাকা চৎখি, ব্রহ্মাগী চরণপোক্লা তুখি ॥২০॥

ভরত-শাগেগী অথোবা। খু ইনগী অথোক্কবা ব্রাহ্মণ অমবু হাৎলুবগী পোকখিবী ব্রহ্মহত্যা কৌবা অদুনা ইন্দ্রবু ফাত্রে হায়রসি খঙলহুনা ব্রহ্মানা অসেম বিচার তৌরকই ॥২১॥

নিংথৌ। তহাক্কং থম্নগা পিতামহ ঈবুধো ব্রহ্মানা অতম্না রাইনা ব্রহ্মহত্যাগী অপাউবহ নেমথহন্নগা অসুম্না হায়রকুই ॥২২॥

ঈবেম্মা। নহাক মরোল অদুমগী ইন্দ্রবু থাদোকউ, ঐনা পাম্নিবা থবক নহাক তৌ। হায়বু নংনো পাম্নিবা তৌগে নীংলবসি কবিলো? নহাক্না পাম্নবসি ঐ পীগে, নহাক্না অপাম্ অপাম্বা পোৎ অহু ঐতোন্দা হায়র ॥২৩—২৪॥

ব্রহ্মহত্যানা অসুম্না হায়রকই,— মরোল অদুবু শেম্‌খি-শাখিরিবা, মরোল অসুম্না পুম্না তৌমরিবা,

ত্বয়া কৃতেয়ং মর্য্যাদা লোকসংরক্ষণার্থিনা। স্থাপনা বৈ সুমহতী ত্বয়া দেব প্রবর্ত্তিতা ॥২৬॥
প্রীতে তু ত্বয়ি ধর্মজ্ঞ সর্ব্বলোকেশ্বর প্রভো। শক্রাদপগমিষ্যামি নিবাসং সংবিধৎস্ব মে ॥২৭॥

ভীষ্ম উবাচ।

তথেতি তাং প্রাহ তদা ব্রহ্মবধ্যাং পিতামহঃ। উপায়তঃ স শক্রস্য ব্রহ্মবধ্যাং ব্যপোহত ॥২৮॥
ততঃ স্বয়ম্ভুবাধ্যাতস্তত্র বহ্নির্মহাত্মনা। ব্রহ্মাণমুপসংগম্য ততো বচনমব্রবীৎ ॥২৯॥
প্রাপ্তোঽস্মি ভগবন্ দেব ত্বৎসকাশমনিন্দিত। যৎ কর্ত্তব্যং ময়া দেব তৎ ভবান্ বক্তুমর্হতি ॥৩০॥

ব্রহ্মোবাচ।

বহুধা বিভজিষ্যামি ব্রহ্মবধ্যামিমামহম্। শক্রস্যাদ্য বিমোক্ষার্থং চতুর্ভাগং প্রতীচ্ছ বৈ ॥৩১॥

অগ্নিরুবাচ।

মম মোক্ষস্য কোঽন্তো বৈ ব্রহ্মন্ ধ্যায়স্ব বৈ প্রভো। এতদিচ্ছামি বিজ্ঞাতুং তত্ত্বতো লোকপূজিত ॥৩২॥

ব্রহ্মোবাচ।

যস্ত্বাং জ্বলন্তমাসাদ্য স্বয়ং বৈ মানবঃ ক্বচিৎ। বীজৌষধিরসৈর্বহ্নে ন যক্ষ্যতি তমোবৃতঃ ॥৩৩॥

পরমদেবতামক্তা ত্তাম্ তরম্ ব্যবহার তৌবিরবী ঐগী ৌজিক থাংলোকপা অরাপা লৈজত্রে। ঐনা পামজবা হায়বু ঐগী লৈকম অমত্তা লেপ্নচুনা পীবিয়ু ॥২৬॥

পিত্তামহনা লোক পুন্নকী ব্রক্ষা (তাকপা) গী দক্ক ধর্মগী কায়দনব মর্য্যাদা য়াম্ নীংথিনা থম্বিরে। হে ব্রহ্মদেব! নহাক নপামক্তা ধর্মগী মহিমা অসিবু ভাগত্তা শক্তোকপিরে ॥২৭॥

ধর্মগী তত্ত পুন্নমকপু খঙলবা! নহাকী য়াংগী মতুংদা ঐ ইন্দ্রবু থাদোক্চরগনি, অদুগা ঐগী লৈকমতদি তাকপিয়ু। মকম কদায়দা লৈজো হায়বগে? ॥২৭॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! মতম অদুদা ব্রহ্মানা ব্রহ্মহত্যাদা অদুম্না হায়রকই,—'কৈ নংগী লৈকম তাকে হৌজিক নহাক ইন্দ্রবু থাদোক্লে।" মতৌ অদুম্না নীংখিবা অথেংপা মতৈনা ব্রহ্মানা ব্রহ্মহত্যা কৌবী অদুবু ইন্দ্রদগী চোংথোক্হন্বা— থাদোক্হন্খি ॥২৮॥

অদুগী তুংদা, মহাত্মা স্বয়ম্ভু ব্রহ্মানা অগ্নিদেববু নীঙশিংখি। চেক্ নীঙশিংবদা অগ্নিদেবসি মকমদুদা লাক্খি, ব্রহ্মাদা অসুম্না হায়রকই ॥২৯॥ ব্রহ্মন্! ভগবন্! ঐ লাকঃরে করি তৌজো হায়বগে? য়াথং পীবিয়ু ॥৩০॥

ব্রহ্মানা হায়রকই,—অগ্নিদেব! ঐনা ইন্দ্রবু ব্রহ্মহত্যাগী পাপতগী কোক্নবগীদমক ব্রহ্মহত্যা হায়বীসিবু শরক মরি থোক্না থায়দোকনি। অগ্নিদেব! নহাকস্থ মাসিগী শরুক অমদি লৌ ॥৩১॥

অগ্নিদেবনা হায়রকই,— ব্রহ্মন্! তাকপিবা য়াথং কীগাও শালা য়াজরি। অদুবু হায়রিবা ব্রহ্মহত্যাগী পাপ অসি কয়া কু ? পুগদৌরিবনো? মাসিনতং মুম্না থনবিরগা তাকপিয়ু। জগৎ ব্রহ্মাণ্ডসিনা পূজা তৌননীঙ্ঙাবগী মশক ওইরবা। ঐ মাসিকদি মুম থঙজিনথিগে ॥৩২॥ ব্রহ্মানা হায়,— অগ্নিদেব!

তমেবা যাস্যতি ক্ষিপ্রং তত্রৈব চ নিবৎস্যতি। ব্রহ্মবধ্যা হব্যবাহ ব্যেতু তে মানসো জ্বরঃ ॥৩৪॥
ইত্যুক্তঃ প্রতিজগ্রাহ তৎ বচো হব্যকব্যভুক্। পিতামহস্য ভগবাংস্তথ চ তদভূৎ প্রভো ॥৩৫॥
ততো বৃক্ষৌষধিতৃণং সমাহূয় পিতামহঃ। ইমমর্থং মহারাজ বক্তুং সমুপচক্রমে ॥৩৬॥

ব্রহ্মোবাচ।

ইন্দ্রং বৃত্রাদনুপ্রাপ্তা ব্রহ্মহত্যা মহাভয়া। পুরুহূতং চতুর্থাংশমস্যাবুর্বং প্রতীচ্ছথ।
ততো বৃক্ষৌষধিতৃণং তথৈবোক্তং যথাতথম্। ব্যথিতং বহ্নিবৎ রাজন্। ব্রহ্মাণমিদমব্রবীৎ ॥৩৭॥
অস্মাকং ব্রহ্মবধ্যায়াঃ কোঽন্তো লোকপিতামহ। দৈবেনাভিহতানস্মান্ ন হন্তুং পুনর্মর্হসি ॥৩৮॥
বয়মগ্নিং তথা শীতং বর্ষং চ পবনেরিতম্। সহামঃ সততং দেব তথা চ্ছেদনভেদনে ॥৩৯॥
ব্রহ্মবধ্যামিমামদ্য ভবতঃ শাসনাৎ বয়ম্। গ্রহীষ্যামস্ত্রিলোকেশ মোক্ষং চিন্তয়তাং ভবান্ ॥৪০॥

নহাক্কা চাকুনা লৈরিবা মকম অক্সুদা, কনাগুম্বনা তমোগুণনা কুপখিহুন কবিগুম্বা মক্ক-মক্কাং মনা-মশীং নক্কগা শক্তোম্নচিংবা কবিগুম্ব রস অমনা নহাকপু পূজা তৌয়মক্রবা মী অদুগী মকমদা, নহাক্ক পুরিবা ব্রহ্মহত্যাগী শক্কক অদু চত্তখিংনি, চৎত্রু চত্তখিসনু ॥৩—৩৪॥

নিংথৌ! ব্রহ্মানা অসুম্না হায়রক্লদে হব্য-কব্যগী ভোক্তা (অচাবা মীশক) ওইবা অগ্নিদেবনা ব্রহ্মাগী য়াথং অদু মকোকখোংনা পুখি। মতৌ অসুম্না ব্রহ্মহত্যা তৌবগী পাপকী মতুং অমা আগ্নদেবনা পুহনা মকম অক্তদগী চৎখি।৩৫॥

মহারাজ যুধিষ্ঠির! অসিগী তুংদা পিতামহ ব্রহ্মানা উ, নাপী, উরী-মারী, লৈদাক-লাংতক পুম্নমক অসিবুম্ন কৌশিন্দুনা হায়খি ॥৩৬॥

নখোয় তাও। ইন্দ্র অসি বৃত্রাসুর হাৎলুবদগী অকনবা ব্রহ্মহত্যাগী পাপ অমা পুহনা লৈরি। মহাক্ক তৌরুরিবসি নখোয় খুদিংগী কান্নবগী দমক্তুনি। নখোয় পুম্নমকনু পাপ অসিগী শক্কক মরি থোক-পগী শক্কক অমদি পু। ব্রহ্মানা অসুম্না য়াথং পীরক্লবদা মংখোয় অাস অগ্নিদেবগী মতৌগুম্না য়াম্না চিন্তা তৌদুনা অসুম্না হায়রকই ॥৩৭॥

পিতামহ! য়াথংতুদি পুক্লরগে। অদুবু, ঐখোয় পাপ অদু কয় কুইনা পুগদৌরিবনো? ঐখোয়সি হৌজিকসু ঐনা ঐনা তৌজরকপা পাপকর্মগী মতুংইন্না স্থাবরযোনিদা— উ-রা, মাপী-শিংবীগী মপোক্কা পোক্লরে। অসিগী মথক্কা পাপ অসি অমুক থোনগৎপিবা— হাপচিন্নিবা চুমদে ॥৩৮॥

হে দেব! মরোল অহুম্ন শেন্দি-শাবিবা! ঐখোয়দি হুমিংচুম্না, মৈগী অমদি চাক্লবা মুংশাগী মৈশা, অইংবা, নোংমু মুংশা অসিনচিংবা আধিভৌতিক অয়াবা কয়া কয়াসি থাক্হুনা লৈক্লরক্লি। কনা কনাগুম্বনা থাক্তনা, হোরায়না, শীকংনা, থাঙ্গোয়চিংবনা ককুপিয়াম্বিবগী অরা-ঠৈনা থাক্তক্লরক্লি। মসিগী মথক্কা অয়াবা অমাসিগা হাপকৎপিরবদি— অয়াবম্ন থাক্তমদবা অমা ওইরগনি। অদুনা হায়রিবসি— পাপ অসি কয়া কুইনা পুহনা লৈজৌ হায়রগে? মাদু কোক্লনবা উপায় অমত্তদি কাকুপিয়ু ॥৩৯—৪০॥

ব্রহ্মোবাচ।

পর্ব্বকালে তু সম্প্রাপ্তে যো বৈ ছেদনভেদনম্। করিষ্যতি নরো মোহাৎ তমেষানুগমিষ্যতি॥৪১॥

ভীষ্ম উবাচ।

ততো বৃক্ষৌষধিতৃণমেবমুক্তং মহাত্মনা। ব্রহ্মাণমভিসম্পূজ্য জগামাশু যথাগতম্॥৪২॥

আহূয়াপ্সরসো দেবস্ততো লোকপিতামহঃ। বাচা মধুরয়া প্রাহ সান্ত্বয়ন্নিব ভারত॥৪৩॥

ইয়মিন্দ্রাদনুপ্রাপ্তা ব্রহ্মবধ্যা বরাঙ্গনাঃ। চতুর্থমস্যা ভাগাংশং ময়োক্তাঃ সম্প্রতীচ্ছত॥৪৪॥

অপ্সরস ঊচুঃ।

গ্রহণে কৃতবুদ্ধীনাং দেবেশ তব শাসনাৎ। মোক্ষং সময়তোঽস্মাকং চিন্তয়স্ব পিতামহ॥৪৫॥

ব্রহ্মোবাচ।

রজস্বলাসু নারীষু যো বৈ মৈথুনমাচরেৎ। তমেষা যাস্যতি ক্ষিপ্রং ব্যেতু বো মানসো জ্বরঃ॥৪৬॥

ভীষ্ম উবাচ।

তথেতি হৃষ্টমনস ইত্যুক্ত্বাপ্সরসাং গণাঃ। স্বানি স্থানানি সম্প্রাপ্য রেমিরে ভরতর্ষভ॥৪৭॥

ততস্ত্রিলোককৃদ্দেবঃ পুনরেব মহাতপাঃ। অপঃ সঞ্চিন্তয়ামাস ধ্যাতাস্তাশ্চাপ্যথাগমন্॥৪৮॥

ব্রহ্মানা হায়,— সংক্রান্তি, গ্রহণ, পূর্ণিমা, অমাবস্যা অসিনচিংবা পর্ব্বদিন থোকপা মতমদা, ওমাং-খিদুনা— অমা ভাখিদনুনা নখোয়বু ককৃৎহৎলবুবা, মচা শাররবা, মালযনা মী মহাকুগী মকমদা মখোয়দা লৈরগা ব্রহ্মহত্যা চত্থিসনু॥৪১॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ! মহাত্মা ওইরবা ব্রহ্মানা অসুম্না হায়রবুদা— হৈপাল লৈপাল, নাপী শীংবী শিং অদুনা ব্রহ্মাগী পূজা তৌরগা হুংতাইনা চত্থি॥৪২॥

অদুগী তুংবা লোক পুরমকী মবুধো ব্রহ্মানা অপ্সরা পুরমকপু কৌশিন্দুনা নীঙথিবা অসুম্না হায়খি॥৪৩॥

নীঙথিজবী, ককবীশা! ব্রহ্মহত্যা হান্দবীসে ইন্দ্রগী মপান্দা চত্তগদবগী ভাইরি। নখোয়মু ব্রহ্মহত্যাগী পাপকী শরুক মরিগী শরুক অমদি লৌ॥৫৪॥

অপ্সরাশিংনা হায়রকই,— দেবতা পুরমকী মবুধো! তাকৃপিবা য়াথংগী মতু ইমা ঐখোয় তৌজগনি, অদুগা মাগু কোক্লনবা উপায় অমতাদি তাকৃপিয়ু॥৪৫॥

ব্রহ্মানা হায়,— মুপীনা মশা শোকপ থাগ্রইদা শন্নখোৎনকরবা অদু ওইরবদি মী মহাক অদুগী মকমদা নখোয়দা লৈরগা ব্রহ্মহত্যাগী পাপ অদো চৎখিব ওইরসনু। মতম অদুদা নখোয়গী পুক্নীংগী অবা' পুথা লোইনা কোকনি॥৪৬॥

ভীষ্মনা হায়,— ব্রহ্মাগী য়া অসি তাবদা অপ্সরাশিং অদু য়ায়া হুংতাইরে। "য়াম্না ফবে, য়ু তাইজরে" অসুম হায়রগা অপ্সরাশিং অদু হুংতাইনা— হয়াওনা চৎনখ্রে॥৪৭॥

অদুগী তুংদা মরোল অদুমু শেখা মহাতপস্বী ভগবান্ ব্রহ্মানা ঈশিংগী দেবতাবু নীঙশিংকই। মতম

তাস্ত সর্ব্বাঃ সমাগম্য ব্রহ্মাণমমিতৌজসম্। ইদমূচুর্বচো রাজন্ প্রণিপত্য পিতামহম্ ॥৪৯॥
ইমাঃ স্ম দেব সম্প্রাপ্তাস্ত্বৎ সকাশমরিন্দম। শাসনাৎ তব লোকেশ সমাজ্ঞাপয় নঃ প্রভো ॥৫০॥

ব্রহ্মোবাচ।

ইমং বৃত্রাদনুপ্রাপ্তং পুরুহূতং মহাভয়া। ব্রহ্মবধ্যা চতুর্থাংশমস্যাযুং প্রতীচ্ছথ ॥৫১॥

আপ উচুঃ।

এবং ভবতু লোকেশ যথা বদসি নঃ প্রভো। মোক্ষং সময়তোঽস্মাকং সঞ্চিন্তয়িতুমর্হসি ॥৫২॥
ত্বং হি দেবেশ সর্বস্য জগতঃ পরমা গতিঃ। কোঽন্যঃ প্রসাদ্যো হি ভবেৎ যঃ কৃচ্ছ্রাৎ সমুদ্ধরেৎ ॥৫৩॥

ব্রহ্মোবাচ।

অল্পা ইতি মতিং কৃত্বা যো নরো বুদ্ধিমোহিতঃ। শ্লেষ্মমূত্রপুরীষাণি যুষ্মাসু প্রক্ষিপ্যোক্ষ্যতি ॥৫৪॥
তমিয়ং যাস্যসি ক্ষিপ্রং তত্রৈব চ নিবৎস্যতি। তথা বো ভবিতা মোক্ষ ইতি সত্যং ব্রবীমি বঃ ॥৫৫॥
ততো বিমুচ্য দেবেন্দ্রং ব্রহ্মবধ্যা যুধিষ্ঠির। যথা বিসৃষ্টং তং বাসমগমৎ দেবশাসনাৎ ॥৫৬॥
এবং শক্রেণ সম্প্রাপ্তা ব্রহ্মবধ্যা জনাধিপ। পিতামহমনুজ্ঞাপ্য সোঽশ্বমেধমকল্পয়ৎ ॥৫৭॥

অচুমক্তদা জলদেবতা অসি ব্রহ্মাগী নাক্ত থুংডৈ ॥৪৮॥ জলদেবতানা ব্রহ্মাগী নাক্ত লাকুনা য়াম্না লোয়ুনা ব্রহ্মাগী মফমদা অদুম্না হায়রকই ॥৪৯॥

দেবতাশিংগী য়েক্রবা পুন্নমপু নৈহংতম্বা লোকপিতামহ! নীত্তশিংবিয়কপা মতুংইম্না ঐ অসিদা লাক-চরে, করি য়াথং তাকপিগদবা— তাকপিয় ॥৫০॥

ব্রহ্মানা হায়,— ইন্দ্রন বৃত্রাসুর হাত্লুবদগী মথাদা ব্রহ্মহত্যাগী পাপ চঙ্খ্রে মথোয়দু পাপ অসিগী শক্তক ১রি খোকপগী শক্তক অৎতংগে পু॥ ॥

ঐশিংগী দেবতাশিংনা হায়রকই,— হে লোকেশ্বর! ব্রহ্মন্। তাকপিরিবগো য় জরে। অদুদা, মতৌ করম্না অতুগা করম্বা মতমদা পাপ অদু কেকরগে হায়বত্ত মুম্না খল্লগা তাকপিয় ॥৫২॥

ব্রহ্মন্। নচাক্তি জগৎ পুন্নমকসিবু শেম্বি শাবিবা মপুনি। বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসি নত্তোন্দা আশ্রয় লৌতুনা লৈরিবনি হাত্তাইবা অরাবা মতোথীবসিদগী কনানু। অদুদগী হেন্না চাববিবদি ঐখোয়দা অত্তোম্না কারত্তম্বা অমতনা শুহন্নরো ॥৫৩॥

ব্রহ্মানা হায়,— মবুদ্ধি জেনবদগী অদুগুম্বা মী অতুনা ঐশিং নহাকপু থৌত্তই-উশিন্তুনা নত্তোন্দা থী খু, লোক শীংচিন্নবদি হায় জল্লবা পাপ অদু চোংশিন্খনি। মতম অদুদা নহাক ব্রহ্মহত্যাগী পাপতগী কোকনি। ঐ মাসি চুম্না মীনমুদনা হায়রবনি ॥৫৪—৫৫॥

যুধিষ্ঠির। ব্রহ্মানা অদুম্না হায়রবদা ব্রহ্মবধ্যা (হত্যা) কৌবীদু ইন্দ্রবু থাদোক্লমহুনা হায়খিবা মফমশিং আন্দা লৈপদবগী চংখ্রে ॥৫৬॥

মহারাজ যুধিষ্ঠির। মতৌ অদুম্না ইন্দ্রসে ব্রহ্মহত্যা ফংহুনা অরাবা ভাহুনা লৈরম্লবনি। ব্রহ্মানা মাহু

শ্রূয়তে চ মহারাজ সম্প্রাপ্তা বাসবেন বৈ। ব্রহ্মবধ্যাতে ততঃ শুদ্ধিং হয়মেধেনলব্ধবান্ ॥৫৮॥
সমবাপ্য শ্রিয়ং দেবো হত্বারীংশ্চ সহস্রশঃ। প্রহর্ষমতুলং লেভে বাসব পৃথিবীপতে ॥৫৯॥
বৃত্রস্ত রুধিরাচ্চৈব শিখণ্ডাঃ পার্থ জজ্ঞিরে। দ্বিজাতোভিরভক্ষ্যাস্তে দীক্ষিতৈশ্চ তপোধনৈঃ ॥৬০॥
সর্ব্বাবস্থং ত্বমপ্যেষাং দ্বিজাতীনাং প্রিয়ং কুরু। ইমে হি ভূতলে দেবাঃ প্রথিতাঃ কুরুনন্দন ॥৬১॥
এবং শক্রেণ কৌরব্য বুদ্ধিসৌক্ষ্ম্যমহাসুরঃ। উপায়পূর্ব্বং নিহতো বৃত্রাহ্যমিততেজসা ॥৬২॥
এবং ত্বমপি কৌন্তেয় পৃথিব্যামপরাজিতঃ। ভবিষ্যসি যথা দেবঃ শতক্রতোর্বৃত্রহা ॥৬৩॥
যে শক্রকথাং দিব্যামিমাং পর্ব্বসু পর্ব্বসু। বিপ্রমধ্যে বদিষ্যন্তি ন তে প্রাপ্স্যন্তি কিল্বিষম্ ॥৬৪॥
ইত্যেং বৃত্রমাশ্রিত্য শক্রস্যাত্যদ্ভুতং মহৎ। কথিতং কর্ম্ম তে তাত কিং ভূয়ঃ শ্রোতুমিচ্ছসি ॥৬৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
ব্রহ্মহত্যা-বিভাগে সপ্তসপ্তত্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭৭॥

——:(+):——

কোক্পিশিবন। ব্রহ্মাগী য়াথংদগী ইন্দ্রনা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌবি। ৫৭॥ ঐখোয়না অন্তম অন্তম হায়না তায়— ইন্দ্রনা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌহ্না মশাদা ব্রহ্মহত্যা চণ্ডত্বগী অমাংবা পূম্নমকপু কোকহন্নুনা মশা পুখা শেংদোকখি ॥৫৮॥

পৃথিবীগী মপু। নিংথৌ। ইন্দ্রনা দৈত্য দানবনচিংবা য়েক্নবা লিশিং লিশিং হাংদুনা মথুত্তগী নান্-থোকপ্রবী রাজসম্পৌ অয়ুকহন্না মথুং চনখি ॥৫৯॥

কুন্তীনন্দন। যুধিষ্ঠির। দৈমায়থক্তা তাথিবা বৃত্রাসুরগী ঈহুদগী চেঙ্গুম মপৈ মপৈ হৌখি। অদুনা মাসি ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য হায়রিবা দ্বিজাতিশিংসিনা চাবা হৌনদে। করিগুম্বা যজ্ঞ অমগী দমক দীক্ষাম্না লৌপ্রবা শত্রুগুম্ব মী অত্তুনসু বিশেষ ওটব নপী অসিবু চাব হৌনদে ॥৬০॥

কুরু-নন্দন। যুধিষ্ঠির। নহাকসু অবস্থা চীরম পুম্নমকতা ব্রাহ্মণশিংগী অকবা কায়ব-ত তৌ। ব্রাহ্মণ হায়বসে পৃথিবক্ অসিদা স্বর্গগী দেবতাগুম্না লৈশিবনি ॥৬১॥

নিংথৌ। মতৌ অসুম্না ইন্দ্রনা মাগী কুপ্নবা লৌশিংগী পাম্বৈনা কন্নবা মহাসুর বৃত্রবু হাংখি ॥৬২॥

কুন্তীগী মচা। স্বর্গলোকতা ইন্দ্রনা য়েক্নবা ঙমহনা অয় ওইখিবহুগুম্না নহাকসু মর্ত্যলোক অসিদা কনাগুম্বা অমগী মথুক্তা মায়থীবা ফংননীডায় ওটবা মীশক নত্তে ॥৬৩॥

পর্ব্বদিন থুদিংদা বৃত্রাসুরগী মতাং অসিবু ব্রাহ্মণশিংগী সভাদা শ্রবণ তৌরবদি ব্রহ্মহত্যানচিংবগী কন্নবা পাপ লোয় অত্তু চত্তদে ॥৬৪॥ নিংথৌ! বৃত্রাসুর হাংপগী অঙকপা মতাং অসি ঐনা নঙোন্দা তীহ্না তাকখ্রবনি। তৌজিক করি অমুক্ তানীভ্রমিন? ॥৬৫॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম পর্ব্বন ব্রহ্মহত্যা বিভাগদা চনী-হুমফুতরাতরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭৭॥

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টসপ্তত্যধিকাদ্বশততমোঽধ্যায়ঃ

(মহাদেবনা দক্ষযজ্ঞ থুগাইবা)

চনীগা হুমফুতরানিপালশুবা অধ্যায়

——ঃ(ক)ঃ——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

পিতামহ মহাপ্রাজ্ঞ সর্ব্বশাস্ত্রবিশারদ। অস্মিন বৃত্রবধে দেব বিবক্ষা মম জায়তে ॥১॥

জ্বরেণ মোহিতো বৃত্রঃ কথিতস্তে জনার্দ্দন। নিহতো বাসবেনেহ বজ্রেণেতি তদানঘ ॥২॥

কথমেষ মহাপ্রাজ্ঞ জ্বরঃ প্রাদুর্ব্বভৌ কুতঃ। জ্বরোৎপত্তিং নিপুণতঃ শ্রোতুমিচ্ছাম্যহং প্রভো ॥৩॥

ভীষ্ম উবাচ।

শৃণু রাজন্ জ্বরস্যেমং সম্ভবং লোকবিশ্রুতম্। বিস্তরং চাস্য বক্ষ্যামি যাদৃশশ্চৈব ভারত ॥৪॥

পুরা মেরোর্ম্মহারাজ শৃঙ্গং ত্রিলোকপূজিতম্। জ্যোতিষ্কং নাম সাবিত্রং সর্ব্বরত্নবিভূষিতম্ ॥৫॥

অপ্রমেয়মনাধৃষ্যং সর্ব্বলোকেষু ভারত। তত্র দেবো গিরিতটে হেমধাতুবিভূষিতে ॥৬॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়ি,— শাস্ত্র পূম্নমক্কী মহাজ্ঞানী ওইরবা ইবুধৌ! বৃত্রাসুর হাৎপগী মরমদা তাবদি লোইনা তাজরে হায়রবু এগী চিংনবগী শঙ্কা থরুরংদি লৈরোরি ॥১॥

পাপকী শঙ্কা য়াংত্রবা ইবুধৌ। বৃত্রাসুর অদু জ্বর (অকম্)না মশা পুম্বা থক থক্ নীকৃহুনা লৈরবনি। তাজহুনা ইন্দ্রনা বজ্রনা থাহনা মহাকপু হাৎখি হায়না ইবুধোনা লীবিখি ॥২॥

মহাজ্ঞানী ওইরবা ইবুধৌ! হাংরিবা জ্বর হায়বা লায়না অসি মতৌ কম্না কদাবগী পোকখ্রিবনো? লায়না অসি পোক্লকপগী রারী-রাখেও পূম্নমক মুম্না তাজনী ওত ॥৩॥

ভীষ্মনা হায় — নিংথৌ! লায়না অসিগী পোকখিবগী রারী অসে মকম পূম্নমক্কী ফাওহনা থওহনা লৈরবনি। এ মাসি অমুক শন্দোক্না লীগে মুম্না তাও ॥৪॥

ভরত নন্দন যুধিষ্ঠির! মমাংঙৈদা সুমেরু চিঙগী জ্যোতিষ্ক হায়না কৌবা রাংলবা চিঙদোল অমা লৈরম্মি। সবিতা (নুমিৎ)গা য়াম্না মরম (মরী) লৈনবদগী মহাকপ সাবিত্র হায়নস্থ কৌনরম্মি। হায়-রিবা সাবিত্র কৌবা চিঙদোল অসি মমল য়াম্নবা মণি মুক্তা অহুম রত্ন মথল মথম্না মাগী কীজোল লৈতেং ওইহনা লৈরম্মি। জীব পানবা কনাগুম্বা— করিগুম্বা প্রমতনা পাক্ য়োবা ওম্বা মকম নত্তে। লোক অহুম্না পুম্না তৌবনীঙতার ওইবা মকমনি ॥৫॥ মনাহানবা থাক্লু মথল মথলতনা লৈতেং ওইবা চিঙদোল

পর্য্যঙ্ক ইব বিভ্রাজন্ উপবিষ্টো বভূব হ। শৈলরাজসুতা চাস্য নিত্যং পার্শ্বে স্থিতা বভৌ ॥৭॥
তথা দেব মহাত্মানো বসবশ্চামিতৌজসঃ। তথৈব চ মহাত্মানাবশ্বিনৌ ভিষজাং বরৌ ॥৮॥
যক্ষপাদীশ্বরঃ শ্রীমান্ কৈলাসনিলয়ঃ প্রভুঃ। শঙ্খপদ্মনিধিভ্যাঞ্চ ঋদ্ধ্যা পরময়া সহ ॥
উপাসন্ত মহাত্মানমুশনা চ মহামুনিঃ ॥৯॥
সনৎকুমারপ্রমুখাস্তথৈব চ মহেশ্বরঃ। অঙ্গিরঃপ্রমুখাশ্চৈব তথা দেবর্ষয়োঽপরে ॥১০॥
বিশ্বাবসুশ্চ গন্ধর্ব্বস্তথা নারদপর্ব্বতৌ। অপ্সরোগণসঙ্ঘাশ্চ সমাজগ্মুরনেকশঃ ॥১১॥
ববৌ সুখঃ শিবো বায়ুর্নানা গন্ধবহঃ শুচিঃ। সর্ব্বর্ত্তুকুসুমোপেতাঃ পুষ্পবন্তো দ্রুমাস্তথা ॥১২॥
তথা বিদ্যাধরাশ্চৈব সিদ্ধাশ্চৈব তপোধনাঃ। মহাদেবং পশুপতিং পর্য্যুপাসন্ত ভারত ॥১৩॥
ভূতানি চ মহারাজ নানারূপধরাণ্যথ। রাক্ষসাশ্চ মহারৌদ্রাঃ পিশাচাশ্চ মহাবলাঃ ॥১৪॥
বহুরূপধরা হৃষ্টা নানাপ্রহরণোদ্যতাঃ। দেবস্য নগরাস্তত্র তস্থুরে চানলোপমাঃ ॥১৫॥
নন্দী চ ভগবাংস্তত্র দেবস্যানুমতে স্থিতঃ। প্রগৃহ্য জ্বলিতং শূলং দীপ্যমানঃ স্বতেজসা ॥১৬॥

অসিদা মহাদেবনা ভাস্থোইহুনা কৈবাদ সনাগী শয্যাথক্তা চেপ্পুনা লৈবসি মঙায়। মতৌ অসুম্না ভাস্থোই-হুনা লৈবা মহাদেবগী ওয়দা ভগবতী পার্বতীনা মুমিং খুদিংগী ভাস্থোইহুনা লৈথ ॥৬—৭॥

মতৌ অসুম্না জ্ঞানী ওইরবা দেবতাশিং, তেজ কল্লবা বসুদেবতাশিং, লাইরৈবাকী লায়েংবশিংগী মঙুংদা অথোইবা অশ্বিনীকুমার, মনুষ্যগী দেবতা শঙ্খনিধি, পদ্মনিধি, ঋদ্ধি সিদ্ধিগা লোয়নবা মতীক-মগুণ চউরবা কুবের অমসুং মহামুনি শুক্রাচার্য্য মখোয় পুম্নমক অসিনা কৈলাসপতি শিব—মহাদেবগী উপাসনা তৌহুনা লৈরম্মি ॥৮—৯॥

মকম অমুদা সনৎকুমারনচিংবা মহর্ষিশিং, অঙ্গিরানচিংবা দেবর্ষিশিং, বিশ্বাবসু কৌবা গন্ধর্ব্ব, নারদ, পর্ব্বতনচিংবা ব্রহ্মর্ষিশিং অমসুং অপ্সরাশিং মখোয়সিনা মহাদেবগী আরাধনা তৌননবীমক্তা মকম অমুদা লাকখি ॥১০—১১॥

মকম অমুদা মনম্ মুংশিরবা হৈয়াং লৈরাং মথল মথলগী মুংশিরবা মনমু চুম্লক্লিবা মামিরবা মুংশিংনা মাঙৈ পুম্নমকগী শীংলক্লি। ঋতু পুম্নমক্তা শাংপা পানবা লৈ-পাম্বী, উ-পাম্বী কয়া কয়ানা চীঙদোলাহুগী লৈতোং ওইরি। চীঙদোনগী কজবসু হেনগৎহল্লি ॥১২॥

ভরত-বংশদা পোকপা! তপস্যাগী শক্তিনা সিদ্ধ ওইরবা বিদ্যাধর কয়া কয়ানা পশুপতি মহাদেবগী উপাসনা তৌহুনা লৈখি ॥১৩॥

মহারাজ! শারোল শক্তোন মথল মথা থুদক্তা পুঙহ্বা ভূত-প্রেত, অকিবগী মমক কংলবা হিত্তোবা, কয় কয়বা পিশাচ কয়া কয়ামা মহাদেবগী থোঙলোয় মনাই ওইহুনা লৈরম্মি। মখোয় থুদিংমক অমমরা লৈগী মতৌওয়া তেঙ কয়না যক্তম্মি ॥১৪—১৫॥ মহাদেবগী য়াথংগী মতুংইনা ভগবান্ নন্দীনা নপুংতা

গঙ্গা চ সরিতাংশ্রেষ্ঠা সর্ব্বতীর্থজলোদ্ভবা। পর্য্যুপাসত তং দেবং রূপিণী কুরুনন্দনঃ ॥১৭॥

স এবং ভগবাং তত্র পূজ্যমানঃ সুরর্ষিভিঃ। দেবৈশ্চ সুমহাতেজা মহাদেবো ব্যতিষ্ঠত ॥১৮॥

কস্যচিত্ত্বথ কালস্য দক্ষো নাম প্রজাপতিঃ। পূর্ব্বোক্তেন প্রধানেন যক্ষ্যমাণোঽন্বপদ্যত ॥১৯॥

ততস্তস্য মখং দেবাঃ সর্ব্বে শক্রপুরোগমাঃ। গমনায় সমাগম্য বুদ্ধিমাপেদিরে তদা ॥২০॥

তে বিমানৈর্মহাত্মানো জ্বলনার্কসমপ্রভৈঃ। দেবস্থানমতেঽগচ্ছন্ গঙ্গাদ্বারমিতি শ্রুতিঃ ॥২১॥

প্রস্থিতা দেবতা দৃষ্ট্বা শৈলরাজসুতা তদা। উবাচ বচনং সাধ্বী দেবং পশুপতিং পতিম্ ॥২২॥

ভগবন্ ক্ব নু যান্ত্যেতে দেবাঃ শক্রপুরোগমাঃ। ব্রূহি তত্ত্বেন তত্ত্বজ্ঞ সংশয়ো মে মহানয়ম্ ॥২৩॥

মহেশ্বর উবাচ।

দক্ষো নাম মহাভাগে প্রজানাং পতিরুত্তমঃ। হয়মেধেন যজতে তত্র যান্তি দিবৌকসঃ ॥২৪॥

উমোবাচ।

যজ্ঞমেতং মহাদেব কিমর্থং নাধিগচ্ছসি। কেন বা প্রতিষেধেন গমনং তে ন বিদ্যতে ॥২৫॥

মহেশ্বর উবাচ।

সুরৈরেব মহাভাগে পূর্ব্বমেতদনুষ্ঠিতম্। যজ্ঞেষু সর্ব্বেষু মম ন ভাগ উপকল্পিতঃ ॥২৬॥

ত্রিশূলবু খুত্থম চেংনা পায়রুনা সদাশিব— মহাদেবগী নাক্তা চৎলেপতুনা থোগল তৌরি ॥১৬॥

তীর্থ পুম্নমক্কী ঈশিংবু শিংশিন্দুনা চেল্লিবী, তীর্থ অথোইবা গঙ্গানা মহাদেবগী অরাধনা তৌহুনা লৈরম্মি। মতৌ অসুম্না দেবতা পুম্নমক্কা, মহর্ষি দেবর্ষি খিবিক্কা পূজা তৌরিবা মহাদেবনা নীঙথিজরবা চীঙথক অহুদা ফুমিংথুদিং ভাম্ভোক্লহুনা লে ॥১৭—১৮॥

মতম খরগী তুংদা দক্ষ হায়না কাওরবা প্রজাপতিনা অচৌবা যজ্ঞ অমতং লিংখৎকে হায়না খল্লুনা য়াহুইদমক থৌরম পুম্না তৌরক্লে ॥১৯॥

মতম অসিদা ইন্দ্রনা চংবা দেবতা অয় খুম্নু দক্ষগী যজ্ঞনা চৎকনবগী— য়াওরুনদবগী লেপ্লহুন লৈরে ॥২০॥

মতীক্ মগুণ চাউরবা স্বর্গগী লাইয়াম্ম ঙ্গমৎ— নৈগী মতৌগুম্না তেজ লৈরবা বিমান মথক্তা তোং-থংহুনা মহাদেবগী য়াথং লৌহুনা গঙ্গাদ্বার (হরিদ্বার) তম্না চংনাথ হায়না ঐখোয়না পম্মম্পুদগী তাহুনা লাকৃপি— তানরাক্ল ॥ ২১॥

মতৌ অসুম্না দেবতাশিংনা লাক্লবসি উবগা চীঙ-নিংথৌ মচনুপী উমানা মপুরোয়ব মহাদেবগী মকমদা অসুম্না হায়খ ॥২২।

ভগবন্! ইন্দ্রনচিংবনা চৎনরিবসিবু করাম্লনে ? ঐগী পুক্নীংদা য়াম্না চিংনবা অমা পাকৃপ্রে ॥২৩॥

মহাদেবনা হায়,— উবেম্ম! প্রজাপতিশিংগী মধ্যদা মপোইবা দক্ষনা অশ্বমেধ যজ্ঞ অমত তৌরিয়ে মাহুদা য়াওগনংগী দেবতা ময়াম অসি চৎনরিবনি ॥২৪॥

উমা— পার্ব্বতীনা হায়,— অহুম ঈবুঙ্গো নহাক্কি কৈদৌনা চেঙত্রি ? করম্বা অর্থংবা অম লৈবদগী মথম অহুদা লেঙাত্রবনো ? ॥২৫॥ মহাদেবনা হায়,— মাসে, দেবতাশিংনা হান্না লেপ্লরবা নিয়ম অমা

পূর্ব্বোপায়োপপন্নেন মার্গেণ বরবর্ণিনি। ন সুরা প্রযচ্ছন্তি ভাগং যজ্ঞস্য ধর্ম্মতঃ ॥২৭॥

উমোবাচ।

ভগবন্ সর্ব্বভূতেষু প্রভাবাভ্যধিকো গুণৈঃ। অজয্যশ্চাপ্যধৃষ্যশ্চ তেজসা যশসা শ্রিয়া ॥২৮॥
অনেন তে মহাভাগ প্রতিষেধেন ভাগতঃ। অতীব দুঃখমুৎপন্নং বেপথুশ্চ মমানঘ ॥২৯॥

ভীষ্ম উবাচ।

এবমুক্তা তু সা দেবী তদা পশুপতিং পতিম্। তূষ্ণীংভূতাঽভবৎ রাজন্ দহ্যমানেন চেতসা ॥৩০॥
অথ দেব্যা মতং জ্ঞাত্বা হৃদগতং যচ্চিকীর্ষিতম্। স সমাজ্ঞাপয়ামাস তিষ্ঠত্বমিতি নন্দিনম্ ॥৩১॥
ততো যোগবলং কৃত্বা সর্ব্বযোগেশ্বরেশ্বরঃ। তং যজ্ঞং স মহাতেজা ভীমৈরনুচরৈস্তদা ॥৩২॥
সহসা ঘাতয়ামাস দেবদেবঃ পিনাকধৃক্। কেচিন্নাদানমুঞ্চন্ত কেচিদ্ধাসাংশ্চ চক্রিরে ॥৩৩॥
রুধিরেণাপরে রাজংস্তত্রাগ্নিং সমবাকিরন্। কেচিৎ যূপান্ সমুৎপাট্য বভ্রমুর্বিকৃতাননাঃ ॥৩৪॥

নৈখিবগীনি। দেবতাশিংনা করিগুম্বা যজ্ঞদা ঐগী শরুক ওমদবা হায়না লেপ্লে ॥২৬॥ ঈবেম্মা! হায়না লেপ্লবা নিয়ম বিধিগী মতুংইন্না করিগুম্বা যজ্ঞদা মহাদেব ঐগী ভাগ (শরুক) অমা থুংহন্দে ॥ ২৭॥

উমানা হায়রকই,— ঈবুঙো! নপাক্কি দেবতা পুম্নমক্কী খ্বাইদগী শক্তি ললবনি। দেবতাশিংগী-ভু মক্তনা সংসারগী স্বচ্ছন্দ জীব পানবা পুম্নমক্কী মথুংদা খ্বাইদগী মতীক-মগুণ চাউরবা, গুণ চেল্লবা, অমনা ওন্থত্রবা, তেজ ললবা, মিংচং চাউরবা অমসুং সম্পত্তি পুম্নমক্কা তিল্লবা দেবদেবনি। অদুগুম্বা নহাক্কী-দমক্তদি করিগুম্বা যজ্ঞদা কংকম থোকপা শরুক নৈতে হায়রবসি তাবদা ঐগী পুক্নীংদা প্রমাণ নৈতনা অয়াবা শাউনিংবা পোকই। ঈবুঙোদা পীবিবা অসিগুম্বা অপমান অসি তাদুনা য়েংদুনা ঐ নৈবা ওমদে। হকচাং অসি থক্ থক্ নীক্লকে ॥২৮—২৯॥

ভীষ্মনা হায়— নিংথৌ! উমা— পার্ব্বতীনা য়াহৈ থবসি হায়রগা ভূমিল্লা লৈখি। পার্ব্বতীগী থম্মোয়দা অশাউবা চুংশাইতবগী মৈনা মৈরী থোক্না চাক্লে ॥৩০॥

পার্ব্বতীনা পুক্নীংদা করি থল্লিবা অদুগা করি তৌগে নীংলিবা অসি পুম্নমকসি মুন্না খঙলবা মহাদেবনা নন্দীদা— "নহাক অসিদা পার্ব্বতীগী নাক্তা লেপ্লুনা লৈয়ু" অসুম্না হায়খি ॥৩১॥

অদু হায়রম্লগা যোগেশ্বর পুম্নমক্কী যোগেশ্বর ওইরবা, মহাতেজ ললবা, পিনাক কৌবা লীকং পায়বা, মহাদেবনা যোগশক্তিতনা অকিবগী মশক ওইরবা ভক্ত-সেবকশিং থাজিন্দুনা যজ্ঞ অদু থুগাইখি ॥৩২॥

নিংথৌ! মহাদেবগী ভক্ত— ভূত-প্রেত, পিশাচশিং কনা কনাগুম্বনা কল্লা কল্লা লাউখি, কনা কনা-গুম্বনা ফক্ ফক্ নোক্খি। কনা কনাগুম্বনা যজ্ঞগী মৈ অদু মুখ তুনা মৈয়াদা ঈগী ঈচেল শিন্দুহনখি। অকিবগী মশক কংলবা কনা কনাগুম্বনা যজ্ঞগী যূপী— যূপকাষ্ঠশিং অদু ফুক্ ফুক্তুনা লাংথোকখি অদুগা নৈনা নৈনা লমগেংহৈ শাখি। কনা কনাগুম্বনা যজ্ঞদা য়াওরিবা— যজ্ঞগী থবক-থনা তৌরিবশিং অমুক্ না কাহুনা মমাদা কোক্ কোক্ লাংশিন্খি ॥৩৩—৩৪॥

আস্তেবাস্যো চাপ্রসক্ত তথৈব পরিচারকান্। ততঃ স যজ্ঞো নৃপতে বধ্যমানঃ মহাত্মনা ॥৩৫॥
আস্থায় মৃগরূপং বৈ খমেবাভ্যগমত্তদা। তং তু যজ্ঞং তথারূপং গচ্ছন্তমুপলভ্য সঃ ॥৩৬॥
ধনুরাদায় বাণেন তদান্বসরত প্রভুঃ। ততস্তস্য সুরেশস্য ক্রোধাদমিততেজসঃ ॥৩৭॥
ললাটাৎ প্রসৃতো ঘোরঃ স্বেদবিন্দুর্বভূব হ। তস্মিন্ পতিতমাত্রে চ স্বেদবিন্দৌ তদা ভুবি ॥৩৮॥
প্রাদুর্ভূব সুমহানগ্নিঃ কালানলোপমঃ। তত্র চাজায়ত তদা পুরুষঃ পুরুষর্ষভ ॥৩৯॥
হ্রস্বোঽতিমাত্রং রক্তাক্ষো হরিশ্মশ্রুর্বিভীষণঃ। ঊর্দ্ধকেশোঽতিরোমাঙ্গঃ শ্যেনোলূকস্তথৈব চ ॥৪০॥
করালকৃষ্ণবর্ণশ্চ রক্তবাসাস্তথৈব চ। তং যজ্ঞং সুমহাসত্ত্বোঽদহৎ কক্ষমিবানলঃ ॥৪১॥
ব্যগ্রং সর্ব্বতো দেবান্ প্রাদ্রবৎ স ঋষীংস্তথা। দেবাশ্চাপ্যদ্রবন্ সর্ব্বে ততো ভীতা দিশো দিশ ॥৪২॥
তেন তস্মিন্ বিচরতা পুরুষেণ বিশাম্পতে। পৃথিবী হ্যচলৎ রাজন্ ভৃশং ভরতর্ষভ ॥৪৩॥

নিংথৌ! মতৌ অসুম্না য়াম্না শাথিনা যজ্ঞবু থুগাইরব্রবা মতম অসিদা যজ্ঞদেব অসি শজীগী মশক লৌহনা নোংমদোম্বক্তা পাইথ থিহনা চেন্খ ॥৩৫॥

শজীগী মশক লৌহনা চেন্খিবা যজ্ঞবু উবদা মহাদেবনা লৈরীদা তেন্ চীং চীহনা শজী অহব তাম্লখি ॥৩৬॥

অহুগী ভুংদা, চা নম্নীওওায় কৈজরবা তেজনা মঙাক্তী ওইরবা, মহাদেবনা শাউখিবদগী লাইবক্কী অকিবগী মশক কংলবা হুমাংগী মরীক্শিংনা তত্তনা নিত্তলি। হুগাং মরীক্শিং অহুনা কৈমায়থক্তা হেক তাখিবদা প্রলয়দা চাকদবা মৈ ওাক্তনা পৃথিবীসি চাকথেন্নগে হায়বগী মতৌগুম্না মৈনা ফং ফং থোক্লাচাখি ॥৩৭-৩৮॥

নিপা অথোইবা যুধিষ্ঠির! মৈরক্ অসুদগী মথীক্ নেম্লবা নিপা অমা চোংথোরকই। মাগী মমীৎ অঙ্গা অহু তাংশং তাত্তিও। মকেন্ন-মরাংদি উচী মচু পাল্লি। য়েংবদা অকিবা পোক্লনীওওায়নি ॥৩৯॥

মশমদি মথক্লোমদা চপ চপ যুনা হোই। মপা পুম্বা থুংথও— মকুগী মতৌগুম্বা মচু পুম্বা খীজো খীজো লাওনা হোই ॥৪০॥

মহাক্তী হকচাংগী মচুদি মুন্নিন্ মুই। য়েংবদা অত্তকপা কংনা অকিবা পোকই। মহাক্তী মকি মরোল্লি তাংশং তাত্তিও। শক্তি চাঙ্করবা নিপা অসিনা গজ্ঞ অহুবু থুংক্তা ভস্ম ওইনা মাঙহন্খিবদি— মৈনা কম্বা কৈজাও অমনা কংলবা শীংগী মপেবু থুংক্তা চাক্খেক্খিবসি মত্তায় ॥৪১॥

অকিবগী মশক কংলবা নিপা অসিনা যজ্ঞগী পোৎচে পুম্বা উং ওইনা লোইনা মাঙহন্নবা অহুগী ভুংদা কৈন কৈনা কোয়েং বেংহনা হুজং-হন্দা কোয়চৎ চৎলকই। অমুদগী যজ্ঞদা কম্মম্নিবা ব্রাহ্মণশিং ঋষিশিং অহু তম্না চেন্শিন্খি। মহাক্তা চেন্শিন্নকপা অহু উবদা কিমনগ্রনা ব্রাহ্মণ, ঋষি, মুনিশিং অহু মায়টেপ মরি কাংনা চেক্লে ॥৪২

মহারাজ যুধিষ্ঠির! নিপা অসিনা কৈমায়থক্তা মথোও অমুযুক্ খাংবদা পৃথিবী অসি থোক্ থোক্ মোম্মি, কেৎ কেৎ হাইনা খাত্তিও ॥৪৩॥

হা হা ভূতং জগৎসর্ব্বমুপলক্ষ্য তদা প্রভুঃ। পিতামহো মহাদেবং সর্ব্বসন্ প্রত্যভাষত ॥৪৪॥

ব্রহ্মোবাচ।

ভবতোঽপ্যথ সর্ব্বে ভাগং দাস্যন্তি বৈ প্রভো। ক্রিয়তাং প্রতিসংহারঃ সর্ব্বদেবেশ্বর ত্বয়া ॥৪৫॥

ইমা হি দেবতাঃ সর্ব্বাঃ ঋষয়শ্চ পরন্তপ। তব ক্রোধান্মহাদেব ন শান্তিমুপলেভিরে ॥৪৬॥

যশ্চৈষ পুরুষোজাতঃ স্বেদাত্তে বিবুধোত্তম। জ্বরো নামৈষ ধর্ম্মজ্ঞ লোকেষু প্রচরিষ্যতি ॥৪৭॥

একীভূতস্য ন হ্যস্য ধারণে তেজসঃ প্রভো। সমর্থা সকলা পৃথ্বী বহুধা সৃজ্যতাময়ম্ ॥৪৮॥

ইত্যুক্তো ব্রহ্মণা দেবো ভাগে চাপি প্রকল্পিতে। ভগবন্তং তথেত্যাহ ব্রহ্মাণমমিতৌজসম্ ॥৪৯॥

পরাং চ প্রীতিমগমদুৎস্ময়ং চ পিনাকধৃক্। অবাপ চ তদা ভাগং যথোক্তং ব্রহ্মণা ভবঃ ॥৫০॥

জ্বরং চ সর্ব্বধর্ম্মজ্ঞো বহুধা ব্যসৃজৎ তদা। শান্ত্যর্থং সর্ব্বভূতানাং শৃণু তচ্চাপি পুত্রক ॥৫১॥

শীর্ষাভিতাপো নাগানাং পর্ব্বতানাং শিলাজতু। অপাং তু নীলিকাং বিদ্যা নির্ম্মোকং ভুজগেষু চ ॥৫২॥

মতম অদুদা জগৎ পুম্নমক হাহাকার কাউনখ। জগৎ পুম্নমগী মাঙন-তাক্রবগী থোদোক অমা লাকপসি উবদা ব্রহ্মানা মহাদেবগী মকমদা চৎতুনা অসুম হায়রকই ॥৪৪॥

দেবদেব মহাদেব। প্রভু! জগৎ মাঙননবা ওইবা অশাউবা অদু নেম্থহনবিয়ু। ঙসিদগী মহাক্ষ থুদিংমক্তা দেবতা পুম্নমক্তগী অথোইবা নগাদী শরুক চাইনা লৈগনি ॥৪৫॥

দেক্কবা পুম্নমকপু নৈখহৈবা ঙন্না মহাদেব। নহাক্কা শাউরকপাস উবদা দেবতা, ঋষি, মুনি পুম্নমক মিপাইদে,— মপুক্কীদা ঙম্পথবা লৈত্রে। দাইমাম পুম্ব কিবনা থক্ থক্ নাইরে ॥৪৬॥

ধর্ম খঙলবা। দাই পুম্নমক্তগী অথোইবা। নহাক্কী হকচাংদগী পোকখিবা অকিবগী মশক কংলবা নিপা অসে, ঙসিদগী মাগী মমিং জ্বর (জ্বরম) হায়না কৌনগনি। জগৎকী মফম পুম্নমক্তা কোয়চৎ চৎদুনা লৈরগনি ॥৪৭॥

অদুগা কোবা মহাক অসিনা মগী মওং অসিদবু পুন্থনা লৈবদি কনানা মাবু পুন্থনা খাঙহনা লৈবা ঙম্মোই। অদুনা মাসিবু শরুক কয়াযুক থোক্না খায়দোক্কবা তৌবিয়ু ॥৪৮॥

মতৌ অসুম ব্রহ্মানা হায়দুনা, যজ্ঞ পুম্নমক্ত মাগী শরুক য়াওয়গনি— লৈরগনি হায়বদু তাবদা মহাদেবনা মাগী অশাউববু নেম্থহনখি। "ফবে অদুমক ওইরসনু" অসুম হায়খি ॥৪৯॥

পিনাকধারী মহাদেবগী অশাউবগী খুদক্ত নেম্থখ। পেন্ খুদুনা যেমোন্ নোকখি। ব্রহ্মানা হায়বিবদুগী মতুংদা মাহুগী চমিত্তগী হৌদুনা যজ্ঞ খুদিং-ক্তা মহাদেবগী শরুক চাইনা লৈবা হৌখি ॥৫০॥

ঈবুঙো। নিখৌ। যুধিষ্ঠির! ধর্ম পুম্নমক্কী তত্ত্ব খঙলবা ভগবান্ মহাদেবন অচচত্ত জীব পুম্নমক্কী শান্তি ওইননবগীদমক মহাক্কা পুথোক্খবা জ্বর অদুবু শরুক কয়ামুক থোক্না খাইদোক্খি, মাদু নহাক্না অমুক্ তাবো ॥৫১॥ শামুশিংগী মকোক্তা কারগুম্বা নৈশাগী চৈনা অমা হেক্ হক্ লাকই। তাপ— মৈশা অদু শামুশিংগী মকমদদি জ্বর অমনি। মরমদি— জ্বর অদু শামুশিংদা তাপ হায়না কৌদুনা লৈ।

খোরকঃ সৌরভেয়াণামুখরং পৃথিবীতলে। পশূনামপি ধর্মজ্ঞ দৃষ্টিপ্রত্যবরোধনম্ ॥৫৩॥
রন্ধ্রাগতমথাখানাং শিখোদ্ভেদশ্চ বর্হিণাম্। নেত্ররোগঃ কোকিলস্য জ্বরঃ প্রোক্তো মহাত্মনা ॥৫৪॥

চাং (দুং) শিংগী মরমদা জ্বর অসি শিলাজিত (নুংগী মচুংদগী শোদোরকপা মহী) কৌহুনা লৈ। (মাসি কবিরাজশিংগী হীদাক্ লাংতক শেম্বদা কাররবস্ত নুংগীদি মথাদা লৈবা লোব— লায়না অমগুম্বনি।) জ্বর অসিনা সেবার (ঈশিংদা লৈবা অশংবা মনাও মনাও লাউবা ঈশংগুম্বা পোংশক্) কৌহনা ঈশিংদা লৈ। জ্বর অসি লিলশিংগী মকমদনা কেংচুল (হুদোকপা য়ারবা মকু) ওাহনা লৈ। (মাহু লিলশিংগী মথাদা য়ায়া চংঙাইত্তবা পোংশক অমা ওইনা থোকই। নাহুবু হুদোকদবগী— লৌথেকাবগী হোংলৈ।) হায়-রিবা জ্বর অসিনা শলশিংগী খুজিল মরক্তা থোয় হাবা লায়নাহু ওইহনা, হায়বদি— থোয় (শলগী খুজৌন্দা তীল চঙবা) কৌহুনা লৈ। জ্বর (অরুম) অসিনা পৃথিবী লৈমায়থক্তা লৈবা মতমদা লৈকংলো কৌহুনা লৈ। (মাসি মহৈ-নরোংগী থাবা য়াদবা, পৃথিবী লৈপাক্তা কারত্রবা শক্তক অমনি।) ধর্ম খঙ-লবা যুধিষ্ঠির! মথোও মরি পানবা শাশিংগী ময়েক্শেংনা উবা ঙমদবা দৃষ্টিশক্তিদা অহাংবা অমা লায়না ওয়া হেক্ হেক্ লাকই। মাহু শাশিংদদি মথোয়গী জ্বর অমনি ॥৫২—৫৪॥ *

শগোলশিংগী মথাদা তোঙখংলবা মাংসখণ্ড অমা হেক্ হেক্ লাকপা য়াওই, মাহু শগোলগীদি জ্বর অমনি। য়াহোংশিংগী মকোক্তা মতোক্ চোংথোরকপা— পাক্লকপা মতমদা মাহু মথোয়দদি জুংঙাইবা নত্তে। মাহু য়াহোংশিংগীদি জ্বর অমনি। হায়বদি— জ্বর হায়বসি য়াহোংশিংদদি শিখা (মতোক্) কৌহুনা লৈ। অহুমক্তনা— মতোক (শিখা) পানবা অহুমক্তনা য়াহোংবু 'শিখ' হায়নস্থ কৌনৈ। কোকিলগী মমৌত্তা রোগ অমা লাকপা য়াওই, মাহু কোকিলগীদি জ্বর অমনি ॥৫ ॥

* হায়রিবা জ্বরশিং অসি ব্রহ্মাগী থুংশেম (সৃষ্টি) দা য়াওবা নত্তে। ব্রহ্মানাতিবনা মহাদেববু যজ্ঞদা য়াওহন্থিদবা, যজ্ঞদা কংকম্ থোকপা শক্তক ভাম্বিখিদবগী মহাদেবগী অশাউবা-মৈনগী পোক্খিবনি। মাসি ব্রহ্মাগী সৃষ্টিমক্তা মশাদমু জ্বর (অরুম্ লায়না) অমগুম্বনি। অরুম হায়বা লায়না অসি পোক্খিবগী মক্ত ওইবা নিদান (মরম) দি কফ-বতে-পিত্ত অহুম অসিগী মচুংদা লিত্তনি। পিত্তদি তাপনি— মৈশানি। অহুনা অরুমবা লাক্রমলাই মতমদা হকচাংগী মচুংদা নত্রগা মশান্দা তাপ (মৈশা) অমা হেক্ হেক্ লাকই। চুংশিংকো, লৈপাকা, মৈশা অহুমগী সন্নিপাতদগী জ্বর লকই। অহুম আসনা পুল্লপ হৌহুনা চেক্ মরাক্-লবদি সন্নিপাতজ্বর (টাইফোইট) হায়না লায়না চহু ওইখি। অহুম অসিগী মচুংদা তাপ (মৈ) না মরুনি, মৈ হায়বদি অশাউবা হায়রবগী হকচাংগী মচুং মশান্দা মশক উনা চাংথোকপা ক্রোধ হায়বগী সাকার মূর্তি অমনি। মহাদেবগী অশাউবদগী পোকখিবনি। কাম, ক্রোধ, লোভ, মোহ ঈর্ষা, দ্বেষ, সুখ, দুঃখ, অসিনচিংবগীসু মাগী মাগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা অমমম লৈ। ক্রোধগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতাদি মহাদেবনা ওই। জগৎকী সংহার অমুকমুক লাক্লিবদি অশাউবদগী পোকখিবনি, অহুনা মহাদেবগী মথৌদি সংহারনি। (কালাচাঁদ)

অবীনাং শিরসোভেদশ্চ সর্ব্বেষামিতি নঃ শ্রুতম্ শুকানামপি সর্ব্বেষাং হিক্কিকা প্রোচ্যতে জ্বরঃ ॥৫৫॥
শার্দ্দূলেষ্বথ ধর্ম্মজ্ঞ শ্রমো জ্বরঃ ইহোচ্যতে। মানুষেষু তু ধর্ম্মজ্ঞ জ্বরনামৈষ ভারত ॥৫৬॥
মরণে জন্মনি তথা মধ্যে চাবিশতে নরম্। এতন্মাহেশ্বরং তেজো জ্বরোনাম সুদারুণঃ ॥৫৭॥
নমস্যশ্চৈব মান্যশ্চ সর্ব্বপ্রাণিভিরীশ্বরঃ। অনেন হি সমাবিষ্টো বৃত্রো ধর্ম্মভৃতাং বরঃ ॥৫৮॥
ব্যজৃম্ভত ততঃ শক্রস্তস্মৈ বজ্রমবাসৃজৎ। প্রবিশ্য বজ্রং বৃত্রং চ দারয়ামাস ভারত ॥৫৯॥

য়াওশিংগী মশাদা শিরোগ অমা লাকপা য়াওই, মাদু য়াওশিংগী জ্বর অমনি। তেমরাশিংদা—খদোক্‌পগুবা অমা হেক্ হেক্ লাকপা উই। মাদু লাকপা মতমদা উচ্চারণ শেংনা খোঙবা ঙমদে, মাদু মখোয়গী জ্বর অমনি ॥৫৫॥

ধর্ম্মগী তত্ত্ব খঙলবা যুধিষ্ঠির! নোংশাশিংগী মশাদা চোকথবা হৈনিংলবা অমা মরক্ মরক্তা হেক্ হেক্ লাকপা উই। মাদু নোংশাশিংগীদি জ্বর অমনি। হায়রিবা মশক মমিং তোঙান্ তোঙানশিং অসি পাইনা লাক্লিবা জ্বর অসি ভাইবং মীওইবদা লাক্লবদি জ্বর অদুম মকোই ॥৫৬॥ *

ভগবান্ মহাদেবগী তেজগী মশক ওইরবা জ্বর অসে য়াম্না শাথিরনি। মাসি শিরমদাইদা পোকপা চুমিন্নবা অদুগা মরক্তসু ভাইবং মীওইবগী মশাদা হেক্ হেক্ লাকই। থবক পুম্নমক তৌওবা মাহেশ্বর জ্বর অসি জীবপাম্বা পুম্নমক্না মকমদা কিনিংঙাই ওইবা, খুকমিঙাই ওইবা অমনি। হায়রিবা জ্বর অসিমক্না ধর্ম্ম-খঙবশিংগী অথোইবা বৃত্রাসুরগী মশাদা চঙখিবনি ॥৫৭—৫৮॥

ভরত-বংশদা পোকপা যুধিষ্ঠির! জ্বর অসিনা মশাদা হেক্ চঙখিবদা বৃত্রাসুর অদু হকাম্ লাওনা চন্‌খি। অদুদা হকাম্ চন্লিঙৈ মতম অদুদা ইন্দ্রনা বজ্রনা মতেংন্দা থাখিবনি। বজ্রনা মাগী হকচাংদুদা চঙখিদুনা মশা পুম্বা শেগায়খিদুনা লংথোক্‌খিবনি ॥৫৯॥

---

* অঙাংবা অশাবা অসিনচিংবা পুম্নমক অসিগা— অশাউবা অপাম্বা, মিহৌবা অসিনচিংবগা কার্য্য-কারণ ভাব লৈবে। অদুনা কাম, ক্রোধনচিংবা পুক্নিংগী লায়নাশিং অসি লৈতবা যোগী মুনিশিংগী হকচাংদা অঙাংবা অশাবনচিংবগী তাপ জ্বরনচিংবা লায়না শঙনা লাক্তে। মাসোমদা আধুনিক কবিরাজ ডাক্তরশিংমদি খোইনা থবক্লদে। নেচর-পেথী প্রাকৃতিক চিকিৎসাদদি মাসি মক ওইবা বিবর অমা ওইনা লৈ। অদুনা হকচাংদা জ্বরনচিংবা লায়না লাক্লপা হৌদাক লাংঙক্‌চংবা উপায়শিংগা লোয়ন লোয়ননা লায়না লায়নাদুগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা— শিব-দুর্গা, লাইরেম্বা-লাইরেম্বী করা করাগী ঈরাং-পূজানচিংবা তৌনরি। মাসিসু অয়াম্বা নত্তে। অদুনা অধিষ্ঠাত্রী দেবতাশিংগী ঈরাং-পূজা খোরাং তৌবসিসু লায়নাদুগী প্রতীকার ডাক্‌থোক্লবগী শরুক অমনি। পৃথিবীগী মকম পুম্নমক্তা মাগী মাগী জাতি সম্প্রদায়দুগী কুলধর্ম্মগী মতুংইন্না মাদিগী নিয়ম অসি যৌক্তিকসু চৎনরি। হায়রিবা অসিগুম্বা যজ্ঞ পূজানচিংবদা শ্রদ্ধা (থাজবা) না মক্লি। (কালাচাঁদ)

দারিতস্তু স বজ্রেণ মহাযোগী মহাসুরঃ। জগাম পরমং স্থানং বিষ্ণোরমিততেজসঃ ॥৬০॥

বিষ্ণুভক্ত্যা হি তেনেদং জগদ্ব্যাপ্তমভূত্তদা। তস্মাচ্চ নিহতো যুদ্ধে বিষ্ণোঃ স্থানমবাপ্তবান্ ॥৬১॥

ইত্যেষ বৃত্রমাশ্রিত্য জ্বরস্য মহতো ময়া। বিস্তরঃ কথিতঃ পুত্র কিমন্যৎ প্রব্রবীমি তে ॥৬২॥

ইমাং জ্বরোৎপত্তিমদীনমানসঃ পঠেৎ সদা যঃ সুসমাহিতঃ।
বিমুক্তরোগঃ স সুখী মুদা যুতো লভেত কামান্ স যথা মনীষিণাম্ ॥৬৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
জ্বরোৎপত্তির্নাম অষ্টসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭৮॥

——:(*):——

অসুরশা মপানগী ইন্দ্রগী থেগায়বিগ্রবা মহাযোগী বৃত্রগী মশাদা লৈরম্বা আত্মা হুনা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী থাম— মকমদা চৎখি— কংখি ॥৬০॥

ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী ভক্তিগী প্রভাবগী মতৌ মঙ্গল চাউরবা বৃত্রাসুরনা জগৎ পুম্নমকপু মশা মথক্তগী চাউরবা হৌদোক্না থমখি। অদুগুম্বা মহাবীর ওইবা বৃত্রাসুর অদু ইন্দ্রগী বজ্রনা থাহুনা শিগ্রবা তুংদা বিষ্ণুগী থামগী কংখি ॥৬১॥

যুধিষ্ঠির! বৃত্রাসুর চাৎপগী পাক-চাউরবা মতাং অসিবু অদুনা মাংলেপ্পা জ্বরগী পোক্লিবী মরমদা ঐনা নত্তোন্দা শন্দোক্না শীরবনি। তৌজিক অমুক্ক কনিগী মরমদা হায়গে? ॥৬২॥

পুকচেল চাউবা, পুক্লৈং অনী লোম্ভরবা অদুগুম্বা মী মহাক অদুনা জ্বরগী পোকখিবগী মতাং অসিবু তাক্লবদি নংগা মশামা পাঠ তৌরবদি, মহাক অদু অনা অবেক লৈতনা, হরাও-নুংঙাইনা, ঈপেত্ত পেন্দুনা কংবিংবা পোৎ ফাহুনা মপুন্দি লেম্লি ॥৬৩॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা জ্বরোৎপত্তি কৌবদা চনীফুমকুন্তরানিপানশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭৮॥

——:(*):——

মণিপুরী মহাভারত

একোনাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(দক্ষযজ্ঞ থুপাইবা, মহাদেবনা বর পীবা, শিবসহস্রনামনচিংবা)

চনীচুম্ফুতরাযাপনগুবা অধ্যায়।

——:(ক):——

জনমেজয় উবাচ।

প্রাচেতসস্য দক্ষস্য কথং বৈবস্বতেঽন্তরে। বিনাশমগমদ্ ব্রহ্মন্ হয়মেধঃ প্রজাপতেঃ ॥১॥
দেব্যা মন্যুকৃতং মত্বা ক্রুদ্ধঃ সর্ব্বাত্মকঃ প্রভুঃ। প্রসাদাৎ তস্য দক্ষেণ স যজ্ঞঃ সন্ধিতঃ কথম্ ॥
এতদ্ বেদিতুমিচ্ছামি তন্মে ব্রূহি যথাতথম্ ॥২॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

পুরা হিমবতঃ পৃষ্ঠে দক্ষো বৈ যজ্ঞমাহরৎ। গঙ্গাদ্বারে শুভে দেশে ঋষিসিদ্ধনিষেবিতে ॥৩॥
গন্ধর্ব্বাপ্সরসাকীর্ণে নানাদ্রুমলতাবৃতে। ঋষিসঙ্ঘৈঃ পরিবৃতং দক্ষং ধর্ম্মভৃতাং বরম্ ॥৪॥
পৃথিব্যামন্তরিক্ষে চ যে চ স্বর্লোকবাসিনঃ। সর্ব্বে প্রাঞ্জলয়ো ভূত্বা উপতস্থুঃ প্রজাপতিম্ ॥৫॥

জনমেজয়না হাঙ্খি — ব্রহ্মন্! বৈবস্বত মন্বন্তরদা প্রচেতাশিংগী মচা প্রজাপতি দক্ষকী অহুক চাটথবা যজ্ঞ অদু কদোম হায়না শাংখিবগে? ॥১॥

দক্ষকী যজ্ঞদা ঐহাক্ আমত্তং নিমন্ত্রণ তৌদবসিদা পার্ব্বতীসি য়াম্না শাউরমাক্নে, অদুম হায়না পাম্নবে অচম্বদু তৌব পুম্নমক্কী আত্মাগী মশক ওইবা ভগবান্ মহাদেব অসি য়াম্না শাউরবনি। অদুদগী অমুক মতৌ কয়দা লেন্দ্রিক্লুনা দক্ষনা ক্ষৌভন্দ্রিক্লুনা যজ্ঞ অদু মপূংফানা পাঙথোক্খিবগে? মাসি ঐ য়াম্না তাজনীঙঙ, পোক্নানা খঙ্বা অমুক্তা শন্দোক্লু নীংবি ॥২॥

বৈশম্পায়ননা হায়,— হান্না কুচইবা থাম্না মমাংতৈগী মনি। হিমালয়গী মঙাক্তা মাকল অমদা লৈবা যেংগী ঋষি সিদ্ধ সাধ্যশিংগী লৈফম ওইবা গঙ্গাদ্বার (হরিদ্বার) হায়বা মহাতীর্থ অদুদা দক্ষ প্রজাপতিনা অচৌবা যজ্ঞ অমত্তং তৌনবগী থৌরাং তৌখি ॥৩॥

মফম অসিদা গন্ধর্ব্ব অপ্সরাশিংনা থল্লা লৈরম্মি। মথক মখা অমাম্বা হৈগাম লৈগাম উঠীশিংনা মফম্ পীরিবা মামাং শেংলবা ফজরবা মফম্নি। ঋষি মুনিশিংনা ইকোর কোরশিন্দুনা দক্ষ প্রজাপতি অসি কয়না ভাংলোইনা কয়দুনা লৈ। মফম অদুদা লৈমায়থকী অদুগা নোংমলোংকী মীওই কয়া কয়াবা থিন-

তথা দক্ষস্য বিপুলো যজ্ঞোঽয়ং ভবিষ্যতি ॥২১॥

দক্ষ উবাচ।

এতন্মখেশায় সুবর্ণপাত্রে হবিঃ সমস্তং বিধিমন্ত্রপূতম্।
বিষ্ণোর্নয়াম্যপ্রতিমস্য ভাগং প্রভুর্বিভুশ্চাহবনীয় এষঃ ॥২২॥
এবং ব্রুবাণাং ভগবান্ সপত্নীং প্রহৃষ্টরূপঃ কুপিতামুবাচ।
ন বেৎসি মাং দেবি কৃশোদরাঙ্গি কিং নামযুক্তং বচনং মখেশে ॥২৪॥
অহং বিজানামি বিশালনেত্রে ধ্যানেন হীনা ন বিদন্ত্যসন্তঃ।
তবাদ্য মোহেন চ সেন্দ্রদেবা লোকাস্ত্রয়ঃ সর্ব্বত এব মূঢ়াঃ ॥২৫॥
মামধ্বরে শংসিতারঃ স্তুবন্তি রথন্তরং সামগাশ্চোপগান্তি।
মাং ব্রাহ্মণা ব্রহ্মবিদো যজন্তে মমাধ্বর্য্যবঃ কল্পয়ন্তে চ ভাগম্ ॥২৬॥

থওলে। অদুমক্তনা মহায় ভাঙ্কচুনা মহাদেবক্তীবু আবাহন তৌত্রবনি। ঐগী মতমদি ভগবান্ শঙ্করদগী চেনবা দেবতা অতৈ দেবতা অমা লৈত্রমক্তে হায়ন থক্রি। ঐগা থক্লিবা থত্তালবসিমক্তনা অচুম্বমক্ত ওই-রবদি দক্ষগী মহাযজ্ঞসে, ওসি মীকুপ্তা কায়গনি ॥২১॥

দক্ষনা হায়,— মহর্ষি। য়েত্তু, বিধি কায়দনা মন্ত্রনা শেংদোকুবা, হবি অসে সনাগী পাত্রদা হাপচুনা থম্মি। মাসি যজ্ঞেশ্বর শ্রীবিষ্ণুগী চংশদা কংকক্তোরি। ভগবান্ বিষ্ণু মায়বা কনাওবা দেবতা (লাই) অকত লৈত্রবনি। হবিষগী অথোয়বা শক্তম অসে ঐনা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুদা কংকনি। থবক পুন্নমক তৌবা ওবদি ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুশনি। যজ্ঞগী শক্তম ভাগদগী মতৌক চাবদি শ্রীবিষ্ণুত্রনি ॥২২॥

নিংথৌ। অসোমদা কৈলাসগী চীঙক্তা পার্ব্বতীনা হায়রি,— ভগোকপনি। আঃ! ঐগী ইপুগোয়বা ভগবান্ শঙ্করনা ওসগী মাদা তৌরবা যজ্ঞ আসিগী শক্তম কংথাই অমা, নত্তাপা শক্তম অহুমগী শক্তম অমা কংলবদি কবি ব্রত, কাই উপাসনা, কবি দান তৌরগা থোক্তনগে? ॥২৩॥

লোয়নবীগী মথক্তায় ফুংওাইতনা শেংনবা ওাওবা অসি তাবদা মহাদেবনা হায়রা ফুংওাই হরাওনা থোন্-জেল হৌনা কাক্ কাক্ নোক্তলই। ইবেম্মা! মচবী! খুংথেংবী! যজ্ঞ পুন্নমক্কী ঈশ্বর (মপু) দি— মহাদেব ঐনি হায়বসি খঙব্রিদোয়রকো। ঐগী বিষয়দা কয়ম হায়না ওাক শক্তদগে হায়বহুত্ নংবো খঙব্রি ॥২৪॥

ইবেম্মা! ঐ লোইনা খঙই। পূর্ণং ওক্তনা ধ্যান তৌদবা মীনা ঐগী থাকৈদেংবো রূপপু থঙবা ঙমদে। ওসি নংবা ফুংওাইথিনবা ওক্তাংথিবাসদা ইন্দ্রনচিংবা দেবতা পুন্নমক্তা লোয়ননা মরোল অহুম অসি তৌকম থওক্তদ্রে ॥২৫॥

যজ্ঞদা স্তুতি থীবা কাওবু অমনা ঐগী স্তুতি গান তৌরি। সামগান শকপা কাওমু অমনা সামবেদগী রথন্তর কৌবা শক্তক অহু শকুনা ঐগী স্তুতি তৌনৈ। বেদগী ওবদু মুনা খঙবা ব্রাহ্মণশিংনা ঐগী যজ্ঞ-ত ঋত্বিশিংনা যজ্ঞগী ভাগ ঐতোন্দঃ হায়া কংলি ॥২৬॥

দেব্যুবাচ।

স্বপ্রাকৃতোঽপি পুরুষঃ সর্ব্বঃ স্ত্রীজনসংসদি। ভবতি গর্ব্বিতে চাপি ক্ষমাত্মানং ন সংশয়ঃ ॥২৭॥

শ্রীভগবানুবাচ।

নাত্মানং স্তৌমি দেবেশি তন্মধ্যমে। যৎ প্রক্ষ্যামি যথাল্লোকে ভাগার্থে বরবর্ণিনি ॥২৮॥

ইত্যুক্ত্বা ভগবান্ পত্নীমুমাং প্রাণৈরপি প্রিয়াম্। সোঽসৃজদ্ভগবান্ বক্ত্রাৎ ভূতং রোমহর্ষণম্ ॥২৯॥

তমুবাচাক্ষিপমখং দক্ষস্যেতি মহেশ্বরঃ। ততো বক্ত্রাৎ বিমুক্তেন সিংহেনৈকেন লীলয়া ॥৩০॥

দেব্যামন্যুব্যপোহার্থং হতোদক্ষস্য বৈ ক্রতুঃ। মন্যুনা চ মহাভীমা মহাকালী মহেশ্বরী ॥৩১॥

আত্মনঃ কর্ম্মসাক্ষিত্বে তেন সার্দ্ধং মহানুগা। দেবস্য সুমতং মত্বা প্রণম্য শিরসা ততঃ ॥৩২॥

আত্মনঃ সদৃশঃ শৌর্য্যাৎ বলরূপসমন্বিতঃ। স এব ভগবান্ ক্রোধঃ প্রতিরূপসমন্বিতঃ ॥৩৩॥

অনন্তবলবীর্য্যশ্চ অনন্তবল পৌরুষঃ। বীরভদ্র ইতি খ্যাতো দেব্যামন্যুপ্রমার্জকঃ ॥৩৪॥

দেবীনা হায়,— ঈবুঙো! কৃত্তিম্ব কৈজত্রনা কয়া পঙলব নিপা কাওবা মাগী মপীগী মমাঙদা, মপী-শিংগী মমাঙদা মশাবু থাগচে মশাগী গুণবু শাশাহুনা তাহল, চাউথোক্‌ই। হায়জরিবা অসিদা কয়িমতা চিংনকম কৈত্রবনি ॥২৭॥

মহাদেবনা হায়,— দেবতা পুরমকী মথেম্মা! খাংজেংবী! শাঙ-শাক তোনগানবী! মুতু-কজবী! নমাঙদা ঐনা ঈশাবু থাগচবা নতে। করে, ঐগী ঈভীক্‌ যেংঙু। নংনা মুংতাইরিবা যজ্ঞ অসিবু থুগাই-নবা কজবা নিপা অমা ঈশাদগী পুথোক্কে, যেংঙু কো ॥২৮॥

থরায়দগী হেন্না মুংনিজবী পার্ব্বতীদা অসুমা হায়রগা ভগবান্ মহেশ্বরনা মশাগী মাহুংদগী অকিবগী মশক কনো কজবা নিপা অমা চোংথোকহল্লকই। মতু উবদা পার্ব্বতীগী মীগু হরাউবা অমদি মুংতাইবা পোক্লকম ওই ॥২৯॥

মহেশ্বরনা থোরক্লিবা নিপা অদুদা অয়ুপ্পা হায়রকই,— "অকনবা! চৎলু, দৌক্ষিকমক দক্ষগী যজ্ঞ থুগাইক।" ভগবান্ শঙ্করগী মাহুংদগী থোরকপা অকনবা অদুনা লোংশাগী নতৌওম্মা তংল-তোংলহনা— পার্ব্বতীগী অরাবা অশাউবদু তোক-এগীদমক্তা ঈদো থোওরদনা দক্ষগী যজ্ঞ মদু সারকার শাহল্লক্ক ॥৩০॥

মতম অদুদা ভবানী পার্ব্বতীগী অশাউবদগী পোকখিবা অকিবগী মশক ওইবা মহাকালী মহেশ্বরীনা মশাগী মতীক মওংবু উংকে চায়বগীদমক মাগী সেবকশিংগা লোয়ননা বীরভদ্রগা লোয়ননা চৎখি ॥৩১॥

(বীরভদ্রনা যজ্ঞ থুগাইবগী বিবরণদি মতুংদা ইরক্লগনি।) বীরভদ্র অসি হেক্‌ পোকপদা মহাদেবকা মথুং লোয়রবা থুরকখি। অকনবা নিপা অসি মতীক-মওং, মথোনা-মপাঙ্গলনা মাগী দৈত্যেং ওইদুনা পোকই। মহাক অসি ভগবান শিবনা হেক হায়রিবমথৈ তোবা ভমগনবা মীশক্ অমনি। মহাদেবকী হক্চাংদগী অশাউবা হায়বদুমক্তী মূর্ত্তি ওইবা চোংথোকখিবা দেবতা অমত্তনি। মহাকী থৌনা, কনবা, মথিল, বীর্য্য, শক্তিগী কথিওবা চাংদমনীংঙাম অমমি তমথৈ দৈরমদে। পার্ব্বতীগী অশাউবা মুংতাইভবু গোক্কনবা তঙ্গা

সোঽসৃজদ্‌ রোমকূপেভ্যো রৌম্যান্‌ নাম গণেশ্বরান্‌। রুদ্রতুল্যা গণা রৌদ্রা রুদ্রবীর্য্যপরাক্রমাঃ ॥৩৫॥
তে নিপেতুস্ততস্তূর্ণং দক্ষযজ্ঞবিহিংসয়া। ভীমরূপা মহাকায়াঃ শতশোঽথ সহস্রশঃ ॥৩৬॥
ততঃ কিলকিলাশব্দৈরাকাশং পূরয়ন্নিব। তেন শব্দেন মহতা ত্রস্তাস্তত্র দিবৌকসঃ ॥৩৭॥
পর্ব্বতাশ্চ ব্যশীর্য্যন্ত চকম্পে চ বসুন্ধরা। মারুতাশ্চৈব ঘূর্ণন্তে চুক্ষুভে বরুণালয়ঃ ॥৩৮॥
অগ্নয়োনৈব দীপ্যন্তে নৈব দীপ্যতি ভাস্করঃ। গ্রহা নৈব প্রকাশন্তে নক্ষত্রাণি ন চন্দ্রমাঃ ॥৩৯॥
ঋষয়ো ন প্রকাশন্তে ন দেবা ন চ মানুষাঃ। এবন্তু তিমিরীভূতে নির্দহন্ত্যপমানিতাঃ ॥৪০॥
প্রহরন্ত্যপরে ঘোরা যূপানুৎপাটয়ন্তি চ। প্রমর্দন্তি তথা চান্যে বিমর্দন্তি তথা পরে ॥৪১॥
আধাবন্তি প্রধাবন্তি বায়ুবেগা মনোজবাঃ। চূর্ণ্যন্তে যজ্ঞপাত্রাণি দিব্যান্যাভরণানি চ ॥৪২॥

মিপা অসি মকুংদা মীরজত্র অমুম কারবা কাওখি ॥৩৩—৩৪॥ মহাক্না মহাকী হুবোংশিংদগী মশীং লাক্-ওমহনবা রৌম্য কৌবা গণেশ্বরশিংবু পুথোক্‌খি। মথোয় অদু অমমম্না রুদ্রগা মান্নবদগী রৌদ্রগণ হায়বা অমুম থওনথ্রে। মথোয় অমসুংসি মতীক্‌-মগুণ মথৌমা, মপাঙ্গল্দা রুদ্র অমমমুপা চপ মান্নৈ ॥৩৫॥

অকিবগী মশক কংনা মশা মক্ত করবা রুদ্রশিং অসি চামা চামা লিশিং লিশিংনা থুঙিং ওইদুনা মপৈ মপৈ চোংথোরকুনা থেক্-লাউবগী খোঙ্গেলনা আকাশ পাতাল পুম্নিন্‌ মিলহনা দক্ষগী যজ্ঞদুবু থুগাইহনবা হায়বগী কুমিরগে ॥৩৬॥

মথোয়গী অকিবগী মশক কংনা লাউশিন্নরুপা খোন্নাউ অদুনা যজ্ঞদা লাক্লিবা দেবতাশিংদুগী থম্মোয়দা অকিবা, মিপাইবা পোক্‌খি। চীঙ্‌মান্‌ পুম্নমক মচেং মচেং লীওথারখি। পৃথিবী অসি থক্‌ থক্‌ নীকই। নীং-মায় পাঙবা নাদবরনৈথে মুক্কোং চেগায়, ঈকুল নাংকুমা থরক মুশিং অকনবা লাক্‌খি। সমুদ্রদা ঈথক্‌ কয়া কয়া হৌজিল্লকই ॥৩৭—৩৮॥

মতম অসিদা মৈ অমতা চাকত্তু মাখিত্রে। ভূমিংনা মশেল ময়াং ওইনা থিত্তু মতারে। খা থবান-মচাক, গ্রহমচিংবা অমত্তা তেজ যাওখিত্রে, মান্নৈপ পুম্না পুম্নম মমশিন্নরে। কন্নাগী লাই ওাইবংমী, মুনি ঋষি পুম্নমক তুম্নিন্‌ তুমিন্‌ লোংমথে। দক্ষগী মকমদগী চোম্না কংলখ রুদ্রশিংনা যজ্ঞগী মণ্ডপ অকোয়বদা মৈ থাগংনরকই ॥৩৯—৪০॥

অকিবগী মশক কংলখা ভূতশিংনা যজ্ঞদা কম্নিগা— মাওম্বিবা মলত্তাশিং অদুবু শাথিনা কূবা হৌরক্রে। থরনা যূপকাষ্ঠ (যজ্ঞগী যুংলিব মুশী) শিং অদুবু ফুক্‌ ফুক্‌কুনা লংখোয়রক্রে। রুদ্রশিং থরনা যজ্ঞগী পোং চৈ পাত্র হোমকৈনচিংবদু থুদেক্‌পা নৈথাইবা হৌরক্রে ॥৪১॥

মুংশিংকী অমদি পুক্নীংগী মত্তৌগুম্না মাঙলবা অদুগা শাক্‌ কন্নবা ভূতশিংদু যজ্ঞ মণ্ডপ মনুংদা অমদগী অমদা কাদু কায়ল কোয়চেল চেল্লকই। থরনা যজ্ঞগী মঙল মাম্নবা পাত্র অমদি কিয়োলশিং অদু শিংগুপ শানা থুগাইরক্রে, শেগায়দুনা লংখোয়রকই ॥৪২॥

বিশীর্য্যমানা দৃশ্যন্তে পর্ব্বা ইব নভস্থলে। দিব্যান্নপানভক্ষ্যাণাং রাশয়ঃ পর্ব্বতোপমাঃ ॥৪৩॥
ক্ষীরনদ্যোঽথ দৃশ্যন্তে ঘৃতপায়সকর্দ্দমাঃ। দধিমণ্ডোদকা দিব্যাঃ খণ্ডশর্করবালুকাঃ ॥৪৪॥
ষড় সান্ সিষহুদ্ধোতা গুড়কুল্যা মনোরমাঃ। উচ্চাবচানি মাংসানি ভক্ষ্যাণি বিবিধানি চ ॥৪৫॥
পানকানি চ দিব্যানি লেহ্যচোষ্যাণি যানি চ। ভুঞ্জতে বিবিধৈর্ব্বক্তৈ র্বিলুম্পন্ত্যাক্ষিপন্তি চ ॥৪৬॥
রুদ্রকোপাগ্নিহাকারাঃ কালাগ্নিসদৃশোপমাঃ। ক্ষোভয়ন্ সুরসৈন্যানি ভীষয়ন্তঃ সমন্ততঃ ॥৪৭॥
ক্রীড়ন্তি বিবিধাকারাশ্চিক্ষিপুঃ সুরযোষিতঃ। রুদ্রক্রোধাৎ প্রযত্নেন সর্ব্বদেবৈঃ সুরক্ষিতম্ ॥৪৮॥
তং যজ্ঞমদহচ্ছীঘ্রং রুদ্রকর্ম্মা সমন্ততঃ। চকার ভৈরবং নাদং সর্ব্বভূতভয়ঙ্করম্ ॥৪৯॥
ছিত্ত্বা শিরো বৈ যজ্ঞস্য ননাদ চ মমোদ চ। ততো ব্রহ্মাদয়ো দেবা দক্ষশ্চৈব প্রজাপতিঃ ॥৫০॥

মখোয়না লাক লাক্লুনা লংথোরক্পা লংলবা মকুপশিং অদু নোংমদোম্বক্লা কুকেং কাকেং ওান্নিবা থন্নানমচাকশিংগী মতৌগুম্না উই। মখোয়না ল থোক্লকপা পাত্র মচেং, ফি মচেং অদুগা অচা অথকশিংগী মকুপশিংদুনা মপৈ মপৈ পৈথংলক্লুনা চীগুদুম্ অমমমগুম থিঙ্ খিন্দুনা লৈথি ॥৪৩॥

শঙ্গোম মরী মরীনা তুরেলগুম চেন্থ্রি। ঘী মাথন ক্ষীরগী মপৈ মপৈনা কম্জিন্ মপশিন্থিদুনা পীং পীং লাউনা লৈথোম থোক্লি। শঙ্গোম-মপান, শঙ্গোম-অশীন্বা মহীনা ঈচেল নাইনা চেন্থরক্লি। চিনি অকেওবা, চিনি অতৌবগী মপৈ মপৈ চাইথোরক্লুনা যজ্ঞ মণ্ডপকী পাক্-চাউরবা লৈমায় অদু লৈতোম মপৈ মপৈনা হাগৎলকপগুম উরি ॥৪৪॥

শঙ্গোম, ঘী, শঙ্গোম-মপান্গী তুরেনশিং অদু রস ওক্লকী অগাপোৎ মপৈ মপৈবু কৌশিং কোরাংগী মতৌগুম্না চেন্থদুনা পুরি। উইদে মথল মথন্না অংগা হাউনা হাইনা থোংদুনা শেম শায়বা অচা অথক্ মথল মথন্না শঙ্গোমগী তুরেলশিং অদুদা তাউথরি ॥৪৫॥

হাউর হাউরবা শায়দুনা চামবা, থক্লনবা, লেক্লুনা চাননবা, চুপ্পুনা চাননবা অচা-অথক্শিং অদু রুদ্র-শিং ভূতশিং অদুনা চারি, বৈপাইরি, লো লোদুনা অমদা অমগা লংশিন্নরকই ॥৪৬॥

মশা-মউ করবা, রাং চাউরবা কল্লবা ভূতশিং রৌদ্রশিং অদুনা লাইশিংগী লান্মী খোঙলোরশিং অদুবু তান্থাইরকথি মখোয়গী থম্মোয়দা অকিবা মিপাইবা পোকহল্লি ॥৪৭॥

মওং কীবম তোঙাল তোঙালবা রুদ্রশিং অদুনা চোংল চোংলদুনা, জগোই শা শারদুনা যজ্ঞমণ্ডপদুংদ কোয়চং চংলম্মি। লাইশিংগী লোয়নবীশিং অদুবু পায়থং পায়থংদুনা লাক্ লাক্ লংথোক্থি। লাইরামশিং অদুনা পুক্লপ হৌদুনা যজ্ঞ অদুবু ফময়নবা ওাক্লনবা হোংনথি। অদুবু মহাদেবগী অশাউবদগী পোকখিবা কল্লবা বীরভদ্রনা মখেয় মরাম অদুবু কা কাদুনা মৈদুংদা লংশিন্দুনা মখোয়বু উং ওইনা মাঙহনখি ॥৪৮॥

অদুগী তুংদা বীরভদ্রগা অমূকমুক লাউথকপদা অদুক য়াম্না ভিক্লিরশিং অদুগী থম্মোয়দা অকিবা, মি-পাথবা পোক্ই। অদুগী যজ্ঞদেবতাদুমকী মতক কক্লুনা য়াম্না কৌনা সিংহনাদ লাউথি। অদুদগী থেক্লা থেক্লা নোক্লুনা জগোই শার শারদুনা চোংথি ॥৪৯॥ অদুগী তুংদা ব্রহ্মানচিংবা দেবতা পুম্নমক্লা অদুগা

বীরভদ্র উবাচ।

নাহং রুদ্রো ন বা দেবী নৈব ভোক্তুমিহাগতঃ। দেব্যামন্যুকৃতং মত্বা ক্রুদ্ধো সর্ব্বাত্মকো প্রভুঃ ॥৫১॥
দ্রষ্টুং বা নৈব বিপ্রেন্দ্রান্ নৈব কৌতূহলেন বা। তব যজ্ঞবিনাশার্থং সম্প্রাপ্তং বিদ্ধিমামিহ ॥৫২॥
বীরভদ্র ইতি খ্যাতো রুদ্রকোপাৎ বিনিঃসৃতঃ। ভদ্রকালীতি বিখ্যাতা দেব্যাঃ কোপাৎবিনিঃসৃতা ॥৫৩॥
প্রেষিতৌ দেবদেবেন যজ্ঞান্তিকমিহাগতৌ ॥৫৪॥
শরণং গচ্ছ বিপ্রেন্দ্র দেবদেবমুমাপতিম্। বরং ক্রোধোঽপি দেবস্য বরদানং ন চান্যতঃ ॥৫৫॥
বীরভদ্রবচঃ শ্রুত্বা দক্ষো ধর্মভৃতাং বরঃ। তোষয়ামাস স্তোত্রেণ প্রণিপত্য মহেশ্বরম্ ॥৫৬॥
প্রপদ্যে দেবমীশানং শাশ্বতং ধ্রুবমব্যয়ম্। মহাদেবং মহাত্মানং বিশ্বস্য জগতঃ পতিম্ ॥৫৭॥

প্রজাপতি দক্ষনা থুং লোয়রুনা "হে দেবদেব! নহাক্পু কনানো? কনায়দগী লাকপনো?" অহুম হায়রনা বীরভদ্রনা হংখি ॥৫০॥

বীরভদ্রনা হায়— ব্রহ্মন্! ঐ রুদ্রসু নত্তে, দেবী দুর্গাসু নত্তে। অদুগা ঐ মকম অসিদা যজ্ঞগী শরুক ফাংলুগে চাকগে হায়না লাকপসু নত্তে। প্রজাপতি নহাক্না অসিদা তৌরিবা যজ্ঞ অসিনা দেবী পার্ব্বতীগী অশাউবা পোকহনবগী মরম ওইবা কারণ— মরম অমা ওইখ্রে। দেবীগী অশাউবগী মরম অদু মুম্না খঙলুনা মহাদেবনা প্রজাপতি দক্ষ নহোক্কা শাউখিবনি ॥৫১॥

ঐনা মকম অসিদা লাক্লিবসে ঋষি ব্রাহ্মণ ময়াম অসিগী দর্শন তৌবা লাকপা নত্তে। যজ্ঞগী কুইম্মে ফংঙাইবা অসি য়েংগে হায়রুনা লাকপসু নত্তে। ঐনা মফম অসিদা লাকপগী মরমদি প্রজাপতি দক্ষ নহাক্কী যজ্ঞ অসি থুগাইবা অসিনগীনি ॥৫২॥

ঐগী মিং বীরভদ্র কৌই। ঐ রুদ্রদেবগী অশাউবগী পোকখিবনি। মসি অসিনা ভদ্রকালী কৌই, মহাকসিনা পার্ব্বতীগী অশাউবগী পোকখিবনি। দেবদেব মহাদেবনা ঐখোয় অনীবু মফম অসিদা থারক্পনি। অদুনা ঐখোয় অনীমক মফম অসিদা থুংলক্লিবনি ॥৫৩—৫৪॥

ব্রাহ্মণ অখোইবা! দক্ষ! নহাক মহাদেবগী চরণ জো। মহাদেবনা শাউরিবসিসু মঙ্গলগী মশক অমনি। মীচম্বগী কাবা বরদান মঙ্গলগী মশক ত্তাক্ ওদবনি ॥৫৫॥

বীরভদ্রগী ৱা অসি তাবনা ধর্ম্মানুবর্শিগী মঙ্গুম্দা অথোইবা প্রজাপতি দক্ষনা ভগবান্ সদাশিবগী উদ্দেশ্যদা মকোক্ নোম্না মথুং লোয়রুনা স্তুতিশিং অদু মতৌ অসুম্না শকখি— শোন্খি ॥৫৬॥

অচচন্ত্রনা থখবা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমকী—
ওইরবা য়াংক্-য়াতেম্বিবা ভাক্পিবা মপু মহাক্কী
লেওরবা মূর্ত্তি পুন-পুনা, শক্তোল ময়াম্ পুত্তবা,
থুমক্না জগৎপু কোইশিন্বা, অঙকপা শক্তি পুত্তবা,
চঙজরি নংগী চরণদা মহাদেব পৌবা অকন্বা ॥৫৭॥

প্রাণাপানৌ সংনিরুদ্ধ্য বক্ত্রস্থানেন যত্নতঃ। বিচার্য্য সর্ব্বতঃ দৃষ্টিং বহুদৃষ্টিরমিত্রজিৎ ॥৫৮॥
সহসা দেবদেবেশো হ্যগ্নিকুণ্ডাৎ সমুত্থিতঃ। বিভ্রৎ সূর্য্যসহস্রস্য তেজঃ সংবর্ত্তকোপমঃ ॥৫৯॥
স্মিতং কৃত্বা ব্রবীৎ বাক্যং ব্রূহি কিং করবাণি তে। শ্রাবিতে চ মখাধ্যায়ে দেবানাং গুরুণা ততঃ ॥৬০॥
তমুবাচাঞ্জলিং কৃত্বা দক্ষো দেবং প্রজাপতিঃ। ভীতশঙ্কিতবিত্রস্তঃ সবাষ্পবদনেক্ষণঃ ॥৬১॥
যদি প্রসন্নো ভগবান্ যদি চাহং ভবৎ প্রিয়ঃ। যদি বাহমনুগ্রাহ্যো যদি বা বরদো মম ॥৬২॥
যৎ দগ্ধং ভক্ষিতং পীতমশিতং যচ্চ নাশিতম্। চূর্ণাকৃতাপবিদ্ধং চ যজ্ঞসম্ভারমীদৃশম্ ॥৬৩॥
দীর্ঘকালেন মহতা প্রযত্নেন সুসঞ্চিতম্। তন্ন মিথ্যা ভবেন্মহ্যং বরমেতমহং বৃণে ॥৬৪॥
তথাস্ত্বিত্যাহ ভগবান্ ভগনেত্রহরো হরঃ। ধর্ম্মাধ্যক্ষো বিরূপাক্ষ স্ত্র্যক্ষো দেব প্রজাপতি ॥৬৫॥
জানুভ্যামবনিং গত্বা দক্ষো লব্ধ্বা ভবাৎ বরম্। নাম্নামষ্টসহস্রেণ স্তুতবান্ বৃষভধ্বজম্ ॥৬৬॥

অসুম হায়না হায়না নোঙ্গুক্কা খুৎলোয়না দক্ষনা স্তুতি তৌরক্লবা মতম অসিদা মীৎ শিংশিং পানুহন্না, যেক্লবা নৈপেবু খুমজ্জা তাক্হৎনা ভূম্ব, মায়থোং কয়া কয়না নৈকেৎ ওইনা, মহাদেবনা প্রাণ অপান বায়ু অনীবু চীন্তনা থিন্দুনা, শরকবা মীৎশিংশিংনা মায়গী তরা য়েং য়েংদুনা যজ্ঞগী অগ্নিকুণ্ডদুনগী হোৎলোরকই। প্রলয়গী নৈগী মতৌগুম্বা তেজ নৈরবা মহাদেবনা লুমিং লিশিং অমগী তেজ পুদুনা দক্ষগী মাঙমক্তদা চপ লেপখি। মোমোন্ ভৌনা— "প্রজাপতি! ঐবু নীঙশিংতকপগী মরম কদ্রিনো? ঐবু করি তৌ হায়রবগে?" অসুম্না মহাদেবনা হায়খি ॥৫৮—৫৯॥

মতম অদুদা দেবগুরু বৃহস্পতিনা মহাদেবগী মকমদা বেদগী মখাধ্যায়বু ঋচাগান তৌদুনা তাহনখি ॥৬০॥

অদুগী তুংদা প্রজাপতি দক্ষনা মমী অনীগী পি শিন্দুনা মথুৎ লোয়দুনা চিনবা অকিবা মিপাইবগা লোয়ননা অসুম্না হায়রকই,— ভগবান্! ঐবু চাম্বিরবাদ ঐবু নহাক্কী নুংশিবিবা য়াবা মীওক অমনি হায়না থনবিরবদি, থৌজালগী মীৎয়েং য়েংবিবা য়াবা মীওক অমনি হায়না লৌবিরবদি, অদুগা নহাক্কা বর অমত পীবিগে থন'বরবদি ঐনা ঈবুঙো নঙোন্দগী নিজগদবা বর হায়রবু— মতম কুইদা য়ানা লাঙথক্চদুনা শিংথক্চবা যজ্ঞ অমুগা থর .থামজিন্নরকপা মচাক, মথোয়চুদগী থরম্থু মৈ থাদোক্কপিরবা, অদুনা— লুথাক তাহৌরব', শরক অমাম্বনা শিংগুম শানা মাঙহনবিরবশিং অসে অরেম্বদা তাহনবিগনু। অরেম্বা শরকশিং অনিবুম্থু মাংহননিগদ্ব ॥৬১—৬৪॥

মাদু তাবদা ধর্ম্ম পুম্নমক্কী অধ্যক্ষ (খ্বাইগী মথক্তা য়েংশিনবিবা) ওইরিব, মীৎয়েং শক্তি তাঙ্গাল তোঙাম্ম পুবা মীৎয়ম্না অহুম্না লৈতেংবা, সংসারগী মায়া ঐশ্বর্য্যদা য়েংশিন্নীংবা মীৎপু মাঙহনবা, দেবতা পুম্নমক্কী দেবতা ওইবা, ভগবান্ সদাশিবনা,— "হোক, অদুম্মক ওইরসনু" অসুম হায়না মহাক্কা পামজবিবা নীঙ্গ রিহা বর অদু দক্ষদা পীবিখি ॥৬৫॥

বর অদু ফংলবা তুদা নৈমায়থক্ত, খুরুখুদক কুন্দুনা মখুৎ লোইদুনা মহাদেবদা মকোক্ নোম্না খুরুমজখি। অদুগা মহাদেবগী নাম লিশিং অমগা নীপাল্লা বৃষধ্বজ মহাদেব স্তুতি তৌখি ॥৬৬॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

যৈর্নামধেয়ৈঃ স্তুতবান্ দক্ষো দেবং প্রজাপতিঃ। বক্তুমর্হসি মে তাত শ্রোতুং শ্রদ্ধাসমানয় ॥৬৭॥

ভীষ্ম উবাচ।

শ্রূয়তাং দেবদেবস্য নামান্যদ্ভুতকর্মণঃ। গূঢ়ব্রতস্য গুহ্যানি প্রকাশানি চ ভারত ॥৬৮॥

নমস্তে দেবদেবেশ দেবারিবলসূদন। দেবেন্দ্রবলবিষ্টম্ভ দেবদানবপূজিত ॥৬৯॥

সহস্রাক্ষ বিরূপাক্ষ ত্র্যক্ষযক্ষাধিপপ্রিয়। সর্বতঃ পাণিপাদান্ত সর্বতোঽক্ষিশিরোমুখ ॥৭০॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুধৌ। পাপকী শরুক য়াওরবা। প্রজাপতি দক্ষনা মহাদেবগী স্তুতি তৌবদা থীজিবা হৌজিক হায়রিপ্রবা নাম লিশিং অমা নীপান হায়বতু অমুক্তা হায়বিয়ু, ঐঙোন্দা তাহনবিয়ু। মাহূ ঐ শ্রদ্ধাগঃ লোয়ননা তাজনীঙক্রে ॥৬৭॥

ভীষ্মনা হায়,— ভারত-নন্দন। অঙকপা অকিবা থবক্তা তৌরগ, য়াম্না কুপথরবা থুপথরবা ব্রত-তা তৌদুনা লৈরিবা, মহাদেবগী নামশিং অসিগী থয়দি য়াম্না থুপ্না কোঙদোকহৈদনা লৈরবনি। কোঙদোকপা য়াবা থননা কোঙদোকক্রে। কোঙদোকপ্রবা নামশিং অদো নহাক তারো ॥৬৮॥

নামশিং অদু মথং মথং অস্তুম্না লক্কন থীথাদি। * মীৎ (নয়ন) লিশিং অমা পানবদগী (১) সহস্রাক্ষ, মীৎনচিংবা হাঁয়ুমশিংনা প্রত্যক্ষ ওইবা পোত্ত নত্তনা পরোক্ষ ওইবা পোৎ পুম্বা উত্তম-তাওনা (২) বিরূপাক্ষ, মীৎ অহুম পানবদগী (৩) ত্র্যক্ষ, যক্ষ-নিংথৌ কুবেরগী চানবিবা মপু ওইবদগী (৪) যক্ষাধিপপ্রিয়, মকমপুম্বদা য়ৌঙম-কুপওম্বা খোঙ খুৎ পানবদগী (৫) সর্বতঃ পাণিপাদান্ত, মতম-মায়গৈ পুম্বদা ঈয়ৌ য়ৌবা, ঊথুং থুংবা কোক্ মীৎ মায়খোং পুবনা (৬ সর্বতোঽক্ষিশিরোমুখ কৌই ॥৭০॥

* গোপালসহস্রনাম খণ্ডদে, শিবসহস্রনাম খণ্ডদে, বিষ্ণুসহস্রনাম খণ্ডদে— নাম অমমপু লোল অমদা থক ছন্দোকপা য়াদে, হৌন্থ হৌনদে, ছন্দোক্লবস্থ অহুম মরানগনি। মরমদি—ছন্দোকপা মতমদা বাক্যরা উপ-বাক্যরা, বাক্যাংশরা অমদি শোয়দনা ওইথিগনি। বাক্য উপবাক্যনচিংবনা মিং থোক্লদে। মিং অসিগী অর্থ কয় হায়রিবনো হায়না হংবদি য়াই। মাহুম্না তৌরবদি কবিগুম্বা লোল অমদা বাক্য অমনা মপুংফানা ছন্দোক্লবস্থ করিমতা কায়ক্রে। ‘হিমালয়’ হায়রব মিং অসি লোল অমদা মিং সিমকী চপ-অর্থ-পুঙবা শব্দ য়াহৈ অমতদা মিংথোনবা য়াদে, যাতল্লবস্থ অহুম মরামগনি। হিমালয়বু উনগী মযুম, উনগী ভূংকম কৌই হায়রবদি লাল্লি শব্দ অমতস্থু নত্রে বাক্যাংশ অমা কাপ্রে। লোল অমদা ছন্দোকপা কত্তে হায়বতনি। বাক্য পুম্না অমনা মিং থাংব য়াক্রে হায়বগী তাকস্থ নত্তে। ‘চেপ্লাপাই’ হায়বসি খুল অমগী মমিংনি। বাক্য অমা মপু কানা [illegible] থানগি। ইংরেজী লোন্দা অসিগুম্ব মিং অসি য়াম্না লৈ। মরম অদুনা— শিবজীগী নামশিং [illegible] মীৎংলোন্দা ঈদন্ ছন্দোক্তনা অরু-অরুব মতাংদা বাক্যাংশনা বক্কনী মঙ্গংদা ইবন। কৈ। অহুম তৌবাগ মিংশিং অসিতবু অপ তৌজনিংবশিংগী মকমদস্থ খোইদোকপা কায়বা লৈরবোই। অদুনা নামশিং অসি সংস্কৃত-শব্দদা লৈবতু ঈকায় কায়দনা অদুম্বক্ ইরি। (কালাচাঁদ)

সর্ব্বতঃ শ্রুতিমাল্লোকে সর্ব্বমাবৃত্য তিষ্ঠসি। শঙ্কুকর্ণ মহাকর্ণ কুম্ভকর্ণার্ণবালয় ॥৭১॥
গজেন্দ্রকর্ণ গোকর্ণ পাণিকর্ণ নমোঽস্তু তে। শতোদর শতাবর্ত্ত শতজিহ্ব নমোঽস্তু তে ॥৭২॥
গায়ন্তি ত্বা গায়ত্রিণোঽর্চ্চয়ন্ত্যর্কমর্কিণঃ। ব্রহ্মাণং ত্বা শতক্রতুমূর্দ্ধ্বং খমিবমেনিরে ॥৭৩॥
মূর্ত্তৌ হি তে মহামূর্ত্তে সমুদ্রাম্বরসন্নিভঃ। সর্ব্বা বৈ দেবতা হ্যস্মিন্ গাবো গোষ্ঠ ইবাসতে ॥৭৪॥
ভবচ্ছরীরে পশ্যামি সোমমগ্নিং জলেশ্বরম্। আদিত্যমথ বৈ বিষ্ণুং ব্রহ্মাণঞ্চ বৃহস্পতিম্ ॥৭৫॥
ভগবান্ কারণং কার্য্যং ক্রিয়া করণমেব চ। অসতশ্চ সতশ্চৈব তথৈব প্রভবাপ্যযৌ ॥৭৬॥

মকম পুম্নমক্তা নংগী নংগী নাকোং লৈবনা, হায়বদি— লোইনা ঈত ভাবনা (৭) সর্ব্বতঃ শ্রুতিমান্ পুম্নমকপু কৃপ্তুনা লৈহনা (৮) সর্ব্বব্যাপক কৌই (৯)। শঙ্কুকর্ণ (১০) মহাকর্ণ (১১) কুম্ভকর্ণ (১২) অর্ণবালয় (১৩) গজেন্দ্রকর্ণ (১৪) গোকর্ণ (১৫) পাণিকর্ণ মুভা অসি নহাক্কী পাইহন মক্তনি। মহাদেব নহাক্কী নখক ওইবনা তরেৎ অসিগু নহাক্কী মিং মক্তনি। অসিগুম্বা মিং অসিদু পুদ্বিব শিদ নহাক্কী নকমদা হন্না হন্না খুরুমজরি ॥৭১॥

পুক্ চাম চাম পানবনা শতোদর, নাকৃথ চাম চাম পাননবা শতাবর্ত্ত লৈজৈ চাম চাম পানবনা— শতজিহ্ব কৌবা নহাকপু হন্না হন্না খুরুমজরি। গায়ত্রীমন্ত্র জপ তৌবনা মহাক্ক মন্ত্র শাক্ক। সূর্য্যদেবগী উপাসকশিংনা নহাক্কী উপাসনা তৌরি। ঋষিশিংনা নহাকপু ব্রহ্মাগী, শতক্রতু ইন্দ্রগী অমুগা আকাশগী চপ, মান্নবা থাক্কা থাজংতুনা আরাধনা তৌরি। অহুনা হায়রিবা মিংশিং অসিগু নহাক্কী মিং মক্তনি ॥৭২—৭৩॥

সমুদ্র অমদি আকাশগী মতৌগুম্না চাংজৌ নাইত্রবা মূর্ত্তি পুদ্বিবা হে মহামূর্ত্তিধারী মহেশ্বর! শন-শক্তা শন্ লয়াম লৈবগুম্ মৈ ঈশিং মুশিং লৈবাক্, অতি, সূর্য্য চন্দ্রম্বা মিপাল অশিন মক্তম পুম্নমক্তা নত্তোল্লা তুংদুনা লৈরিহনি ॥৭৪॥

ঈবুঙো! নহাক্কী হকচাংদুদা ঐনা সোম, অগ্নি, বরুণ, সূর্য্য, বিষ্ণু, ব্রহ্মা অমুগা বৃহস্পতি পুম্নমক অসি লোইনা উরে। অমুনা মখোয় অসিদু নহাক্কী মিং মক্তনি ॥৭৫॥

প্রভু! কারণ (থবক্কী মরম— মচাক) হায়বমুদু নহাক্নি, নহাক্কী মিংনি। কার্য্য (থবক) অমুমকমু নহাক্নি, নহাক্কী মিংনি। থবক অমু তৌননবগী খুংলায় কারণ হায়বমুদু নহাক্নি, নহাক্কী মিংনি। অমুনা কার্য্য, কারণ, করণ প্রভৃত্যক নহাক্কা নশা মথন্তনা ওইবনা হায়রিবা মখোয়শিং অসিগু নহাক্কী মিংলেন্ মক্তনি ॥৭৬॥

খাইগী লোককম ওইবনা ভব, খাই পুম্নমকপু মাঙহনবা, মুথৎতম্বা ওইবনা শর্ব্ব, পাপ পুম্নমক লাপ্না চেলহনখিবা মরম্না রুদ্র, বর পীনহৈবা মরম্না বরদ, পশুপক্ষীনচিং শা—উচেক্চি যগীদু পতি (মবুঙো— লোইশিন্ খোমজিনবিবা মপু) ওইব মরম্না পশুপতি হায়বসিমদু নহাক্কী মিংলেন্ অমনি। অন্ধকাসুর হাৎপিখিবা মরম্না অন্ধকঘাতী হায়বসিদু নহাক্কী মিং অমনি। নহাকপু ঐনা খুরুমজরি ॥৭৭॥

নমো ভবায় শর্ব্বায় রুদ্রায় বরদায় চ। পশূনাং পতয়ে নিত্য নমোহস্ত্বন্ধকঘাতিনে ॥৭৭॥

ত্রিজটায় ত্রিশীর্ষায় ত্রিশূলবরপাণিনে। ত্র্যম্বকায় ত্রিনেত্রায় ত্রিপুরঘ্নায় বৈ নমঃ ॥৭৮॥

নমশ্চণ্ডায় কুণ্ডায় অণ্ডায়াণ্ডধরায় চ। দণ্ডিনে সমকর্ণায় দণ্ডিমুণ্ডায় বৈ নমঃ ॥৭৯॥

নমোর্দ্ধদংষ্ট্রকেশায় শুক্লায়াবততায় চ। বিলোহিতায় ধূম্রায় নীলগ্রীবায় বৈ নমঃ ॥৮০॥

নমোহস্ত্বপ্রতিরূপায় বিরূপায় শিবায় চ। সূর্য্যায় সূর্য্যমালায় সূর্য্যধ্বজপতাকিনে ॥৮১॥

নমঃ প্রমথনাথায় বৃষস্কন্ধায় ধন্বিনে। শত্রুংদমায় দণ্ডায় পর্ণচীরপটায় চ ॥৮২॥

জটা অহুম পুবনা ত্রিজটা কৌবা নাংবু খুরুমজরি। নহাক্কী খুজা ত্রিশূলনা লৈতেং ওইবা মরমনা— ত্রিশূলধারী কৌবা নঙোন্দা হন্না হন্না খুরুমজরি। মীৎ অহুম পানবনা ত্র্যম্বক কৌবা অদুগা ত্রিপুরাসুরবু হাৎখিবনা ত্রিপুরঘ্ন কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৭৮॥

ফত্তবশিংগী মওক্তা শাস্তিপনব ওইবা মওম্ম চণ্ড কৌবা নঙোন্দা খুরুমজৈ। কুণ্ড মসুংদা উপিংবা তুম্বনা লৈবগুম্ম অমসুং পুম্বনা নঙোন্দা কুম্বনা লৈবা মওম্ম নহাক্কী মমিং কুণ্ড কৌই। ব্রহ্মাণ্ডমক্কী মশক ওইবা ওইবা মওম্মা নহাক্কী মিং অণ্ড কৌই। ব্রহ্মাণ্ডশিমকপু পুম্বনা লৈবা মওম্ম নহাক্কী মমিং অণ্ডধারী কৌই। অচৌবা পুম্ননক্কা ভাঙলিবা শক্তিবা পুম্মকপু মতম অমতদা চপ মান্ননা তাবিবদগী নহাকপু সমকর্ণ কৌই। সু কোকুমা চৈজ (দণ্ড) পায়রুবা চৎপনসু দণ্ডিমুণ্ড কৌই। অসিগুম্বা মিংলোন পুম্বা পুম্মমলিব নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৭৯॥

নহাক্কী চাঁনবান অমনি শদাং কাইনা হুম্না শান্দা অঙ্কপা কাক্কী জটানা মথক্কোমদা চপ চপ থুংনা হৌবা মরম্মা নহাকপু উদ্ধদংষ্ট্রক কৌবনা কৌই। ইদোম ডৌবা শুক্ল ওইবা, অমকুপগী শকক যাওদবনা নংবু শুক্ল, জগৎ ব্রহ্মাণ্ডনা নঙোন্দা শীনখুংনা লৈবনা নহাকপু অবতত হায়না কৌই। রজোগুণ পুম্মকপু চুপ-শিন্দুনা পুডগ্বদগী বিলোহিত. তমোগুণ পুম্মকপু পুগম্বনা ধূম্র হায়না কৌই। খোরী চয়রা অশংবা মচু পুখিবন্দগী নহাক্কী মিং নীলগ্রীব হায়না কৌরখি। অসিগুম্বা মিংলোন ময়াম্বু পুডম্বা নঙোন্দা হন্না হন্না খুরুমজৈ ॥৮০॥

নহাক্কী মশক্কা মান্নবা অতৈ লৈতবদগী, হায়রদি— অতৈ অমপা প্রমাণ তৌননীডবার লৈতবদগী— অপ্রতিরূপ কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি। মথল মশা অয়াম্বা শক্লোন পুবদগী বিরূপ কৌব নঙোন্দা খুরুম-জরি। নশামক শিবনি (মঙ্গলগী মশক্কি) নশামক সূর্য্যনি, সূর্য্যমণ্ডলগী মসুংদা ভাস্বোইরিবনি। অদুনা শিব, সূর্য্য, সূর্য্যমান্ কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি। নহাক্কী ফীরান্দা সূর্য্যদেবতানা প্রতীক (খুদম) ওইনা লৈবদগী সূর্য্যধ্বজপতাকী কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৮১॥

প্রমথশিংগী লিংথো ওইবনা প্রমথনাথ কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি। শল্লাবগী মতৌগুম্বা লোংবাম্না লৈতেং ওইবদগী বৃষস্কন্ধ কৌবা নঙোন্দা খুরুমজৈ। য়েক্কবশিংগী মকমদা নমহৎপা নৈহৎপা হায়বত্থমক্কী মশক ওইদুনা লৈবদগী শত্রুংদম কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি। দণ্ডনক্কী মশক ওইবা, অদুগা উনা-শীনো,

নমো হিরণ্যগর্ভায় হিরণ্যকবচায় চ। হিরণ্যকৃতচূড়ায় হিরণ্যপতয়ে নমঃ ॥৮৩॥
নমোঽস্তু তে স্তুত্যায় স্তূয়মানায় বৈ নমঃ। সর্বায় সর্ব্বভক্ষায় সর্ব্বভূতান্তরাত্মনে ॥৮৪॥
নমো হোত্রেঽথ মন্ত্রায় শুক্লধ্বজপতাকিনে। নমো নাভায় নাভ্যায় ন কটকটায় চ ॥৮৫॥
নমোঽস্তু কৃশনাসায় কৃশাঙ্গায় কৃশায় চ। সংহৃষ্টায় বিহৃষ্টায় নমঃ কিলকিলায় চ ॥৮৬॥
নমোঽস্তু শয়মানায় শয়িতায়োত্থিতায় চ। স্থিতায় ধাবমানায় মুণ্ডায় জটিলায় চ ॥৮৭॥
নমো নর্ত্তনশীলায় মুখবাদিত্রবাদিনে। নাট্যোপহারলুব্ধায় গীতবাদিত্রশালিনে ॥৮৮॥

উত্ত কিমচেং লেপ্পাইবনা লৈরেং ফীজোল ওইবগী পর্ণাবলট কৌব কৌবা নঙোন্দা পুকমজরি ॥৮২॥

নংগী গর্ভগুংদা লৈবা মনাবু পুখোকখিবদগী হিরণ্যগর্ভ কৌবা, মংনা শাবা লাল ফুরিৎ লুহুপনা লৈরেং ওইবদগী হিরণ্য-কবচ, হিরণ্যচূড় কৌব, অদুগা স্বর্ণ— মনা কী-ময়াই পুম্নমক্কী নিংথৌ ওইবা— হিরণ্যপতি কৌব নাবু খুরুমজরি ॥৮৩॥

জীব খুদিন স্তুতি তৌনবদগী স্তুত কৌবা, জীব খুদিংগী স্তুতি তৌনগী্ত্তায় ওইবদগী স্তুত্য কৌবা, হৌজিক হৌজকসু স্তুতি তৌনরিবনা স্তূয়মান কৌবা, পুম্নমক্কী মশক ওইবনা সর্ব্ব কৌবা, পোৎ পুম্নমক্কা নহাক্কী চাক্লাক ওইবনা সর্ব্বভক্ষ কৌবা, অদুগা জীব পানবা পুম্নমক্কী অন্তরাত্মা ওইবা মরম্না সর্ব্বভূতান্তরাত্মা কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৮৪॥

যজ্ঞগী হোত্তাসু নহাকমক্কা ওইবনা হোত্তা কৌবা, নশামক্কা মন্ত্র অদুম্মক ওইবনা মন্ত্র কৌবা, নঙোন্দা খুরুমজরি। নহাক্কী ফীরানগী মচুনা অঙৌবা ওইক্লো ওইবন শুক্লধ্বজ-পতাকী কৌবা, খোয়দৌদা জগৎ পুবনা নাভ কৌবা, বিশ্বব্রহ্মাণ্ড মপুংসিগী খোয়দৌ ওইবনা নাভ্য কৌবা অদুগা জগৎকী কুয়োম পুম্নমক্কী কুয়োম ওইবা মরম্না কটকট কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৮৫॥

হকচাংবু চপশিল খুজিংলকহনদ্রুকপা মতমদা, হকচাংমা পান্ত্রিং পাওখুমদা নাতোল শীশক শীকশিন্‌-খিবদগী কৃশনাস, কৃশাঙ্গ কৌবা, য়াম্না শোক্লবা কালবা হকচাং পুবদগী কৃশ কৌবা, কা চেন্না হরাউ-ফুংজাই-থোকপা অমা ওইখিবদগী সংহৃষ্ট, বিহৃষ্ট কৌবা, অদুগা অকিবগী মশক ফানা চেক্লা থক্লা কাক্ কাক নোক-খিবদগী কিলকিল কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৮৬॥

অচচরর পুম্নমক্কী হকচাংদুদা চীক্তুনা লৈথোকপদগী শয়মান কৌবা, প্রলয়গী মতমদা যোগনিদ্রাদা চীপ্তুনা তুমদুনা লৈথোকপদগী শয়িত কৌবা, মফম মতম পুম্নদা পুমথোং য়োনা মফম অমগদা লেপ্তুনা লৈবদগী স্থিত কৌবা, ধাবমান্ কৌবা, লু কোক্তুন অদুগা জটা পুদুনা সন্ন্যাসী ওইবদগী মুণ্ড কৌবা, জটিল কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৮৭॥

তাণ্ডবনৃত্যদা পুক্নিং চঙদুনা সৈবদগী নর্ত্তনশীল কৌবা, চীক্তনা পেপ্পে শিক্লাগী খোস্তোক থোকহল্লুনা খোংজবদগী মুখবাদিনবাদী কৌবা, কনাগুম্বনা কংলবা থম্বালবু হরাউ হরাউ লৌগদবগী ওইদুনা লৈগনুবদগী

নমো জ্যেষ্ঠায় শ্রেষ্ঠায় বলপ্রমথনায় চ। কালনাথায় কল্যায় ক্ষয়ায়োপক্ষয়ায় চ ॥৮৯॥

ভীমদুন্দুভিহাসায় ভীমব্রতধরায় চ। উগ্রায় চ নমো নিত্যং নমোহস্তু দশবাহবে ॥৯০॥

নমঃ কপালহস্তায় চিতিভস্মপ্রিয়ায় চ। বিভীষণায় ভীষ্মায় ভীমব্রতধরায় চ ॥৯১॥

নমো বিকৃতবক্ত্রায় খড়্গজিহ্বায় দংষ্ট্রিণে। পক্কামমাংসলুব্ধায় তুম্বীবীণাপ্রিয়ায় চ ॥৯২॥

নমো বৃষায় বিস্তায় নমো বৃষাঙ্কায় বিষাঞ্চ চ। কটংকটায় দণ্ডায় নমঃ পচপচায় চ ॥৯৩॥

নমঃ সর্ববরিষ্ঠায় বরায় বরদায় চ। বরমাল্যগন্ধবস্ত্রায় বরাতিবরদে নমঃ ॥৯৪॥

নাট্যোপহারলুব্ধ কৌবা, পুংশেল যন্ত্র য়েঙবা খোংবা, অহুগা ঈশৈ য়ান্না পাম্বদগী— গীতবাদিত্রশালী কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৮৮॥

অংচত্ত পুম্নগী চপী অবস্থাদা খুইংগী অহল ওইবনা জ্যেষ্ঠ কৌবা, ফীমে পুম্নগা খাইদগী হেন্নবনা শ্রেষ্ঠ কৌবা, ইন্দ্রগী মশক লৌদুনা বলাসুর হৈহংখিবদগী বলপ্রমথন কৌবা, কালমকপু শাসন তৌবদগী কালনাথ কৌবা, মহাপ্রলয় মহক্কী প্রলয় পুম্নমক্কী মশক ওইবনা— কল্য, ক্ষয়, উপক্ষয় কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৮৯॥

অকিবা কংনা দুন্দুভিগুম হৌনা নোকওম্বদগী ভীম দুন্দুভি-হাস কৌবা, অকিবা অঙকপা কংনা ব্রত তৌওম্বদগী ভীমব্রত কৌবা, অকিবগী মশক ফাবা শক্লোল পুবগী উগ্র কৌবা, থাম্বোম তরা পানবদগী— দশবাহু কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৯০॥

খুত্ত কপাল (মী মপোক্কী কোকাম) পায়বনা কপালহস্ত কৌবা, চিতাগী ভস্ম (উং) পাম্বা মরমদগী চিতিভস্মপ্রিয় কৌব, পুম্নমক্কী মফমদা অকিবগী মশক ও ওইনন বিভীষণ কৌব, খুইগী মফমদা অকিবগী মশক ওইরবস্থ মশাদি কনা অমগী মফমদা অকিবা লৈতবা মরম্মা ভীষ্ম কৌবা, অকিবগী মশক ওইবা ব্রতবু তৌবনা ভীমব্রতধর কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৯১॥

চীন অমদি মায়খোংদা অকিবা ফংবা বিকার অমা লৈবনা বিকৃতবক্ত্র কৌবা, লৈরেংনা থৌরবা থাঙ অমাংবা অমগী মতৌগুম ওইবনা খড়্গজিহ্ব কৌবা, শেংলবা লাংলবা য়া মশাম্মা মায়খোংগী লৈতেং ওইনা লৈবনা দংষ্ট্রি কৌবা, অশাবা অমুনবা শাবমনা চেক্ লৌখিবা উটেংশিংগী মরাতবু পামজবা ওইবনা পক্কাম-মাংসলুব্ধ কৌবা, তুম্বী বীণা অদুবু পামজখিবনা তুম্বীবীণাপ্রিয় হায়না কৌবা, নহাক্কী নকমদা খুরুমজরি ॥৯২॥

চুথবগী চুথহনবগী কর্তা ওইবদগী বৃষ কৌবা. ধর্মবু চাউখংহনবা ওইবদগী বৃষ্য কৌবা, নন্দীমক্কী মশক ওইবনা গোবৃষ কৌবা. ওগাক্ত ফুমিন্ লৈতবা কোয়রেং শেংনা লৈবদগী কটংকট কৌবা, খাইমকপু শাসন তৌখিবদগী দণ্ড কৌব, অংচত্ত পুম্নমকপু মুশহনবা কেলহনবা মরমদগী পচাপচ হায়না কৌবা, নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৯৩॥

খাইদগী হেন্বা বরক্কী মশক ওইবা মরমদগী সর্ববরিষ্ঠ কৌবা, বর পীন-হৈবদগী বরদ কৌবা, খাইদগী হেন্না ফজরবা ফীজোল, মাল্য (লৈ-পরেং), গন্ধ (মনম) থোনবা পুবা মরমদগী বরমাল্য

নমো রক্তবিরক্তায় ভাবনায়াক্ষমালিনে। সম্ভিন্নায় বিভিন্নায় ছায়ায় তপনায় চ ॥২৫॥
অঘোরঘোররূপায় ঘোরঘোরতরায় চ। নমঃ শিবায় শান্তায় নমঃ শান্ততমায় চ ॥২৬॥
একপাদ্বহুনেত্রায় একশীর্ষ নমোঽস্তু তে। রুদ্রায় ক্ষুদ্রলুব্ধায় সংবিভাগপ্রিয়ায় চ ॥২৭॥
পঞ্চালায় সিতাঙ্গায় শমশমায় চ। নমঃ চণ্ডিকঘণ্টায় ঘণ্টায়াঘণ্টঘণ্টিনে ॥২৮॥
সংস্রাধ্মাতঘণ্টায় ঘণ্টমালাপ্রিয়ায় চ। প্রাণঘণ্টায় গন্ধায় নমঃ কলকলায় চ ॥২৯॥
হু হু হুংকারপারায় হুংহুংকারপ্রিয়ায় চ। নমঃ শমশমে নিত্যং গিরিবৃক্ষালয়ায় চ ॥৩০॥

গন্ধবহ কৌবা থাইনা পীবা শুমদবা বহ পীন-তৈবদগী হব্যাতিবহ কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥২৪॥

রাগী বিরাগী অনীমকী মশক ওইবনা রক্ত-বিরক্ত কৌবা, ধ্যানদা পুক্নীং চঙবা, রুদ্রাক্ষ (চুগ্রীক্) মালা ধারণ তৌবনা ভাবনায়াক্ষমালী কৌবা পুম্নমক্কী শীনথুংবা অমুগা থবকী মথুংইনা তেংতাংদ তেংতাংদ তানা লৈবনা সম্ভিন্ন বিভিন্ন কৌবা, জগৎ পুম্বদা মকমগী মতানগী অনীমক্ পীন তৈবদগী— ছায়াতপন কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥২৫॥

খোংদবা নোরবা শক্লোন পুবা, ওমথীবা শক্লোন পুদবদগী অঘোর কৌবা, অমুক হেনগৎলবা হওং পুবদগী ঘোর কৌবা, অদুদগী হেন্না ওমথীবা শক্লোন পুবদগী ঘোরতর কৌবা, শান্ত ওইবা মঙ্গলগী মশক ওইবদগী শান্ত শিব কৌবা, অদুদগীসু হেন্না শান্ত ওইবা শক্লোন পুত্তবদগী— শান্ততম কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥২৬॥

খোঙ মাখক্তা পানবা, মীত্তি মায়া পানবা, কোকচি অমত্তা মপানবা, মদুম অদুদগী একপাদবহুনেত্র অদুগা একশীর্ষ কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি। শুক্তশিংনা তক্কগা লোইনবা শীবকপা অমত্তা পোং মচা শুবু অপাম্বগা লোয়নবা লৌরিংবা ক্ষুদ্রলুব্ধ কৌবা, খজিত্তুং কৌবিধিবদুগী বরুচিংমা মরৈদি শুমথৈ নাইদনা শীবিথদুগী মমক, অদুগা মরৈক্ কাক্কনিংবা কাংজনিনবশিং অমা চপ মান্না য়েনবিথুনা পীবিবনা সংবিভাগ-প্রিয় কৌবা রুদ্র নঙোন্দা খুরুমজরি ॥২৭॥

উরিবা জগৎ অসি মথুংথক্তা মেৎথুনা লেপ্লিবদগী পঞ্চাল কৌবা, শুক্লেক তৌবা কচু পুবদগী সিতাঙ্গ কৌবা, তুমিংচুম্না শান্তমূর্ত্তি-ত ওইদুনা লৈবদগী শমশম কৌবা, নংগী শরীরক্ মথোল তাবদা জীব পানবা পুম্নমক্কা থগৎনবদগী চণ্ডিকঘণ্টক কৌবা, মশামক্ শরীরক্কী খোঙজেল ওইবা অদুগা জীবনু হৈরদনা জীবাত্ত থীডুদনা মখল্লা লোক্চরূপা নাদ (অনাহতধ্বনি) ওইদুবদগী ঘণ্টায়াঘণ্টঘণ্টি কৌবা নংবু খুরুমজরি ॥২৮॥

নহাকী মন্দিরদুংদা থাম্লিবা চাউরবা শঙ্খীকশিং অদুবু নংগী লেপ্পনবগী দমক্তা মী শুক্ক শিংশিং শিংশিংনা তম্লনা থীডলিবা অদুগুম্বা সহস্রাধ্মাতঘণ্ট কৌবা, শঙ্খীক্ পবেং পবেং য়ানবা— শিবা পামজবনা ঘণ্টামাল-প্রিয় কৌবা, শরীরকী খোঙজেংক্রু থরায় ওইনা লৈবদগী ঘণ্টাপ্রাণ কৌবা, গন্ধ — মনম্ অদুগা কলাকল হায়বা খোঙজেলশিনক্কা নিদ লোংবা অমদি মাচু পামজবদগী গন্ধ অমদি কলকল কৌবা নংবু খুরুমজরি ॥২৯॥

হুং (অশান্তবা), হুং (হুং হায়বা খোঙোক্), হুং (আকাশ, সূর্য্য, ঈশ্বর) হায়রিবশিংসেদগীসু বাংমদা

গর্ভমাংসশৃগালায় তারকায় তরায় চ। নমো যজ্ঞায় যজিনে হুতায় প্রহুতায় ॥১০১॥

যজ্ঞবাহায় দান্তায় তপ্যায়াতপনায় চ। নমস্তটায় তট্যায় তটীনাং পতয়ে নমঃ ॥১০২॥

অন্নদায়ান্নপতয়ে নমস্ত্বন্নভুজে তথা। নমঃ সহস্রশীর্ষায় সহস্রচরণায় চ ॥১০৩॥

সহস্রোদ্যতশূলায় সহস্রনয়নায় চ। নমো বালার্কবর্ণায় বালরূপধরায় চ ॥১০৪॥

বালানুচরগোপ্ত্রে বালক্রীড়নকায় চ। নমো বৃদ্ধায় লুব্ধায় ক্ষুব্ধায় ক্ষোভনায় চ ॥১০৫॥

লৈযনা হু হুঁ হুঁকারপার কৌবা, অদুগা হু হুং হায়বা খোঙ্গোকসিবুদি পামজবনা— হুঁহু কারপ্রিয় কৌবা, "শান্ত ওইয়ু, শান্ত ওইয়ু, ভগবো পাখংকয়" অসুম হায়না জীবশিংবু তপথহনবদগী শমশমবাদো কৌবা চাউথক্কা উথাদা লৈগন্বনা গিরিবৃক্ষলয় কৌবা, ভগবান্ শিবদা হয়রা হয়রা থুরুমজরি ॥১০০॥

গর্ভকী মাংস— মদুমদু পামবা লমহুইগী মতৌগুম্না উহৈ— মহৈগী মদুংদা লৈবা মরুবু পামবদগী— গর্ভমাংসশৃগাল কৌবা, খুৎইবু লৈরাবদগী লাঙ্গোশিবা অদুগা লাঙ্গোকপা লাঙ্গোকহন্বা অনীগী সাধন ওই-বদগী তারক অমদি তর কৌবা, নশামক্না যজ্ঞ যজমান অনীমক ওইবনা যজ্ঞ অমদি যজী কৌবা নশামক্না হোম অদুগা যজ্ঞগী মৈমক্ ওইবনা হুত অমদি প্রহুত (অগ্নি) কৌবা মতোন্দা থুরুমজরি ॥১০১॥

নশামক্না যজ্ঞবু পাঙথোকপিবা ওইবনা যজ্ঞবাহ কৌবা, পুন্নীং অমদি ইন্দ্রিয় অতৈবু নমহৎপদগী দান্ত কৌবা, তপকী অরাবা উঙ্গপা নশামক মাবিবা থম্মোয়দা চাকপিবা ওইবনা অদুগা অরাবা পীরিবশিংবুন— চাকহন্বা মাহন্বা ওইবনা তপ্যাতপন কৌবা, নশামক্না নথক্তনা তুরেলসু ওইবা, তুরেলগী চাংজো অদুগা চাংজো অদুবু ডাকপিবা ওইরম্না তটীপতি কৌবা মতোন্দা থুরুমজরি ॥১০২॥

নশামক্না জীব পুম্নমক্কী চীঞ্জাকপু পীরিবা চীঞ্জাকহুম্নক্কী মপু অমদি চীঞ্জাকভুক্কী তোক্তা— অদাবা মীমু নশানা অদুম ওইবনা অন্নদায়, অন্নপতি, অন্নভুক্ কৌবা, কোক্ লিশিং, খোঙ লিশিং অমা পানবদগী— সহস্রচরণ, সহস্রশীর্ষ কৌবা নহাকপু থুরুমজরি ॥১০৩॥

থুং (পান্বোম) লিশিং অমনা ত্রিশূল লিশিং অমা পায়বদগী সহস্রোদ্যতশূল কৌবা, নয়ন (মীৎ) লিশিং অমা পানবদগী সহস্রনয়ন কৌবা, নোংপোকথংবা অতিয়াদা অনৌবা মুমিংনা হাইদোকপগী মুচু পুবদগী বালার্কবর্ণ কৌবা, অঙাংগী মতৌগুম্না ঈনৌ নৌবা শক্লোন পুবদগীসু বালরূপধর কৌবা মতোন্দা থুরুমজরি ॥১০৪॥

অঙাং লেংমাম্বা মরাশ-মপাংশিংগা শান্নশান্নদা মথোম্বু অম্বাবা থুদোংথীবদগী কন্বিবমা বালানুচর-গোপ্তা * কৌবা, অঙাংশিংমক্কী শান্নপোংকী মশক লৌদুনা শান্নবিবদগী বালক্রীড়নক কৌবা, থাইদগী

* "বালানুচরগোপ্ত" হায়বসী ব্যাখ্যা কনাগুম্বা শৈব—শৈবধর্মতৎপন।— মহাদেবনা ব্রজ-বৃন্দাবনদ কৃষ্ণ শাকুন, কৃষ্ণগী মশক লৌতুনা যমান্নবা গোপশাবাশিংগা মপোয়বু ডাকপি ডাকশিনা শান্নে। মহাদেবনা কৃষ্ণগী মশক লৌতুনা শান্নবনি অসুম্না হায়। পুং ঈশৈ কগোইগী হৌদোকপা দেবতা অমা মহাদেবনা ওইবসিদি বিষ্ণুনা কৃষ্ণ ওইনা পোকত্রিউ অ-মমাংদগীনি, হায়না মশাগী মতমগু সমর্থন তৌই। (কালাচাঁদ)

তরজাজিতকেশায় মুণ্ডকেশায় বৈ নমঃ। নমঃ ষট্কর্ম্মতুষ্টায় ত্রিকর্ম্মনিরতায় চ ॥১০৬॥

বর্ণাশ্রমাণাং বিধিবৎ পৃথক্কর্মনিবৃর্ত্তিনে। নমো ঘুষ্যায় ঘোষায় নমঃ কলকলায় চ ॥১০৭

শ্বেতপিঙ্গলনেত্রায় কৃষ্ণরক্তেক্ষণায় চ। প্রাণভগ্নায় দণ্ডায় স্ফোটনায় কৃশায় চ ॥১০৮॥

ধর্ম্মকর্ম্মার্থমোক্ষণাং কথনীয়কথায় চ। সাংখ্যায় সাংখ্যমুখ্যায় সাংখ্যযোগপ্রবর্ত্তিনে ॥১০৯॥

নমো রথ্যবিরথ্যায় চতুষ্পথরথায় চ। কৃষ্ণাজিনোত্তরীয়ায় ব্যালযজ্ঞোপবীতিনে ॥১১০॥

ঈশান বজ্রসংঘাত হরিকেশ নমোঽস্তু তে। ত্র্যম্বকাম্বিক নাথায় ব্যক্তাব্যক্ত নমোঽস্তু তে ॥১১১॥

অহল ওইবনা বৃদ্ধ কৌবা, প্রেমভক্তিগী পোক্তা ওইবনা লুব্ধ কৌবা, পাপীশিংবু উবগী মথুন-মরাং হৌবনা ক্ষুব্ধ পাপীশিংছুবুম মথুম-মরাং হৌহনবদগী ক্ষোভণ কৌবা নঙোন্দা থুরুমজরি ॥১০৫॥

নহাক্কী শমদি অমমন্না চপ্ চপ্ তিনো নাপী-শীনাং কুশ মনা অমমমৃডুম্ থন্দুনা মরুকুনা গজাগী ঈচেম্মু ঈথক হৌরিব ওইবনা তরজাজিতকেশ কৌবা, মুণ্ডকেশমু কৌবা, ব্রাহ্মণশিংগী কর্মতরুক অসিগী মরুদো হায়বদি বেদ তম্বা, তম্বিবা, যজ্ঞ তৌবা যজ্ঞ তৌহনবা, দান তৌবা দান পৌবা হায়রিবশিংসিগী মরুদা যজ্ঞ, বেদ তম্বা, দান তৌবা হায়রব কর্ম অহুমগী ত্রিকর্মনিরত কৌবা নাবু থুরুমজরি ॥১০৬॥

ব্রাহ্মণনা ... মচুগী ব্রহ্মচর্য ... আশ্রম মচুগী বর্ণশিংবু থ যদে কপম্বু মরাক ওইবনা "পৃথক্-কর্মনিবর্ত্তি" কৌবা, ... থীনবা বদঘোষগী মশক ওইবনা অহুম পু ... ঘোষ অমদি কলকল— কোলাহল কৌবা ... থুরুমজরি ॥১০৭॥

নহাক্কী নয়ন (মীৎ) না ঙৌবা ঙৌরুনদ মচু পুবনা শ্বেতপিঙ্গলনেত্র কৌবা, অডাঙবগা— অমুবা মচুগা তিঅখিবা মচু পুবদগী কৃষ্ণরক্তেক্ষণ কৌবা, প্রাণবায়ুবু দমন তৌবগী প্রাণভগ্ন কৌবা, দণ্ড মক্কী মশক ওইবনা দণ্ড অহুম মকৌরবা, ব্রহ্মাণ্ডগী মশক খরবু থুগাইবদগী স্ফোটক কৌবা অহুগা পীরবা কাংলবা হকচাংবু লেংদা অহুম পুবদগী কৃশ কৌবা নঙোন্দা থুরুমজরি ॥১০৮॥

নংগী লীলা অমদি পুন্শিগী কথা— হায়রিবা কথনীয় ওইবনা হায়বদি— শরু-শোয়বদা মতীকচাবা ওইবনা নমিং কথনীয়কথ কৌবা নশামক সাংখ্যযোগ, সাংখ্যযোগী অমদি সাংখ্যশাস্ত্রমকপু হৌদোকপনা নমিং সাংখ্য, সাংখ্যমুখ্য অহুম্রা সাংখ্য-প্রবর্ত্তি কৌবা মহাকপু থুরুমজরি ॥১০৯॥

কবিভগা মতমদা রথ তোংতুনা লেঙবদগী, মতম অয়াম্বদা রথ— শাদোং ঈরাও য়াংদনা লেঙবদগী রথ্য বিরথ্য কৌবা, অহুগা ঈশিং, মৈ, নুংশিৎ, অতিয়া মফম মরি অসিদা মথৎ ... চংতুনা লৈবদগীসু চতুষ্পথরথ কৌবা নঙোন্দা থুরুমজরি। শজী মউরা ... ওইবা, লিয় যজ্ঞোপবীত ওইনা থাওন ওনবা, কৃষ্ণাজিনোত্তরীয় অহুগা ব্যালযজ্ঞোপবীতী কৌবা নহাকপু থুরুমজরি ॥১১০॥

হে ঈশান! নংগী হকচাংদি বজ্রগা মাম্বনা কন্নবনি। হে হরিকেশ! নঙোন্দা থুরুমজরি। ফোংদোকপা

কাম কামদ কামঘ্ন তৃপ্তাতৃপ্তবিচারিণে। সর্ব্ব সর্ব্বদ সর্ব্বঘ্ন সন্ধ্যারাগ নমোঽস্তু তে ॥১২॥
মহাবল মহাবাহো মহাসত্ত্ব মহাদ্যুতে। মহামেঘচয়প্রখ্য মহাকাল নমোঽস্তু তে ॥ ১৩॥
স্থূলজীর্ণাঙ্গ জটিলে বল্কলাজিনধারিণে। দীপ্তসূর্য্যাগ্নি জটিলে বল্কলাজিনবাসসে ॥
সহস্রসূর্য্যপ্রতিম তপো নিত্য নমোঽস্তু তে ॥ ১৪॥
উন্মাদন শতাবর্ত্ত গঙ্গাতোয়ার্দ্রমূর্দ্ধজ। চন্দ্রাবর্ত্ত যুগাবর্ত্ত মেঘাবর্ত্ত নমোঽস্তু তে ॥ ১৫॥

কোংদোক্তবা— মশক উবা উদবা শক্তোল অনী পুবা হে ব্যক্তাব্যক্তস্বরূপ! হে পরমেশ্বর! নহাকৃতি নয়ন অহুম্মা লৈতেংবা ত্রিলোচননি, অম্বিকা কৌবী দেবীগী চাম্বোক্তবনি। নঙোন্দা থুরুমজরি ॥১১॥

কাম হায়বরমক্তী মশক ওইবা হে কাম। কাম অহুমকপুম্ পীনম্বিবা— হে কামদ! কাম অহুম অমুকুম্ মাংহন্নিবা হে কামঘ্ন! সংসারবা লেজবা পোম্বির অনীমক্তী মরমদা মুম্না থন্বিরিবা * হে তৃপ্তা-তৃপ্তবিচারী। পুম্নমক নংনা ওইরিবা হে সর্ব্ব! পুম্নমক পীবিরিবা হে সর্ব্বদ। পুম্নমক থুগাইরিবা মাং-হন্নিবা হে সর্ব্বঘ্ন। সন্ধ্যাকালগী মচুবু পুক্তম্না হে সন্ধ্যারাগ। নহাক্তী নকমদা হন্না হন্না থুরুমজরি ॥১২॥

হে পাঙ্গল লাউবা। হে পাকোন চাউবা। অচ্চত জীবপানবশিংগী মথুংদা থাইদগী বাং চাউবা! হে মশেক্ মঙাল কন্নবা। মহাদ্যুতি। নীশিং থন্নবা পাক্‌চাউরবা কুংলবা নোংগী মপাক্তী মচু পুবা। নঙোন্দা থুরুমজরি ॥১৩॥

নহাক্তী শ্রীবিগ্রহ— শ্রীমূর্ত্তিদি থাইদগী চাউবা নোরবনি, থাইদগী কবো পীক্রবনি। অদুনা হে স্থূল। হে জীর্ণ! হে জটাপুবা! উকু-রকু শক্তী মউম্না কিয়োল ওইবা। মৈ অমদি চুনিংকী মশেক্‌মঙাল, মৈশা পুবা। জটানা কোকশক্তা লৈতেং ওবা। চুনিং লিশিং অদগী মশেক্ পুবা! চুমিথচুম্না তপস্যাদা লুপ্তুনা লৈগনবা। নঙোন্দা থুরুমজরি ॥১৪॥

জগৎ-জীবদু ভাওকন্দুনা— মহায় কাহন্দুনা থন্নিবা হে উন্মাদন। মহায় কাবা চাপন্‌থকুকনবা।

* নত্তবা, ওইদবা, অদানবা, মায়া-পোক্রনীক্তায় ওইবা, মপাম্বোনদদি করবা, অকব ওইবা অহুম মউবা পোংশক অহুবু ভাজহন্না পেজ্জরবদি মী মহাক অদুনা কাংলিবা পেজবহুবু মাংহন্নবা মহাদেবনা য়ান্না বিচার তৌই। মাংহন্নব থুগাইবা মাগী মথৌনি। মহাদেবগী সংহারদি জগৎকী উপকারনি। পেন্নবা পোংশক্তা অসিম্নৌনা থম্না লৈরবমক্তদা ভাইবংবীনা অপেনবা হান্নবু কন্নিগী কংন্নিবনো হান্নবসিগী ময়মদু মহাদেবনা য়ান্না থন্বি বিচার তৌই। অপেন্‌বা পেন্দবা অনীগী মরমদা য়ান্না লৈনবি। অদুওম্না মী মহাক অহুগী পেন্দবহুবু মাংহন্দুনা অপেন্‌বা— সন্তোষ অহু পীননবদু মহাক্তা য়ান্না কন্না হোংনবি। পেজরবা মীগী-দমকদু য়াবি, পেজজিবা অপেনবা কংন্নিবাশং অদুগীমমকদু য়াম্না য়াবি। অদুগীনমক্তা উকুল-য়াইকুল তৈদুনা ধ্যান তুপস্ত তৌদুনা লৈ। আম্মা মশা অমত্তনা দেহ অমদদি পেন্দুনা লৈরগা দেহ অমদদি মতমহুমকদা পেন্নিবা কান্নগীনো হায়বসি থন্দুনা লৈ। অদুগীনমক্তা মহাদেবদু "তৃপ্তাতৃপ্তবিচারী" কৌই। শক্তী উংসু লৈপাক্লি, সনা-ফুনাসু লৈপাক্লি। অনীমক্তা মাত্রা চপ্ মান্ননা পীহন্নবা তপস্যা তৌরি। (কালাচাঁদ)

অন্নমন্নভোক্তা চ অন্নদোহন্নভুগেব চ। অন্নস্রষ্টা চ পক্তা চ পক্বভুক্ পবনোঽনলঃ ॥১১৬॥
জরায়ুজাণ্ডজাশ্চৈব স্বেদজাশ্চ তথোদ্ভিজাঃ। ত্বমেব দেবদেবেশ ভূতগ্রামশ্চতুর্বিধঃ ॥১১৭॥
চরাচরস্য স্রষ্টা ত্বং প্রতিহর্ত্তা তথৈব চ। ত্বামাহুর্ব্রহ্মবিদুষো ব্রহ্মব্রহ্মবিদাং বর ॥১১৮॥
মনসঃ পরমা যোনিঃ খং বায়ুর্জ্যোতিষাং নিধিঃ। ঋক্সামানি তথোঙ্কারমাহুস্ত্বাং ব্রহ্মবাদিনঃ ॥১১৯॥
হারিহারিহু বাহারি হাবুহারি তথাসকৃৎ। গায়ন্তি ত্বং সুরশ্রেষ্ঠ সামগা ব্রহ্মবাদিনঃ ॥১২০॥
যজুর্ম্ময়ো ঋঙ্ময়শ্চ ত্বমাহুতিময়স্তথা। পঠ্যসে স্তুতিভিশ্চৈব বেদোপনিষদাং গণৈঃ ॥১২১॥

কোকৃথক্তা গঙ্গানা ঈশ্বক্ চাম চাৎ থোক্না ঈকৌগল্লবা হে শঙ্খাবর্ত্ত! শঙ্গ.সী ঈচেম্না ঘুমিংচুম্না ঈচোং-ত চোংনা জটা পুখিবা। চন্দ্রমাবু শীকৃগলহল্লিবা। চাওথোক্হল্লিবা। যুগশিংবু হন্না হন্না পরিবর্ত্তন তৌ-রিবা! ঈশিংবু নোং, নোংবু ঈশিং ওলহল্লিবা। নঙোন্দা থুক্লগক্রি ॥১১৫॥

অন্ন— চাক্থক্নবু নহাক্নি, অন্নদ— চাক্থক্ শীরিবস্ নহাক্নি। অন্নভুগ্ ভোগ তৌরিবা অন্নভোক্তাসু নহাক্নি। অন্নভু শোম্বরিবা অন্নস্রষ্টাসু নহাক্নি। পুক্নুংদা অন্নভু ভুমহল্লিবা অন্নপাকসু নহাক্নি; প্রাণ-বায়ুসু নহাক্নি, জঠরানল— চাক্থাউদা চাক্লিবা মৈসু নহাক্নি ॥১১৬॥

দেবতাশিংগী দেবতা! নাউয়োম, মরূম, হুমাংদচিংবা সম্ভ তৌদিবা অমুগা লৈপাক হায়রিবা মকম মরি অসিদা পোকপা অচৌবা জীব পূম্নমক্কী মথৌ অসিমক্ নহাক্কী নশক্নি ॥১১৭॥

ব্রহ্মতত্ত্ব খঙবশিংগী মঙুংদা খ্বাইদগী অথোইবা! নহাক্নি অচৌবা লমবা জগৎ পূম্নমক অসিগী অশেঙ্বা অমদি থুগাইবা মপুনি, ব্রহ্মজ্ঞানীশিংনা নহাকপু সাকার— মশক মঙৎ নাইদনা ব্রহ্মনি হায়নরি ॥১১৮॥

বেদবাদী বিদ্বান্‌শিংনা নহাকপু পুক্নীং হায়বা ইন্দ্রিয়শিংগী খ্বাইদগী অথোইবা কারণ— মচাক্ অমদি মরমনি হায়নরিবনি। আকাশ মুংশিং মৈগী তুংনক্নি অমুগা ঋক্, সাম ওঁকার অমুম অসিবক্ নহাক্নি হায়বৈ ॥১১৯॥

লাই পূম্নমক্কী অথোইবা! বেদ শঙবা সামগান শকপশিংনা হা। রি। হা। রি। হু। বা। হা। রি। হা। বু! হা। রি! হায়দুনা নহাকপু হন্না হন্না কৌদুনা মঙাল শক্নরি ॥১২০॥ *

যজুর্ব্বেদ, ঋগ্বেদ হায়রিবসি নহাক্কী স্বরূপ— নশক্নক্নি। যজ্ঞদা হোম তৌরিবা হবিস্ হায়বাসু

* সামগান শকপশিংনা ঈশৈ থুদিংগী অহৌবদা, মৃদঙ্গ মখুল্লা, ময়ায়দা, অয়োমবদা মাথা অনী অনীদগী হেন্না চিংখিদুনা হায়রিবা— হা, রি, হু, বা, বু শিং অসি উচ্চারণ তৌদুনা খোম্লোকশিং শকা অমগমগী মরক্তা হাংদিবশিংদু মেন্‌শিনৈ। হায়রিবা শাংনা চিংবা খোম্লোকশিং অসিনা রাগগী আলাপনচিংবা তৌনৈ। মথক্তা হাপ্লিবা কৌবগী থুনমশিং অসি মাপ্তা অক্তম যোং চিংখিবগী থুনমনি। কৌবগী থুনম নত্তে। প্রুত-স্বরগী থুনম ওইনা খঙগদবনি। মীতৈগী নটপালাগী ঈশৈশকপা ওঝাশিংনা অমুগা থুলং ঈশৈ-শক্পশিং-নসু মাসি মাদা হাইয়ে, মুংশি মুঙোন্বা কোউদোক্পা মতমদা মাদা শীজিনৈ। (কালাচাঁদ)

ব্রাহ্মণাঃ ক্ষত্রিয়া বৈশ্যাঃ শূদ্রা বর্ণাবরাশ্চ যে। ত্বমেব মেঘসংঘাশ্চ বিদ্যুত্তস্তনিত গর্জিতঃ ॥১২২॥

সংবৎসরস্ত্বমৃতবো মাসোমাসার্দ্ধমেব চ। যুগং নিমেষাঃ কাষ্ঠাস্ত্বং নক্ষত্রাণি গ্রহাঃ কলাঃ ॥১২৩॥

বৃক্ষাণাং ককুদোঽসি ত্বং গিরীণাং শিখরাণি চ। ব্যাঘ্রো মৃগাণাং পততাং তার্ক্ষ্যোঽনন্তশ্চ ভোগিনাম্ ॥১২৪॥

ক্ষীরদো হ্যুদধীনাং চ যন্ত্রাণাং ধনুরেব চ। বজ্রঃ প্রহরণানাং চ ব্রতানাং সত্যমেব চ ॥১২৫॥

ত্বমেব দ্বেষ ইচ্ছা চ রাগো স্নেহঃ ক্ষমাক্ষমে। ব্যবসায়ো ধৃতির্লোভঃ কামক্রোধৌ জয়াজয়ৌ ॥১২৬॥

ত্বং গদী ত্বং শরী চাপি খট্বাঙ্গী ঝর্ঝরী তথ। ছেত্তা ভেত্তা প্রহর্তা চ নেতা মন্তাপিতা মতঃ ॥১২৭॥

দশলক্ষণসংযুক্তো ধর্মোঽর্থঃ কাম এব চ। গঙ্গা সমুদ্রাঃ সরিতঃ পল্বলানি সরাংসি চ ॥১২৮॥

লতা ব্যলস্তৃণৌষধ্যঃ পশবোমৃগপক্ষিণঃ। দশকর্ম সমারম্ভঃ কালঃ পুষ্পফলপ্রদঃ ॥১২৯॥

আদিশ্চান্তশ্চ দেবানাং গায়ত্র্যোংকার এব চ। হরিতো রোহিতো নীলঃ কৃষ্ণো রক্তস্তথারুণঃ ॥

মমাক্নি। বেদশিং অমদি উপনিষদশিংনা পূন্নখা হৌদুনা মাগী মাগী স্তোত্র মন্ত্রশিংনা নহাকী মহিম—নতীক মঙণবু শক্তি থীগ্নি ॥১২১॥

ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্র অহুগা য়াম্না হন্দবা মপোক্কা লোকপা জাতবর্ণ পূন্নক অসি নহাকী নহাক মক্তনি। মুমবা নোংগী মপৈ, নোংখাং নোনা খোংলিবা, ও লিবা, থাক্লিবা পূন্নমক অসি নহাকমাক্ল ॥১২২॥

চহী থতু থা থাবান্ যুগ মীকূপ-নাক্কম্, গ্রহ, নক্ষত্র মখোয় অসিম্ন নহাকুমক্নি ॥১২৩॥

উশিংগী মন্থংদ য়াং-চাউরবা খোংনাং-যটনচিংবা, চীঙশিংগী য়াংলবা চীঙদোক্তি, শাশিংগী মন্থংদা মপাঙল মখোনা লৈয়বা কৈ নোংশা, উংকৃশিংগী মন্থংদা গরুড় (লাঙজা), লিগশিংগী মন্থংদা অনন্ত, মখোয়শিং অসিম্ন নহাক্নি ॥১২৪॥

সমুদ্রশিংগী মন্থংদা ক্ষীরসাগর, থুংলায়শিংগী মন্থংদা লীরুং, লংচুনা শীজিন্নবা থুংলয়েশিংগী মন্থংদা বজ্র অহুগা অকন্বা ব্রতশিংগী নন্থংদা সত্য (অচুম্বা ঙাঙবা) পূন্নমক অসি নহাকী তোঙাল তোঙান্বা নশক্ মমিং মক্তনি ॥১২৫॥

অপান্বা কল্লক মিহৌবা তঙ্কংপা কন্বিহৈবা অকল-অয়াং শীংবা, মহীংজেল থাবা পপথবা, ভন্না, মায়থীবা অশাউবা, য়ান্না কয়া পামশিন্বা অসি পূন্নমক নহাক্নি ॥১২৬॥

নহাক্তি গদা লীরুং-তেন য়থ (গাড়ী) গী মশক মঙং মমিংগী মচাক্ (অঙ্গ) পূন্নমকপূ থুংলায় ওইনা পায়বা দেবতা অমনি। ককূপা পাবা য়ান্বা থিন্গাইবা পূন্নমক অসি নহাক্না ভোগ্নিবা মক্তনি। অচুম্বা লৈবীদা চৎপা অকবত থন্বা জগৎকী শিত্তা হায়বসু নহাক্নি হায়না পূন্নমক্কা য়ানগ্রবনি ॥১২৭॥

লক্ষণ তরানা তিন্বা ধর্ম অমদি অর্থ অহুগা কাম হায়বিবশিং অসি নহাকমক্তমি। সমুদ্র, গঙ্গা—ভুয়েলশিং, লৈকুং-কোংকুং, পুখ্রী উমী নাগী মনা-মশীং, হীদকে-লাংতক্ শা-উচেক্, শঙ্গী-শঙাই, দ্রব্য অমদি কর্ম পূন্নমক অসিগী আরম্ভ (হৌগংলকপা), কর্মশিং অহুগী মহে শীবিবা অহুগা মহে য়ালহনবা কাল কৌবসুন্ন নহাক্নি ॥১২৮—১২৯॥ দেবতা পূন্নমকী অহৌবসু অরোইবসু নহাকনি। গায়ত্রী মন্ত্রসু ওঁকারসু

কক্রশ্চ কপিলশ্চৈব কপোতো মেকস্তথা ॥১৩০॥

অবর্ণশ্চ সুবর্ণশ্চ বর্ণকারো ঘনোপমঃ। সুবর্ণনামা চ তথা সুবর্ণপ্রিয় এব চ ॥১৩১॥

ত্বমিন্দ্রশ্চ যমশ্চৈব বরুণো ধনদোঽনলঃ। উপপ্লবশ্চিত্রভানুঃ স্বর্ভানুর্ভানুরেব চ ॥১৩২॥

হোত্রং হোতা চ হোম্যং চ হুতশ্চৈব তথা প্রভুঃ। ত্রিসৌপর্ণস্তথা ব্রহ্ম যজুষাং শতরুদ্রিয়ম্ ॥১৩৩॥

পবিত্রং চ পবিত্রাণাং মঙ্গলানাং চ মঙ্গলম্। গিরিকো হিণ্ডুকো বৃক্ষো জীবঃ পুদ্গল এব চ ॥১৩৪॥

প্রাণঃ সত্ত্বঃ রজশ্চৈব তমশ্চাপ্রমদস্তথা। প্রাণোঽপানঃ সমানশ্চ উদানো ব্যান এব চ ॥১৩৫॥

উন্মেষশ্চ নিমেষশ্চ ক্ষুতং জৃম্ভিতমেব চ। লোহিতান্তর্গতো দৃষ্টির্মহাবক্ত্রো মহোদরঃ ॥১৩৬॥

মহাক্লি। অশংবা অঙাঙবা অমুবা ঙাঙৈলনবা শংবাম্লবা অত্তৌবা ঙাউথাংনবা লৈচৌনগী মচু নাপু অসিনচিংবা মচু পুন্নমক অসি নহাকী নশক মচু মকুনি ॥১৩০॥

মহাক্লি মচু লৈতবনা অবর্ণনি। খ্বাইদগী ফজবা মচু পুবনা সুবর্ণ নি। মহাক্লি অমুকনু বর্ণ (মচু) পুন্নমকপু শেম্বিবা দেবতানি। অহুনা নোংমদোম্বগী নোংগা অমা নি। নহাকী মিংদি ফজরবা বর্ণ (ময়েক্) ওঙ্কা শীজিনৈ; অহুনা নহাকপু সুবর্ণনামা কৌই। অহুনা নহাক অসি ফজরবা বর্ণ মচু ময়েক্ত পাম্বজবা দেবতানি ॥১৩১॥

ইন্দ্র যম বরুণ কুবের অগ্নি সূর্য্য অমদি চন্দ্রগী গ্রহণ, চিত্রভানু (নুমিৎ— মৈ), রাহু অমদি ভানু, পুন্নমক অসি নগাক্লি, নহাক্না ওইবনি ॥১৩২॥

হোম হোমজে, হোমগী পোচৈ— হোম তৌননবা পোৎশক্ অহুনা হোম— যজ্ঞ তৌবা ক্রিয়া— থবক অমুমকনু মহাক্লি। তৌম্বিবা হোম অহুগী মতৈ পীনবত নহাক্লি। বেদগী ত্রিসৌবর্ণ, শ্রুতিশিংদা অহুগা যজুর্ব্বেদগী শতরুদ্রিয় কৌবা মতাংদা তোঙ্গাল তোঙানবা মিং কয়া লাওরি। মাহু পুন্নমক অমু মহাকী মিং মকুনি ॥১৩৩॥

মহাক্লি অশেংবা পুন্নমকগীসু অশেংবনি, মঙ্গল পুন্নমকগীসু খ্বাইদগী অহেন্‌বা মঙ্গলগী মশকনি। মহাক্লি গিরিকনি, হায়বদি— চীংদুংনচিংবা সম্বাত পাক্লবা পোৎশিংবু সচেতন— মথবায় পান্‌বা ওইহন্‌লিবনি। মহাক্লি হিণ্ডুক— (মকম পুবদা কাডু কারল ঈমৌ য়ৌবা) উপাম্বীগী মথক ওইবা সংসার, জীবাত্মা, হকচাং, প্রাণ, সত্ত্ব, রজঃ তমঃ, ব্রহ্মচারী ওইথবনা উর্দ্ধরেতা ওইরবনি। প্রাণ অপান সমান উদান ব্যান উন্মেষ নিমেষ (মীৎ উইশিন্‌বা পাঙথোক্‌পা) চক্‌খি থন্‌বা হকাম চন্‌বা অসিনচিংবা হকচাংগী মতুংদা মপান্দা মথানা লাক্‌চবা থবক্‌শিং অসিসু নহাক মকুনি, নহাক্না তৌহল্লিবা গাকনি। গাঙলবা, রাক্লবা মচু পুরিবা মৈ হায়বসে মহাকী হকচাং মনুংদা লোয়না থুপ্না লৈরিবনি, নহাক্না থম্লিবনি। হাপচিল্লিবা— চাশিল্লিবমথৈ থন্‌বা— ফুন্‌বা লৈত্রবা নাইত্রবা লাঙংবা চাউরবা নহাক্কী নচীদ্, অমদি— মপুক্নি ॥১৩৪—১৩৬॥

সূচীরোমা হরিশ্মশ্রুরূর্দ্ধকেশশ্চলাচলঃ। গীতবাদিত্রনৃত্যজ্ঞো গীতবাদনকপ্রিয়ঃ॥১৩৭॥
মৎস্যো জলচরো জাল্যোঽকলঃ কেলিকলঃ কলিঃ। অকালশ্চাতিকালশ্চ দুষ্কালঃ কাল এব চ॥১৩৮॥
মৃত্যুঃ ক্ষুরশ্চ কৃত্যশ্চ পক্ষঃ পক্ষক্ষয়ঙ্করঃ। মেঘকালো মহাদংষ্ট্রঃ সম্বর্তকবলাহকঃ॥১৩৯॥
ঘণ্টোঽঘণ্টো ঘটী ঘণ্টী চরুচেলী মিলীমিলী। ব্রহ্মকায়িকমগ্নীনাং দণ্ডী মুণ্ডস্ত্রিদণ্ডধৃক্॥১৪০॥
চতুর্যুগশ্চতুর্বেদশ্চাতুর্হোত্রপ্রবর্তকঃ। চাতুরাশ্রম্যনেতা চ চাতুর্বর্ণ্যকরশ্চ যঃ॥১৪১॥
সদা চাক্ষপ্রিয়ো ধূর্তো গণাধ্যক্ষঃ গণাধিপঃ। রক্তমাল্যাম্বরধরো গিরিশো গিরিকপ্রিয়ঃ॥১৪২॥
শিল্পিকঃ শিল্পিনাং শ্রেষ্ঠঃ সর্বশিল্পপ্রবর্তকঃ। ভগনেত্রাঙ্কুশশ্চণ্ডঃ পূষ্ণো দন্তবিনাশনঃ॥১৪৩॥

নহাক্কী ভুবুম অমনম্মা হেৎছুম অমম্মগী পান্থক্নি। চৈথন্ খদাং কোইদা ময়াম্বা ঈশ্বুমা শাংনা থান্থরি। কোকথক্কী শম্বুম্ অমনা চপ চপ মূংখৎনা তৌরি। নহাক্তি অচচ্চত্ত পুম্নমক্কী অমত্তা ওইবা মশক্নি, পুংঈশৈ যন্ত্রগী ভত্ব পুম্নমক খঙলবনি। পুং ঈশৈ যন্ত্র খোংবা শকপনা নহাক্কী খ্বাইদগী পামজবা নশিন্নি॥১৩৭॥

ঈশিংদা লৈবা কুল্লায়, অচৌ অনৌবা ক্লিমি, ঙা মাক্তবী অসিনচিংবা চাক্লিন চাইরবা ঙা অকুপা জলজন্তু পুম্নমক অসিমা নগী ভোক্তাল ভোক্তনবা শক্লাল ময়াম্বু পুক্তনা লৈরি। নহাক্তি শাম্নবা মখল খুদিংগী তত্ত্ব খঙলবা অমনি। কাল অকাল অতিকাল দুষ্কাল পুম্নমক অসি নহাক্কী ভোক্তাল ভোক্তনবা মমীং লাকতমজবা শক্লোন মক্তনি॥১৩৮॥

মৃত্যু (শিবা) ক্ষুর (কক্কনব থুংলায়), কৃত্য (ককপা য়াবা), পক্ষ (মীচং মক্লাশ) অপক্ষক্ষয়ংকর—(মীচং নত্তবা য়েক্কবশিংদা অকিবা পোকহনবা— পীরবা) পুম্নমক অসি নহাক্কা ওইরিবা ভাক্তনি। মূরবা নোংগী মতৌগুম্বা মূরহ শাংলবা খবাং-কোইনা নহাক্কী মাম্নথোংগী লৈতেংনি। নহাক নশামকত্ত্ব জগৎপু ভাউথোক্হন্বা প্রলয়গী নোংমক্নি॥১৩৯॥

মশেক্ মক্তাল পুবা পুবদগী ঘন্ট, হাংওনোক্তবা মক্তাল পুখন অঘন্ট, থবক পুন্থবু করিগুম্বা মহৈ অমমম্ব য়ালহনবদগী ঘটী, ঘন্ট (শঙ্খিক) পম্বে শিবদগী ঘণ্টি, অচচ্চত্তা জীব খুদিংমক শায়হন-ভা লৈবদগী চরুচেলী, কার্য্য পুম্নমক্তা কারণ— মবন থুংলায়গী মশক ওইদুনা ঈভিত্ত তিন্নহনা শীন্থুনো লৈবনা মিলীমিলী অসিনচিংবা মিং ময়াম অসি থবক খংক্তুগী মক্ত ইম্বা নহাক নথক্তনা পুরিবনি॥১৪০॥

যুগ মারি বেদ মরি লৈরিবসি নহাক্কী নশক্নি। অগ্নিহোত্র মথল মরিসি নহাক্কা হৌদোকপনি। ব্রহ্মচর্য্যনচিংবা আশ্রম মরিগী পুচিংশসি নহাক্নি। ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়নচিংবা বর্ণ মরি অসি নহাক্ক শেম্বনি॥১৪১॥

ভগ্রীক পাশা মরৈ-মরা চাউবা গণ পুম্নমক্কী মকোক্ অমুগা গণশিংগী নিংথৌ ওইবনা নহাকপু অক্ষ, ধূর্ত্ত, গণাধ্যক্ষ অমুগা গণাধিপ কৌনৈ। অঙাঙবা কীজোল থোক্লি, অঙাঙবা লৈপরেং শিপক্লি, পেক্ষবা কীজোল থোনগল্লি, চাউদোক্না চেপক্তুন লৈগন্থ নহাক্নি॥১৪২॥

মথুৎমশা-হৈবা (কারীগর) শিংগী মধ্যদা নহাক্কা খ্বাইদগী অথোইবনি। শিল্পকলা হায়বসিমক্ নহাক্কা হৌদোকপনি। নহাক্তি ভগদেবগী মমীৎ কোথোক্লবগী অঙ্কুশ— য়োক্তাংয়োৎনি। পাউবকপা মতমদা চণ্ড

স্বাহা স্বধা বষট্কারো নমস্কারো নমো নমঃ। গূঢ়ব্রতো গুহ্যতপাস্তারকাময়ঃ ॥১৪৪॥
ধাতা বিধাতা সংধাতা বিধাতা ধারণোঽধরঃ। ব্রহ্মা তপশ্চ সত্যং চ ব্রহ্মচর্য্যমার্জবম্ ॥১৪৫॥
ভূতাত্মা ভূতকৃৎ ভূতো ভূতভব্যভবোদ্ভবঃ। ভূর্ভুবঃ সবিতশ্চৈব ধ্রুবো দান্তো মহেশ্বরঃ ॥১৪৬॥
দীক্ষিতোঽদীক্ষিতঃ ক্ষান্তো দুর্দান্তোঽদান্তনাশনঃ। চন্দ্রাবর্ত্তো যুগাবর্ত্তঃ সম্বর্ত্তঃ সম্প্রবর্ত্তকঃ ॥১৪৭॥
কামো বিন্দুরণুঃ স্থূলঃ কর্ণিকারস্রজপ্রিয়ঃ। নন্দীমুখো ভীমমুখঃ সুমুখো দুর্মুখোঽমুখঃ ॥১৪৮॥
চতুর্মুখো বহুমুখো রণেষ্বগ্নিমুখস্তথা। হিরণ্যগর্ভঃ শকুনির্মহোরগপতির্বিরাট্ ॥১৪৯॥
অধর্মহা মহাপার্শ্বশ্চণ্ডধারো গণাধিপঃ। গোনর্দো গোপ্রতারশ্চ গোবৃষেশ্বরবাহনঃ ॥১৫০॥

অশাউবা হায়বস্তুমক নশানা ওই। পুবাগী ময়া লোইনা থুদেক্থিবন্থু নহাক্নি ॥১৪৩॥

স্বাহা স্বধা বষট্ নমস্কার নমোনমঃ অসিনচিংবা শীজিন্নবিবা রাহৈ— শব্দশিং অসি নহাক্কী নমিং মক্তনি। থৎপগ্রবা কুপগ্রবা ব্রত তৌরিবা নহাক্কি। মী লাইনা থওকম থোক্কবা অথুপ্পা তপস্যা তৌরিবা নহাক্কি। তারক হায়বা মন্ত্র অস্তুস্থু অহুপা তারক— তারা— থবানমিচাক্শিংতেনা থম্মা ভাপ্পবা নোংমদোন মকোয় অসিস্থু নহাক্নি ॥১৪৪॥

ধাতা— পায়রিবা পুরিবা, বিধাতা— শেম্বিবা শাদ্বিবা সংধাতা— শৌজিন্নহল্লিবা শমজিন্নহল্লিবা, অধর— আধার হাওদনা লৈওয়, হায়রিবা পুন্নমক অসি নহাক্কী মিং মক্তনি। ব্রহ্মা তপ— তপস্যা, সত্য ব্রহ্মচর্য্য আর্জব— চুমথিংচুথা থোন্নদবা, ভূতাত্মা— জীবপানবা পুন্নমক্কী থবায়— আত্মা, ভূত ভবিষ্য বর্ত্তমান কৌবা মতম অহুমাসিনা থোকথি পোকথিবগী অহানবা কারণস্থু নহাক্নি। ভূর্লোক, ভুবলোক, স্বর্লোক, ধ্রুবলোক হায়রিবা লোক পুন্নমক অসি নহাক্কী মিং মক্তনি, অহুগা হায়রিবা পুন্নমক অসি— নহাকপুনি, অতৈ অমবু মত্তে। নহাক্কি ধ্রুব— লেওবনি, স্থির— তপথনা লৈবনি, দান্ত— খ্বাইমকপু নমহৎপনি, মহেশ্বর— খ্বাইদগী অংংনবা অথোইবা ঈশ্বরনি ॥১৪৫—১৪৬॥

দীক্ষিত— করিগুম্বা যজ্ঞকর্মনচিংবগী দীক্ষা লৌগিবা, অদীক্ষিত— দীক্ষা লৌদনা লৈথ্বিবা, ক্ষমাবান্— ভাকুপীহৈবা— দোষ লৌগন্দবা, দুর্দান্ত— লাকওম্ কাওনদবাশিংবুস্থু লাকহৎপা নৈথাইবা, থাবু কোয়রৈ লৈহন্দুনা লৈরিবা, মাস (থা), যুগশিংবু হন্না হন্না ওন্ন লাকহল্লি, কল্প সংবর্ত্ত— প্রলয়, সংপ্রবর্ত্তক— সৃষ্টিবু হন্না হন্না থোকহল্লিবা, পুন্নমক অসি নহাক্কি ॥১৪৭॥

মহাক্কি কাম, বিন্দু, অনু—কুপ্পবা পীক্কবা, স্থূল— নোয়রবা চাউরবনি, হারবদি— খ্বাইদগী পীক্পস্থ খ্বাইদগী চাউবস্থ নহাক্কি। লৈপরেং পাম্বা নহাক্কি। নহাক্কি নন্দীমুখ, ভীমমুখ— অকিবা মায়থোংবু পুবা, সুমুখ— ফজবা মায়থোং পুবা, দুর্মুখ— শাথিবা মায়থোং পুবা, অমুখ— মায়থোং ঈয়াও হাওদবা, চতুর্মুখ— মায়থোং মরি লোওবা, বহুমুখ— মায়থোং য়াম্না পুবা, অগ্নিমুখ— লালগী মতমদা মৈতনা মায়থোং ওইবা, হিরণ্যগর্ভ— ব্রহ্মা, শকুনি— উচেক্কুম্না অমগা তিন্নদবা, শেষনাগ— চাউরবা লিল পুন্নমক্কী নিংথৌ, বিরাট্— ভমথৈ লৈতনা হাং-চাউবনি ॥১৪৮—১৪৯॥ নহাক্কি অধর্মবু মাংহল্লিবা, মহাপার্শ্ব—

ত্রৈলোক্যগোপ্তা গোবিন্দো গোমার্গোঽমার্গ এব চ। শ্রেষ্ঠঃ স্থিরশ্চস্থাণুশ্চ নিষ্কম্প কম্প এব চ ॥ ৫১॥
দুর্ব্বারণো দুর্বিসহো দুঃসহো দুরতিক্রমঃ। দুর্ধর্ষো দুষ্প্রকম্পশ্চ দুর্বিদো দুর্জয়ো জয়ঃ ॥১৫২॥
শশঃ শশাঙ্কঃ শমনঃ শীতোষ্ণক্ষুজ্জরাধিকৃৎ। আধয়ো ব্যাধয়শ্চৈব ব্যাধিহা ব্যাধিরেব চ ॥১৫৩॥
মম যজ্ঞমৃগব্যাধো ব্যাধীনামাগমোগমঃ। শিখণ্ডী পুণ্ডরীকাক্ষঃ পুণ্ডরীকবনালয়ঃ ॥ ৫৪॥
দণ্ডধার স্ত্র্যম্বকশ্চ উগ্রদণ্ডো হণ্ডনাশনঃ। বিষাপহাঃ সুরশ্রেষ্ঠঃ সোমপাস্ত্বং মরুৎপতিঃ ॥১৫৫॥
অমৃতপাস্ত্বং জগন্নাথ দেবদেব গণেশ্বর। বিষাগ্নিপা মৃত্যুপাশ্চ ক্ষীরপাঃ সোমপাস্তথা ॥
মধুশ্চ্যুতানামগ্রাপাস্ত্বমেব তুষিতাদ্যপাঃ ॥ ৫৬॥

(পাক্‌চাউরবা নাকুপং পুরা. চণ্ডধার— ঈচং শীনা, গণাধিপ— গণ পুম্নমক্কী নিংথৌ, গোনর্দ— মশাগী মতৌঙগ্র মূন্ন লন্ন ঙবা গোপ্রতার — শমশিংবু খুঙো থীবদগী কন্‌বিবা, গোবৃষেশ্বরবাহন— গো বুষগী নিংথৌবা শাদোং ওইবা — নন্দী তোংবনি ॥ ৫০॥

নহাক্কি ত্রৈলোক্যরক্ষক— মঙ্গোল অহুম্ভ ঙাকপা, গোবিন্দ— শ্রীকৃষ্ণগী মশক্কি, গোমার্গ— ইন্দ্রিয় পুম্নমকপু খোরিবা, ইন্দ্রিয় পুম্নকী লম্‌গী তাক্লবা, অমার্গ— ইন্দ্রিয় পুম্নমক্কা উবা ঙাম্বা কংদব, শ্রেষ্ঠ— হৌরম পুম্নমক্তা খ্বাইদগী হেন্নোকপা, স্থির— লেঙদনা তপথনা লৈবা. স্থাণু— চীঙ-নুংঙুম্না লেঙদনা লৈবা. নিষ্কম্প— হাইহুনদবা নীঙ্কব, কম্প— খানংনা অঙকপা থৌদোক অসি উরকপা মতমদা থক্‌ থক্‌ নীক্‌-লক্‌পা, শাউরনা থক্‌ থক নীকপা দুর্ব্বারণ— কারগুম্বা খবক অমা তোংগে থল্লক দা খিংবা ঙাম্বা য়াদবা দুর্বিসহ— অমনা থাওডমদব, দুর্জয় — অমনা ঙাম্বনা জয় তৌবা ঙমদবা, খবক পুম্নমক্তা নংতন জয় ওই-বনা নাম্বিং জয় কৌব্রিবান, অদুগা নহাক্কি শশ— থুনা য়াওনা চৌঙবা, শশাঙ্ক— থা, থাঙম ঈংলবা মায়থোং পুবা. শমন— যমরাজমকনি। ওলাংবা লিংথম্বা—ঈংবা, অরাম্‌-খৌরাংবা, নহা-অচল ওইবনচিংবা অবস্থা পুম্বা, থম্মোইগী পুক্নীংগী চিন্তা অদুগা চিন্তাদু মৈ চাক্‌থোক্‌হন্‌বমু নহাক্কি। আধি, ব্যাধি, জরা, মৃত্যু অদুগা মথোক্কনিদগী লাম্থোকহন্‌বিমম্ভ নহাক্কি ॥১৫১—১৫৩॥

ঐগী যজ্ঞসগী মশক ওইরবা শক্তীগী শাদানবা— ব্যাধসু নহাক্কি। তাইবং জীবগী মশাদা আধি-ব্যাধিনচিংবা রোগ ময়াম লাকহল্লিবসু কোকহল্লিবসু মহাক্কি। কৃষ্ণগী মশক লৌহনা কোক্‌থক্তা রাহোং-মথুগী চূড়া পুরিবাসিন্নু নবাক্কি, অদুনা নহাক্কু শিখণ্ডী কৌই। থম্বাল লৈনাগী মতৌঙবা নয়ন অনীবা নহাক্কী ওইবনি, থম্বালগী বনদা শাম্নদুনা লৈগন্‌বনি। খ্বাইদগী অচৌবা দণ্ড পায়বা দণ্ডধারী হায়বা অদুসু নহাক্কি। নহাক্কি ত্র্যম্বক— মমীং অহুম পানব, উগ্রদণ্ড— অকিবগী মশক ওইব দণ্ড পায়বা, দেবশ্রেষ্ঠ লাই পুম্নমক্কী অচৌবা. সোমপা— সোমরস থক্‌পা, মরুৎপতি— নুংশিং পুম্নমক্কী মপূনি ॥১৫৪—১৫৫॥

দেবতা পুম্নমক্কী দেবতা ! জগৎ পুম্নমক্কী মপু ! নহাক্কি অমৃত থক্‌পা গণ পুম্নমক্কী সু থক্‌পা মপূ-নি। হুগী মৈ, মৃত্যু— অশিবদগী কন্‌বিগে হায়বগী মমক শক্তোমসু থক্কই, সোমরসসু থক্কই। মপাম্‌-

হিৰণ্যৰেতাঃ পুৰুষস্ত্বমেব ত্বং স্ত্রী পুমাংশ্চ নপুংসকং চ।
বালোযুবাস্থবিরো জীৰ্ণদংষ্ট্রস্ত্বং নাগেন্দ্রশক্রস্ত্বং বিশ্বকৃদ্বিশ্বকৰ্ত্তা ॥১৫৭॥
বিশ্বকৃদ্বিশ্বকৃতাং বরেণ্য ত্বং বিশ্ববাহোবিশ্বরূপস্তেজস্বীবিশ্বতোমুখঃ।
চন্দ্রাদিত্যৌ চক্ষুষী তে ভবদ্বং পিতামহঃ ॥১৫৮॥
মহোদধিঃ সরস্বতী বাগ্বলমনলোঽনিলঃ অহোরাত্রং নিমেষোন্মেষকর্ম ॥১৫৯॥

সংসারগী হৱাওবা ফুংভাইবা অহাওবা কজবা বিষয় পুম্নমক ৎাদোক্লনা জীব শান্বা পুম্নমকী ভাকপিবা মপুরি অদুগা ভুষিত কৌবা দেবতা পুম্নমকী ঈহাম্ হান্বা ব্রহ্মাহুমকপুম নহাক্না কম্না শেম্নখিনি ভাকপিখ্রি ॥১৫৬॥

হিৰণ্যৰেতা কৌবা অগ্নি অদুম্ন নহাক্নি, নহাক্নি অন্তর্যামী পুৰুষনি। নিপাম্ন নত্তে, নুপীম্ন নত্তে; নপুংসকম্ন নত্তে। অদুগা নিপাম্ন নহাক্নি, নুপীম্ন নহাক্নি, অদুগা নপুংসকম্ন নহাক্নি। * হে নাগ পুম্নমকী নিংথৌ! চহী কম্ন কন্নাগী কুইরবা মোংলবা মাউরবা ঈকা যারবা শম্ কোই পুরিবা নহাক্না অমরোমদা লাই পুম্নমকী নিংথৌ ইন্দ্রম্ন অদুম মওইবিরি। বিশ্ব-জগৎ অসিগী শেম্নিবা ভাকুপিবা থুগাইবনা মহাক্নী নত্তৌনি। প্রজাপতি পুম্নমক্নুগী অথোইবা প্রজাপতিম্ন নহাক্না ওইরিবনি। জগৎকী ভার পুম্নমক নহাক্না পুবিরি। নহাক্নি বিশ্বরূপ— বিশ্বজগৎ পুম্নমকসিনা নহাক্নী অউবা নশক ওইরি তেজস্বী— তেজ লৈবা পুম্নমকী তেজ পুম্নমকপু পুরিবা, বিশ্বতোমুখ— মায়কৈগে পুম্নদা মায় ওন্শিন্না নুমিৎ থা অনীবা মীৎ ওইবা, পিতামহ ব্রহ্মামকী ফুদন— থম্মোয়নি ॥১৫৭—১৫৮॥

সমুদ্র হায়ববু নহাক্নি, সরস্বতীন নহাক্নী মাহৈশিংগী মূর্ত্তি পুবী দেবতা ওইরি। মৈগী মুংশিংকী শক্তি

---

* হায়রিবসি "পরমাত্মাগী লক্ষণ" হায়বগুম্বনি। আত্ম— পরমাত্মাদি নিপাম্ন নত্তে, নুপীম্ন নত্তে, নপুংসকম্ন নত্তে। মাসি কৰ্ণগীনো হায়বদা দেহ অমদা নিপা ওইন ওইনা মতমদুমক্নুনা নুপী শাদুনা লৈরি। অদুনা নিপাম্ন ওই নিপাম্ন ওইদে, নুপীম্ন ওই নুপীম্ন ওইদে হায়বা মশানা তাকবনি। মরমদি— লৈবা লৈতবা, ওইর ওইদবা অমীমক মীশক পোংশীক অমওনা ওইবনি। বিদ্যা চং মাংবা শানী পণ্ডিত অমীনা অমনা জীব লৈ হায়, অমনা লৈতে হায়। অমনা হায়রি— ব্রহ্ম হায়বা অমা লৈতে, জীব হায়ববু ব্রহ্ম হায়দিবসিনি। অমনা হায়রি— ব্রহ্ম হায়বা অংতাপ্পা অমা লৈবা নত্তে, ব্রহ্ম হায়ববু জীবসিমক্নি। মতংশিং অসিনা খেন্নবগী মরমদি— অত্মা মশা অমতনা মতম অমতদা লৈ লৈতে অনীমক হায়রি। দেহ অমদা লৈরিবা আত্মানা অশিবা দেহ অমবু ঊরগা শিংদে— 'লত্রে' হায়রে। লৈত্রে হায়রিবা অত্মা অদু মা-মক্না অদুম দেহ অমদা লৈত্রে শিংদে হায়জরি। অদুনা অত্মানা লৈরিবা দেহ— সংসার অসি মিথ্যা মীনম্বনি মায়ানি হায়নরিবনি। অসিগুম্ন পরমাত্মবু মহাদেবমক্ন হায়না শৈলশিংনা হা বা ভাবরদা লক্ষণ পুম্নমক মসি মহাদেবনা লান্নশিংনা বর্ণনা তৌবা ভাবরনি। মদুগা মাঙ্গদে বমাক্ন অসঙ্গম্না ওইবা— ওইদবা, লৈব-লৈতব" গী মায়া অসিদা ঈমাও মাওজদবা আত্মা অমা লৈরি। মাদুনি পরমাত্মা হায়রিবসি।
(কালাচাঁদ)

ন ব্রহ্মা ন চ গোবিন্দঃ পৌরাণা ঋষয়ো ন তে। মাহাত্ম্যং বেদিতুং শক্তা যথাতথ্যেন তে শিব ॥১৬০॥

যা মূর্ত্তয়ঃ সুসূক্ষ্মাস্তে ন মহ্যং যান্তি দর্শনম্। ত্রাহি মাং সততং রক্ষ পিতাপুত্রামিবৌরসম্ ॥১৬১॥

রক্ষ মাং রক্ষণীয়োঽহং তবানঘ নমোঽস্তু তে। ভক্তানুকম্পী ভগবান্ ভক্তশ্চাহং সদা ত্বয়ি ॥১৬২॥

যঃ সহস্রাণ্যনেকানি পুংসামাবৃত্য দুর্দৃশঃ। তিষ্ঠত্যেকঃ সমুদ্রান্তে স মে গোপ্তাস্তু নিত্যশঃ ॥১৬৩॥

যং বিনিদ্রা জিতশ্বাসাঃ সত্ত্বস্থাঃ সংযতেন্দ্রিয়াঃ। জ্যোতিঃ পশ্যন্তি যুঞ্জানা তস্মৈ যোগাত্মনে নমঃ ॥১৬৪॥

জটিলে দণ্ডিনে নিত্যং লম্বোদরশরীরিণে। কমণ্ডলুনিষঙ্গায় তস্মৈ ব্রহ্মাত্মনে নমঃ ॥১৬৫॥

যস্য কেশেষু জীমূতা নদ্যঃ সর্ব্বাঙ্গসন্ধিষু। কুক্ষৌ সমুদ্রাশ্চত্বারস্তস্মৈ তোয়াত্মনে নমঃ ॥১৬৬॥

পাঙলমু নহাক্তনা ওইরিবনি। মীৎ পাঙথোক্-পাওশিন্‌বা— নিমেষ-উন্মেষ চায়বহুম্ নহাক্তি। মংনা মীৎ পাঙপোক্লগা অয়ুক-নুংথিল, উইশিল্লগা অহিং ওইরি ॥১৫৯॥

মহাদেব! সদাশিব! নংগী মতীক্ নগুণ দথোনাবু আ-য়ৌনা থওজিন্‌বসি ব্রহ্মা বিষ্ণু মহুৰা খুই-ষবা লিবা ঋষিশিংমক্লসু থওদে ॥১৬০॥

নহাকী কূপ্লবা পীক্রবা মূর্ত্তিদা, ঐখোয়গী দৃষ্টিশক্তিদগী য়াংমদা লৈবনি, ঐখোয়না উ ফাকপা ঙম নত্তে, হে ভগবান্! মপানা মবুক্তগী— মাগী ঈদগী তাবা মচাবু শেম্নবিবা ঙাকপিবহুঙ্ম। নহাক্না ঐহাকপুনু কন্‌বিয়ু— ঙাকপিয়ু ॥১৬১॥

হে পাপকী শরক য়াওদ্রবা! ঐসে নহাক্না কন্‌বিবদা মতীক চায়বা অমনি। মহুনা ঐবু কন্বিয়ু। নঙোন্দা চওজরি, হন্না হন্না খুরুমজরি। নহাক্তি ভক্তশিংবু চান্‌বিবা ভগবান্‌নি, অহুগা ঐদি নহাকী ভক্ত অমনি ॥১৬২॥

অতাইবং জীবশিংবু মাগী মায়াগী লাংদা থুহন্দুনা মশাগী মশকপু থওচন্দ্রবা, নীঙতবা পূম্নমক্না থুংলবা মুংবা সমুদ্র ঈপাকী মতোওগী ঈগ্রল ঙান্না উহনবা, মাগুম্বা অনী ওইবা অদুগুম্বা পরমেশ্বরনা ঐহাকপু কম্‌বিবা ওইসনু ॥১৬৩॥

যোগমায়াগী নিদ্রাগী মথং পোন্দনা প্রাণ অপাননশিংগবু নিয়ম তৌদুনা লাকৃহংদুনা থম্বা, ইন্দ্রিয় পূম্নমকপু জয় তৌদুনা সত্ত্বগুণদা কায়বা অদুগুম্বা যোগীশিংনা ধ্যানগী পাম্বৈতনা মতাংগী মশক্ ওইবা মাগী অদুবু শংশংনা উবা ফংবা অদুগা যোগাত্মা— যোগগী মশক ওইবা পরমেশ্বরবু ঐনা খুরুমজরি ॥১৬৪॥

কোক্তা জটা, খুত্তা দণ্ড পুদুনা— পায়দুনা লৈরিবা, চাউরবা পুক্, নোয়রবা হকচাংনা মাগী ওইবা, কমণ্ডলুনা মাগী তেন্দোং ওইরিবা, ব্রহ্মাগী মতৌগুম্ ঙান্তোইরিবা, অদুগুম্বা সদাশিব— মহাদেবদা হন্না হন্না খুরুমজৈ ॥১৬৫॥

নোং পূম্নমা জটাগী শম্নক্তা ভত্তুনা পাইদুনা লৈরিবা, মাগী হকচাং কায়াংকী তাং তাং খিবিক্তা তুরেল পূম্বনা ভত্তুনা— লেপত্তনা চেল্লিবা, ঈশিংগী মশক ওইবা অদুগুম্বা পরমেশ্বর— সদাশিব— মহাদেবদা ঐনা খুরুমজরি ॥১৬৬॥

সংহৃত্য সর্ব্বভূতানি যুগান্তে পর্য্যুপস্থিতে। যঃ শেতে জলমধ্যেষু জলমধ্যস্থকং প্রপদ্যেঽপ্সুশায়িনে ॥১৬৭॥
প্রবিশ্য বদনং রাহোর্যঃ সোমং পিবতে নিশি। গ্রসত্যেকং চ স্বর্ভানুর্ভূত্বা মাং সোঽভিরক্ষতু ॥১৬৮॥
যে চানুপতিতাগর্ভা যথাভাগানুপাসতে। নমস্তেভ্যঃ স্বধা স্বাহা প্রাপ্নুবন্তু স্বদন্তু তে ॥১৬৯॥
যেঽঙ্গুষ্ঠমাত্রাঃ পুরুষা দেহস্থাঃ সর্ব্বদেহিনাম্। রক্ষন্তু তে হি মাং নিত্যং নিত্যং চাপ্যায়য়ন্তু মাম্ ॥১৭০॥
যেন রোদন্তি দেহস্থা দেহিনো রোদয়ন্তি চ। হর্ষয়ন্তি ন হৃষ্যন্তি নমস্তেভ্যোঽস্তু নিত্যশঃ ॥১৭১॥

প্রলয়গী মতমদা লাকপদা, অচৌবা জীব পুম্ববু লোইনা মাংহনবা মতুংদা, প্রলয় ঈপাক ঈথক্তা, চেপ্পুনা লৈবা ক্ষীরশায়ী, পরমেশ্বর মাগী খুযাদা চঙজরি— আশ্রয় তৌজরি ॥১৬৭॥

চন্দ্রমাগী অমৃতবু থকপবা, রাহুগী হকমনুংদা চংদুনা অমৃতপুবু থক্তোকউবা, মশামক রাহু'মুক ওইদুনা সূর্য্যবু গ্রহণ তৌরবা, তৌওমদবা তৌবা পরমেশ্বর নহাক্কী চরণদা খুরুমজৈ ॥১৬৮॥

ব্রহ্মানা পোক্লবা তুংদা পোকপা, পিতৃলোককী দেবতা ওইবা, অতাংগী মতৌগুম যজ্ঞ খুদিং মাগী কংকম নমহুনা লৌবা, পরমেশ্বর মতোন্দা খুরুমজৈ। স্বধা স্বাহাগী পাম্বৈনা যজ্ঞগী শরুক কংহুনা,— থোইনবু পেন্নবি সুংত্তাইথি ॥১৬৯॥

হকচাংবু পুন্নবা জীবশিংগী হকচাংমনুংদা খুবীমুক্তা রানা, তাপ্লোইরিবা মহাক্না ঐহাকপু কন্নবিসনু— তত্তনা তাকপিসনু ॥১৭০॥

হকচাং মনুংদা লৈন লৈনা নশামক্তি কপ্তুনা অতোপ্পা হকচাংশিংদা লৈবশিং আত্মাশিংহুবু নহান্না কপহল্লি। হকচাং মনুংদা নশামক্তি সুংত্তাইনা লৈত্তনা অতোপ্পশি বুদি হুংহল্লি। অদুগুম্বা রুদ্রশিংদা মতম পুম্বদা চঙজরি খুরুমজরি ॥১৭১॥ *

---

* "রুদ্র" হায়বা শব্দ অসি রুদ্ (কপ্পা) ধাতুদগী থোকখিবনি। শ্লোক অসিনা পুন্নিব মসুংগী অশম্বা তাবত্তি— আত্মাসিনা দেহমনুংদা মশাদি কপ্পা ঈয়াও য়াওদনা মাগী কুথোম— দেহ অদুদা রাননীত্তার কপ্পনীত্তার ওইবা অবস্থাহু উহল্লবা অতৈ অতোপ্পা দেহদা লৈরিবা আত্মাশিংবুদি কপহল্লি। কপ্পিবহু হকচাং মর্ত্ত্যদেহদুন নত্তে। অতকপদি— দেহ অমদা ঈকপ কপ্তুনা লৈরিবা মশামক্না, মওংহুমক্তনা অতোপ্পা দেহ অমদা লৈদুনা কপ্পুখি। অসুম তৌদুনা অরা সুংত্তাই কপ্পা-লাউবগী মায়ালীলা অসি মহাক মথন্তনা শান্নি। দেহসিদগী মহাক্তি ঈকপ কপ্তুনং থোকপ্রগা থোকত্রিবা অতৈ দেহদা লৈহৌরিবা আত্মাশিংহুবু কপহলহৌই। মশাগীদি করিমত্তা লৈজদবা লায়রবা শাদুনা লৈরগা মাগী কুবেরগুম্বা ভক্তাশংবুদি সনা লুপা হী-য়াই লিশিং লিশিংগী মপু ওইহল্লি, রাজচক্রবর্ত্তী ওইহল্লি। পরমাত্মা পরমেশ্বরগী অশিগুম্বা মায়ালীলাসিবু শিব নীত্তবা শিব উপাসনা তৌবা— শৈবশিংনা রুদ্রনা পামশিন্দুনা, রুদ্র— মহাদেববু পরমাত্মা পরমেশ্বরনি হায়না ঈড়াংলি। কালিদাস-মরুম্ব মহাক্কী "রঘুবংশ মহাকাব্য" দা ঈহন্ হান্‌বদা মঙ্গলাচরণদা "পার্ব্বতীপরমেশ্বরৌ" অদুম হায়না শিব দুর্গা অনীবু নমস্কার তৌদুনা নমস্কারাত্মক-মঙ্গলাচরণ পীখি। শ্লোক অসিগী মশাদসু রুদ্র

যে নদীষু সমুদ্রেষু পর্ব্বতেষু গুহাসু চ। বৃক্ষমূলেষু গোষ্ঠেষু কান্তারে গহনেষু চ ॥১৭২॥
চতুষ্পথেষু রথ্যাসু চত্বরেষু তটেষু চ। হস্ত্যশ্বরথশালাসু জীর্ণোদ্যানালয়েষু চ ॥১৭৩॥
যেষু পঞ্চসু ভূতেষু দিশাসু বিদিশাসু চ। চন্দ্রার্কয়োর্মধ্যগতা যে চ চন্দ্রার্করশ্মিষু চ ॥১৭৪॥
রসাতলগতা যে চ যে চ তস্মৈ পরং গতাঃ। নমস্তেভ্যো নমস্তেভ্যো নমস্তেভ্যোঽস্তু নিত্যশঃ ॥১৭৫॥
যেষাং ন বিদ্যতে সংখ্যা প্রমাণং রূপমেব চ। অসংখ্যেয়গুণাঃ রুদ্রাঃ নমস্তেভ্যোঽস্তু নিত্যশঃ ॥১৭৬॥
সর্ব্বভূতকরো যস্মাৎ সর্ব্বভূতপতির্হরঃ। সর্ব্বভূতান্তরাত্মা চ তেন ত্বং ন নিমন্ত্রিতঃ ॥১৭৭॥
ত্বমেব হীজ্যসে যস্মাৎ যজ্ঞৈর্বিবিধদক্ষিণৈঃ। ত্বমেব কর্ত্তা সর্ব্বস্য তেন ত্বং ন নিমন্ত্রিত ॥১৭৮॥
অথবা মায়য়া দেব সূক্ষ্মরা তব মোহিতঃ। এতস্মাৎ কারণাৎ বাপি তেন ত্বং ন নিমন্ত্রিতঃ ॥১৭৯॥
প্রসীদ মম ভদ্রং তে ভব ভাবগতস্য মে। ত্বয়ি মে হৃদয়ং দেব ত্বয়ি বুদ্ধির্মনস্ত্বয়ি ॥১৮০॥

তুরেল সমুদ্র চিঙ গুহা উকমু ননুংগং চত্বর চংলম্বা অমনবা লম্বী, উমং লমলোং মরি কাংবা লমজাউ কড়ক মাগোৎ, চীংখক্ নাইবা লৈপু পৃথ্বী, লম্বী মপান শামুশঙ্গী গোলশঙ, রথ শঙ্খমশঙ কুইরবা ভক্তবা বন হৈংলোম লৈশোঙ মশাক য়ুম, পঞ্চভূত প্রেত মাংগৈ-শলাই, দুনিং-থা অদুগা দুনিং-থাগী মঙাল, পুরমক অসিদা, রসাতলদা অমগা মখম অতৈ মাতেলম্বু মফম মফম মতম মতংতুগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা— নমস্তেভ্যোঽস্তু নিত্যশঃ মখম মকন পুম্নমক শীনথুংবা ভান্দুনা লৈরিবা রুদ্রনা খুরুমজরি খুরুমজরি, খুরুমজরি ॥১৭২—১৭৫॥

রুদ্রগী থোংলোয়শংসু অমমম্না রুদ্র মকুনি। অদুগুম্বা রুদ্রশিং অংগী মশীং মশিং মশক, খাং-চাউবমচিব হকচাংশিংগী মূর্ত্তিশিং অদুগীদি ভমথৈ লৈতে, শীথাবা ভমদে। অদুগুম্বা রুদ্রশিংদুসু ঐনা হয়া হয় খুরুমজরি ॥ ১৭৬॥

হে রুদ্র! নহাক্তি অচচচব পুম্বগী ভম্মাতা— মপোক শীবিবা অপোকপনি। পুম্নমকসিবু শেম্বিব মপু, অভাক্তম্বা মপু অদুগা মাভ নম্বব— তৌশিন্নবিবা মপুতি নহাক নশা নংভনা ওইরিবনি। পুম্নমকসি নহাক্না ভইবনা ঐনা নহাকী নিমন্ত্রণ তোক্তনা শৌজদবনি ॥১৭৭॥

বিধি নিয়ম তাখাল তোঙনংগী দক্ষিণা মঙং তোক্তাল তাডনবগী তৌনরিবা যজ্ঞশিং অসে নহাকী উদ্দেশ্যদা তৌনবা ওকনি। যজ্ঞ পুম্বগী ভম্বু মুম্মা শঙবদি অদুগা যজ্ঞ হাম্বাম্নমকপু শেম্বিবা কর্ত্তাদি— যজ্ঞকর্ত্তাদি নংক্না অংমু মঙক্কবনিনা ঐনা নহাকী নিমন্ত্রণ তোঙাম্না অংক্ তৌজদবনি ॥ ১৭৮॥

মহাদেব! নংগী সূক্ষ্ম থমুম্বা লীথেক। মায়রা মায়াদ ভুম্মাংখিবা। ঐনা নহাকী নিমন্ত্রণ তো-ঙাম্না অমুক তৌজখিদ্রবা ॥১৭৯॥ হে ভগবন্! হে ভব! মঙ্গল ওইবিসু, তোঙবা ঐ নহাকী চরণগী

প্রজাপতিনা পরমাত্মাগী গুণ লক্ষণ পূর্ব্বক মহাদেবদ চপচান পাম্থিন্দুনা মহাদেব— রুদ্রবু পরমাত্মাগী সাকারমূর্ত্তিনা হায়না অঙাংথন তৌই। মথগী প্রাকশিংদসু বাগী দমক মহক্না অদুম্বা মহাদেববু মহাকী মক্তদা করিগী নমক্তা নিমন্ত্রণ তৌদবগে হায়বদুগী মরম চপচানা মথং মথং শীরি। (কালাচাঁদ)

স্তুত্বৈবং স মহাদেবং বিররাম প্রজাপতিম্। ভগবানপি সুপ্রীতঃ পুনর্দক্ষমভাষত ॥১৮.॥
পরিতুষ্টোঽস্মি তে দক্ষ স্তবেনানেন সুব্রত। বহুনাত্র কিমুক্তেন মৎ সমীপে ভবিষ্যসি ॥১৮.॥
অশ্বমেধসহস্রস্য বাজপেয় শতস্য চ। প্রজাপতে মৎ প্রসাদাৎ ফলভাগী ভবিষ্যসি ॥.৮৩॥
অথৈনমেঽভ্যব্রবীৎ বাক্যং লোকস্যাধিপতির্ভবঃ। আশ্বাসনকরং বাক্যং বাক্যবিৎবাক্যসম্মিতম্ ॥.৮৪॥
দক্ষ দক্ষ ন কর্ত্তব্যো মন্যুর্বিঘ্নমিমং প্রতি। অহং যজ্ঞহা ত্বত্তো দৃষ্টমেতৎ পুরাতনম্ ॥১৮ ॥
ভূয়শ্চ তে বরং দদ্মি তং ত্বং গৃহীষ্ব সুব্রত। প্রসন্নবদনো ভূত্বা ত্বমিহৈকমনাঃ শৃণু ॥ ৮৬॥
বেদাৎ ষড়ঙ্গাদুদ্ধৃত্য সাংখ্যযোগাচ্চ যুক্তিতঃ। তপঃ সুতপ্তং বিপুলং দুশ্চরং দেবদানবৈঃ ॥১৮৭॥
অপূর্ব্বং সর্ব্বতোভদ্রং সর্ব্বতোমুখমব্যয়ম্। অব্দৈর্দশাহসংযুক্তং গূঢ়মপ্রাজ্ঞনিন্দিতম্ ॥ ৮৮॥

আখিরদা চত্তরি। অহুনা ঐবু ...নৎবমু। ঐগী থম্মোয় পুক্নীং বুদ্ধি জ্ঞান হবচাং লোইমনক্ নঙোন্দা কখোকচরবনি ॥.৮০॥

মতৌ অদুম্না মহাদেবগী স্তুতি তৌরবা তুংদা দক্ষ প্রজাপতি অসি তুনিম্ন বা ঙাংদনা মহাদেবরোমদা য়েংদুনা লৈখি। মাগী মতৌদু উবদ মহাদেবনা চেক্লিবি চানবিরদুনা দক্ষদা অদুম্না হায়রকই ॥১৮১॥

নীতখিবা ব্রতবু ভাগ্নবা দক্ষ! নহাক্না ঐগী দমক তৌরিবা স্তুতি অসিদা ঐ য়াম্না পোক্লে। অমুক করি হায়রগনি, নহাক অসি ঐগী ঈনাক্তা লৈরগদবনি ॥১৮ ॥

প্রজাপতি! ঐনা চেক্লিব ঙাক্তা বাসনা নহাক যজ্ঞ অসিগী মহৈ ফঙবতা নত্তনা অশ্বমেধযজ্ঞ লিশিং অদুগা বাজপেয় যজ্ঞ চাম তৌবগী মহৈ ফংলগদবনি ॥১.৩॥

অদুগী তুংদা মালেমগী লোক পুম্নমকগী মপু মহাদেবনা দক্ষবু থেমচিনবদুনা নীতখিজনবা বাহৈনা অদুম্না হায়রকই ॥১৮৪॥

প্রজাপতি! দক্ষ! নংগী যজ্ঞদা হৈথায়বা পীখিবসিগী দমক দপুক্নীংদা বাখৌবা শুঙাইতবা থবক তৌগনু। হন্দক্তা নত্তে, হৌখিবা কল্প অমদগী ঐনা নহাক্কী যজ্ঞবু অমুকন্না থুগাইখ্রবনি। অদুনা কল্প অসিমদদগী হায়গীহুন্না মতং ঈকায় কায়দনা অদুম্মক্ মতৌখিমসিনি ॥১৮৫॥

যজ্ঞব্রত কল্লবা! ঐনা নঙোন্দা বর অমা পীগনি, মাগু নং হরাউ হরাউনা স্বীকার তৌ— লৌ। অদুগা ঐনা হায়গদৌরিবসি য়াম্না পুক্নীং চঙন তাও ॥১৮৬॥

মমাংগৌদা যুগ অমদা অঙ্গ তরুক্তা তিল্লবা বেদ সাংখ্যযোগ অদুগা তর্ক বিতর্ক ময়াম্না মরম তাইদুনা নিশ্চয় তৌনখিদুনা ওয়োক্তা কল্লবা, শাক চাউরবা অম। কক্কত্রবা যজ্ঞ অমা দেব দানবশিংনা লিংখৎখি। মাদুদগী হেন্না চাউরবা অতদুগী বাদো ঐ নঙোন্দা পীগে ॥১.৭॥

দক্ষ! মমাংগৌদা ঐনা মহামঙ্গল পীনহৈরবা পাশুপত কৌবা যজ্ঞ অমা লিংখৎখি— হৌদোকখি। মাদো ঈহান্ হান্‌বা যজ্ঞনি, হায়বদি— পাশুপত হায়বা যজ্ঞদো মাদুনা মহাক্নে। পাশুপত হায়বা যজ্ঞসি

ব্যাধিতো দুঃখিতো দীনশ্চোরগ্রস্তো ভয়ান্বিতঃ। রাজকার্য্যাভিযুক্তো বা মুচ্যতে মহতো ভয়াৎ ॥১৯৫॥
অনেনৈব [illegible] সংসারাৎ [illegible]। [illegible] ॥১৯৬॥
ন রাক্ষসাঃ পিশাচা বা ন ভূতা ন বিনায়কাঃ। বিঘ্নং কুর্য্যুঃ গৃহে তত্র যত্রায়ং পঠ্যতে স্তবঃ ॥১৯৭॥
শৃণুয়াদ্বা [illegible] নারী [illegible] ব্রহ্মচারিণী। পিতৃপক্ষে ভর্তৃপক্ষে পূজ্যা ভবতি [illegible] ॥১৯৮॥
শৃণুয়াদ্যঃ [illegible] কীর্ত্তয়েদ্বা [illegible]। [illegible] সর্ব্বাণি [illegible] সিদ্ধি [illegible] ॥১৯৯॥
মনসা চিন্তিতং যচ্চ যচ্চ বাচানুকীর্ত্তিতম্। সর্ব্বং সম্পদ্যতে তস্য স্তবস্যাস্যানুকীর্ত্তনাৎ ॥২০০॥
দেবস্য [illegible] দেব্যা নন্দীশ্বরস্য [illegible] কৃত্বা [illegible] নিয়মেন [illegible] ॥২০১॥
ততস্তু যুক্তো [illegible] যথাক্রমম্ [illegible] মানবঃ ॥২০২॥
মুচ্যতে সর্ব্ব [illegible] ন [illegible]। [illegible] ব্যাসঃ [illegible] প্রভুঃ ॥২০৩॥

[illegible] কোপ [illegible] রাক্ষস-[illegible], ভূতগণ [illegible] বিঘ্ন [illegible], [illegible] [illegible] অপর [illegible] ইহাদের কেহ [illegible] এই স্তব পাঠ [illegible] ॥১৯৫॥

[illegible] মহাদেবকে [illegible] — [illegible] ॥১৯৬॥

[illegible] পাঠ [illegible], শ্রবণ [illegible] [illegible] ॥১৯৭॥

[illegible] মহাদেবকে [illegible] পাঠ [illegible] পিতৃকুল মাতৃকুল [illegible] ॥১৯৮॥

[illegible] অসিদ্ধ [illegible] পাঠ [illegible] শ্রবণ [illegible] ॥১৯৯॥

[illegible] "[illegible]" [illegible] পাঠ [illegible] ॥২০০॥

[illegible] — [illegible], [illegible] — [illegible], পার্ব্বতী [illegible] পূজা [illegible] — [illegible]। [illegible] — [illegible]। [illegible]। [illegible] মহাত্মা [illegible] ভগবান্ ব্যাসদেব [illegible] মহাত্মা [illegible] ॥২০১—২০৩॥

ব্যাধিতো দুঃখিতো দীনশ্চৈবৈতো ভয়াদিতঃ । স্বাস্থ্যকর্ত্ত্রীং বিদুষ্মোক্ষ যু [illegible] সহস্রো ভবেৎ ॥১৯৬॥
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ... একাগ্র মনসা নিত্যং যুক্তা [illegible] [illegible] ॥১৯৬॥
ন চাক্ষমঃ পিশাচা বা ন ভূতা ন বিনায়কাঃ । [illegible] ভূর্য্যাঃ পুত্র তস্য বর্ত্তাসে পঠতে স্তবং ॥১৯৭॥
পুত্রার্থিতেও যা নারী এবং ভক্ত ব্রহ্মচারিণী । পিতৃপক্ষে তর্ক্ত্রূক্ষে পূজ্য অত্তি [illegible] ॥১৯৮॥
পুত্রার্থং যঃ স্তবং কুরু [illegible] কীর্ত্তয়েৎ ব্যাসস্থিতঃ । তস্য সর্ব্বাণি কর্ম্মাণি সিদ্ধ্যন্তি গজপ্রতীক্ষ্যং ॥১৯৯॥
মনসা চিন্তিতং যচ্চ যচ্চ বাচানুকীর্ত্তিতম্ । সর্ব্বং সম্পদ্যতে তস্য স্তবস্যাস্য সুকীর্ত্তনাৎ ॥২০০॥
[illegible] [illegible] [illegible] দেবাঃ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥২০১॥
[illegible] [illegible] [illegible] যথাক্রমম্ । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥২০২॥
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ন [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥২০৩॥

[illegible] [illegible] [illegible], [illegible]-[illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাঠে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]— [illegible] ॥১৯৫॥

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মহাদেবকী [illegible]— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥১৯৬॥

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥১৯৭॥

[illegible] [illegible] [illegible] মহাদেবকী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাঠে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥১৯৮॥

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাঠে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥১৯৯॥

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] "[illegible] [illegible]" [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাঠে [illegible] [illegible] [illegible] ॥২০০॥

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]— [illegible] [illegible] [illegible], [illegible]-[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]— [illegible] [illegible] [illegible], [illegible], [illegible], পার্ব্বতী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পূজা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাঠ [illegible]— [illegible]-[illegible] । [illegible] [illegible]— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible]-[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মহা ভগবান্ ব্যাসের [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥২০১—২০৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি দক্ষপ্রোক্তশিবসহস্রনামস্তবে একোনাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭৯॥

——:(*):——

মতম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা শিবসহস্রনামস্তোত্রগী চনীহমরুক্তরাগাপন্‌থবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭৯॥

——:(*):——

মণিপুরী মহাভারত

আশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(অধ্যাত্মজ্ঞান অহুগা মাসিগী মহৈ)

চনীমরিফুশুবা অধ্যায়।

——:(*):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অধ্যাত্মনাম যদিদং পুরুষস্যেহবিদ্যতে। যদধ্যাত্মং যতশ্চৈব তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

সর্ব্বজ্ঞানং পরংবুদ্ধা যন্মাং ত্বং পরিপৃচ্ছসি। তৎ ব্যাখ্যাস্যামি তে তাত তস্য ব্যাখ্যামিমাং শৃণু ॥২॥

পৃথিবী বায়ুরাকাশমাপো জ্যোতিশ্চ পঞ্চমম্। মহাভূতানি ভূতানাং সর্ব্বেষাং প্রভবাপ্যযৌ ॥৩॥

স তেষাং গুণসংঘাতঃ শরীরং ভরতর্ষভ। সততং হি প্রলীয়ন্তে গুণাস্তে প্রভবন্তি চ ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হংঙি,— ঈবুধো! তাইবং মীগী মমক শাস্ত্রদা অধ্যাত্মতত্ত্ব হায়রে অমা হেক হেক ই। অধ্যাত্ম হায়বসিবু করিনো? অহুগা মাসিগী উৎপত্তি (পোক্লকপা থোরকপা) খসিনা থোকখিবসি করামনীনে? মাসি পুম্নমক অসি অমুক্তা নখৈশেংনা তাকপিয় ॥১॥

ভীষ্মনা হায়,— ঈবুঙো! তৌকিক নংাক্তা চংশিনবা অধ্যাত্ম হায়বসিনা বুদ্ধিপা লোক্লনবা বিষয় পুম্নমকী মমক্তা খুইংগী তেঙ্না থনবা থোৱা জ্ঞান নী।॥ হায়রিব অধ্যাত্মজ্ঞান হায়বসিগী ঐ ব্যাখ্যা তোৱে যুম্না তাও॥২॥ লৈপাক মুংশিং অকাশ ঈশিং অতুপ তেজ— মৈ হায়রিবা মহাভূত মঙা অসি অচনবা জীব পানবা পুম্নমকী পোক্লকফি অমদি লোইকফি ॥৩॥ ভারত অথোইবা! জীব-পান্‌বা পুম্নমকী হকচাং

ততঃ সৃষ্টানি ভূতানি তানি যান্তি পুনঃ পুনঃ। মহাভূতানি ভূতেভ্য ঊর্ম্ময়ঃ সাগরে যথা ॥৫॥
প্রসার্য্যেহ যথাঙ্গানি কূর্ম্মঃ সংহরতে যথা। তদ্বৎ ভূতানি ভূতানামল্পীয়াংসি স্ববীয়সাম্ ॥৬॥
আকাশাৎ খলু যো ঘোষঃ স ধাতুস্তু মহীগুণঃ। বায়োঃ প্রাণোঽথসঙ্ঘাতো রূপং তেজস উচ্যতে ॥৭॥
ইত্যেতন্ময়মেবৈতৎ সর্ব্বং স্থাবরজঙ্গমম্। প্রলয়ে চ তমভ্যেতি তস্মাদুদ্দিশ্যতে পুনঃ ॥৮॥
মহাভূতানি পঞ্চৈব সর্ব্বভূতেষু ভূতকৃৎ। বিষমান্ কল্পয়ামাস যস্মিন্ যদনুপশ্যতি ॥৯॥
শব্দশ্রোত্রে তথা খানি ত্রয়মাকাশযোনিজম্। রসঃ স্নেহশ্চ জিহ্বা চ অপামেতে গুণাঃ স্মৃতাঃ ॥১০॥

অসে হায়রিবা পঞ্চমহাভূতশিং অসিনী থবকী মপৈনি, মতুমনি। থবকী মশক ওইদুনা লৈয়রবা ভূতশিংসে মতম পুম্বনা মাওথি লুপথিবগা চোংথোয়রকপগদা তৌদুনা লৈরিবনি ॥৪॥

সমুদ্রগী ঈশিংদা ঈথকশিংনা হাইগৎ-তাউথংলম্লগা ঈশাক্তা অমুমুক লুপথি-হিনুখিবদুগুম্না অউবা পঞ্চমহাভূতশিংসিনা উদবা শীক্লবা মওংদা লৈয়বদগী মশক উনা চোংথোক্লম্লগা অমুমুক লুপথিবনি। মতৌ অদুগুম্না শীক্লবা অচচ্চত্ত জীব পুম্নমক অসিনা পরমাত্মাগী থোরক থোরক্লম্লগা অমুমুক পরমাত্মা মতোন্দা লুপথিবনি ॥৫॥

থেঙ্গুগী মখোঙ মখুৎনচিংবা হকচাং-কায়াৎ পুম্বনা মপান্দা শন্দোক্লম্লগা হকচাংদুং অদুদা চঙশিনখিবদুগুম্না অচচ্চত্ত জীব পুম্নমকী হকচাং অসি আকাশ বায়ুনচিংবা মহাভূতশিংসিগী থোক্লম্লগা— অমুমুক মখোয়দা লুপথি চঙখিবনি ॥৬॥

হকচাংদুং অসিদা থুপ্পুনা লৈরিবা শব্দ— খোঞ্জেল অসি আকাশ (মহাকাশ কৌবা মহাভূত) অসিগী মশক উত্রিবা গুণ অমনি। মাসি হেক হেক মশক উহল্লম্লগা হায়বদি— তাহল্লম্লগা মহাকাশ অসিদা অমুক লুপথি হিনখিবনি। মপান্দা অউবা অচৌবা হকচাং— স্থুলশরীর অসি, পঞ্চমহাভূতশিংদা য়াওবা পৃথিবী (লৈপাক) হায়বদুগী কার্য্যগী মওংদা লাক্লবা গুণ নত্রগা কার্য্যনি। মতৌ অসুম তৌদুনা প্রাণবায়ু হায়বা অসিনা মপানগী মহাবায়ুসিংগী রস (মহাও) হায়বসিনা ঈশিংগী, রূপ (মশক) হায়বসিনা মপানগী মহাগ্নি কৌবা মহাভূত অসিগী গুণনি ॥৭॥

অসুম তৌদুনা হেক উরিবা অচচ্চত্ত জীবশিংগী হকচাংশিং অসি পঞ্চভূতশিংসিগী অউবা মশকমতুনি। মখোয়সি প্রলয়গী মতমদা— থুপ্পুনিবগী মতমদা পরমাত্মাদা থুপ্পুখি— হিনখি— লোইশিনখি। সৃষ্টিগী মতমদা, হায়বদি— অমুক মশক উবকপা উগম্নকপা মতমদা পরমাত্মাদুদগী মখো মখো থোরকই ॥৮॥

হায়রিবা ভূতশিংসিবু শেম্বিয়রিবা শক্তি পুম্নমক্না তিল্লবা ঈশ্বরনা জীব পানবা পুম্নমকী মশাদা হায়রিবা ভূতশিং অসি চাং য়েং য়েংদুনা শরুক নাইনা নাইবা য়েম্বোক্নুনা থম্বিরিবনি। হকচাংসিগী মনুংদা ভূত অদুনা লৈবা মতমদা— লৈরিবৈদা তাইবংমীনা লনরিবা থবক অমদি থবকী মওং অদু ঐ হায়গে মুম্না তাও ॥৯॥

শব্দ (খোঞ্জেল), নাকোং মথুন, অদুগা হকচাংদা লৈরিবা ভুখোংনচিংবা ছিদ্র (মখুল), হায়রিবা অসুম

রূপং চক্ষুর্বিপাকশ্চ ত্রিবিধং জ্যোতিরুচ্যতে। ঘ্রেয়ং ঘ্রাণং শরীরঞ্চ এতে ভূমিগুণাঃ স্মৃতাঃ ॥ ১॥
প্রাণঃ স্পর্শশ্চ চেষ্টা চ বায়োরেতে গুণাঃ স্মৃতাঃ। ইতি সর্বগুণা রাজন্ ব্যাখ্যাতাঃ পাঞ্চভৌতিকাঃ ॥ ২॥
সত্ত্বং রজস্তমঃ কালঃ কর্ম বুদ্ধিশ্চ ভারত। মনঃ ষষ্ঠানি চৈতেষু ঈশ্বরঃ সমবর্ত্তত ॥ ৩॥
যদূর্দ্ধং পাদতলয়োরবাঙ্ মূর্দ্ধ্নশ্চ পশ্যতি। এতস্মিন্নেব কৃৎস্নেয়ং বর্ত্ততে বুদ্ধিরুত্তমে ॥ ৪॥
ইন্দ্রিয়াণি নরে পঞ্চ ষষ্ঠং তু মন উচ্যতে। সপ্তমীং বুদ্ধিমেবাহুঃ ক্ষেত্রজ্ঞং পুনরষ্টমম্ ॥ ৫॥
ইন্দ্রিয়াণি চ কর্ত্তা চ বিচেতব্যানি ভাগশঃ। তমঃ সত্ত্বং রজশ্চৈব তেঽপি ভাবাস্তদাশ্রয়াঃ ॥ ৬॥
চক্ষুরালোচনায়ৈব সংশয়ং কুরুতে মনঃ। বুদ্ধিরধ্যবসায়ায় সাক্ষী ক্ষেত্রজ্ঞ উচ্যতে ॥ ৭॥

ঙসি 'আকাশ' হায়বা মহাভূত অমগী থবক্তি — মখোয়না ওৌবিবা খোকচাবিবমক্তনি। মহাও, অনম্বা, লৈ (জিহ্বা) অহুম অসিনা ঈশিং হায়বা মহাভূতকী থবক্তি। অহুম অসিনা লেপ্পরবনি ॥ ০॥

মশক, মীৎ, ভুক্বা হায়রিবা গুণ অহুম অসিগী মচৎ— থবক্তা, তেজ (মংদ— মৈ) হায়বা ভূত ভূতকী লৈ ॥ ১॥

মনম্, নাতোল, হকচাং হায়রিবা অহুম অসি 'লৈপাক' হায়বা অমগী গুণনি হায়রি। প্রাণ (প্রাণবায়ু), শোকপা, লোগ থোংলনচিংবা থবক, হায়রিবা অহুম অসিনা বায়ুগী গুণনি হায়রি ॥ ২॥

অহাংবংশগী মুংড়ইরবগী মশক ওইরবা। ঈশ্বরনা জীবশানুরবিংগী চহক লিংলনা সত্ত্ব, রজ, তম, কাল কর্ম, বুদ্ধি অমসুং পুক্নিং হায়বসিগা মোং ইন্দ্রিয় মঙা মখোয় তরুক অসি লৈ ॥ ৩॥

মথাক্তোমথা লোথা পুক্নিংগী চৌনা, মথক্রোমথা কাংইলেমক্তু লাবা অসিগী মতম্ভ লৈরিবা— হৌনাং আসিগী মহাদা, মকুম পুমমক বুদ্ধি হায়বসিনা মীনক্তুরে লৈরিবনি ॥ ৪॥

তাদিবং মীগী মথাদা জ্ঞান ইন্দ্রিয় মঙা, অদুগা পুক্নিং মখোয় তরুক অসি মপূ কাদা লৈ। বুদ্ধি হায়বী অসিনা শরেৎকুবদা অহুম নিপাল তরবদা ক্ষেত্রজ্ঞ — আত্মা হায়বসিনা লৈরিবনি ॥ ৫॥

হায়রিবা ... অসিগী, হায়রিবি— জ্ঞান ইন্দ্রিয় মঙা, অদুগা জীবাত্মা ক্ষেত্রজ্ঞ মখোয়সিবু মাগী মাগী মথো (থবক), মখোয়গী মকুহইরা তোঙান তোঙানা লৈ হাংনা খঙগদবনি। সত্ত্বগুণ রজোগুণ, তমোগুণ অহুমসিগী — সাত্ত্বিকভাব, রাজসিকভাব অদুগা তামসিকভাব মখোয় অসি, জীবাত্মা ক্ষেত্রজ্ঞগী অমাদা লৈরিবনি ॥ ৬॥

মীৎনচিংবা ইন্দ্রিয়শিং অসিনা লৈরিবসি 'রূপ' নিংবা থবক্তগী মক্তনি। পুক্নিং কৌবা ইন্দ্রিয় অসিনা চিন্তাকপা, হায়রি— পুক্নিং হায়বসিনা কডিগুম্বা বিষয় অমগী সন্দেহ অমত্তং লাকপদা বুদ্ধি হায়বীসিনা অরেপ্পা মঙ্গ শায়া তাকপিরি। তিন থবক্তুগী মতমদা অরেপ্পা মচং অমা হাইনগে চঙবগীমক পুক্নিং হায়বসিনা লৈরিবনি। মাসি পুক্নক অসিগী সাক্ষী ক্ষেত্রজ্ঞ— জীবাত্মা হায়বসিনা লৈরিবনি। তরুকমক। সত্ত্ব রজ, তম, কাল, কর্ম, হায়রিবা গুণ মখোয়সিগী পাইরবা বুদ্ধি হায়বীসি কোনা কোনা

তমঃ শব্দ মহদাদিস্তি কালঃ কর্ম চ জীবক। তৈলোর্ধ্নমীয়তে বুদ্ধিবুদ্ধিঃস্বেন্দ্রিয়াণি॥
মন মাত্রানি সর্বাণি বৃত্তান্তবে কূটোত্তমাঃ॥২৮॥
যেন পঞ্চতি তচ্চক্ষুঃ শৃণ্বতি শ্রোত্রমুচ্যতে। জিহ্বা তত্তি ত্রাণং ঘ্রাণঃ রসনং মনন্॥ ২৯॥
স্পর্শনং স্পর্শকী স্পর্শন্ বুদ্ধিবিক্রিয়তেজসকং। মন পার্শয়তে কিঞ্চিৎ তথা ভবতি সা মনঃ॥ ৩০॥

বিষয়শিংগী মায়েগদা তেক্ তেক্ পুশিরে। বুদ্ধি হায়বীসিনা পুক্নীংগা লোয়ননা ইন্দ্রিয়শিং অসিবু কোয়থাং থাংহনা পুশিবনি— থৌশিবনি। বুদ্ধি হায়না কৌবা তবংগী ইন্দ্রিয় অসিনা নৈরময়অদি— হায়রিবা ইন্দ্রিয় গুণশিং অসি মাৰা মানা লোকপা পঙতৌ ত ভৌবরমপনবনি॥ ৭—১৮॥

অমুত্তরা ইন্দ্রিয়গী পাথেঙ্গনা বুদ্ধি হায়বীসিনা তৌব খেবেগী থবক তৌশিবনি— দৃষ্টি মতগা নেম হায়না কৌবা ইন্দ্রিয়হু ওই। মতৌ খংয়া তাব, কৌবা থবক অম্ব তৌবা মতমনা থবকুগী পাথে ওই-শিবা মহাক অহু শ্রোত্র হায়না কৌবা, হায়রদি মাকোঃ হামনা কৌবা ইন্দ্রিয়ত্ব অইখি। বুদ্ধি হায়বী আশিং কাঙ্গয়া পোঃ অমগী মন কৌবা মতমপ মাপু ঘ্রাণেন্দ্রিয় হায়না মতুম মকৌই। হন (চক্কাও) কৌবা মতমনা বুদ্ধি অমমু তিহ্ব রসনেন্দ্রিয়— নৈ। হায়না মকৌনগ্রে। বুদ্ধি হায়বীসিনা লোকপা— পায়বা মতমনা পামু থংবি হায়না মতমা মতমখুমতনা মহাক উমুশা হায়ন কৌবা ইন্দ্রিয় অত্ত অহুম ওইখে। মতৌ অমসু বুদ্ধি হায়বীশিগী লেপ কাম পাত্র মতুইমা মশাক মশিং লোক্ লোক্ হোৎপি। অঙ্গুপা বিকার অমম্ অমনা এমক করিং তোংকপা মতমনা অমপা মতমখুমতনা অরিগুম্বা পাম্মকপা— হায়ঙ্গ কপা মতমা বুদ্ধি শিম্ এম (পুনীং) হায়না কৌগ ইন্দ্রিয়ত্ব অহুম্ মকৌগ্রে॥১৯—২০॥ *

---

* হায়রিবশিগী লম্বা তাংকি— মীং, নাকোং, নৈ, নাংগান্ উনম কৌবা হয়রিবা ইন্দ্রিয় মত্রাসি বুদ্ধ কৌবী মতকী পায়েন্ শব্দেন্ মত্তনি। কৌবি তৌবিনা খবক্কুগী মতুইমা মশিং তেক্ তেক্ হায়রে-তনি। কাকিং হায়বি হায়না তেক্ মখল মত মতুদ্ধি শশি নিকি কৌশিন্দ্রে উনম্— অত অহুম মকৌইগ্রে। বুদ্ধ হায়রবিশিংতা হায়বনি। চইং শীক্ ঙাওজ মমপ হায়ন পমমা এক্কি অমি 'মীং' কৌগ্রে। অহুমা মতৌগ্যু অহুম মতুমবনি। মশাগী মীং নাকোং কৌশিনবিনিনা উং তাবা নাত্তে। মশোমদি— চক্ষুঃ মাচং নৈশান্তি। মশোমনা উং অং উব নাক্ত। মশি পুমক মখৌং— ক্ষেত্রজ্ঞ জীবাত্মা হায়রবিনিনি। হায়রবা পুরমক মশিগী মত্মুগী পাকিত্ত্ব— অহিকা মক্তবনা। অত্তুনা তৌরিবা কিংপম্ বিমর্শ অম অধ্যাত্মি। আধিদৈব বিচারনি। মপান্দ খিকেক্রিয়া শক্ত মচে শিং অমিকি বৃক্তিগী খুংলায়দি। খুংলায়শিংসিনা থৌঞ্জবগু নুমনা মহেকলাগা থবক তৌবা ঙমদে। অদনা মপানগী খুংলায়-শিং অসি তক্ক নক্ক খাইং, মমগায়দবনি। তক তকেনবগু বুদ্ধি হায়বীসিনা শীরঙঙ্গিয়েবা, মনা য়াম্না লেংলবা মীং নাকোংনাশিংনা করিবু ঊবে তাকে। থাডনা য়াম্না থৌনবগু শীকমপদৌবিবহনা হেক্ পনীজিৎগ্রবদি— অমৌবা থাক মথমনা থানবা অকপা খুঙ্গা ঙমদে। (কালাচাঁদ)

অধিষ্ঠানানি বুদ্ধ্যাহি পৃথগেতানি পঞ্চধা। ইন্দ্রিয়াণীতি তান্যাহুস্তেষু দুষ্টেষু দুষ্যতি ॥২১॥
পুরুষে তিষ্ঠতী বুদ্ধিস্ত্রিষু ভাবেষু বর্ত্ততে। কদাচিল্লভতে প্রীতিং কদাচিদপি শোচতি ॥২২॥
ন সুখেন ন দুঃখেন কদাচিদপি বর্ত্ততে। সেয়ং ভাবাত্মিকা ভাবাংস্ত্রীনেতান্ পরিবর্ত্ততে ॥২৩॥
সরিতাং সাগরোভর্ত্ত যথা বেলামিবোর্ম্মিবান্। ইতি ভাবগতা বুদ্ধির্ভাবে মনসি বর্ত্ততে ॥২৪॥
প্রবর্ত্তমানং তু রজস্তদ্ভাবেনানুবর্ত্ততে। প্রহর্ষঃ প্রীতিরানন্দঃ সুখং সংশান্ত চিত্ততা ॥২৫॥
কথঞ্চিদুপপদ্যন্তে পুরুষে সাত্ত্বিকা গুণাঃ। পরিদাহস্তথা শোকঃ সন্তাপোঽপূর্ত্তিরক্ষমা ॥২৬॥
লিঙ্গানি রজসস্তানি দৃশ্যন্তে হেত্বহেতুভিঃ। অবিদ্যা রাগসম্মোহৌ চ প্রমাদ স্তব্ধতা ভয়ং ॥২৭॥

বুদ্ধি হায়রবীসিগী লৈকম ওইনা তোঙান তোঙানা শীজিন্নরিবা মীং নাকোংনাচিংবা খুংলাইশিং অসিবু ইন্দ্রিয় কৌই। হায়রিবা ইন্দ্রিয়শিংসিবু মাঙখোক্লবদি— দোষ লৈহল্লবদি, মখোয়সিদা চোং চোংদুনা লৈরু-পদোরিবী বুদ্ধি অদুগীক্ মশাদা দোষ লৈরে ॥২১॥

হকচাংগী মনুংদা তৌরিবা পুরুষক অসি লোইনা উবা সর্ব্বসাক্ষী ওইরিবা আত্মা নত্তকী আশ্রয়দা লৈরবী বুদ্ধি হায়বীসিনা লৈরিবসি সাত্ত্বিক, রাজসিক, তামাসক অবস্থা অহুম অসিদনি। অহুমা ওইরু ওইরুরিবা অবস্থা অদুগী মতুংইন্না বুদ্ধিনা নুংঙাইবা অপেনবসু পী, লেম্বা খোৎপা চাউখোক্লীওবনচিংবসু পী, অরাবা খুদোংথীবসু পী ॥ ২—২৩॥

তুরেল পুরুমক্কী মপুরোইবা ওইব সমুদ্র ঈ া্রা বাং-চাউরবা ঈথক্-ঈরৈগ লোয়ননা তোর্ব্বসুম্না কুজিল্লকবসু— মাগী চাংজৌ লৈরায় অদুদগীদি ঈরাল্লাংস্তে ক্লবতুগুন্না সাত্ত্বিকচংবা গুণ পুরুমকনা ভিন্নবসু সত্ত্ব রজ, তমঃ গুণ অহুম অসিবু বুদ্ধি হায়বীসনা থক্ লাংঙোক্তে: সাত্ত্বিকভাবনচিংবগী মশক্ ওইরবা পুরীং কৌবা ইন্দ্রিয়সগী মনুংদা হন্দোক-হুজিন্ তৌদুনা লৈশিন্দুনা লৈ ॥২৪॥

বুদ্ধি অসিনা রজোগুণগী মায়গৈরোমদা চঙ-নুংখিবদা মহাক্কী নশানা রাজসিকভাব অহুম মরাকুলে। পুরুষ অদুগী মশাদা কা হেত্না নুংঙাইবা, মাহুগী করিগুম্বা বিষয় অমদা থেইনা খল্লদনা থম্মোয়দা কা হেল্লা পেল্লবা হায়বহু হেক্ মওইরবদি মহাক অদু সাত্ত্বিকভাবতা চঙ্গক্লবনি ॥২৫॥

হকচাংদা নত্রগা পুরুমদা করিগুম্বা মরম অমনগী নত্রগা মরম অমতা লৈতনা চাক্পা (মীগী অকবা উবগা খাঙবা ওমদনা প্রোক্ প্রোক্ চাক্পা), করিদু ঈনং নঙবদ পঙবা-ত রাবা, রাগনবা, করিগুম্বা অমতং তৌরকপদা মপুং ঈকা কাদবা, খাঙবা ওমদবা অসিনচিংবা লাক্লবদি মী মহাক্কী মশাদা— রজোগুণ লাক্লবনি ॥২৬॥

বিদ্যা অমনি হায়না লৌবা য়াদবা অহুগুম্বা অবিদ্যা (শেধারবী বিদ্যা, অশাউবা, তত্ত্বংপা, চোইরোল্ লেনবা, ভৌকম থঙদবা, চুইঙক্-হেনঙক্-চাবা, অকিব, মঙ্গু ঈশোন্ শোন্না লৈবা, করিগু লৈতবা অমগী পাথংপা, রাঙবা, মঙ্গ্রেম-হাগ্রেমবা, তুমীংগনবা; অতনবা, হকাম্‌-চনবা, তীংথি-রাঙলিগনবা অসিনচিংবা

অস্মৃতিশ্চ তথা দৈন্যং প্রমোহঃ স্বপ্নতন্দ্রিতা । কথঞ্চিদুপপদ্যন্তে বিদ্ধি তা তামসা গুণাঃ ॥২৮॥
তত্র প্রীতিসংযুক্তং কায়ে মনসি বা ভবেৎ । বর্ত্তেত সাত্ত্বিকো ভাব ইত্যুপেক্ষেত তৎ তথা ॥২৯॥
অথ যৎ দুঃখসংযুক্তমপ্রীতিকরমাত্মনঃ । প্রবৃত্তং রজ ইত্যেব তদসংরভ্য চিন্তয়েৎ ॥৩০॥
অথ যন্মোহসংযুক্তং কায়ে মনসি বা ভবেৎ । অপ্রতর্কমবিজ্ঞেয়ং তমস্তদুপধারয়েৎ ॥৩১॥
ইতি বুদ্ধিগতীঃ সর্ব্বা ব্যাখ্যাতা যাবতীরিহ । এতৎ বুদ্ধ্বা ভবেৎ বুদ্ধঃ কিমন্য বুদ্ধলক্ষণম্ ॥ ২॥
সত্ত্বক্ষেত্রজ্ঞয়োরেতদন্তরং বিদ্ধি সূক্ষ্ময়োঃ । সৃজতেঽত্র গুণানেক একো ন সৃজতে গুণান্ ॥৩৩॥
পৃথগ্‌ভূতৌ প্রকৃত্যা তু সম্প্রযুক্তৌ চ সর্ব্বদা । যথা মৎস্য হ্রদেণ্যা স্তং সম্প্রযুক্তৌ ভবেৎ তথা ॥৩৪॥

তোয়না লাক্লবা মী মহাক অদুদি তমোগুণনা মশক মখং তোঙ'ল তোঙান্ পুক্লমা মহোন্দা কোঙশিল্লবা মীশক অথনি হায়না খঙ্গদবনি ॥২৭—২৮॥

অসিগুম্বা অবস্থাদা কল্লিগুম্বা মশাদা ঈপেত্ত পেল্লবা মশাগী অবস্থা অদুবু খঙজদনা অমগী মরল-মথুম মুংঙাইবরবু থোইনা কল্লকউদনা মুংঙ ইথোক্লুনা লৈল্লবদি মতম অদুদস্থু নচাক সত্ত্বগুণগী অবস্থাদা লৈ হায়বসি খঙ্গদবনি ॥২৯॥

ঐনা ঈপেন্ পেল্লত্রিব, ঈহৈ হৈনিংদ্রিবসি, অদুগা অরাবা মুংঙাইতবদা থংলিবসি কল্লিগীনো হায়না মশান্না খঙজরবা অদুগা মাদুগী মরম অদু খঙজরবা মতম অতুদা মহাক রজোগুণগী অবস্থাদা চঙলকলবনি, হায়না খঙগদবনি। অদুগা অদুগুম্বা মতম অদুনা অদুগুম্বা অবস্থাদুবু থোকহল্লিবা থবকশিংদু অমুক তৌদনবা হোংনগদবনি। হায়বদি— যাল্লিবমথৈ রজোগুণ মশাদা চঙজরুনবা হোৎমগদবনি ॥৩০॥

মতৌ অদুম্না হকচাংদা অমদি পূক্লীদা চোৎকশিন্দবদগী ওইরবস্থ মত্রগা থঙহৌনববগী ওইরবস্থু কল্লি-গুম্বা অবস্থাশিং অসি ওইরক্লবদি বিষয় অদুগা তমোগুণ লাক্লে হায়বসি খঙগদৌবনি ॥৩১॥

বুদ্ধি হায়বীসিগী ওইবিবা অবস্থাশিংসিগী ব্যাখ্যা তৌরবনি। অসি পুম্নমকসি খঙ্গজিন্দুনা থবক তৌর-বদি ওইবংমীবা জ্ঞানী হায়বদু হেক্ ওই। হায়রিবসি নত্তবা জ্ঞানী ওইবগী লক্ষণ অতৈ অমা অমুক কল্লি লৈগদগে ॥৩২॥

বুদ্ধি হায়বীসিগা ক্ষেত্রজ্ঞ— অমা হায়বসিগা অনী অসিদি য়াম্না কুপ্না লৈপ্রবনি। হায়বদি— অনী অসিগী ওত্তদি য়াম্না কুপ্না লৈপ্রবনি। অনী অসিনা থেল্লিনসি কল্লিনো হায়বসি ঙঙকম থোকই। অনী অসিগী মরক্তা থেল্লিবা হায়বদু বুদ্ধিনা সত্ত্ব রজ তম গুণশিংবু শেম্মি। অদুগা আত্মা হায়বসিনা কল্লি-গুম্বা অমত্তা তৌবা য়াওদনা তৌরিবা থবক পুম্বা অসিগী দ্রষ্টা (অইবা-সাক্ষী) ওই দুনা লৈ ॥৩৩॥

থাইলেশোংবদি বুদ্ধি হায়বীসিগা আত্মা হায়বীসিগা য়াম্না থেৎরে। অদুবু অনী অসি মতম পুম্নমক্তা ঈতৌত্ত তিন্নদুনা, অমত্তা ওইমিন্নদুনা লৈবগুম উই। ঙশিংগা ঙানা তোঙান তোঙানবা পোৎশক্কি, অদুবু অমগা অমগা মতম পুম্বা অমত্তা ওইমিন্নবগুম লৈ। মতৌ অদুগুম্বা বুদ্ধিগা আত্মাগা অনীসি তোঙানবদু অমত্তা ওইবগুম লৈ ॥৩৪॥

ন শুধ বিদুরাত্মানং সত্ত্ববান্ বেদঃ সর্ব্বশঃ পরিজ্ঞাতা গুণানাং তু স স্রষ্টা মন্যতে যথা ॥৫৫॥
[illegible] গুণসর্গম [illegible] সত্ত্বস্থ স্বভাবাং তু [illegible] ॥৫৬॥
সত্ত্বক্ষেত্র ইতি গুণান্ সত্ত্বং [illegible] সত্ত্বাং বা ক্ষেত্রোজ্ঞং সত্ত্বক্ষেত্রজ্ঞয়োঃ [illegible] ॥৫৭॥
[illegible] ক্ষেত্রজ্ঞং [illegible] প্রাণিপরং ॥৫৮॥
এবং স্বভাবাং [illegible] তং বুদ্ধা [illegible] স [illegible] ॥৫৯॥
[illegible] গুণাঃ ॥৬০॥

সত্ত্ব [illegible] গুণসর্গ [illegible] যথোক্তো [illegible] ॥৫৫॥

বুদ্ধি [illegible] বুদ্ধিদ্বারা [illegible] ॥৫৬॥

[illegible] অনীশী সৈবহিরা মর্ত্যসি জা—অন্য ধি-সাপাংশীনি ॥৫৭॥

[illegible]

[illegible] গুণানিং অবিদ্য কারিণি, অথবা [illegible] ॥৬০॥ *

---

* [illegible] (কালনীল)

প্রবৃত্ত্যা ন নিবর্ত্তন্তে প্রবৃত্তির্নোপলভ্যতে। এবমেকে ব্যবস্যন্তি নিবৃত্তিরিতি চাপরে ॥৪১॥
ইতীদং হৃদয়গ্রন্থিং বুদ্ধিচিন্তাময়ং দৃঢ়ম্। বিমুচ্য সুখমাসীত বিশোকশ্ছিন্নসংশয়ঃ ॥৪২॥
তাম্যেয়ুঃ প্রচ্যুতাঃ পৃথ্বীং মোহপূর্ণাং নদীং নরাঃ। যথা গাধমবিদ্বাংসো বুদ্ধিযোগময়ং তথা ॥৪৩॥
নৈব তাম্যন্তি বিদ্বাংসঃ প্লবন্তঃ পারমম্ভসঃ। অধ্যাত্মবিদুষো ধীরা জ্ঞানং তু পরমং প্লবঃ ॥৪৪॥
ন ভবতি বিদুষাং মহাভয়ং যদবিদুষাং সুমহদ্ভবেৎ। ন হি গতিরধিকাস্তি কস্যচিৎ সকৃদুপদর্শয়তীহ তুল্যতাম্ ॥৪৫॥

হায়রিবা ওপশিং অসি মাওপ্রবা মুৎপ্রবা ফুংনদি মথোয় অমুক হলক্ত্র। ময়মদি মথোয়না হলকপহু পূর্ণীংদা কাওত্রে, কাওবু কাওজবদি লৈত্রবা হলক্ত্রবগনি। হায়রিবসি জ্ঞানী ওইবা পণ্ডিতশিং থুং অমদী লিঙ্কাতনি, থুং (কাওলুপ) অমনদি মাওলুরবনু ওপশিং অসি অমুক হলকই হায়রি ॥৪০॥

বুদ্ধি কৌবী মাগী চিন্তাগী মশক ওইরবা কমা য়েঙ্ছিনরবা থম্মোয়বু কিনি কিহুনা কমা কাজিনপ্রবা থম্মোয় অসিবু থাদোকুনা অমা-মুংভাইদগী লাম্হোকুনা ঈপুং মুংভাইনা লৈথোকদৌবনি, মাসিনি অয়ান্-খুঙম হায়রিবসি ॥৪২॥

ফুরেল অসি কয়ামুক লুরিগদগে হায়বা খঙদবা মীনা ফুরেলবু লানুগে হায়না চোংথরক্লবদা ঈরাক্লুনা অরাবা কংবহুগুম্মা বুদ্ধিযোগ অসিগী ভত্ত্ব খঙদবশিংনা সংসারগু ঈপাকসিদা চোংথহুনা অরাবা কনরি ॥৪৩॥

লাম্হোক্লনবগী কলাবিজ্ঞা খঙবা-হৈবশিংনা, হায়বদি— ঈয়োইবা মদয়োই-হৈবশিংনা ঈরা রাদনা সংসার ঈপাকসিবু লাম্হোক্লুনা চংথি। অমুম্মা অধ্যাত্মতত্ত্ব খঙবশিংনা পোকপা শিবগী সংসার অসিবু লাম্হোক্লুনা চংথি। অসিবুনি মুক্ত ওইবা— মুক্তি কংবা হায়রিবসি। লাম্হোক্লবা হোৎনবদা অধ্যাত্মজ্ঞান অহুত্তমা পোঙ— হি, জহাজ ওই ॥৪৪॥

জ্ঞান লৈতবশিংনা সংসারসিগী অরাবা অকিববু থাওহুনা থম্মুনা লৈরি। অশিংবশিংনদি মহাকীদমক কয়িমত্তা য়াবিদে। জ্ঞানীশিংনদি অথোইবা অকেন্‌বা অরাবা-গতি হায়বা লৈতে। হায়বদি— মাদা কংবা হুক্তোইবদগী এরীদা যাংলি হেল্লি হায়বা লৈতে — চপ্ মাদে। মথোয় অহু ব্রহ্মলোকতা লৈরিবনি। ব্রহ্মজ্ঞানদি অমুক্তং ভাদপ্রপা লোইরে। মতোদ্দা অথোই-অহেন্, রাথবা হেনগৎলকপা হায়বা অমা অমুক্ লৈতে। "সকৃদ্বিভাতো হ্যেষ ব্রহ্মলোকঃ।" হায়না শ্রুতিনা পীরিবা প্রমাণহুওবনি ॥৪৫॥ *

---

* অনিত্যজ্ঞাননা পীবা পোৎশিং অহুত্তননি— এরী মাশীনা হেল্লি যাংলি হায়না অশাউ-মিহৌবনচিবা পোকহল্লিহসি। অহুনা অনিত্য (অসত্য) জ্ঞাননা পীবা ফুংও'ইবম্ম হেনগৎপা রাথবা নাই। ব্রহ্মজ্ঞানদি মশানা নিত্যনিবা— সত্যনিনা মহাক্না পীবা ব্রহ্মানন্দদি রাথবা হেনগৎলকপা নাইদে। অহুনা মর্ত্ত্যলোক অসিবু ব্রহ্মলোক ওইহনুপে হায়রবনু ব্রহ্মজ্ঞানীশিংদি অহুম মওশিং। অময়োমদা থম্লুংবদি ব্রহ্মলোক হায়রিবসিমক অয়ান্‌বা অমনি। ব্রহ্মলোক হায়বা তোওান্‌বা লোক অমা অমুক্ লৈপদবা নত্তে। তোওানদা লৈবা ভাহন্‌নবদি— মকম অসিদা ব্রহ্ম লৈতে। মকম অহুদা লৈ, অসিমতিংদা অরাপ্দা রাথলদি মশানা

যৎকরোতি যছদোষমেকস্তত্র দুষয়তি যৎ পুরাকৃতম্।
নাপ্রিয়ং তদ্‌কুরং করোত্যসৌ যজ্জদূষয়তি যৎ করোতি চ ॥৪৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি অধ্যাত্মজ্ঞানেঽশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮০॥

——:():——

জ্ঞান লৈতবশিংনা য়ানয়িবদি জ্ঞান ভাজিবৈদা তৌজিবা দোষনা থরবা কর্মচুগী হাকতগী ভাকনি। জ্ঞান ভাজিবৈদা অতোপ্পা অমনা তৌবা, মান পায়দবা কর্মচুবু উয়গা নিন্দা তৌই, অদুগা অশাউবা মি-হোৎনচিংবা দোষদগী মপামক্কম দোষনা তিল্লবা কর্ম তৌরি। দোষ মতমা তিল্লবা হায়রিবা কর্ম অসীসিবু অধ্যাত্মজ্ঞান অসি লাকপদা অমুকহন্না তৌরক্লে, তৌপে হায়নম্ম থম্রক্লে ॥৪৯॥

মতম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা অধ্যাত্মজ্ঞানগী চনীমরিফুতবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮০॥

——:():——

লাকপা তারবনি। ব্রহ্মানন্দগী মহুংদবু লৈরবদি মী মহাক অদু ব্রহ্মলোকতা লৈরবগুম্বনি। ব্রহ্মসাধন তহাকং তৌরগা হেল্লি য়াংলিগী বিষয়দা অমুক চঙলক্লবদি করিদি কায়রি? মাসি তাবকনি হায়বা হায়না থওজহনা অশিংবা কনাগুম্বদা নিত্যব্রহ্মচারী ওইহনা চংমখি। হেল্লি য়াংলিনচিংবা অয়ানবা য়াথলশিং অসি পোকহনবা সনা লুপানচিংবা বিষয়ভোগ মরাম অদু থাংলোকুনা নিত্যব্রহ্মচারী ওইরিবনি। নিত্য ওইবা অসিগুম্বা জ্ঞানদি অধ্যাত্মজ্ঞানতনা পী। ব্রহ্মানন্দনা পীবা আনন্দ অদুগী মহুংদা লৈরিবহুনি ব্রহ্মলোকতা লৈবা হায়বদু। স্বর্গ নরকচিংবগী ভেদজ্ঞান পুবা অজ্ঞাননা— অনিত্যজ্ঞাননা পীবা মতুনি। "ঐগী মাগী" নচিংবা ভেদজ্ঞান পুবা অজ্ঞান— অসত্যনা পীবা মতুনি। ব্রহ্মজ্ঞানানন্দদি অভেদানন্দনি। মীতৈ য়াইহনা "ঈশ: মীচা থায়রু" হায়বসি হায়লোকপদদি,— ভাবদদি ঈচম্ চম্মা তাবগা ঈশ্বর লাবগা পাউতাক অমা ওইনদি তৌরগা য়াম্না মমল য়াম্বা অধ্যাত্মিক ওইবা উপদেশনি। অদুগা হায়রিবা ব্রহ্মজ্ঞান অসি কবেমগী লম্বীদি অমনা অমদগী খেন্নবা য়াই, লম্বী খেন্নহনা থক কাবনা লৈতে। অথুবা উহৈ অদুতবু চাবা কংথনি হায়রবদি— চৈমা তমচুনবু ওইরবস্ত, উথক কাথংচুনবু ওইরবস্ত ঈরা য়াই। লম্বীশিং উপায়শিং অসিগী খেন্নবদা উহৈহুগী মধুরতাদা ভেদ থক পীগদবা নত্তে. সাধনাবস্থাদা খেন্নবনি, সিদ্ধাবস্থাদা খেন্নগদবা নত্তে। অমুকবদি— "ঐ সিদ্ধ ওইরে, মাদি ওইত্রি" অসিনচিংবা অমুক মহায়রবদি হায়গীবু মতাম। অদুনা কনা কনাগুম্বনা শুকচাত ভাতদনা মুনি ওইহনা চংখি। অদুদম্ব অতবদি— য়াদি থম্মোয়দম্ব তুমিন্না অদুম্— মতাঙলি। অদুগা ভগবাননা ভগবদগীতাদা— "য়াম্না তাওবা তাকম্ব চংনদে, তাওদবা তুমিন্না লৈবা তাকম্ব চংনদে।— যে কম অতিশয় সেই নয় মহাশয়।" হায়রি। (কমলাচান)

মণিপুরী মহাভারত

একাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(সমঙ্গনা নারদদা মশাগী অৱাবা লৈতবগী অবস্থাচু হায়বা)

চনীমুরিকুমাথোইশুবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

শোকাৎ দুঃখাচ্চ মৃত্যোশ্চ ত্রসন্তে প্রাণিনঃ সদা। উভয়ং নো যথা ন স্যাৎ তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। নারদস্য চ সংবাদং সমঙ্গস্য চ ভারত ॥২॥

নারদ উবাচ।

উরসেব প্রণমসে বাহুভ্যাং তরসীব চ। সম্প্রহৃষ্টমনা নিত্যং বিশোক ইব লক্ষ্যসে ॥৩॥

উদ্বেগং ন হি তে কিঞ্চিৎ সুসূক্ষ্মমপি লক্ষয়ে। নিত্যতৃপ্ত এব স্বস্থো বালবচ্চ বিচেষ্টসে ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হংজি.— ঈবুধৌ! সংসারদা লৈরিবা অচচন্ত জীব পুম্নক অসিগী মনুংদা অৱাবা খুদোং থীবা হায়বসিবু কিদবা কনামত্তঃ য়াওদে। অচুনা হায়রিবশিংসিদগী পোকপা অকিবচু কোক্লনবা পাউতাক্ উপায় অচু ঐঙোন্দা তাকপিয় ॥১॥

য়া অসি তাবদা ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির। নহাক্না হংলিখসিগুম্বা মতাং লাকপাদা দেবর্ষি নারদগা সমঙ্গগা অনীগী তাঙনখিবা ৱাফম অচু খুদময়ায়ী ওইনা লীবৈ ॥২॥

মোংমা নারদনা সমঙ্গদা হায়খি,— সমঙ্গ! মী অয়াম্বনা মকোক্ নোম্লুনা খুরুম্মি। অদুবু, অদুম য়েংবদা নহাক্তদি মপান্গী থোক্ত থুং অসি য়াওহন্দনা থম্মোয়রবনা খুরুম্বগুম, থম্মোযবনা ওকপগুম্ তৌই। অচুনা, ঐবা অদুম থবৃথবু নহাক পাম্বোম অনী অচুবনা তোংখুনা সংসার-ঈপাক্ অসিবু লাম্বোকে হায়না খল্লিমায়ে। নহাক অসি কুমিংচুম্না ঈপুংত মুংঙাইনা লৈবা ওইনা উই। শিনি-নানি হায়বগী অমাবা অকিবা কয়িমত্তা লৈতবা ওইনা উই ॥৩॥

কয়িগুম্বা বিষয় অমদা অরাংপা নত্রপা মুংঙাইতব। অমা লৈবগী লাওতক্লবগী খুদম অমত্তা নহাক্কী মশাদা— মায়থোংদা উবা ফংদে। বিষয় পুম্বদা অরাং-অপা লৈতবগী মওং ঈপুংত মুংঙাইদুনা ঈপেন্‌ত পেন্দুনা লৈরি। অঙাংগী মতৌগুম্না ঈতাও তাউনা শাদবগী মওংদা নপুনুপি লোজি ॥৪॥

সমঙ্গ উবাচ।

ভূতং ভব্যং ভবিষ্যং চ সর্ব্বমেতত্তু নারদ। তেষাং তত্ত্বানি জানামি ততো ন বিমনা হ্যহম্ ॥৫॥

উপক্রমানহং বেদ পুনরেব ফলোদয়ান্। লোকে ফলানি চিত্রাণি ততো ন বিমনা হ্যহম্ ॥৬॥

অগাধাশ্চ প্রতিষ্ঠাশ্চ গতিমন্তশ্চ নারদ। অন্ধা জড়াশ্চ জীবন্তি পশ্যাস্মানপি জীবতঃ ॥৭॥

বিহিতেনৈব জীবন্তি অরোগাঙ্গা দিবৌকসঃ। বলবন্তো ঽবলাশ্চৈব তদ্বদস্মান্ সভাজয় ॥৮॥

সহস্রিণোঽপি জীবন্তি জীবন্তি শতিনস্তথা। শাকেন চাপি জীবন্তি পশ্যাস্মানপি জীবতঃ ॥৯॥

যদা ন শোচেমহি কিং নু স্যাৎ ধর্মেণ বা নারদ কর্মণা বা।

কৃতান্তবশ্যানি যদা সুখানি দুঃখানি বা যন্ন বিধর্ষয়ন্তি ॥১০॥

সমঙ্গনা হায়,— মীবু য়াম্না ঙীকায় থুম্নবিবা ঋষি! ঐ মুনিখোয় থাইগী কুপাদগী ভূত, ভবিষ্যৎ বর্ত্তমানগী তত্ত্ব পূম্বা পুক্রীংদা ফাপ্পয়ে— হাপচয়ে। অদুনা ঐগী পুক্রীংদ য়ানীঙতাবগী বিষয় অমতা লৈতবনা ঙীহুং মুংঙাইনা লৈজরি। ঐত্তোম্বা করিগুম্ব অমগী মরমদা য়ানঙায় করিমত্তা লৈতে ॥৫॥

করিগুম্বা থবক অমা তৌখিবগী অহৌবা মাহুগী মথং অদুনা করি, অদুগা কুদৌঙৈ লাকপগে হায়বা ঙাকদে ঐত্তোম্বা লৈতে। সংসারসিদা ত্তোঙাল ত্তোঙাম্না তৌনরিবা কর্ম্মশিং অমিগী ত্তোঙাল ত্তোঙালবা ফংনরিবা কর্মফল অসিগী তত্ত্ব খঙৈ। অদুনা ঐগী য়ানীঙতাবগী করিগুম্ব বিষয় অমতা লৈতে। ঐনা হৌজিক ওইরিবা মওং অসে অম্বুম্বা ওইরকনি হায়বা হায়দগী অহুম খঙদোকচরবনা হৌজিক করি অমত্ত য়াবিদে ॥৬॥

য়েংবিয়ু, নারদজী! জগৎ অসিদা য়াম্না গম্ভীর ওইরবা, কেম্নবা ঙীকায় খুম্নিঙ্ঙাই ওইরবা, করিসু লৈতত্রব, চাওখত্রবা, মমীত্তাংবা, অপ্তবা পুম্নমক অসিনা চপ মান্নবা হিংহুনা লৈবাসিগুম্বা ঐসু হিংজরি ॥৭॥

দেবর্ষি নারদজী! য়েংবিয়ু মপাদা অনা অয়েক লৈতবা, মপা-মচা কবা, মপাঙপ কম্নবা, মপা পোঙ্নবা পুম্নমক মানা মানা ত্তোঙ্নকপা প্রারব্ধকর্ম্মগী মথেনা ত্তোঙাল ত্তোঙ্নব মওংদা মপুন্নশি লেঙ্ঙি। ঐসু ঐগী প্রারব্ধকর্ম্মগী মখুংইম্না লৈরিসিনা ঐনা ঙীপুকখোঙ করিগুম্বা কামাকর্ম অমতা পান্নবতে। অদুনা য়ুনিসু ঐবু অহুম লুনা মত্তৌবিয়ু ॥৮॥

লুপা লিশিং লখা অমা লৈরবা মীসু অহুম মহিংলি। চানিংঙাই লৈতবা মরা-মশীংত চাবা মীসু অহুম মহিংলি। অদুগুম্বা ঐসু অহুম মহিংলি ॥৯॥

নারদজী। মাসিবু য়ুম্না খঙদবগী পোকপা অজ্ঞান অদু মাঙখিবগী ঐখোয় হৌজিক শিব-মাবগী অরাবা আকবা লৈতনা হিংজনা লৈজরি। অসিগুম্বা মতমদা কয়ম্বা কর্মগী মথং অমা ফংনিংবগী অত্তোপ্পা কর্ম্ম অমা পান্নবৎকদৌরিবনো? খুদঙ্গা মশক হোংগদবা অরাবা পুংঙাইবসু মাঙকৌননা খঙদোক্লবা ঙানীসু অসিগুম্বা অরাবা মুংঙাইবা শীপদৌরিবা সংসারগী বিষয়না য়াহনবা ঙম্বদে ॥১০॥

যদৈব প্রাজ্ঞাঃ কথয়ন্তে মহান্তঃ প্রজ্ঞামূলং ইন্দ্রিয়াণাং প্রসাদঃ।
মুহ্যন্তি শোচন্তি তথেন্দ্রিয়াণি প্রজ্ঞালাভো নাস্তি মূঢ়েন্দ্রিয়স্য ॥১১॥
মূঢ়স্য দর্পঃ স পুনর্মোহ এব মূঢ়স্য নায়ং ন পরোঽস্তি লোকঃ।
ন হ্যেব দুঃখানি সদা ভবন্তি সুখস্য বা নিত্যশো লাভ এব ॥১২॥
ভবাত্মকং সম্পরিবর্ত্তমানং ন মাদৃশঃ সংজ্বরং জাতু কুর্য্যাৎ।
ইষ্টান্ ভোগান্ নানুরুধ্যেৎ সুখং বা ন চিন্তয়েদ্দুঃখমভ্যাগতং বা ॥১৩॥
সমাহিতো ন স্পৃহয়েৎ পরেষাং নানাগতং চাভিনন্দেচ্চ লাভম্।
ন চাপি হৃষ্যেদ্ বিপুলেঽর্থলাভে তথার্থনাশে চ ন বৈ বিষীদেৎ ॥১৪॥
ন বান্ধবা ন চ বিত্তং ন কৌলীন্যং ন চ শ্রুতং ন চ মন্ত্রা ন বীর্য্যম্।
দুঃখাৎ ত্রাতুং সর্ব্ব এবোৎসহন্তে পরত্র শীলেন তু যান্তি শান্তিম্ ॥১৫॥

জ্ঞানীশিংনা হেক্ হেক্ হায়নবা 'প্রজ্ঞা' (ভাম্ খুদা খঙজিনবা) হায়বহুগী মরুদি—"ইন্দ্রিয়শিংগী ভক ভরুনা লৈবা হায়বহুনা ওইগদৌরিবনি। মী মহাক অদুগী ইন্দ্রিয়শিংনা অরাং গুমাংপগী লাংবা থুরুবনা অমতুনা হায়বদু ওইরবদি, ইন্দ্রিয়শিং অদুনা প্রজ্ঞা হায়বদুবু থক্ কংবা ঙমদে ॥১১॥

নাপল হায়বসি অপঙবা মীতনা ভৌনৈ। অদুগুম্বা গর্ব্বদুনা অপঙবদুগী মকমদদি মোহ— ভুম্বংবা হায়বদুনা অদুম মওইরে। হায়বদি—মহাক্তী গর্ব্ব অদু গর্ব্ব নত্তে মোহমক্তি। অদুগুম্বা অপঙবা মী অদু-গীদি ইহলোক পরলোক অনীমক অরাবগী মশক্তি। মতম লৈবা থিবিক্তা য়াদুনা ভাক্তা লৈবা অদুগা লেঙদনা দুখ্খাইবা কংদুনা ভাক্তা লৈবা অদুগুম্বা কনাগুম্বা অমত্তা লৈত্তে ॥১২॥

সংসারগী মশক অসি মীকুপ থুনিংগী তোংডি চাঙবা খঙবা ঐগুম্বা মী অমনা কংজ্রিবা পোং অমদি মাঙপ্রবা পোং অমগীদমক থক্ য়াবিদে। অদুগুম্বা য়াবিদবা অশিংবা মী মহাক অদুনা অপাম্বা পোংশক অদুগী অদুগা দুখ্খাইবা হায়বদুগী মকুংদা কোয়ইন্ থক্ ইয়রদে। অরাবা থুদোংথৌবা হায়রবদুনা মনাকৃতা য়ৌরবদা মাদুগীদমক্তা চিন্তা মরীক্ অমা কাওবা ভোবিদে ॥১৩॥

বিষয় পুরমক্তগী হন্দোক্লরবা অদুগুম্ব মহাপুরুষনা সংসারগী কবিগুম্বা পোং অমত্তা পাম্বা লৈত্তে। দুংক কাংঙকপা য়াবা নীঙথিবা পোংশক অমতবুদু ভরাম্ ভরাম্ তৌরুগে খন্দে। নীঙথিবা পোংশকু, সম্পত্তি কংলবদু হয়াওরুবা লৈত্তে। মমল য়াম্রবা সম্পত্তিদু মাঙপ্রবসু করিমত্তা য়াবিদে ॥১৪॥

শাগৈ মাত্তৈ, মরূপ মপাং, ভাই-শেল, লন্-থুম, শাগৈ-ভাং অতৌবা, শাস্ত্র য়ামা তম্বা, পাবা হৈবা, মন্ত্র-যন্ত্র অমদি হকচাংগী পাঙল মথোয়সিনা পুম্নমা হৌতুনম্ব কনা অমত্তবু সংসারগী মরূনা (অবাবা হৈবৎ) দগী কোকৃশিনা ভংবোই— ঙম্দে। মদুং মপান্ শেংবা চংপা খতাবত্তমা পরলোকতা— মদুগী মপোক্তা শান্তি পী ॥১৫॥

নাস্তি বুদ্ধিরযুক্তস্য নাযোগাৎ বিন্দতে সুখম্। ধৃতিশ্চ দুঃখত্যাগশ্চাপ্যুভয়ং তু সুখং নৃপ ॥১৬॥
প্রিয়ং হি হর্ষজননং হর্ষ উৎসেকবর্দ্ধনঃ। উৎসেকো নরকায়ৈব তস্মাৎ তান্ সংত্যজাম্যহম্ ॥১৭॥

মী মহাক অমুগী বুদ্ধিনা যোগযুক্ত ওইত্রবদি, হায়রবদি— ভিন্নপদবা লেওরোইদোবা পোৎশক অমুগা ভিন্নবদি, পোৎ খুদিংমকপু চপ মান্নবা উবা ঙমদে।* অমুগুম্বা যোগ— ভিংবা অমু নত্তনা সংসারদা কন্না অমতনা নুংঙাইবা ফংবা ঙমদে। নিংথৌ! অন্নাবা তাগদবা, তাহনগদবা পোৎশিং অমুগা লৈনথিবা, লৈনগদবা মন্নৌম্ব থবৎপা, অমুগ্না তপথবা— পাথম্ববা হায়বা অমীশিংনা সংসারদা নুংঙাইবা ফংহনবগী কারণ (মরম— খুৎলায়) নি ॥১৬॥

পামজবা পোৎশক ফংবনা পীবা নুংঙাইবমনা থম্মোয়দা থোরবা— নাপল অমা কাওহল্লি। পামজবা নীঙজবা পোৎশক ফংবনা নুংঙাইবা পী। অম্বুম্বা নুংঙায়বমনা থম্মোয়দা থরুবা লৈমবা অভিমান (থোরবা) হায়বদু মথি-কোৎহল্লুই। অদুম্বা অভিমান অমুনা তাইবংমৌবু নরক-ত পুই। মরম অমুনা অভিমানবু পোক্তহনগদৌরিবা পোৎশিংবু থাদোকদৌবনি। অমুনা ঐস্ম মখোয়সিবু থাদোক্লবনি ॥১৭॥

---

* ভিন্নবা অমদি ভিন্নহনবা হায়বসি বুদ্ধি (জ্ঞান) তনা ভিন্নগদবনি, অমুগা ভিন্নহনগদবনি। মাসিবু বুদ্ধিযোগ— বুদ্ধিগা ভিন্নবা কৌই। অসিগুম্বা বুদ্ধিযোগতনা সমতাগী মাথল পী। নত্রবদি ভিন্নগদবা পোৎশকশিং অসি লোইবা থবা মাইময়োই। মান্না লাময়া খুদমদা হায়রগা— কি গা অমুমক ভিন্নবা লৈগনি, খেৎকনি, হৈনগনি। অমুগা বুদ্ধিতনদি কিমুগী মমুগা মওংগা, কনবা কন্নদবগা থবু ভিন্নকবদি মানে। কি হায়বা ফিং— নাম অসি ফাওবগা ভিন্নকবা মঞ্জে। মখোয়সিগা ভিন্নদে থমুদে হায়মুনা কিমুনা পীরিবা নুংঙা (আরাম) নুংঙাইবা (আনন্দ) অমুদি থবু কায়রোই। অমুগা কি-মাল, উপু কাংথোল, সনা-লুপা পূর্নমক অসিগা ভিন্নকবা মরমমন্স 'লৈপাক্' হায়বা তব অমুগ-তা ভিন্নরিবনি হায়বসিগী বুদ্ধি অসিমদি থাব ঈয়া মানে। অমুম্বা সাধন তৌবসি বুদ্ধিযোগ কৌই। বুদ্ধিযোগ অসিতনা কি-যোল সনা-লুপানাচিংবা তোঙান তোঙানবা পোৎশকশিংসিবু চপ মান্নবা উবা ঙম্মি। মাদুদগী সমতাজ্ঞান— পোৎশক খুদিংবু চপ মান্নবা উবা) পোক্কই। মরেকৌম্ব যোগ হায়বদু অসিতনি। গীতা-দমু হায়রি,— "সমত্বং যোগ উচ্যতে।" কি, উপু, কাংথোল পূর্নমক মশক, মওং, মমিং তোংবথিবা মাই। হায়রিবা পঞ্চ চিংবশিং অসিনা হোৎনথবমু— ওয়থবম মখোয়দা লৈরিবা লৈপাক্— পৃথিবী-তব অমুতদি মহোৎলরোই। হোৎলোটদৌবা নিত্য ওইবা পোৎশক অমুদা পোৎ খুদিংমকপু উনমবা হোৎনগদবনি। মওং অসি তানবা হোৎনবা অসিবুদি "সাধনা" হায়রিবসি। অমুম্বা হোৎলরোইদৌবা তব অসি মঙানি। মাদুদি— নৈ, ঈশিং মুংশিং, আকাশ, লৈপাক। মখোয়সিবু পঞ্চভূত কৌই। অসিগুম্বা তবশিং অসি মগীং থীনয়কপদা ন্যায় সাংখ্য, বেদান্তবচিংবগী পণ্ডিতশিংনা মান্না য়েংবৈ— "নানা মুনির নানা মত" গীনৈ। তাম্নবানা তব মুম্নিরিবি হায়। (কালাচাঁদ)

এতাঞ্ শোক ভয়োৎসেকান্ মোহনান্ সুখদুঃখয়োঃ। পশ্যামি সাক্ষিবল্লোকে দেহস্যাস্য বিচেষ্টনাৎ ॥১৮॥
অর্থকামৌ পরিত্যজ্য বিশোকো বিগতজ্বরঃ। তৃষ্ণা মোহৌ তু সংত্যজ্য চরামি পৃথিবীমিমাম্ ॥১৯॥
ন চ মৃত্যোর্ন চাধর্মান্ন লোভান্ন কুতশ্চন। পীতমিতস্যেবাত্যন্তমিহ বামুত্র চ ভয়ম্ ॥২০॥
এতদ্ ব্রহ্মন্ বিজানামি মহৎকৃত্বাতপোঽব্যয়ম্। তেন সম্প্রাপ্তো ন মাং শোকঃ প্রবাধতে ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
সমঙ্গ-নারদ সম্বাদে একাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮১॥

——:(+):——

অরাবা, অকিবা খোয়বা— মাপল, য়্রখোয় অহম অসিনা জীবপান্নবশিংবু তম্মাংপগী লাং— জাল-দা থুহল্লি। মরমদি— হকচাং অসিনা হাই-হুয়নচিংবা তৌঝিবা থবক পুম্বা ঐনা য়াম্না ফুম্না সাক্ষীগী মতৌ-ঙুম্না য়েংশিন্নুনা লৈ ॥১৮॥

কাম— অপাম্বা অচপা অর্থ— শেল সম্পত্তি অনীসিবু থাদোক্তুনা, অচুগা অনীসিবুদি লায়রহুনা— খৌয়াংবা, তম্মাংপা অনীসিবুদি পুমথা থাদোক্তুনা অরাবা, নীঙতমহৌদনা অনীসিগী মরীক্-তবু থম্মোয়দা অমদি পুক্লীংদা চঙহন্দনা, ঐ পৃথিবীগী মকম পুম্বদা (মালেমসিদা) কোয়চৎ চৎতুনা লৈজরি ॥১৯॥

অমৃতবু থক্উরবা মী মহাক অহুনা, শিগনি হায়বগী কিবা লৈতবাহুঙন্না— ইহলোক পরলোক অনী-মক্তা শিবগী, অধর্মগী, অপাম্বগী অকিবা করিমত্তা লৈতে। ॥২০॥

ব্রাহ্মণ! ঐ জ্ঞান অসিবু তেঙ্ক কারদবা, কন্নবা তপস্যা তৌহুনা ফংজখিননি। মরম অহুনা, হে নারদ! অমুক্ত করি হায়গনি,— য়াকম খোক্পা, বাগদবমক্ ওইবা খৌদোক্ লাক্লবা কাপবদা ঐ থক্ যাবিদে ॥২১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা সমঙ্গ-নারদ-সংবাদগী চনী-মৃহিফুমাখোইঙবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮১॥

——:(*):——

মণিপুরী মহাভারত

দ্বাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(নারদনা গালব মুনিদা জ্ঞান তাকৄপা)

চনীগা মরিফুনীথোইশুবা অধ্যায়

——:(ক):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অতত্ত্বজ্ঞস্য শাস্ত্রাণাং সততং সংশয়াত্মনঃ। অকৃতব্যবসায়স্য শ্রেয়ো ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

গুরুপূজা চ সততং বৃদ্ধানাং পর্য্যুপাসনম্। শ্রবণং চৈব শাস্ত্রাণাং কূটস্থং শ্রেয়ঃ উচ্যতে ॥২॥

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। গালবস্য চ সংবাদং দেবর্ষে নারদস্য চ ॥৩॥

স্বাশ্রয়ং সমনুপ্রাপ্তং নারদং দেববর্চ্চসম্। বীতমোহক্লমং বিপ্রং জ্ঞানতৃপ্তং জিতেন্দ্রিয়ম্।

শ্রেয়স্কামো যতাত্মানং নারদং গালবোঽব্রবীৎ ॥৪॥

যৈঃ কশ্চিৎ সম্মতো লোকে গুণৈশ্চ পুরুষো মুনে। ভবত্যনপগান্ সর্ব্বাং স্তান্ গুণাল্লক্ষয়ামহে ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হংজি,— ঈবুধৌ! শাস্ত্রশিংগী তত্ত্ব কল্পিমতা খঙদবা, মপুক্কীংদা সংশয়-ত চিংনবা, পম্‌-মাৰ্গীদমক কল্পিগুম্বদা কল্পিমতা থম্মদ্রবা, অদুগুম্বা মীশিং অমুনা কাংদৌহিবা গতি অসি কল্পিনো? অদু-গুবা মীশিং অমুগী মপুন্‌শিংদা মঙ্গল ওইহনৌবসি কদাইদনো? মাসি ঈবুধৌনা অমুক্তং লেংনা তাকপিয়ু ॥১॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! মতম পুম্বদা গুরুজনশিংগী সেবা পূজা, অহল্লমনশিংগী সেবা, শাস্ত্রশিংগী তত্ত্ব তাবা, অদুম অসি পুন্‌শিংদা মঙ্গল ওইনবগী উপায়নি ॥২॥

হায়রিবা বিষয় অসিদা নারদগা গালবগা তাঙনখিবা মতাং অমা খুদম ওইনা পীনৈ ॥৩॥

মতম অমগী মানি— তাইবংমীগী পুন্‌শিংদা মঙ্গল ওইনমবগী মথম্বদু— উপায়বু খঙনীঙহম্মা মোংমা, গালব মুনিনা নারদগী আশ্রমদা চংখি। দেৱতাশিংগা মান্ননা তেজ লৈরবা, মমাংদা চোকখবা হায়রবা অদুগী মরীক্ক অমা কাওবা মশাদা য়াওখিরবা, জ্ঞানগুনা ঈথন্ত্রবা, অদোংপা অমতা লৈতখ্রবা, পুক্কীং কোবা ইন্দ্রিয়বু মাগী খুদুম মথাদা থমগ্রবা দেৱর্ষি নারদগী মফমদ গালবনা অদুম্না হায়রকই ॥৪॥

অদুম অদুম ওইবা গুণশিং অদুগী মহুৎদগী অমত্তং কক্তনা লৈখিবদগী তাইবংমীনা লোকতা সমাজদা মমান কংনরিবা গুণশিংদু হে নারদ! মথোন্দাদি পুম্নপ হৈজিন্দুনা লৈবসি উয়ে ॥৫॥

ত্বমানেবম্বিধেঽস্মাকং সংশয়ং ছেত্তুমর্হতি। অমূঢ়শ্চিরমূঢ়ানাং লোকতত্ত্বাজ্ঞানতাম্ ॥৬॥
জ্ঞানে হেবং প্রবৃত্তিঃ স্যাৎ কার্য্যাণামবিশেষতঃ। যৎ কার্য্যং ন ব্যবসামস্তৎ ভবন্ বক্তুমর্হতি ॥৭॥
ভগবন্নাশ্রমাঃ সর্ব্বে পৃথগাচারদর্শিনঃ। ইদং শ্রেয় ইদং শ্রেয় ইতি সর্ব্বে প্রবোধিতাঃ ॥৮॥
তাংস্তু বিপ্রস্থিতান্ দৃষ্ট্বা শাস্ত্রৈঃ শাস্ত্রাভিনন্দিনঃ। স্বশাস্ত্রৈঃ পরিতুষ্টাশ্চ শ্রেয় নোপলভামহে ॥৯॥
শাস্ত্রং যদি ভবেদেকং শ্রেয়ো ব্যক্তং ভবেৎ তদা। শাস্ত্রৈশ্চ বহুভির্ভূয়ঃ শ্রেয়ো গুহ্যং প্রবেশিতম্ ॥১০॥

লোকতত্ত্বগী জ্ঞান মরীক্ অমা কাওবা মাঙত্রবা, অজ্ঞান— পঙথবগী লাংদা থুদনা লৈরবা ঐগুখা মীগী পুক্নীংদা লৈরিবা চিংনব অসিমু খোঙহন্নবসি নহাক্ কুইবা মতাম্তা জ্ঞা নীংতনা ওমহিবনি ॥৬॥

মুনিদেব। শাস্ত্রশিংদা তাইবামীগা চংকদবা, তৌগদবা কর্ত্তব্য— তৌকম খোক্পা মথৌ কয়া কয়া মশীং লাক্নমদনা ইহনা লৈরে। লৈরিবশিং অদু তাবগা অসিগুম্ব। কর্ম্মশিমতং তৌরবদি জ্ঞানমার্গদা প্রবৃত্তি (মশানা চঙশিন্নকপা) হায়বদু লোয়ননা ওইরনি হায়বসিগী বিষয়দ বিশেষ ওইনা নিশ্চয় তৌবা লেপ্পবা অসি ইকয় ওমত্রি। অদুনা মীওইবা ঐখোইগী তৌগদবা ইথৌদি অসিতনি হায়বা অদু লেপ্পবা ওমত্রি। মাহ্ দেবর্ষিবা থৌজাল্বিহনা অমুক্তং তাকপিয়ু ॥৭॥

ভগবন্। তোঙান্ তোঙান্বা আশ্রমদা লৈরিবশিংসিনা তৌনরিবা কর্ম্মশিং অসি অমত্তা মায়দে। অদুগা তৌবদি অসিনা মরেল্লবনি হায়না তৌনরিবা মক্তনি। অদুগা মখোয় মশেলমু অমনা অমগী মফমদা মাসিনা মরেল্লবনি, মাসিংক্ তৌ হায়না তাক্লি। মাওগা মেংশবি থংমদি, শাস্ত্র ফাক্লি। মাগী সিদ্ধান্ত অদুতবু অচুম্বনি, খঙকবদি হায়না প্রমাণগা লোয়ননা সমর্থন তৌনরি ॥৮॥

মাসিনা অচুম্বনি, মতৌগীনা শংহান্বনি, অদুম্ হায়না মা মাগী পুক্নীংদা শ্রদ্ধাগা লোয়ননা লেপপ্রবা, অদুম অদুম ওইবা মীশিং অদুনা, মাগী মগী জাতিগী ধর্মগী শাস্ত্রনা তাক্লিবা পাউতাক্ মিয়ম অতগী মথুং- ইন্না চপ চানা চংদুনা মাগী মাগী ধর্মগী সমাজ অমদি সম্প্রদায়দা মঙ্গুতা— ইকায় থুম্বা ফংনরি। মাসি ঐখোয়দু অদুনি। ঐগী ঐগী ধর্মসিদা হুংতাইহনা পোক্পদুনা লৈরি। মাসিদা চিংনরিবদি মাগীসিনা ফবগা চুম্বা? ঐগীসিনা অচুম্বনা, অকম্বা হায়রসিনি। অদুনাইদি— ঐগী ধর্ম অসি থাদোক্তুনা মাগীসিংদুম চঙলসিবা— চংলসিনা হায়বা হাংবা নীওজিং-মাঙজিংদম অমা পোক্লকই। চিংনবসি কোক্নবিরগা— মীওইবা ঐগী মঙ্গল অমদি মাইকনবগী দমক থাইদগী ফেনবা উপায় অদো তাকপিয়ু ॥৯॥

জগতভা ধর্ম্মগী শাস্ত্র অসি অমত্তা ওইনা মথন্ত ভাররম্লবদি— তাইবং মীওইবা ঐখোয় থাইগী মঙ্গল ওইনমবগী লম্বী অসিমু অংতংত তাক্কয়মগদোবনি। অদুম তৌরবদি— ধর্মগী মরমদা অমগা অমগা মেং- থিনবা, খণ্ডনমণ্ডনমচিংবগি অমত্তা লৈরম্মোইদোবনি। অদুবু ধর্মশাস্ত্রশিং অমিনদি হায়না যামুত্রবনিনা— শাস্ত্র মরাম অসিনা পুন্নপ্না— অচুম্বা মহাক্ মথন্তবুদি মখোয়গী মরক্তা লোংতুনা— মুমহনা থম্মি। অদুনা মখোয় মশেল কাওবা কম্বিমন্তা থঙনয়ে— অমত্তা ওইবা— অতে অমা লৈত্রবা, অচুম্বা হায়রদু ঐখোয়গী

এতস্মাৎ কারণাচ্ছ্রেয়ঃ কলিলং প্রতিভাতি মে। ব্রবীতু ভগবাংস্তন্মে উপসন্নোহস্ম্যধী হি ভোঃ ॥১১॥

নারদ উবাচ।

আশ্রমাস্তাত চত্বারো যথা সংকল্পিতা পৃথক্। তান্ সর্বাননুপশ্য ত্বং সমাশ্রিত্যৈব গালব ॥১২॥

মরক্ অসিদা কনাদা য়াওবিনবে হায়বসি ॥১০॥ * মরম অসিনা শ্রেয়ঃ— খুঙ্গৈদগী অকব অহুখা হায়-বসিগী মথমদা চিংনবা অমা পোক্লে। অদুনা, ভগবন্! হে মুনি! ঐগী চিংনবা অসি কোক্কনবা পাউতাক্ পীনবিয়ু। ঐ মুনিদেব— দেবর্ষি নহাক্কী আশ্রয়দা চেত্তখ্রে। নহাক্কী শিষ্য ওইরবা ঐগী ঊকমদা অদুগুম্বা উপদেশ অদু পীরবিয়ু ॥১১॥

নারদনা হায়,— ইবুংঙো! পাণ্ডবমুনি! আশ্রম— জীবাত্মাগী পোথাক্লম— কর্ম তৌকম হায়বসি মরিনি। আশ্রমশিং অসিগী তোঙান্ তোঙানবা কর্মগী বিধি নিয়ম করুখ্রে— লেপচুনা লৈখ্রে। গালব! নহাক অমগী পাউ্নবা আশ্রমশিং অসিগী কর্মশিং অসিগী মতু অসি মুখা থম্মু ॥১২॥ †

---

* অদুনদি— অমত্তা ওইরবা অহুখা হায়বসি সংসারগী ধর্মশাস্ত্রশিং অসিনা তাক্পা তম্নবা হায়ে।— "ধর্মস্য তত্ত্বং নিহিতং গুহায়াম্" হায়বদুন তাগত্লোমরো হায়দা অরবা অমা লাক্কই।

† মতাং অসিদা কনা কনাগুমনা চিংনবা য়াই,— ব্রহ্মচর্য্য গৃহস্থ হৌবা আশ্রমশিং অসি ক্রম মাইনা, বিধি কায়দনা চত্তবা লেপ্ত সমাজ করা কয়া লৈরি। তাক্লবসিদি তাইবংমী পুরুষকী ওইনা তাক্পা মতাংদি। "আশ্রমগী বিধি নিয়ম অসি চত্তবা লেপ্ত সমাজশিং কতুরদি করম তৌবৌরি?" অদুম হায়না লেপ য়াই। মাসিনা হায়দনবদি— তাইবংমী পুরুষক ঐনা চ লিবদি অন্যধর্মনি হায়না থত্তুরক্তু, চংগদি অদুম মচাদি। তাইবংগী পুরুষকা লেক্ পাম্বসি—থত্তমীত-চৈকিতবনি। থত্তকপুনা হায়বদি— অমত্তুনা কর্ম তৌবা পাম্মি। তৌরিবা ধর্মদুগী কষ্টত্তম্বা মতৈ অমত্তু কংবা পাম্মি। কশিংবা মতৈ অহুনা পাইম্বে ওইদুনা অরাংপা বত্তপা চুঙউইতবা লৈরাবা অমদগী লাম্বোক্পা পাম্মি। মরি অসি সংসারগী মী পুরুষকা তৌবা তাক্কনি। মপোক মরি অসি মখল লীংনা— ধর্ম, অর্থ, কাম মোক্ষ কৌই। সাস্ত্রকোনদা হায়বতনি। মাসি মাগী মাগী মরোলনা লোইনা কোক্লোক্লমগম। ভারত আর্য্যশিংগী নিয়মদনা মখোয় মরি অসি অমগামগা য়াক্লমতে। ধর্মগী ভুত্ত হাংদবা ব্রহ্মচর্য্যাশ্রম হংলদা তত্ত অহুমা কর্ম তৌরুনা গৃহস্থাশ্রম, কর্ম অদু মচা-মশুশিংদু তৌরম্বীতুনা বানপ্রস্থাশ্রম, পুরুষক অহুংগী লাংলাক্তুনা পোথাশীংবিবতুনা সন্ন্যাসাশ্রম অসিনি মতাং কলিলা তত্ত্ব-অসাক্লাত্তিশিংগী লিমিতথাংদ— আশ্রমশিংশিংগী কর্মশিংসি অমত্তা হৌক্তিরদে। অমম— বিদ্যা অদু তাক্চৈদুনা গৃহস্থ ওইরবা য়াদে, বন— মচাক মদুদ তান্নবা য়াদে, সন্ন্যাসী ওইবিদুনা চংবিবমু য়াদে। লেপ অতৈ অতৈরুনা চীদান্ মান্চৈ। কাক্কবিরবা মরি অসি সংসারগী মী পুরুষকা তৌনবিবা তাক্কনি। হায়বিনা পাইম্বে— ধর্ম, অর্থ, কাম অমদুগা মোক্ষ, মরি অসিমা তাইবংমীনা য়াইকবা— শ্রেয় কৌবা মহাকপু তাম্বি। (কালাচাঁদ)

তেষাং তেষাং তথা হি ত্বমাশ্রমাণাং ততস্ততঃ। নানারূপগুণোদ্দেশং পশ্য বিপ্র স্থিতং পৃথক্॥১৩॥
ন যান্তি চৈব তে সম্যগভিপ্রেতং সংশয়ম্। অত্যোঽংশুস্তথা সম্যগাশ্রমাণাং পরাং গতিম্॥১৪॥
যত্তু নিঃশ্রেয়সং সম্যক্ তচ্চৈবাসংশয়াত্মকম্॥১৫॥
অনুগ্রহং চ মিত্রাণামমিত্রাণাঞ্চ নিগ্রহম্। সংগ্রহং চ ত্রিবর্গস্য শ্রেয় আহুর্মনীষিণঃ॥১৬॥
নিবৃত্তিঃ কর্মণঃ পাপাৎ সততং পুণ্যশীলতা। সদ্ভিশ্চ সমুদাচারঃ শ্রেয় এতদসংশয়ম্॥১৭॥
মার্দবং সর্বভূতেষু ব্যবহারেষু চার্জবম্। বাক্ চৈব মধুরা প্রোক্তা শ্রেয় এতদসংশয়ম্॥১৮॥

ব্রাহ্মণ মখোইবা ! মাগী মাগী জাতি অমদি সমাজগী আশ্রমশিংগী আশ্রম খুদিংমক হায়রিবা গুণ পুরবা তিন্নবা ধর্মশিং অসি, মাগী মাগী চপচাবা মওংদা তোঙান্ তোঙান্ লৈমরিবনি। অমনা অমদগী হেন্না হায়বা মওংদা অমত্তা লৈমদে। মাসি মশামক্তা যেংউ, অহুপা থওজিন্নবা খর্মু॥১৩॥

সাধারণ মী অমাদুনা, হায়বদি— ধর্মশাস্ত্রগী তত্ত্ব অরুপ খাম্না যেংশিন্দুবা, পন্থৈ মথেবা অচমবা মীশিংনা আশ্রমশিংগী মরি থোক্না তোঙান তোঙান থাংগোকখিবগী অহুপা মথোয় খুদিংগী ধর্মনা তোঙান্ লৈনখিবসিগী মরুপ্তা লৈরিবা উদ্দেশ্য অমদি অভিপ্রায় অসি ফংহনবা থওনদে। অহুপা মশা মশাগী চিংনরিবমুং কোকহনবা ঙমদে। তত্ত্ব খঙবা মীশিংনদি আশ্রমশিংমা তোঙান তোঙানবা লৈরিবসিগী তত্ত্ব খাম্না মুখ্য খঙই॥১৪॥

খাই পুরবকী কারবা অমদি যাইফনবা ওইনা লৈরিবা থিবমশিং অসিনা ফবা অমত্তগী চিংনবীতাম্ব করিমতা লৈতে। অমনা অমগী ফবনবা খমবা, চামবা মরুপশিংগী মফমদা থৌজাল অমদি পুক্চেল ফজবা উৎপা, মজুনবা অমাং পুন্নি মাংনবা কৌমরগা য়েক্কশিংবু মফংনবা হাংমবা, খী অমগী মফমদা মথাদ থম্মোমদা হুংতাইতবা গোকহল্লবা পেল অমদি জীবিত, তানুবা হায়থিবশিং অসিনা ফনাওবা অমত্তগী য়াদনীত্তাব য়েংলনীত্তবা লৈতে। তঙইবগী পুরবকী কারবনা শ্রেয় (মঙ্গল ওইবা, যাইফবা) হায়বা অদু ওইখবা হায়রিবা থিবশিং অসিনা তোঙান তোঙানবা আশ্রমশিংগী বিধি নিয়মদা অমত্তা অংবা সংশয়-ওম্না মরুপ্তা হুতুন্না লৈতে॥১৫—১৬॥

পাপকী থবকশী লাংথোক্না লৈবা পুণ্যগী থবক্তক-ত পুক্নী থংবা, সজ্জন সৎপুরুষ ওইবা মীশিংগ-ত তিনবা, আচার-বিচার অশেং-অমাংনচিংবদা য়াম্না তাক্ন চংপা, হায়রিবশিং অসি চিংনবীত্তায় লৈত্রবা যাই-ফবগী লম্বীনি॥১৭॥

অচঞ্চল, অতৌঅপীক্ থারদনা, হেক্ লৈহিবা জীব-প্রাণবশিংগী মফমদা অথোংপা, অকুপ্পা ব্যবহার-ত তৌরিবা, ব্যবহারভুগী মশাদা লৌথুপ-লৌকোই লৈত্তবা. জীংম্ চন্না অথুম্বা অথোংপা য়াওবা লৈবা, মাসিমু চিংনবীত্তায় লৈত্রবা যাইফনবগী লম্বীনি॥১৮॥ *

* পুক্চেল তম্বি, যাইথ-থোম্‌কম ফজে হায়রম্মীংবদগী তৌশিন্নবা অথোংপা ব্যবহার ফজু মীনম্বা পুকচেল শেংবা, লৌথুপ লৌকোই লৈবগী মহুং চন্নি। অহুমকপু হুবান্‌বা মীনা পীবা 'হুবান্‌বা তৌপম্নু" হায়বা

দৈবতেভ্যঃ পিতৃভ্যশ্চ সংবিভাগোঽতিথিষ্বপি। অসংত্যাগশ্চ ভৃত্যানাং শ্রেয় এতদসংশয়ম্ ॥১৯॥
সত্যস্য বচনং শ্রেয়ঃ সত্যজ্ঞানং তু দুষ্করম্। যদ্ভূতহিতমত্যন্তমেতৎ সত্যং ব্রবীম্যহম্ ॥২০॥
অহঙ্কারস্য চ ত্যাগঃ প্রণয়স্য চ নিগ্রহঃ। সন্তোষশ্চৈকচর্য্যা চ কূটস্থং শ্রেয় উচ্যতে ॥২১॥

দেবতাশিংগী পিতৃলোকী অমুগা অতিথিশিংগী শরুক তম্বা, য়োকৃপি-থাকপিকন থোকপশিংবু য়োকৃপি-থাকপিব, চংজরকপশিংবু তাম্বোকপিদবা; মথোৎসিদু য়াইফনবগী লম্বীনি ॥১৯॥

অচুম ঙাংবা হায়বাসিদু মঙল ওইনবগী— য়াইফনবগী লম্বী অমনি। অচুম্বা তুংবিদি— থাজে-শেংবা অচুম্বা হায়বদু কয়িনো— অসিনি। ঐ (ভীষ্ম) গী মতমদি— অচেৎপা জীব পানবা পুম্নমক্কী মঙমদা মতম অমত্তদা থাইগী ফাম্বা ওইবা অচুম্বা উনবা লোৎশক অদো— অচুম্বা হায়ববু মহক্তুনি ॥২০॥

মশান্গী লেংবা, নৈ হায়নদু উবিবা চকচাংসিবু ঐনি হায়না থায়িবসিবু অমুগা চকচাংসিদা থম্লিবা ঐ হায়বা মাথলসিবু থাদোকপা, থাদোকপা তুংনবদু চকচাংসিবু ঐনি হায়না নমুবগী ঐ ফটেক ফজবে, অসিবনিংবা তুংবা থিবদগী লোকপা, ময়াম কাদিবা তাওবিবা অসি থাদে কুপ্পা নত্রগা থিংবা, অমং অফাবদা নত্রগা ঈমং ফজবনদু ঐপেন্ত পেন্নুবা লৈবা, থাইদগী হন্দোকুনা মখন্তা লৈবা, হায়রিবা মরি অসিবুনি শ্রেয়— য়াইফবগী লম্বী হায়রিবসি ॥২১॥ *

পান্ডাক অসিদি লৌগনবনি। অহুৎমহুনা থম্মোয় মক্কবা, মপুক্কচেল শেংবা মী অমুগী মপান্দা উৎলিবা ব্যবহারহুনদি অতাবা মীগী থম্মোয়দদি খুংঙাইবা লেজবা অহুম মশীবি। অচুবু অসিগুম্বা মতাংদা তৌন-বদি অচুপা লৌগনবনি, মহক অমুক য়াম্না লোংম-নীতি সদ, ব্যবহার মকলিংকলিবসি হায়িদুনো হায়বা অকুপ্পা বিচারনা লেপ্পতৌবা— অসিনি। হৌজিক তাক্লিবা পান্ডাক্সিদি অচু নত্তে। হায়বদি— পেন্-জবিবা খুংঙাইবা মতোন্দা পীবা পান্ডাক নত্তে। মহুং মশান খায়না হা তাওলিবা মীশিং অমুদা পীবা পান্ডাকনি। তৌশিমবা ব্যবহার অসি পুকচেল মোংদগী চংবা অচুম হৌদি। অচুনদি মাসি য়াইফনবগী লম্বী (শ্রেয়) হায়বচুদি নত্রে। তৌবগীদি পুকচেল শেংবা মী অমমা অমীব অকন্বা মরিনা মী মগী থম্মোয়দা খুংঙাইজবা পীবদগীদি পুকচেল মোংবা মী অমন হায়দোকলিবা অথোৎপা মরিনা অমুম্বা অতাবা মীগী থম্মোয়দা খুংঙাইবা পীবনা চুয়। অমুনা পুকচেল মোংনবু ওইহনবদু, শেংনবু ওইহনবদু মপান্দা উৎপা ফজবা ব্যবহারদু য়াইফনবগী লম্বীনি হায়না লৌবা য়াই। অমুগা মীনম্লিবা মী অমুগীদি য়াইফনবগী লম্বী অশেংবদি নত্রে। মরমদি— হৌজিক তাক্লিবা মসিদি অতাবা অওাওবা অমীদকী য়াইফনবা— শ্রেয় গী লম্বীনি। (কালাচাঁদ)

* মখম্ভ (ঈশ্বর) লৈবা হায়বসি, কনাশু কনাসু য়াওদনা, কনা অমত্তগা লোয়নদনা অচৌকপদা লৈবা, অদু ওাকুসু নত্তে। অচৌকপা চাওহুদা মঙগা লম্বাংদা লৈ হাংজুনদু মপান্দা থাদোক্লিবা মথোয়ওবু থমুনা, মাথন্দা মথোয়ত্তগা লোয়নহুনা লৈরবদি— মখম্ভা লৈবা— অচৌকপদা লৈবা কৌদে। মীচৌক-

ধর্ম্মেণ বেদাধ্যয়নং বেদান্তানাং তথৈব চ। জ্ঞানার্থিনাং চ জিজ্ঞাসা শ্রেয়সেতদসংশয়ম্ ॥২২॥
শব্দরূপরসস্পর্শান্ সহ গন্ধেন কেবলম্। নাত্যর্থমুপসেবেত শ্রেয়সোঽর্থী কথঞ্চন ॥২৩॥
নক্তংচর্য্যাং দিবাস্বপ্নমালস্যং পৈশুনং মদম্। অতিযোগমযোগঞ্চ শ্রেয়সোঽর্থী পরিত্যজেৎ ॥২৪॥
আত্মোৎকর্ষং ন মার্গেত পরেষাং পরিনিন্দয়া। স্বগুণৈরেব মার্গেত বিপ্রকর্ষং পৃথগ্ জনাৎ ॥২৫॥
নির্গুণাস্তেব ভূয়িষ্ঠমাত্মসম্ভাবিতা নরাঃ। দোষৈরন্যান্ গুণবতঃ ক্ষিপন্ত্যাত্মগুণক্ষয়াৎ ॥২৬॥

ধর্মগী আচরণ কায়দনা বেদবু অদুগা বেদাঙ্গশিংবু অমদি বেদান্তবু নৈনদুনা মাদুগী মঙ্গলা য়াওথিবা তত্বদুবু পুথোকুনা তত্বদুগী মতুংইন্না চংলিবা অমদি চংকনবগী হোৎনরিবা অদুমক শ্রেয়— য়াইফনবগী লম্বী সাধননি ॥২২॥

জগৎকী য়াইফনবা তোংনবা মীনা চীরম পুম্নমক্তা রূপ রসনচিংবা বিষয়শিংসিদা কা তেন্না আসক্তি থম্দুনা থবক তৌরোইদৌবনি। জগত্ত অশান্তি হেক্ হেক্ লাক্লিবসি বিষয়শিং অসিদা কা তেন্না আসক্তি (পুক্নীং লুপ্পা) থম্মকপদগীনি ॥২৩॥

জগৎকী য়াইফবা পাম্বা মীনা অহিং অথেংবদা কোয়বা, তুংথিল তুম্বা, অতন্নবা, চীরোল তৌবা, মরাং কাবা মহী মরাং চাবা, হয়াও-কুপ্পৈ, হেদোয়-হয়াওবদা কা হেন্না পুক্নীং চঙবা,— হায়রিবা পুম্নমক্ অসি থাদোক্‌কদৌবনি ॥ ২৪॥

অতোপ্পবু নিন্দা তৌরগা মশাগী গুণগী প্রশংসা থক্ তৌরোইদৌবনি। সাধারণ ওইনা লৈরিবা মী শিংদগীদি মহাক মশান থোংদোক্ হেন্দোক্না লৈরিবনি হায়রগদি উৎসাইংলবদি, মাগী গুণশক্তিতনা উৎনগদবনি। চীন্থা খাংতনা তাওবনদি করিমত্তা কায়রব নত্তে ॥২৫॥

মশাবু খাংচত্তবা অসি গুণ লৈতবা, লৈরবসু মপুংফানা লৈতবা মীনা মিৎ হেল্লি। মশাগী হন্না লৈবা গুণহুবু উৎ হওজরকপা মীনা মতোন্দগী তেন্‌গা মীহুগী গুণশিংহুবু দোষ হুনা হুম্মা থিহুনা থৈথরগা মীয়াওথোল তাদবা চীওহুং মানুংদা লৈরুরবস্তু আত্মাসিনা মশামুগী হকচাংসিগত্ত লোয়নন অহুগা অা স্নী- শিন্না লোয়নথিবদগী হকচাংসি শামক্লি হায়বা রাখলসিবু থাদোক্পা মঙ্গন্দ্রবদি অচীকৃপদা লৈবা কোদে। মীয়াম মরক্তা লৈরবসু আত্মা (ঐ) গী কুয়োম ওইহুনা লৈরিবা হকচাংসিমক্তগী হমি মঙ্কেনি। মীয়াম অসি অসি হায়না উৎবদি নত্রগা থন্দোকপা তম্নবদি মামুক অচীকৃপদা লৈবা কনামত্তা লৈত্রে। কাবশিংনস্থ অহুম মহায়রি,— "নিবৃত্তরাগস্য গৃহে তপোবনম্।" (ঐ, নং, মা, গী রাখলগী রাংমদা লৈববু উম্নবদি মচা, মশুনা থম্নবা য়ুম্ অদুসু তপোবননি, অচীকপা তপস্যা তৌবম্নি।) পরিবার মনুংদা - গৃহস্থাশ্রমদা লৈরবসু নোংমগী অকংবা থরমদং অহুনা অহুম্ পেন্দুনা লৈরবদি,— উনা-শীনাত্তা চাহুনা লৈরিবা তপস্বী অহুগা অক্সামি। অসিবু উম্নবদি— "তপসা ততঃ কিম্?" তপস্যা তৌবা অচীকৃপদা চৎপনা করি কারৈ? চৎলুত্রবসু য়াবে। মচা-মশু পোক্লবা মহর্ষিশিংনা পুমিবা থারণাসু অসিনি। (কালাচাঁদ)

অনূচামানাস্তু পুনস্তে মহান্ত মহাজয়াৎ। গুণবত্তরমাত্মানং স্বেন মানেন দর্পিতা ॥২৭॥
অক্রুবন্ কশ্চিচ্চিন্নিন্দামাত্মপূজামবর্ণয়ন্। বিপশ্চিৎগুণসম্পন্নঃ প্রাপ্নোত্যেব মহৎযশঃ ॥২৮॥
অক্রুধন্ বাতি সুরভিগন্ধঃ সুমনসাং শুচিঃ। তথৈবাহয়ন্ ভাতি বিমলে ভানুরম্বরে ॥২৯॥

য়ামা লৈরিবা থাক্ অদুদা মতৌপন্দগী হেনবদুবু পুখরক্লগা মহাক মশাগা চাং অমত্তদা থমগদবগী কয়া হোংনৈ ॥২৬॥ *

অদুগুম্বা মী অদুনা তৌরিব নিন্দা অদুদা খুম্মু বত্ত মহাক্না খোকপ, শাস্ত্রগী নিয়ম য়াওদবা য়াত্তাওনা মশাবু য়াম্না হৈয়বা অদুগা মহাগকবশিংমক্তানীসু গুণচেন্‌বা হেক্লি হায়না খল্লে ॥২৭॥

কনা অমত্তগী নিন্দা তৌদবা, গুণ লৈনা লৈনা আত্ম-প্রশংসা মশাবু মশানা থাগৎচদবা অদুগুম্বা মী অদুতমা লোক সমাজদা চাউরবা মিংচৎপু কংবা ঙম্মি ॥২৮॥

মশক-মতৌ, মকু-মনম কয়রবা লৈনা— কম্বিসু ঈঙ্ক ঙাঙদনা মাগী পুক্নীং হুনবগী মশক ওইরবা— মনম্ অদু মায়পৈ য়রিদা শন্দোরকই। মকুব্রবা চুমিংনা কয়িসু ঈশায় হায়দনা নীওথিজবা মশেন্ মত্তান্‌পা লোয়নদা নোংমদোয়ক্তা তুমিম্না হাইদোয়কই ॥২৯॥

* সংসার অসি মশাগক দোষ (অয়ান্‌বা, শেংদবা, য়ামথায়নবা) দগী পোকখিবনা, মাসিদা পোকলিবা লৈরিবা অংচত্ত জী পুরুষকী মশাদক্ত দোষ অদুম লৈরিবনি। অদুনা দোষ লৈবা তাইবংমীগী গুণগী মতুং দসু দোষ থরদি অদুম মরৈরিবসিনি। প্রমাণ অমদা হায়রগা— বিদ্যাদি মিংচৎ তাম্নবা নত্তে, লন তাম্নবা, অচৌবা কমথোম্ কাননবা নত্তে। অসিগুম্বা নত্তবা কান্নদবা পোংশকশিংনো উদ্দেশ্য ওইদুনা তান্‌খিবা বিদ্যা অদুমা বিদ্যাবান্ ওইখিবশিং অদুদি জ্ঞানী বিদ্বান্ নত্তে, ধর্মগী পরিপন্থীনি— য়েক্লবনি। মথোয়দুনা জগৎতা অশান্তি পীরিবনি। অমনা অমদগী হেন্‌বা তাম্নরকপদা ওম্বোক্ ওকোকপা পোংশক পুথোক্লরকুনা কয়ক-য়েংখিনবা লৌতাম্নবগী মদুক্ অদু জ্ঞানীনি, বৈজ্ঞানিকনি হায়খ্রিবশিংসিনা হুন্নি। মাসি চাউথবা দোষ অমনি। জ্ঞান বিজ্ঞানগী মুক্তি ওইবী সরস্বতীদেবীগী মায়থোক্তদা মাইক্তিং কাইন্‌বনি। বিদ্যা কৌবীগী লমচত্তা দোষ হায়নি। মাসিদি অচৌবা য়ানি। মহাভারতকী মূলদা হায়রিবসিগী ভাবতি— মগুণ লৈতবা মী অমনা মগুণ লৈবা অমগী মশাদা কয়ি কয়ি দোষ লৈবগে হাদবতু থিরগা গুণ লৈবদুগী পোককম— শাংকমদা, মপা-মপু হৌরককমদা, মশক-মতৌনচিংবদা লৈবা দোষশিংবু হুমা হুমা থিরগা, শ্রীকৃষ্ণবু গোপমচানি হায়না লওনবা শিশুপালগুম্বা পাপীশিংনা মা মাবু হেন্‌বা গুণীশিংবু মথোয়গা মান্নবা থাক্ অমত্তদা পুরক্নবা হোংনৈ। অসুম্বা হোংনরিবা মথোয়শিং অদুনা জগৎকী শান্তি থুগাইরি— অশান্তি ওইহন্‌লি। বিদ্যা তান্‌বা, ধন তান্‌বশিংনা য়াহং অসোমদা চংখিদবা মহাক্ত মত্তনা তাইবংমীদা পান্তাক্ পীবনি। য়াম্না মোক্লীংবা অমনা কয়িনো হায়রদা— আত্মাসিনা মশানা শেংজয়কপা দেহলুংসিদা লৈয়গা— পোক্লমদা দেহগী তত্ত্ববু থিয়রি, জ্ঞানী বৈজ্ঞানিক শাক্লরি। (কালাচাঁদ)

এবমাদীনি চাঙ্গানি পরিত্যক্তানি মেধয়া। অলঙ্কি যশসা লোকে যানি ন খ্যাপয়ন্তি চ ॥৩০॥
ন লোকে দীপ্যতে মূর্খঃ কেবলাত্মপ্রশংসয়া। অপি চাপিহিতঃ শ্বভ্রে কৃতবিদ্যঃ প্রকাশতে ॥৩১॥
অসদুচ্চৈরপি প্রোক্তঃ শব্দঃ সমুপশাম্যতি। দীপ্যতেত্বেব লোকেষু শনৈরপি সুভাষিতম্ ॥৩২॥
মূঢানামবলিপ্তানামসারং ভাষিতং বহু। দর্শয়ত্যন্তরাত্মানং দিবারূপমিবাংশুমান্ ॥৩৩॥
এতস্মাৎ কারণাৎ প্রজ্ঞাং মৃগয়ন্তে পৃথগ্বিধাম্। প্রজ্ঞালাভো হি ভূতানামুত্তমঃ প্রতিভাতি মে ॥৩৪॥
নাপৃষ্টঃ কস্যচিৎ ব্রূয়ান্নাপ্যন্যায়েন পৃচ্ছতঃ। জ্ঞানবানপি মেধাবী জড়বৎ সমুপাবিশেৎ ॥৩৫॥

সংসারদা অসিগুম্বা নাপল তৌবগী বুদ্ধি লৈতবা পোৎশক কয়া কয়া লৈ। মখোয় অহুদি তুমিন্ তুমিন্না মখোী তৌনহুনা অপম্বা মঙাল পীরি। নাপল তৌবগী মঙাল অহুবু থরা কাকন্বপা তাইহং মীনা নাপল তৌরি ॥৩০॥

মশানা মশাবু থাগৎচবা অদুগুম্বা মীশি-চুনা অপম্বা অমদি লোক সমাজদা নীঙথিবা মিংচৎ কংগদবতদি মবৈরে। অদুনী গুণী ওইবা মীদি করা অমত্তবু ঊখন্ তাহন্দনা চীংখুং মাখুংদা থাম তৌহনা তুমিন্ লৈরবসু মাগী লোৎপা হাব্রবা মিংচৎ অদুবা চীঙখুংগী মথক্ত হাইদোকচরকই ॥৩১॥

অদুগুম্বা মিংচৎ চাউবা মী অদুগী মথক্তা খোঙেল খোক্সা তৌবা তৌবা অথীবা নিঙ্গাগী বাহৈনা লাউথিলক্রবসু, লাউনহল্লিবা খোঙেলশিং অদো থরা লৈরগা লৈতীন্ চাকুকুম্ তাকথি। মরাম চতহুনা মহাকপু লোক সমাজদা ঊকায় থুংরক্রবসু মতম থরুগী মখুদা অমুক পুম্ঙাল ভাত্বাক্তকই। লৈতীমা মুরবা মোংবা কু্ম্শিনপ্রকসু থা অহুাদ নোং অহুপা ঊখম্ শমুৎনা অতুম্ ঙাম্মুনা লৈনবা ঊতাক্ লৈরগা মশেক্ মঙালগা লোয়ননা নোংলক্তুগী হাইদোরকই ॥৩২॥

নাপল তৌবা, মপুকচেল কহরবা মীনা হাইদোক্লিবা হাতৈশিংনা মহাক মশাগী থস্মোয়গী মচুহুম্— মরামদা ঊৎলকই। প্রমাণ অমদা হায়রপা— সুমিৎপু খিংলদবগী সূর্য্যকান্তমণি অমা সুমিংলোমদা থনশিন্দুনা থম্বরসু মহাক্কি মকক অমতদা লেঙদনা লৈরবসু নহাকী মঙাল অহুনা চাকুথেকপগী শক্তি অহু পুদুনা সূর্য্যকান্তমণিগী মথক্তা তাকই। সূর্য্যকান্তমণি অহুপা ভিন্নরূপদগী মঙাল অহুনা মৈমক্ ওইহুনা ঊমা-শীংবা চাকুথেক্লৈ ॥৩৩॥

মরম অহুনা মপুন্শিদা হাইজবা— মজল ওইবা অংনিংবা মীনা তোঙাল তোঙনবা শাস্ত্র কয়া কয়া তমহুনা নৈনহুনা অনৌ অনৌবা জ্ঞান বিজ্ঞান অমদি বুদ্ধিবু পুথোকপগী হোৎনরি। অদুনা ঐগী মতুদি অচচ্চত্ত জীব পানবা পুম্নমক্কী দমক্তা, হায়রদি— মখোয় পুম্নমক্কী য়াইফনবগী দমক্তা জ্ঞান বুদ্ধি তানবনা, অদুপা মাহুগী দমক্তা কাঙকপা অাগ্দা থুকতনগী অথোইবা অফবনি হায়না খল্লি ॥৩৪॥

অদুনী ওইবশিংনা মখোয়দ. মশানা হংজকদা কনাগুম্বা অমগী মকমদা পাউজাক্ পাউখুম পীনদে, অদুপা পীবসু তৌনদে, পীরোইদোয়নি। অদুপা হংজকই হায়দুনসু ধর্ম কায়বা, অমদি ধর্ম কায়বা বিময় রাকম

ততো বাসং পরীক্ষেত ধর্মনিত্যেষু সাধুষু। মনুষ্যেষু বদান্যেষু স্বধর্মনিরতেষু চ ॥৩৬॥
চতুর্ণাং যত্র বর্ণানাং ধর্মব্যতিক্রমো ভবেৎ। ন তত্র বাসং কুর্বীত শ্রেয়োঽর্থী বৈ কথঞ্চন ॥৩৭॥
নিরারম্ভোঽপ্যয়মিহ যথা লাভোপজীবনঃ। পুণ্যং পুণ্যেষু বিমলং পাপং পাপেষু চাপ্নুয়াৎ ॥৩৮॥
অপাগ্নেস্তথেন্দোশ্চ স্পর্শং বেদয়তে যথা। তথা পশ্যামহে স্পর্শমুভয়োঃ পাপপুণ্যয়োঃ ॥৩৯॥
অপশ্যন্তোঽদনবিষয়ং ভুঞ্জতে বিষমাশিনঃ। ভুঞ্জানাশ্চাপ্যবিষয়ান্ বিষয়ান্ বিদ্ধি কর্মণাম্ ॥৪০॥
যত্রাগময়মানানামসৎকারেণ পৃচ্ছতাম্। প্রক্রমাৎ ব্রহ্মণো ধর্মং ত্যজেত্তং দেশমাত্মবান্ ॥৪১॥
শিষ্যোপাধ্যায়িকা বৃত্তির্যত্র স্যাৎ সুসমাহিতা। যথাবচ্ছাস্ত্রসম্পন্না কস্তং দেশং পরিত্যজেৎ ॥৪২॥

ওইবা, খুদদা পাপ পুণদবা বাহং ওইনা হংলক্লবদি খুম্মোইদৌরনি। ঈশ্বর থওদবা অপণ্ডবা অমত্তম— লৈথোকদবনি ॥৩৫॥

সাধু মহাত্মা ওইবা, ধর্মদা পুক্নীং চঙবা, পুণ্যতেনবা মীশিংগতা কন্নিমগদবনি, বাম্বী শাগদবনি। অদুগুম্বা মীশকশিংগা সংসঙ্গ তৌগদবনি ॥৩৬॥

বর্ণ মরিগী আশ্রম মশিংবু মানিদবা— থাক্তদবা মফম লমদম অদোমদা থক চৎলুবা অমদি লৈকবা তৌরোইদৌরনি ॥৩৭॥

সংসারগী বিষয়গী অপাম্বা অমা লাকপদগী অনৌবা থবক (সকাম-কর্ম) অমত্তা পাম্বথত্তবা— পাম্বথৎ-নীত্তদবা, লোমগী অকংব থবদংনা অতুম পেন্থহন্না, মাহুনা জীবিকা ওইরিবা অদুগুম্বা মীশিংনা, পুণ্যাত্মা ওইবা পুণ্যতেনবা সাধু মহাত্মাশিংগা তিনরবদি মথোয়মু মকত্রবা পুণ্যবু ফংজি। অদুগুম্বা পুণ্য তৌবা মথোয় অতুম পাপীশিংগা অমুক লৈমিনরবদি মখোয়দসু পাপকী শরুক অতুম মথুংগনি ॥৩৮॥

ঈশিংগা মৈগা অমদি চন্দ্রমগী মঙালগা লৈমিন্নরবদি— শোক্নরিব লৈমিনকরিবা মহাক অতুম মথ শীনা অঙীবা, অশা বা অমদি মুঙাইবা ওতুম মকিংতি। মাসি প্রত্যক্ষ ওইনা খুদক্কা ঈশাদা কাওই ॥৩৯॥

বিষপাগী ওইবা মীশিংনা, হায়রদি— মনাই মশল অতিশিনচিংবগু পীজগম ভুগা অরেমহ চাবা মী-শিংনা চাম্বিবা মচা অগ অথাব, অথুম্বা অসিনচিংবা বিষয়গী থোইনা খন্নুদনা চাবা হায়রবগুগা অম্মানি। মখোয়দা তোঙান তোঙানবা মুসতুগী মহাওগী চীলশাও য়াম্না থি লিহুনা চাবহুগা অম্মানি। মথোয় অদু কর্মগী কৌবীনা ফজিনথবনি ॥৪০॥

আচার-বিচার ব্যবহার মপক শঙ্কয়া, য়াম্না থোওই-উশিন্তুনা ধর্মশাস্ত্রগী বিষয় ওইবা বাবু হংলিবা অদুগুম্বা মীশিংগী মফমদা জ্ঞান তাক্লুনা পান্ডিত্যক পীরিবা অদুগুম্বা ব্রাহ্মণনা লৈরিবা মফম (লৈপাক) অদু খুদক্কা থাদোকদবনি ॥৪১॥

গুরুনা শিষ্যগা য়াম্না ফজনা লোয়নরিবা, থবক থনা পুম্নমক শাস্ত্রগী মত বিধি কায়দনা পাওথোক্লিবা, অদুগুম্বা মফম অদুবু কনানা থাদোকপা ঙমনীগদগে? ॥৪২॥

আকাশস্থং ধ্রুবং যত্র দোষং ব্রূয়ুর্বিপশ্চিতাম্। আত্মপূজাভিকামো বৈ কো বসেৎ তত্র পণ্ডিতঃ ॥৪৩॥
যত্র সংলোড়িতা পূর্ব্বৈ প্রায়শো ধর্ম্মসেতবঃ। প্রদীপ্তমিব চৈলান্তঃ কস্তং দেশং ন সংত্যজেৎ ॥৪৪॥
যত্র ধর্ম্মমনাশঙ্কাশ্চরেয়ুর্বীতসংশয়াঃ। ভবেৎ তত্র বসেচ্চৈব পুণ্যশীলেষু সাধুষু ॥৪৫॥
ধর্ম্মমর্থনিমিত্তং চ চরেয়ুর্যত্র মানবাঃ। ন তানমুবসেজ্জাতু তে হি পাপকৃতো জনাঃ ॥৪৬॥
কর্ম্মণা যত্র পাপেন বর্ত্তন্তে জীবিতেপ্সবঃ। ব্যপধাবেৎ ততস্তূর্ণং সসর্পাচ্ছরণাদিব ॥৪৭॥
যেন খট্বাং সমারূঢ়ঃ কর্ম্মণানুশয়ী ভবেৎ। আদিতস্তন্ন কর্ত্তব্যমিচ্ছতা ভবমাত্মনঃ ॥৪৮॥
যত্র রাজা চ রাজ্ঞশ্চ পুরুষাঃ প্রত্যনন্তরাঃ। কুটুম্বিনামগ্রভুজস্ত্যজেৎ তদ্রাষ্ট্রমাত্মবান্ ॥৪৯॥
শ্রোত্রিয়াস্ত্বগ্রভোক্তারো ধর্ম্মনিত্যাঃ সনাতনাঃ। যাজনাধ্যাপনে যুক্তা যত্র তদ্রাষ্ট্রমাবসেৎ ॥৫০॥
স্বাহা স্বধা বষট্কারা যত্র সম্যগনুষ্ঠিতাঃ। অজস্রং চৈব বর্ত্তন্তে বসেৎ তত্র বিচারয়ন্ ॥৫১॥

মরম তৈবে লৈতবা বিদ্বান্ পণ্ডিতশিংবু থৌওইনদ্রিবং, থৌওইদবত নত্তবা, বিদ্বন্ জ্ঞানীশিং অদুগী মথক্তা মরাল পোম্‌জিন্দুনা তোপহল্লিবা অদুগুম্বা দেশদা, মশাগী আত্মসম্মান থমজবিবা কনম্বা মীনা মীকুপ অমত্তং পম্বীগদগে ॥৪৩॥

মায়া লোত্তী ওইবা মীশিংনা, ধর্মগী মান-মর্যাদা পুম্নমক থুগাইরবা অদুগুম্বা দেশ অদুদু— কীনাদা মৈ থাইরবা ফিবু মশাদগী লাংথোরকপা অদুগুম্বা, কনানা থুদক্তা থাদোক্লোইদবগে ? ॥৪৪॥

কন্নকপা মিহৌবা করিমত্তা হাংদ্রেবা অদুগুম্বা মীশিংতনা থম্মা লৈরবা অদুগুম্বা দেশগী পুণ্যচেনবা অদুগুম্বা মীশিং অদুত্তগা তিন্নগদবনি ॥৪৫॥

লন থুম লৈননবগী দমক যজ্ঞনচিংবা ধর্ম কর্ম তৌগনবা মীশিং অদুগ তিন্নগোইদৌবনি, মখোয়গী নাক তৌমনা তম্মুরে ইদৌবনি। মরমদি— ধনগী দমক্ত থঙ্গুনা লৈগনবা মী অমাম্বা পাপাচারী— পাপকী থবক্তা লৈনগনবা ওইগনবনি ॥৪৬॥

জীবিকাগী দমক পাপকী থবক তৌগনবা মীশা লৈমিন্নরিবা লৈবা উমুংদা লৈবগা চপ মান্নবনি। অদুবা অদুগুম মীশিংদগী থাম্মু লাপ্পা চল্লেক্লুনা লৈগদবনি ॥৪৭॥

মপুন্‌শিনা চাইথুংদা থাইকবা পাম্বা মীনা তৌগদৌবদি— অদুগুম্বা পাপকর্মশিংদু তৌকখনা কম্মুংদা তাদুনা অমাবা থাওজনা লৈবা ত বা অদুগুম্বা পাপকর্মবু হাম্নদগী হাদোক্লুনা থম্বা অসিতনি ॥৪৮॥

মচা মপু শাগৈ নাইত্তে, মরূপ-মপাংশিংতবু লুনা তৌবা, পীজ পীংকৃপা অদুগুম্বা নিংথৌনা পান্‌বা দেশ লৈপাক্তা থক চংলুরোইদৌবনি। লৈরবনু অশিংগা মীদি পুদক্তা দেশ অদু থাদোক্কদননি ॥৪৯॥

ধর্ম কর্মদা পুক্নীং চঙবা, যাগ যজ্ঞ দানধর্ম হাম্না তৌবা, ব্রাহ্মণ অতিথিনচিংবদা অন্নদান হাম্না তৌবগা কোম্না চাবা অদুগুম্বা নিংথৌনা শাসন তৌবা লৈপাক্তুদা যাহবদি পুন্‌শিচুম্না লৈগদৌবনি ॥৫০॥

স্বাহা— যজ্ঞ, স্বধা — শ্রাদ্ধকর্ম, বষট্‌কার— দেবতাশিংগী দমক যজ্ঞ, হায়রিবা ধর্মগী অনুষ্ঠানশিংশিনা

অত্তীন্ যত্র পশ্যেত ব্রাহ্মণান্ বৃত্তিকর্শিতান্। ত্যজেৎ তং রাষ্ট্রমাসন্নমুপসৃষ্টমিবামিষম্ ॥৫২॥
প্রীয়মাণা নরা যত্র প্রযচ্ছেয়ুরযাচিতাঃ। স্বস্থচিত্তো বসেৎ তত্র কৃতকৃত্য ইবাত্মবান্ ॥৫৩॥
দণ্ডো যত্র বিনীতেষু সংকারশ্চ কৃতাত্মসু। চরেৎ তত্র বসেচ্চৈব পুণ্যশীলেষু সাধুষু ॥৫৪॥
উপস্থিতেষু দান্তেষু শুদ্ধাচারেষু সাধুষু। অবিনীতেষু লুব্ধেষু সুমহদ্দণ্ডধারণম্ ॥৫৫॥
যত্র রাজা ধর্মনিত্যো রাজ্যং ধর্মেণ পালয়েৎ। অপাস্য কামান্ কামেশো বসেৎ তত্রাবিচারয়ন্ ॥৫৬॥
তথা শীলা হি রাজানঃ সর্বান্ বিষয়বাসিনঃ। শ্রেয়সা যোজয়ন্ত্যাশু শ্রেয়সি প্রত্যুপস্থিতে ॥৫৭॥
পৃচ্ছতস্তে ময়া তাত শ্রেয়স্তদিদমুদাহৃতম্। ন হি শক্যং প্রধানেন শ্রেয়ঃ সংখ্যাতুমাত্মনঃ ॥৫৮॥

চাং মাইনা, নিয়ম-বিধি কায়দনা চৎথরিবা অদুগুম্বা মহাময়লগী মশক ওইরবা মফমদা অতৈ অতোপ্পা অমা থম্মুদনা লৈথোকফবনি ॥৫১॥

ব্রাহ্মণশিংনা জীবিকা ফান্দনা যায়া যানা থোক্লবা, অদুগা মথোর ব্রাহ্মণশিংদুমা অশেং-অমাং থাদ-নবা মওংদা লৈরবা, অদুগুম্বা লৈপাক্ অদুনা ঈনাক্‌মক্তদা লৈরবস্থ লৈপাক অদুবু হু য়াররবা চাক্কী মতৌ-গুম্না থাদোকপৌবনি ॥৫২॥

মকম অদুদা লৈরিবা মীশিং অদুনা মতম পুম্নমক্তা ঈপেন্ত পেনদুনা লৈবা, পীবা হায়ত্রিতেদবা— ভিক্ষারীদা দান তৌবা, লৈরিবা মী পূম্নমক্ পোকপগী মহৈ যারবগুম্না পুক্নীং হকচাং কায়াৎ পুম্নমক তক তক মন্ন থীদনা লৈবা, মকোক্ হাইগৎপা তমথীবা মীবু চৈরাক পীদুনা নৈহৎপা, ইন্দ্রিয় খুদুম চন্‌বা মহাত্মাশিংবু ওয়াম্ ফংয়া লৈশি লৈথোয়া লম্বা, অদুগুম্বা মফমদা পুণ্যাত্মবা মীশিংগী মরক্তা লৈগদবনি ॥৫৩—৫৪॥

ইন্দ্রিয় খুদুম্ চন্‌বা অথোইবা পগা শান্ত ওইবশিংগী মফমদা অত্যাচার তৌবা, য়ায়া কা-হেন্না থোক্তী ওইবা, মবৈ মম্বা চাওবা মীশকুশিং অদুবু নম্‌হৎপা, অচৌবা দণ্ড পীদুনা মহাশাস্তিদ থম্মিবা অদুগুম্বা দেশ অদুদা য়ায়া হৈনিংনা লৈগদবনি ॥৫৫

নিংথৌ মশামক ধর্মদা পুক্নীং চঙবা, ধর্মগা লোয়ননা প্রজাবু শাসন তৌবা, লনথৈ পুথৈ কয়া কয়াগী মপু ওইনা ওইনা হায়রিবা লন থুম মথৈশ অদোমদা থোইনা পুক্নীং খিংজিলুদনা মপুনুশি লেন্‌বা অদুগুম্বা নিংথৌনা পান্‌বা লৈপাক অদুদা অতৈ অম অম খল্লনা লৈগদবনি ॥৫৬॥

মরমদি— প্রজাশিংগী লমচৎ ব্যবহার হায়বসিমক্তবু নিংথৌগী লমচৎ ব্যবহারদুগী মথা পোল্লি। হায়-বদি— নিংথৌনা উৎলিবা চাকচা-কিজেৎ, লাওয়ান্ত-থোন্দা অদু প্রজাশিংনা মতৌ হেক্ হেক্ তম্মি। নিংথৌ মশাগী কুণ্ডাই-য়াইফবা ওইবগী নত্রগা কংবগী তাক্তা লাকপদা প্রজাশিংগীসু শক্তক য়াওরিবনি ॥৫৭॥

ইবুংঙো! নহাক্না ঐঙোন্দা হংখিবদুগী মতুংইন্না ঐনা লোইনা হায়খবনি। মতৌ অসুম্না অতৈ কয়ি কয়িনা কুণ্ডোইব য়াইফবা হায়বদু ওইরগে অদুগা মফম অমিদা থমনা হায়রিবশিনা লোইরবা, হায়রবা য়াইফবা— মঙ্গল কল্যাণ হায়বদুসীদি মখীং মাইক্কা দমী থৌবা ঙম্বা-লাকপা তম্পোৎ নত্তে ॥৫৮॥

এবং প্রবর্ত্তমানস্য বৃত্তিং প্রাপি হিতাত্মনঃ । তপসৈবেহ বহুলং শ্রেয়ো ব্যক্তং ভবিষ্যতি ॥৫৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
শ্রেয়োবাচিকো নাম দ্ব্যশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮২॥

——:(০):——

হৌজিক হায়রিবা য়াইকবা কংবা অমদি তান্‌বগী লম্বীশিং অসিগী অমদা— লম্বী অমদা চপ্‌চানা চংকুনা লৈরিবা, অহূপা অচচেন্ত জীব-পান্‌বা পুম্নমকী হুংঙাই-য়াইকব-ত থম্বুনা লৈরিবা মী অহূদি স্বধর্ম্মগী মথক ওইরবা তপস্যা অহু তৌবনা ইহলোক অসিদা মনীংমক্কী শংথোকনা উজবা— য়াইকব। কংবগী খুনম অহু উবা কংতি ॥৫৯॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিংচামবা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা য়াইক লম্বী-তাকপগী চনীমরিফুনীথোইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮২॥

——:(০):——

মণিপুরী মহাভারত

ত্র্যশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ।

(অরিষ্টনেমিনা নিংথৌ সগরদা বৈরাগ্যভাব তাকপা)

চনীমরিফুহুমদোইগুবা অধ্যায় ।

——:(০):——

যুধিষ্ঠির উবাচ ।

কথং স্বু যুক্তঃ পৃথিবীং চরেদেবংবিধো নৃপঃ । নিত্যং কৈশ্চ গুণৈর্যুক্তঃ সঙ্গপাশাৎ বিমুচ্যতে ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ ।

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যেঽহমিতিহাসং পুরাতনম্ । অরিষ্টনেমিনা প্রোক্তং সগরায়ানুপৃচ্ছতে ॥২॥

যুধিষ্ঠিরনা হংখি,— ইবুংথো ! এরূপবা নিংথৌনা, হায়রবদি— খাইগে-নাইজে হাংদুনা নিংথৌ ওইবা এরূপবা পৃথিবী অসিদা করম্বা সাধননা মপুন্‌শি লেন্‌থদগে ? অহূপা মতৌ করম্‌ তৌরগা লংলায়গী কিবরশিং অসিদা লৈরিবা আসক্তিশিং অসিদগী লাজোকপা তম্‌গদগে ? ॥১॥ ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ !

সগর উবাচ।

কিং শ্রেয়ঃ পরমং ব্রহ্মন্ কৃত্বেহ সুখমশ্নুতে। কথং ন শোচেয়ং ক্ষুভ্যেয়ঞ্চৈতদিচ্ছামি বেদিতুম্ ॥৩॥

ভীষ্ম উবাচ

এবমুক্তস্তদা তার্ক্ষ্যঃ সর্ব্বশাস্ত্রবিদাং বরঃ। বিবুধ্য সম্পদং চাগ্র্যাং সদ্বাক্যমিদমব্রবীৎ ॥৪॥

সুখং মোক্ষ সুখং লোকেন চ মূঢ়োহবগচ্ছতি। প্রসক্তঃ পুত্রপশুষু ধনধান্য সমাকুলং ॥৫॥

সক্তবুদ্ধিরশান্তাত্মা ন শক্যং তচ্চিকিৎসিতুম্। স্নেহপাশাসিতো মূঢ়ো ন স মোক্ষায় কল্পতে ॥৬॥

স্নেহজানিহ তে পাশান্ বক্ষ্যামি শৃণু তান্ মম। সকর্ণকেন শিরসা শক্যাঃ ছেত্তুং বিজানতা ॥৭॥

সম্ভাব্য পুত্রান্ কালেন যৌবনস্থান্ নিবেশ্য চ। সমর্থান্ জীবনে জ্ঞাত্বা মুক্তশ্চর যথা সুখম্ ॥৮॥

নহাক্না হৌখিবসিগী মতমদা মমাংগৈদা কুইরবা ইতিহাসকী মওংদা নিংথৌ সগরনা হংখিবা মতমদা অরিষ্ট-নেমিনা তাকখিবা পাউতাকশিং অদু মথং মথং পীবগনি। ঐ মাদু নত্তোক্লা অমুক পীগে ॥৩॥

সগরনা হায়,— হে ব্রহ্মন্! ভাইবংপান্দা পোক্লিবা তাইবংগী ঐখোয়না করম্বা মখলগী থবক তৌরগা সুখ শান্তিগা লোয়ননা পুনা থাদবা ওইগনি? অদুগা করম্ব থবক্তা উপায়না পুক্নিং পোকহনবা নপুক্না অরাবসিনবদি কৈদৌনদা? মদু ঐঙোন্দা তাক্লিবিয় ॥৩॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ। যুধিষ্ঠির! সগর নিংথৌগী ঋষি ভাবদা শাস্ত্র বেদ-খঙবশিংগী মথুংদা অখোইবা অরিষ্টনেমিনা সগরবু মখোইবা গুণ সম্পত্তি পুক্ননা খঙবনি হায়বাসি খঙজিনা করবা পাউতাকশিং অসিবু মঙৌ অমুক্তা পীখি ॥৪॥

সগর! সংসারদা অচনবা মুক্তবু ফংবগী হৌজিক্ইবনি হুইঙাইব মখোইগী পুক্নিংগী অখোইবনি। অদুগা মোক্ষ পদবী— অচানবা খুদম শায়রসিদি কাইদৌ? কৈদি ভাবনো হায়রবদি— সংসারগী মপা-মচাগী মচা-মশুশিংগী, লৌমী-হংখোকগী অমদি শক্ল ঈপোবনশিংবা মরদংমথুনগী রাখত্তদা কা হেন্না লুক্কুনা লৈরবশিং অসিনদি খঙবা ঙমদে ॥৫॥

বুদ্ধি লৌশিং পুরা সংসারগী বিষয়শিংবু তানপিন্ লৈশিঙনবগী রাখত্তদা লীজিন্দুবা অংগুম্বা মখোয়গী থম্মোয়গী লায়না অমি কেন্নবা অত্তে অত্তোপা লাম্বেং অমদি ঈদাক অমতা লৈরবনি। মরমদি সংসারগী অপাম্বা জুনিবা হায়রকুগী লৌমীনা কাজিন্নবা মীশিং অদুনি মোক্ষ পদবী অসিবু ফংবদি মঙীক ঈচা চাত্রবনি ॥৬॥

সংসারগী বিষয়গী অপাম্বনা তাঞ্জিন্নবা মখোয়শিংগী কাক্কিন্থিবগী পরিচয় অদো ঐ হায়রকে মুখা তাও। তাবা হাঙবা থবকুগী থুংলায় ওইনা লৈরিবা শ্রবণেন্দ্রিয়— নাকোং কোৌবা ইন্দ্রিয় অদুবু চপচানা লোইহ্রিবা অদুগুম্বা মী অদুনদি ঈম্বায় লাংবা থঙগনি ॥৭॥

মতমগী মতুংইন্না মচাশিংবু পোক্লবা তুংদা, অদুগা মচাশিংদুনা পাথং কাবক্লবদা মমুম-মকৈ পালহন্দুবা কনামতগী সহায়তা— মতৌ রাওদনা মশা মথন্তগী জীবিকা তানবা ঙমবদা মখোয়বু হুংশিনবগী থৌরী অদু

ভার্য্যাং পুত্রবতীং বৃদ্ধাং লালিতাং পুত্রবৎসলাম্। জ্ঞাত্বা প্রজহি কালেন পরার্থমনুদৃশ্য ॥৯॥
সাপত্যো নিরপত্যো বা মুক্তশ্চর যথাসুখম্। ইন্দ্রিয়ৈরিন্দ্রিয়ার্থং ত্বমনুভূয় যথাবিধি ॥১০॥
কৃতকৌতূহলস্তেষু মুক্তশ্চর যথা সুখম্। উপপত্ত্যোপলব্ধেষু লোকেষু চ সমো ভব ॥১১॥
এষ তাবৎ সমাসেন তব সংকীর্ত্তিতো ময়া। মোক্ষার্থো বিস্তরেণাথ ভূয়ো বক্ষ্যামি তচ্ছৃণু ॥১২॥
মুক্তা বীতভয়া লোকে চরন্তি সুখিনো নরাঃ। সক্তভাবা বিনশ্যন্তি নরাস্তত্র ন সংশয়ঃ ॥১৩॥
আহারসংচয়াশ্চৈব তথা কীটপিপীলিকাঃ। অসক্তাঃ সুখিনো লোকে সক্তাশ্চৈব বিনাশিনঃ ॥১৪॥
স্বজনে ন চ তে চিন্তা কর্ত্তব্যা মোক্ষবুদ্ধিনা। ইমে ময়া বিনা ভূতা ভবিষ্যন্তি কথং ত্বিতি ॥১৫॥

থদংলমহনা মনীংতম্না ধমদা কোঁমচং চংঙুনা লৈরো ॥৮॥ লোম্বনবী অচুনা হৌজিক্তি মচা পোকপী ভুপী চারবীচু ওইরে, অংদা ওইরে পোরে। মচা-মশুশিংনা অহল ওইরবী মমাদু য়োক্লে। অদুবু দমাচুদি— হৌজিককাওবা মমুম পাক্লবা মচাশিংচপী মথক্তা মাপী চাক্লপী বাংসল্যপ্রেমদো, অদুমক্ মপোপ ঈকাংম কায়দনা থম্মি। মীংনা শংশং উরিবা সংসারগী অসিরুম্বা বন্ধন— থাঙ্গিনবা অসিবু মুমা থত্তলদুনা ধর্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ হায়রিবা মখোয় মরিশিংগী ঈংবম্ লেনবা পুরুষার্থ, মোক্ষ হায়রসিতবু পরম উংলম্ভ ওইনা থমদুনা খুদক্তা থাদোক্লমদুনা চৎথিগদবনি ॥৯॥

শাস্ত্রগী বিধিগী মতুংইন্না, ইন্দ্রিয়শিংগী শাইবনা মখোয়গী বিষয়শিংবু লৌথোক লৌশিন্ তৌবগী শামবদু থুনা মপুং ফাহল্লো। অত্তদগীদি মহাকী অমদি মচাকী মচা পোকপা পোক্লবা থত্তদে, পোক্পু পোক্লবদু, পোকপু পোকত্রবদু লোনবীচুবুদু থাদোক্লমদনা ঈক্লুং চুংঙাইনা চৎখো ॥১০॥

লাইগী নোংদমদগী লোক্তকী সংদামী চংলবী থৱ খুংথোক্লরবদু মখোয়চুপী, অক কল্ল পুন্নমকপু চপমানা উগলবনি। চায়বদি— কামধা কংলগা চুংডোইগদবা নত্তে, কাম্নদা কংলগা য়াগদবা শাংউগদবা নত্তে। মখোয়গী মথক্তা অশাঙ্কিবা চুংডাইতবা, মখোয় কাবা বকু থম্মোইদৌরনি ॥ ১॥

মোক্ষগী উপায়শিং অদো এইনা মচোস্না সম্পংনা হায়রবনি। মখোয় অসি অমুক্ কোম্বনা শল্লোক্লা চায়গে ভাও ॥১২॥

লাম্থোক্লরবা অফা-অপুন্ লৈজবা মখোয় অচুতম চুংডাইবা কংতি। মখোয় অচু কমিগুম্বা বিষয় অমদগী অকি-অথং লৈতনা মনীঙ-ভম্না কোমচং চংকুনা লৈ। সংসারগী বিষয় পদার্থদা, হায়বদি— সনালুপা কি-য়োলদা কা চেম্না আসক্তি থমগ্রবা মীশিং অদুদি— ভীল কাঙ্ত থকুদেংলচিংদনা মীকুপ থুশিং— তানুশিন্ থোমজিন্ পৈশিন্নবনা মশিজাং ওইচুনা মকম-মমাং ইংথত্ত থত্তদনা মদুন্না কেন্ দুখম — মতম ওদুদং তানুশিন্ পৈশিন্নদগা অদুম চংনথি— শিথি। চায়রিবা অশিদা কখিমুচিংলকম লৈজরান। অদুনা আসক্তি থমত্রবা মখোয়দি সংসারশিদা মনীঙ-মথা ভম্না চুংডাইনা লৈ। আসক্তি থমগ্রবা মখোয় অদুদি— ডাইবং মীগী ভাওলবা মপোক অসিবু অমেম্বদা মাডহল্লরবনি ॥১৩—১৪॥

সংসার অসিদা লৈনা লৈবা মুক্ত ওইবা— লাম্থোকপা অদুবু পামবদি, এপী ঈচা-ঈশুশিং শাগে-

স্বয়মুৎপদ্যতে জন্তুঃ স্বয়মেব বিবর্দ্ধতে। সুখদুঃখে তথা মৃত্যুং স্বয়মেবাধিগচ্ছতি ॥১৬॥
ভোজনাচ্ছাদনে চৈব মাত্রাপিত্রাশ্চ সংগ্রহম্। সুকৃতেনাধিগচ্ছন্তি লোকেনাভ্যাকৃতং পুরা ॥১৭॥
ধাত্রা বিহিতভক্ষ্যাণি সর্ব্বভূতানি মেদিনীম্। লোকে বিপরিধাবন্তি রক্ষিতানি স্বকর্মভিঃ ॥১৮॥
স্বয়ং মৃৎপিণ্ডভূতস্য পরতন্ত্রস্য সর্ব্বদা। কো হেতুঃ স্বজনং পোষ্টুং রক্ষিতুং বা দৃঢ়াত্মনঃ ॥১৯॥
স্বজনং হি যদা মৃত্যুর্হন্ত্যেব তব পশ্যতঃ। কৃতেঽপি যত্নে মহতি তত্র বোধয়মাত্মনা ॥২০॥
জীবন্তমপি চৈবৈনং ভরণে রক্ষণে তথা। অসমাপ্তে পরিত্যজ্য পশ্চাদপি মরিষ্যসি ॥২১॥

মাতৌশিং অসি ঐ য়াওদনা, ঐনা সহায় তৌদনা কংগ্না হিংগদগে হায়না চিন্তা থক্ তৌরোইদৌবনি ॥১৫॥

জীব পানৃব' পুম্নমক মশা মশা মথন্তা পোকত ওইজরকদনি। মশা মশা মথন্তন কনাগু কনাগু য়াও-দনা, কনা অমত্তগা লোয়নদনা অদুম অদুম চচ্চখিবনি— শিজ্জখিবনি ॥১৬॥

তাইবং মীনা মচাক্ মচাক্ নহানবুক্কী মপোক্তা তৌরকপা কর্মদুগী মকুংইগ্না অচা-অথক্ ফিরোল, অচুম মফালি। থর অমম মপা-মমা, মপা-মপুনা থনথা মনা লুপা তৌরী-উংথাশিংবং অসি জীবা য়াদনা অচুম্ শীজিন্নদ্দি। অচুপা তাইবং মীনা অমদি জীব পানৃবা খুদিংনা অক্ষ-কন্ত হেক্ কংদিবমখে নহানবুক মপোক্তা তৌরকপগী মকুংইগ্না কংদিবা জাকনি তৌবিবা কর্মদুগী মইহ মত্তনা অত্তোপ্না অমা কৌরিবত্তা য়াওত্রে ॥১৭॥

সংসারগী অচৌচত্ত জীব খুদিংমক নহানবুক্কী কর্মশিংদুনা ওাক্-শেন্দুনা পৃথ্বী লৈমায়থক অসিদা মানা মানা পাত্না কর্ম তৌনবগীদমক কোয়তং চাতুনা লৈরি। বিধাতানা মাগী মাগী মোংমগী চীপ্রাক অচু অথ-দগী থত্তদে, অমগী থত্তদে— য়াত্তনা থাম্ লৌনীন্ থিরি। মোংদগী শীন্দ্রবিরিবা অদুত্তনি— মী মানা মানা কংজরিবত্ব ॥১৮॥

মী মহাক মশামকত্ব পঞ্চভূততা শাবা লৈজুম অমা নত্তনা কদিন্দ্র নত্তে। অদুত্তন্না মী মহাক অচুপা মাগী মরূপ-মপাং শাগৈ-নাতৈবু কয়ম্ থাকপা তম্‌গদোরিবনো ? ॥১৯॥

অচুপা মুংশিরেমখে থাকুনা য়েঙ্কুনা থরিবা মচা-মশু; শাগৈ-নাতৌশিং অত্ত মৃত্যু (অশিবা) হায়বা লাই অমনা নংগী নমাওমত্তদা, নহাক্ উন উনা লাকুনা-কোইহুনা চংখি। জীবশিং অচুনা তাইবং হকচাং অসিদা লৈহুনা, হকচাংসিগা লোয়ননা লৈমনবগী অথোইবা মত্তমহুনা লাক্লবদা— মচু-মমনা, হীদাক-লাং-তকা, মাইবা-মাইবীগী পৌ-য়াঙ্গু-নহিংবনা কনা হায়া কয়া হোৎনজুনবত্ব অরোশিবা মতমহুদা কনাগুবা অমত্তনা থাম্বা ওনহৌদে। অসিগুম্বা মতাং অসিদা— নহাক নশা মথন্তনত্ব থত্তো— ঐত্তোপা লৈরিবা শক্তিসি করিনো ?— কদায়দগীনো হায়বত্ব ॥২০॥

হায়রিবা শাগৈ-নাতৈ, মরূপ-মপাং পুম্নমক অসিনা চহী চাম পুন্‌শিহুনা লৈহৌরবত্ব মথোয়বু য়োক্-থাকে, তাক্-শেনুগে হায়না হোৎনরিবা নহাক নশামক হায়রিবা মথোয়শিংসিবু য়োক্-থাকপা লোইজিন্তৌ।

যদা মৃতং চ স্বজনং ন শোচসি কদাচন। সুখিতং দুঃখিতং বাপি নানুবোদ্ধব্যমাত্মনা ॥২২॥
মৃতে বা যদি জীবেবা যদা শোচ্যতি বৈ জনঃ। অকৃতং নম্বু বুদ্ধেঃ বর্ত্তব্যং জিতমাত্মনা ॥২৩॥
এবম্বিধাঁল্লোকেঽস্মিন্ কঃ কক্তোতিনিশ্চিতঃ। মোক্ষে নিবেশয় মনো দুর্লভাপ্যুপধারয় ॥২৪॥
ক্ষুৎপিপাসাদয়োভাবা জিতা যস্তেহ দেহিনঃ। ক্রোধো লোভস্তথা মোহ সত্ত্ববান্ মুক্ত এব সঃ ॥২৫॥

মথোয়মু থাজোক্লমহুনা শিশিবা য়ানমু কৈদ্রি ॥২১॥ ভুংশিয়বা শাটেগ নাইত্তে মচা নশূশিংহুগী মমুংগা কনা-গুম্বা অমনা নহাকপু তাক্লমদনা থাজোক্লুনা চংখিবা মতম অহূদা, চংথ্রিবা মহাক অসি চৌজিক ভুংত্তাইনা লৈরিগজ্রা। য়ানা লৈরিগজ্রা? মহাক্লা কল্লুনা লৈহৌরিবসি চংথ্রিবা— শিথ্রিবা মহাক অহুনা উদ্রি—তাম্রিজ্বা? হায়রিবা বিষয় আসনা নহাক করিমতা থত্তদনা লৈম্রিবনি। মাস, নহাক মশানমু মুম্না থত্ত-হুনা লৈগদবনি ॥২২॥

য়োক্-থাক্লবা নহাক মতম থরেং লৈরবমু নত্তপা শিল্পবমু লৈহৌইবা মথোয়মুদি মাগী মাগী নহান-মুকী মপোক্তা তৌখিবা কর্মশিংমুগী মটে চা চাহনা অহুম মরৈথিগনি। নহাক লৈমু ত্তাই, লৈত্তেমু ত্তাই। নহাক্লা থাকপদগী মথোয়না চিংবা নত্তে। থাক্লিবা নহাক্লা শিল্পবঞ মথোয়দি ওমুম্মক হিংহৌই। মহাক্লনা থাক্লা থাক্লা, অক্-শেনথি শেন্থিনা নবু থাজোক্লমহুনা অহুম মচংথিনি। অসি পুম্মমক্লসিবু মুম্না থঙ্গপা—মশাগী মঙ্গল ওইনবা সাধনা তৌহৌবনা কৈ ॥২৩॥

বিষয় অসিবু মুম্না লৈম্বগা সংসার অসিদা কনানা কনাগী কারি থাকপগে হাপ্তমু মুম্না বিচার তৌরগা মীনম্বা— ওইদবা পুম্নমক আসংদগী থাজোক্লবা— মুক্ত ওইনববা সাধনা তৌ ॥২৪॥

অয়াম-খৌয়াংবগী লৈনা হাত্নম্বা, অংমো, কল্লক মিহৌবা অনাইবা মথোয়সিবু অম্ব তৌরবা অত্তুগুম্বা সত্ত্ব হায়বা গুণ ধর্মহুনা তিম্নবা * মহাক অত্তুদ্রি মতম পুম্বনা মুক্ত ওইহুনা লৈরবনি ॥২৫॥

---

* "সত্ত্ব" হায়বসিগী অর্থদি— "লৈব" হায়বনি। শীক লৈবা, চাউনা লৈবা, য়াংনা লৈবা, লেম্বনা লৈবা হুম্নয়া হায়রদি— মাদু চুম্না লৈব মটৈ নত্তে। "লৈবা", হায়না কৌবা মাগী অকোইবদা শীকপা-চাউবা, য়াংবা-নেম্বা হায়বা অসিনচিংবা গুণশিং অসিনা কাত্তিম্নুনা থেজ্জহুম্না থয়ত্তে। "লৈ"—সত্ত্ব হায়ব-দুদগী হেন্না কডিমতা লৈতনা অত্তৈ পৃম্বদগী মাত্তক্লুনা লৈবকু "সত্ত্ব" কৌই। অসত্ত্বা গুণনা তিম্নবা মী মহাক অদু মুক্ত— লাজোকপা ওইরবনি। ঐগী ইম্বা, ঐগী ইমু, অসিনচিংবা হাত্তিম্নিবসি কনাগুম্বা করিগুম্বমতপা মরী থমজবা ঐ হায়বসিদা লেজ্জনবিবনি। অদুম্না য়েচ্ছিম্নিবসি কায়বা মতম করয়া অকত্ত মবা পুকেমদগী হৌথিবনো হাংবমু থত্তহৌদে। মাসিদগী লাজোকপা অদুবুনি মুক্তি হায়ম্নিবসি। ঐ তৌই, ঐ মুই অসিনচিংবা হায়রবদি— "ঐ চুম্না লৈত্তে" হায়বত্তনি। ঐ অরানুবা লৈ হায়বনি। অসিগুম্বা অয়ানবা বাথদগী লাজোয়কপা মুক্ত ওইনবা তোংনপমবনি, হায়বত্তনি। তোংনবা অসিবুনি সাধনা হায়-রিবসি। "ঐ" হায়রিবা জীব অসিনা য়াংবা, নেম্বা, মাওবা অম্মা চত্থিম্নকবা লদীনি, অম্ম সাধন হায়ববু

দ্যুতেপানে তথা স্ত্রীষু মৃগয়ায়াং চ যো নরঃ। ন প্রমাদ্যতি সম্মোহাৎ সততং মুক্ত এব সঃ ॥২৬॥
দিবসে দিবসে নাম রাত্রৌ রাত্রৌ পুমান্ সদা। ভোক্তব্যমিতি যঃ খিন্নো দোষবুদ্ধিঃ স উচ্যতে ॥২৭॥
আত্মভাবং তথা স্ত্রীষু মুক্তমেব পুনঃ পুনঃ। যঃ পশ্যতি সদা যুক্তো যথাবন্মুক্ত এব সঃ ॥২৮॥
সম্ভবং চ বিনাশং চ ভূতানাং চেষ্টিতং তথা। যস্তত্ত্বতো বিজানাতি লোকেঽস্মিন্ মুক্ত এব সঃ ॥২৯॥
প্রস্থং বাহসহস্রেষু যাত্রার্থং চৈব কোটিষু। প্রাসাদে মঞ্চকং স্থানং যঃ পশ্যতি স মুচ্যতে ॥৩০॥
মৃত্যুনাভ্যাহতং লোকং ব্যাধিভিশ্চোপপীড়িতম্। অবৃত্তিকর্শিতং চৈব যঃ পশ্যতি স মুচ্যতে ॥৩১॥

তম্বহৎপদগী য়ুরাক শাম্বা, যু থক্পা, নুপী-নহাপা তিম্বা, শাদাম্বা অসিনচিংবা হেদো-হেয়াউ-কাবা অসিদগী লাম্বোমক্লবা মহাক্তু মুক্ত ওইরবনি ॥২৬॥

অহিং নুংথিল মতম পুম্বদা নুমিৎকুম্না চাক-মরগী থক্কদবগীত্তা থক্পুশা লৈবা, অদুপা নুপী-নহাপা কম্বিন্ চামিন্নবগী বাখল তৌরবা, অদুগুম্বা মী মহাক্তুদি— মশাদা অমদি মশাগী মহুং মপান্দা দোষগী দোষ মক্তা ভাবয়বা মীশক অমনি হায়না থগুলগদবনি ॥২৭॥

মতম পুম্বা যোগ সাধন তৌদুনতা লৈরবা, নুপী-নহাগী মকমদা থম্বা ভোগভাব পুম্নমক হন্দোকখ্রবা, হায়বদি— নুপী-নহাগী মকমদা থম্বা শান্নথোংনবগী য়াথলনচিংবসি দোইদা থাদোকখ্রবা— অদুগুম্বা মী মহাক্তুদি থাকৈশেংবা মুক্ত— (অয়াব-খুদম) ওইরবা— কংলবা মীশক অমনি হায়না থগুলগদবনি ॥২৮॥

জীবাত্মাসিনা তাইবংমীগী হকচাংদা চক্তকপসিগী থাকৈশেংবো উদ্দেশ্য থগুলবা, পোক্পা-শিবগী তত্ত্ব মুম্না খগুলবা মহাক্তুদি নিত্যমুক্ত ওইরবনি ॥২৯॥

কৌ. পেহু গাড়ী-মপোং লিশিং লিশিং কান্নক্লিবহুগী মহুংদা মাগী মোংমগী মযুক্ থম্বত্তা য়াওরিবা শক্তি মেকক্ অমত্তনি। য়াং-চাউরবা য়ুমশাউহুগী মহুংদা মাগী হকচাংনা কোন্‌গদবা কয়ুং ফিবা অমত্তং চম্নবা মকম্‌দি লম্ অমত্তনিকো! অদুনদি অপুক্ য়াং-চাউরবা য়ুম্ শাক্নবগী দি কয়ি কান্নদ্বি? অদুম হায়না খল্লকুনা মশাদা মথম্বা বৈরাগ্যভাব পোক্‌চরক্লবা মী মহাক অদু মুক্ত ওইরবনি— মুক্তি ফংলবনি— অয়ান্ খুদম ফংলবনি ॥৩০॥

লায়না মথল মথলনা অয়াবা ফংলবা, জীবিকা য়াংদনা, চাক-থক্নবা লৈতবনা মন্নাং ফংলবা অদুপা মৃত্যু হায়বদুনা থগুক্তৌদনা সংসারগী জীবশিংবু চেন্নাক্‌চেন্নাক্— হেন্‌কোন্নথিবসি উবগা মশাদা বৈরাগ্য ভাব লাক্লবা মী মহাক অদুদি— অয়া-অনা পুম্বদগী কোক্লবা - লাম্বোক্লবা হায়বদুনি। অদুগুম্বা মহাক্ অদুত্তনা অয়ান্‌বা-খুদম্ ফংলিবনি ॥৩১॥

অসিত্তনি। গোপাল কৌবা ঐ ব্রহ্মসাধন তৌখি, হায়বদি— মাদু ব্রহ্মসাধন নত্তে। 'ঐ' হায়রিবসিদি গোপাল কৌবে। গোপাল কৌবা মহাক্তা গোপালগী কমিন্ কৌদবা মত্তোম্দা কয়্না তিন্নগদৌরিবনো? অদুনা "ঐ ব্রহ্মসাধন তোবা চৎলি" অসিনচিংবা হায়রিবসিমক মশাদা অদুম্ লাক্লে। (কালাচাঁদ)

যঃ পশ্যতি সঃ সন্তুষ্টো ন পশ্যংশ্চ বিহন্যতে। যস্তাপায়েন সন্তুষ্টো লোকেঽস্মিন্ মুক্ত এব সঃ ॥৩২॥
অগ্নীষোমবিদং সর্ব্বমিতি যশ্চানুপশ্যতি। ন চ সংস্পৃশ্যতে ভাবৈরদ্ভুতৈর্মুক্ত এব সঃ ॥৩৩॥
পর্য্যঙ্কশয্যাভূমিশ্চ সমানে যস্য দেহিনঃ। শালয়শ্চ কদন্নং চ যস্য তান্ মুক্ত এব সঃ ॥৩৪॥

সংসারবা অসিগুম্বা মওং কিতম অসিদা লৈরিবসিবু উরবা—থওনবা মী মহাক অদু মুক্ত ওইরবনি, মুক্তি ফংলবনি— পোকপ-শিবগী লাংদগী লাহোঙ্গবনি। মাসি থওদবা— যোংমতংদু থাজবা মী মহাক্ অদুদি শিরবনি। থরুং ফংবদা অচুম পেঙ্গবা মী মহাক অদু মুক্ত ওইরবনি ॥৩২॥

অচচ্চত্ত জগৎ পূরমক অসিবু অগ্নি সোমগী মশক ওইনা উরবা, হায়বদি— তোক্তা (অচাবা মীশক্) পা, তোজ্য— চাগদৌরিবা পোৎ কা অনীসিতগী হেন্না অতৈ অতোপ্পা অমা যাওদবগুম্বা উরবা, অদুগা— মহাক মশাবুতদি হায়রিবা অনীসিদগী তোক্তাদুবা অতোপ্পা অমা ওইনা থারিবা অদুগুম্বা মী মহাক্ অদুদা অবা-নুংঙাইবগী, পোকপ-শিবগী বাথরা চংদে। অদুগুম্বা মী মহাক অদু মতম পূরমক্তা সংসারদগী মুক্ত ওইদুনা— লাহোঙ্গুনা লৈরবনি ॥৩৩॥ *

মমল য়াম্লবা কজবরা কমুং-ফাংথোল, মোন্দুম-যোক্তেক্পা, লৈমিন্-লৈমায়থকা অমতনি— অম্মানি হাবনা থমোঙ্গবা, পোইদুগী চনৌবা খোংবা খোংলবা চাক্পা, তুমাই-তেংগী চাক্-চক্লৌক্পা— মশা অমত্তনি মহাক্ত চপ মান্নবা চায়বা মী মহাক অদু অনী খোকপগী বাথনদগী লাহোঙ্গরবনি, হায়বদি— সংসারদগী মুক্ত ওইরবনি— মুক্তি ফংলবনি ॥৩৪॥

* অচচ্চত্ত জীব পূর্বনা থম্না লৈরবা জগৎ অসিদা মুর থক্তরবদি য়াম্বা নত্তে, অনী-তনি। তোক্তাগা তোগ্য মক্সাগা তোজ্যাগা অনী অসিতনি। হায়বদি— অচাবা অমগ, চাগদৌরিবা পোৎ অদুগা অনীসিতনি। থুমম ওইনা— শম্না— শমুজিন্না অমত্তং হায়বা তায়মদা— উথক্তা পাম্লিবা উটৈ অমগী মশাদা য়াওরিবদি অচাপোৎ মক্তনি। উটৈ অসিগী মওং, মমিং, মহাউ, মচু, মমম পূরমক অসিবু— চাথোকপ্রিবা, চুপশিন্-ন্রিবা— মথং মথং য়াওহন্ন্রিবা তোক্তা অমমম্ লৈ। মমথু লৈপাক্তা লৌশিন্থি, লৈপাক অসি তোক্তা ওইরে। অদুদগী লৈপাকপু ঈশিংনা লৌশিন্থি, ঈশিংনা অমুক তোক্তা ওইরে। ঈশিংবু মৈনা লৌশিন্থি, মৈবু অমুক নুংশিংনা, নুংশিংপু অমুক আকাশনা, আকাশবু পূক্নীং, পূক্নীংবু বুদ্ধিনা, বুদ্ধিবু আত্মানা লৌ-শিন্থি। আত্মাদদি তোক্তা তোজ্য অনী পূম্রে। সংসারদা উরিবা অচচ্চত্তা লেত্তিত-পাম্লিবা পূরমক অসি তোজ্য ওইরম্ ওইরদুনা তোক্তং অমমুক ওইখিবনি। তোক্তা ওইরম্ ওইরদুনা তোজ্য অমুক ওইরক্-পনি। মতৌ অসুম্না হৈপাল-লৈপাল, চীও ফুরেল পূরমকসু অসুম থওগদবনি। মরম অদুনা তোক্তা-তোজ্য— অচাবা-চাগববা, সুখ দুঃখ— নুংঙাইবা-অবাবা, সংযোগ-বিয়োগ— কায়নবা-তিন্নবা হায়দুনা— অনী অনী থোক্না লৈরবসি ওহাক্ ওহাক্তগীনি, মান্নানি— তৌশিনরম্বনি। অসিদগী লাহোঙ্গলবনি হায়-বদি— অনী থেতৈ থাবুবা বাথনদগী মুক্ত ওইগদবনি। (কালাচাঁদ)

ক্ষৌমং চ কুশচীরং চ কৌশেয়ং বল্কলানি চ। আবিকং চর্ম্ম চ সমং যস্য স্যান্মুক্ত এব সঃ ॥৩৫॥
পঞ্চভূতসমুদ্ভূতং লোকং যশ্চানুপশ্যতি। তথা চ বর্ত্ততে দৃষ্ট্বা লোকেঽস্মিন্মুক্ত এব সঃ ॥৩৬॥
সুখদুঃখে সমে যস্য লাভালাভৌ জয়াজয়ৌ। ইচ্ছাদ্বেষৌ ভয়োদ্বেগৌ সর্ব্বথা মুক্ত এব সঃ ॥৩৭॥
রক্তমূত্রপুরীষাণাং দোষাণাং সঞ্চয়াংস্তথা। শরীরং দোষবহুলং দৃষ্ট্বা চৈব বিমুচ্যতে ॥৩৮॥
বলীপলিতসংযোগে কার্শ্যং বৈবর্ণ্যমেব চ। কুব্জভাবং চ জরয়া যঃ পশ্যতি স মুচ্যতে ॥৩৯॥
পুংস্ত্বোপঘাতং কালেন দর্শনোপরমং তথা। বাধির্য্যং প্রাণমন্দত্বং যঃ পশ্যতি স পশ্যতি ॥৪০॥
গতানৃষীংস্তথা দেবানসুরাংশ্চ তথাগতান্। লোকাদস্মাৎ পরং লোকং যঃ পশ্যতি স মুচ্যতে ॥৪১॥

লশিংগী, য়েণমগী, কঙ্গংগী ফিদ, উকু বাকু কুশ-মনানচিংবগী ফিদ, কৈ মতৌদ শরী মতৌদগী ফিদা— মতোঙ্গা ঈমান্ মায়মা অচুম থোক্লুববা, হায়বদি— লৈপাক হায়বা তক অসিগী অনী অনী থোকপা শক্-লোন্ শিং অসিনা মী মহাক অঙগী মকমদা মমিং মওং তোঙান তোঙান পুদুনা চঙজবা ঈমা মাঙবা মী মহাক অদু মশাগা অচুম্বক মুক্ত ওইজয়বনি ॥৩৫॥

লেত্তিত-পাল্লিবা উরিবা পূন্নমক, পোৎ খুদিংমক মৈ ঈশিংমচিংবা পঞ্চভূতকী বিকার মত্রনি হায়না খঙলবা— উরবা মী মহাক মুক্ত ওইয়বনি। উরবা খঙলবা অদুতা নত্তনা খঙলিবদুগী মতুংইন্না কর্ম তৌরবা অদুবুনি জীবন্মুক্ত হায়রিবসি ॥৩৬॥

মী মহাকী বুদ্ধিদা কাননব-তিরবা, অমাবা-ফুংঙাইবা, মাঙবা-তোংবা, গুম্বা-মাঙখোবা হায়রিবা অনী অনী থোকপগী মওং মমিং মশা অমতা ওইনা অচুম মরেল্লবা, অদুগা অদুম্না লৈখিবদুনা কল্লকপা য়েংথিবদচিংবা মথোয় অসিনন্থু চঙ্গকপা ওমল্লবা, অদুগুম্বা নী মহাক অদু মুক্ত ওইয়বনি ॥৩৭॥

দোষ কয়া কয়া পোক্ললীতঙ্গার ওইকুবা, দোষ কয়া কয়াগী তুংমকম ওইয়বা হকচাংনি। ঈ-নাই, খী-মুং অসি মতবা অতৈ কত্রবা পোৎশক্ কয়া কয়াগী মপৈনি, শদুগি। অদুম্ হায়না খঙলিবা অমদি উরিবা মী মহাক অদু মুক্ত ওইয়বান ॥৩৮॥

কুইশিল্লকপা— অহল ওইশিল্লকপা হকচাং অসি চপশিল-খুইজিল্লকই, কোকী শম্ তৌরোক তৌবকই, হকচাং অসি অমুম মনশিল্লকপদুনা মহৎক্-মশাও, মশেক-মঙাল মাঙবক্তে, খাং নোন্-নোম্বুনা চৎশিল্লকপনা, মম্ পোনশিল্লকই। পূন্নমক অসিগী ওইদল্লিবা কারণ অমদি উদ্দেশ্য খঙদুনা লৈখিবা, অদুগা মাদুগী মতুং-ইন্না থবক তৌরিবা মী মহাক অদু মুক্ত ওইয়বনি ॥৩৯॥

মতম অচুনা য়ৌশিল্লকপদা নিপা থোকপগী শক্তি মাঙশিল্লকই। মীতা উনমবগী শক্তি লৈশিল্লক্তে। নাকোংদা তানবগী শক্তি। প্রাণবায়ুগী শক্তিসু অদুম শোল্লকই। থোদোকশিং অসি মীকুপ খুদিংগী মুত্না কুপা য়েংশিল্লিবা, অদুগা মাসি কয়ম হায়না কে কপগে হায়নসু বিচার তৌরকপা মী মহাক অদু মুক্ত ওইয়বনি ॥৪০॥

ঋষি কয়া কয়া, দেবতা কয়া কয়া, অসুর কয়া কয়া,— ইহলোক থাদোক্লুবা পরলোকতা চৎখয়ে।

প্রভাবৈরীদৃশৈর্যুক্তৈঃ পার্থিবেন্দ্রাঃ সহস্রশঃ। যে গতা পৃথিবীং ত্যক্ত্বা ইতি জ্ঞানাদ্বিমুচ্যতে ॥৪২॥
অর্থাংস্তু দুর্লভাংল্লোকে ক্লেশাংশ্চ সুলভাংস্তথা। দুঃখং চৈব কুটুম্বার্থে যঃ পশ্যতি স মুচ্যতে ॥৪৩॥
অপত্যানাং চ বৈগুণ্যং জনং বৈগুণ্যমেব চ। পশ্যন্ ভূয়িষ্ঠশো লোকে কো মোক্ষং নাভিপূজয়েৎ ॥৪৪॥
শাস্ত্রাল্লোকাচ্চ যো বুদ্ধঃ সর্ব্বং পশ্যতি মানবাঃ। অসারমিব মানুষ্যং সর্ব্বথা মুক্ত এব সঃ ॥৪৫॥
এতচ্ছ্রুত্বা মম বচো ভবাংশ্চরতু মুক্তবৎ। গার্হস্থ্যে যদি বা মোক্ষে কৃতা বুদ্ধিরবিক্লবা ॥৪৬॥
তৎ তস্য বচনং শ্রুত্বা সম্যক্ স পৃথিবীপতিঃ। মোক্ষজৈশ্চ গুণৈর্যুক্তঃ পালয়ামাস চ প্রজাঃ ॥৪৭॥

অসি পূম্নমক্পু ভত্তনা খুনা থবক্তুনা মপুরুশি লেপ্লিবা মী মহাক অদো মুক্ত— লাম্লবা ওইরবনি ॥৪১॥

প্রভাব লৈরবা, মতীক্-মগুণ চাউরবা, নিংথৌ লিশিংনা পৃথিবীসিবু থাদোক্লমহুনা মতমগী থরাংতা চোংশিন্খ্রবনি। মাসিবু কাউদনা লৈপ্লিবা মী মহাক অদো মুক্ত ওইরবনি ॥৪২॥

সংসারসিদা লল্ ধন-সম্পত্তিদি মায়া তাওত্ত; অরাবা খুদোংথীবদি মায়া হোত্তিত্ত। শাগৈ-নাইত্তে মরূপ মপাং পম্বিকমবু য়োক্-থাম্নবা চোংবরবদা অরাবা কয়া কয়া নত্তিত্ত। মাসিবু পুক্নীংদা ভত্তনা হাপ্পিন্দুনো থম্লিবা মী মহাক অদু মুক্ত ওইরবনি ॥৪৩॥

অমাবসি অসিত্তা নত্তে। মচা-মশূপী মগুণ লৈত্তবা, মমামবনা লাকচথিবা অসিনচিংবসি উরপা— মাহুদস্থ অরাবা কয়া কয়া ফংত্তি। মশাগী গুণগা ওম্-তৈনবা গুণ লৈবা মীশিং অহুগনু সক্ত তৌরই। অচুমা মুংঙাইবা ফংবগা, অরাবা ফংবগা, অরাবা ফংবগী মশীংনা মায়া হেল্লি। অসিগুম্বা অমাবশিংসিগী মায়গৈদা অশিংবশিংনা কৈদৌনা চঙনীঙ্গনি? অসিগুম্বা অরাববু পীহ্রিবা শাগৈ-নাইত্তে অমদি পম্বিবাম্নবু অশিংবা কনানা লুনা তৌগনগে ?॥৪৪॥

শাস্ত্রবু পাহুনা, মৈরহুনা লৈরিবা, অহুপা— মশাগী অনুভব (পুক্নীংদা পান্থবা, কাওব) দগী জ্ঞান পুম্নমক হাম্লবা— হাপ্লবা, অহুগুম্বা মীশিংনো সংসারসিবু মচি-হাওদবা কায়দবনি হায়না উই। মথোয় অহুসু মুক্ত ওইরবনি ॥৪৫॥

ঐগী হায়রিবা য়াকমশিং অসিবু মুম্না তাবগা, অমদি— থাজবগা লোম্ননা লৌরগা অকিবা নীত্ত-ওম্নবা পুম্নমক্তগী নাম্বোক্তুনা সন্ন্যাসাশ্রমবু ওইরবসু, গৃহস্থাশ্রমবু ওইরবসু লৈজ লৈকবা সংসারসিদগী মুক্ত ওইনমবা লমচৎ অহু চৎলু ॥৪৬॥

নিংথৌ সগম্না অরিষ্টনেমিগী ঋা (হায়রিবা, লীরিবা য়াকমশিং) চনীত্ত তামা তাহুনা, মুক্তি— অমান্ খুওম্ ফানমবগী লম্বী অমদি মচাক অহুনা শীজিন্নহুনা— সাধন তৌহুনা, প্রজা শাসন তৌহুনা নিংথৌ ওইহুনা অহুম লৈথি— পান্থি ॥৪৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি সগরারিষ্টসম্বাদে ত্র্যশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮৩॥

——ঃ(০)ঃ——

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক চি... ...ব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা সগর-অরিষ্টনেমি-সংবাদ... চ... ...হমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮৩॥

——ঃ(০)ঃ——

মণিপুরী মহাভারত

চতুরশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(ভৃগুগী মচা উশনাগী য়ারী, মহাকপু শুক্রাচার্য্য কৌথিবগী মরম)

চনীপা মরিফুমরিশুবা অধ্যায়

——ঃ(০)ঃ——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

তিষ্ঠতে মে সদা তাত কৌতূহলমিদং হৃদি। তদহং শ্রোতুমিচ্ছামি ত্বত্তঃ কুরুপিতামহ ॥১॥

কথং দেবর্ষিরুশনা সদা কাব্যো মহামতিঃ। অসুরাণাং প্রিয়করঃ সুরাণামপ্রিয়ে রতঃ ॥২॥

বর্দ্ধয়ামাস তেজশ্চ কিমর্থমমিতৌজসাম্। নিত্যং বৈরনিবদ্ধাশ্চ দানবাঃ সুরসত্তমৈঃ ॥৩॥

কথং চাপ্যুশনা প্রাপ শুক্রত্বমমরদ্যুতিঃ। ঋদ্ধিং স চ কথং প্রাপ্তঃ সর্ব্বমেতদ্ বদস্ব মে ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুধো। মমাংতোনগী হৌনা য়াম্না থওনীংবা তাজনীংবা য়াকম অমা ঐগী থম্মোয় অসিদা লৈরক্লি। মাসি ঈবুধোনা ঐগী পুক্নীংগী চিংনবা অসি কোকহন্‌বিয়ু ॥১॥

য়ায়া বুদ্ধি লৈয়বা কবিত্বশক্তি লৈয়বা উশনা কৌবা দেবর্ষিসিনা করিগী দমক্তা হুমিংচুন্না অসুরশিংগী মীচঙ ওইহুনা তখোয়গী ফননবা-ত তৌখিবা, অদুগা দেবতাশিংবু দি করিমক্তা থুংশিখিত্রিবদি করিগীনো? ॥২॥

মশানা হায়দগী মপাঙ্গল কল্লবা, অসুর দৈত্যশিং অদুবু মহাক্কা করিগীদমক শোগংখিবগে? অদুগা মহাক্কা দেবতাশিংগা দৈত্য অসুরশিং অসিগা য়েংথিনহল্লবগী দমক্তা হুমিংচুন্না হোংনখিবনা করিগীনো? ॥৩॥

দেবতাগুম্না মতৌক-মশক চাউববা উশনাবু শুক্র— শুক্রাচার্য্য কৌখিবসিনা করিগীনো? অদুগা মহাক্কী বুদ্ধিগী সম্পত্তি— জ্ঞান-বিজ্ঞান অসিনা কদাইদগীনো? পুম্নমক অসি তাকপিয়ু ॥৪॥

ন যাতি চ স তেজস্বী মধ্যেন নভসঃ কথম্। এতদিচ্ছামি বিজ্ঞাতুং নিখিলেন পিতামহ ॥৫॥

ভীষ্ম উবাচ।

শৃণু রাজন্নবহিতঃ সর্ব্বমেতদ্ যথা তথম্। যথা মতি যথা চৈতচ্ছ্রুতপূর্ব্বং ময়ানঘ ॥৬॥
এষ ভার্গবদায়াদো মুনির্মান্যো দৃঢ়ব্রতঃ। সুরাণাং বিপ্রিয়করো নিমিত্তে কারণাত্মকে ॥৭॥
ইন্দ্রোঽথ ধনদো রাজা যক্ষরক্ষোঽধিপঃ সদা। প্রভবিষ্ণুশ্চ কোশস্য জগতশ্চ তথা প্রভুঃ ॥৮॥
তস্যাত্মানমথাবিশ্য যোগসিদ্ধো মহামুনিঃ। রুদ্ধ্বা ধনপতিং দেবং যোগেন হৃতবান্ বসু ॥৯॥

ইযুধো। দেবর্ষিউশনা— ভার্গব, কবি, শুক্রাচার্য্য হায়রিবসিদি য়াম্না তেজস্বী— তেজ কল্লবা মীশক অমনি। অদুবু মহাক্তি অতৈ অতৈ দেবর্ষিগুম্না আকাশগী মরক্তা— লমীদা থক্ চতে। মাসি পুন্নমক মপুংফানা খঙজবীতিও ॥৫॥

ভীষ্মনা হায়,— পাপ মাওজবা নিংথৌ। ঐনা তাখিবা থওবিবদুগী মখুংইনা যাবী পুন্নমক্ ঐ নীগে য়াম্না পুন্নীং চঙনা তাও ॥৬॥

ভৃগুগী মচা মুনি অথোইবা উশনা হায়বা দেবর্ষি অসি দেবতাগুম্না যাম্না ঙীকায় খুম্নবা অদুগা অকন্বা অত মিরম্ন চোকপিয়া ওাকপা মুনি অমনি। কবিগুবা থৌদোক অমদগী য়াম্না শাউবিদুনা দেবতা পুন্নমকী মৈমী অমা ওইখি। থৌদোক্ অদুদি অসিনি,— মোংমা অসুরশিংনা দেবতাশিংনা শাথীনা অহাবা অমা পীদমগা ভৃগুগী-লোয়নবীদুগী আশ্রমদা চঙদুনা লোংলম্মি। অসুরশিং অদুনা মঙোন্দা— "ঈমা। ঐখোয়বু কনবিয়ু" অসুরগা হায়জরগদুনা ভৃগুপত্নীদুনস্ত মখোয়বু মচাগুম থনবিদুনা— "কিগনু" হায়দুনা ভাক্-লেন্দুনা থম্বিখি। দেবতাশিংনা অসুরশিং অদুগী মথক্তা লম্মল খুম্নগদবগী অদুম থিমকপা মতমদা ভৃগুপত্নীগী আশ্রমদা লোংদুনা লৈবদু উবেদি হায়বদু ভৃগুপত্নীবু কিবনগী আশ্রমদুগা চঙবা ঙমত্রে। অদুগীদি— দেবতাশিং অসিনা ভগবান্ বিষ্ণুগী মাক্ তাম্না চংখি। অমং পুংগী অতাকপা মপু ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুনা দেবতাশিংগী সম্পাত্তিশিং অদুবু কনবিগে হায়বগী মমক সুদর্শন চক্র পায়খংলি। মশাদা আত্মভীতাব চত- লকপী ভৃগুপত্নীগী মকক্ অদু কক্খি, অদুগা দেবতাশিং অদুবুম তাম তামদুনা হাংখি,। হাংদোদবা উচিন্ মাচিন্ হিংদোবশিদুনা ভৃগুগী মচা উশনাগী মাক্তা চেম্নশিনদুনা আজ্ঞয় লৌখি। মম্না হাংখিবদুদা মুংতাই- থিদদুনা কৃশুনা চেজগ্রক্রিবা অসুরশিংদু ভাক্-লেন্দুনা থম্বিখি। হায়রিবা থৌদোকসিদগী দেবতাশিংগী চাউথংলগী লমীদা ভৃগুগী মচা উশনা হায়ব্রিবসিনা মৈথায়বা য়াম্না পীখি। অসুরশিংগী মীচ· ওইদুনা— মখোয়গী কননবতা পীন্থি ॥৭॥

মতম অদু ইন্দ্র অসি মখোল অহমগী মপু ওইদুনা, যক্ষ-রক্ষ পুন্নমকী মপু কুবেরবু যাগী লন্‌থৈ-পুথৈ পায়বা— কোষাধ্যক্ষ— কৈরুংবা হাপখি ॥৮॥

যোগসিদ্ধ ওইবা ভৃগুপুত্র উশনাবা যোগশক্তিগী পাইবনা ইন্দ্রগী কোষাধ্যক্ষ কুবেরবু খুদম চাহ্নবা

হৃতে ধনে ততঃ শর্বং ন লেভে ধনদস্তথা। আপন্নমন্যুঃ সংবিগ্নঃ সোঽভ্যগাৎ সুরসত্তমম্ ॥১০॥
নিবেদয়ামাস তদা শিবায়ামিততেজসে। দেবশ্রেষ্ঠায় রুদ্রায় সৌম্যায় বহুরূপিণে ॥১১॥
যোগাত্মকেনোশনসা রুদ্ধ্বা মম হৃতং বসু। যোগেনাত্মগতিং কৃত্বা নিঃসৃতশ্চ মহাতপাঃ ॥১২॥
এতচ্ছ্রুত্বা ততঃ ক্রুদ্ধো মহাযোগী মহেশ্বরঃ। সংরক্তনয়নো রাজন্ শূলমাদায় তস্থিবান্ ॥১৩॥
ক্বাসৌ ক্বাসাবিতি প্রাহ গৃহীত্বা পরমায়ুধম্। উশনা দূরতস্তস্য বভৌ জ্ঞাত্বা চিকীর্ষিতম্ ॥১৪॥
স মহাযোগিনো বুদ্ধ্বা তং রোষং বৈ মহাত্মনঃ। গতিমাগমনং বেত্তি স্থানং চৈব ততঃ প্রভুঃ ॥১৫॥
সংচিন্ত্যোগ্রেণ তপসা মহাত্মানং মহেশ্বরম্। উশনা যোগসিদ্ধাত্মা শূলাগ্রে প্রত্যদৃশ্যত ॥১৬॥
বিজ্ঞাতরূপঃ স তদা তপঃসিদ্ধোঽথ ধন্বিনা। জ্ঞাত্বা শূলং চ দেবেশ পাণিনা স মনাময়ৎ ॥১৭॥

মহাত্মা তাক্-শেংবদুনা থমজবা লন্-থুম অদু লৌইনা মুন্দুনা লৌথোক্নে ॥৯॥ শেল পূর্নব হুখিবা—মুনথিবদুদা কুবের অসি লোখাকম থঙখিদ্রে। মহাত্মা শাউরম্বদুনা ঈপা পাথংবা শিব—মহাদেবগী নাক্ তাখা চংখি ॥১০॥

মতম অসিদা মহাত্মা ওমথৈ লৈতবা তেজবু পুবিবা, শক্লোন তোঙান্ তোঙানবা করা পুবা মদলগী মশক ওইবা মহাদেবগী মফমদা অপুন্না হায়খি ॥১১॥

প্রভু! মহর্ষি উশনা হায়বসে যোগশক্তি পূর্নবা তিন্নবনি। মহাত্মা মহাকী যোগশক্তিনা পাইবা ওইদুনা ঐবু কাক্তিন্দুনা থম্নগা অইবা লন্ পুম্বা লৌইনা পুদুনা চংথরে। দেবর্ষি অদুনা ঐবু মথা পোন্-হল্লগা মনীং তম্বা লন্ পুম্নমক্কু ঈমাংমক্তদগী পুত্তুনা চংখি ॥১২॥

মাসি তাক্লা মহাযোগী মহাদেব অসি ওক্নোক্না শাউরে। নয়ন— মীং অহুম অদু অশাউবগী ঈ কাখি। ত্রিশূল পাইখংখুনা চপ্ লেপখি ॥১৩॥

"কদায় লৈ? উশনা হায়বদো, কদায়দা লৈক্নোই?" অপুন্না হায়া শাউনা লাউখি। মহাদেবনা তৌগদৌরিবদু হায়া খঙলদুন উশনা অসি লাপ্না চেন্থে ॥১৪॥

মহাযোগী ওইরবা মহাত্মা ভগবান্ সদাশিবগী অশাউবা খঙদুনা উশনা— শুক্রাচার্য্য অসি লাপ্না চথোক্খ্রে। মী অমনা তৌগে খল্লিবা থবক পুম্বা; লাক্পগী চংপগী, মৌরগদবা মৌরোইদৌবা, মকম মতম খুদিং লেত্তনা মকমসিদা লৈগদবনি লৈরোইদবনি হায়বা, মকম অসিদা চংলবদি মী অদু ঊনবা ফংগনি ফংলোই হায়বা অসিমচিংবসি যোগগী শক্তিতমা উশনানা লোইনা খঙবা তম্মি ॥১৫॥

যোগসিদ্ধ ওইরবা উশনানা তপস্যাগী শক্তিনা মহাদেববু ধ্যান তৌরগা মহাদেবনা পাইরিবা ত্রিশূল অদুগী মতোন্দা তুমিল্লা ফমদুনা লৈবদু মহাদেবগী মমীতা উহন্থি ॥১৬॥

তাপস্যগী ফল্লিবদু উশনা ঋষিনি হায়বসি উর-খঙলদুনা লৌনা পাইরিবা খুৎ অহুন্না ত্রিশূল অদু হেক্ কোয়হল্লি ॥১৭॥

আনম্যেনাথ শূলেন পাণিনামিততেজসা। পিনাকমিতি চোবাচ শূলমুগ্রায়ুধঃ প্রভুঃ॥১৮॥

পাণিমধ্যগতং দৃষ্ট্বা ভার্গবং তমুমাপতিঃ। আস্যং বিবৃত্য ককুদী পাণিনা প্রাক্ষিপৎ শনৈঃ॥১৯॥

স তু প্রবিষ্ট উশনা কোষ্ঠং মাহেশ্বরং প্রভুঃ। ব্যচরচ্চাপি তত্রাসৌ মহাত্মা ভৃগুনন্দনঃ॥২০॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কিমর্থং ব্যচরৎ রাজন্নুশনা তস্য ধীমতঃ। জঠরে দেবদেবস্য কিং চাকার্ষীন্মহাদ্যুতিঃ॥২১॥

ভীষ্ম উবাচ।

পুরা সোঽন্তর্জলগতঃ স্থাণুভূতো মহাব্রতঃ। বর্ষাণামযুতং রাজন্ প্রযুক্তাস্তর্ব্বুদানি চ॥২২॥

উদতিষ্ঠৎ তপস্তপ্ত্বা দুশ্চরং চ মহাহ্রদাৎ। ততো দেবাতিদেবস্তং ব্রহ্মা বৈ সমসর্পত॥২৩॥

তপোবৃদ্ধিমপৃচ্ছচ্চ কুশলং চৈবমব্যয়ম্। তপঃ সুচীর্ণমিতি চ প্রোবাচ বৃষভধ্বজঃ॥২৪॥

তৎসংযোগেন বৃদ্ধিং চাপ্যপশ্যৎ স তু শঙ্করঃ। মহানচিন্ত্যশ্চিন্ত্যাত্মা সত্যধর্ম্মরতঃ সদা॥২৫॥

স তেনাঢ্যো মহাযোগী তপসা চ ধনেন চ। ব্যরাজত মহারাজ ত্রিষু লোকেষু বীর্য্যবান্॥২৬॥

প্রমাণ শীমিংডায় লৈজন্না তেজ লৈয়বা ত্রিশূল অদু মহাদেবনা হেক তামথহন্নকপত্ত্বদা তা অদু মাছুগী কুমিত্তগী শীঙংগী মখক লৌথি। খুৎ— পাণি মা কোঙ্গহন্নুনা শীঙং ওইথিবদগী ত্রিশূল— মহীদ অদু পিনাক হায়না কৌখ্রে॥১৮॥

তামথবকপত্তুগা লোয়ম লোয়ননা তাংলোঙ্কা কন্নবা উশনা অদু মহাদেবগী খুত্তা তাহুরে। উশনাবা খুত্তা খুংলবদু উবদা মহাদেবনা মা লাওনা কাথোক্লুনা মহাকপু চিংশিন্নুনা পুকনুংদা থোচ্ছিনখ্রে॥১৯॥

মহাদেবগী পুকনুংদা চঙখিহুনা উশনানা পুক্ মনুংদা মকয় অমদগী মকয় অমদা কোয়চৎ চৎলুনা লৈ॥২০॥

যুধিষ্ঠিরনা হাংজি,— ঈশ্বর্থো। তপস্যা কন্নবা, তেজ লৈয়বা উশনানা করিগী মখক মহাদেবগী গর্ভ মনুংদা হকং হন্দা চৎলুনা লৈরিবনো? অদুগা মহাদেবগী হকচাংগী অদুদা করি করি তৌখি?॥২১॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ! শীপে তাও। মমাংদৈদা মহাব্রত কন্নবা, তেজ লৈয়বা মহাদেবনা মথুন্ কুমবা উচুপ অমগী মতৌঙদা, লেঙবনা চপ লেপলুনা চহী অর্ব্বুদ অমা থান তৌলুনা লৈখি॥২২॥

অতকপা অকিবা কংলবা তপস্যা অদু লোইহনবদা পাক চাউবা পুখ্রীদুগী মহাতপস্বী মহাদেব অমি কাথংলকই। মতমদুমক্তদা দেবতা পুমনমক্কী মকোক ওইবা ব্রহ্মানা মহাদেবগী নাক্তা থুংখি॥২৩॥

অমাং-অতা লৈত্রবা ব্রহ্মানা মহাদেবগী মকমদা মহাকী তপস্যাগী হৈথার-থিঙ্গায়দনা পাংথোকখিবা, অদুগা মদল ওইদুনা লৈবগী মরমদু হংখি॥২৪॥

অদুগী তুংদা মহাজ্ঞানী মহাবুদ্ধিমান্ ওইরবা, ধনুকম থোক্লবা শক্তিনা মহাকী ওইরবা মহাদেবনা, মহাকী দেহনুংদা লৈরিবা উশনাগী তপস্যাদনু থোইদোক্না চাউথংখিবদু উখি॥২৫॥

নিংথৌ! যুধিষ্ঠির! তপস্যানা কন্নবা, উশনা অমি তপস্যাগী মখক ওইরবা সম্পত্তিদুগী পাথৈনা

ততঃ পিনাকী যোগাত্মা ধ্যানযোগং সমাবিশৎ। উশনা তু সমুদ্বিগ্নো নিলিল্যে জঠরে ততঃ ॥২৭॥
তুষ্টাব স মহাযোগী দেবং তত্রস্থ এব চ। নিঃসারং কাঙ্ক্ষমাণঃ স তেজসা প্রতিহন্যতে ॥২৮॥
উশনা তু তদোবাচ জঠরস্থো মহামুনিঃ। প্রসাদং মে কুরুষ্বেতি পুনঃ পুনররিন্দম ॥২৯॥
তমুবাচ মহাদেবো গচ্ছ শিশ্নেন মোক্ষণম্। ইতি সর্ব্বাণি স্রোতাংসি রুদ্ধ্বা ত্রিদশপুঙ্গবঃ ॥৩০॥
অপশ্যমানস্তদ্দ্বারং সর্ব্বতঃ পিহিতো মুনিঃ। পর্য্যক্রামদ্ দহ্যমান ইতশ্চেতশ্চ তেজসা ॥৩১॥
স বৈ নিষ্ক্রম্য শিশ্নেন শুক্রত্বমভিপেদিবান্। কার্য্যেণ তেন নভসো নাধ্যগচ্ছত মধ্যতঃ ॥৩২॥
বিনিষ্ক্রান্তং তু তং দৃষ্ট্বা জ্বলন্তমিব তেজসা। ভবো রোষসমাবিষ্টঃ শূলোদ্যতকরঃ স্থিতঃ ॥৩৩॥

মযোল অহনক মহাকী প্রজ্জ্বেজ্বতনা পুমডাল ও'ন্থি ॥২৬॥ অদুগী তুংদা মহাযোগী মহাদেবনা যামনা কয়া ধ্যান তৌবা হৌখি। মহাদেবনা ধ্যান অসুম কয়া কয়া তৌশিন্নরকপহুন্দা দেহনুংদা লৈরিবা উশনাসি অসুম পিকশন্‌খিহনা মহাদেবগী গর্ভনুংহুন্দা তুমখিগদবগুম— লুপখিগদবগুম তৌরে ॥২৭॥

মতম অদুদা মহাযোগী উশনানা মহাদেবগী স্তুতি তৌরক্লে। মহাক থাওবা ওন্থকহনবা মহাদেবগী হকচাংনুংদগী মথান্ থোরকনীংলে। অদুবু মহাদেবনা মহাকী লম্বী থোঙ পুম্নমক থিংলে ॥২৮॥

য়েক্লবা ওন্থা নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মহাদেবগী পুকনুংদা "প্রভু! ঐনাই ঐগাকপু মথান্ থোরকহন্বিয়ো" অসুম হায়না হয়া হয়া হায়জখি ॥২৯॥

মতম অদুদা মহাদেবনা মহাযোগী উশনাদা অসুম্না হায়খি,— "ঐগী লিঙগী মচীলদগী থোক্লকউ, মখু উদ্বার তৌবগনি।" অসি হায়রদা মহাদেবনা অতৈ থোঙ পুম্নমক থিংখি ॥৩০॥

মায়কৈ পুম্বদা ঈশ্বর থংব্রবা, চৎকম পীরবা উশনানা, শিবলিঙগী থোঙ অদু ফাওবা মরেক্ লানা ঊবা ফংখিদ্রে। ভগবান্ সদাশিবগী তেজনা চাকখিহনা মকম মথাং গদবা পুকনুংদা অমদগী অমদা— কোয়গৎ চৎকুনা লৈখি ॥৩১॥

মতুংদা উচিন্‌-শাচিন্না মহাদেবগী ঈশিং-থোঙগী মচীল অদোমদা দেবর্ষি উশনা অসি মথান্ থোরক্লে। লিঙশরীরগী থোক্লকই— পোক্লকই হায়রগনা উশনাগী অফাওবা মিং অসি শুক্র— বীর্য্য হায়বা অদুম মকোমখে। মরমসিগদুম্না মহাক্ আকাশ-লম্বীদা থোরকখিদ্রে ॥৩২॥ *

মহাদেবগী পুকনুংদগী মথাংহোক্ল ফাওবদা উশনা অসি মথাগী তপস্যাগী তেজ অদুমকনা মহাক অসি মথেক্ মতাম্না পুম্নং লংঙদ্রি। অদুগুম্বা অবস্থাদা লৈরিবা উশনাবু উবদা মহাদেব অসি অমুক হন্না সাউ-রক্লে। খুদা ত্রিশূল পাযহনা উশনাগী মাঙ মকদা চপ্ লেপ্লি ॥৩৩॥

---

* মমাগী গর্ভনুংদগী থোরকপা— পোক্লকপা জীব পুম্বনা আকাশগী লম্বীদগী চাকনি। প্রসূতিবাযুনা ইথোক্লপা পোকপমকনি। বাযু— নুংশিথি আকাশগী মরক্তা হায়বদি— লম্বী থাবহনা থোরকপা জীব মকনি। (কালাচাঁদ)

অথাবরুদ্ধ তং দেবী ক্রুদ্ধং পশুপতিং পতিম্। পুত্রত্বমগমৎ দেব্যা বারিতে শংকরে চ সঃ ॥৩৪॥

দেব্যুবাচ।

হিংসনীয়স্ত্বয়া নৈব মম পুত্রত্বমাগতঃ। ন হি দেবোদরাৎ কশ্চিন্নিঃসৃতো নাশমৃচ্ছতি ॥৩৫॥

ততঃ প্রীতোঽভবদ্দেবো দেব্যাঃ প্রহসংশ্চেদমব্রবীৎ। গচ্ছত্বেষ যথাকামমিতি রাজন্ পুনঃ পুনঃ ॥৩৬॥

ততঃ প্রণম্য বরদং দেবং দেবীমুমাং তথা। উশনা প্রাপত্তদ্ধীমান্ গতিমিষ্টাং মহামুনিঃ ॥৩৭॥

এতত্তে কথিতং তাত ভার্গবস্ত মহাত্মনঃ। চরিতং ভরতশ্রেষ্ঠ যন্মাং ত্বং পরিপৃচ্ছসি ॥৩৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি ভব-ভার্গব-সমাগমে চতুরশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮৪॥

——:():——

মতম অসিদা শাউরবা মপুরোইবা মহাদেববু পার্ব্বতীনা থামজিন্খি। পার্ব্বতীদেবীনা থামজিনপ্রবা তুং অসিগী শুক্রাচার্য্য অসি মহাদেবগী পুত্রভাব (মচানক ওইবগী মওং) বু ফাখি ॥৩৪॥

পার্ব্বতীদেবীনা হায়খি,— প্রভু! হৌজিক্তি শুক্র অসে ঐয়গী মচা ওইরে। অদুনা প্রভু! মচাবু নাংনা হাংথা চুমদে ঐবুংঙো! নহাক্কী পুক্কী তাবনা শুক্র অসিবু অগত্তা কনা অমত্তনা হাংথা য়াদে— হাংহৈদে ॥৩৫॥

পার্ব্বতী য়া তাবদা মহাদেবনা য়ায়না পেন্খি। "কয়ে, মহাক হৌজিক মহাক্না চৎনীংবা মফমদা চৎপা ওয়সনু" অসুম মহাদেবনা পার্ব্বতীগী মফমদা হায়খি ॥৩৬॥

মতু তাবদা শিংলবা, তপস্তা কয়বা মুনি শুক্রাচার্য্য অসি পার্ব্বতীগা মহাদেবগা অনীগী মফমদা নোমজুরা খুৎয়ুমগা মহাক্না চৎনীংবা মায়ৈগেদা চৎখি ॥৩৭॥

ভীষ্মনা হায়,— ভরত-শাগেগী অথৌবা! নিংথৌ! যুধিষ্ঠির! শুক্রাচার্য্যগী পুনশিগী মরমদা, অদুগা কবিগী মমক উশনা কৌবা মহাক্না শুক্র কৌখিবা হায়বদুগী মরমদ, ঐনা নংগী নকমদা সীয়রবি ॥৩৮॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্ম পর্ব্বনা শুক্রাচার্য্য-মহাদেব-উনবদা চনীমরিফুনরিশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮৪॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(পরাশরগীতা হৌবা মতাং)

চনীম্রিকুমঙাশুবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অতঃপরং মহাবাহো যচ্ছ্রেয়স্তদ্বদস্ব মে। ন তৃপ্যাম্যমৃতস্যেব বচসস্তে পিতামহ ॥১॥

কিং কর্ম পুরুষঃ কৃত্বা শুভং পুরুষোত্তম। শ্রেয়ঃ পরমবাপ্নোতি প্রেত্য চেহ চ তদ্বদ ॥২॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি যথাপূর্ব্বং মহাযশাঃ। পরাশরং মহাত্মানং প্রপচ্ছ জনকো নৃপঃ ॥৩॥

কিং শ্রেয়ঃ সর্ব্বভূতানামস্মিঁল্লোকে পরত্র চ। যদ্ভবেৎ প্রতিপত্তব্যং তদ্ভবান্ প্রব্রবীতু মে ॥৪॥

ততঃ স তপসা যুক্ত সর্ব্বধর্ম্মবিধানবিৎ। নৃপায়ানুগ্রহমনা মুনির্ব্বাক্যমথাব্রবীৎ ॥৫॥

পরাশর উবাচ।

ধর্ম এব কৃত শ্রেয়ানিহলোকে পরত্র চ। তস্মাদ্ধি পরমং নাস্তি যথা প্রাহুর্মনীষিণঃ ॥৬॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— কল্লবা ঈবুথৌ। অসিগী তুংদা ঐঙোন্দা ওাকপিগদবদি করিগুম্ম। উপায় অমনা অমনা পুন্নসিদা মঙ্গল ওইবা ঙম্লবা মতৌ অদু উপায় অদু ঐঙোন্দা তাকপিয়ু। অমৃতবু থকপা হৌরু-রগা, অমুম থক্লীঙ্গনা ঙাক্ত লৈনীংবগুম্না ঈবুঙোগী বার্তাসিং অসি তাবগী পেনবা লৈজদে ॥১॥

নিপা অথোইবা। অকন্বা। ঈবুঙো। ঐনা ঈবুঙোদা হংজরিবদি, কররম্বা কর্ম তৌরগা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মঙ্গল ওইবা ফংগদগে হায়বা অসিতনি ॥২॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির। নংক্তা লৌকিক হংজিপা বিষয় অসিদগুম্না মমাংদা থোক্খিবা রাজর জনা থুদম ওইনা লৌইনা তাহনুগে। মমাংদা নিংথৌ জনকনা পরাশর ঋষিগী মফমদা অহুম্না হংখি ॥৩॥

মুনিদেব। সংসারদা অসিগুম্ব পোংশক অমত্তা তাকপিয়ু,— পোংশক অকনবনা পাইবা ওইদুনা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা তাঙবা মীওইবা গীথোয়না মঙ্গল ওইবক্তা মফংবা— অসিনি ॥৪॥

রা অসি তাবদা ধর্মগী তত্ত্ব পুম্না লোইনা খঙলবা পরাশর মুনিনা অহুম্না হায়খি ॥৫॥ নিংথৌ। হায়রম্না অসিবা, অথঙবা মীশিংনা হায়রৈ,— বিধি-নিয়ম কায়দনা ধর্মগী থবকপু অনুষ্ঠান তৌরবদি, হায়বদি— লিংথেংলবদি মাহুগী মহৈক্রমক্তা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মহামঙ্গলগী মশক ওই। মাসিদগী

প্রতিপত্তে নরো ধর্মং স্বর্গলোকে মহীয়তে। ধর্মাত্মকঃ কর্মবিধির্দেহিনাং নৃপসত্তম ॥৭॥
তস্মিন্নাশ্রমিণঃ সন্তঃ স্বকর্মাণীহ কুর্ব্বতে ॥৮॥
চতুর্বিধা হি লোকেঽস্মিন্ যাত্রা তাত বিধীয়তে। মর্ত্ত্যা যত্রাবতিষ্ঠন্তে সা চ কামাৎ প্রবর্ত্ততে ॥৯॥
সুকৃতাসুকৃতং কর্ম নিষেব্য বিবিধৈঃ ক্রমৈঃ। দশার্দ্ধপ্রবিভক্তানাং ভূতানাং বিবিধা গতিঃ ॥১০॥
সৌবর্ণং রাজতং চাপি যথা ভাণ্ডং নিষিচ্যতে। যথা নিষিচ্যতে জন্তুঃ পূর্ব্বকর্মবশানুগঃ ॥১১॥
নাবীজাজ্জায়তে কিঞ্চিন্নাকৃত্বা সুখমেধতে। সুকৃতৈর্বিন্দতে সৌখ্যং প্রাপ্যদেহক্ষয়ং নরঃ ॥১২॥

চেন্‌বা অথোইবা অরায়বা উপায় পমতা লৈত্রে ॥৬॥ নিংথৌ অথোইব ! ধর্মগী তত্ত্ব্ যুম্না খঙলগা, মাহুগী মতু ইম্না থবক তৌরবা মী মহাক অমু স্বর্গলোকতা সম্মান কংই। বেদগী মকম পুন্নমক্তা বেদশিংদা অচুম্বা তাক্তবু, ধর্মগী থবক তৌ, যজ্ঞ দান তৌ, অসিনচিংবা হায়রিবা উপদেশশিং অদো ধর্মগী লক্ষণ — খুদম মক্তনি ॥৭॥

আশ্রম খুদিংদা লৈরিবা মীশিংনা, হায়বদি— ব্রহ্মচর্য্য, গার্হস্থ্য, বানপ্রস্থ, সন্ন্যাস আশ্রমশিং অসিদা লৈরিবা মীশিংনা হায়রিবা ধর্মগী লক্ষণ অমদি পাউতাকশিং অসিগী মতুংইন্না, থবকশিং অমু অহুম্ মতৌ-পদবনি ॥৮॥

ইবুংঙো ! নিংথৌ ! মর্ত্ত্যলোক অসিদা জীবিকাগী দমক লৈরিবা থবক মঙাং অসি মথল মরিনি। ব্রাহ্মণশিংনা যজমানশিংগী মঙলগী দমক্তা যাগযজ্ঞ তৌবিদুনা, জ্ঞানগী উপদেশ পীবিদুনা মাদুদগী কংলকপা দান দক্ষিণাদুনা মথোয়গী জীবিকা ওই। ক্ষত্রিয়শিংনা অমদি ক্ষত্রিয়-নিংথৌশিংনা অতৈ অতৈ জাতিগী তাক্-শেনরিবা মথোয়গী দমক্ত রেজ্যশিংদা লাঙ্গেংনরিবা, মাদুগী দমক্ত কর— খাজনা লৌবনা মথোয়গী জীবিকা ওই। বৈশ্যশিংনা অতৈ অতৈ ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় শূদ্রশিংগী চাননবা চীঙাকী দমক লল্লোন্ ইতীকপা লৌ উবনচিংবা থবকশিং অমু তৌরিব, অদুগা মাদুদগী কংলকপা শেল মদুনা মথোয়গী জীবিকা ওই। শূদ্রশিংনা হায়রিবা মীশকশিং অসিগী মথি-মরোল শুব-চায়নচিংবা থবক তৌবদুনা মাদুদগী কংলকপা শেল অদুনা মথোয়গী জীবিকা ওই। অদুগা জীবিকাশিং অসি দৈবনা হায়বদি— লাইগী মোংহম হায়-বদুনা পাঙথোক্লিবা তাক্তনি ॥৯॥

মথল মথা অয়াম্বা পাপকর্ম্ম পুণ্যকর্ম কয়া কয়া তৌদুনা মথং মথং শিরক্-পোক্লকপা জীব অদুনা হায়বদি— স্থূলশরীর— অচৌবা অতবা হকচাং শিং কয়া কয়া থাদোক্লক্লিবা জীব অদুনা কংখিবা, কংখি-দৌরিবা গতিশিং অদুম্ অমত্তা মায়দে ॥১০॥

কোন্নী, পীথ্রাইনচিংবগী পাত্রদা সনা লুপাগী মহীনা কসাই (মচু-শংবা) তৌশিন্নবদি মথোয়মু সনা লুপাওম অদুম মতৌবদুওম্না হায়-কর্ম্মগী মথাক্তা, অদুগা মাদুগী সংস্কারনা জীব, হায়বদি— হায়নী কর্মগী মথাক্— প্রারব্ধকর্ম অদুদা অদুম লুপতুনা লৈ। পুণ্যকর্ম্মনা লুপ্‌পুবগা হুতাইবা কংই। পাপকর্মদা লুপ্‌পুবনা অবাবা কংই ॥১১॥ মরম হন্দনা— শিংদনা মযোল চোংনীংঙায় লৈতবদুওম্না - পুণ্যকর্ম

দৈবং তাত ন পশ্যামি নাস্তি দৈবস্য সাধনম্। স্বভাবতো সংসিদ্ধা দেবগন্ধর্বদানবা চ ॥১৩॥
প্রেত্য জাতিকৃতং কর্ম ন স্মরন্তি সদা জনাঃ। তে বৈ তস্য ফলপ্রাপ্তৌ কর্মচাপি চতুর্বিধম্ ॥১৪॥
লোকযাত্রাশ্রয়শ্চৈব শব্দো বেদাশ্রয়ঃ কৃতঃ। শান্ত্যর্থং মনস তাত নৈতৎ বৃদ্ধানুশাসনম্ ॥১৫॥
চক্ষুষা মনসা বাচা কর্মনা চ চতুর্বিধম্। কুরুতে যাদৃশং কর্ম তাদৃশং প্রতিপদ্যতে ॥১৬॥
নিরন্তরং চ মিশ্রং চ লভতে কর্ম পার্থিব। কল্যাণং যদি বা পাপং ন তু নাশোঽবিদ্যতে ॥১৭॥

তৌদনা লুংঙাই য়াইকবা চাউখৎপা কংবা হায়বদি ওইথোক্তবনি। অদুনা দেহসি থাদোক্লয়বা ড়ুদা পুণ্য-কর্মধুগী মহৈনা লুংঙাইবা ফংভি ॥১০॥

ঈবুঙো। নিংথৌ। মতাং অসিদা নাস্তিকশিংনা হায়রিবদি— নহালমুকী মপোক্ নহালমুকী কর্মগী মখাক হায়রিবসিনচিংবসি প্রত্যক্ষ নত্তে — মীৎনা উবা নত্তে। অদুগা হৌজিক্ হৌজিক্ মতুংগী করিগুম্বা প্রমাণ খুদম অমত্তসু পীনীংঙাই লৈত্তে। দেবতা, গন্ধর্ব হিংচা-য়াইকম্বা, শাক্তা অসিনচিংবগী মপোক অসিদি মশানা অমদি মশা মশাগী স্বভাবনা অদুম মওইজরকপনি— অসিনি মখোয়না হায়রিবা ॥১৩॥

মাসিদা খুমমদবদি— হকচাং থাদোক্লুনা চৎপ্রবা, হায়বদি— শিপ্রবা মীব পান্দ্রা পুন্নমক্তা মমাংদৌদা তৌথিবা কর্ম থিবিকপু লোইনা নীঙশিংবা চীন্না পুবা ঙমদে। অদুবু মমাংদৌদা তৌথিবা কর্মদুগী মহৈ অদু থব হেক্ কংবদা পুক্নীংনা, য়াহৈনা, মীৎনা অমদি থবক্তা কর্ম মরিবু হক্ মীঙশিংহল্লি। মতম অদুদা নহালমুকী মপোক্তা অদুম্না থোকউ তমখিবনা— নহালমুকী মপোক্তা তৌথিবা কর্মদুগী মহৈনা হন্দকী অদু মপোক্তা ফংলরিবনি হায়না মপানা হেক্তা হায়দোকচরকই ॥১৪॥

নিংথৌ। নাস্তিকশিংনা হায়রিবদি পোক্লিবা মপোকসিগী জীবিকাগী দমক অদুগা পুক্নীংদা শান্তি পীন-নবগী দমক্ত বেদগী পাউতাক, মন্ত্র, য়ারীশিং অসিনা লৈজবত্তনি, অসিনি। অদুগা মখোয়না অদুম্মসু অমুক হায়রি,— বেদদা হায়রিবা তাক্লিবা পাউতাকশিং অসিদি মশা পোল্লবা, মপাঙ্গল লৈজত্রবা মখোয় অদুগী জীবিকা তাঙ্গনবা, অদুম্বা থবক তৌননবা অদুগী দমক্তনি। অদুম্না পাউতাক পীন পীনা নহালমুকী মপোক, হন্দকমুকী মপোক অসিনচিংবসি থন্নজক্কতনি। য়ারবা- খুদোংথীবা কংলবা, নংলবা মীশিংগী মপুক্নীংদা তপথবা, থাওহৈবা অমদি শান্তি পীননবগী দমক্তনি, অসিনি নাস্তিকশিংনা পুরিবা য়াখল্দি। অদুবু যুধি-ষ্ঠির। মপোয় নাস্তিকশিংগী মত অসি থাজবা য়াবা, লৌরবা য়াবা রা অমতা নত্তে। মহাজ্ঞানী ওইরবা পতঞ্জলি ঋষিনচিংবনা অদুম্না থক্ হায়রবা নত্তে। পুন্‌শিপা অর লুংঙাই কংবগা অনী অসিদি নহালমুকী মপোকী কর্মগী মহৈনি, হায়বসি মহাজ্ঞানী মহর্ষিশিংগী মততনি ॥১৫॥

তাইবং মীনা মীৎ, পুক্নী, য়াহৈ অমদি লেঙবা-ওৎপমচিংবা থবক, হায়রিবা অহুম অসিনা কর্ম মথল মরি তৌনরি। তৌক তৌকবা কর্মদুগী মপা চাব চাবা মহৈসু অদুম মফংভি ॥১৬॥

নিংথৌ। তাইবংমী হায়থসিনা তৌরিবা কর্মদুগী মহৈগী মশক ওইনা অরাবা লুংঙাইবা, অদুগা— অরাবগা লুংঙাইবগা অনী পুন্‌বদু অদুম্ কংনরি। পুণ্যকর্মবু ওইরবসু পাপকর্মবু ওইরবসু কর্ম কর্মদুগী মহৈ

কদাচিৎ সুকৃতং তাত কূটস্থমিব তিষ্ঠতি। মজ্জমানস্য সংসারে যাবৎ দুঃখাৎ বিমুচ্যতে ॥১৮॥
ততো দুঃখক্ষয়ং কৃত্বা সুকৃতং কর্ম্মসেবতে। সুকৃতক্ষয়াৎ দুষ্কৃতং তদ্বিদ্ধি মনুজাধিপ ॥১৯॥
দমঃ ক্ষমা ধৃতিস্তেজঃ সন্তোষঃ সত্যবাদিতা। হ্রীরহিংসা ব্যসনিতাদাক্ষ্যং চেতি সুখাবহাঃ ॥২০॥
দুষ্কৃতে সুকৃতে চাপি ন জন্তুর্নিয়তো ভবেৎ। নিত্যং মনঃ সমাধানে প্রযতেত বিচক্ষণঃ ॥২১॥
নায়ং পরস্য সুকৃতং দুষ্কৃতং চাপি সেবতে। করোতি যাদৃশং কর্ম তাদৃশং প্রতিপদ্যতে ॥২২॥
সুখদুঃখে সমাধায় পুমানন্যেন গচ্ছতি। অন্যেনৈব জনঃ সর্ব্বঃ সংগতো যশ্চ পার্থিবঃ ॥২৩॥
পরেষাং যদসূয়েত ন তৎ কুর্য্যাৎ স্বয়ং নরঃ। যো হ্যসূয়ুস্তথাযুক্তঃ সোহবহাসং নিযচ্ছতি ॥২৪॥

অদু ভোগ তৌত্রিনবৈ— ফত্রি চাত্রিনবৈ পাপ-পুণ্য কর্মশিং লোইবা থম্বা নাইদে ॥১৭॥

ঈবুঙো। সংসারগী ঈপাক্তা লুপ্পবা মীগীদি অরা-থুদেংখীবা অদুগী লাংহোকত্রি কাওবদি, পুণ্যকর্মদু হাম্নদগী মকম ঈরেঙ লেঙনবগুম অদুম্ মরে। অংংগীদি অরাবদু কংলবা মতুংদগীদি তাইবংমী হায়বসিনা মহাক্না তৌরিবা পুণ্যকর্মগী পুণ্যফল ভোগ তৌবা চাবা হৌরকই। অদুগুম্বা পুণ্যকর্মগী মহৈদুবু চাবা লোইরবা মতুংদা পাপকর্মগী মহৈ অদু অমুক চবা হৌংলি। নিংথৌ? মাসি মহাক থাজবগা লোয়ননা লৌ— খণ্ড ॥১৮—১৯॥

ইন্দ্রিয় থুনেম চন্‌বা, ভাকুপিহৈবা, তপথবা, মরিল-মথৌনা লৈবা, ঈপেন্ত-পেঙ্গরা, অচুম্বা ভাওবা, ঈকায়বা থওবা, হিংসা তৌদবা, ঈকান্ কান্নানা কা হেন্না কেথোক-মোথোক্পা, থবক্তা য়ান্না মীংশিং-নাশিংনা হায়রিবশিং অসি পুন্নশিন্দা হুংতাইবা পীরিবা মক্তনি ॥২০॥

জ্ঞানীশিং অশিংবশিংনা পাপ-পুণ্য কর্ম অনীমক্তা কা-হেন্না আসক্তি থম্মুদনা পূক্নীংবু মতম পুম্বদা পরমাত্মাগী ধ্যানদা লুপ্পহন্নুনা থম্গদবনি ॥২১॥

জীব হায়বসিনা অতোপ্পা অমনা তৌবা অফবা ফত্তবা থবকপু অমদি অৱক্কী মহৈবু ভোগ থক্ তৌদে চাদে। মশানা তৌবা কর্মদুগী মহৈদুনি মহাক্না চারি ফংলিবসি ॥২২॥

থুং-মাং য়েংন চৎপা অশিংবশিংমা অরাবা হুংতাইবা অনীমকপু, মশা মশা মথন্তুগী মনুংদা চপশিন্‌হন্‌থদুনা অতোপ্পা মার্গদা চায়বদি মোক্ষমার্গদা চৎলি। ক্নপী-অভাং, মচা-মশু, লন-থুমতনা কা হেন্না আসক্তি থম্বা অদুম্বা য়ান্না সংসারী ওইবা মীশিংনা হায়রিবা মার্গ— লম্বী অসি নত্তবা অতোপ্পা লেম্নাম্বা মার্গ-মদা অদুম চংখি। অদুগুম্বা মীশিং অদুনা সংসারদা হন্না হন্না লোক্লে, হন্না হন্না শিরে ॥২৩॥

মী অমনা তৌরিবা কত্তবা মহাক মশামক্তা নিন্দা তৌরিবা অদুগুম্বা কর্ম অদু মহাক মশামক্‌মশু থক্ তৌরোইদৌবনি। মীগী ফত্তবা কর্মদুদবু নিন্দা তৌরিবা অদুগা মহাক মশানদি অদুগুম্বা কর্মদুদি— অদুম মতৌরিবা, অদুগুম্বা মী মহাক অদুনা লোক সমাজদা ঈকায়বা কাই, মতোন্দা মীনোক্ চউিও; মী অদু মীনা নোক্নীগডায়গী মশক্তা মওই ॥২৪॥

নিংথৌ। য়ান্না কিগন্‌বা, মীকিথী ওইবা ক্ষত্রিয়, চাহৈ-চাহৈদবা কবিমত্তা থম্বনা— অক্ষং অকংবত্তা

ভীরু রাজন্যো ব্রাহ্মণঃ সর্ব্বভক্ষ্যো বৈশ্যোঽনীহাবান্ হীনবর্ণোঽলসশ্চ।
বিদ্বাংশ্চাশীলো বৃত্তহীনঃ কুলীনঃ সত্যাদ্বিভ্রষ্টো ব্রাহ্মিকঃ স্ত্রী চ দুষ্টা ॥২৫॥
রাগী যুক্তঃ পচমানোঽত্মহেতো মুর্খো বক্তা নৃপহীনং চ রাষ্ট্রম্।
এতে সর্ব্বে শোচ্যতাং যান্তি রাজা রাজন্ যশ্চাযুক্তঃ স্নেহহীনঃ প্রজাসু ॥২৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি পরাশর-গীতায়াং পঞ্চাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮৫॥

——:(ঃ):——

চাথিন্‌বা অচুম্বা ব্রাহ্মণ, সমাজগী উপকারগী দমক্তা লৈরিবা কৃষিকর্ম ব্যবসায়নচিংবদা পুক্নীং চঙত্রবা, য়াম্না তন্‌বা বৈশ্য, মীগী সেবা লাংবানচিংবা থবক্তা পুক্নীং চঙতক্ত্রবা শূদ্র, ধর্ম থঙবনীদি হায়রগা অচুম্বদি থক্ তাঙদবা, মচমচং চুমত্রবী লুপী, সংসারগী বিষয়দা আসক্ত ওইরিবা যোগী, মশা মথন্তনা চাথোক্নবা থোংলিবা অমদি চারিবা অচুম্বা অনীকপা মী মশাদি মুর্খ ওইরবা চীন্‌কেংনা রা তাংলিবা অচুম্বা বক্তা, নিংথৌ পাত্রবা লৈপাক, ইন্দ্রিয় থৃতম চন্‌বা ওমত্রবা অমুগা প্রজাশিংবু পেলহন্‌বা ওমত্রবা অচুম্বা, মসিংতা ওাব-রবা নিংথৌ— মথোয়শিং অসি মহা অরাবগী মশক্নি, জীব পুম্নগী লোক্নীওত্তারনি ॥২৫—২৬॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা পরাশর-গীতাগী চনী-মরিফুমঙাত্তুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮৫॥

——:(ঃ):——

মণিপুরী মহাভারত

ষড়শীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(পরাশর-গীতা— কর্ম্মগী মহৈনা অরেম্বদা থক্ মাওলোইদৌবা)

চনীগা মরিফুতরুকুত্তুবা অধ্যায়

——:(ঃ):——

পরাশর উবাচ।

মনোরথরথং প্রাপ্য ইন্দ্রিয়ার্থহয়ং নরঃ। রশ্মিভির্জ্ঞানসম্ভূতৈর্যো গচ্ছতি স বুদ্ধিমান্ ॥১॥

পরাশরনা হায়,— নিংথৌ। ইন্দ্রিয়শিংগী অউবা মশক ওইরবা সগোলশিংনা চিংলিবা, পুক্নীংগী মশক

যেনাহশ্রিতেন মনসা বৃত্তিহীনস্তু শস্যতে। দ্বিজাতিহস্তান্নির্বৃত্তা ন তুল্যাৎ পরম্পরা ॥২॥
আয়ুর্ন সুলভং লব্ধ্বা নাবকর্ষেৎ বিশাম্পতে। উৎকর্ষার্থং প্রযতেত নরঃ পুণ্যেন কর্মণা ॥৩॥
বর্ণেভ্যো হি পরিভ্রষ্টো ন বৈ সম্মানমর্হতি। ন তু যঃ সংক্রিয়াং প্রাপ্য রাজসং কর্ম্মসেবতে ॥৪॥
বর্ণোৎকর্ষমবাপ্নোতি নরঃ পুণ্যেন কর্মণা। দুর্লভং তমলব্ধ্বা হি হন্যাৎ পাপেন কর্ম্মণা ॥৫॥
অজ্ঞানাদ্ধি কৃতং পাপং তপসৈবাভিনির্ণুদেৎ। পাপং হি কর্ম্ম ফলতি পাপমেব স্বয়ং কৃতম্।
তস্মাৎ পাপং ন সেবেত কর্ম দুঃখফলোদয়ম্ ॥৬॥

ওইরবা সূক্ষ্মশরীর (লিঙ্গশরীর—পীরুবা হকচাং) অসিনা রথগী মশক্নি। জ্ঞানবৃত্তিশিং অসিনা শগোল-চুপ্পীগী মশক্নি। মচাক্শিং অসিনা শাররা রথ মথক্ অসিদা তোংলিবা পুরুষ (আত্ম) না, হায়রদি—মী মগাক অহুনা সংসার লান্থমদা কাম, ক্রোধনচিংবা য়েক্লবাশিংবু জয় তৌগে হায়না চোংথোরক্লবদি মহাক অহু অশিংবনি ॥ ॥

ইন্দ্রিয়শিংনা মপানগী সংসারদা, হায়রদি— মীংনা উজিবা মপান্গী হকচাং অসিদা চংলিবা আচরণ লমচৎ-শাজংশিং অসিদগী মঙ্গংলোমদা হোচিল্লকুনা— মমায় লৈশিল্লকুনা ঈশ্বরগী আশ্রয়দা চঙজহুনা পুরুষোত্তম মহাক্পু উপাসনা তৌরিব মহাক অহুগী উপাসনা অহুত্তনা, হায়রদি— লাইনিং অহুত্তনা অথোইবা অমদি অচম্বা উপাসনা হায়রব্ত ওইহিরবনি। অসিগুম্বা উপাসন— লাইনিং— লাইবু নীংবা অসিদি কবা-গুম তাঙলব মহাক্ত জ্ঞানী ব্রাহ্মণ অমগী বর পীন-হৈরবা মথুত্তগী ত ফ নরিবনি। চীনুক্কেং কবা, জ্ঞান-শক্তি মায়বা মমায়বশিংনা অমগামগা তায়খোংনবদগী কংগদবা মত্তে ॥২॥

প্রজাশিংগী মপু। নিংথৌ! তাইবং মীগী হকচাং অসে— পাক্ পাক কংবা, য়াম্না হোত্তবা হকচাং নত্তে। মাসিদি য়াম্না তাঙলবা পোৎশক অমনি। মাশিবু কংলগা আত্মাসিবু লৈথা তাহনৃগদবা নত্তে। তাহন্বসু য়াম্না চুম্দে। অহুনা পুণ্যকর্মশিংগী পাৎহুত্তনা আত্মাসিবু ফুরুংনবা— উন্নতি-বিধান— চাউথং-নবা হোৎনগদবনি ॥৩॥

বর্ণনা কর্মগী মচু শংজিন্দুনা ভ্রষ্ট ওইরবা— লৈথ তাররা, পুন্থ থুগাইরবা মহাক অহুদি ইহলোক, পরলোক অনীমক্তা সম্মান ফংলোই। অহুগা মাহু কংবনু মতৌক চাদে। মাসি নত্তগা সত্ত্বগুণবু ফংলগনু, রাজসিক-কর্ম তৌহুনা রজোগুণগী মহৈ কংলবসু সম্মান অহু কংবা ঙম্লোই ॥৪॥

পুণ্যকর্মগী পাৎহুত্তনা অথোইবা বর্ণ— মচু— জাতি অসি ফংলরিবনি। হায়রদি— অথোইবা মীগী মপোক্তা পোক্লরিবনি। পাপী অমনা মাসি অমুক ফংলরোইদৌরবনি। মপোক অসিবু ফংদহুনা পাপকর্ম অহুগী মহৈ ওইনা তোল্লবা শাগুগী মপোক্তা পোক্নুংগদবনি ॥৫॥

খঙদৌরহুনা তোকশিন্হৌদবগী পাপকর্ম অহু তৌরবসু মাহু তপস্যাত্তনা মঙহম্গদবনি। মরমদি, তোঞ্জিবা পাপকর্ম অহুগী মহৈনা পাপ-তগী মশক ওইরবা অরাবরু ফংগনি। অহুনা অরাবা থুদোংথীবতবু

পাপানুবন্ধং যৎ কর্ম যদ্যপি স্যান্মহাফলম্। তন্ন সেবেত মেধাবী শুচিঃ কুসলিলং যথা ॥৭॥
কিং কষ্টমনুপশ্যামি ফলং পাপস্য কর্মণঃ। প্রত্যাপন্নস্য হি ততো নাত্মা তাবৎ বিরোচতে ॥৮॥
প্রত্যাপত্তিশ্চ যস্যেহ বালিশস্য ন জায়তে। তস্যাপি সুমহাংস্তাপঃ প্রস্থিতস্যোপজায়তে ॥৯॥
বিরক্তং শোধ্যতে বস্ত্রং ন তু কৃষ্ণোপসংহিতম্। প্রযত্নেন মনুষ্যেন্দ্র পাপমেবং নিবোধসে ॥১০॥
স্বয়ং কৃত্বা তু যঃ পাপং শুভমেবানুতিষ্ঠতি। প্রায়শ্চিত্তং নরঃ কর্তুমুভয়ং সোঽশ্নুতে পৃথক্ ॥১১॥
অজ্ঞানাত্তু কৃতাং হিংসামহিংসা ব্যপকর্ষতি। ব্রাহ্মণাঃ শাস্ত্রনির্দেশাদিত্যাহুর্ব্রহ্মবাদিনঃ ॥১২॥
তথা কামকৃতং নাস্য বিহিংসৈবানুকর্ষতি। ইত্যাহুর্ব্রহ্মশাস্ত্রজ্ঞা ব্রাহ্মণাঃ ব্রহ্মবাদিনঃ ॥১৩॥
অহং তু তাবৎ পশ্যামি কর্ম যৎ বর্ততে কৃতম্। গুণযুক্তং প্রকাশং বা পাপেনানুপসংহিতম্ ॥১৪॥

পীগদবা অহংগুম্বা পাপকর্মবু থাদোক্কদবনি— থক্ তৌরোইদৌবনি ॥৭॥ পাপকা মরী লৈনবা কর্ম অমুদি লোকতা চানবা ফল য়াম্না ফবা, অদোবা মধৈ পীরবস্থ অশিংবশিংনা অমুগুম্বা কর্ম অমু থক্ তৌরোইদৌবনি। অমুগুম্বা পাপকর্মদগী য়াম্না লাপথোক্না লৈগদবনি। চণ্ডাল ওইবা মতবা মীশিংদগী শেংলবা, পুণ্যচেনবা, পবিত্র ওইবা মীশিংনা লাপথোকপমগুম্মতুনা মত্রবা কর্মশিংদুগী মতম পুম্মক্তা লাপ্থোক্লবা— লাপথোক্লবা তোংনগদবনি ॥৮॥

পাপকর্মবু পাপকর্মগী মধৈ হায়বদুবুমু মীংনা উবা অমতা নত্তে হায়দুনা লৈরবা নাস্তিক পাপীশিংনা পরমাত্মাগী মরমদা মহাক্কী মফমদা ভক্তি শ্রদ্ধা থম্নবগী করিমত্তা থদে মাদু থমুংদু মথোয়না পামদে ॥৯॥

অসিগুম্বা তত্ত্বজ্ঞানবু কাদবা অমুগা থাজদবশিং অমুদি পরলোকতা— শিরগা মতুংগী মপোক্তা অরা-খুদোংথীবা য়াম্না ফলুই ॥৯॥

নিংথৌ! অঙৌবা অতোপ্পা মচু শঙথিব কি অমু শুদোকপদি য়াম্না লায়। হেক্না লুক্নবা তৌফম্বা য়াই। অশংবা অঙাংবনচিংবা মচু অমা শমুবা কি অমু তৌফম্বদি য়াম্না য়ানা থোকই, শঙথিব মতু অমু কোকই হায়বা য়াদে ॥১০॥

থত্তন থত্তনা পাপকর্ম তৌকরবা তুংদা, মাদুগী প্রায়শ্চিত্ত তৌগে হায়দুনা দানধর্মনচিংবা পুণ্যকর্ম তৌরবা মহাক অমু পাপকর্ম পুণ্যকর্ম অনীমগী মধৈ অমু তোঙান্ তোঙানা ফংই ॥১১॥

অমুগা থত্তহৌদনা তৌরবা হিংসাকর্মমুশিংদি অহিংসাব্রত তৌরগা অদুম কোক্নী হায়না ব্রহ্মবাদী ওইবা ব্রাহ্মণশিংনা শাস্ত্রগী নিয়ম মতুং-ইন্না অগুম্বা হায়। অমুবু মনীংতম্না তৌবা হিংসাকর্মগী পাপ অমুবুদি অহিংসা ব্রতমসু কোকহন্বা ঙমদে, অসুম্বা বেদশাস্ত্রশিংগী তত্ত্ব খঙবশিংনা হায়নৈ। বেদগী উপদেশ পীবা ব্রাহ্মণশিংনসু মাসি য়াৎনৈ ॥১২—১৩॥

অমুগা উবতদি পাপকর্মবু ওইরবসু, পুণ্যকর্মবু ওইরবসু, লাম তৌশিনবু ওইরবসু, কোংনা তৌথিবু ওইরবসু, থঙনা তৌথিবু ওইরবসু— তৌরিবা কর্মশিংগী মহৈদি— ঙসি থঙদে, হয়েং থঙদে শোয়দনা লাকই, লাক্ক-লাক্কনা তোক্কে ॥ ১৪॥

যথা সূক্ষ্মাণি কর্ম্মাণি ফলন্তীহ যথা তথম্। বুদ্ধিযুক্তানি তানীহ কৃতানি মনসাসহ ॥১৫॥
ভবত্যল্পফলং কর্ম্ম সেবিতং নিত্যমুল্বণম্। অবুদ্ধিপূর্ব্বং ধর্ম্মজ্ঞ কৃতমুগ্রেণ কর্ম্মণা ॥১৬॥
কৃতানি যানি কর্ম্মাণি দৈবতৈর্মুনিভিস্তথা। ন চরেৎ তানি ধর্ম্মাত্মা শ্রুত্বা চাপি ন কুৎসয়েৎ ॥১৭॥
সঞ্চিন্ত্য মনসা রাজন্ বিদিত্বা শক্যমাত্মনঃ। করোতি যঃ শুভং কর্ম্ম স বৈ ভদ্রাণি পশ্যতি ॥১৮॥
নবেকপালে সলিলং সংন্যস্তং হীয়তে যথা। নবেতরে যথাভাবং প্রাপ্নোতি সুখভাবিতম্ ॥১৯॥
সতোয়েঽন্যত্তু যৎ তোয়ং তস্মিন্নেব প্রসিচ্যতে। বৃদ্ধে বৃদ্ধিমবাপ্নোতি সলিলে সলিলং যথা ॥২০॥
এবং কর্ম্মাণি যানীহ বুদ্ধিযুক্তানি পার্থিব। সমানি চৈব যানীহ তানি পুণ্যতমান্যপি ॥২১॥

রাজ্ঞা জেতব্যাঃ শত্রবশ্চোন্নতাশ্চ সম্যক্ কর্ত্তব্যং পালনঞ্চ প্রজানাম্।
অগ্নিশ্চেয়ো বহুভিশ্চাপি যজ্ঞৈরন্ত্যে মধ্যে বা বনমাশ্রিত্য স্থেয়ম্ ॥২২॥

ধর্ম খণ্ডলবা। নিংথৌ! জনক! অসুম হায়রনা খন্তুনা নপুক্কীদা য়াম্না নিশ্চয় তৌরগা, হায়রবদি— থবক মচা ওইরবসু অচৌববু ওইরবসু থবক থবক অহুনা মাগী মাগী মতীক্যাব মহৈ ফল অহু পোয়দনা হেক্তা পী। অহুগুম্না মহাহিংসানচিংবা অকন্বা তম্থীবা থবক্না খণ্ডহৌদনা তৌখিবা অকিবগী মগক ওইরবা পাপ অহু অহুম্ লেঙদনা লৈবা ত্তায়রবদি, মাহুগী মহৈ পোয়দনা কংতি। মাসিনা খেন্নরিবা হায়রবু, খণ্ডম খণ্ডনা তৌখিবা পাপকর্ম অমুদগীদি খণ্ডদবা তৌখিবহুনা য়াম্না হৈ ॥১৫—১৬॥

দেবতা, মুনিশিংমক্না তৌবা ওইরবসু ফত্তবা কর্মহুদি ধর্মচেন্বা মীশিংনা থক্ তৌকম খোক্তে। ফত্তব থবক্তু তৌই হায়হুনা মখোয়বু, হায়রবদি— দেবতাশিং, মুনি-ঋষিশিং অহুবুদি নিন্দা তৌকম খোক্তে ॥১৭॥

নিংথৌ। থবক অসি ঐনা তৌকম খোক্প্রা-খোক্কবা? ঐনা ভমগত্রা-ভম্মোইত্রা হায়রবু য়াম্না য়ুম্না খলহৌরগা থবক তৌরিবা মী মহাক অহুদি— লোক সমাজদা মঙ্গল ওইব-ত মফংতিঙ ॥১৮॥

অচোংপা— মৈ ঈক্কবা চফুদা হাপ্পুম্নিবা ঈশিং অহুদি থর লৈরগা হেক্তা কংশিন্ চুপকিন্থি। অহুগা মৈ ঈক্কবা অকংবা চফুনা হাম্না ঈশিং অহুদি অহুম কুইনা লৈ। মতৌ অহুগুম্না য়ুম্নবা— কংলবা থম্মোয় অসিদা পাঙথোকখিবা পুণ্যকর্ম অহুদি করিমত্তা হুন্দদনা অহুম্মক লেঙদনা লৈ ॥১৯॥

নিংথৌ জনক! অকংবা নীঙথিনা মৈ ঈক্কবা চফুদা হাম্না ঈশিং অহুদি, মতোন্দা অনৌবা অমমুক্ হৈজিন্-য়ান্শিন্নবসু হান্নগী ঈশিং অহুগী মায়— মচাং হেনগাংলকপতনি— চাউখংলমপতনি। মতৌ অহুগুম্না— হাম্না তৌগ্রবা পুণ্যকর্ম্ম অহুগী মথক্তা অনৌবা অহুগুম্ হাপচিন্নবসু অনী তিন্নহুনা পুণ্যগী শক্তি মহেলহল্লি। মী মহাক অহুসু চাউরবা পুণ্যাত্মা—মহাত্মা অমা ওই ॥২০—২১॥

নিংথৌনা তৌগদবা হায়রবু মরায় হাইগংলক্লিবা লৈপাক্তা অশান্তি পীগদবা য়েক্কবশিং অহুবু নমহৎকদবনি। প্রজাশিংবু নিয়ম-বিধি কায়দনা শাসন তৌগদবনি, য়োকপি-থাকপিগদবনি। যজ্ঞ মথল মথম্না অগ্নিদেবতাবু পেলহনগদবনি। অহুগী তুংদা নচা মশু মতীক্ চাবদা রাজ-সিংহাসন শিন্নকম্নগা বনবাসী—

বমস্থিতঃ পুরুষো ধর্মশীলোভূতানি চাত্মানমিবানুপশ্যেৎ।

গরীয়সঃ পুজয়মাত্মশক্ত্যা সত্যেন শীলেন সুখং নরেন্দ্রঃ ॥২৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি

পরাশর গীতায়াং ষড়শীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮৬॥

——:(*):——

বানপ্রস্থ আশ্রমী ওইথিগদবনি, বৈরাগ্যবতা পুরীং চত্তদুনা পুনশি লেনগদবনি ॥২২॥ নিংথৌ জনক। মী খুদিংমক ইন্দ্রিয় পুঙ্গম চনবা, ধর্মাত্মা ওইগদবনি। জীব শানবা পুন্নমকপু মশামক্কি হায়না নীত্তগদবনি। বিত্তাদা, গুণদা, জ্ঞানদ, অহুণা সমাজদা গণ্যমচা ওইবদা মশাদগী হেনখিবা মথকথোংবশিং অমুগী মকমদা সদ্ব্যবহার তৌগদবনি. সেবা পূজা তৌগদবনি, কিনা সুনা চৎকদবনি। খাঙ্গাং-থোম্দা ফজধনা, লাই-গুরুদা থকুশি-খাশি নাইবশিং অহুত্তনা লোক সমাজদা জীকায় থুম্বা কংত্তি ॥২৩॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা কোংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা

মোক্ষধর্মপর্ব্বদা পরাশর-গীতাদা চনীমরিফুতরুকুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮৬॥

——:(*):——

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(পরাশর গীতা মথং লীথবা)

চনীমরিফুতরেংশুবা অধ্যায়।

——:(*):——

পরাশর উবাচ।

কঃ কস্য চোপকুরুতে কস্ম কস্মৈ প্রয়চ্ছতি। প্রাণী করোত্যয়ং কর্ম সর্ব্বমাত্মার্থমাত্মনা ॥ ॥

পরাশরনা হায়,— নিংথৌ! কনানা কনাগী কাওবা তৌরি? কনানা কনাদা কব্বি পীরি? মরম অহুনা প্রাণী অমনা, হায়রদি— থরায় শনবা কনাগুম্বা নত্রণা কহিগুম্বা জীব অমমা হেক্ক তৌরিবা কর্ম পুম্বা মশাগীদমক্কনি ॥১॥

গৌরবেণ পরিত্যক্তং নিঃস্নেহং পরিবর্জ্জয়েৎ। সৌহৃদ্যাং ভ্রাতরমপি কিমুতান্যং পৃথগ্জনম্ ॥২॥
বিশিষ্টস্য বিশিষ্টাচ্চ তুল্যৌ দানপ্রতিগ্রহৌ। তয়োঃ পুণ্যতরং দানং তদ্ দ্বিজস্য প্রযচ্ছতঃ ॥৩॥
ন্যায়াগতং ধনঞ্চৈব ন্যায়েনৈব বিবর্দ্ধিতম্। সংরক্ষ্যং যত্নমাস্থায় ধর্ম্মার্থমিতি নিশ্চয়ঃ ॥৪॥
ন ধর্ম্মার্থী নৃশংসেন কর্ম্মণা ধনমর্জ্জয়েৎ। শক্তিতঃ সর্ব্বকার্য্যাণি কুর্য্যান্নর্দ্ধিমনুস্মরেৎ ॥৫॥
অপো হি প্রযতঃ শীতাস্তাপিতা জ্বলনেন বা। শক্তিতোঽতিথয়ে দত্বা ক্ষুধার্ত্তায়াশ্নুতে ফলম্ ॥৬॥
রন্তিদেবেন লোকেষ্টা সিদ্ধিঃ প্রাপ্তা মহাত্মনা। ফলপত্রৈরথো মূলৈর্ম্মুনীনর্চ্চিতবাংশ্চ সঃ ॥৭॥
তৈরেব ফলপত্রৈশ্চ স মাঠরমতোষয়ৎ। তস্মাল্লেভে পরং স্থানং শৈব্যোঽপি পৃথিবীপতিঃ ॥৮॥
দেবতাতিথিভৃত্যেভ্যঃ পিতৃভ্যশ্চাত্মন তথা। ঋণবান্ জায়তে মর্ত্ত্যস্তস্মাদনৃণতাং ব্রজেৎ ॥৯॥

নহাক্কী চেক্ পোক্‌মিন্নবা নচীন্নাওনু, নহাক্কী অমদি মথোন্নগী মীংথিন্নবা লমচৎ-ব্যবহারদুনু চৈনদনুনা থাদোক্লবদি অতৈ অতৈনমু, লোক সমাজনমু মহাকপু থাদোকই— তাংহোক্লকই— মহোক্লকই। অতেগীদি করি অমুক হায়রগনি? ॥২॥

দানগী তত্ত্ব খঙবা অথোইবা মীশক অমনা পীরবপা দান অমসুং লৌকপগী মতৈগা, তত্ত্ব খঙনা খঙনা দান অমসুং লৌকপগী মতৈগা চপ মান্নবমক হায়রিবা অনীসিগী মরুদা অমনা ব্রাহ্মণ অমগীদমক্তা হায়রবদি তত্ত্ব খঙনা লৌকপ দানগী মতৈংগী, তত্ত্ব খঙনা তৌথোকখিবা দানগী মতৈনা চাউবা হেন্নি ॥৩॥

হিংসা য়াওদনা নিয়ম চুম্না তানশিন্নবা, অমসুং নিয়ম চুম্না তাক্-শেন্নবা অমদি চাউথংহন্নবা শেল অমসুং য়ায়া চেংশিন্না অকরবা অমদি পুণ্যকর্ম্মদা শীজিন্নগদবনি। মসি, ধর্ম্মশাস্ত্রগী নিয়মনি ॥৪॥

অচৌবা ধর্ম্মবু পামজরিবা মীনা কারিগুম্বা মক্রবা কর্ম্মগী লাইথেনা শেনবু তনশিনরাইদৌবনি। মাগী লৈজরিবা শক্তি অমতনা পুণ্যকর্ম্ম অমাংবা তৌগদবনি। পুণ্যকর্ম্মদগী ফংজরিবা ফল অমুমক য়ামরিবমথৈ হেনগৎহন্নবনা কৈ। অমসুং করম হায়না চেনখৎলনসিগে হায়নমু মক্ত খাল্লাইদৌবনি ॥৫॥

লাম্নবা খৌরাংলবা অতিথিবু অশাবা নত্রগা অঙীবা ঈশিংতনবু থইদবমু অমসুং অচা-মথক্ থজক্‌না পুকচেল শেংনা পেনসহনবদি মথোইবা মতৈ ফংই ॥৬॥

মহাত্মা অইরবা নিংথৌ রন্তিদেবনা উচেক-মাচৈ, চৈনা-চৈনা, ধরজংনা ঋষি মুনিশিংগী পূজা তৌদুনা মথোইবু পেনসহনখি। অাইরংগী পুরস্কার অাশা তৌনারিব— থংগে হায়না তাল্লিবা অথোইবা খুদম অমসুং মহাকা ফংখি ॥৭॥

শৈব্য কৌবা নিংথৌনা উচেক-মাচৈতনা মাঠর কৌবা মুনিবু পেনসহনখি। মাদুমক্তনা মহাক অথোইবা খুদমবু ফংখি ॥৮॥

মী খুদিংমক অসি দেবতাশিংগী, অতিথিশিংগী, চাক্-থাক্কনবগী মশক অইরবা শাগে-নাতৈ তাই-শেন অমদি পরিবারগী, পিতৃ-মাতৃলোকগী, অমসুং মশামকীমু শেনন্ চাম্বুনা, শমন অমসুং শিংবা লোইদনা— মথকা

স্বাধ্যায়েন মহর্ষিভ্যো দেবেভ্যো যজ্ঞকর্মণা। পিতৃভ্যঃ শ্রাদ্ধদানেন নৃণামভ্যর্চনেন চ ॥১০॥
বাচা শেষাবহার্য্যেণ পালনেনাত্মনোঽপি চ। যথাবৎ ভৃত্যবর্গস্য চিকীর্ষেৎ কর্ম আদিতঃ ॥১১॥
প্রযত্নেন চ সংসিদ্ধা ধনৈরপি বিবর্জিতাঃ। সম্যগ্ হুত্বা হুতবহং মুনয়ঃ সিদ্ধিমাগতাঃ ॥১২॥
বিশ্বামিত্রস্য পুত্রত্বমৃচীকতনয়োঽগমৎ। ঋগ্ভিঃ স্তুত্বা মহাবাহো দেবান্ বৈ যজ্ঞভাগিনঃ ॥১৩॥
গতঃ শুক্রত্বমুশনা দেবদেব প্রসাদনাৎ। দেবী স্তুত্বা তু গগনে মোদতে যশসা বৃতঃ ॥১৪॥
অসিতো দেবলশ্চৈব তথা নারদ পর্ব্বতৌ। কক্ষীবান্ জামদগ্ন্যশ্চ রামস্তাণ্ড্যস্তথাংশুমান্ ॥১৫॥
বশিষ্ঠো জমদগ্নিশ্চ বিশ্বামিত্রোঽত্রিরেব চ। ভরদ্বাজো হরিশ্মশ্রুঃ কুণ্ডধারঃ শ্রুতশ্রবাঃ ॥১৬॥
এতে মহর্ষয়ঃ স্তুত্বা বিষ্ণুমৃগ্ভি সমাহিতাঃ। লেভিরে তপসা সিদ্ধিং প্রসাদাত্তস্য ধীমতঃ ॥১৭॥
অনর্হাশ্চার্হতাং প্রাপ্তাঃ সন্তঃ স্তুত্বা তমেব হ। ন তু বৃদ্ধিমিহান্বিচ্ছেৎ কর্মকৃত্বা জুগুপ্সিতম্ ॥১৮॥

লৈনা লৈনা পোক্লরিবনি। অদুনা ঋণ— লমনশিং অসিদগী খোক্লনবা হোংনগদবনি ॥৯॥

মুনি-ঋষিশিংবু বেদ-শাস্ত্র তম্বা অমসি নৈনবনা, দেবতাশিংবু যজ্ঞ-দাননচিংবনা, শ্রাদ্ধ-তর্পননচিংবনা— পিতৃলোকপু, উহৈ-বাহৈতনা, মাঙমক লৈত্রবস্তু নীংথজবা অথোংপা য়াহৈতনা স্বাগত তৌদুনা অতিথিশিংবু পেলহনগদবনি। মাদুতনা হায়রিবা মখোয়শিং অসিগী লমনশিংবা হায়বদু ওইবে ॥১০॥

মতৌ অসিগুম্বা বেদশাস্ত্রবু তম্বা, ঔগ্রাইবা, লৈনবা অসিনচিংবা কর্মনা, যজ্ঞ তৌবা অদুগা যজ্ঞগী লেমহৌবা চাযনা, অতেন্বা মীশিংবু য়োকৃপি থাকৃপি কন্‌বিবনা হায়রিবা লমনশিং অসিদগী কোকই। য়োকপি থাকৃপিফম খোকপশিং অদুগী য়োকৃপি থাকপিননবগী মমক হায়দগী শীল্লগুদুনা থম্‌গদৌবনি। মাদুমক্তনস্থ মখোয়গী মকমদা তোন্‌বা লমন্দগী কোকৃপা হায়বদু অদুম মগুইরে ॥১১॥

মুনি ঋষিশিংগী মকমদা লন-থুম হায়বদো করিমত্তা লৈতবনি। অদুবু কোংনবনা অমদি তপস্যানা সিদ্ধি ফংখি। মখোয়না অগ্নিহোত্র (যজ্ঞ) তনা সিদ্ধ ফংবা ওমখি ॥১২॥

ঋচীককী মচানা, যজ্ঞদা মাগী মাগী শরুক লৌগদবগী লাগিবা দেবতাশিংবু বেদগী মন্ত্রতনা মখোয়বু পেলহন্দুনা বিশ্বামিত্রগী মচা ওইখি ॥১৩॥

মহর্ষি উশনানা মহাদেবগী থৌজান্দগী শুক্র— বীর্য্যগী মশক লৌখিদুনা, শুক্র ওইদা অহানবদা পোকৃখিদুনা মমৈথংদা শুক্র হায়না অদুম মকাওম্রে। মহাকপু শুক্রাচার্য্য হায়না খঙনখি। অদুতগু মতুনা পার্ব্বতীদা স্তুতি তৌজনা লোমদোয়ক্তা শুক্রগ্রহ হায়বদু ওইদুনা থৌজিক কাওমা লৈরি ॥১৪॥

অসিত, দেবল, নারদ, পর্ব্বত, কক্ষীবান্, জামদগ্নীগী মচা পরশুরাম, ইন্দ্রিয় থুদুম চম্বা তাণ্ড্য, বশিষ্ঠ, জমদগ্নি, বিশ্বামিত্র, অত্রি, ভরদ্বাজ, হরিশ্মশ্রু, কুণ্ডধার অদুগা শ্রুতশ্রবা কৌবা ঋষিশিং অসিনা পুক্লীং অমী লোত্তনা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী স্তুতি তৌদুন শ্রীহরিগী কৃপাদগী লোইনা সিদ্ধপুরুষ ওইখি ॥১৫—১৭॥

পূজা তৌবদা মতীক চাদ্রবা মীশককাওবা স্তুতিতনা পেলহনব্রবা বিষ্ণুগী কৃপাদগী খাইনা পূজা তৌনবম

যেঽর্থা ধর্ম্মেণ তে সত্যা যেঽধর্ম্মেণ ধিগস্তু তান্। ধর্ম্মং বৈ শাশ্বতং লোকে ন জহ্যাৎ ধনকাঙ্ক্ষয়া ॥১৯॥

আহিতাগ্নির্হি ধর্ম্মাত্মা যঃ স পুণ্যকৃদুত্তমঃ। বেদা হি সর্ব্বে রাজেন্দ্র স্থিতাস্ত্রিষ্বগ্নিষু প্রভো ॥২০॥

স চাপ্যগ্ন্যাহিতো বিপ্রঃ ক্রিয়া যস্য ন হীয়তে। শ্রেয়ো হ্যনাহিতাগ্নিত্বমগ্নিহোত্রং ন নিষ্ক্রিয়ম্ ॥২১॥

অগ্নিরাত্মা চ মাতা চ পিতা জনয়িতা তথা। গুরুশ্চ নরশার্দূল পরিচর্য্যা যথাতথম্ ॥২২॥

মানং ত্যক্ত্বা যো বৃদ্ধসেবী বিদ্বান্ ক্লীবঃ পশ্যতি প্রীতিযোগাৎ।
দাক্ষ্যেণহীনো ধর্ম্মযুক্তো ন দান্তো লোকেঽস্মিংস্তপূজ্যতে সদ্ভিরার্য্যঃ ॥২৩॥

ওইরবা সিদ্ধপুরুষ ওইত্রি। লোক অসিদদি মীনা নিন্দা তৌননীঙায় ওইবা কর্ম তৌবশিনা চাউংবগী কন্নিঙঙবা আশা অমতা তৌবা ঙমদে ॥১৮॥

ধর্মগী থবক তৌন তৌনা মঙ্গল্কা কংলক্লিব লন্ অদুদুতনা অশেংবা ধননি। মমল য়াম্বা সম্পত্তিদুম অধর্মনা কংবা ওইরবদি মাদু নিন্দা হায়রবদুগী গুপ্তিনি, জগৎনা নিন্দা তৌননীঙায়নি। অদুঙঙবা কাংদ্রবা ধন অদুগী মমক লেপ্তব্রবা ধর্মবু থাদোকপা চুমদে ॥১৯॥

নিংথৌ। ঙুমিং থুদিংগী অগ্নিহোত্র— যজ্ঞ তৌদুনা অমম্বা দান তৌরিবা মহাক অদুতৌ পুণ্যকর্ম তৌবশিংগী মরুপ্দা অথোইবনি। নিংথৌ! বেদ পুম্নমক অসে দাক্ষিণাগ্নি, আহবনীয়াগ্নি গার্হপত্যাগ্নি হায়বা অগ্নি— মসি অহুম অসিতদা লৈরিবনি ॥২০॥

অদুম্বা লমচৎ চৎলিবা, সৎকর্মদা পুক্নীং চঙলিবা অদুগুম্বা ব্রাহ্মণ মহাক অদুদি অগ্নিহোত্র তৌত্রবাক-বদা অগ্নিহোত্রীনি হায়বা য়াই। ব্রাহ্মণগী হৌনবা আচার-বিচার পুম্নমক ত্যাগ্না চৎলিবা ব্রাহ্মণ অদুদি অগ্নিহোত্র তৌবা ঙমত্রবসু অদুম মথৈ কন্নিনবা কায়বা লৈতে। সদাচারনি থাদোক্লগা অগ্নিহোত্র— যজ্ঞ-ত তৌবা অদুনদি কন্নিমত্তা তোংজবা লৈতে ॥

নিপা থোইবা! মৈ, আম্মা, মমা, মপা, গুরু— হায়রিবা মসা অসিগী মতীক্ চানা সেবা-লাংবা, পুজা তৌকম থোক্নই ॥২২॥

থোমবা— মাপল— মীবু ঊশিং-থোওইনবা, পুম্নমক অসিবু থাদোক্নুনা অহল-লমন লাই-গুরুগী সেবাবু ভক্তিগা— থাজবগা লোয়ননা তৌরিবা, সংসারগী কামভোগতা পুক্নীং চঙত্রবা, মী জীব থুদিংমক্তা দুংশিনিবগী য়াখল অমদি মী য়েং থম্রিবা, পুক্নীংদা লোথুপ-লোকোই লৈতনা ধর্মকর্মদা পুক্নীং চঙলিবা, কনাগুম্বা অমগী মকমদা হিংসা তৌবা— ফত্তনবা মাওনবা তৌবগী য়াখল ঊথম্ থম্রিবা অদুগুম্বা মী মহাক অদুদি লোক অসিনা থাইদগী অথোইবনি হায়বা য়াই। অদুগুম্বা মী মহাক অদুবু মহাত্মা ওইরবা সৎপুরুষনি অদুগা সজ্জনশিংমা থাগৎনৈ ॥২৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি সপ্তাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮৭॥

——:():——

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্ম পর্ব্বদা চনীমরিফুতরেংগুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮৭॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(পরাশর-গীতাগী মথং)

চনীমরিফুনিপালগুবা অধ্যায়।

——:():——

পরাশর উবাচ।

বৃত্তিঃ সকাশাৎ বর্ণেভ্যস্ত্রিভ্যো হীনস্য শোভনা। প্রীত্যোপনীতা নির্দিষ্টা ধর্ম্মিষ্ঠান্ কুরুতে সদা ॥১॥

বৃত্তিশ্চেন্নাস্তি শূদ্রস্য পৈতৃপৈতামহী ধ্রুবা। ন বৃত্তিং পরতো মার্গেচ্ছুশ্রূষাং তু প্রয়োজয়েৎ ॥২॥

পরাশরনা হায়— নিংথৌ। শূদ্রশিংগী দমক্তি মথক্কী ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য বর্ণ অহুম অসিগী সেবা তৌবতনা মখোয়গী পুন্‌শিগী য়াইকবা ওইগনি। অহুগুমা সেবাবৃত্তি মপুক্কীং শেনা, অতোন্‌বা থবক্তুনি, হায়বা থজুদনা, সেবা তৌরকপিবশিং অহুবু প্রেমগা লোয়ননা লোয়মন্নিবা, মুংশিনা ভিন্নরিবা— অহুগুমা শূদ্রশিং অহুদি মহা ধর্মচেনবনি হায়না লৌনৈ ॥১॥ *

মপা-মপুনা লন্ থুম থনম্‌দহন্‌বা য়ান্না নংলকপু শূদ্র হায়বসিনা মাগী সেবাবৃত্তিদগী হেন্‌বা অতৈ অতোপ্প ব্যবসায় অমা পামশিন্নোইদৌবনি। ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য বর্ণ অহুম অসিগী সেবা তৌবতনা শূদ্রশিংগী জীবিকানি ॥২॥

* মখৌ অমদি মাগী ধর্মনা পুক্কীং চঙবা, তৌনিংঙাই নৈত্রহনা শূদ্রগী মখৌ তৌরক্লবা ব্রাহ্মণদগী,— মখোদা পুক্কীং চঙবা, সেবাতবু মুন্না থঙনা সেবাবৃত্তিদা লৈত্রিবা, অহুপা মাহনা জীবিকা ওইহনরিবা শূদ্র অমনা আ-হেন্নি। ধর্মচেন্‌বা শূদ্রনা ধর্মচেন্‌দবা ব্রাহ্মণ অমদগী আ—হেন্নি। (কালাচাঁদ)

সদ্ভিস্তু সহসংসর্গঃ শোভতে ধর্ম্মদর্শিভিঃ। নিত্যং সর্ব্বাস্ববস্থাসু নাসদ্ভিরিতি মে মতিঃ ॥৩॥
যথোদয়গিরৌ দ্রব্যং সন্নিকর্ষেণ দীপ্যতে। তথা সৎ সন্নিকর্ষেণ হীনবর্ণোঽপি দীপ্যতে ॥৪॥
যাদৃশেন হি বর্ণেন ভাব্যতে শুক্লমম্বরম্। তাদৃশং কুরুতে রূপমেতদেবমবেহি মে ॥৫॥
তস্মাৎ গুণেষু রজ্যেথা মা দোষেষু কদাচন। অনিত্যমিহ মর্ত্ত্যানাং জীবিতং হি চলাচলম্ ॥৬॥
সুখে বা যদি বা দুঃখে বর্ত্তমানো বিচক্ষণঃ। যশ্চিনোতি শুভান্যেব স ভদ্রাণীহ পশ্যতি ॥৭॥
ধর্ম্মাদপেতং যৎ কর্ম্ম যদ্যপি স্যান্মহাফলম্। ন সেবেত মেধাবী ন তদ্ধিতমিহোচ্যতে ॥৮॥
ধর্ম্মেণ সহিতং যত্তু ভবেদল্পফলোদয়ম্ তৎ কার্য্যমবিশঙ্কেন কর্ম্ম তাদ্ধি সুখাবহম্।
যো হিত্বা গোসহস্রাণি নৃপো দত্যাদরক্ষিতা স শব্দমাত্রফলভাগ্ রাজা ভবতি তস্করঃ ॥৯॥

ধর্ম্মগী মায়পেত্তদা মমীৎ শুন্শিনবা, সৎপুরুষশিংগা তিন্না লৈরবা থৌইদগী অথোইবা কর্মনি। অদুবা খুদোংথীবনচিংবা করিগুম্বা অবস্থাদসু ফত্তবা অধর্ম্মী ওইবা মীশিংগা তিন্নবোইদৌবনি। মাসি ঐগী লেপ্পবা রাখল্লি— মাসিনা ঐগী সিদ্ধান্তনি ॥৩॥

মুনিংকা নক্শিন্নরুবদগী উদয়াচল (চিঙ) গী নথক্তা ফৌব — লৈবা পোৎ পুম্ব। ঈয়ৎ-ত লংবদুগী মতৌগুম্বা— সাধু মহাত্মাশিংগী মনাক্তদা লৈরিবশিং অহুম্ব বর করবা গুণ, বিদ্যা পুম্মকনা তিন্নদুনা ওক্ নৈ ॥৪॥

অতৌবা কিদা শংগুবা তোঙাম্ তোঙানবা মচু অহুবু কি অদুনা অহুম্ পুবদুগী মতৌগুম্বা তিন্ন তিন্নরুবা মীশিংদুগী থম্মোয় হকচাংগী অনদি রাথংগী মচুশিং অদু মথোয়গা তিন্নকরিবশিংগী থবক অমদি রাথল অহুম্ব অহুম্ মতাম। মাসি নহাক য়াম্না থাজবগা লোয়ননা লৌ ॥৫॥

মরম অদুনা নহাক গুণগী মায়কৈতদা নহাক্কী কৈনোংবা— পাম্লিন্বা হায়বদু মমাম ওন্শিন্হনু; দোষকী মায়কৈদা থক্ শুন্শিন্গনু। মরমদি তাইবং মীওইবগী পুন্সিনদি অরেম্বা লৈত্তবনিনা দোষগী মায়কৈদা শুন্শিল্লিত্তৈদা খুদক্তা নপুন্সি লোইশিনখ্রবদি য়াম্না থীরবা মপোক্ অমা কংলুরনি ॥৬॥

অরাবা নুংঙাইবা অবস্থা খুদিংমক্তা মক্কম ঈয়েত্তে লেপ্তনা অফবা থবক তৌরিবা অশিংবা মী মহাক অচুদি শক্তগী পাউত্তকী ভক্ত পুম্মক থত্ত্বলবা মীনি হায়বা য়াই ॥৭॥

ধর্মগী ওয়্যৈতেনবা কর্ম অহুবু, অদুগা কর্মদুগী মহৈশংবু লোককী দৃষ্টিনা কাম্নবা তোংজবা ওইরবসু— অশিংবশিংদি অমুগুম্বা অরান্বা কর্ম অদুবু থক্ তৌরদে, মাদুনা পুনাশদা ওইজবা থক্ কংলোই ॥ ॥

ধর্মগী মরমদি খোক্পা কর্ম অদুবা লোকতা— সমাজদা মহৈ খজিক্ক পীরবসু মাদু চিংনবা লৈতনা, হৈনিংবগা লোয়ননা অহুম মতৌপলরনি। মরমদি অদুগুম্বা অদুনা মমৈথক্তা ভম্খৈ লৈতনা নুংঙাইবা পী। প্রজাশিংদগী নত্রগা অতোপ্পা মকমদগী নমদুনা খেন্গত্তুনা তৌরুবা শলশিং অদুবু নিংথৌনা ব্রাহ্মণশিংদা দান তৌরবদি মাদু নাম মাত্র— অমিংত ওইবা দাননি, দান নত্তে। নিংথৌ অদুমু ফাকুনি, দুট তৌবা মীনি, হুরান্বনি ॥৯॥

অবত্ত্ব্রস্মজশ্চাগ্রে ধাতারং লোক সংক্রমম্। ধাতা সৃজৎ পুত্রমেকং লোকানাং ধারণে রতম্ ॥১০॥
তমর্চয়িত্বা বৈশ্যস্তু কুর্য্যাদত্যর্থমৃদ্ধিমৎ। রক্ষিতব্যং তু রাজন্যৈরুপযোজ্যং দ্বিজাতিভিঃ ॥১১॥
অজিহ্মৈরশঠক্রোধৈর্হব্যকব্য প্রযোক্তৃভিঃ। শূদ্রৈর্নির্মার্জনং কার্য্যমেবং ধর্মো ন নশ্যতি ॥১২॥
অপ্রণষ্টে ততো ধর্মে ভবন্তি সুখিতা প্রজাঃ। সুখেন তাসাং রাজেন্দ্র মোদন্তে দিবি দেবতাঃ ॥১৩॥
তস্মাৎ যো রক্ষতি নৃপঃ স ধর্মেণেতি পূজ্যতে। অধীতে চাপি যো বিপ্রো বৈশ্যো যশ্চার্জনেরতঃ ॥১৪॥
যশ্চ শুশ্রূষতে শূদ্রঃ সততং নিয়তেন্দ্রিয়ঃ। অতোঽন্যথা মনুষ্যেন্দ্র স্বধর্মাৎ পরিহীয়তে ॥১৫॥
প্রাণসন্তাপনির্দিষ্টাঃ কাকিণ্যোঽপি মহাফলাঃ। ন্যায়েনোপার্জিতা দত্তাঃ কিমুতান্যাঃ সহস্রশঃ ॥১৬॥

ঈশ্বরনা ঈহান্ হান্‌বদা লোক পুম্নমক্কা পূজা তৌননীওডায় ওইরবা, ব্রহ্মাবু পুথোকৃখি। অদুদগী ব্রহ্মানা লোক পুম্নমক্কী কান্নবা ওইবা মচা পর্জন্যবু পুথোকৃখি পোক্‌হন্‌খি ॥১০॥

ব্রহ্মানা পুথোকৃপা মচা পর্জন্য কৌবা দেবতাদুগী পূজা তৌরগা বৈশ্যশিংনা তৌগদবদি লৌউ-শিংউবা শা-শল য়োকপা, ব্যবসায় ওইতুন লৈপাকপু কৌ চঙনা তোম্ন থলহন্দুনা য়াম্না চাউখৎহন্‌গদবনি। নিংথৌনা মথোয়গী সম্পত্তি লৌবুক-ইংথোল পুম্নমক ঙাকপি-শেন্‌বিগদবনি। মথোয়গী কৃষিকর্মনচিংবা থবকশিং অদুনা পুথোরক্লিবা মহৈ-মরোং অদুবু জ্ঞানী ব্রাহ্মণশিংনা মপুক্লীং শেংনা যজ্ঞ দাননচিংবদা শীজিন্নথোকৃশিখি-গদবনি। অদুম্না ব্রাহ্মণশিংনা যাগ-যজ্ঞনচিংবা তৌরকপদা, অদুগা তৌবা লোইশ্নবদা যজ্ঞপত্র মত্তপনচিংবদা চাখি থকৃখিবগী কত্ত-হৌদি ময়াম অদু শূদ্রশিংনা শেংদোকদবনি। মতৌ অদুম্না অমগা অমগা থবক খুদিং-মক্কা সহযোগ তৌমিন্নবদি লৈপাকী চাউখৎনন্‌বা হায়বদু ওইগদৌরিবনি ॥১১—১২॥

মাগী মাগী ধর্মদা কৃরিমতা য়ৈথাম্নবা পীদবা, ধর্মগী শক্তকপু মচেৎ অনা ক্ষওবা মাওহন্দনা বর্ণ জাতি পুম্নমক্কী মীশিংনা মাগী মাগী মথৌদা পুক্লীং চঙনরকপা, অমগা অমগা মত্তেং পীনরকপদা লৈপাক্ অমগী হীরম পুম্নমক্কা চাউখৎপা হায়বদু ওইরিবনি। অদুম্না চাউখৎপা লৈপাক্ হায়বদু প্রজা ময়াম্না লিংজেল মান্নদা নোম্নগা থোকৃহন্‌গদবনি। মর্ত্ত্যলোককী প্রজা ময়াম, জীব-জন্তু পুম্নমক্কী চাউখৎপদু উরগা নোংম-দোন্‌থক্কা দেবতাশিংনা অদুগা পিতৃলোকতা ঈপা-ঈপু পুম্নমকসু থোইদোক্না হন্নাউরে অমদি পেরে ॥১৩॥

নিংথৌনা ধর্ম কায়দনা প্রজাশিংবু ঙাক্-শেন্‌বা অদুগা য়োক্-থাকৃপা, অদুগা মথোয়বুস্ন মাগী মাগী ধর্মদা পুক্লীং চঙহন্নবদি মহাক অদু ইহলোক পরলোক অনীমক্কা থাগৎনীওডায় পূজা তৌননীওডায়গী মথক্ ওই। প্রজাশিং ওইরিবা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্রশিং অদুসু মাগী মাগী ধর্মদা পুক্লীং চঙনরবদি মথোয় খুদিংমক লোক সমাজদা পূজা তৌননীওডায় থাগৎনীওডায় ওই। নিংথৌ। কান্নবা হায়বসে অদৈবু নত্তে, মাগী মাগী মথৌদা পুক্লীং চঙনরক্কবু হায়বনি ॥১৪—১৫॥

থরায় থুবাক্কা হাপতুনা, ন্যায়ধর্ম কায়দনা, লীকোল-খুজিং অমত্তবু ওইরবসু ত্যাগ্নিক্কবা অশেংবা মঙ্গল অদুবু দানগী থবক্কা শীজিন্নরবদি অদুগুম্বা দান অদুগী মহৈদি ওন্থোক্না চাউনা লৈরে। মাসিনা লীকোল

সংস্কৃত্যাহি বিজাতিভ্যো যো দদাতি নরাধিপঃ। যাদৃশং তাদৃশং নিত্যমশ্নাতি ফলমূর্জিতম্ ॥১৭॥
অভিগম্য চ তৎ তুষ্ট্যা দত্তমাহুরভিষ্টুতম্। যাচিতেন তু যদ্দত্তং তদাহুর্মধ্যমং বুধাঃ ॥১৮॥
অবজ্ঞয়া দীয়তে যৎ তথৈবাশ্রদ্ধয়াপি বা। তমাহুরধমং দানং মুনয়ঃ সত্যবাদিনঃ ॥১৯॥
অতিক্রামেন্মজ্জমানো বিবিধেন নরঃ সদা। তথা প্রযত্নং কুর্বীত যথা মুচ্যেত সংশয়াৎ ॥২০॥
দমেন শোভতে বিপ্রঃ ক্ষত্রিয়ো বিজয়েন তু। ধনেন বৈশ্যঃ শূদ্রস্তু নিত্যং দাক্ষ্যেণ শোভতে ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
পরাশর-গীতায়াম্ অষ্টাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮৮॥

——:(⁂):——

খুজিং অমতগী য়ামিদো। অদিগুম্বা অশেংবা পোৎ অদু দিনিং দিনিং দান তৌশিল্লকপদি মাহুৎসিদি ফল অমুক হায়রক্লি ॥১৬॥

ধর্ম কায়দবা অদুমা কংলকপা পোৎশিং অদুনা ব্রাহ্মণশিংদা দান তৌবা অদুগুম্বা নিংথৌনা পুণ্যফলবা মহৈবু কংবা ওন্দি ॥১৭॥

ব্রাহ্মণশিংনা মথোক্ত-থোংবা লাকুনা দান তৌ হায়না হায়রক্রিবৈ— নিংজিদৈগী মমাঙদা দাতা মনা-মক্লা চৎকুনা দান তৌকদবদি ওথোক্লা নীওবিবা মহৈবু দাতা অদুমা কংতি, মাসিনা খ্বাইদগী অফেন্‌বো দাননি। নিংবগা হমাও হমাও পীবা অদুনা মধক্তী দাননি। মাসি য়াম্না কবমু নত্তে হৎবন্ মনে ॥১৮॥

পুরীংদা হৈনিংদনা— থৌওই-উশিত্তনা, য়াম্না চাউথোক্লা ত্তৌবা দান অদুদি খ্বাইদগী হৎবা, দান তৌদবগা অদ্দা ওইবা দাননি হায়না মুনিশিংনা হায়রৈ। ঈপাক্তা ঈরাকরবা কনাগুম্বা অমনা, ঈপাক্ অদু লাথোক্লবা ওথোক ওথোকপা উপায়বু য়াম্না চোক্‌শিন্না থিরুকপহৌগুম্না নিংথৌ। নহাকন্ তাইবং-ঈপাক অদি লাপনবা হোৎনগদবনি ॥১৯—২০॥

ব্রাহ্মণনা ইন্দ্রিয় খুদুম চন্‌বনা, ক্ষত্রিয়শীনা লান্দা য়েক্লববু ওন্বনা, বৈশ্যশিংগীনা ধর্ম কায়দবা ব্যবসায় তৌদুনা শেল তান্‌বনা, শূদ্রশিংগীনা সেবাসীদমক্তা হৈ-শিংবা উৎপনা অদুবা ফজবা পুন্‌শি মরোল হায়বত্ ওইরিবনি ॥২১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা চমী-মখিকুমিপালগুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮৮॥

——:(⁂):——

মণিপুরী মহাভারত

একোণনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(পরাশর গীতা— মথং)

চনীগা মরিফুমাপল্তুবা অধ্যায়

———:(*):———

পরাশর উবাচ।

প্রতিগ্রহাগতা বিপ্রে ক্ষত্রিয়ে যুধি নির্জিতাঃ। বৈশ্যেন্যায়ার্জিতাশ্চৈব শূদ্রে শুশ্রূষয়ার্জিতাঃ ॥১॥
স্বল্পাপ্যর্থাঃ প্রশস্যন্তে ধর্মস্যার্থে মহাফলাঃ। নিত্যং ত্রয়াণাং বর্ণানাং শুশ্রূষুঃ শূদ্র উচ্যতে ॥২॥
ক্ষত্রধর্মা বৈশ্যধর্মা নাবৃত্তিঃ পততে দ্বিজঃ। শূদ্রধর্মা যদা তু স্যাৎ তদা পতন্তি বৈ দ্বিজঃ ॥৩॥
বাণিজ্যং পাশুপাল্যঞ্চ তথা শিল্পোপজীবনম্। শূদ্রস্যাপি বিধীয়ন্তে যদা বৃত্তির্ন জায়তে ॥৪॥
রঙ্গাবতরণং চৈব তথা রূপোপজীবনম্। মদ্যমাংসোপজীব্যঞ্চ বিক্রয়ো লোহচর্মণোঃ ॥৫॥
অপূর্ব্বিণা ন কর্ত্তব্যং কর্ম লোকে বিগর্হিতম্। কৃতপূর্ব্বিণ: তু ত্যজতো মহান্ ধর্ম ইতি শ্রুতিঃ ॥৬॥

পরাশরনা হায়,— নিংথৌ। ব্রাহ্মণনা দানগী কংলকপা পোৎ, ক্ষত্রিয়শিংগী যুদ্ধনা লান তমহুনা রেঙ্গবনগী লৌখকপা—কংলকপা পোৎ, বৈশ্যশিংগী মুঙ্গনা ধর্ম্ম কায়দনা ব্যবসায় তৌদুনা কংলকপা পোৎ, শূদ্রশিংগীনা পুকচেল শেংনা মীগী সেবা-লাংবা তৌঙ্গবদগী কংলকপা পোৎ, হায়রিবশিং অসি খজিক্তং ওই-রবসু ওয়োক্না শেংলবা মমল য়ামলবা পোৎনি। পোৎশিং অসি দানধর্মনচিংবা পুণ্যকর্মদ: শীজিন্নরবদি হায়নীঙ্ঙাই লৈতনা অথোইবা মহৈ কংজি ॥১॥০॥

বর্ণ অহুমগী সেবাবু লেঙ্গনা তৌবিবা মহাক অদু শূদ্রনি। ব্রাহ্মণবা মাগী জীবিকাগীদমক উপায় অতৈ লৈত্রবদা ক্ষত্রিয় নত্রগা বৈশ্যগী মথৌবা চত্তশিল্লরবদি মাদু পতিত্তনি— অদু কায়বনি হায়না লৌদে, অদুগা শূদ্রমকী থবক চৈক্ মতৌবৎলক্লবদি ব্রাহ্মণদু পতিত ওইরে— অদু তাবে চাদনৈ ॥২—৩॥

শূদ্রনা মাগী সেবাবৃত্তিদুনা জীবিকা ওইবা য়াদ্রক্লবদি— চাষ কোমরক্লবদি বৈশ্যগী মথৌ— লৌউ-শিংউবা, লয়োন-লৈতীকপা, শা-শন য়োক্পা থবকসু তৌবা য়াই। মাসি ফাওবসি মথোয়গীদমক শাস্ত্রগী য়াথং লৈ ॥৪॥

লীলাগী কথাকথক্তো দুপী-মহানা জগোইগী কিজেং শেংদুনা, জগোইনচিংবা শাদুনা শেন তানবা, ভোঙান্ ভোঙান্বা কিজেং শেংদুবা ভোঙাম্ ভোঙান্বা শক্তম্ লৌবা অদুগা জগোই-শাবা চৈশে-শকপা,

সংসিদ্ধঃ পুরুষো লোকে যদাচরতি পাপকম্। মদেনাভিপ্লুতমনাস্তচ্চ ন গ্রাহ্যমুচ্যতে ॥৭॥
শ্রূয়ন্তে হি পুরাণেষু প্রজাধিগ্দণ্ডশাসনাঃ। দান্তা ধর্মপ্রধানাশ্চ ন্যায়ধর্মানুবর্ত্তিকাঃ ॥৮॥
ধর্ম্ম এব সদা নৃণামিহ রাজন্ প্রশস্যতে। ধর্মবৃদ্ধা গুণানেব সেবন্তে হি নরা ভুবি ॥৯॥
তং ধর্মমসুরাস্তাত নামৃষ্যন্ত জনাধিপ। বিবর্দ্ধমানাঃ ক্রমশস্তত্র তেঽন্বাবিশন্ প্রজাঃ ॥১০॥
তাসাং দর্পঃ সমভবৎ প্রজানাং ধর্মনাশনঃ। দর্পাত্মনাং ততঃ পশ্চাৎ ক্রোধস্তাসামজায়ত ॥১১॥

শা-ঙা, শা-অশেঙ্বা হোন্বা, শউম্ অমদি শউন্না শাবা পোৎ-চৈ য়োন্দুনা মাহ্না জীবিকা ওইবা— হায়রিবশিংসে লোক সমাজদা য়াম্না নিন্দা তৌমৈ, তৌমনীঙ্ঙাই়দ্রবনি। অদুগা হায়ৈবা কর্ম অশি-মী মহাক অদুগী মূৰদা অমদি পশ্বিরায়দা আ-অকল কম্মল হাক্তকী পরম্পরা ওইনা তৌনরকপমক নত্তবদি মহাকথক্তকী ব্যবসায় অসি থক্ হৌদোক্লে ইদৌবনি। অদুগা পরম্পরাদগী চৎনরকবমক ওইরবসু খুদক্কা মুথৎলনবা তৌরবদি— মুথৎলবদি মাহ্ নায়া চাউবা পুণ্যকর্ম অমত্তুম ওইগনি ॥৫—৬॥

লৈপাক্ক অমদি লোক সমাজদা কাওরবা মমিং চৎলবা অমনা মাপন্দগী ওইরবসু, লোভী অমা ওইরকপদগী ওইরবসু নিন্দা তৌনীঙ্ঙাই ওইবা পাপকী থবক তৌরবদি, মাহ্ মহৈ হৈবা অকাওবা মীনা তৌখিবনি হায়না মাগী মক্তৌ অদু থক তম্মোইদোবনি ॥৭॥

পুরাণ পুরমক্তা অমুম্বা ইরি, মাহুদি — ঈহান্ হান্বদা মী পুমনক অসে অয়াম্বনা ইন্দ্রিয় থুম্ব চবা, ধর্ম (অচুম্বা) তদা পুক্নীং চঙবা, তৌবা হৌনবা থবক্তা তৌবা ওাক্ত ওইরম্মি। কনাগুম্বা অমনা মতম্বা কর্ম অমা তৌরবদি মাহুগী দণ্ডি হায়রবসু "তৌরিদা নং অসে" হায়হুনা মাবু নিন্দা তৌবা অশিতনা ওইরম্মি। মাসি চাউত্রব দণ্ডি অমনি হায়না লৌনরম্মি ॥৮॥

নিংথৌ! আ-মনাংদগী হৌহনা ধর্ম হায়বসিগীত্ত প্রশংসা তৌহনা, অদুগা অধর্ম্ম হায়বসিগীদা নিন্দা তৌহনা পরম্পরাদগী লাক্রি। অদুগুম্বা ধর্ম হায়বদুতসু সেবন তৌহনা পৃথিবীগীদা চাউত্র চাউরবা মী কয়া কয়ানা গুণ অমদি লেঙ্গুরবা মিংচৎনা লৈজেং শুইহনা লৈরম্মি। মথোয়গী মগুণ অমদি মিংচৎ অদু ইতিহাস, পুরাণ অমদি লোক সমাজদা লক্লি, মথোয়গী মতৌ তম্লি ॥৯॥

ঈবুঙো! নিংথৌ! মথোয়গী মিংচৎ মগুণ অদুগা তৌথোরকপা থবকশিং অদু উর-তাঁয়না অসুরশিংনা, হায়বদি— কক্কা হিংচা-মাইরূপশুহনা কললকই। মথোয়গী থবক অমদি মগুণ অদুবু মতৌ তমগেদি হায়রগা— মতৌ তম্বা ঙমত্রগা, অকবা দেবতাগুম্বা মীশিংদুবু মাঙহন্নবা — হাৎননবা হোৎনরম্মি, হৌজিকসু হোৎনরি। মাসি, মথোয়না ধর্মদুগী মনাঙদা থাঙহনা লৈবা ঙমদবদগীনি। অদুগুম্বা অসুরশিং অদু মশীং অমুম য়ামথৎলকুনা, মথং মথং শিন্থিবহনা কত্রবা প্রজাশিং ওাক্ত ওইনা পোক্লরে ॥১০॥

অদুদগীদি প্রজাশিংদগী মনক্তা ধর্মবু মক কংনা মাঙহন্নবগী মশক ওইরবা দর্প (থোয়বা, মাপল) হায়বদু হৌংশিন্খি। প্রজাশিংদুগী মনক্তা দর্প হায়বদুনা হেক্ চঙশিন্খিবদগীদি ক্রোধ— অশাউবা হায়বদু পোক্খি ॥১১॥

ততঃ ক্রোধাভিভূতানাং বৃত্তং লজ্জাসমন্বিতম্। হ্রীশ্চৈবাপ্যনশৎ রাজংস্ততো মোহো ব্যজায়ত ॥১২॥
ততো মোহপরীতাস্তা নাপশ্যন্ত যথা পুরা। পরস্পরাবমর্দেন বর্দ্ধয়ন্তো যথা সুখম্ ॥১৩॥
তাঃ প্রাপ্যাতু স বিপ্লবো ন কারণমতোঽভবৎ। ততোঽভ্যগচ্ছন্ দেবাংশ্চ ব্রাহ্মণাংশ্চাবমন্য হ ॥১৪॥
এতস্মিন্নেব কালে তু দেবা দেববরং শিবম্। অগচ্ছন্ শরণং বীরং বহুরূপং গুণাধিকম্ ॥১৫॥
তেন স্ম তে গগনগাঃ সপুরাঃ পাতিতাঃ ক্ষিতৌ। ত্রিধাপ্যেকেন বাণেন দেবাপ্যায়িততেজসা ॥১৬॥
তেষামধিপতিস্ত্বাসীৎ ভীমো ভীমপরাক্রমঃ। দেবতানাং ভয়করঃ স হতঃ শূলপাণিনা ॥১৭॥
তস্মিন্ হতেঽথ স্বং ভাবং প্রত্যপদ্যন্ত মানবাঃ। প্রাপশ্যন্ত চ বেদান্ বৈ শাস্ত্রাণি চ যথা পুরা ॥১৮॥
ততোঽভিষিচ্য রাজ্যেন দেবানাং দিবি বাসবম্। সপ্তর্ষয়শ্চান্বযুঞ্জন্ নরাণাং দণ্ডধারণে ॥১৯॥

নিংথৌ ! তাইবং মীওইবগী মরক্তা অশাউবা কৌবনা লাক্লবদা ইকাইবা হায়বা, অচুপা সদাচার (অকবা— ফজবা বাহৈ থাক্পা, চাকৃলা-কিয়েং) অনী অসি মুংখি। অদুদগীদি মখোয়দা তম্‌হৎপা হায়বদু লাকৃখি ॥১২॥

তম্‌হৎপা— মোহ হায়বসিনা লাক্লবদুদদি অক-কত্তগী বাখল, চুং-মাং-য়েংবগী বাখল অদু মাওথে। অদুদগীদি মখোয় মশেলমক্তা অমগা অমগা থেঙ্গাৎনচনা অমনা অমগী মাওননবা তৌনরক্লে। মাগী মাগী-ত চুংগাইনবা তোংননবা হোৎনরক্লে ॥১৩॥

অদুনা অমনা অমগী মথক্তা শাথীনা অত্যাচার তৌনরক্লবা, দণ্ড পীনিত্তায় ওইরবসিদা হায়গী— "তোক্লিদা নংসে, মনু হয়া হয়া থিক্কার তৌরি" অসিগুম্বা বাহৈগী মশক ওইরবা বারকৃচৈ (দণ্ড) না য়ায়কপা য়াক্লরে। মী পুম্নমক অসি দেবতা ব্রাহ্মণশিংবু উশিং-থোওইদবা অদুগা মানা মানা থোক্নপা তৌনিংবতা তৌবা মীশক্ তাক্লা ওইরক্লে ॥১৪॥

অসিগুম্বা অবস্থা অসি য়োক্লকবদা দেবতাশিংনা, পুনিংবা মশক্তা পুরথ, গুণ পুম্নমক্না তিক্লবা, তপথ-হৈবা দেবদেব ভগবান্ সদাশিবগী মকমদা আশ্রয় লৌখি ॥১৫॥

মতম অদুদা দেবতাশিংনা ক্‌লোকলনবা তেজবু পুরবা ভগবান্ মহাদেবনা থোরবা তেন্ অমত্তনা,— নগর অহুমদা লোংমদোংবক্তা কোয়শাই পাইদুনা লৈবা হিংচাবশিং অদুবু হাংকুনা লৈমায়থক্তা থাদখি ॥১৬॥

হিংচাবগী মকোক্ নিংথৌ অদু ওস্তোক্তা অকিবগী মশক্ কনো ভমথীরবা অমা ওইরম্মি, দেবতাশিংবু চুমিংচুক্না মিপাইহন্নম্মি। অদুবু মহাকপুরু ভগবান্ শূলপাণি মহাদেবনা হাংখি ॥১৭॥

হিংচাবা অদু হাংথবা তুংদা মী-লাই পুম্নমক হায়গী মতৌওক্তা ওলীংতোনা লৈখি। অমুকহন্না মখোয়গী থম্মোয়দবু বেদ-শাস্ত্রগী জ্ঞানগী মতাংনা পুম্থক থলহন্‌বিখি ॥১৮॥

অদুগী তুংদা সপ্তর্ষিশিংনা ইন্দ্রবু দেবতা পুম্নমক্কী নিংথৌ ওইনা অভিষেক তৌখি। ইন্দ্র মশামক্না স্বর্গগী শাসন তৌরে তৌনা মর্ত্যলোককী জীব পুম্নমকীদু শাসন পুখি ॥১৯॥

সপ্তর্ষীণামথোহর্দ্ধঞ্চ বিপৃথুর্নামপার্থিবঃ। রাজানঃ ক্ষত্রিয়াশ্চৈব মণ্ডলেষু পৃথক্ পৃথক্ ॥২০॥
মহাকুলেষু যে জাতা বৃদ্ধাঃ পূর্ব্বতরাশ্চ যে। তেষামপ্যাসুরো ভাবো হৃদয়ান্নাপসর্পতি ॥২১॥
তস্মাত্তেনৈব ভাবেন সানুষঙ্গেণ পার্থিবাঃ। আসুরাণ্যেব কর্ম্মাণি ন্যসেবন ভীম বিক্রমাঃ ॥২২॥
প্রত্যতিষ্ঠংশ্চ তেষ্বেব তান্যেবাদ্যাপরাণ্যপি। ভজন্তে তানি চাদ্যাপি যে বালিশতরা নরাঃ ॥২৩॥
তস্মাদহং ব্রবীমি ত্বাং রাজন্ সংচিন্ত্য শাস্ত্রতঃ। সংসিদ্ধাধিগমং কুর্য্যাৎ কর্ম্ম হিংসাত্মকং ত্যজেৎ ॥২৪॥
ন সঙ্করেণ দ্রবিণং প্রচিন্বীয়াৎ বিচক্ষণঃ। ধর্ম্মার্থং ন্যায়মুৎসৃজ্য ন তৎ কল্যাণমুচ্যতে ॥২৫॥
স ত্বমেবংবিধো দান্তঃ ক্ষত্রিয়ঃ প্রিয়বান্ধবঃ। প্রজা ভৃত্যাংশ্চ পুত্রাংশ্চ স্বধর্ম্মেণানুপালয় ॥২৬॥
ইষ্টানিষ্টসমাযোগো বৈরং সৌহার্দমেব। অথ জাতিসহস্রেণ বহূনি পরিবর্ত্ততে ॥২৭॥

সপ্তর্ষিশিংগী মতুংদা বিপৃথু কৌবা অমনা পৃথিবীগী নিংথৌ ওইখি। মহাক অসি ঋষিহান্ হান্‌বা নিংথৌ। মহাক মথন্তনা ক্ষত্রিয় খাগুলুপ কয়াগী মপু ওইখি ॥২০॥

অচৌবা শাগে— কাণ্ডলুপ্পা পোকপা, চহীদা তুপদা অহেন্‌বা, অথোইবা ওইবা মথোয়গী, অদুগা— মথোয়গী মমাংদা পোকখিবশিং অদুগী থম্মোয়দা অহান্‌বদা আসুরভাব (হিংচা-য়াইতম্বগী রাখল-ভাব) অসি কয়িমত্তা লৈয়মদে ॥২১॥

অদুদগীদি— মতমগী মতুংইন্না মপাঙ্গল কল্লবা নিংথৌশিং অদুগী রাখলদা অমদি থম্মোয়দা হায়রিবা আসুরভাব অসি মথং মথং লাকপা হৌরে ॥২২॥

হৌজিক কাওবা য়ায়া পংথগ্রব, মথোয়দা আসুরভাব চতগে হায়বা ফাওবা থগুপ্রবা মথোয়গী থম্মোয়দা অদুতৌগী আসুরভাব অদু অদুম ঈকায় কাদনা লৈরি। অদুগুম্বা আসুরভাব অদুবু মথোয়গী মহুমাইগী লেমজ-খোক্চনবগী— লেন-মনবগী— চাউথোক্লনবগী মচাক অমা ওইনা লৌশিল্লি ॥২৩॥

অদুনা নিংথৌ। ঐনা য়াম্না রাখল বিচায় তৌদুনা হায়রি,— তাইবং মীনা হীরম পুম্নমক্তা য়াম্না চাউথংনবা হোৎনপদবনি। অদুগা কয়িগুম্বা হীরম থবক্তা হিংসা (হিংচা-য়াইতম্বা) গী রাখল অমদি থবক্তি য়াওহন্দোইদৌবনি ॥২৪॥

অশিংবা— জানী ওইবা মীনা তৌগদবদি— ধর্ম্মগী থবক তৌনমবনি হায়দুনদু, অচুম্বা ন্যায়বিধিবু থাদোক্লনা পাখনা ভিন্নবা উপায় অমাদ লম্বীদা লন-থুম থক্ তাহোইদৌবনি। মরমদি— অদুগুম্বা লন অদুনা তৌবা ধর্ম্মগী থবক অদুনা পুন্‌শিদা য়াইফবা থক্ পীদোই। পীরবসু মাচুগী পোলোইনা অকবা থক্ ওইরোই হায়বসি থগুপদৌবনি ॥২৫॥

নিংথৌ। নহাকসু অদুগুম্বা ইন্দ্রিয় থুদুম চন্‌বা নিংথৌ হায়বসু ওইদুনা শাগে-নাতে প্রজাশিংগা মুংশিনবা লৈমিন্নদুনা, মনাই-মশলশিংবুসু মচা-মশুগুম লোক-থাকউ ॥২৬॥

অপাম্বা পান্দবা পোৎশক কয়া কয়াবু ফংদুনা, পোৎশক্ কয়াবু লৌশিন্নমদুনাং পোৎশক্ মথং কয়া

তস্মাৎ গুণেষু দ্রব্যেষু মাপোষেষু কথঞ্চন। নির্গুণোঽপি হি দুর্বুদ্ধিরাত্মনঃ সোঽভিমন্যতে ॥২৮॥

নাবেবষু মহারাজ ধর্মাধর্মৌ প্রবর্ত্ততঃ। ন তথাহন্যেষু ভূতেষু মনুষ্যরহিতেষ্বিহ ॥২৯॥

ধর্মশীলো মনুষ্যো বিদ্বানীহকোঽনীহকোঽপি বা। আত্মভূতঃ সদা লোকে চরেৎ ভূতান্যহিংসয়া ॥৩০॥

যদা ব্যপেতহৃল্লেখং মনো ভবতি তস্য বৈ। নানৃতং চৈব ভবতি তদা কল্যাণমৃচ্ছতি ॥৩১॥

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি

পরাশর-গীতায়াং একোণনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮৯॥

——:(৪):——

কয়াবু থাদোক্লমন্থনা জীব অসি— মপোক লিশিং লিশিং, দেহ মগুং লিশিং লিশিং লাদোক্লমন্থনা ওসি কাওবা লাক্লি। মতুংদগু মশী লাক্তমদবা দেহ মগুং কয়া কয়াদা চোং চোংহুনা অনন্তকাল অসিগী মনুংদা চৎথিগদৌরিবনি ॥২৭॥

অহুনা, অকবা গুণশিং লৈহুনা, ফত্তবা দোষকোয়দা থক চওশিল্লোইদৌবনি। মগুণ লৈতবা মীনু গুণ লৈ হায়না হন্নাওজরি। মহারাজ। ধর্ম অধর্ম অনীনা, সত্য অসত্য অনীনা, অহুগা, হায়রিবা— অসিগী বুধ নৈনবগী য়াথল অমদি বিচার অসি, তাইবংমীগী হকচাংসি মতুবা করিগুম্বা অত্তোম্বা দেহ অমদা জীবাত্মাসিনা তৌথিদে। হায়রিবা বিচার অসি ঈতৌ তৌরমগদা চৎথিবা তাইবংমীগী মপোক— দেহ কয়া কয়াদগী জীব অসি লৈরবনি। হন্দক অমুক লৈরবিনে য়ায়া লাইবক ফগ্রবনি ॥২৮—২৯॥

ধর্মগী তত্ত্ব খঙবা জ্ঞানীশিংনো থবক তৌন তৌনবু ওইরবসু, তৌদনবু ওইরবসু জগৎকী চৎপা, লৈরিবা, লাকদৌরিবা জীব পুম্নমক্তা অমত্তা ওইনা তিন্নশিন্নুনা, হায়থদি— আত্মভাব থম্না মখোয়দা হিংসাগী থবক অমত্তা তৌতনদনা মশা অমত্তা ওইনা লৈগদবনি ॥৩০॥

কত্তবা কর্মগী সংস্কারে অহুনা মপানগী সংসারগী কামনা পুম্নক অসি থাদোক্লুনা, পরিশুদ্ধ অকা-অপুন অমত্তা মশাদা য়াওদ্রবা মী মহাক অহুত্তমা হুনৃশিদা হুংঙাই-য়াইফবা ফংই ॥৩১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামদা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা,

মোক্ষধর্মপর্ব্বদা পরাশর-গীতাগী চনীমরিফুমাপলতুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮৯॥

——:(প):——

মণিপুরী মহাভারত

নবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(পরাশর-গীতাগী মথং)

চনীমরিকুতরাগুবা অধ্যায়।

——:():——

পরাশর উবাচ।

এষ ধর্মবিধিস্তাত গৃহস্থস্য প্রকীর্ত্তিতঃ। তপোবিধিং তু বক্ষ্যামি তন্মে নিগদতঃ শৃণু ॥১॥

প্রায়েণ চ গৃহস্থস্য মমত্বং নাম জায়তে। সঙ্গাগতং নরশ্রেষ্ঠ ভাবৈঃ রাজসতামসৈঃ ॥২॥

গৃহাণ্যাশ্রিত্য গাবশ্চ ক্ষেত্রাণি চ ধনানি চ। দারাঃ পুত্রাশ্চ ভৃত্যাশ্চ ভবন্তীহ নরস্য বৈ ॥৩॥

এবং তস্য প্রবৃত্তস্য নিত্যমেবানুপশ্যতঃ। রাগদ্বেষৌ বিবর্দ্ধেতে হ্যনিত্যত্বমপশ্যতঃ ॥৪॥

রাগদ্বেষাভিভূতং চ নরং দ্রব্যবশানুগম্। মোহজাতা রতির্নাম সমুপৈতি নরাধিপ ॥৫॥

পরাশরনা হায়,— ঈবুঙো। গৃহস্থগী ধর্মগী মথক্তা তৌগদবা বিধি করি নিংথৌ নঙোন্দা হায়রবনি। অহুনা হৌজিক্তি তপ (তপস্যা) গী বিধি অহু ঐ নীরগে ॥১॥

নিংথৌ। গৃহস্থ ওইবা মীনি মুমিংচুপ্পা রাজস তামস ভাবক্তদা লৈবনা তাইবংমী অতৈ অতৈদা অহুগা তোঙান্ তোঙান্না পোংশক্কে মমতা— ঐগী হায়বা রাখল অসি হেক্তা পোক্‌ই ॥২॥

ব্রহ্মচর্য্যাশ্রমদগী গৃহস্থাশ্রমদা হেক্ চঙলকপদগী তাইবংমীনা শঙ-ইরোই লোইবগী, লৌউ-শিংউবা অহুগা ইংথোল কোইবগী শেল-থুমগী পীথোক্-পীশিন্নগী, লোথোক্-লোশিন্নগী, মুপী-অঙাং মোক্-থাকপগী শাগৈ-নাতৈ তাই-শেলগী মধী লৈমবা থবক্তদা পুক্নীং চঙথি ॥৩॥

মতৌ অসুম্না প্রবৃত্তিমার্গতদা লৈহুনবা, হায়রিবশিং অসিবুত্ত থব্ধুনা উহুম্না লৈ। হায়বদি— অনিত্য ওইবা মপান্নগী কুমোমগী রাখল অহুতদা মুগুতাইহুন্না লৈখোকই। অহুনা পোংশিং অমুদা লৈরিবা— অনিত্যতা অহুবু থক্ উকদে, উগে হায়নসু থম্মুদে। অহুনা নিত্য ওইবা উবা কংদে। অসুম্না— অউবা অনিত্য অহুতদা অপাম্বা মিহৌবনচিংবনু হাপচিল্লি। হাপচিল্লুবনিনা মথং মথং অপাম্বা মিহৌবনচিংবা অহু হেন্‌গৎলকই ॥৪॥

. নিংথৌ। অপাম্বা করকপা হায়বা অমী অসিগী মথা পোন্‌থিহুনা তাইবংমীবা, সংসারগী পোক্তেশিং অসিদা কা হেম্না হেক্ আসক্ত কুইথিবহুনগী মোহ— তুম্নাংপা হায়বহুগী মথাকুগী মূর্তি হায়বাহু মী মহাক অহুগী নাক হেক্ লাক্‌ই ॥৫॥

কৃতার্থং ভোগিনং মত্বা সর্ব্বো ভবতি পর্য্যয়ঃ। লাভং গ্রামসুখানঙ্গং বা ততো নানুপগচ্ছতি ॥৬॥
ততো লোভাভিভূতাত্মা সঙ্গাৎ বর্দ্ধয়তে জনম্। পুষ্ট্যর্থং চৈব তত্তেহ জনস্যার্থং চিকীর্ষতি ॥৭॥
স জানন্নপি চাকার্য্যমর্থার্থং সেবতে নরঃ। বালস্নেহপরীতাত্মা তৎক্ষয়াচ্চানুতপ্যতে ॥৮॥
ততো মানেন সম্পন্নো রক্ষন্নাত্মপরাজয়ম্। করোতি যেন ভোগীস্যামিতি তস্মাৎ বিনশ্যতি ॥৯॥
তথাহি বুদ্ধিযুক্তানাং শাশ্বতং ব্রহ্মবাদিনম্। অন্বিচ্ছতাং শুভংকর্ম নরাণাং ত্যজতাং সুখম্ ॥১০॥
স্নেহায়তননাশাচ্চ ধননাশাচ্চ পার্থিব। আধিব্যাধিপ্রতাপাচ্চ নির্ব্বেদমুপগচ্ছতি ॥১১॥

মতি কৌবীসিনা হেক্ লাকপদগী মতি অমুভগী উপাসনা তৌদুনা, হায়বদি— মাহুডনা লাইবিং ওই-দুনা লৈখিবনা তাইবং মীনা মাহুম্ ভোগ তৌবডনা অথোইবা মথৌনি হায়না থন্‌বা হৌখি। মাহ্ মতুনা অতৈ অতোপ্পা কংজনীডডার— তোংজনীডডার অমতা লৈতে হায়না থন্‌খ্রে ॥৬॥

অদুগী মুংকগীদি পুক্নীং কৌবা ইন্দ্রিয়সিগী মথক্তা লোভ— অপাবা হায়বদুনা আক্রমণ তৌশিল্লকুমা মহাক্তী মথা পোলহন্‌খি। লাল অদু ওয়নবা মচা-মশু, শাগৈ-মাতৈ য়াম্না পোক্‌হল্লুনা মীচং-সজন য়াম-হন্‌খি। মথোয়সিনা অদুক মঙোন্দা ওন্‌শিল্লকুমা য়াগী মাওন তাকনবা তৌয়কনি হায়বসি তাইবং মীনা খঙদে। অহোয়নদুম্ মথোয়সিবু য়োক্ত-থারবগীতা থন্‌খ্রে। মথোয়গী দমক্তা লন্-থুম পৈশিন্-থোচ্চিন্-শাজয়বগী-ত থন্‌খি ॥৭॥

তৌবিরা থবক অসি পাপকী থবকনি হায়বা খঙনা খঙনা পাপ অদু লৈমনবগী দমক্তা শেল তাল্লি, হায়বদি— মথোক শোক্নি ॥৮॥

তাল্লিবা পৈশিবা শেল অদুগী পাৎমনা সমাজদা কংলিবা সম্মান মিংচেংনচিংবদু মাঙহনীডদবনা অপ-মান (চোম্ম) দগী মশাবু কণ্ডননবগী দমক্তা অমুক কম্না হোৎনবকই। মাহ্ ওয়নবা শেল-থুম তান্‌বডনা তাইবং মীওইবগী পুনশিগী অমদি মপোক্কী উদ্দেশ্যনি হায়বা কাওবা থন্‌খি। মাহ্ হোৎনবদা মাহুগী মুমিৎকী মতম অদু অদুম মাঙহন্‌খি ॥৯॥

তাইবংমীনা কয়া কয়িগুম্বদা যাগ-যজ্ঞমচিংবা শুভকর্ম্মশু মতৌই। অদুবু মাহুগী কংপকৌবিবা— মুংডাইবা অদুদি থক্ পায়দে। অদুবু জ্ঞানীশিংদি শুভকর্ম্মশিং অদুগী নিত্য ওইবা মুংডাইবা মহৈ অদুবু কংমনবা হোৎনৈ। অদুগুম্বা ব্রহ্মবাদীশিং অদুডনা সংসারসিমক্তদা— ইহলোকসিদা— শিত্রিতৈদা অমাডং অতা লৈক্রবা পদবীবু কংখি ॥১০॥

পৃথ্বীগী মপু। নিংথৌ। মুংশিমকমগী মশক ওইরবা, মুংশিবা হায়বদুগী ফুংনকম ওইরবা— মুগী-অডাং মচা-মশুশিংদুনা, হেক মুংথি-শিথিবদু উবগা, মহাকীমি হায়না থক্তবা ময়ল-মথুম্ অদুনা মুখ-মাঙথবক্রবদা, অদুগা মশানা যোগ লাকুনা অয়াবা-চৈয়াথোল কংলক্ত্রবা মতম অদুগা, তাইবংমীগী মশাদা বৈরাগ্য— হৈনিংদবা— তঙবগী ভাব অদু অদুম্ লাকই ॥১১॥

নির্ব্বেদাদাত্মসম্বোধঃ সম্বোধাচ্ছাস্ত্রদর্শনম্। শাস্ত্রার্থদর্শনাৎ রাজংস্তপ এবানুপশ্যতি ॥১২॥
দুর্ল্লভো হি মনুষ্যেন্দ্র নরঃ প্রত্যবমর্শবান্। যো বৈ প্রিয়সুখে ক্ষীণে তপঃ কর্ত্তুং ব্যবস্যতি ॥১৩॥
তপঃ সর্ব্বগতং তাত হীনস্যাপি বিধীয়তে। জিতেন্দ্রিয়স্য দান্তস্য স্বর্গমার্গপ্রবর্ত্তকম্ ॥১৪॥
প্রজাপতিঃ প্রজাঃ পূর্ব্বমসৃজৎ তপসা বিভুঃ। ক্বচিৎ ক্বচিৎ ব্রহ্মপরো ব্রতান্যাস্থায় পার্থিব ॥১৫॥
আদিত্যা বসবো রুদ্রাস্তথৈবাগ্ন্যশ্বিমারুতাঃ। বিশ্বেদেবাস্তথা সাধ্যাঃ পিতরোঽথ মরুৎগণাঃ ॥১৬॥
যক্ষরাক্ষসগন্ধর্ব্বাঃ সিদ্ধাশ্চান্যে দিবৌকসঃ। সংসিদ্ধাস্তপসা তাত যে চান্যে স্বর্গবাসিনঃ ॥১৭॥
যে চাদৌ ব্রাহ্মণাঃ সৃষ্টা ব্রহ্মণা তপসা পুরা। তে ভাবয়ন্তঃ পৃথিবীং বিচরন্তি দিবং তথা ॥১৮॥
মর্ত্ত্যলোকে চ রাজানো যে চান্যে গৃহমেধিনঃ। মহাকুলেষু দৃশ্যন্তে তৎ সর্ব্বং তপসঃ ফলম্ ॥১৯॥

অসিগুম্বা বৈরাগ্যভাব লাকপদগী তাইবং মীওইবগী থম্মোয়দা আত্মতত্ত্ববু খিবা অহৌবা খঙনীংবগী ভাব অমা হেক্ লাকই। খঙনীংবহ পোকপদগী বেদ-শাস্ত্রবু তম্বগী অমদি বৈনবগী বাখল অমা পুক্লীংদা লাকই। বেদ-শাস্ত্রগী অর্থ অহৌবা অর্থ অহৌগী তত্ত্ব অহুবু খঙনবগী অবাবা কয়া থাওনিবা, হায়বদি— তপস্যা তৌরিবা মীশিং অহৌগী তপস্যা অহুতনা আথোইবা ওনথানি ॥১২॥

নিংথৌ! হায়রিবসিগী মতুংইন্না, মচা-মশু, ফুগী-অঙাং, মপা-মমানচিংবগী মপান্নগী প্রেমগী থৌরীবু থদংলমহুনা তপস্যা তৌবা চংথিবা অসিগুম্বা মীশক অসি জগৎতা য়াম্না তাত্তিও। চক্রবমকপু চংপ্রগে হায়না থৱিবা মীশক অহুমকন্থ তাইবং মীওইবগী মরুংদা য়াম্না তাঙবনি ॥১৩॥

ঈবুঙো! অসিগুম্বা তপস্যা অসি তৌবগী অধিকার অসি মী পুম্নমক্না ঈরৈ হেক্ লৈ। ইন্দ্রিয় থুহুম চন্‌বা, পুক্নীংবু কাজিন্‌বা হায়বসি হৌবা শূদ্রনচিংবসিন্ বর্ণ-জাতিগী মীশিংনা তৌবথু য়াই। তপস্যাদি বর্ণ-জাতিনচিংবসিগী ভেদাভেদপা ময়ম— সম্বন্ধ কয়িমত্তা থমদে। মরমদি— তপস্যা হায়বসি তাইবংমী থুদিংমকপু স্বর্গদা চংনবগী পাক-চাউপ্রবা লম্বী অমনি ॥১৪॥

নিংথৌ। প্রজাপতি মশামক্না অকন্‌বা তপস্যা তৌদুনা ব্রহ্ম-পরায়ণ ওইহিদুনা অকন্‌ব ব্রত তৌদুনা মাহুগী মহৈনা জগৎপু জগৎপু শেম্বগী শক্তিহু ফংখি ॥১৫॥

ঈবুঙো! নিংথৌ! আদিত্য, বসুদেবতা, রুদ্র, অগ্নি, অশ্বিনীকুমার, বায়ু, বিশ্বেদেব, সাধ্য, পিতর, মরুৎকী কাওদুপ, যক্ষ, রক্ষ, গন্ধর্ব্ব, সিদ্ধ, সাধারচিংবা পুম্নমক্ অসিনা ওইরিবা— লৈরিবা কীতম অমদি মকম অসি মথোয় মথোয়না তৌরকপা তপস্যাগী মহৈনি ॥১৬—১৭॥

মমাংদৈদা সৃষ্টিগী মতমদা ব্রহ্মানা মরীচিনচিংবা ঋষি ব্রাহ্মণশিংবু পুথোকখি। হায়রিবা মথোয়শিং অসিসু তপস্যাগী শক্তিনা আকাশগী মকম পুম্নমক্তা কোয়চৎ চৎহুনা লৈরি ॥১৮॥

মর্ত্ত্যলোক অসিমক্তদসু চাউর-চাউরবা মুনি ঋষি, ধর্ম্মচেনবা নিংথৌ, অচৌবা শাগে জাত্তা পোক্লিবা, দানধর্ম্মনচিংবদা পুক্নীং চঙবা মীশক ওইনা পোক্লরিবনি। মাবা মানা তৌপ্রিবা তপস্যাশিং অহৌগী মহৈমক্তনি ॥১৯॥

কৌশিকানি চ বস্ত্রাণি শুভাণ্যাভরণানি চ। বাহনাসনপানানি তৎ সর্ব্বং তপসঃ ফলম্ ॥২০॥
মনোহরকুলা প্রেমদা রূপবত্যঃ সহস্রশঃ। বাসঃ প্রাসাদপৃষ্ঠে চ তৎ সর্ব্বং তপসঃ ফলম্ ॥২১॥
শয়নানি চ মুখ্যানি ভোজ্যানি বিবিধানি চ। অভিপ্রেতানি সর্ব্বাণি ভবন্তি শুভকর্ম্মিণাম্ ॥২২॥
নাপ্রাপ্যং তপসঃ কিঞ্চিৎ ত্রৈলোক্যেঽপি পরন্তপ। উপভোগ পরিত্যাগঃ ফলান্যকৃতকর্ম্মণাম ॥২৩॥
সুখিতো দুঃখিতো বাপি নরো লোভং পরিত্যজেৎ। অবেক্ষ্য মনসা শাস্ত্রং বুদ্ধ্যা চ নৃপসত্তম ॥২৪॥
অসন্তোষোঽসুখায়েতি লোভাদিন্দ্রিয়সম্ভ্রমঃ। ততোঽস্য নশ্যতি প্রজ্ঞা বিদ্যেবাভ্যাসবর্জ্জিতা ॥২৫॥
নষ্টপ্রজ্ঞো যদা তু স্যাৎ তদা ন্যায়ং ন পশ্যতি। তস্মাৎ সুখক্ষয়ে প্রাপ্তে পুমানুগ্রং তপশ্চরেৎ ॥২৬॥
যদিষ্টং তৎ সুখং প্রাহুর্দ্বেষ্যং দুঃখমিহোচ্যতে। কৃতাকৃতস্য তপসঃ ফলং পশ্যস্ব যাদৃশম্ ॥২৭॥

শেচ্ছাবা বাস্তনা লৈরিবা. মী খু ইগী হায়জকম— নিজকম ওইনা লৈরিবসিন্থ— মানা মানা ভৌজ-খিবা তপস্যাগী মহৈ মরুনি। থাক্ খেয়ুরিবসিনা,— মানা মানা তৌখিবা তপস্যাশিং অচুগী থাক্—অহেন্ হেন্দ খেয়ুগিবগীনি ॥২০॥

মপুক্লীং-ভাবী মশক জমচত্ত নীংথিজবী লোয়নবীবু ফ লিব', সনা-লুপানা থায়বা য়ুম-কৈ, কুয়া-লালানননিংবনা ফুংভাইনা লৈরিবা অসি পুম্নমক মপোক্ কয়াগী তপস্যাগী মহে মরুনি ॥২১॥

তুমফম-হীপকম্ চাবা, শেংনী চানীংবা পুম্নমক ফংহনা, মীওন্দা হায়জ-খাঙ্চকবা লৈতন— ভৌদন্ মপুন্শি লেন্বা ফংলিবসি মপোক্ কয়াগী তপস্যাগী মহৈনি ॥২২॥

অকন্বা। নিংথৌ। তপস্যানা ফংহন্বা ভমদবা পোৎ অমত্তা সংসারদা লৈতে, অচুগা তৌবা হৌবদবা কর্ম, অমুগা কাম্যকর্ম্মবু তৌনিংত্রিবা অসিমকমু সংসারগী সুখভোগপু থাদোবকপা তৌবা তপস্যাচুগী মহৈনি ॥২৩॥

নিংথৌ। অরাবদবু তাওবগু, ফুংভাইবদবু লৈরবন্থ বুদ্ধি জ্ঞানগী পাবৈনা শাস্ত্রশিংনা ভাকপা ওন্থবু মুন্না খওগগা সুখভোগপু থাদোকববনি ॥২৪॥

পেন্জবা, েম্র-লৈতবা হায়বসে অরাবা তানমবগী মরুনি—মুক্কম্নি। য়ুপাম্বমা পুক্লীং ইন্দ্রিয়বচিংববু ঊথক্ থক্হল্লি। মাকুংগীদি তাইবং মীওইবগী বুদ্ধি অসি মরু ফংনা মাংিউ। প্রমাণ অমদা হায়বগা— অভ্যাস তৌদবা বিদ্যানা মাঙথংখবছখুবনি ॥২৫॥

বুদ্ধিনা মপুকানা তেক মাঙখিবদা অচুম-অয়ান্ মশক্ খঙলক্তে। তৌগদবা তৌগোইদৌবা মথৌ মশক্ খঙলক্তে। মরম অদুনা, ফুংভাইবগী শরাকুনা মাঙলকবদা— তাইবং মী পুম্নমকনা অমুক্ তপস্যা তৌগদবনি ॥২৬॥

মানা পামবতবু ফুংভাইবনি হায়না খল্লি, মানা লৈনদবা পামদবচুনা অরাবনি খল্লি। তপস্যা তৌরগা ফুংভাইবচু নন্থুম্ মরুংগনি, তৌদ্রগা অয়াবচু ফংগনি। মরম অদুনা— তপস্যা তৌরগনা করি ফংবা, তৌদ্রগনা করি ফংবা হায়বচু নহাক্ অচুম্ খঙউ ॥২৭॥

নিত্যং জন্মাণি পশ্যন্তি বিষয়াংশ্চোপভুঞ্জতে। প্রাকাম্যং চৈব গচ্ছন্তি কৃত্বা নিষ্কল্মষং তপঃ ॥২৮॥
অপ্রিয়াণামবাপ্যাংশ্চ দুঃখ বহুবিধাত্মকম্। ফলার্থী তৎফলং ত্যক্ত্বা প্রাপ্নোতি বিষয়াত্মকম্ ॥২৯॥
ধর্মে তপসি দানে চ বিচিকিৎসাস্য জায়তে। স কৃত্বা পাপকান্যেব নিরয়ং প্রতিপদ্যতে ॥৩০॥
সুখে তু বর্ত্তমানো বৈ দুঃখে বাপি নরোত্তম। সুবৃত্তাৎ যো ন চলতে শাস্ত্রচক্ষুঃ স মানবঃ ॥৩১॥
ইষুপ্রপাতমাত্রং হি স্পর্শযোগে রতিঃ স্মৃতা। রসনে দর্শনে ঘ্রাণে শ্রবণে বিশাম্পতে ॥৩২॥
ততোঽস্য জায়তে তীব্রা বেদনা তৎ ক্ষয়াৎ পুনঃ। বুধা ন প্রশংসন্তি মোক্ষং সুখমনুত্তমম্ ॥৩৩॥
ততঃ ফলার্থং সর্ব্বস্য ভবন্তি জ্যায়সে গুণাঃ। ধর্মবৃত্ত্যা চ সততং কামার্থাভ্যাং ন হীয়তে ॥৩৪॥

তাইবং মীনা পাপকী শরক য়াওদবা কর্ম-ত তৌবগা মঙ্গল ওইবা য়াইফব-ত মফংই। মপূক্কীং তাব পোংশক্ অদুত মফংই ॥২৮॥

অফবা ফত্তবা থব্দনা, মপূক্কীং তাব— মপূক্কীনা পাম্বা পোংশক অদু ফংননবগী দমক সকামকর্ম তৌদুনা মাদুগী মহৈ অদু চাব ফংঙ্ত্রবগী পামজবা পোংশক, চোম্বা ঈকায়বা নংবা, অরাবা থুদোংঙাবা কয়া কয়াদু নংই। ফংদ্রিংলিবা মহৈ অদুগী মরমদা কর্মমত্তা থন্থিরুদনা, মহৈগী মরমদা আশা করিমত্তা থম্থিরুদনা কর্মগী শরক্ত মতৌংমবদি অরাবা থুদোংঙাবনচিংবদো অদুমা য়াম্না ফংলোইদৌবনি। অদুবা কর্মগী মহৈবু থাম্মুদনা, মহৈ অদুগী মরমদা করিমত্তা থল্লুবা, হায়বদি— নিষ্কামকর্ম তৌদুনা পরমেশ্বর পরমাত্মাবু ফংননবা হোৎনগদৌবনি ॥২৯॥

ধর্ম্ম তপস্যা দানমচিংবগী মরমদা চিংনবগী মশক্-ত ওইরবা - থাজদবা মী অদুদি নরকগামী ওই, নরক-ত চাই ॥৩০॥

নিংথৌ! করিগুম্বা অরাবা থুদোংঙাবদা তারবসু, নু ঙাইবা মওংদা তারবসু মাগী মহৌশাগী হায়বগী অফবা ফজবা লবাৎ-ব্যবহারগী লম্বীদগী মরম কায়দনা চৎলিবা মী মহাক অদুবু শাস্ত্রগী পাউতাকী মকুইরবা চৎপা মীশকাম হায়না খঙগদৌবনি ॥৩১॥

প্রজা পুরমকী মপু! তেল্না লীরীদগী পাইথোক্থিদুনা লৈমায়থক্তা নত্রগা করিগুম্বা মকম অমদা তাক্লবা চত্তরিবা মতম অদুমুক্তগী মদুংদা ইন্দ্রিয়না বিষয়বু ফংজবদুগী নুংঙাইবা ফংজবত্তনি, হায়বদি— মতম কুইদে, মীকুপমুক্তনি ॥৩২॥

অদুগুম্বা নুংঙাইবদুনা মাঙথিবদা তাইবং মীদা থম্মোয় শোক য়াম হায়বদু হেক্ লাকই। অদু য়েং-ঙবা কাওবদা অপণ্ডৎ মীনা, অরাম পুরমকুদগী লাংথোকপগী নুংঙাইবদুবু, হায়বদি— মুক্তিসুখ হায়বদুবু ফংনবা হোৎনগে থক্লে, পামদে ॥৩৩॥

মরম অদুনা বিবেক (অফ-ফত্তগী বাখল) লৈবা মী থুদিংমক্না মুক্তি ফংবগী নুংঙাইবা ফংহনবগীদমক্তা তপথবা, ইন্দ্রিয় থুদম চনবা হায়বা অসিনচিংবা গুণশিং অসি পোক্লকপনি। ধর্মগী নিয়মবু বিধি চুমনা

অপ্রবৃত্ত্যাগতাঃ সেব্যা গৃহস্থৈর্বিষয়াঃ সদা। অপ্রযত্নেনোপগম্যশ্চ স্বধর্ম ইতি মে মতিঃ ॥৩৫॥
মানিনাং কুলজাতানাং নিত্যং শাস্ত্রার্থচক্ষুষাম্। ক্রিয়াধর্মবিমুক্তানামশক্ত্যা সংবৃতাত্মনাম্ ॥৩৬॥
ক্রিয়মাণং যদা কর্ম্ম নাশং গচ্ছতি মানুষম্। তেষাং নান্যদৃতেলোকে তপসঃ কর্মবিদ্যতে ॥৩৭॥
সর্ব্বাত্মনানুকুর্বীত গৃহস্থঃ কর্ম্মনিশ্চয়ম্। দাক্ষ্যেণ হব্যকব্যার্থং স্বধর্ম্মে বিচরন্নৃপঃ ॥৩৮॥
যথা নদীনদাঃ সর্ব্বে সাগরে যান্তি সংস্থিতিম্। এবমাশ্রমিণঃ সর্ব্বে গৃহস্থে যান্তি সংস্থিতিম্ ॥৩৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
পরাশর-গীতায়াম্ নবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৯০॥

——:():——

ওয়বদি সংসারদা হুংতাইবা পান্‌বা হায়বদুবুস্ন অদুম্ মকংতি ॥৩৪॥ মসম অদুনা বিষয়শিং থোইদোক্‌না কয়া নোম্মুদনা মশামা লাকচবা বিষয়শিংবুস্ন অশিংবা গৃহস্থশিংনা অদুম জান তানা সেব্বন তৌগদবনি, মাসি ঐগী মতনি ॥৩৫॥

অচৌবা অকবা শাগৈদসু পোক্লবা, লোক সমাজদা সম্মান ফংলবা অদুগা শাস্ত্রশিংবু মৈমচুবা অর্থ তত্ত্ব মুয়া খঙলবা মীশিংগী, অদুগা তৌবা ওমজদবনা ধর্ম কর্ম তৌত্রবা, অদুগা আত্মতত্ত্ব খঙজত্রবা মীশিং অদুগীদু তৌথিবা লৌকিক কর্ম পুম্বা পুম্মাত মাঙিও। অসিগুম্বা মতম অসি লাকপা উত্তপগী মাদিনা করি তাবগে হায়বদু জগৎ অসিদা মখোয়দুগুম্বা মীশিংগীদি তপস্যা নত্তবা করিত্তম্বা সংকর্ম অমত্তা লৈতে ॥৩৬-৭॥

নিংথৌ। গৃহস্থ অমনা মথৌ পুম্নমক লেপ্পদুনা স্বধর্মবু ওত্তুনা, য়াম্না শিংনা বিধি কায়দনা পিতৃ-শ্রাদ্ধ, তর্পনমচিংবা অসি তৌগদবনি ॥৩৮॥

তুরেল শাখা অমোম পুম্নমক্না সমুদ্রদা তায়দুনা তিন্নবা অদুগুম্না অতৈ অতোপ্পা আশ্রম পুম্নমক—গৃহস্থাশ্রমগী আশ্রয় লৌরি ॥৩৯॥

মসম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা চনীমরিকুতয়াক্তবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯০॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

একনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(পরাশর-গীতা মখং লীথবা)

চনীমরিফুতরামাথোইশুবা অধ্যায়।

——॥৫॥——

জনক উবাচ।

বর্ণো বিশেষবর্ণানাং মহর্ষে কেন জায়তে। এতদিচ্ছাম্যহং জ্ঞাতুং তদ্ ব্রূহি বদতাং বর ॥১॥

যদেতজ্জায়তেঽপত্যং স এবায়মিতি শ্রুতিঃ। কথং ব্রাহ্মণতো জাতো বিশেষগ্রহণং গতঃ ॥২॥

এবমেতন্মহারাজ যেন জাতঃ স এব সঃ। তপসস্ত্বপকর্ষেণ জাতিগ্রহণতাং গতঃ ॥৩॥

সুক্ষেত্রাচ্চ সুবীজাচ্চ পুণ্যো ভবতি সম্ভবঃ। অতোঽন্যতরতোহীনাদবরো নাম জায়তে ॥৪॥

জনক নিংথৌনা হংখি,— ব্রাহ্মণশিংগী মহুংদা অথোইবা! ব্রাহ্মণশিং তোঙান্ তোঙান্বা বর্ণ অমুক খায়থব্রিবসিগী মরম থাহৈশেংবা করিনো? মাসি ঐ মুন্না খঙনীঙিঙ। মাসি ব্রাহ্মণ মহাক্না মুন্ন অমুক্তা তাক্পিয় ॥১॥

শ্রুতি (বেদ) না হায়রিবদি— মহাক অহুদগী করিগুম্বা মচা অমা পোকপ্লবদি পোক্লিবা (মচা) অদু অপোকপা মাগী চপ্চাবা মওং পুবা অমনি, পুম্নমক্ পুগদৌবনি। হায়বদি— সন্ততি (মচা) অমা তন্তবা অদুম লৈখিনবগী দমক অপোক্পা অমুনা মাগী ভার্য্যা (নুপী) গী গর্ভহুংদগী মচা হায়বদুগী অনৌবা মশক অমা লৌহুনা চোংথোবকপনি হায়রি। হায়রিবসিগী মতুংইন্না হায়কথদি ঐহান্ হান্বদা অমাগী মচা অদু-দগী হায়বদি ব্রাহ্মণ অহুদগী মথং মথং পোক্থরকপা মচাশিংমথৈ ব্রাহ্মণ তাক্লা ওইকম থোকপনি। অদুবি নত্তবা ব্রাহ্মণ অমতগী পোক্থরকপা ব্রাহ্মণশিংগী মচাসিংদা ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্র হায়না অমুক খায়থব্রিবা অসি করিগীনো? ॥২॥

পরাশরনা হায়,— চুম্মি, নিংথৌ। পোক্লিবশিং অদুগী মতুংদা পোক্থরক্লিবা মচাশিং অদু মথোয়গী অপোকপশিং অদুগী মশক মওং মথৌ চপ্মান্না পুকয় থোকই। অদুবু মাগী মাগী তপস্যাগী থাক্চিংবদুগী থেয়কলগী, তপস্যাগী মাঙা (চাং) চুগী মথং মথং অদুম হন্থরকপদগী অমাম্বা হন্থরকপা জাতিশিং অসি পোকখিবনি ॥৩॥

শেংলবা লৌবুক, শেংলবা মরু অনীসিদগী শেংলবা পাম্বী-মচা কয়া কয়া পোকখিবনি। অদুবু অকনবা

বক্ত্রাদ্ভুজাভ্যামূরুভ্যাং পদ্ভ্যাং চৈবাথজজ্ঞিরে। সৃজতঃ প্রজাপতের্লোকানিতি ধর্মবিদোবিদুঃ ॥৫॥

মুখজাব্রাহ্মণস্তাত বাহুজাঃ ক্ষত্রিয়াঃ স্মৃতাঃ। ঊরুজা ধনিনো রাজন্ পাদজাঃ পরিচারিকাঃ ॥৬॥

চতুর্ণামেব বর্ণানামাগমঃ পুরুষর্ষভ। অতোঽন্যে ত্বতিরিক্তা যে তে বৈ সঙ্করজাঃ স্মৃতাঃ ॥৭॥

ক্ষত্রিয়াতিরথাম্বষ্ঠা উগ্রা বৈদেকাস্তথা। শ্বপাকা পুল্কসাঃ স্তেনা নিষাদাঃ সূতমাগধাঃ ॥৮॥

অযোগাঃ করণা ব্রাত্যাশ্চাণ্ডালাশ্চ নরাধিপ। এতে চতুর্ভ্যো বর্ণেভ্যো জায়ন্তে বৈ পরস্পরাৎ ॥৯॥

জনক উবাচ।

ব্রহ্মণৈকেন জাতানাং নানাত্বং গোত্রতঃ কথম্। বহুনীহ হি লোকে বৈ গোত্রাণি মুনিসত্তম ॥১০॥

লৌথুক অথবা মরু, থরা হন্থবা লৌথুক থয়া হন্থবা মরু, অহুদগী অমুক খুাইদগী হন্থবা লৌথুক খুাইদগী হন্থবা মরু, অসুম হায়না লৈখিবদগী ব্রাহ্মণ তাকদি ওইরগা— থরা হন্থবা ব্রাহ্মণ, মায়া হন্থবিবা ব্রাহ্মণ অসুম হায়না খায়খিবতনি। খুাইদগী হেন্ন ব্রাহ্মণ অহুবা ব্রাহ্মণনি হায়না কৌহুনা অহুম মরোহোয়ে। থয় হন্থবা ব্রাহ্মণ অহুনা ক্ষত্রিয় কৌবা ব্রাহ্মণহু ওইখে। মাহুদগী হন্থরবা ব্রাহ্মণ অহুমা বৈশ্য কৌবা ব্রাহ্মণ অহু ওইখি। খুাইদগী হন্থরবা ব্রাহ্মণ অহুনা শূদ্র কৌবা ব্রাহ্মণ অহু ওইখি ॥৪॥

হায়রিবা ব্রাহ্মণশিং অসিনা তোঙান্ তোঙানবা মমিং লৌ লৌহুনা হন্থরিবাসগী মরমদি— অহানবদা প্রজাপতি ব্রহ্মানা মচাশিং অসি মাগী মপাদগী থোকহল্লখিবা মতম অতদা পোক্কম্ থোক্কম অমত্তা মায়-হন্খিদে। ব্রহ্মানা তাইবংমীবু শেম্বা মতমদা থরনা মচীনদগী, থরনা মপাহোমদগী, থরনা কৈগন্দগী, থরনা মখোঙদগী পুথোকখি— পোকহন্খি ॥৫॥

মাগী মচীনদগী থোকখিবশিং অহুনা ব্রাহ্মণ অহুম কৌরগী। মপাহোমদগী থোকখিবশিং অহুবুনা ক্ষত্রিয় হায়না কৌহন্খি। কৈগন্দগী থোকখিবশিং অহুবু বৈশ্য হায়না কৌরহন্খি। হকচাংগী খুাইদগী হন্থবা খোঙ হায়বদগী পোক্খিবশিং অহুবুনা শূদ্র হায়না কৌনহন্খি ॥৬॥

নিংথৌ। মতৌ অসুম্না ব্রহ্মানা মপা মথক্তদগী ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্র হায়বা ব্রাহ্মণ জাতি মরি অদি পুথোক্খি ॥৭॥

নিংথৌ। ক্ষত্রিয়, অতিরথ, অম্বষ্ঠ, উগ্র, বৈদেহ, শ্বপাক, পুল্কস, স্তেন, নিষাদ, সূত, মাগধ, অযোগ, করণ, ব্রাত্য, অহুগা চাণ্ডাল হায়রিবশিংসিদি ব্রাহ্মণচিংবা বর্ণ মরিহুগী, হায়বদি—ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য শূদ্র হায়বা বর্ণ মরি অহুগী অনুলোম, বিলোম ওইবা মুপীশিংগী সংসর্গদগী—তিমরকপগী পোকখিবা মচা-মশুশিং মকনি ॥৮—৯॥

জনকনা হায়,— মুনি অথোইবা! ব্রহ্মা মপা অমত্তদগী থোক্খিবা— পুথোকখিবা তাইবং মীশিং অসিগী গোত্র তোঙান্ তোঙানবা অমুক খায়থখিবা অদিনা করিগীনো? জগৎ অসিদা তাইবংমী মপেন অমত্তগী মমীং লাক্তুনরবা গোত্র (য়েক্-শলাই) কয়া কয়া লৈরি। মাসি করিগীনো? ॥১০॥

যত্র তত্র কথং জাতাঃ স্বযোনিং মুনয়ো গতাঃ। শুদ্ধযোনৌ সমুৎপন্না বিযোনৌ চ তথাপরে ॥১১॥

পরাশর উবাচ।

রাজন্নেতদ্ভবেদ্‌গ্রাহ্যমপকৃষ্টেন জন্মনা। মহাত্মনাং সমুৎপত্তিস্তপসা ভাবিতাত্মনাম্ ॥১২॥
উৎপাদ্য পুত্রান্ মুনয়ো নৃপতে যত্র তত্র হ। স্বেনৈব তপসা তেষামৃষিত্বং বিদধুঃ পুনঃ ॥১৩॥
পিতামহশ্চ মে পূর্ব্বমৃষ্যশৃঙ্গশ্চ কাশ্যপঃ। বেদস্তাণ্ড্যঃ কৃপশ্চৈব কক্ষীবান্ কমঠাদয়ঃ ॥১৪॥
যবক্রীতশ্চ নৃপতে দ্রোণশ্চ বদতাং বরঃ। আয়ুর্মতঙ্গো দত্তশ্চ দ্রুপদো মৎস্য এব চ ॥১৫॥
এতে স্বাং প্রকৃতিং প্রাপ্তা বৈদেহ তপসোঽশ্রয়াৎ। প্রতিষ্ঠিতা বেদবিদো দমেন তপসৈব হি ॥১৬॥
মূলগোত্রাণি চত্বারি সমুৎপন্নানি পার্থিব। অঙ্গিরাঃ কাশ্যপশ্চৈব বসিষ্ঠো ভৃগুরেব চ ॥১৭॥

মাগী মাগী পোক্নফম জাতি অমদি যোনিদ চপচানা চুম্না পোক্লবা মুনিশিংনা করিগীদমক্তা থরনা অশেংব পবিত্র ওইরবা গর্ভদা চঙহুনা পোকখ্রিবা ? থমনা ওন্নতেরবা হৃহবা যোনিদা, হায়রদি গর্ভদা চঙহুনা পোকখ্রিবা ? মাসি শেংনা অমুক্তা তাকপিয়ু ॥১১॥

পরাশরনা হায়,— নিংথৌ! তপস্যাগুনা থম্মোয় চকচাং শেংদোকপ্রবা অহুগুদা মহাত্মাশিংনা মনীং মথা তম্না করিগুম্বা হৃহবা পোত্র অমদা পোকশুরিবা মচা অহূ পোক্নফম ক্ষেত্র (মমা) অহূনা মপানুদা হৃহুগুম্বা জাতিগী মুশীদি ওইয়ে হায়ররু মচা অহুদি মান্না অথোইবা ওইনা পোক্লি ॥১২॥

মুনি মহাত্মাশিংনা অমদা অমদা পোক্লুরিবা মচাশিং অহুমা মপা মুনিশিং অহুগী তপস্যাগী পাঙ্গলনা অচৌ অচৌবা যোগী ঋষিমক্ত অহুম্ন মওইখি ॥১৩॥

বিদেহগী মপু, জনক ! ঐগী ইবুংথৌ বশিষ্ঠ কাশ্যপগোত্রগী ঋষ্যশৃঙ্গ, বেদ, পাণ্ড্য, কৃপ, কক্ষীবান্, কমঠনচিংবসি, যবক্রীত, মতোমশিংগী মধুংদা অথোইবা, দ্রোণ, আয়ু, মতঙ্গ, দত্ত, দ্রুপদ, মৎস্য হায়রিবা মথোর অসি তপস্যাগী শক্তিগনা মাগী মাগী চৎ চাবা মওংদা অভাবত্তা লেঙহনা লৈরম্নি। তপস্যাগী শক্তিনা অহুগা ইন্দ্রিয় থুদুম চনবগী পাঙ্গলনা বেদ শাস্ত্র লৈরবা অমুগা সমাজদা প্রতিষ্ঠা, সম্মান ফংলবা মীশক ওইখি ॥১৪—১৬॥

লৈপাক্কী মপু ! অহানবদা অঙ্গিরা, কশ্যপ, বশিষ্ঠ, ভৃগু, মরু ওইবা গোত্র * মরি অসি পোক্লেলো। গোত্র অতৈ অতৈনা কর্ম কর্মদুগী মতুংইনা পোকখি। গোত্রশিং অসি মাবু মাবু পোকপিরকপা হায়রদি—

* "গো" শব্দগী মরু ওইবা অর্থ অহুমনি। শাল, পৃথিবী, যাইহ (ব্রাহ্মণ) অহুম অসিমু ওইকুননবা, অচুম্বা লমদীদা পুখিনবা ওইনা শেম্বা মীশক নত্রগা পোক হায়রবনি। "ত্র" গী অর্থনা— তাকপা শেম্বা, হায়রবনি। অহানবদা বিশ্বকর্তা— ব্রহ্মানা মাগী সৃষ্টিবু ওইকুনবা মরম্মাই ওইনা শেমজবা মীশক মরিনি। মরি অদুগী পোকথোখিবা মী পুরমক অদুম গোত্র গোত্রদুগী মমিংগী মতুংইন্না মাগী মাগী গোত্র অদুম ওইখি। থমম ওইনা হায়রবদা— "অঙ্গিরা" দগী পোকথোখিবা মচা-মশু মথৌ "আঙ্গিরস" হায়না অদুম কৌখিবনি।

(কালাচাঁদ)

কর্মতোঽন্যানি গোত্রাণি সমুৎপন্নানি পার্থিব। নামধেয়ানি তপসা তানি চ গ্রহণং সতাম্ ॥১৮॥

জনক উবাচ।

বিশেষধর্মান্ বর্ণানাং প্রব্রূহি ভগবন্ মম। তথা সামান্যধর্মাংশ্চ সর্বত্র কুশলো হ্যসি ॥১৯॥

পরাশর উবাচ।

প্রতিগ্রহো যাজনং চ তথৈবাধ্যাপনং নৃপ। বিশেষধর্মা বিপ্রাণাং রক্ষা ক্ষত্রস্য শোভনা ॥২০॥

কৃষিশ্চ পাশুপাল্যঞ্চ বাণিজ্যঞ্চ বিশামপি। দ্বিজানাং পরিচর্য্যা চ শূদ্রকর্ম নরাধিপ ॥২১॥

বিশেষধর্মা নৃপতে বর্ণানাং পরিকীর্ত্তিতাঃ। ধর্মান্ সাধারণাংস্তাত বিস্তরেণ শৃণুষ্ব মে ॥২২॥

আনৃশংস্যমহিংসা চাপ্রমাদঃ সংবিভাগিতা। শ্রাদ্ধকর্মাতিথেয়ং চ সত্যমক্রোধ এব চ ॥২৩॥

স্বেষু দারেষু সন্তোষঃ শৌচং নিত্যানসূয়তা। আত্মজ্ঞানং তিতিক্ষা চ ধর্মাঃ সাধারণা নৃপ ॥২৪॥

গোত্র হৌদোকখিবা ঋষি অদুগী তপস্যানা সাধু সমাজদা কাওরবা, জগত্তা সম্মান কংলবা মীশকমক ওইখি ॥১৭—১৮॥

জনকনা হায়,— ভগবন্! মুনিদেব! বর্ণশিং অসিগী তোঙান্ তোঙান্‌বা, মথৌ— ধর্মশিং অদু তোঙান্ তোঙানা তাকপিয়ু। অদুগা খুইগী ওইবা ধর্ম অদুসু তাকপিয়ু। মুনিদি মাসি পুম্নমক মসি লোইনা খঙবিয়বা মীশক অমনি ॥১৯॥

পরাশরনা হায়, — নিংথৌ! মীনা করিগুম্বা অপন্তং তৌজবা দান, অতোপ্পশিংগী যজ্ঞ পাঙথোকখিবা অদুগা অতোপ্পশিংদা বিদ্যা তম্বিবা, অসিন তাক্পা হায়রিবসিনা ব্রাহ্মণশিংগী বিশেষ ওইবা মথৌনি অমদি ধর্মনি। প্রজাশিংবু ঙাকপিবনা ক্ষত্রিয়শিংগী অথোইবা ধর্মনি ॥২০॥

নিংথৌ! লৌউবা, শা-শল যোক্পা, সন্দোন্-মীতৌ তৌবা হায়রিবা কর্মশিং অসিনা বৈশ্যগী মথৌনি, ধর্মনি। দ্বিজাতিশিংগী, হায়বদি— ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অহুমসিগী সেবা তৌবনা শূদ্রগী মথৌ অমদি ধর্মনি ॥২১॥

মহারাজ! তোঙান্ তোঙান্‌বা বর্ণশিংগী তোঙাম্ তোঙাম্‌বা ধর্ম (মথৌ) অসু ঐনা হায়রে। মথোর পুম্নমক্কী ওইনা থেয়বা লৈতনা তৌগদবা ধর্ম অমদি মথৌ অমদি ধর্ম্ম অসু অমুক হায়গে তাও ॥২২॥

অমথীনা মুংশিংহেন্তবা হায়বসু থালোকুনা জীব পুম্নমক্কা পৌজালহৈবা, হিংসা তৌদবা, ঐপা পাখংতুনা ঙম্মবা, তাওবা তৌদবা, চুমিং খুদিংগী দেবতা অমদি পিতৃলোকী থাথল থাদোক্তনা মথোরগী শ্রাদ্ধ থৌ থৌ ঙম', অর্নীরশিংগী শ্রাদ্ধকর্মনচিংবা নিয়ম থাইনা তৌবা, নোংমগী ভুমকবা অতিথি সেবা তৌবা, অচুম্বা ঙাঙবা, অশাউবা কাজিন্‌বা, মশাগী নুপী (লোয়মবী) তনা পেংজহুমা লৈবা, পুক্নীং চকচাং তক তকনা, অশেং অশেংবা লৈবা, মীগী লোয় ঙনা হুনা থিদবা, আত্মজ্ঞান লৈবা অমদি থাওবা কন্‌বা, হায়রিবশিং অসি বর্ণ খুদিংমক্কী অমত্তা ওইবা ধর্মনি। মাদি সামান্য ধর্ম্মনি— মানব ধর্মনি ॥২৩—২৪॥

ব্রাহ্মণাঃ ক্ষত্রিয়া বৈশ্যাস্ত্রয়োবর্ণা দ্বিজাতয়ঃ। অত্র তেষামধিকারো ধর্মেষু দ্বিপদাং বর ॥২৫॥

বিকর্মাবস্থিতা বর্ণাঃ পতন্তে নৃপতে ত্রয়ঃ। উন্নমন্তি যথাসন্তমাশ্রিত্যেহ স্বকর্মসু ॥২৬॥

ন চাপি শূদ্রঃ পততীতি নিশ্চয়ো ন চাপি সংস্কারমিহার্হতীতি বা।

শ্রুতিপ্রবৃত্তং ন চ ধর্মমাপ্নুতে ন চাস্য ধর্মে প্রতিষেধনং কৃতম্ ॥২৭॥

বৈদেহ কং শূদ্রমুদাহরন্তি দ্বিজা মহারাজ শ্রুতোপপন্নাঃ।

অহং হি পশ্যামি নরেন্দ্র দেবং বিশ্বস্য বিষ্ণুং জগতঃ প্রধানম্ ॥২৮॥

সতাং বৃত্তমধিষ্ঠায় নিহীনা উদ্দিধীর্ষবঃ। মন্ত্রবর্জং ন দুষ্যন্তি কুর্বাণাঃ পৌষ্টিকীঃ ক্রিয়াঃ ॥২৯॥

মিপা অখোইবা নিংথৌ! ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অহুম অসি দ্বিজাতি কৌই। মথক্ত হায়খিবা ধর্ম অমদি কর্মশিং অসি তৌবদা মখোয়গী মপুংফানা অধিকার লৈ ॥২৫॥

নিংথৌ! হায়রিবা বর্ণ অহুমগী মীশিংসিনা মাগী মাগী মতৌশাদগী ওন্নতৈনবা তেক্ তৌবদা পতিত (লৈখা তাবা, মমাঙনা ইঙ্খোকপা) হায়রকু ওই। অমসুং সঙ তৌদুনা হায়রিবা বর্ণ অহুমসিগী মীনা মাগী মাগী মখোয়গী লীব্রম কায়দনা চৎকুনা চাউখৎপা কংবা অহুপ, মাগী মাগী মখোয়গী নাম্থোকুনা চৎলবদি লৈখা তাবসু অহুপ ওই ॥২৬॥

শূদ্রদি মশামা পতিত ওইবগা অমা ওইদুনা লৈরবনা মখোয়গী অমুক হন্নীতঙ্গায় লৈত্রে। অদুনা মখোয়গীদি উপনয়ন— খুঙগুণ থাংবনচিংবা বৈদিক সংস্কার লৈতে। বেদগী নিয়ম মতুংইন্না যজ্ঞানুষ্ঠানচিংবা বৈদিকবর্মশিং অসিদা শূদ্রশিংগী অধিকার লৈতে। অদুবু মহাক্নগী ওইনা হায়খিবা মানবধর্মশিং অদুদদি মখোয়গীসু অধিকার লৈ ॥২৭॥

মহারাজ! বিদেহগী মপু! বেদ-শাস্ত্রগী জ্ঞাননা তিন্নবা শূদ্রবু প্রজাপতিমক্তি হায়না কৌই। মরমদি— সেবাতনা প্রজা পুম্নমক্কী পোন্নবতা তোংনরিবসি শূদ্রতনা তৌরি। অদুগা ঐগী মতঙদি শূদ্রবু ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুমক্তি হায়নীতিঙ। মরমদি— তাক-শেম্বা হায়বা ধবক অসি বিষ্ণু ভগবান্নীনি। শূদ্রনা মশাগী সেবাধর্মতনা শ্রীবিষ্ণুবু হায়বদি— শ্রীনারায়ণবু পেন্নকম্মুনা বিষ্ণুগী মাক্ত চত্তখি ॥২৮॥

শূদ্রনা মশাগী আত্মা চাউখৎহন্নবগী মমক্তো মশাগী সেবা তৌবা মখোয়গী মথক্তা মানবধর্মবু হাপকৎকদবনি। হায়বদি— সদাচার, সত্য, অহিংসানচিংবসু মশাগী মখৌ সেবা হায়দুনা হাপকংলবদি মহাক্কী আত্মা অদু মী পুম্নমক্তা অদুগা জীব শাদ্বা খুত্তিংমক্তা লৈবা সর্ব্বব্যাপক ওইবা আত্মা (পরমাত্মা) অদু ওইরকই, অসিনি আত্মাগী চাউখৎপা হায়রবু। অদুইবং মীওইবা পুম্নমক্কী ওইবা ধর্ম-কর্ম পুম্নমক মহাকসু তৌবা য়াই, তৌগদবমক্তি। ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়কগী খাকুনা হম্বা মখৌ অদুদি মহাক্কা তৌবা য়াদে হায়বতনি। অদুম তৌরবদি মহাক্কী আত্মা অদু শূদ্রতগী আত্মা ওইদুনা অদুম্ মরেরে। হায়বদি— চাউখৎপা য়াত্রে, অহোয়নদুম লৈখা তারকনি। আত্মাবু তাহন্নবগী প্রায়শ্চিত্ত প্রতীকারদুম তৌবা তারকপনি। ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়

যথাযথাহি সদ্বৃত্তমালম্বন্তীতরে জনাঃ। তথাতথা সুখং প্রাপ্য প্রেত্য চেহ চ মোদতে ॥৩০॥

জনক উবাচ।

কিং কর্ম দূষয়ত্যেনমথো জাতির্মহামুনে। সন্দেহো মে সমুৎপন্নস্তন্মে ব্যাখ্যাতুমর্হসি ॥৩১॥

পরাশর উবাচ।

অসংশয়ং মহারাজ উভয়ং দোষকারকম্। কর্ম চৈবহি জাতিশ্চ বিশেষং তু নিশাময় ॥৩২॥

জাত্যা চ কর্মণা চৈব দুষ্টং কর্মনসেবতে। জাত্যা দুষ্টশ্চ যঃ পাপং ন করোতি সপূরুষঃ ॥৩৩॥

জাত্যা প্রধানং পুরুষং কুর্ব্বাণং কর্মধিক্কৃতম্। কর্ম্ম তৎ দূষয়ত্যেনং তস্মাৎ কর্মনশোভনম্ ॥৩৪॥

জনক উবাচ।

কানি কর্মাণি ধর্ম্যাণি লোকেঽস্মিন্ দ্বিজসত্তম। ন হিংসন্তীহ ভূতানি ক্রিয়মাণানি সর্ব্বদা ॥৩৫॥

অসিনচিংবগী প্রায়শ্চত্তশু অসি ওাক্তনি। অদুনা মাগী কন্নে হায়না কৈরিবা স্বধর্ম অচুম্বনা অথোইবনি, হায়না থন্‌গদবনি হায়রিবসি অসিননি। ধর্ম পুন্নমক থাদোকুনা মশাগী ধর্ম অমত্তদা লৈগদবনি হায়রিবসি অসিননি। অদুবা শূদ্রনা ব্রাহ্মণগুম্না যাগ-যজ্ঞনচিংবা তৌদুনা বেদমন্ত্র হায়ে, হায়রিবসি মাদু হুন্নালবগী বা নত্তে, মশাগী আম্বাগী চাউথংনবগী নমক্তা হায়রিবনি। ব্রাহ্মণগীদু অদু মডাম, যাগ-যজ্ঞ তৌরনসু, বেদ-মন্ত্র উচ্চারণ তৌদুনসু মশাদা মানবধর্ম লৈত্রবদি ব্রাহ্মণগী আম্বাদুসু লৈথা অদুম মডাগনি। শূদ্রবা দোষ পুবদুগুম্না ব্রাহ্মণ মচাকসু দোষ অদুম মপুগনি ॥২৯॥

হায়রিবা ব্রাহ্মণচিংবা জাতিশিং নত্তবা অতোপ্পা জাতি সম্প্রদায়গী মী পুন্নমকসু মাগী মাগী ধর্মনি হায়-দুনা লৈনরিবা লৈনরিবা অচুগী মথক্তা সদাচারনচিংবা মানবধর্ম অসি হাপচিন্দুনা মাগী মাগী আম্বাবু চাউ-থংহন্নবগী নমক্তা হোৎনগদবনি। অদু ওইরবদি— ইহলোক-পরলোক— হন্দকী মপোক্ মতুংগী মপোক অনীমক্তা নুংঙাইবদু অদুম মফাংই ॥৩০॥

জনকনা হংতি,— মহামুনি। ঙাইবংমীবু মাঙথোক্লিবা— দোষ লৈহল্লিবসি মাগী কর্মদুনয়া? নত্রগা জাতিদুনরা? মাসি ঐগী পুক্নীংদা যাম্না চিংনরে। মাসি ওপাইনা অমুক্তা তাকপিবু ॥৩১॥

পরাশরনা হায়,— মহারাজ! কর্ম্ম অদুগা জাতি অনীমক্তা ঙাইবং মীওইববু দোষ লৈহল্লি। অদুদা মাসিগী তোঙান্‌বা রাক্সু লৈরি। মাদু পুক্নীং চঙনা তাও ॥৩২॥

মাগী জাতি কর্ম অনীগী কবা হেন্‌থিবা নত্রগা হন্থবা, পাপ পোক্লককম ওইবা কর্মবুসু তৌরদবা, অদুগা জাতি হন্থরবা, দোষ লৈবা পাপকর্মবু তৌকত্রিবা মহাক অদুবু পুরুষ কৌই ॥৩৩॥

অথোইবা অহেন্‌বা জাতিদা পোক্লগা নিন্দা তৌননীঙঙাই ওইবা কর্ম তৌরবদি কবাবা কর্মদুগা শয়-কবদগী মহাক মশাদা কলঙ্ক লৈবা মী অমা ওইরে। মশাদা কলঙ্ক (অমকপা) অদুবু লৈরবদি অচৌবা জাতিদা, অথোইবা শাগৈদা পোক্লুবগী করিদি ক্যারি? মরম অদুনা অথোইবা অহেন্‌বা জাতিদা পোক্লগা মীশিংবা মীনা নিন্দা তৌবনীঙঙাই ওইবা কর্ম থক তৌবোইদবনি ॥৩৪॥ জনকনা হায়,—ব্রাহ্মণ অথোইবা

পরাশর উবাচ ।

শৃণু মেঽত্র মহারাজ যন্মাং ত্বং পরিপৃচ্ছসি । যানি কর্ম্মাণ্যহিংস্রাণি নরং ত্রায়ন্তি সর্ব্বদা ॥৩৬॥

সংন্যস্যাগ্নীনুদাসীনাঃ পশ্যন্তি বিগতজ্বরাঃ । নৈঃশ্রেয়সং কর্ম্মপথং সমারুহ্য যথাক্রমম্ ॥৩৭॥

প্রশ্রিতা বিনয়োপেতা দমনিত্যাঃ সুসংশিতাঃ । প্রয়ান্তি স্থানমজরং সর্ব্বকর্ম্মবিবর্জ্জিতাঃ ॥৩৮॥

সর্ব্বে বর্ণা ধর্মকার্য্যাণি সম্যক্ কৃত্বা রাজন্সত্যবাক্যানি চোক্ত্বা ।

ত্যক্ত্বা ধর্মং দারুণং জীবলোকে যান্তি স্বর্গং নাত্র কার্য্যো বিচারঃ ॥৩৯॥

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি

পরাশর-গীতায়াং একনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৯১॥

——:(*):——

কয়িগুম্বা কনাগুম্বা অমত্তগী মকমদা হিংসা তৌরবা হৈথোক্ থোক্তবা, ধর্মগী মরমদগী ওইবা কর্ম হায়বসিবু কয়িনো ? অহুগুম্বা কর্মশিংবু নৈত্রা ? মাদু নৈয়বদি তাকপিয়ু, তৌজগে ॥৩৫॥

পরাশর মুনিনা হায় — মহারাজ ! অহুগুম্বা কর্ম হায়গে তাবিয়ু । হিংসা য়াওদবা কর্ম অহুতনা তাইবং মীবু অরাবা থুদোংথীবদগী কণি ॥৩৬॥

যজ্ঞনচিংবা কর্মবু থাদোক্লমহুনা, মপানগী সংসারগী কয়িগুম্বা বিষয়দা হৈনিংবা পোকহল্লনা, কয়িগুম্বা পোংশক্ অমদা অপাম্বা পোকহল্লনা, জগৎকী সম্পাকগী কায়নবতা ওইরবা থবক তৌহনা, তপস্যা, মোল্লুকপা অসিনচিংবা গুণনা, ইন্দ্রিয় খুদুম চন্‌বা লোয়ননা মশাগী ধর্ম অমদি মথৌ পাঙথোক্পদা— অকনবা ব্রত তৌরিবা অহুগুম্বা মী মহাক অহুতনা অমাঙ-অতা নৈত্রবা পদবীবু কংই ॥৩৭—৩৮॥

নিংথৌ । বর্ণ খুদিংমকী মী খুদিংমকা, জীব জগৎ অসিদা মাগী মাগী ধর্ম্মনা তাক্পা মথৌ অহু অহুবু তৌরমহুনা, অকিবগী মশক্ ওইরবা পাপকর্মবু থাদোক্লুনা মাহুগী মহৈনা স্বর্গলোকতা চৎখি । হায়রিবা অসিদা চিংনকম কয়িমতা নৈত্রবনি ॥৩৯॥

মহম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্মপর্ব্বদা পরাশর-গীতাগী চনীমরিফুত্তরামাথোইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯১॥

——:(*):——

মণিপুরী মহাভারত

দ্বিনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(পরাশর-গীতা—মথং)

চনীগা মরিক্কুতরানিথোইশুবা অধ্যায়

——:(*):——

পরাশর উবাচ।

পিতা সখায়ো গুরবঃ স্ত্রিয়শ্চ ন নির্গুণানাং হি ভবন্তি লোকে।
অনন্যভক্তাঃ প্রিয়বাদিনশ্চ হিতাশ্চ বৈশ্যাশ্চ ভবন্তি রাজন্ ॥১॥
পিতা পরং দৈবতং মানবানাং মাতুর্বিশিষ্টং পিতরং বদন্তি।
জ্ঞানস্য লাভং পরমং বদন্তি জিতেন্দ্রিয়ার্থাঃ পরমাপ্নুবন্তি ॥২॥
রণাজিরে যত্র শরাগ্নি সংস্তরে নৃপাত্মজো ঘাতমবাপ্য দহ্যতে।
প্রয়াতি লোকানমরৈঃ সুদুর্লভান্ নিষেবতে স্বর্গফলং যথাসুখম্ ॥৩॥
শ্রান্তং ভীতং ভ্রষ্টশস্ত্রং রুদন্তং পরাঙ্মুখং পারিবর্হৈশ্চ হীনম্।

পরাশরনা হায়,—মহারাজ! সংসারদা মমা-মপা, গুরুজন, মরুপ-মপাং, শাগে-নাতৈ, হায়রিবশিং অসি মহাকী দি কনামতা লৈতে। হায়রিবশিং অসি মতোন্দদি করিমতা ওইদে। মরমদি মহাক্কি কদ্রিগুম্বা গুণ অমত্তগা তিন্নদে, গুণহীননি। ভগবান্ (প্রভু) গী তোঙাপ্রবা ভক্ত ওইরবা, অতপ্পা হুংশিবা অথুবতা ভাউবা, মীগী অফবা মঙ্গল ওইবতা থবগা, ইন্দ্রিয় পুম্নমক চম্নবা অহুগুম্বশিংতনা মহাকী মী ওই, হায়বদি—প্রভু (ভগবান্) না অহুগুম্বা মীশিং অম্বু থাদোক্কে ॥১॥

মপা হায়বসিতনা ভাইবংমীগী অথোইবা দেবতা (লাই) নি। কনা কনাগুম্বনা মপা হায়বসিবু মমা হায়বসিদগী হেল্লি হায়না খল্লি। জ্ঞান ফংবা হায়বসিনা খুদিংমগী অতোংবনি, হায়না অথোইবা জ্ঞানীশিংনা লৌরে। মীৎ নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয় পুম্নমকপু, অদুগা রূপ রসনচিংবা বিষয় পুম্নমকপু জয় তৌরবা মী মহাক অদুদনা অথোইবা থুজ্জয় ফংজিল্ল ॥২॥

ক্ষত্রিয়গী মচা-মনুপশিংনা থোঙফম নাম-ত্ত হুন্দনা লানুকমগী মথক্ ওইরবা মোংফমদা তেনগী চিতা মথক্তা মশা চাক্‌থেক্নদুনা ঈগুং গুংঙাইনা স্বর্গগী হুংগাইববু ফংথি ॥৩॥

লানফমদা মশা চোক্‌থরবা, কিহুনা হন্দোক্লবা, খুংলায় লৈমায়থক্তা থাদরবা, লানফমদা কপ-লাউরবা,

অনুদ্ধতং যোগিনং যাচমানং ন বৈ হিংস্যাৎ বালবৃদ্ধৌ চ রাজন্ ॥৪॥
পারিবর্হৈঃ সংযুক্তমুদ্যতং তুল্যতাং গতম্। অতিক্রমেৎ তং নৃপতি সংগ্রামে ক্ষত্রিয়াত্মজম্ ॥৫॥
তুল্যাদিহ বধঃ শ্রেয়ান্ বিশিষ্টাচ্চেতি নিশ্চয়ঃ। নিহীনাৎ কাতরাচ্চৈব কৃপণাৎ গর্হিতো বধঃ ॥৬॥
পাপাৎ পাপসমাচারান্নিহীনাচ্চ নরাধিপ। পাপ এব বধঃ প্রোক্তো নরকায়েতি নিশ্চয়ঃ ॥৭॥
ন কশ্চিৎ ত্রাতি বৈ রাজন্ দিষ্টাবশমাগতম্। সাবশেষায়ুষং চাপি কশ্চিন্নৈবাপকর্ষতি ॥৮॥
স্নিগ্ধৈশ্চ ক্রিয়মাণানি কর্মাণীহ নিবর্ত্তয়েৎ। হিংসাত্মকানি সর্ব্বাণি নায়ুরিচ্ছেৎ পরায়ুষা ॥৯॥
গৃহস্থানাং তু সর্ব্বেষাং বিনাশমভিকাঙ্ক্ষতাম্। নিধনং শোভনং তাত পুলিনেষু ক্রিয়াবতাম্ ॥১০॥
আয়ুষি ক্ষীয়মাণেয়ে পঞ্চত্বমুপগচ্ছতি। তথা হ্যকারণাৎ ভবতি কারণৈরুপপাদিতম্ ॥১১॥

মযায় ওন্দুনা চেন্নবা, মথুম্তা লালগী মপোৎ-মচৈ খুংগু-খুৎলায় অমত্তা য়াওদ্রবা, লাল তৌনিংদ্রবনা মথুৎ কাওবা হাইগদ্রবা, মশাদা কন্নিত্তবা লায়না অমা লাক্লবা, কন্থিবু হায়না মথরায় নিয়বা, মায়া মহা নত্রগা অহল ওইরবা য়েক্নববু থক হাৎলোইদৌবনি ॥৪॥

লালগী মপোৎ-মচৈ তুনা য়াত্তনা লৈরিবা, লালগী দমক্তা শেম-শাদুনা ত্তাইদুনা লৈরিবা, শামান্-লেং-মায়বা অহুগুম্বা য়েক্নববু ক্ষত্রিয়শিংনা নীত্তহন্নদনা জয় তৌননবা হোৎনগদবনি ॥৫॥

মমায়বা নত্রগা কন্বা খৌবদা মত্তোন্দগী হেনবা য়েক্নবগী মথুম্তা থরায় থাবনা ক্ষত্রিয়গী অথোইবা ধর্মনি। যুদ্ধশাস্ত্রগী ত্তবু খত্তবা মীশিংনা অমুম্না হায়বৈ। মাত্তোন্দগী পাকন্দা হন্থবা অশোয়্বা য়েক্নবগী মথুম্তা শিবা হায়বসিনা খ্বাইদগী নিন্দা তৌননীত্তায়নি ॥৬॥

নিংথৌ। পাপী ওইবা, নয়মচৎ থীরবা, কত্রবগী মথুম্তা শিবা হায়বসিনা খ্বাইদগী চন্থবা মশিনি। অসুম্না শিয়বদি আত্মা অহু নরকলোমদা চৎথি। মাসি যুদ্ধশাস্ত্রনা লেপ্পত্রবা নিয়মনি।

নিংথৌ। মৃত্যু (শিবা) গী থরাত্তা তারবা মীবু কনানন্থ কন্থিবা ঙমদে। মাগী চেত্ত লৈরিবা মীবু কনানন্থ হাৎপা ঙম্দে ॥৮॥

চায়য়বা মঙ্গল-মপাৎ, ঙাই-শেলনা হিংসাগী কন্নিত্তবা থবক অমা তৌরক্রবদি— তৌবা হোৎকলবদি মাহু থুনা য়াওনা থিংহৌপগৎবনি— থামহৌগদবনি। অতোপ্পা পুন্শি লৌশিন্দুনা, হায়বদি— অতোপ্পগী পুন্শিনা মশাগী পুন্শিবু শাংথহন্নবগী থক হোৎনরোইদৌবনি। অতোপ্পা অমবু হাৎলগা মশাগী পুন্শি শাংথহন্‌বা য়াগদবা লৈয়বা কাওবদা মাহুগুম্বা থবক্ থক্ তৌরোইদৌবনি ॥৯॥

সংসারদগী থোক্থিবা পায়বা মীনা গঙ্গানচিংবা তীর্থদা যাগ-যজ্ঞ দাননচিংবা তৌদুনা ধ্যান তৌদুনা মথরায় থায়বদি মাদুনা খ্বাইদগী অফেনবা মৃত্যুনি ॥১০॥

দেহগী মপু দেহী (আত্মা) অসিনা মাগী পুন্শি হেক্ লোইবদা, হায়বদি— হেক্সুংদা লৈগদবা অসি হেক্ লোইবদা মহাক পঞ্চত্ববু ফংথি— লৌথি। হায়বদি— পঞ্চভূতশিংগী অরোইবা মওং লৌথি।

তথা শরীরং ভবতি দেহাৎ যেনোপপাদিতম্। অধ্বানং গতকশ্চায়ং প্রাপ্তশ্চায়ং গৃহাদ্‌গৃহম্ ॥১২॥
দ্বিতীয়ং কারণং তত্র নান্যৎ কিঞ্চিন্ন বিদ্যতে। তৎ দেহং দেহিনাং যুক্তং পঞ্চভূতেষু বর্ত্ততে ॥১৩॥
শিরাস্নায়্বস্থিসংঘাতং বীভৎসামেধ্যসঙ্কুলম্। ভূতানামিন্দ্রিয়াণাং চ গুণানাং চ সমাগমম্ ॥১৪॥
ত্বগন্তং দেহমিত্যাহুর্বিদ্বাংসোঽধ্যাত্মচিন্তকাঃ। গুণৈরপি পরিক্ষীণং শরীরং মর্ত্ত্যতাং গতম্ ॥১৫॥
শরীরিণা পরিত্যক্তং নিশ্চেষ্টং গতচেতনম্। ভূতৈঃ প্রকৃতিমাপন্নৈস্ততো ভূমৌ নিমজ্জতি ॥১৬॥
ভাবিতং কর্মযোগেন জায়তে তত্র তত্র হ। ইদং শরীরং বৈদেহ ম্রিয়তে যত্র যত্র হ ॥

লৌখিবা মওং অসি মরম ঈবৈ লৈতনা লৌখিবনু য়াওই। তোঙান্ তোঙানৱা মরম কয়ানা ভিন্না ওইবা মরমদগীমু লৌখিবনু য়াওই ॥১১॥

হকচাংসিবু মশানা খঙনা খঙনা নমহুনা য়ানা থাদোকখিবা, হায়বদি— আত্মহত্যানচিংবা তৌহুনা শি- খিবশিং মখোয় অহুদি অরাবা খাঙনা খাঙনা মপুন্‌শি লেলকম থোকপা, মখোয়-মথুং শোয়বনচিংবা হক্- চাংদা চঙক্কুনা পোক্লে। মখোয় অহুদি লায়নবগী সাধন (খুৎলায়) ওইরবা ভাঙলবা মীওইবগী হকচাং অসি কংহুনহু য়ায়া য়ানা মতম লেপ্লে। য়ুম অমদগী য়ুম অমদা হোং তোংহুনা চংখিবহুঙরা অর -হুংঙাই- বগী মওংদা মথং মথং চত্থি ॥১২॥

অরাবা খাঙনবগী মশক ওইবা হকচাংদা আত্মাসিনা চঙখিবহুদি আত্মহত্যা তৌখিবহুমক্তা মরম ওইবা মত্তনা অতৈ মরম অমত্তা লৈতে। অদুগুম্বা হকচাংসিবু কংখিবহুদি পঞ্চভূততগী মশক্ ওইরবা হকচাং নত্তনা অতৈ অতোপ্পা দেহ অমত্তা নত্রে ॥১৩॥

হকচাং অসিদি শরু-ভারু, ঈ-মাই ভোংগী মপৈ নত্তনা কয়িনু নত্তে। য়েংবদা চুকচনীঙঙারগী মশক ওইরবা, শেংত্রবা অমাং অশোয়বগী ভূংনফম ওইহুনা লৈববনি। মৈ, ঈশিংনেচিংবা পঞ্চভূত, মীৎ, নাকোং নচিংবা ইন্দ্রিয়শিং অদুগা রূপ-রসনচিংবা বিষয়শিং অসিগী মপৈ নত্তনা কয়িনু নত্তে ॥১৪॥

অধ্যাত্মবিষয়দা য়ায়া জ্ঞানী ওইরবা মীশিংনা হায়, মাহুদি— হকচাং অসিগী ঈকোন কোন্‌বা মপান্ ঈথং থংবা কুয়োম অসিবু খ্বাইনা উন্ হায়না কৌনৈ। অসিগুম্বা, পায়রবা লৈপাক্কী শউন্ অসিনা কুপ্লিবা মপাল খোপ্লিবা হকচাং অসিগী মশাদা কঙবা কঙদবা হায়রবা পোৎ অমত্তা য়াওদে। মাসিগী মৃত্যুদি— অমুক্তং হায়বহু শোয়রনা থোক্লগদৌবনি ॥১৫॥

অসিগুম্বা দেহমুংসিদা জীবাত্মা হায়বদিনা লৈরিবমথৈ হকচাং অসি লেঙ-ঙঙ্‌না লৈগনি। জীবাত্মানা হেক্ থাদোক্পদা লেঙ-ঙংপা কয়িমত্তা তৌগরোই। অদুগনীদি অশিবা হকচাংহুনী মূর্তি ওইরবা হকচাংগী মচাক্ ওইবা মৈ, ঈশিংনচিংবা ভূতশিং অসি থুনক্তা মাগী মাগী প্রকৃতিদা মথং মথং চঙথি। অদুগী তুংদা লৈপাক্কী মশক ওইখিগনি ॥১৬॥

বিদেহ নিংথৌ। জনক! অসিগুম্বা হকচাংগী মৃত্যু হায়বহুদি— কয়িগুম্বা মফম মতম অমদা হেক

তৎ স্বভাবোঽপবোদৃষ্টো বিসর্গঃ কর্ম্মণস্তথা ॥১৭॥

ন জায়তে তু নৃপতে কঞ্চিৎ কালময়ং পুনঃ। পরিভ্রমতি ভূতাত্মা দ্যামিবাম্বুধরো মহান্ ॥১৮॥

স পুনর্জায়তে রাজন্ প্রাপ্যেহায়তনং নৃপ। মনসঃ পরমো হ্যাত্মা ইন্দ্রিয়েভ্যোঃ পরং মনঃ ॥১৯॥

দ্বিবিধানাঞ্চ ভূতানাং জঙ্গমাঃ পরমা নৃপ। জঙ্গমানামপি তথা দ্বিপদা পরমা মতাঃ ॥২০॥

দ্বিপদানামপি তথা দ্বিজা বৈ পরমাঃ স্মৃতাঃ। দ্বিজানামপি রাজেন্দ্র প্রজ্ঞাবন্তঃ পরা মতাঃ ॥
প্রজ্ঞাবানামাত্মসম্বুদ্ধাঃ সম্বুদ্ধানামমানিনঃ ॥২১॥

জাতমন্বেতি মরণং নৃণামিতি বিনিশ্চয়ঃ। অন্তবন্তি হি কর্ম্মাণি সেবন্তে গুণতঃ প্রজাঃ ॥২২॥

আপন্নে তূত্তরাং কাষ্ঠাং সূর্য্যে যো নিধনং ব্রজেৎ। নক্ষত্রে চ মুহূর্ত্তে চ পুণ্যে রাজন্ স পুণ্যকৃৎ ॥২৩॥

ওইথিগনি। প্রারব্ধকর্ম্মদগী মতুংইন্না, মকম মতম অমদা জীবসিনা শাথিবা দেহতুদা মহাক অমুক চঙখি-পনি। অতুম তৌতুনা জীবনা দেহ অমদগী দেহ অমদা চোং চোংতুনা লাংবনি। তৌথি তৌথিবা কর্ম্মদুগী মহৈগী মপক ওইতুনা খোত্থিবা হকচাংশিং অতুনা চঙখিতুনা জীবসিনী পুনর্জন্ম— অমুককনা পোক্পা হায়বনি ওই ॥১৭॥

নিংথৌ! জীব অসিনা হকচাং অসি থাদোকপগা খুদক অতুনা দেহ অমদা চোংশিন্‌খিবতুদু নাত্তে। পাক্‌-চাউবা নোং মচুম মপাক অমনা আকাশ অসিদা মনীং-মথা তম্না মতম থনা পাইরগা হেক্ হেক্ নুংখিবতুগুম্না জীব অসি মতম থবদং দেহ অমগা চঙথিতৈবা মতম থবদং শুক্রংদা কোয়পাই পাইতুনা লৈ-রম্মি। পুনর্জন্ম হায়বতু খুদক্তা হেক্ লৌনে ॥ ১৮॥

কোয়পাই পাইতুনা অতুম লৈরিতৈবা কক্রিগুম্বা আধারগী মপক ওইবা মকম মতম অদু হেক্ ফংবদা দেহ অমদা হেক্ চঙখি। চঙখিবং অতুবু পুনর্জন্ম কৌই। ইন্দ্রিয়শিংদগী পুক্নীং— মন কৌবসিনা মন্ন ওইবা অপোইবনি। পুক্নীংদগীসু আত্মাসিনা অখোইবনি ॥ ১৯॥

মহারাজ! সংসার অসিদা লৈরিবা অচচত্ত জীব পুম্নমক অসিগী মনুংদা চৎবা জীবশিংদগী অচৎপা জীবন মতৌ মওং চাউবা হেন্নে। অচৎপা জীবশিংগী মনুংদসু মখোক্ত অনী পান্‌বা তাইবংমী হায়বসিনা খ্বাইদগী অখোইবনি ॥২০॥

তাইবংমীগী মনুংদসু দ্বিজ— ব্রাহ্মণনা অখোইবনি। নিংথৌ! দ্বিজশিংগী মনুংদা বুদ্ধিমান্‌ ওইবা দ্বিজশিংনা অখোইবনি। বুদ্ধিমান্— জ্ঞানীশিংগী মনুংদা আত্মজ্ঞানী ওইবা দ্বিজনা অখোইবনি। আত্ম-জ্ঞানীশিংগী মনুংদা মশাদা নাপল— অহঙ্কার য়াওদবা মতুনা অমুক্ অখোইবান ॥২১॥

হেক্ পোক্পদগী মৃত্যু হায়বতুনা তুংদা কোয়ইন্ ইম্নরিবনি। জীব পান্‌বা পুম্নমক সত্ত্ব, রজ, তম, কোবা গুণশিং অসিনা ইন্দ্রিয়কুনা মাওঙগদবা কর্ম্মশিং অসিবু তোঙাল তেতোম্না তৌরি ॥২২॥

সূর্য্যদেবনা উত্তরায়ণদা লৈয়বদা, অকবা নক্ষত্রদা, অকবা মুহূর্ত্তদা মোক্লাগ্রিবশিংতু পুণ্যাত্মা ওইরকনি ॥২৩॥

অযোজয়িত্বা ক্লেশেন জনং প্রাপ্য চ দুষ্কৃতম্ । দুঃখান্যন্যকৃতেনেহ কর্মক্ষপাঃ স্বশক্তিভিঃ ॥২৪॥
বিষমুদ্বন্ধনং দাহো দস্যুহস্তাত্তথা বধঃ । দংষ্ট্রিভ্যশ্চ পশুভ্যশ্চ প্রাকৃতো বধ উচ্যতে ॥২৫॥
ন চৈভিঃ পুণ্যকর্মাণো যুজ্যন্তে চাভিসন্ধিজৈঃ । এবম্বিধৈশ্চ বহুভিরপরৈঃ প্রাকৃতৈরপি ॥২৬॥
ঊর্দ্ধং ভিত্ত্বা প্রতিষ্ঠন্তে প্রাণাঃ পুণ্যবতাং নৃপ । মধ্যতো মধ্যপুণ্যানামধো দুষ্কৃতকর্মণাম্ ॥২৭॥

একঃ শত্রুর্ন দ্বিতীয়োঽস্তি শত্রুরজ্ঞানতুল্যঃ পুরুষস্য রাজন্ ।
যেনাবৃতঃ কুরুতে সম্প্রযুক্তো ঘোরাণি কর্মাণি সুদারুণানি ॥২৮॥
প্রবোধনার্থং শ্রুতিধর্মযুক্তান্ বৃদ্ধানুপাস্য প্রভবেত যস্য ।
প্রযত্ন সাধ্যো হি স রাজপুত্র প্রজ্ঞা শরীরেণোম্বিতঃ পরৈতি ॥২৯॥

অসিগুম্বা মশিংবু শিজিনবশিং অহুদি কনাগুম্ব করিগুম্বা অমগী মকমদা অমাবা অমতা পীরমদনা— প্রায়শ্চিত্তনা মশাগী পাপপু কোকহল্লগা মশানা ওমজবা অদুগী মতুংইন্না শুভকর্ম তৌন তৌনা চনীং-তানা শিজিনবনি ॥২৪॥

হু চাদুনা, থৌরী রান্দুনা, মৈখুংদা নত্রগা ঈশিংদা চোংথদুনা, লূট তৌবা হুরান্-চিদ্দিবা তাকুশিংগী মখুত্তা, কৈ নোংশানচিংবা শা-গাগী মখুত্তা শিবা— অদুগুম্বা মশি (শিবগী মওং) অহুদি খুইদগী হুদবা, তোল্লবা মশিনি ॥২৫॥

পুণ্যকর্ম তৌবা মীদি অসিগুম্বা অংম্বৃত্যু অবমৃত্যুগী মশিদা থক শিমদে। অকবা ধর্ম-কর্ম তৌবা সজ্জনশিংনা অসিগুম্বা মরূবা তোল্লবা উপায়শিং অসিনা তাওলবা মপুন্সিবু অশিবগী থরাত্তা থক্ লংশিন্-দদে— শিনদে ॥২৬॥

নিংথৌ! পুণ্যাত্ম ওইবশিংগীদি প্রাণবায়ুন্থ ব্রহ্মরন্ধ্রদগী মপান্ থোক্‌খি। মরক্তী মীশিংগী প্রাণবায়ুনা মীৎ নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয়শিংগী মখুল মরীদগী মপান্ থোক্‌খি। পাপকর্ম তৌবা মীশিংগীদি প্রাণবায়ু অদু অপানগী বায়ু ওইদুনা গুহ্যদ্বার অদুগা লিঙ্গগী রন্ধ্রগী মপান্ থোক্‌খি ॥২৭॥

নিংথৌ। তাইবং মীওইবগী মথা তানিত্তাই লৈতনা শাথিরবা য়েক্লবা অমা লৈরি। মসিংনা অজ্ঞান কৌই। মহাক্না তুংলোমদগী ঐথোয়বু কুপশিন্‌খিদুনা ঐথোয় তাইবং মীওইববু চিংদুনা নমদুনা নত্তবা— কত্রবা থবক তৌহল্লি। ঐথোয়না মহাক্না শুধ্বংখিদুনা মহাক্না তৌ তৌ হায়বা কর্ম অদু তুং-মাও য়েংহন্-দনা তৌই ॥২৮॥

নিংথৌ! বেদ-শাস্ত্রগা তাক্লিবা পালতাক অদুগী মতুংইন্না, অদুগা জ্ঞানী ওইবা অহল-লমন গুরুজনশিংগী মনাক ফংদুনা ভত্ত্বু খিরিবা অদুগুম্বা মীশিংত্তনা য়েক্লবা অসিবু লায়না মদুহংপা ঙম্মি। মরমদি, অজ্ঞান কৌবা য়েক্লবসিবু মমুহংপদা পরিশ্রম (নোঙ্গা, হোৎনবা) য়ায়া চত্তিও। হায়রিবা য়েক্লবা অসিদি মাগী য়েক্লবা জ্ঞান হায়বদুনা কাপশিল্লবা প্রজ্ঞ কৌবা তেল অদুগী চৈনা কংলবা মতম অদুতদা মহাক্ লায়া চেন্‌খি, অদুগা মহাক্ অদুম মুংখি ॥২৯॥

অধীত্য বেদং তপসা ব্রহ্মচারী যজ্ঞাঞ্ছক্ত্যা স নিসৃজ্যেহ পঞ্চ।
বনং গচ্ছেৎ পুরুষো ধর্ম্মকামঃ শ্রেয়শ্চিত্বা স্থাপয়িত্বা স্ববংশম্ ॥৩০॥

উপভোগৈরপি ত্যক্তং নাত্মানং সাদয়েন্নরঃ। চণ্ডালত্বেঽপি মানুষ্যং সর্ব্বথা তাত শোভনম্ ॥৩১॥
ইয়ং হি যোনিঃ প্রথমায়াং প্রাপ্য জগতীপতে। আত্মা বৈ শক্যতে ত্রাতুং কর্মভিঃ শুভলক্ষণৈঃ ॥৩২॥
কথং ন বিপ্রণশ্যেম যোনিতোঽস্যা ইতি প্রভো। কুর্ব্বন্তি ধর্মং মনুজাঃ শ্রুতি প্রামাণ্যদর্শনাৎ ॥৩৩॥
যো দুর্লভতরং প্রাপ্য মানুষ্যং দ্বিষতে নরঃ। ধর্ম্মবমন্তা কামাত্মা ভবেৎ স খলু বঞ্চ্যতে ॥৩৪॥
যস্তু প্রীতিপুরোগেণ চক্ষুষা তাত পশ্যতি। দীপোপমানি ভূতানি যাবদর্থান্ন পশ্যতি ॥৩৫॥
সান্ত্বনান্নপ্রদানেন প্রিয়বাদেন চাপ্যুত। সমদুঃখসুখো ভূত্বা স পরত্র মহীয়তে ॥৩৬॥

দ্বিজ— ব্রাহ্মণনা অহান্বদা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা লৈদুনা অকন্বা তপস্যাগা লোয়ননা বেদশাস্ত্রবু তম্-গদবনি— নৈনগদবনি অদুগী মতুংদা গৃহস্থাশ্রমদা লৈদুনা ইন্দ্রিয় খুদম্ চল্লুনা, তমন্নিবা নৈনন্নিবা বেদ অদুগী নিয়ম বিধি মতুংইন্না মহাযজ্ঞ মঙাদু পাঙথোকদোবনি। অদুগী মতুংদা মচাগী থবক-থনা পুন্না মথক্তা শিন্নরগা য়াবা মচা মশুপিংদা লোৎখ্রী-ইংখোল পুন্না পীথোক্লদুনা লোয়নবা— সহধর্ম্মিনীগা লোয়নবা বান-প্রস্থ আশ্রমদা চংখিগদোবনি ॥৩০॥

ঈবুঙো! নিংথৌ। তাইবংমী হায়বসিনা মশাগী কন্নিগুম্বা চান্ডালত্তায় শেংবীত্তায় অমত্তা লৈত্রবন্ন মশাগী মশাবু য়াম্না তোন্দ্রবনি হায়না খক্ খন্দে। থন্নু থম্লোইদোবনি। চাণ্ডালগী মীহাৎ-মীথিন্বগী মপোক্তা পোক্লুরবনু তাইবংমী ওন্নবা শা-উচেকশিংগী মপোকশীদি তাইবংমীগী মপোক্না কন্নবনু অদুম হেন্দুনা মরৈন্নিবনি ॥৩১॥

মরমদি— নিংথৌ। তাইবং মীওইবগী মপোক্তি মাওঙ্দা অমী ওন্রবনি। মপোক হকচাং অসিবু ফংলগা অকবা কর্ম তৌদুনা, অয়ানবশিং অদুবু চুম্থোক্লুনা আত্মাসিবু উদ্ধার তৌবা অদুম ময়াই ॥৩২॥

নিংথৌ। "ঐ তোলমাক্লে মতৌ কয়ম তৌরগা ঐ ঈশানা ঈশাবু অমুক্কং কুপংসিগে" অদুম হায়না থম্ভক্তুনা বেদ-শাস্ত্রনা তাক্পা নিয়ম বিধিগী মতুংইন্না তাইবংমীনা অশিংবা অমা ওইনা ধর্ম-কর্মবু পাং-থংকদৌবনি ॥৩৩॥

অদুক য়াম্না কয়গা, মাসিগী মথক লৈত্রবা তাইবংমীগী মপোক অসিবু ফংলগা মশাদি হোৎনগে হায়-দদুনা মীবু ঋত্বক-য়েংথিরকদুদি মশাগী ধর্মবু য়েংথিকবনি। তৌরবন্ন য়াবা ওম্বোক ওম্বোকপা কামনাদা— আসক্তি থম্মুরিবা মী মহাক অদুদি— তাইবং মীওইবনা ফংকম থোক্পা কন্নিগুম্বা ওইক ওইথকপা অমত্তা ফংলোই ॥৩৪॥

মৈনা— থাউমৈনা পোৎ পুম্মকপু চপ মান্নবা উবা— উৎনংহুক্তুমা, চুংশিনবা— চুংশিথিবা হায়বদুনা মী পুম্মকপু চপ-মান্নবা উবা, সংসারগী মপাম্গী বিষয় অসিদা কাংতেম্না য়েংশিন্ পাম্লি শুনবা হায়বসিডনা পয়লোকত্তা, হায়বদি— অতোপ্পা মপোক অমদা চাউখৎপা সম্মাননচিংবা অদুম ফংঙি ॥৩৫॥ মী পুম্মক্তা

দানং ত্যাগঃ শোভনামূর্ত্তিরদ্ভ্যো ভূয়স্প্লাব্যং তপসা বৈ শরীরম্ ।
সরস্বতী নৈমিষ পুষ্করেষু যে চাপ্যন্যে পুণ্যদেশাঃ পৃথিব্যাম্ ॥৩৭॥
গৃহেষু যেষামসবঃ পতন্তি তেষামথো নির্হরণং প্রশস্তম্ ।
যানেন বৈ প্রাপণঞ্চ শ্মশানে শৌচেন নূনং বিধিনা চৈব দাহঃ ॥৩৮॥
ইষ্টিঃ পুষ্টি র্যজনং যাজনং চ দানং পুণ্যানাং কর্ম্মণাঞ্চ প্রযোগঃ ।
শক্ত্যা পিত্র্যং যচ্চ কিঞ্চিৎ প্রশস্তং সর্ব্বাণ্যাত্মার্থে মানবোঽয়ং করোতি ॥৩৯॥
ধর্মশাস্ত্রাণি বেদাশ্চ ষড়ঙ্গানি নরাধিপ। শ্রেয়সোঽর্থে বিধীয়ন্তে নরস্যাক্লিষ্টকর্ম্মণঃ ॥৪০॥

ভীষ্ম উবাচ ।

এতদ্ বৈ সর্ব্বমাখ্যাতং মুনিনাস্য মহাত্মনা । বিদেহরাজায় পুরা শ্রেয়সোঽর্থে নরাধিপ ॥৪১ ॥৪১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি পরাশর-গীতায়াম্ দ্বিনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৯২॥

——:():——

নীংথিবা, পুক্লীং থৌগংশিবা বাতংগ তাতবিরিবা, নীংথিবা পাউতাক পীরিবা লায়বা মীদা অতন্বা থম্নদং পী-জরিবা, অৱাকুপা মীবু তরাম্ তরাম্ তৌবিখিবা অদুগা মীশী অরা-ফুংজাইবম্ মশাগী অরা-ফুংজাইবনি খজিবা, অদুগুম্বা মহাম্বা অদুদি ইহলোক পরলোক অনীমক্তা চাউথংপা সম্মানচিংবা লোইনা কাংডি ॥৩৬॥

নিংথৌ ! সরস্বতী তুরেল (তীর্থ), নৈমিষারণ্য, পুষ্করতীর্থ অসি নত্তবা অতৈ অতৈ তীর্থদা চংদুনা দানধর্মনচিংবা তৌদুনা, সংসারগী বিষয়ভোগ অয়াম্বা থালোকুন, শান্তিগা লোয়ননা তপস্যা তৌদুনা পুক্লীং হবুচাং অনীমকপু শেংদোকদবনি ॥৩৭॥

ইমুংমনুংদা মথবায় থাথিবা মীহুদি থুবা-রাজনা অদুদগী মপাদা পুথোকদবনি । শিরবা মুংদা মহাকী হকচাং অদুবু মীওথিজরবা দোলাই (কু) দা হীপথনদুনা শ্মশানঘাট তায়া পুদুনা বেদশাস্ত্র । তাকপা কর্ম-কাণ্ডগী মতু ইনা হকচাং অদুবু সংস্কার তৌথোকদবনি ॥৩৮॥

ভাইবংমীনা মাগী নৈজবা শক্তিদুগী মতু ইনা যজ্ঞ দাননচিংবা শুভকর্মশিংদুপা লোয়নবা শ্রাদ্ধনচিংবা তৌবিবদু থাইশেংবদি মহাক মশাগী নমকনি । তৌত্রবদি মত্তোম্বা দোষ লাক্নি ॥৩৯॥

নিংথৌ ! বেদদা অদুগা অতৈ অতোপ্পা বেদাঙ্গনা ধর্মশিংবশিং অসি ভাইবংমীগী কান্নবা অমদি মঙ্গল শীনহৈবা কর্মমকনি ॥৪০॥ ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির ! অমমাংঙৈদা পরাশর মুনিনা বিদেহ—নিংথৌ জনককী মমমদা কান্নবা পাউতাক মরাম অসি পীবিখি ॥৪১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা চনীমরিকুতরানীথোইরুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯২॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

ত্রিনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(পরাশর-গীতাগী লোইশিনবা মতাং)

চনীমরিফুত্তরাহুমদোইগুবা অধ্যায়।

——:0:——

ভীষ্ম উবাচ।

পুনরেব তু পপ্রচ্ছ জনকো মিথিলাধিপঃ। পরাশরং মহাত্মানং ধর্মে পরমনিশ্চয়ম্ ॥১॥

জনক উবাচ।

কিং শ্রেয়ঃ কা গতির্ব্রহ্মন্ কিং কৃতং ন বিনশ্যতি। ক্ব গতো ন নিবর্ত্তেত তন্মে ব্রূহি মহামতে ॥২॥

পরাশর উবাচ।

অসঙ্গঃ শ্রেয়সো মূলং জ্ঞানং চৈব পরাগতিঃ। চীর্ণং তপো ন বিনশ্যেৎ বাপঃ ক্ষেত্রে ন নশ্যতি ॥৩॥

ছিত্ত্বা ধর্মময়ং পাশং যদা ধর্মেঽভিরজ্যতে। দত্ত্বাভয়কৃতং দানং তদা সিদ্ধিমবাপ্নুতে ॥৪॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! অতুগী তুংদা মিথিলাপতি জনকনা ধর্মগী বিষয়দা মুপ্না খত্তলবা মহাত্মা পরাশরগী মুনিগী মফমদা অমুক্ক হায়রকই ॥১॥

ব্রহ্মন্। খ্বাইদগী হেন্না মঙ্গল ওইবগী সাধন অসি করিনো? খ্বাইদগী ইহেন্ কেন্না গতি অসিনা করিবো? করিগুম্বা মতমদা মাংতরোইদোবা কর্ম অসি করিনো? মকম কদাইদা চৎলবদি অমুক হন্-লক্রবগে? মহাজ্ঞানী। মুনিদেব। হৌজিক অসিগী পাউখুমশিং অহু চপচানা অমুক্ক পীনবিয়ু ॥২॥

পরাশরনা হায়,— নিংথৌ। আসক্তি কা হেন্না জ্ঞান তাদনা পুক্নীং লুপ্‌শিনবা) হায়বসি মুখংপা লৈহন্দবতনা তাইবংমীগী পুন্‌শিদা মঙ্গল ওইবা লৈননবগী ঈহান্ হান্‌বা উপায়নি। জ্ঞানতনা পুম্নমকতগী অখোইবা গতিনি। মশা মথন্তনা তৌজবা তপস্যা, নতীক্‌চাবা মীদা তৌখিবা দান, চারগ্রিবা কর্ম ময়িসিদি করিগুম্বা মতমদা অমেন্দনা মাংতে ॥৩॥

অধর্ম— নত্তবা চুমদবা, তৌবা হৌনংবগী মথক ওইরবা কর্মগী বন্ধন— কাক্তিন্ পুন্‌শিন্‌বগু থৎ-তুনা ধর্মগী মায়কৈদা চোংশিল্লরক মমায় ওন্‌শিল্লরবা, জীব পান্‌বা খুদিংমক্ত অভয়দান কিহল্লবা কৌবা দানগু তৌরিবা অমুগুম্বা মী মহাক অদুদি— অমনা পাক্ কংতনগ্রবা সিদ্ধি— (পোক্‌পগী মৎহে হান্‌বা) অদুবু ফাংবা ঙম্মি ॥৪॥

যো দদাতি সহস্রাণি গবামশ্ব শতানি চ। অভয়ং সর্ব্বভূতেভ্যঃ সদা তমভিবর্ত্ততে ॥৫॥
বসন্ বিষয়মধ্যেঽপি নবসত্যেব বুদ্ধিমান্। সংবসত্যেব দুর্ব্বুদ্ধিরসংস্থ বিষয়েষ্বপি ॥৬॥
নাধর্ম শ্লিষ্যতে প্রাজ্ঞং পয়ঃ পুষ্করপর্ণবৎ। অপ্রাজ্ঞসাধকং পাপং শ্লিষ্যতে জতুকাষ্ঠবৎ ॥৭॥
নাধর্মঃ কারণাপেক্ষী কর্ত্তারমভিমুঞ্চতি। কর্ত্তা খলু যথাকালং ততঃ সমভিপদ্যতে ॥৮॥
ন ভিদ্যন্তে কৃতাত্মান আত্মপ্রত্যয়দর্শিনঃ। বুদ্ধিকর্মেন্দ্রিয়াণাং হি প্রমত্তো যো ন বুধ্যতে ॥
শুভাশুভে প্রসক্তাত্ম প্রাপ্নোতি সুমহদ্ভয়ম্ ॥৯॥
বীতরাগো জিতক্রোধ সম্যগ্ ভবতি যঃ সদা। বিষয়ে বর্ত্তমানোঽপি ন স পাপেন যুজ্যতে ॥১০॥
মর্য্যাদায়াং ধর্মসেতুর্নিবদ্ধো নৈবন্ধো নৈব সীদতি। পুষ্টস্রোত ইবাসক্তঃ স্ফীতো ভবতি সঞ্চয়ঃ ॥১১॥

শন্থী— শাঙ্গী লিশিং অমা দান তৌবা, শগোল চাবা দান তৌবদগীসু অভয়দান তৌবনা আ-কদায় কাওবা হেন্‌ৱে ॥৫॥

বুদ্ধিমান্ ওইবা মীদি সংসারগী বিষয়সিংগী মপুংদা লৈরবসু যায়া শিংনা হৈনা লৈবা মরম্‌। ঈদৈমক্ লৈতবগা অম্মা ওইনা লৈ। অপঙবা মীনা খঙ্গিবনা লাপথোক্লগদবা 'তিয়দন লৈবা হায়বত্ত ওই" অসিনি ॥৬॥

ঈশিংনা থৱায় চোংহন্‌বা ওমদবদুওয়া সংসারগী বিষয়শিংনা অদুগা অধর্মনা বুদ্ধিমান্ ওইবা মীশিং অদুবু শোক্‌পা, তাওহন্‌বা, তম্মাংপা ওমদে। চা-ম ঊ (চৈ) দা ছেত্তোক্লবা য়াদবমথে মপাশিরখিবদুওয়া অধর্মগী থবক্লা অদুগা সংসারগী বিষয়গী আসক্তিনা অপঙবা মীগী পুক্লোং হকচাংদা মপাশিনৃখি ॥৭॥

অধর্মগী থবক হায়বসিমক্তবু কল (মহৈ) তবু ওায়দুনা লৈপদ্রি। অদুনা অধর্মগী থবক হায়বসিনা তৌপদৌরিবা মীশক— কর্ত্তা অদুগী মতুংদা দুমিংচুপ্না শক্লেতানা ইরদুনা, মাবু (থবক অদুবু) পাঙথোক্-চন্‌গদবগী ইরদুনা লৈ। অদুদগীদি কর্মদুগী মহৈবু কর্ত্তা মহাক্না তোপ তৌই — চায় ॥৮॥

খশ্বোয় শেংলবা, আত্মজ্ঞান লৈরবা মীদি তৌরি তৌরিবা কর্মদুগী ফংওকদবা মহৈগী মায়পৈনা খোইনা থক্ থন্‌দিদে। জ্ঞানেন্দ্রিয়শিং অমদি কর্মেন্দ্রিয়শিংনা তৌরকদৌরিবা পাপকর্মশিংদুগী মরমদা মমত্ত কাও-বদা থন্‌বিরুদে। কর্মগী ফলতবু থন্‌বা মীশিংগীদি দুংশাখীনিতায় কিমিতায় ওইবা মরম য়ায়া লৈ ॥৯॥

অপাম্বা অশাউবা পুম্বা থাদোক্তুনা সদাচার (অচুম্বা আচরণ, ব্যবহার) তদা লৈরিবা মীশিং অদুদি, সংসারগী বিষয়শিংগী মংক্তা লৈরবসু, লৈবা তারবসু পাপকী থবকলোমদা মথায় থক্ ওম্‌শিন্দে ॥১০॥

তুরেলদা কৈপাক্ কৈনা থিংওম্বা পল্‌না চেক্ নীওথাররকপদা— মাকল অমদা মোথংলম্বা ঈখিংবা থিংবা য়াদনা চেম্বরকপদুওয়া, অদুগা হায়দগী চেম্না ঈদৈ কয়া চেম্বরকপদুওয়া— কুইরবা পরম্পরাগী মর্য্যাদাগী মথক্তা ধর্মগী মশক ওইরবা পল্ অদু নীওথাররকপা মত্তমদুদা আসক্তি য়াওদনা পৈথংখিবা তপতা অদু হায়দগী অদুম চাউথংলক্‌ই ॥১১॥ *

---

* সৃষ্টিগী মত্তমদগী ওসি কাওবদা যুগ যুগ কয়া চুযা চংলয়বা, চংনখিবা, মপানুগী লোক সমাজগী চংন

যথা ভানুগতং তেজো মণিঃ শুদ্ধঃ সমাধিনা। আদত্তে রাজশার্দূল তথ' যোগঃ প্রবর্ত্ততে ॥১২॥

নিংথৌ অথোইবা। সূর্য্যকান্তমণিনা সুমিংকী মঙালবু চিংশিল্লিবা, চিংশিন্দুনা মাগী মঙাল ওইহন্দুনা, পোৎ অতৈবু চাক্থেক্লনবগী হোৎনরিবমুগুম্না— যোগগী সাধনা তৌরিবা সাধুশিংনা যোগতম্না অম্মগী তেজ মঙালবু চিংশিন্দুনা মখোয়গী মপোৎকুম্না শীজিন্নমগী হোৎনরি ॥১২॥

চৎনবগী মর্য্যাদাগী মথক্তা শেমগৎ-শাগৎনবগী ধর্মশিং অসি মশীং থীগৎ-লাক্থৎপা ঙম্বা নত্তে। অদুগুম্বা ধর্মশিং অদুনা সমাজশিংগী, সম্প্রদায়শিংগী মরক্তা পল্ ওইনা থিংদুনা লৈনরম্মি। ধর্ম অমনা হায়বা ধর্ম অমনা লৌনমমদে, অমনা অমগী মথক্তা আক্রমণ তৌনথি, হৌজিক ফাওবসু তৌনদুনা লাক্লি। পলশিং অদুনা হেক্ হেক্ নীওখায়রকপদা, হায়বদি— খরা রাংনা মৌবদুনা লৈরিবা ধর্ম অদুনা ঈরকপদা পল্ অদু কীবরকপা মতমদা, খর রাংবা মর্য্যাদাগী মথক্তা লিংখৎলম্বা ধর্মগী নীতি অদুনা ঈবৈ কম্না চেম্বরকুনা খর হন্দবা ধর্মগী নীতিবু চিংশিন্দুনা মাগী ওইহন্থি— লৈতেম্ মায়হন্থি। মতম অদুদা তপস্বীশিং কদুগী তপস্যাশক্তিসু হেন্গৎলমথি; হৌজিক ফাওবা হেন্গৎনরি। খুদম ওইনা চায়রবদা— মপাম্লোংগী লমচৎ ব্যবহার, চাক্চা-কিজেৎ, মাগী মাগী চৎনবীশিংগী মথক্তা শেমগৎনখিবা ধর্মশিং অদুনা পল্ ওইনা থিংবদি মতম কুইনদি যাদবশিনবা লৈখা হেক্ হেক্ তানখিবা, হিন্দুধর্ম্ম অমতগী মপাদা লৈরিবা— বৌদ্ধ, জৈন, শৈব, শাক্ত, বৈষ্ণব অদুম হায়না লৈনরক্লিবা ধর্মশিং অসিনা, অমনা অমবু ঙম্থিবা, অমনা অমদগী রাংনা লৈনখিবা, মতম মতমদা অমনা অমবু, হায়বদি অরাংবদুনা শ্রনেম্বা অমবু মাগী ওইনা খোমতিন্নখি। হৌজিক ফাওবা খোপতিন্গদবগী ধর্ম-প্রচারকশিংসিনা চনাং ইন্দুনা হোৎমন্নি। অদুম্না তৌনরিবসি পৃথিবীগী মকম পুম্বদনি। মপাম্লোংগী লমচৎ ব্যবহারশুনা মরম ওইবা মচাক্ ওইনা শাগৎনখিবা ধর্ম কম্না কম্না লুপ্প্রপ্রথনি। মপাম্লোংগী চাক্চা-ফিজেৎ, যোংম-যোংমগী হো-দোক্-হোংজিন্ তৌরিবা রাখলশিং অসিগী পরিকম্না চঙ্কুনা অচৌবপদা তুমিন্না আধ্যাত্মিকচিন্তাদা পূক্নীং চঙদুনা লৈরিবা, করম্ তৌরগা অশোংবা ধর্মগী চাউখৎপদু ওই-পগে হায়না ভগবানগা যা তাম্নরিবা তপস্বীশিং অদুগী তপস্যাদি অমুন চাউখৎলক্লি। মখোয়গীদি হম্বা লৈত্তে। মখোয়দুগুম্বা লৈবনসু অপৎনা ঙদি ফাওবা তেক্ত কায়দনা লৈরিবনি। অদুগুম্বা আধ্যাত্মিক ওইবা ধর্ম অদুমকসু কেক মুথবদা বিশ্বজগৎ অসিগী প্রলয় হেক্ হেক্ ওইরিবনি। কায়নরিবা শোম্নবা ধর্মশিং অদুনা কুইনা লৈবা য়ানখিত্রিবা অদু, মপাম্লোংগী হকচাংগী পূক্নীংগী য়ুমকমতদা লিংখৎনখিবা অদু-মনি। হকচাং, পূক্নীং, আত্মা অদুম অসিগী অমমখগী তোঙান্ তোঙাম্নিবা পরিকম্নগী মথক্তা লিংখৎনখিবা ধর্ম অদুম অসিগী মরক্তা আত্মতত্ত্বগী মরমদা, আত্মতত্ত্বগী য়ুক্তমদা থিনখিবা আধ্যাত্মিকধর্ম্মতনা কনবা ঈহেন্ হেন্নি। ধর্ম অতৈ অতৈনা মযাম হেক্ হেক্ চায়থরকপদা, মশাদকা চপমান্না থনবা, য়াজম্বা আধ্যাত্মিক ধর্মনা অতৈ ধর্মশিং অদুবু কন্বিরক্লি, হৌজিক ফাওবা কন্বিরি। হায়বদি— যা মাগী ধর্মনা, মপানুগী ব্যবহারগুদা নম্দুনা শেম্থিবা ওইবনা, নীওখায়রকপা শোয়রকপদু উবদা ধর্মশিং অদুগী মেতাশিং প্রচারকশিং

যথা তিলানামিহ পুষ্পসংশ্রয়াৎ পৃথক্ পৃথক্ যাতি গুণোঽতি সৌম্যতাম্।
তথা নরাণাং ভুবি ভাবিতাত্মনাং যথাশ্রয়ং সত্ত্বগুণঃ প্রবর্ত্ততে ॥১৩॥

জহাতি দারাংশ্চ জহাতি সম্পদঃ পদং রথানং বিবিধাংশ্চ যা ক্রিয়াঃ।
ত্রিবিষ্টপে জাতমতির্যদা নরস্তদাস্য বুদ্ধি বিষয়েষু ভিদ্যতে ॥১৪॥

প্রসক্তবুদ্ধির্বিষয়েষু যো নরো ন বুধ্যতে হ্যাত্ম হি কথঞ্চন।
স সর্ব্বভাবানুগতেন চেতসা নৃপামিষেণেব ঝষো বিকৃষ্যতে ॥১৫॥

স মাংসমর্ত্ত্যলোকঃ পরস্পরমপাশ্রিতঃ। কদলীগর্ভনিঃসারো নৌরিবাপ্সু নিমজ্জতি ॥ ৬॥

থোরদিংগী খাউনা— অতৈ অতোপ অংতাম্বা মনম ফুংশিন্নবা লৈপা তিল্লক্পা, ম্যান্থায়নক্‌বদগী মহাক মপামকন্থ মন্নম মুংশিন্নবা থাউ অমা ওইখিবতুগুম্বা— সত্ত্বগুণনা তিল্লবা, মনম ফুংশিন্নবা লৈম্বাংগুম্‌না— মাওতলা, তৌথোরক্পদা থুম্নবা অতুগুম্বা সজ্জনশিংগা সংসঙ্গ তৌরক্‌বদগী কল্লব মী কয়া কয়াদু সাত্বিক-গুণ চেন্‌বা ওমথি ॥১৩॥

থাইদগী চেন্‌বা থাক্তা কাগে থল্লবা অতুগুম্বা মীশকশিংনা, সংসারগী ধনসম্পত্তিগী, ধনজনগী, ভূমী-অতাংগী চাউখৎলবা থাক্তা লৈবক্পদগী মাতুদগী, মাতুদগী হেন্‌বা থাক্তা কাখিপদবগী মতু-মচা, পদবী-সম্পত্তি, যুম-কৈ লোইনা থাদোক্‌না চৎনখি ॥১৪॥

হায়দ্রিবা মাসি সংসারগী বিষয়দা লুপ্তুনা লৈরিবা কাওবুনদি মত কাওবা মত্তুদে। নিংথৌ! তিং-থাদা, খোই (ডা কাননব খোই) দা নপশিল্লিব— তৈশিল্লিবা অচাপোৎ অতুবু পাম্মুবগী— মিহৌরক্‌বদগী ওানা অরাবা ওাবা, মানা মানা থাংওমদবা চৈন কাহুনা শিবতুগুম্বা সংসারগী বিষয়না তোঙান্ তোঙান্‌বা মশক মহাও উংতুনা মপান্দা উং চাইহুনা চিংশিন্‌খিগ্রবা অতুগুম্বা অপাংবশিংনা অরাবা ওানরি ॥১৫॥

হকচাং অমতদা লৈমিন্নরিবা থোক-থুং— অঙ্গ-প্রত্যঙ্গশিং অসিনা অমনা অমগী মতেং লৌহুনা লৈন-রিবা অসিগুম্বা মর্ত্ত্যলোক অসিনা, অতুগা মর্ত্ত্যলোক অসিদা লৈরিবা মীনা মতু-মমা, শাগৈ-নাতৈ, মরূপ-মপাংশিংগী মরক্তা অমবা অমগী মতেং লৌনহুনা লৈরি। সংসার হায়ববু অসিনি। অতুনা অসিগুম্বা সংসার অসিদি লকুপাম্বীগুম্বা মচী করিমত্তা যাওদ্রবা পোংশক অমনি। অমগা অমগা মতেং লৌহুনা লৈ-নরবশিং অসিদি— হিথক্ অমতদা তোংমিন্নরম্বা যাত্রিকশিং অতুনা, হিহুনা হেক্ লুপখিবদা কংবা মশাহু-গুম্বা অমনা অমবু কনবা কয়দনা, মশামকপুম্ব কন্‌বা ওমদনা শিনগ্রপদবা ওাইবংজীব মরুনি ॥১৬॥

অতুমা আধ্যাত্মিক ওইবা ব্যাখ্যান-তাবগ-তনা মশা মশাগী ধর্মবু কয়নবা হোৎনেরি। অসুম শেংবদবনি, অসুম চাপদবনি, শাজং-ব্যবহার অসুম তৌপদবনি হায়না তাকপহুনদি কয়িসু কান্নবদা আধ্যাত্মিক ওইবা বিচার পুথোকহুনা মাগী মাগী ধর্মবু কয়া কয়নবগী, থাইদগী অহেন্নবনি হায়না প্রমাণ পীনবগী লাকরি।

(কালাচাঁদ)

ন ধর্মকালঃ পুরুষস্য নিশ্চিতো ন চাপি মৃত্যুঃ পুরুষং প্রতীক্ষতে ।
সদা হি ধর্মস্য ক্রিয়ৈব শোভনা যদা নরো মৃত্যুমুখেঽভিবর্ততে ॥১৭॥
যথান্ধঃ স্বগেহে যুক্তো হ্যভ্যাসাদেব গচ্ছতি । তথা যুক্তেন মনসা প্রাজ্ঞো গচ্ছতি গতিম্ ॥১৮॥
মরণং জন্মনি প্রোক্তং জন্ম বৈ মরণাশ্রিতম্ । অবিদ্বান্ মোক্ষধর্মেষু বদ্ধো ভ্রমতি চক্রবৎ ॥
বুদ্ধিমার্গপ্রয়াতস্য সুখং ত্বিহ পরত্র চ ॥১৯॥
বিস্তরাঃ ক্লেশসংযুক্তাঃ সংক্ষেপাস্তু সুখাবহাঃ । পরার্থং বিস্তরাঃ সর্ব্বে ত্যাগমাত্মহিতং বিদুঃ ॥২০॥
যথা মৃণালানুগতমাশু মুঞ্চতি কর্দ্দমম্ । তথাঽঽত্মাপুরুষস্যেহ মনসা পরিমুচ্যতে ॥২১॥
মনঃ প্রণয়তেঽত্মানং স এনমভিযুঞ্জতি । যুক্তো যদা স ভবতি তদা তং পশ্যতে পরম্ ॥২২॥

ধর্ম তৌননবগী অকরবা মতম অমা লৈবা নত্তে, লৈরবস্তু চুমদে। তাইবং জীবনা— তাইবংমীনা মীকুপ খুদিং অশিবগী থয়াত্তা তাপদবগী নপতুনা লৈবনা, মরক্তা মীকুপ অমা কাও অহাংবা থমদনা থর্মগী ময়ম ওইবা পুণ্যকর্ম-ভ তৌদুনা লৈবসিস্থ য়াম্না কজবা, অশিংবা থবক অমনি। জগৎকী উপকারগীনি হায়বা য়াই ॥১৭॥

মমীত্তাওবা মীস্থ মুমিংখুদিংগী তৌরকপ অভ্যাস অহুনা চৈত্ত ঈশার পায়দনা মথুং শখিনবা য়াও-বস্থ ঈমুংদা মপান্দা হজং-হন্দা চৎহুনা থবক-থানা তৌথরগুম্না—, অদুগ, অহিং অমম্বদস্থ থোঙ হাং-দোকুনা মপান্দা থোকখিবহুগুম্না অমবা সংসার অসিদা অভ্যাসযোগতগী মকেংনা তাইবংমীনা সংসারসিদগী লাম্থোক্‌খিবা য়াই ॥১৮॥

"পোক্‌পা" হায়বহুগী মহুংদা "শিবা" হায়বহুনা থুগুবা লৈ। অমীসিদগী লাম্থোক্পা উপায়শিং— সংসারগী বিবরশিংদ লুপ্‌নুনা লৈববশিংনা থক্ থিদে, থিবস্থু তৌদে। থিরবস্থ থিকম্ থোক্‌প্পা হায়বা কাওবা থল্লুদে। অহুবা পোক্‌পা শিবগী-চক্রগা লৈহুনা অহুম্মক লৈরিবসিনি। চক্র অসিদগী কদি উপায় অমনা লাম্থোকপ্পবা মীশিং অহুনা জ্ঞানমার্গদা চৎখিহুনা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা হুংতাইবতা কংই ॥১৯॥

কর্মবু বিস্তার তৌবা হায়বসি, হায়বদি— কর্মগী মশীংবু হেন্‌গৎহনবা হায়বসি মহা অরাবগী মথক্লি। কর্মশিং অহুনা শীরবা হুংতাইবনি থজিক্তা, অরাবদি পুম্‌শহুম্ন। কর্মবস্তারদি আত্মাদগী তোতাম লৈপ্রিবা ইন্দ্রিয়শিং অসিগী চমক্তনি। কর্মহু তৌরবা আত্মা মায়কীদি অমত্তা য়াওদে। অহুনদি আত্মা মায়কীদমক্তদি— মশানা কর্মশিং অহুবু থাদোকপা— ত্যাগ তৌবা হায়বহুনা অথোইবা মথৌনি ॥২০॥

ঈশিং মহুংদগী কক্রকপা থয়াল মথোক্— থথৌনা পক্রকপা— তৈরকপা লৈথোম্ অহুবু ঈশিংহুমক্তা চাবথোকপহুওয়া— ত্যাগী যোগীশিংগী আত্মানা সংসারগী থিবরগী মথক ওইরবা লৈথোমশিং অহুবু সংসার অহুমক্তী মহুংদা লৈবা নিষ্কামকর্মনা চামথোকুনা সংসারদগী য়াংমদা লৈথি ॥২১॥

পুক্নীং (মন) না আত্মাবু যোগগী মায়থৈরোমদা পুহুনা চৎলি। যোগ সাধন তৌরিবা, হকচাংগা লোয়নবিবা যোগী আত্মা অহুনা পুক্নীং (মন) অহুবু অমুক যোগযুক্ত ওইহল্লি। হায়বদি— আত্মা মশামক্তা

পরার্থে বর্ত্তমানস্তু স্বং কার্য্যং যোঽভিমন্যতে। ইন্দ্রিয়ার্থেষু সংযুক্তঃ স্বকার্য্যাৎ পরিমুচ্যতে ॥২৩॥
অধস্তির্য্যগ্‌গতিঞ্চৈব স্বর্গে চৈব পরাং গতিম্। প্রাপ্নোতি স্বকৃতৈরাত্মা প্রাজ্ঞস্যেহেতরস্য চ ॥২৪॥
মৃন্ময়ে ভাজনে পক্কে যথা বৈ ন্যস্যতি দ্রবঃ। তথা শরীরং তপসা তপ্তং বিষয়মশ্নুতে ॥২৫॥
বিষয়ানশ্নুতে যস্তু ন স ভোক্ষ্যত্যসংশয়ম্। যস্তু ভোগাংস্ত্যজেদাত্মা স বৈ ভোক্তুং ব্যবস্যতি ॥২৬॥
নীহারেণ হি সংবীতঃ শিশ্নোদরপরায়ণঃ। জাত্যন্ধ ইব পন্থানমাবৃতাত্মা ন বুধ্যতে ॥২৭॥
বণিগ্‌ যথা সমুদ্রাৎ বৈ যথার্থং লভতে ধনম্। তথা মর্ত্ত্যার্ণবে জন্তোঃ কর্ম্মবিজ্ঞানতো গতিঃ ॥২৮॥
অহোরাত্রময়ে লোকে জরারূপেণ সংসরণ। মৃত্যুর্গ্রসতি ভূতানি পবনং পন্নগো যথা ॥২৯॥

পূর্ণীং অমুসু তিনহন্নি। মতৌ অমুম্না মহাক্মা যোগসিদ্ধ ওইবা মতমদা আত্মা অমু পরমাত্মাগা সাক্ষাৎকার তৌই— পরমাত্মাগা উনৈ ॥২২॥

অতোপ্পশিংগী-ত থম্বা মথোৎগী নমক্তা, হায়বদি— মতোমগী তোতাব্ত্রিবা ইন্দ্রিয়শিং অসিগীদমক্তা অমুগা মখোমবু পেন্নবা হোৎনবতমা মথোইবা মথোনি খল্লবা অনাত্মা (আত্মা থাজৈদবা নত্রবা) অসিমা মশাগী ভোগদবা মথোৎগী পূম্নান্‌ লাপ্তোকৃথি ॥২৩॥

ইহলোক অসিদদি মায়া বুদ্ধিমান ওইগে ওইসম, অপঙবা জ্ঞান লৈতবা মী ওইগে ওইসমু, মা মানা তৌখিবা কর্মগী মচু'ইমা নয়কত, হায়বদি শা উচেকী মপোক্তা, অমুগা স্বর্গদা হায়বদি — মহাজ্ঞানী ওইবগী পরিবারদা মহাজ্ঞানী ওইদুনা পোকপ-শিবগী অরাবা অসিদগী লাপ্তোকৃনা লৈবা মীশক অমা ওইদুনা পোকই ॥২৪॥

মায়া কংলবা, লৈ ঈরবা লৈপাকী পাত্রদা হাপ্পা ঈশিংনা য়ম্ন য়ুথিদবা, চুপন্ন চুপশিন্‌খিদবদুঙমনা তপস্যাগী তাপ-না, হায়বদি মৈনা কংখবা সূক্ষ্মশরীর (লিঙ্গশরীর— কুপশবা পীরবা হকচাং) অমুদি ব্রহ্মলোক কাওবদমু স্বর্গগী লুংতাইবা অমুবু অনুভব তৌকই ॥২৫॥

হৌজিক হৌজিকী ইহলোকী রূপ রস-গন্ধ-স্পর্শ-শব্দ তথা লুংতাইদুনা লৈথোক্রবা তাইবং জীবনা পরলোককী ব্রহ্মানন্দবু শূকথঃ ক ওবোইদৌবনি। ইহলোককী বিষয়বু থাদোক্রবশিং অমুতনা ব্রহ্মলোককী লুংতাইবমবু কংতু্রপদবনি ॥২৬॥

পোকপদগী মমীংতাতব মীনা লম্বীবু শুকই উদবদুঙমা, পূকা লিক্পা অমীসিতগী পেম্নবা তৌবদা পূর্ণীং চত্তবা অমুগুম্বা মী অমু অজ্ঞাননা কুপখিবদগী, মায়াগী লৈ:বীন্‌ মরক্তা লৈদুনা অয়ান্‌খুতমগী লম্বীবু মরেক্‌ লানা উবা ঙমদে ॥২৭॥

লল্লোন ঈতীক্‌ চৌবা বৈশ্য (বনিয়া) না মহাকী শেল্লেলভূগী মাত্রা (চাং) গী মচু'ইমা তোংলক্রিবা, পুমক্রিবা পোৎচৈদবু সমুদ্র বাংমদগী মমুম তান্না পুমকপমুঙমা সংসার-সমুদ্রদা ব্যাপার তৌবিবা তাইবংমীমা মাগী কর্ম অমদি বিজ্ঞানগী মচুংইমা শেল্লেপ-শেল্লোৎবু পুমক্রি ॥২৮॥

অমুক ভুচিদাংগী মপক ওইদবা সংলোরসিদা অহল ওইরকপা চরককপগী মপক পুংনা মৃত্যু হাবমচুমা

স্বয়ং কৃতানি কর্ম্মাণি জাতো জন্তুঃ প্রপদ্যতে। নাকৃত্বা লভতে কশ্চিৎ কিঞ্চিদত্র প্রিয়াপ্রিয়ম্ ॥৩০॥
শয়ানং যান্তমাসীনং প্রবৃত্তং বিষয়েষুঃ। শুভাশুভানি কর্ম্মাণি প্রপদ্যন্তে নরং সদা ॥৩১॥
ন হ্যন্যং তীরমাসাদ্য পুনস্তর্ত্তুং ব্যবস্যতি। দুর্লভো দৃশ্যতে হ্যস্য বিনিপাতো মহার্ণবে ॥৩২॥
যথা ভারাবসন্না হি নৌর্মহাম্ভসি তন্তুনা। তথা মনোভিযোগাৎ বৈ শরীরং প্রতিকর্ষতি ॥৩৩॥
যথা সমুদ্রমভিতো সংশ্রিতাঃ সরিতোঽপরাঃ। তথাদ্যা প্রকৃতির্যোগাদভি সংশ্রিয়তে সদা ॥৩৪॥
স্নেহপাশৈর্বহুবিধৈরাসক্তমনসো নরাঃ। প্রকৃতিস্থা বিষীদন্তি জলে সৈকতবেশ্মবৎ ॥৩৫॥
শরীরগৃহসংস্থস্য শৌচ তীর্থস্য দেহিনঃ। বুদ্ধিমার্গপ্রয়াতস্য সুখং ত্বিহ পরত্র চ ॥৩৬॥

জীব পান্‌বশিং নোংম নোংমগী মীকুপ থুদিংগী চাশিন্নক্লিবসিদি লিলনা মীকুপ থুদিংগী হুংশিংপু থহচিন-চাশিন্নকপা অদুগুম্বনি ॥২৯॥

জীবনা জগৎ সংসারসিদা মমাঙদা তৌখিবা কর্মগী মহৈ অদু চাদুনা লৈরি। পূর্ব্বজন্মদা তৌখিবা কর্মশিং অমুগী মহৈশিং অদুবু অপাম্বা থওদে, পামজদবা থওদে, মশাদা কাম্বা থওদে, কাম্নদবা থওদে, নোংমে নোংমগী মীকুপ থুদিংগী চাশিন্দুনা লৈরি। মাহু পামজৈ হায়দুনা কংথনু মত্তে, মাহু পামজদে হায়দুনা—চংজরোই কংজরোই হায়বস্যু যাদে ॥৩০॥

তুম্মিত্তৈদা, কম্মিত্তৈদা চৎলিত্তৈদা, বিষয়ভোগ চাদিত্তৈদা, মকম মতম পুম্বদা তৌরিবা কর্মশিং অদুগী অফ-ফত্তবা মহৈ অদু অদুম্ মচায়। কন্নোক্-লীথোকপা সুকয়া যাদে ॥৩১॥ সমুদ্রগী যাংবা য়ৌধবা মীনা সমুদ্রদুবু অমুক্ লান্‌বগী, ঈরোইবগী যাথন তৌকত্রবদুগুম্না সংসার-ঈপাক লাম্বোকপবশিং অদুনা ঈপাক্ অদুদা অমুক্ চোংথরুবগী আশা তৌত্রে, অমুক্ হত্তিন্নকপগু ওইথোক্তবা ওইনা থোক্রে ॥৩২॥

অকৌবা ঈশিংদা তাউরিবা হি অদুবু হিহোবদুনা থোঙী থাদুনা চিংশিন্নরবদা হি অদুনা মাবু চিংলিব অদুগী পুক্নিংগী মতুংইন্না মাগী মথাপোম্না চৎপা অদুগুম্না— জীবনা হকচাংগী মশক্ ওইরবা হি অসিবু মহাক্না চৎহল চৎহনীঙবা মকমদা কোয়পু পুনীংঙি ॥৩৩॥

তুরেল ময়াম্না মায়ৈপ মকম তোঙান্ তোঙান্‌বদগী চেন্‌শিন্নরপা সমুদ্রদা তায়বদুগুম্না যোপগী মথা-পোন্‌গ্রবা পুক্নিংসিনা মতম পুম্বগীদমক মূলপ্রকৃতিদা হায়বদি— মৈ, ঈশিংনচিংবদা অমত্তা ওইনা,— মথা অমত্তা ওইনা লুপথি— তিন্নথি ॥৩৪॥

বিষয় তোঙান্ তোঙান্‌বদা য়েচ্ছিন্নথবা, মসুংশি তোঙান্ তোঙান্‌বগী থোয়ীনা কাজিন্‌গ্রবা পুক্নীংবা মহাক্নী ওইরবা অদুগুম্না জীবনা প্রকৃতিগী মায়াদা লুপথিদুনা ঈশিংদা তাথৎপা লৈতোইগী পন্‌গুম্ অমদি শাগৎপা য়ুমগুম তেক্থখিবা পুম্মুং মুৎথিবা যাবগী মওংদা লৈথি ॥৩৫॥

মপাম্হোংগী হকচাং অসিগুনা মাগী য়ুমগুম্ লৈবব, হায়বদি— হকচাংসিদা করিমত্তা শয়দনা লৈরবা, মহুং-মপান্‌গী পবিত্রতা (অশেংবা মওং) দা লৈবনা তীর্থদা লুম্নগুম থজিব, বুদ্ধি তৌনা যাইকবগী লম্বীদা চৎলিবা অদুগুম্না হকচাংগী মপু দেহী (আত্মা) অদুদি— ইহলোক পরলোক অনীমক্তা নুংঙাইবগী শরক্

বিস্তরাঃ ক্লেশসংযুক্তাঃ সংক্ষেপাস্তু সুখাবহাঃ। পরার্থং বিস্তরাঃ সর্ব্বে ত্যাগমাত্মহিতং বিদুঃ ॥৩৭॥
সঙ্গতং মিত্রবর্গো জ্ঞাতয়ঃ কারণাত্মকাঃ। ভার্য্যা পুত্রশ্চ দাসশ্চ স্বমর্থমনুযুজ্যতে ॥৩৮॥
ন মাতা ন পিতা কিঞ্চিৎ কস্যচিৎ প্রতিপদ্যতে। দান পথ্যোদনো জন্তুঃ স্বকর্মফলমশ্নুতে ॥৩৯॥
মাতা পুত্রঃ পিতা ভ্রাতা ভার্য্যা মিত্রজনস্তথা। অষ্টাপদপদস্থানে লক্ষং মুদ্রেব লক্ষ্যতে ॥৪০॥
সর্ব্বাণি কর্ম্মাণি পুরা কৃতানি শুভাশুভান্যাত্মনো যান্তি জন্তোঃ।
উপস্থিতং কর্মফলং বিদিত্বা বুদ্ধিং তথা চোদয়তেঽন্তরাত্মা ॥৪১॥
ব্যবসায়ং সমাশ্রিত্য সহায়ান্ যোঽধিগচ্ছতি। ন তস্য কশ্চিদারম্ভঃ কদাচিদবসীদতি ॥৪২॥
অদ্বৈধমনসংযুক্তং শূরং ধীরং বিপশ্চিতম্। ন শ্রীঃ সন্ত্যজতে নিত্যমাদিত্যমিব রশ্ময়ঃ ॥৪৩॥

মাগী ওইদুনা লৈ ॥৩৬॥ থবক্কী মথং মথং শন্দোক-শাক্থোক্খিবা শায়ৎসিমক্তবু অয়াবগী মশক্ত মওই। মশীং য়াম্দুনা শমদিংদনা লুংঙাইবা পী। শান্দোক্নুংশিবা মহাক মতৈগী নত্তে মীং, নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয় খুদিংমকসিগী পেলকপনবগীদমক্তনি। অমম্বা মহাক মশাগীদি অমতা পাঙ থাক্চাদোদ্রে। অদুনা মশীং য়াম্-লকদবদুবু ত্যাগ তৌবতনা— থাদোক্পতনা আত্মা মহাকী কাম্নবা লুংঙাইব ওইগনি ॥৩৭॥

কয়িগুম্বা অনীংবা (সঙ্কল্প— মতলব— ইচ্ছা) অমা লৈবদগী অমগা মরূপ শান্নকয়িবনি। তাই-পেল, শাগৈ-নাইত্তেগনু চান্নকয়িবনি। হুপী-অঙাং, মচু মচা পূবগা মত্তম খুদিংগী লুংশিনকয়িবসু— অসিগী তাকনি ॥৩৮॥

পরলোককী লুংঙাইবা কংননবা হোৎনবকপদা মপা-মমা মচীন মনাওনা কয়িগুম্বা মতেং অমতা পীরক্-লোই। মশানা তৌকখিবা দান ধর্মনচিংবগী মহৈ অদুতনা চাবদি— ত্যাগকী মহৈ অদুতনা জীব মহাক্না স্বর্গদা চৎখিবগী লম্বীগী চেংজেন্ (পাথেয়) ওইগদৌরিবনি। জীব খুদিংমক মানা মানা তৌখিবা কর্মদুগী মহৈ অদু মীকুপ খুদিং চাদুনা লৈরিবনি ॥৩৯॥

মমা-মপা, মচা-মশু, হুপী-অঙাং, মরূপ-মপাং, শাগৈ নাইতে— পুম্নমক অসি মপান্দদি সনাতনা শাবা সিকা মথক্তা থম্বা সনাগাঙ্গা মপাক্ লক্তা অমগুম্ উই ॥৪০॥

পূর্ব্বজন্মদা তৌখিবা অফ-ফত্ত কর্ম পুম্নমকনা জীবসিবু, কোম্থিন্ ইম্নদুনা লৈরি। মতৌ অদুমনা— লাক্লি লাক্লিবা অবস্থাদুবু নহানমুকী মপোক্তী কর্মগী মহৈনি হায়না খন্দুনা মী মহাক অদুগী পুক্নীং কৌবা ইন্দ্রিয়না মক্নুংদা লৈশিন্দুনা ভূমিগ্না লৈগ্রবা, মহাক অদুনা মশাগী বুদ্ধিবু ফুংদা অয়াবা অমমুক্ কংহল্লরোই-লৌবা থয়ক্লোমদা ইন্থিল্লি ॥৪১॥

মপুক্নীংদা লেপত্রবা অফবা থবক্তা হোৎনরিবদুগী মতীক্চাবা সহায় পীরিবা মীশিংবু থোম্জিন্-পৈ-শিল্লিবা মী মহাক্তুগী থবক্তা কয়িগুম্বদা মহৈ কান্দনা অরেম্বদা থক্ মাঙদে ॥৪২॥

মা'স হায়া তৌগত্রে ? মাদুনা হায়া তৌগত্রা ? হায়না নীঙজিং মাঙজিংনবা লৈত্রবা, নোম্বা কন্‌বা,

আস্তিক্য ব্যবসায়াভ্যামুপায়াৎ বিস্ময়াৎ ধিয়া। সমায়ুক্তোঽনিন্দ্যাত্মা ন সোঽর্থঃ পরিষীদতি ॥৪৪॥

সর্ব্বঃ স্বানি শুভাশুভানি নিয়তং কর্ম্মাণি জন্তুঃ স্বয়ম্।
গর্ভাৎ সম্প্রতিপদ্যতে তদুভয়ং যৎ তেন পূর্ব্বং কৃতম্ ॥
মৃত্যুশ্চাপরিহারবান্ সমগতিঃ কালেন বিচ্ছেদিনা।
দারোশ্চূর্ণমিবাশ্মসার বিহিতং কর্ম্মান্তিকং প্রাপয়েৎ ॥৪৫॥
স্বরূপতামাত্মকৃতং চ বিস্তরং কুলান্বয়ং দ্রব্যসমৃদ্ধিসঞ্চয়ম্।
নরো হি সর্ব্বো লভতে যথাকৃতং শুভাশুভেনাত্মকৃতেন কর্ম্মণা ॥৪৬॥

ভীষ্ম উবাচ।

ইত্যুক্তো জনকো রাজন্ যথাতথ্যং মনীষিণা। শ্রুত্বা ধর্ম্মবিদাং শ্রেষ্ঠঃ পরাং মুদমবাপ হ ॥৪৭॥

মরিল-মথৌনা লৈবা, জ্ঞানী ওইবা মী মহাক অহুবু সম্পত্তিনা থাদোক্তবদি— চুমিংনা চুমিংকী মতাংলদুবু থাদোক্তবগুম চপ্ মায়ে ॥৪৩॥

থম্মোয় য়াম্না পাক্-চাউবা, য়াম্না থোংপা, নাস্তিক ওইবগী য়াথল লৈতবা, অকবা থবক্তা মহৈ পাম-দবা মহৈশী য়াথল খল্লুরনা, মমাং ওন্দনা থোক্ত কাম্লিন্‌বা, নাপল-থোয়বা লৈতবা, য়াম্না বুদ্ধি তৌনা থবক পাংথংপা, অহুগুম্বা মী অহুশী থবক অহু থক্ মহৈ য়াংলবা তৌদে। ইহলোক পরলোক অনীমক্তা চাউথংপা কংতি ॥৪৪॥

জীব খুদিংমক্ পূর্ব্বজন্মদা তৌখিবা কর্ম্মশিং অহুগী অফ-ফত্ত মহৈ অহু গর্ভদগীদা হেক্ চংক্তকপা চুমিং-অহুগী চাব থর থর হোৎপ্রদনি। হোয়ানা লেম্নক লেম্নকপদা পাইথোক্তকপা হোরায় মকুপ (উকুপ) শিং অহুবু চুংশিংনা পাইথোক্নখিবগুম্না, কদ্বোক-লাকথোকপা য়ারমোইদৌবা মৃত্যু (অশিবা) হায়বশিনা— কাল (মতম) কৌবা মহাক্তা অমতা ওইশিন্দুনা, হায়বদি— মতেং লৌদুনা চুমিং খুদিংগী শিক্লি শিক্লি মরীক্ মরীক্ লৌশিন্দুনা তাইবং জীববু— তাইবং মীবু লোইনা লৌশিন্নখি ॥৪৫॥

তাইবংমী পুম্নমক মানা মানা তৌখিবা কর্ম্মগী অকবা ফত্তবা লম্বীদুগী মকুংইন্না অসুম চুম লাকুন লবী মরক্ মরক্তা ফজবা-অধীবা, পামজবা-পামজদবা, মহাক্তা কংবদা কতীক্ চাবা-চাদবা ওইথোক্পা-ওই-থোক্তবা, মচা-মশু থন্না লৈবা—শূদ্রে লৈতবা, শাগৈ-জাৎ অতৌবদা—হত্ববদা পোক্পা, মরুল-মথুম্ কংবা-কংদবা কংতবা—মুংখিবা অসিনচিংবা মহৈদি কং কাদুনা, চা চাদুনা লাক্লি। লাক্লিমৈসিমক্তদা, হয়াইগী— হোরায়-মকুপশিংবু চুংশিংনা পাইথোকচন্নখিবগী প্রনাণ অহুগুম্না মুত্তুনা তাইবং জীববু— তাইবংমীবু অসুম অসুম লৌশিল্লি ॥৪৬॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ। মহাজ্ঞানী ওইরবা মহাত্মা পরাশর মুনিগী মতৌন্দগী থাৎলেশেংনা তৌরিবা থৌদোকশিংগী পাউতাকশিং অসিবু তাবদা জনক নিংথৌ অসি ওদ্মোক্তা পেন্‌থ্রে ॥৪৭॥

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
পরাশর-গীতায়াং ত্রিনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ ৯৩॥

——:(※):——

মখম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা,
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা পরাশর-গীতা-লোইবা চনীমরিফুত্তরাহুমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯৩॥

——:(+):——

মণিপুরী মহাভারত

চতুর্নবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(হংস গীতা)

চনীগা মরিফুতরামরিশুবা অধ্যায়

——:(※):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

সত্যং দমং ক্ষমাং প্রজ্ঞাং প্রশংসন্তি পিতামহ। বিদ্বাংসো মনুজা লোকে কথমেতন্মতং তব ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যেঽহমিতিহাসং পুরাতনম্। সাধ্যানামিহ সম্বাদং হংসস্য চ যুধিষ্ঠির ॥২॥

হংসো ভূত্বা সৌবর্ণস্ত্বজো নিত্যঃ প্রজাপতিঃ। স বৈ পর্য্যেতি লোকাংস্ত্রীনথ সাধ্যানুপাগমৎ ॥৩॥

যুধিষ্ঠিরনা হংখি,— ঈবুধৌ। সংসারসিদা বিদ্বান্ (জ্ঞানী) অমাম্বনা অচুম্বা ভাণ্ডবা, ইন্দ্রিয় খুঙম-চন্‌বা, ভাকপিহৈবা, প্রজ্ঞা (অখোইবা বুদ্ধি) মখোয় অসিগী-ত প্রশংসা তৌরি। মাসিদা ঈবুধোগী করি মত লৈ? করি য়ানীঙদবা, করি য়াবিনীঙবা? মাহুত্থ তাক্‌পিয়ু ॥১॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির। হৌজিক হায়রিবা বিষয় অসিদা সাধ্যশিংগা হংস (কাংশু) গী তৌনখিবা সংবাদ অহু কুইরবা ইতিহাস প্রমাণ য়াবী ওইনা লীনৈ। মাহু ঐ লীগে তাও ॥২॥

মোংমা, ময়াংতৌনা মথন্তা পোক্‌চরকপা প্রজাপতি ব্রহ্মানা সনাগী কাংশী মশক্ লৌহনা মরোল অহমদা কোয়না চংলম্মি। অদুম কোয়রকপদা সাধ্যশিংগী মাঙ য়োঁরক্লে ॥৩॥

সাধ্যা উচুঃ।

শকুনে বয়ং স্ম দেবা বৈ সাধ্যাস্ত্বামনুযুঙ্ক্ষ্মহে। পৃচ্ছামস্ত্বাং মোক্ষধর্ম্মং ভবাংশ্চ কিল মোক্ষবিৎ ॥৪॥

শ্রুতোঽসি নঃ পণ্ডিতো ধীরবাদী সাধুশব্দশ্চরতে তে পতত্রিন্।
কিং মন্যসে শ্রেষ্ঠতমং দ্বিজ ত্বং কস্মিন্মনস্তে রমতে মহাত্মন্ ॥৫॥
তন্নঃ কার্য্যং পক্ষিবর প্রশাধি যৎ কার্য্যাণাং মন্যসে শ্রেষ্ঠমেকম্।
যৎ কৃত্বা বৈ পুরুষো সর্ব্ববন্ধৈর্বিমুচ্যতে বিহগেন্দ্রেহ শীঘ্রম্ ॥৬॥

হংস উবাচ।

ইদং কার্য্যমমৃতাশাঃ শৃণোমি তপো দমঃ সত্যমাত্মাভিগুপ্তিঃ।
গ্রন্থীন্ বিমুচ্য হৃদয়স্য সর্ব্বান্ প্রিয়াপ্রিয়ে স্বং বশমানয়ীত ॥৭॥
নারুন্তুদঃ স্যান্ন নৃশংসবাদী ন হীনতঃ পরমভ্যাদদীত।
যথাস্য বাচা পর উদ্বিজেত ন তাং বদেৎ রুশতীং পাপলোক্যাম্ ॥৮॥

মতম অমুদা সাধ্যশিংনা অমুময় হায়রকই,— কাংগু। ঐখোয় অসে সাধ্য হায়বা দেবতাশিং অফুনি। নহাক্কী নককদা ঐখোয় মোক্ষধর্মগী মরমদা অকুপ্পা মরোলগী য়া থন্নদং তাজনীংঙি। মরমদি নহাক মোক্ষধর্মগী তত্ত্ব মুপ্পা খঙবা অমদি খঙলবনি ॥৪॥

পুক্চেল চাউরবা! ঐখোয়না কন্নি তাবগে হায়রবু নহাক অসি মহাপণ্ডিত অমনি, বক্তা (য়াফাং হৈবা) অমনি। নহাক্কা তাকৃপিবা জ্ঞানগী পাউতাক পুন্নমক মকম খুনিংদা শীন্থুনা লৈরবনি। উচেক্-নিংথৌ! নহাক্কী মততা জগৎ অসিদা খ্বাইদগী হেন্বা পোৎশক অসি করিনো? নহাক্কী পুক্নীংনা করম্বা মায়পৈনা লেপ্লিবা? ॥৫॥

উচেক্ নিংথৌ! সংসারগী থমক পুন্নমক অসিগী মফুংদা করম্বনা খ্বাইদগী হেন্বা? করম্বা কর্মবু তৌরগা তাইবং জীবনা কর্ম পুন্নমক্কী বন্ধনদগী লাম্বোকপা ঙমগনগে? মাসিগী মরমদা নীঙথিবা পাউতাক্ অমা পীবিয়ু ॥৬॥

কাংগুনা হায়,— অমৃত ত চাকুনা লৈরবা দেবতাশিং! ঐবু হায়য়ু হায়রবদি— তপস্যা, ইন্দ্রিয় খুদম চন্থ', অচুম্বা তাঙবা, পুক্নীংবু লাকৃশিন্বা, অসিমচিংবা কর্মশিংনা খ্বাই কর্ম পুন্নমক্তগী অথোইবনি। থম্মোয়গী কিশি পুন্নমক্ থোক্লগা অপাম্বা পামদবা পুন্নমক মথা পোন্না থন্নপা, অবা-নুংঙাই পুন্নমক অমতনি হায়না খন্দুনা, পুন্নমক অসি থঙহনা লৈগদবনি ॥৭॥

কনাগুম্বা অমতগী থম্মোয়দা চৈনাথোল শীগোইদৌবনি। তমথীবা য়াহৈ শীজিন্নগোইদৌবনি। অতোপা মীগী আধ্যাত্মিক ওইবা পাউতাক অমতা লৌয়োইদৌবনি। মীগী থম্মোয়দা লাঙতক্পা, চৈথাং হোবা, তাবদা মথক তানিংব ওইবা য়াহৈ অমত্তা চীথাঙ্গী কাওথোক্লোইদৌবনি ॥৮॥

বাক্‌সায়কা বদনান্নিষ্পতন্তি যৈরাহতঃ শোচতি রাত্র্যহানি।
পরস্য না মর্মসু তে পতন্তি তান্ পণ্ডিতো নাবসৃজেৎ পরেষু ॥৯॥
পরশ্চেদেনমতিবাদবাণৈর্ভৃশং বিধ্যেচ্ছম এবেহ কার্য্যঃ।
সংরোষ্যমাণঃ প্রতিহৃষ্যতে যঃ স আদত্তে সুকৃতং বৈ পরস্য ॥১০॥
ক্ষেপায়মাণমভিষঙ্গব্যলীকং নিগৃহ্ণাতি জ্বলিতং যশ্চ মন্যুম্।
অদুষ্টচেতা মুদিতোঽনসূয়ঃ স আদত্তে সুকৃতং বৈ পরেষাম্ ॥১১॥
আক্রুশ্যমানো ন বদামি কিঞ্চিৎ ক্ষমাম্যহং তাড্যমানশ্চ নিত্যম্।
শ্রেষ্ঠং হ্যেতৎ যৎ ক্ষমামাহুরার্য্যাঃ সত্যং তথৈবার্জবমানৃশংস্যম্ ॥১২॥
বেদস্যোপনিষৎ সত্যং সত্যস্যোপনিষৎ দমঃ। দমস্যোপনিষন্মোক্ষ এতৎ সর্ব্বানুশাসনম্ ॥১৩॥
বাচো বেগং মনসঃ ক্রোধবেগং বিবিৎসাবেগমুদরোপস্থবেগম্।

যাহৈগী মশক লৌববা তেল অমদি তাশোম্ন থম্মোয়দা থাডহৈত্র চৈনা কংলবা মী মহাক অদু অহিং নুংথিন্দা নুংঙাইতবা, শিনিংবগী ঈপাক্তা লুপখি। মরম অদুনা জ্ঞানী ওইবা মীনা মী অমগী মকমদা অদু-গুম্বা তমথীরবা যাহৈ-রাক্তা অদু থক্ শী জয়রোইদৌবনি ॥৯॥

অদুগা অমযোমদা অতোপ্পা অমগী মচীন্দগী তমথীরবা যাওাং অদু তাযগা মাহু তপথবপা লোয়নবা থাওদুনা লৈগদবনি। মাহুনি তপস্যা হায়রিবসি। থম্মোয়দা নুংঙাইতবা পোকহনবা যাহৈ অমত্তং লায়-বদি মাহুবু নীংথিজবা অথোংপা যাহৈনা ওকদবনি। অদু ওইরবদি তাওলিবা মী অদুনা মমাংতৈদা তৌখিবা পুণ্যকর্ম্মশিং অদুগী মহৈ পুম্বা, তুমিন্না তাদুনা থাওদুনা লৈরিবা মী অদুনা অদুম্ লৌথোকখি ॥১০॥

জগৎতা নিন্দা তৌহন্নিবা, থম্মোয়শোক যাহন্দুনা জ্ঞান তাহন্দবমা কত্তে হায়না থওদুনা— নেমথদুনা থনম্বা অশাউববু অমুক্ মথি কোংহল্লকপদা, নমথদুনা থম্নিবা, থম্মোয়দা করিগুম্বা বিকার অমত্তা পোক-হন্দবা, নুমিৎচুম্বা ঈপেত্ত পেঙ্গদুনা লৈবা, অতোপ্পা কনাগুম্বা অমত্তগী দোষ য়েংদব— থিদবা, অদুগুম্বা অশিংবা মীনা— মাঙোন্দা হেক্কবা হৌদুনা শীনয়ক্লিবশিং অদুগী মথোয়গী পুণ্যদু লৌথোক্‌ই ॥১১॥

ঐদি, কনাগুম্বা অমনা চৈয়রবসু মঙোন্দা ওনশিন্দুনা থক্ চৈরুদে। কনাগুম্বা অমনা কুয়রবসু— মঙোন্দা চৈহন্দে। অহোয়নদুম্ মী অদুগী মরাল অদু তাকপি। মরমদি— অহৈ-অশিং জ্ঞানী পণ্ডিতশিংনা তাকপি-হৈবা, অচুম্বা তাংবা, লৌথুপ-লৌকোই য়াওদবা, ঈচম্ চম্বা লৈবা, অদুগা থোজালহৈবা, অশিন-চিংবা গুণকর্মশিং অসিতবু তাইবং মীওইবগী অথোইবা গুণনি হায়রৈ ॥১২॥

বেদবু তম্বা নৈনবগী মচি (সার) দি অচুম্বা তাওবনি। অচুম্বা তাওবগী মচিনা ইন্দ্রিয় থুদুমচনবনি। ইন্দ্রিয় থদুমচনবগী মচি ওইবা মহৈ অমদি উদ্দেশ্যনা মোক্ষ (মুক্তি) নি। শাস্ত্র পুবগী পাউতাক্ হায়-বসু অসিতনি ॥১৩॥

হায়নীংবা, কদোরকদবা যাহৈগী কদোরকনবা শাক্তবু, পুক্লীং অদুগা অশাউবগী শাক্তবু, অরাম-

এতান্ বেগান্ যো বিষহত্যুদীর্ণাং স্তং মন্যেঽহং ব্রাহ্মণং বৈ মুনিঞ্চ ॥১৪॥
অক্রোধনঃ ক্রুধ্যতাং বৈ বিশিষ্টস্তথা তিতিক্ষুরতিতিক্ষোর্বিশিষ্টঃ।
অমানবান্মানুষো বৈ বিশিষ্টস্তথা জ্ঞানাজ্জ্ঞানবিদ্ বৈ বিশিষ্টঃ ॥১৫॥
আক্রুশ্যমানো নাক্রোশেন্মন্যুরেবং তিতিক্ষতঃ। আক্রোষ্টারং নির্দ্দহতি সুকৃতং চাস্য বিন্দতি ॥১৬॥
যো নাত্যুক্তঃ প্রাহ রূক্ষং প্রিয়ং বা যো বা হতো ন প্রতিহন্তি ধৈর্য্যাৎ।
পাপঞ্চ যো নেচ্ছতি তস্য হন্তুস্তস্যেহ দেবাঃ স্পৃহয়ন্তি নিত্যম্ ॥১৭॥
পাপীয়সঃ ক্ষমেতৈব শ্রেয়সঃ সদৃশস্য চ। বিমানিতো হতোঽক্রুষ্ট এবং সিদ্ধিং গমিষ্যতি ॥১৮॥
সদাহমার্য্যান্নিভৃতোঽপ্যুপাসে ন মে বিধিৎসে সংস্তে ন রোষঃ।

থৌনাংবগী শাফুবু, পুক্ নামদি জিন্‌গী শাফুবু— ফত্রবা শাফুশিং অসিবু থিংদুনা নমথৎহনবা থম্বা ঙম্লিবা মী অদুদবু ঐনা ব্রহ্মণত্ব থম্মবা মুনিনি খায়নীংঙি ॥১৪॥

শাউজিল্লকপা মীগী মফমদা থক্ শাউক্লদবা, মথোয় অদু অথোইবনি। খাংদৈদবা, খাঙবা ঙমগদবা মীদগী খাঙবা ঙম্বা— অখাঙ কন্‌বনা অথোইবনি, হেক্লি। মী ওন্‌বা অতৈ অতৈ জীবদগী, হায়বদি— মপোকপী মীওইবনা, মীগী মপোক্লা অথোইবনি, অতেন্‌বনি। জ্ঞান লৈতবা মীদগীনি জ্ঞান লৈবা মীনা অথোইবনি ॥১৫॥

মীনা মীনা লৈরক্লবসু লমম্ থুম্বগুম্ মঙোল্না হনথজুনা চৈফদবা অংগুম্বা খাংদৈবা মীদুগী দম্বা— থৌজান্নগী মশক্ লৌত্রবা অশাউবদুনা চৈথ্রিবা মী অদুবু ভস্ম (উং) ওইনা মাঙহল্লি। অদুগা চৈরম্বিবা মী অদুনা মমাংঙৈদা তৌজখিবা পুণ্যশিংসু মুন্দুনা লৌই ॥১৬॥

মীনা অথীবা ৱাহৈনা চৈথ্রবসু, নিন্দা তৌরবসু মাগুম্ হনথজুনা থক্ চৈবিকদবা, তুমীন তদুনা লৈথোক্‌পিবা, কনাগুম্বা ফত্তবা মী অমদগী কুব চৈবগী চৈনা ফংলবসু মাদুবু তুমীন্না খাঙদুনা লৈথোক্‌পিবা, মঙোল্না থুং হল্লুদবা, মপান্থোংদা হকচাংদা থুং হল্লুবদি লায়থদুনা কুররিবদুগী অহোয়নদুম অফবা— মঙল ওইনবদুম্ হন্‌বিরিবা অদুগুম্বা মহাত্মাবু উন্নগদবগী, উন্ননীংঙনা, স্বর্গগী দেবতা ফাওবনা তত্তনা লৈংনা লাঙ-তক্‌না ঙাইদুনা লৈরি ॥১৭॥

পাপকী থবক তৌরম্বা অপরাধী অমুনা চহী (বয়স) দা, জাতিদা চন্দ্রবসু ৱেঙংলবসু নত্রগা— লেংমান্নবা ওইরবসু, মহাক্কা চৈথ্রিবা, কুররিবা, নিন্দা তৌরবিবদুবু তুমিন্না লাথোক্‌পিদুনা, মহাক্কা ফংহবা অপমান (চোক্পা) ফাওবসু খাঙদুনা লৈথোক্‌পিবা হায়বা ধর্ম অসি ঙাইবংমীগী মপোক্তা জানা ওইবা পোক্‌পশিংনা চংকদবনি। অসিগুম্বা ধর্মবু চংলিবা মীশিং অদুদনা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা সিদ্ধিবু ফাই— সিদ্ধপুরুষ ওইরে ॥১৮॥

ঐ হীরম পুরমক্ত ইথত্ত খন্দুনা লৈ। ঐনা হঙগদবা অদুগা কংগদবা অমত্তা লৈত্রে। অদুবু

ন চাপ্যহং লিপ্সমানঃ পরৈমি ন চৈব কিঞ্চিৎ বিষয়েণ যামি ॥১৯॥
নাহং শপ্তঃ প্রতিশপামি কিঞ্চিৎ দমং দ্বারং হ্যমৃতস্যেহ বেদ্মি।
গুহ্যং স ব্রহ্ম তদিদং বো ব্রবীমি ন মানুষাৎ শ্রেষ্ঠতরং হি কিঞ্চিৎ ॥২০॥
নির্মুচ্যমানঃ পাপেভ্যো ঘনেভ্য ইব চন্দ্রমাঃ। বিরজাঃ কালমাকাঙ্ক্ষন্ ধীরো ধৈর্যেণ সিধ্যতি ॥২১॥
যঃ সর্ব্বেষাং ভবতি হ্যর্চনীয় উৎসেধনস্তম্ভ ইবাভিজাতঃ।
যস্মৈ বাচং সুপ্রসন্নাং বদন্তি স বৈ দেবান্ গচ্ছতি সংযতাত্মা ॥২২॥
ন তথা বক্তুমিচ্ছন্তি কল্যাণান্ পুরুষে গুণান্। যথৈষাং বক্তুমিচ্ছন্তি নৈর্গুণ্যমনুযুঞ্জকাঃ ॥২৩॥
যস্য বাঙ্মনসী গুপ্তে সম্যক্ প্রণিহিতে সদা। বেদাস্তপশ্চ ত্যাগশ্চ স ইদং সর্ব্বমাপ্নুয়াৎ ॥২৪॥
আক্রোশনবিমানাভ্যাং নাবুধান্ বোধয়েদ্ বুধঃ। তস্মান্ন বর্দ্ধয়েদন্যং ন চাত্মানং বিহিংসয়েৎ ॥২৫॥

সাধু মহাত্মাশিংগী সংসর্গ্গ দি অচুম মতৌই। ঐ অয়াম-খোয়াংবগী মথা পোল্দে। করিগুম্বা মহৈ য়াম্না চাউনা কংখদবা বর্মমক্ নৈয়বস্সু মাহ কংনি হায়রুনস্সু, ঐ ঐগী ঈখো অমদি ধর্মবু থক্ থাদোক্কে। হায়রবদি— অপাম্বা (লোভ) হায়বন্থুনা ধর্মবু থক্ ভমক্দে— মায়থোবা পীহন্দে। করিগুম্ব' সংসারগী বিষয় অমবু পাম্মুবদগী অমদগী অমদা কোয়চেল থক্ চেল্লুক্ত্রি ॥১৯॥

কমাগুম্বা শাউথিবদগী ঐত্তোন্দা শাথিনা শাপ তৌরবস্সু, মত্তোন্দা ঐ ওন্‌শিন্দুনা শাপ থক্ তৌদে। ঐদি, ঐগী মতত্তদি ইন্দ্রিয় থুম্মুগনবা হায়বসিক্তনা মোক্ষ-পদবী (অয়ান্‌বা-থুঙম) কংনমবগী থোঙনি, লম্বীনি। ঐ হায়া কুপগ্রবা— খুপগ্রবা য়া অমা হায়গে, মুম্বা ভাও। ভাইবং মীওইবদগী হেন্‌বা অতৈ মপোক্ অমমুক নৈত্রবনি ॥২০॥

নৈচীন্ মরক্ত— মরুমদা নৈরম্বা থাবা হাইদোরক্তুম্বা ভাম্মোয়কপণ্ডুম, পাপ পুম্নমক্কগী হাইদোয়ক্তুম্বা মক্ত্রবা থম্মোয়না মহাকী ওইরবা অহুগুম্বা জ্ঞানী ওরইবা ভপ্পবা মীনা, মতমগী থোঙচং-ভ ভাই ভাইহুনা অকবা থবক্ত তৌহুনা সিদ্ধি কংন কংনা মপুন্নশি লেপ্পি ॥২১॥

মপূক্কীংবু লাক্‌শিন্দ্‌-কাক্তিন্দুনা য়াংবা, চুম্বা মথাক্কামদা হাইগনলকপা মুখীগী মতৌওম্না, অচৌবা সত্য ওইব, চুমিংচুম্না অতম্না অথুম্বা য়াহৈত ভাঙবা, অহুগুম্বা মী মহাক্ অহুদি দেবতাভাব, হায়রবদি— লাই-মকী মওং-মতৌ মগুণ পুই ॥২২॥

মীবু কমক য়েংথিবা মীনা, মথাগী লোবশিং অহুবু কনামতগী মকমদা ভমথোক্-হায়দোক্‌নীংদম্বহুওম্না অত্তোম্না মতাক্কা কমকলুথিবা মীহুগী মগুণবু মহাক্কা শক্কীং-শোক্কীংদে ॥২৩॥

মী মহাক্ অহুগী য়াভাও খিবিক্কা, অহুগা পুক্কীংনা চুমিংচুম্না ভগবান্ পরমাত্মাভদা লুপন্থুনা নৈবা, হায়রবদি— ঈশ্বরগী মরমতদা নৈরম্বা ওইনা তৌবা, মহাক অহুদি বেদবু নৈনবা, তপস্যা তৌবা, পুম্নমক্ থাদোক-পগা, হায়রবদি— ত্যাগ তৌবা, হায়রিবশিং অদিগী মহৈ অমু অহুম্ মকংতি ॥২৪॥

মরম অহুনা অশিংবা মীনা তৌগদবা হায়রবু— য়াহৈ-থোন্‌কম্ খীবা মীবু অপমান তৌগন্‌বা জ্ঞান

অমৃতস্যেব সংতৃপ্যেদবমানস্য পণ্ডিতঃ। সুখং হ্যবমতঃ শেতে যোঽবমন্তা স নশ্যতি ॥২৬॥

যৎ ক্রোধনো যজতি যদ্দদাতি যদ্বা তপস্তপ্যতি যজ্জুহোতি।

বৈবস্বতস্তদ্ধরতেঽস্য সর্ব্বং মোঘঃ শ্রমো ভবতি হি ক্রোধনস্য ॥২৭॥

চত্বারি যস্য দ্বারাণি সুগুপ্তান্যমরোত্তমাঃ। উপস্থমুদরং হস্তৌ বাক্ চতুর্থী স ধর্ম্মবিৎ ॥২৮॥

সত্যং দমং হ্যার্জবমানৃশংস্যং ধৃতিং তিতিক্ষামভিসেবমানঃ।

স্বাধ্যায়নিত্যোঽস্পৃহয়ন্ পরেষামেকান্তশীলস্যূর্দ্ধগতি র্ভবেৎ সঃ ॥২৯॥

সর্ব্বাংশ্চৈনাননুচরন্ বৎসবচ্চতুরঃ স্তনান্। ন পাবনতমং কিঞ্চিৎ সত্যাদধ্যগমং ক্বচিৎ ॥৩০॥

আচক্ষেঽহং মনুষ্যেভ্যো দেবেভ্যো প্রতিসংচরন্। সত্যং স্বর্গস্য সোপানং পারাবারস্য নৌরিব ॥৩১॥

লৈত্তবা মীশিংগী লোষশিং অশিবু হায়লোক্পিদুনা মখোয়বু খায়কপা, ধীনা হাঙবিরুবদু তৌদবা অসিত্তনি। মহাক্তী মকমদা— মনাক্তা মী অমগী মঙাণবু য়াংনা চাউনা থাঙৎদুনা থক্ শকৃপু শোক্লুহোইদৌবনি। অদুগা ধীনা হায়দুনা মশাগী চিংসাগী থবক থক্ তৌহোইদৌবনি ॥২৫॥

বিদ্বান্ ওইবা, জ্ঞানী ওইবা— অশিংবা মীনা তৌগদবা হায়ববু কনাগুম্ব কত্তবা অমগী মকমদগী অপমান— চোম্না ফ লবদু মাদুবু অমৃত শীথকপগা চপ মান্নবা থনব, অদুগ ঊমুং তুংত্তাইদুনা পেন্দুনা লৈখোক্পা অসিত্ত নি। মরমদি অপমান তংলবা মীদুদি করিমত্তা শাউবা য়াবিবা তৌদনা তুংত্তাইনা তুম-দুনা লৈখোক্ই। মীত্তোন্দা অপমান তৌরুবিবা মী অদুদি মশাগী তৌজরুবা অনুতাপকী মৈ অদুনা— তুমকন-চাকম থগদে, মশানা অদুম মাঙজখি ॥২৬॥

অশাউবা— শাউপনব মীনা শাউবিউভ মতমদা তৌবা যজ্ঞ-দাননচিংবা পুণ্যকর্মদুগী মতৌদি অশাউবগী মূর্ত্তি পুত্থা যমরাজনা অদুম মরোত্থে। অদুনা অশাউবা মীনা তৌবা যজ্ঞ দান পুম্নমক অরেখা কায়দবা ওাক্তা ওই ॥২৭॥

সিদ্ধ সাধ্য পুম্নমক! লিঙ্গবু পুকপু, খুৎ অনীবু অদুগা য়াতাত্তবু চোক্শিন্না থম্বিবা মহাক অদুবুনি, ধর্ম্ম খঙবা হায়রিবসি ॥২৮॥

সত্য অচূম্বা ওাত্তবা), ইন্দ্রিয় থুহমগনবা, পুক্চেল তিংবা, থৌজাল, থাত্তবা কন্বা, তংক্ পৈবা - অসিন চিংবা গুণকর্ম্মশিং অসিবু মতম অয়াম্বদা শীজিন্নবিবা, বেদ শাস্ত্র নৈনবা অমদি তত্থদা মতমচুম্মদা পুক্নাং চঙলিয, করিগুম্বা কনাগুম্বা অমত্তগী মপোৎ পামজ্জনবা, চুমিংচুম্না অচীকপত্তদা লৈপন্বা মী মহাক অদুদি ঊর্দ্ধগামী (অয়াংবা থাক্তী থামদা কাখৎখিবা) হায়বা মীশক্ অদু ওইখি ॥২৯॥

শরাউনা মমা— শন্বীগী খোমজিন্ মরিবু চুপ চুপকুনা অমৃত— শঙোম থক্পদুগুম্না তাইবং মীনা অসিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা গুণকর্ম্মশিং অসিবু অশিংবশিংনা মতম পুম্বদা সেবন তৌগদবনি। সত্যদগী হেন্না অশেংবা পোৎ অমত্তা ওসি কাওবা জগৎতা উজি ॥৩০॥

ঐনা মায়গৈ মরিমক্তা কোয়পাই পাইনা, কোয়রো মৌনা তাইবংমী অদুগা দেবতাশিংদা অসুম হায়না

যাদৃশৈঃ সংনিবসতি যাদৃশাংশ্চোপসেবতে। যাদৃগিচ্ছেচ্চ ভবিতুং তাদৃগ্ভবতি পুরুষঃ ॥৩২॥

যদি সন্তং সেবতি যদ্যসন্তং তপস্বিনং যদি বা স্তেনমেব।

বাসো যথা রঙ্গবশং প্রয়াতি তথা স তেষাং বশমভ্যুপৈতি ॥৩৩॥

সদা দেবাঃ সাধুভিঃ সম্বদন্তে ন মানুষং বিষয়ং যান্তি দ্রষ্টুম্।

নেন্দুঃ সমঃ স্যাদসমো হি বায়ুরুচ্চাবচং বিষয়ং যঃ সবেদ ॥৩৪॥

অদুষ্টং বর্ত্তমানে তু হৃদয়ান্তর পুরুষে। তে নৈব দেবা শ্রীয়ন্তে সতাংমার্গস্থিতেন বৈ ॥৩৫॥

শিশ্নোদরে যে নিরতাঃ সদৈব স্তেনা নরাবাক্পরুষাশ্চ নিত্যম্।

অপেতদোষানপি তান্ বিদিত্বা দূরাৎ দেবা সম্পরিবর্জয়ন্তি ॥৩৬॥

পাউজেল্লি— সমুদ্র ঈপাক্ লায়বা উপায়দি জহাজ (হি) তনা ওইবনুগুম্না সত্য হায়বনুগনা স্বর্গ কাননবগী সিড়িনি ॥৩১॥

অফুম্ অফুম্ ওইবা মীশিংগা লৈমিন্নরিব, সেবা তৌকরিবা, অফুগা অফুম্ অফুম্ ওইবা মওংবু পাম্লুরিবা অফুগী মতুংইন্না লৈরকরিবা মহাকন্না অফুম্ অফুম্ ওইবা মওংশিং অদু অফুম্ মওইরকই, হায়বদি— মরুংগুই ॥৩২॥

কি অফুদা শওতু শওতুরিবা মতু অফুবু কি অফুনা অফুম্ মপুবনুগুম্না অকবা-কহবা, তপস্বী নত্রগা হুরান্বা, মূর্খ-পণ্ডিতনচিংবগা তিন্না তিন্নকরিবফুগী মতুংইন্না তিন্নরিবা মহাকন্না অকবা নত্রগা কহবা, তপস্বী নত্রগা হুরান্বা, মূর্খ নত্রগা পণ্ডিত অফুম্ মওইখি ॥৩৩॥

দেবতাশিং কাওবনা মর্ত্ত্যলোককী সৎপুরুষ, সজ্জনশিংগা তিন্নবা, অফুগা মখোয়তগা লোয়ননা বাত্তীবাতাই শায়বা পাম্মি। মরম অফুনা লাইশিংহুনা তাইবং মীওইবশিংসিগী মীকুপ্তা কায়খিগদবা বিষয়ভোগ মরাম অসি য়েংশিল্লুদে, হায়বদি— য়েংশিল্লুবগী মতম মখোয়দা লৈতে। অনিত্য ওইরবা মীকুপ্তা কায়খিগদবা বিষয়শিং অসিগী তত্ত্ববু তাইবংমীনা মুন্না খঙবা নৈনবা অফুপ চন্দ্রদেবমক্তা বায়ুদেবমক্না খঙবা ঙমদে ॥৩৪॥

থম্মোয়-গুফামুংদা লৈবা, লোইনা খঙবা, মতুংগী বা পুন্নমক খঙবা আত্মা অসিগী কবিগুম্বা দোষ অমত্তা চঙদ্রবা অবস্থা অফুদা হায়বদি— মতম তংশ্বাহুংকুদা অফুগা আত্মাসিবু উক্করবদি (হকচাংসিগা কোকচুনা "ঐ" অমুম্না হায়দ্রিবা অনাত্মা অসিনা হকচাংনচিংবা দোষ অমত্তা য়াংদ্রবা আত্মাহুবু সাক্ষাৎকার তৌবা মতমদা মী মহাক অদু, হায়বদি— হকচাংসিগা কোম্নরিবা অমম অদু সন্মার্গগামী (স্বর্গগামী— স্বর্গ কাবা) হায়বদুমক্ ওই। অদুনা, অদুগুম্বা মীশক অদুবু স্বর্গগী লাইশিংমক্তা পামজৈ য়েংবদা পেত্তে ॥৩৫॥

স্নুমিংচুম্না মপুকী য়াত মখন্বা, হায়বদি চানখরুবগীতা মখন্বা, মুপী-মহাশিংগা তিনু-খোৎননবগী য়াখত্তনা মরু ওইবা থবক ওইনা থন্বা, হুরান্বা ডাকুগী থখতনা মশিঙাং ওইবা, মীংখা-অয়াকুপা য়াহৈ

ন বৈ দেবা হীনসত্ত্বেন তোষ্যাঃ সর্ব্বাশিনা দুষ্কৃতকর্ম্মণা বা।
সত্যব্রতা যে তু নরাঃ কৃতজ্ঞা ধর্ম্মে রতাস্তৈঃ সহ সম্ভজন্তে ॥৩৭॥
অব্যাহৃতং ব্যাহৃতাচ্ছ্রেয় আহুঃ সত্যং বদেৎ ব্যাহৃতং তদ্দ্বিতীয়ম্।
বদেৎ ব্যাহৃতং তৎতৃতীয়ং প্রিয়ংধর্ম্মং ব্যাহৃতং তচ্চতুর্থম্ ॥৩৮॥

সাধ্যা ঊচুঃ।

কেনায়মাবৃতো লোকঃ কেন বা ন প্রকাশতে। কেন ত্যজতি মিত্রাণি কেন স্বর্গং ন গচ্ছতি ॥৩৯॥

হংস উবাচ।

অজ্ঞানেনাবৃতো লোকো মাৎসর্য্যান্ন প্রকাশতে।
লোভাৎ ত্যজতি মিত্রাণি সঙ্গাৎ স্বর্গং ন গচ্ছতি ॥৪০॥

মীজিন্নগনবা মীশিং অদুদি দোষশিং অসিগীদমক্তা প্রায়শ্চিত্ত তৌরবস্থু দোষ শং আস লৈরম্বা মীনি হায়না দেবতাশিংনা মাগা তিন্ননীওদে ॥৩৬॥

মশাদা সত্ত্বগুণগী মরীক্ অমা কাওবা য়াৎত্রবা, চাহৈবা-চাহৈদবা য়েংদন, মহাক্না থোকপদা চাশিনবা, পাপাচারী (পাপ লৌচংনবা) শিং অহুনা দেবতাশিংবু পেলহনবা ঙমদে। পেলহনবদি লায়রবহুনা, সংসারদা লাই লৈতে, ঈশ্বর লৈতেহুম্ হায়দোকই। মশাগী অকক্নবা নিয়ম অমগী মথাদা লৈহুনা, অচুং-ত তাঙ-লিবা, মীগী তৌবিমল থওবা, ধর্ম কর্ম তদা পুক্নীং চঙহুনা লৈরিবা অহুওবা মীশক অহুপতা দেবতাশিংনা সম্বন্ধ থম্মিংতি— মরী লৈনমীভি ॥৩৭॥

অর্থ য়াওদবা, কায়দবা, মীনম্বা তাঙগদবগী মহুক্না ঈভাও ভাওদনা, মুনি ওইহুনা (মৌনব্রত তৌহুনা) লৈবনা হেন্না ফৈ। মাসিনা রা তাঙবা হায়বহুগী ঈহৈন্ হান্বা খাইদগী হেনবা থাকনি। অচুম্বগী শরক্তা য়াওবা রাতাও অহুনা রাভাও হায়বহুগী অনীশুবা থাকনি, অনীশুবা বিশেষতানি। মীনা তাবদা নুংতাইবা অথুবা অথোংপা রাতাও অহুনা রা তাঙবহুগী অহুমশুবা থাকনি, অহুমশুবা বিশেষতানি। ধর্মগা মরী লৈনবা রাতাওনা রা তাঙবা হায়বহুগী মরিশুবা থাকনি, মরিশুবা বিশেষতানি। হায়রিব থাক্ মম্বি অসি মথং মনাও নাইনা কবা হেল্লি ॥৩৮॥

সাধ্যাশিংনা হংডি,— হংস (কাংঙ)। বিশ্বজগৎ অসিবু কনানা কুপ্তুরা থম্মি? করিগী দমক্ত মহাক মশাগী রূপপু কোওদোক্না লৈবগে? করিগী দমক্তা তাইবং মীওইবনা মশাগী মরূপপু থাদোক্কপগে? করি করি দোষদগী মী খুদংমক্ স্বর্গ কাবা ক্যদবগে? ॥৩৯॥

হংস (ব্রহ্মা) না হায়,—দেবতা সাধ্যাশিং। অজ্ঞানজনা বিশ্বজগৎ অসিবু কুপশিন্দুনা থম্মি। তাইবং জীবনা, বিশেষ ওইনা হায়রবদা, তাইবংমীনা অমগমং। চান্নবনা, অমনা অমগী চাউথংপা অফবা ওইরক্-পবু য়েংহুনা খাওহুনা লৈবা ওম্নরক্তবদগী তাইবং জীবশিংগী মরক্তা অমতা ওইরিবা মহাক মশাগী চপচাবা মশকপু কোওদোক্না লৈ। অপাম্বা (লোভ) না হেজিন্নকপদগী চান্নরম্বা মরূপপু শাগৈ নাতৈমকপুন্ন

সাধ্যা উচুঃ।

কঃ স্বিদেকো রমতে ব্রাহ্মণানাং কঃ স্বিদেকো বাহুভির্বৈ বিমাস্তে।
কঃ স্বিদেকো বলবান্ দুর্ব্বলোঽপি কঃ স্বিদেষাং কলহং নান্ববৈতি ॥৪১॥

তাইবংমীনা থাদোক্ই। সংসারগী বিষয়া (বিষয়শিং) না কাহেন্না পুক্নীং লূপথিবদগী মী থুদিংমক্ স্বর্গ কাবা কংদে ॥৪০॥ *

সাধ্যাশিংনা হংখি,— হংস (কাংড)। ব্রাহ্মণশিংনা পান্নিবা অচুপা অমত্তা ওইনা খাইদগী হেন্নবনি হায়না মশা(মা) কাওন্নিবা "কুংতাইবা" হায়বসি করিনো? শাগে মাতে, মরূপ-মপাং, মরাম্ খাইগী মরক্তা লৈন লৈনা, মথক্তা কনাস্থু কনাস্থু য়াওদন্, কনাস্থু কৈরুদবগুম্ ভুমিন্না ঈচীক্ চীক্না লৈন্নিবসি কনানো? হকচাংগী পাকল য়াওদবা মন্না শোন্নবা অমমা খাইদগী কন্বা ওইরিবসি করম্বা তাইবং মীনো? কনগুম্বা অমত্তগা কুন-চৈনদবা, খনে-চৈনদবসি কনানো? ॥৪১॥

---

* হংলিবা ৱাহংশিং আসগী মহুংদা খাইদগী অহান্বা ৱাহং, অচুপা ৱাহং অসিগী পাউখুম অসিনা— তাইবংমী ঐখোয়গী খাইদগী নৈননীঙঙায়রি। মাসিগী অশথা সিদ্ধান্তনি— অজ্ঞানগী মশক ওইরবা অমনা হকচাং (জগৎ) অসিনা কুপশিন্নুনা আত্ম (পরমাত্মা— ঈশ্বর) অসিনা মশাগী রূপ বু ফোঙদোক্তনা লৈরি। অজ্ঞানগী কুয়োম অসিবু হাইদোকপা ঙম্বা মী মহাক অচুগী মকমদা চংচাবা মশক্— স্বরূপ অচু ফোঙদোকদবগী ঙাইহুনবা লৈরি। আত্মা, পরমাত্মা ঈশ্বর চায়বা অমা লৈতে, হায়রিবসি অজ্ঞানগী কুয়োম (দেহ— হকচাং) অসিনা কুপতুনা লৈরিবা অনাত্ম ছুনা অদুম্ মচায়জবনি। হকচাং হায়বসি— কর্ম হায়বদুগী অউবা মশক্নি। উদবা মাগী অউবা মশক্না অজ্ঞানগী মূর্ত্তিনি। অউবা অবৈবা মাগী উদবা মশকসু অজ্ঞানগী মশক জাং অমনি। হায়রিবা অহান্বা ৱাহং পাউখুম্ অসি-গী মথংগী অতৈ ৱাহং পাউখুমশিং অচুগীসু মরাইনা অদুম তশেং তশেংনা চোংখোক্চংকনি। অমনা অমবু লৌশিন্নে, থাদোক্নে, থাদোক্ররে, হায়রিবসি— মপান্গী অজ্ঞানগী মশক্ ওইরবা, অনাত্মাগা কোয়না লৈরিবা— হকচাংশিং মথোয় মশেল-তননি। অজ্ঞান হায়বদুগী অউবা মূর্ত্তি ওইনা লৈরিবা, ভম্খৈ নাইবা হকচাং অসিনা কুপহুনা লৈবোই নীঙঙবা অনাত্মা অসিনা অজ্ঞানসিগী মহুংদা লৈরিবদনি— মাগী স্বার্থ বেং যেংদুনা মরূপ-মরুপ য়েক্নবা ওইনন্নিবা, য়েক্নবসু মরূপ ওইরকুনা তিন্নন্নিবা— অসিনচিংবসি। যোগী, সন্ন্যাসী, মুনি, ঋষি-নচিংবা ওইনরিবসি— অনাত্মাশিংশিনা আত্মা (পরমাত্মা — পরাত্মা) ওইত্রিবদু কাওবত্তনি। স্বর্গ কাবা হায়রিবা অসিসু অনাত্মানা থাজৈশেংবা আত্মা ওইনা হকচাংদগী মনীং-তম্না চংখিবা হায়বত্তনি। য়াম্না হকচিন্না অনাত্মা ওইদুনা চংবরদি— মানা হকচিন্না থন্নবা নৈ, ঈশিং, লৈপাক্চিংবা পঞ্চভূতশিং অচুগী মশক লৌদুনা, হকচাং অমদা পাক্ হেক্ চঙঙমদনা প্রেত ভূতকী মশক্ লৌদুনা কোয়পাই পাইদুনা লৈ। শ্রুতি স্মৃতি-নচিংবা শাস্ত্রশিংনা প্রায়শ্চিত্ত প্রতিকার-নচিংবা ইরিবা লৈরিবশিং অসি, অনাত্মাসিনা তৌরিবা অমদি

হংস উবাচ।

প্রাজ্ঞ একো রমতে ব্রাহ্মণানাং প্রাজ্ঞশ্চৈকো বহুভির্জোষমাস্তে।
প্রাজ্ঞ একো বলবান্ দুর্ব্বলোঽপি প্রাজ্ঞ এষাং কলহং নান্বৈতি ॥৪২॥

সাধ্যা উচুঃ।

কিং ব্রাহ্মণানাং দেবত্বং ব্রতং সাধুত্বমুচ্যতে। অসাধুত্বঞ্চ কিং তেষাং কিমেষাং মানুষং মতম্ ॥৪৩॥

হংস উবাচ।

স্বাধ্যায় এষাং দেবত্বং ব্রতং সাধুত্বমুচ্যতে। অসাধুত্বং পরীবাদো মৃত্যুর্মানুষমুচ্যতে ॥৪৪॥

হংসনা হায়,— সাধ্য লাইরাম পুম্নমক। ব্রাহ্মণশিংগী মরুংদা জ্ঞানী ওইবা মহাক্তমা থোইদোক্না নুংঙাইবা হায়বদু কংবা ওন্মি। হায়বদি— জ্ঞানী ওইবা ব্রাহ্মণ অমনা কংবা নুংঙাইবা অদুপ— জ্ঞানী ওইদবা সাধারণ ব্রাহ্মণ অমনা অদুপ্ নুংঙাইবা ফংদে। জ্ঞানী ওইবা মহাক্তি মরামগী তিন্না লৈমিন্নবদু হুমিন্না মুনি ওইদুনা— মৌনব্রত তৌদুনা লৈবা ওন্মি। শারীরিকশক্তি লৈত্রবসু, হায়বদি— হকচাংগী পাঙ্গল য়াওত্রবসু, জ্ঞানী ওইবা মহাক্না মকল্রে। জ্ঞানী ওইবা মহাক্তি কনাগুম্বা করিগুম্বা অমত্তগা থংনচৈনবা তৌদে ॥৪২॥

সাধ্যশিংনা হায়,— হংস! ব্রাহ্মণশিংদা লৈরিবা দেবত্ব হায়বসি করিনো? হায়বদি— মাথোমদা লৈরিবা লাই (দেব) ওইবগী মওং অসি করিনো? মথোমদা লৈরিবা সাধুতা অসিনা করিনো? মথোমগী মশাদা অসাধু ওইবগী অদুগা তাইরমী হায়বদু ওইবগী মওশিং অদু করিনা ওইগদৌরিবনো? ॥৪৩॥

হংসনা হায়,— সাধ্যশিং! ব্রাহ্মণশিংদা লৈরিবা দেবত্ব অসি— বেদ-শাস্ত্র নৈনবা, তম্বা হায়বা অসিত্তনা ওইরি। মীওথিজরবা ব্রত উপাসনা তৌবা অদুত্তনা মথোমদা সাধু ওইবগী মওং অমা চপ্চাবা লৈরিবনি। মীবু নিন্দা তৌবা অমদি কল্লকপা হায়বসিত্তনা মথোমদা অসাধুতা হায়বসি লাক্ই। অদুগা অমনা শিবা (লোইশিন্বা— মৃত্যু) হায়বা অসিত্তনা মাথোমদা মানুষতা, হায়বদি— শিবা নাইবা মীওইবা হায়বদুগী মওংদু লৈরিবনি ॥৪৫॥

তাওথিরবশিংদুগী মরক্তনি। অহান্বা য়াওংগী পাউথুম অসিমত্তনা য়াহং অতৈগী পাউথুমশিং অদুম্ মকোন্শিনখ্রে। কল্লকপা, য়েংথিবা, তাথিবা, শাউবা, শাম্বা, নিন্দা, হিংসানচিংবা তৌরিবসি হকচাংগা অমত্তা ওইনা নকৃশিন্না তিন্নদুনা লৈমিন্নখিবদগী অনাত্মাগুম্ লৈরবা আত্মা অসিত্তনি। নিন্দা তৌরগা শাউরিবা প্রশংসা তৌরগা হরাউরিবসি অনাত্মা হায়রিবা অসিমনি। নিন্দা-প্রশংসা, অরাবা-নুংঙাইবা মশা অমত্তনি থমু অসিনচিংবা শীনরিবা পাউতাকশিং অসি অনাত্মাসিনা হকচাং মরুংদা লৈনা লৈনা আত্মা-ত আত্মা ওইনা লৈবা হাননবগী মরক্তনি। অনাত্মা (জীব) দগী আত্মা, আত্মাদগী পরমাত্মা — অদুম্ হায়না মথং মথং মশক হোংথি। (কালাচাঁদ)

ভীষ্ম উবাচ ।

ইত্যুক্ত্বা পরমোদেবো ভগবান্ নিত্য অব্যয়ঃ । সাধ্যৈর্দ্দেবগণৈঃ সার্দ্ধং দিবমেবারুরোহ সঃ ॥৪৫॥

এতৎ যশস্যমায়ুষ্যং পুণ্যং স্বর্গীয় চ ধ্রুবম্ । দর্শিতং দেবদেবেন পরমেনাব্যয়েন চ ॥৪৬॥

সংবাদ ইত্যয়ং শ্রেষ্ঠঃ সাধ্যানাং পরিকীর্ত্তিতঃ ।

ক্ষেত্রং বৈ কর্ম্মণাং যোনিঃ সত্যাৎ সত্যমুপাস্তে ॥৪৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি

হংসগীতাসমাপ্তৌ চতুর্দ্দশাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২১৪॥

——:():——

সমাপ্তশ্চেদং একবিংশতিতম খণ্ডম্ ।

—:(+):—

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির ! অদুগুম্ হায়না তাক্পীরক্লগা, পোকপা-শিব লৈত্রবা, নিত্য ওইবা ভগবান্ ব্রহ্মা অসি সাধ্যশিং অহুমকা লোয়ননা স্বর্গলোকত লেংখি ॥৪৫॥

দেবতা পুম্নমক্কী অথোইবা, অমাঙ-অতা লৈতবা ভগবান্ ব্রহ্মানা তাক্পীরবা, পুণ্যজেন্নবা ভত্ত্বজ্ঞান অসি পুন্নশি, নিংতৎ অমদি যুক্তিযু চাউখৎহন্নবগী মশক্নি । অদুত নত্তনা স্বর্গলোক ফংনবগী লেত্রবা সাধন উপায় অমনি ॥৪৬॥

যুধিষ্ঠির ! সাধ্যদেবতাশিংগা ভগবান্ ব্রহ্মানা হংস (কাংশু) গী মশক্ লৌনবা তাক্খিবা তত্ত্ব পুম্বহ ঐনা নত্তোন্দা অমুক্ লীরবনি । হকচাং অসে কর্ম পুম্নমক্কী যোনি (পোক্লকম্) নি । অচুম্বা য়াথল অহুত্তনি সত্য (অচুম্বা) চায়ন্নিবসি ॥৪৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চামগী শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা

মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা হংসগীতানা লোইবা চনীয়রিফুত্তরামরিশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২১৪॥

— —:():——

মাসিদা কুন্নাথোইশুবা খণ্ডম্ লোইরে ।

—:():—

13954 LIBRARY